পঞ্চায়তী রাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎপা

লোংজম গোকুল্চান্দ

পঞ্চায়তী রাজ

অমসুং

খুঙ্গং চাওখৎপা

লোংজম গোকুলচান্দ
পোথ্মাববা ভাইস প্রিন্সিপাল্,
মনিপুর পঞ্চায়তী্ রাজ
ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট্, ইম্ফাল্;
এদভাইজব মনিপুব স্টেট্
পঞ্চায়ত পরিষদ,
পোরোমপাৎ, ইম্ফাল্

পুথোক্‌পা — লৈখিদ্রবী মমা লোংজম্‌ নবাযনীগীদমক্‌
মচানুপা লোংজম্‌ ওমিও (গোবিন্‌)

ফোংদোক্‌পা — মনিপুর ষ্টেট্‌ পঞ্চায়ত পরিষদ্‌
পোরোমপাৎ



অহান্‌বা ফোংবা - ফেব্রুৱারি ২০০১
কোপি মশিং ১০০০ (লিশিং অমা)

মমল্‌ লুপা ২৫০/-

ফংফম্‌ লোংজম গোকুলচান্দ
কোংবা বাজার
(ফোন্‌ ৪৪১১৩৬)

নম্ফম দি.টি.পি. : সুচেতা প্রিন্টিং বার্ক্স
মোইবাংখোম্‌ লোক্‌লাওবুং

ওফসেট : বট্‌ (বি ইউ টি) প্রিন্টর্স
কংলা পার্ক, নিয়ার ইম্ফাল মিউনিসিপাল্‌ কাউন্সিল্‌



লোংজম ৺কিমো (ইবুঙোমচা)

" খুদোল্ তম্বা "

তাইবং মপোক্ অসিদা
ইচা ওইনা পোক্লম্লসু,
মাগীদমক্তি হাযদুনা মপানা
তৌবিব' ঙম্হৌদ্রবা কবিশু.
নোংদম্থবা থৌদোক্ 'মদা
গাডনা শোক্তুনা লৈখিদ্রবা,
চাহি ৩বেৎকী কিমো (ইবুঙোমচা)
নিংশিং খুদম্ থম্গে খল্লিঙৈ,
তাক্লম্বনা মপাগী মংলান্দা মানা
লাইবিক্ অসি পুথোক্পনি ;
ওইববা নবল্সে নশাগী
তম্লগেকো খুদোল্ ওইনা;
লৌশিল্লুকো লৎন' লৈতনা
শক্লগেকো লম্ন শিংবা

অইবা

নুংঙাইবা ফোংদোক্পগী ৱাহৈ খরা

শ্রী লোংজম গোকুলচান্দনা ইবা 'পঞ্চায়তী বাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎপা' কৌবা লাইবিক অসি হিবম অসিদা যাম্না ফবা লাইবিক অমনি । লাইবিক অসিদা ঐখোইগী লৈবাক ভারত অসিগী, থোইদোক হেন্দোকনা ঐখোইগী বাজ্য মণিপুবগী খুঙ্গং শেমগৎপগী অমসুং পঞ্চায়তী বাজগী মবমদা যাম্না মবিক চুম্না ইবে । গ্রাম পঞ্চায়তকী সংস্থা অসি ভাবতকী য়াম্না লিববা, বেদগী মতমদগী লৈবকলবা সংস্থানি হায়বা বাযম অসিদগী হৌবগা পঞ্চায়তনা মথং মথং চাওখৎলক্কুনা হৌজিক ওইবিবা পঞ্চায়তী বাজগী ফিভম অসি যৌবকপগী ইতিহাস অসি লাইবিক অসিদা ফজনা যাওবি । থোইদোক্না শীংথানবা যার্বাদ, মণিপুবগী চীং অমসুং তমদা থাইনা মমাংঙৈদগী লৈবকপা খুঙ্গংগী ৱায়েন যৌদানগী অমসুং ঙাকশেনবর্গা থবক পুবকপা খুঙ্গংগী অবিবা লোইশংশিং অদুগী মপমদা ইবা মতাং অদুনী । হায়বিবা খুঙ্গংগী অবিবা লোইশংশিং অসি হৌজিক্কী মতমগী গ্রাম পঞ্চায়তকী হৌবকফমনী হায়বর্স হিবম অসিদা থিজিল্লবা মীশিংনা তাকপীববা অচুম্বা বানী ।

মীখা পোনবদগী নাম্থোকহন্নবা নীংতম্বগী অকনবা লান শোকনবদা লুচিংখিব ভাবতকী ৱাখল লৈববা লুচিংবশিং মহাত্মা গান্ধী, পণ্ডিত জবহবলাল নেহরু, জয প্রকাশ নবাযননচিংবনা ভাবত চাওখৎ হন্নবগীদমক্ লাইব অনংবনা লাকহৎপীববা মশিং যামখ্রবা ভাবতকী খুঙ্গংশিং অসি শেমগৎপা চুম্মী হায়বসি যাম্না মুন্না খংখি । মতাং অসিদা মহাত্মা গান্ধীগী খুঙ্গং শেমগৎপগী যৌবাং থোইদোক হেন্দোকনা পনবা যাই । ভাবত নীংতমলবা মতুং চহী খবগী মনুংদা খুঙ্গং শেমগৎনবগী থবক অসি ভাব ত পুম্বগী ওইনা নীংতম্বা ভাবত সবকাবনা পাযখৎখি । খুঙ্গং শেমগৎপগী অনৌবা প্রোগ্রাম (যৌবম পবেং) অসিগী মমিং কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্ট প্রোগ্রাম হায়না কৌই । প্রোগ্রাম অসি ইং ১৯৫২ ওক্টোবব তাং ২, মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমিত্তা হৌখিবনী ।

কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্ট প্রোগ্রামগী পান্দমদি (উদ্দেশ্যদি) মক ওইনা অনীখকনী, মদুদি অহানবদা খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী নুংগী (পুক্লীংগী) অহোংবা পুবক্কুনা চাওখৎপা অমসুং যুম্বান কৈবান ফগৎহনবগী ৱাখল পোকহনবা ।অনীশুবদা, পুক্লীংদা অওনবা, অহোংবা লাকপা অদুগী ফল ওইনা মপানগী যুম্বান কৈবানদা অহোংবা (অওনবা) লাকপা—যুম্বান কৈবান ফগৎলকপা । পান্দম অনী অসিগী মবক্তা অহানবা অসিনা, হায়বদি, পুক্লীংগী অহোংবা পুবকপা অসিনা মক ওইবা হেল্লি । মবমদি, প্রজাশিংগী পুক্লীংদা অওনবা লাক্কুনা চাওখৎনিংবগী অপাম্বা অদু য়াওদ্রবদি অমসুং মশানা

চাওখৎননবা হোৎনজদ্রবদি মপান্দগী সবকাবনা অমসুং অতৈ অতৈনা মতেং পীবতনদি খুঙ্গংগী অশেংবা চাওখৎপা পুবকপা ঙমলোই হায়বসি কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মক ওইবা ৱাখলনী।

কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্ট প্রোগ্রামগ গ্রাম পঞ্চায়তকা মরী লৈনবকপা - কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি পাযখৎলকপা হৌবকপগী অহানবা চহি খর্বদি প্রোগ্রাম অসিগা গ্রাম পঞ্চায়তকা মরী লৈনবমদে। মতম অদুদা ভাবতকী স্তেট অয়াম্বদা লৈবমলবা অরীব গ্রাম পঞ্চায়তশিং অদুদা খুঙ্গং শেমগৎপগী অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোযনবা অনৌবা প্রোগ্রাম অসি শিন্নবসি খুদোং চাবোই খনবম্মী। মবম অদুনা খুঙ্গংগী শেমগৎ শাগৎপগী কর্মিতি (ভিলেজ ডিভেলোপমেন্ট কমিতি), নৌনা শেমদুনা কমিতিশিং অদুদা প্রোগ্রাম অসি পাংথোকপগী থবক শিন্নবম্মী। মমৈথংদা ভাবত পুন্নমক্কী ওইবা ডিভেলোপমেন্ট মিনিস্ত্রশিংগী কনফবেন্সতা যাম্না মুন্না খল্লবা মতুংদা গ্রাম পঞ্চায়ততা কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্টগী প্রোগ্রাম পাংথোকপগী থবক অসি শিন্নবা চন্নী হায়না লেপনখি। ৱাবেপ অসিগী মতুংইন্না প্রোগ্রাম অসি পাংথোকপগী থবক অসি ভিলেজ ডিভেলোপমেন্ট কর্মিতিগী মহুৎতা গ্রাম পঞ্চাযততা শিন্নখি। মতুংদা খুঙ্গংগী থাক্কা গ্রাম পঞ্চাযত ঙাক্তনদি খুঙ্গং শেমগৎপগী থবক অসি মপুংফানা পাংথোকপা ঙমলোই; ব্লোক অমসুং জিলাগী থাক্তা পঞ্চায়ত সমিতি অমসুং জিলা পবিষদ শেমদুনা খুঙ্গং শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি গনতন্ত্রগী নীয়ম মতুং ইন্না লিংখৎপা প্রজাগী সংস্থাশিংদা শিন্নগদবনী হায়না বালবন্ত বায মেহতা কমিতিনা হায়বা মতুংইন্না পঞ্চাযতী বাজ হায়না খঙনবা অনৌবা পঞ্চায়তকী অৱাংবা থাক্কী সংস্থাশিং অসি লিংখৎখি।

বালবন্ত বায় মেহতা কমিতিগী বিপোর্ত অসি ভাবতকী ইতিহাসতা অচৌবা তাংকক (Land mark) অমনী। মাসিনা পঞ্চাযতকী ইতিহাস তা অচৌবা অহোংবা অমা পুবকখি। পঞ্চায়তকী মথং-মথং ওনখৎলকপগী ইতিহাসতা বালবন্ত বায় মেহতা কর্মিতগী বিপোর্ত অসিগী মতুংদা সংবিধান (৭৩ শুবা শেমদোকপা) এক্ট ১৯৯২ অসি য়াম্না মক ওইবা তাংকক (Land mark) অমনি হায়নীংঙি। মসিনা পঞ্চায়তী বাজগী মীখন, নুপীগী বিজার্ভেসন অমসুং শেডুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী ৱাফম অসি সংবিধানদা হাপতুনা খবা হন্থক্কববা পঞ্চায়তকী ফিভম অসি অমুক ফগৎহল্লগনি হায়না থাজে। অদুবু পঞ্চায়তী বাজ চাওখৎহন্নবগী খ্বাইদগী মক ওইবা পোৎচংদি বাজনীতিগী লুচিংবশিংগী, থোইদোক হেন্দোকনা মিনিস্তব অমসুং এম,এল,এ শিংগী বাজনীতিগী ওইবা অকনবা অপাম্বা (Political will) অদুনী। মদু লৈত্রবদি আইন শেমদোকপা ঙাক্তনদি অশেংবা অওনবা পুবকপা ঙমলোই।

মথক্কী ব্রাফমশিং অসি নত্তবা মকওইবা খুঙ্গং শেমগৎপা অমসুং পঞ্চায়তী বাজগা মবী লৈনবা হিবম কয়াসু শ্রী গোকুলচান্দনা মহাক্কী লাইবিক অসিদা যাম্না শন্দোক্লা ইবি। খুঙ্গং শেমগৎপগী (কম্যুনিতি ডিভেলোপমেন্ট গী) অমসুং পঞ্চায়তী বাজগী থৌবম অসি মণিপুরদা হেক পাযখৎলকপদগী হৌদুনা চহী ২১ চুপ্পা সরকারগী অফিসার অমা ওইনা, থৌবম অসিগা হাকথেংননা অমসুং পামজনা ঐনা থবক তৌখবা মরমনা হিবম অসিদা ঐগী নুংশিবা লৈ। শ্রীগোকুলচান্দগী লাইবিক অসি উবদ অমসুং পাবদা পুক্নীংদা থাংগৈশেংনা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা থাজে লাইবিক অসিনা হিবম অসিগী মরমদা খবদং খংনীংবা মীশিংদা নত্তনা হিবম অসিদা কুপথনা নিংখনীংবা (research তৌনিংবা) মীশিংগী মফমদসু য়াম্না কান্নবা পানগনি, অমসুং মণিপুরগী প্রজা মীয়ামনা পঞ্চায়তী বাজগী মরমদা লায়না খঙবা ঙমলগনি।

চন্দ্রকুমার শর্মা
আই,এ,এস, (রিতায়ার্দ)

অফোংবগী ৱারোল্

মনিপুব ষ্টেট পঞ্চায়ত পাবষদকী এডভাইজবস্ ওইবিবিবা ইযাম্বা শ্রী সোংজম গোকুলচান্দ সিংহনা ইবা "পঞ্চাযতী বাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎপা" হাযবা লাইবিক অসি পাজবে। সাইবক অসিদা পঞ্চাযত কবিনো, কবম্না হৌবকই হাযবগী মবমদা যাম্না শুগাইনা নৈনবি। পঞ্চাযত লৈত্রৈঙৈদগী মসিগী মওং মতৌ তৌবা ইবমদম অমসুং মপাল লমগী সংস্থান কযাগী বাবগী ইবগা চৌজক ফাওবগী ভাবতকী অমসং মনিপুবগী পঞ্চাযত শৌশং নৈনবি। নুংগী ওইবা বাখল্লোন কযা পীবি। অদুতা নওনা অবাৎপা অংশ যবা কযা তাকলি। লাইবিক অসি শোক ১৯৯৫ দা ইবনা মবম ওইদুনা ইবনা সেমিনাব অমদি ফংসন কযাদা পাখিবা বাখল্লোন্দাযুস্কম ওইবগা মনিপুবগী পঞ্চাযতী বাজ এক্ট শেমদোকখিবসু যাওখ্রে অদুবু লাইবিক অসিদদি অশেংবা শং শেমদোক্কদবনি হাযনা অদুম ইবি। পঞ্চাযতকী মীখলদা কাবক্লবা মীহুৎশিং অমসুং পঞ্চাযতকী থবক তৌবিবা সবকাবগী কর্মচাবিশিংদা নওনা সধাবন প্রজা পুম্নমক্না লাইবিক অসি পাবদা কান্নবা ফংগনি। অসিগুম্বা ইবোলদা ফোংবা পঞ্চাযতী বাজগী মবমদা ইবা লাইবিক অসি পাবনা পঞ্চাযতকী থৌ পুবাশিংগী ৱাখল শেংদোকহন্দুনা পঞ্চাযত চাওখৎহন্নবগী অচৌবা মতেং ওইবগনি; মীযামগী কান্নগনি খঞ্জদুনা মনিপুব ষ্টেট পঞ্চাযত পবিষদনা লাইবিক অসি ফোংবগী থৌদাং লৌজবিবনি।

এল: বীবেনযাইমা সিংহ
প্রসিডেন্ট
মনিপুব ষ্টেট পঞ্চায়ত পবিষদ
পঞ্চায়ত ভবন, পোবোমপাৎ।

পোবোমপাৎ
তাং ৭।১০।২০০০ ইং

ব্ৰাহৈ খৰদং

পঞ্চায়তী বাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎপা হায়বসিগী মবমদা ইবা লাইবিক্শিং ফংবদা লুনা থোক্ই। অদুগা লিশাং শিংলক্লিবা মতমগী ওইনা শুপ্‌চিন্না, পবিং তানা ইবা লাইবিক্সু অদুমক্ ৱানা ফংই। থোইদোক্ হেন্দোক্লা ইমালোন্দা মণিপুববু হেন্না কন্না পন্দুনা ইবা অসিগুম্বা লাইবিক্ লৈত্রি হায়বমক্ যাই। অব্রাৎপা অসিবু মেন্‌শিন্নিংলুই। ইম্ফাল ইস্ট ডিভেলপমেন্ট ব্লোক্তা প্রোগ্রেস এসিস্টেন্ট ওইনা থবক্ তৌবক্পনা এক্সটেন্সন অফিসাব (ইন্দষ্ট্রিজ) ওইনা প্রোমোসন্ পিখিবা, চহি ২৪ (কুন্মবি) বোম্ পঞ্চায়তী বাজদা ট্রেনিং পিবগী থবক্ তৌদুনা লাক্খিবা-সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুৎ ওফ ট্রেনিং এণ্ড বিশার্চ ইন পঞ্চায়তী বাজ নিয়ু দিল্লিদা থা অহুমগী ট্রেনিং ফংবগা লোইননা মচাক্ কয়া ফংলক্পা - নেস্‌নেল ইন্সটিট্যুৎ ফোব কবেল্ ডিভেলপমেন্ট হাইদ্রাবাদ্ তা অতেন্‌বা মতমগী ট্রেনিং কয়া চৎলুবা- মণিপুবগী মপান্দা ভাবতকী বাজ্য কয়াদা তোঙান্ তোঙান্‌বা মীওই কাংলুপ পুদুনা স্টাদ টুব কয়া হন্না হন্না চৎলুবদা ফংলক্পা হক্থেংনবা জ্ঞান-মণিপুবগী মফম কয়াদা ট্রেনিং কেম্প কয়া চখবদা মফম্ মফমগী মীওইশিংগা থেংনদুনা হক্থেংনবা জ্ঞান ফংলক্পা-কবেল্ ডিভেলপমেন্ট অমশুং পঞ্চায়তী বাজ দাইবেক্টোবেৎকা শম্ননা অফিসকী থবক্সু পাইবক্পা- অকাশবানী ইম্ফালগী থৌবমদা চাং নাইনা মতম্ কয়াগী মমাংদগী ৱা ঙাংবা ফংলক্খিবা অদুগা লোইননা অকাশবানী অসিগী কবেল্ প্রোগ্রাম্ এদভাইজ্ববি কামতিগী মেম্বব ওইনা চহি কয়া যাওবক্পা- ওল ইন্দিয়া পঞ্চায়ত পবিষদনা ফোংবা লাইবিক্ মচা মচা কয়া, কুরুক্ষেত্র, যোজনা, পঞ্চায়ত সন্দেস, হেল্‌থ ফোব দি মিলিযন্ আসনচিংবা চেফোং কয়া নৈনবদা ফংবা জ্ঞান প্রাইমাবি কন্‌জুমর্স কো ঃ ওপবেটিভ সোসাইটিগী সেক্রেটবি অমদি প্রেসিদেন্টগী থাক্তা চহি কয়া তৌবক্পগা লোইননা মণিপুব ষ্টেট কোঃ ওপরেটিভ ইউনিয়নগী টার্ম আনবক্তা মীখলদা কাদুনা দাইবেক্টব ওইনা যাওকবা- লৈকাইগী, সমাজগী, শান্ন-খোৎনবনচিংবা সংস্থান কয়াগী থৌদাং লৌবদা থেংনবক্পা জ্ঞান, মচাক্ কয়া খোমজিন্‌বা ঙমখি। মতেক্-মতেক্, মতৎ-মতৎ কয়া মযাম্ অসি শমজিন্নদনা তাদুনা শাগোন্নদুনা লৈবক্ই। থবক্ তৌবিঙৈদা লাইবিক্ ওইনা ইথোক্লবা হোৎনবা ঙমখিদে। থবক্তগী পোখাববদা হিবম অসিদা খন্‌বা হৌবক্লে; ইশানা ইশাদা হংজবক্ই - 'নহাক্লা পঞ্চায়তী বাজ অমসুং কবেল্ ডিভেলপমেন্টকী থবক্ তৌবিঙৈদা, তৌবক্পদা কনাগী, কবি কান্নবা তৌবমলবগে ? নশানা খোমজিন্বা মচাক্ খবমখৈদি লৈবে - অদুম্ চোইজাইননা থনম্লগদবা' ? তোইনা হংজিল্লক্খি।

মতাং অসিদা দেশ অসিদা পঞ্চায়তী রাজগী খোংজেল্গী মাইওন্দা খুঙ্গং চাওখৎ-থৌরম্গী তাংকক্তসু অহোংবা লাক্খি। সংবিধান (৭৩ শুবা শেম্দোক্পা) এক ১৯৯২ থোক্লক্ই, অনৌবা রাখল্লোন অসি নৈনদবা য়াবক্তে। সিটিজন ভোলনটিযাব ট্রেনিংসেন্তব,নেহেরু যুব কেন্দ্রশিং, রুবেল্ স্লম এণ্ড ডিভেলপমেন্ট এসোসিয়েসন লাংমৈদোং, রুবেল্ সার্ভিস এজেন্সি ইম্ফাল্ অদুগা অতে নন্ গোভর্নমেন্টেল্ ওর্গেনাইজেসন্ কয়ানা ঐবু নেক্তুনা মফম্ মফম্দা পঞ্চায়তী রাজ যাওনগা মরি লৈননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম্ কয়া শিন্দুনা রা ঙাংহন্খি। মণিপুর ষ্টেট পাঞ্চায়ত পারিষদকী এদভাইজব ওইনা রাজ্য সবকারনা নৌনা শেম্না এক্টকী মরিদা ঙাংনবা তাখি, পুন্নমক্ অসিগীদমক্ সংবিধান্গী এক্ট অমসুং রাজ্যগী এক্ট নৈনবক্ই। সংবিধান শেম্দোক্ল বা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা প্রধান্ মন্ত্রী রাজীভ গান্ধীজীনা লৌখিবা খোংথাং নৈনবক্ই, ওল্ ইন্দিয়া কংগ্রেস কর্মিতিগী চেফোং কয়া নৈনখি। থোইদোক্লা অমুক্ রাজ্যগী থাক্তা সেমিনাব, কন্ফরেন্স অর্মদি রার্কসোপ্ কয়া অমদা শরুক্ য়াবদা অইবা চে পুথোক্খি। দুবদর্শন্ কেন্দ্র ইম্ফালগা শন্নবক্খি।

শন্নদনা লৈববা রারেং মতৎ-মতৎ, লিশাংশিংনা শন্নবা ইং ১৯৯৪গী ফেব্রুরারি থাদগী লেংশিনবা হৌজবক্ই। অতাবা লৈ খুল্লগা লেংবা লৈ পবেংশুম্বা, লৈচন্ চাহনবদা লুনা থোক্লবা নাচোম্গুম্বা লাইবিক্কী মওংনি। ইরোন্দা ঙাক্তা ওইহন্নিংবদগী মীবোল কয়া ইবোল্দা ওম্থোক্পা তাবক্ই খোম্থোক চুমহন্বা তাই, রাহন্থোক্ চানা পিবা তাই বানানগী নিয়ম্ লুনা লৈবা ইবোল্ অসিদা ইশামক্লা ইজবদা লিশাং শিংনা, চাং মান্ননা লাল্হন্বা নত্রগা চুম্হন্বা ফাওবা লুনা থোক্খি। অদুমক্পু বানানগী মতাংদা লাল্লবসু, চুন্নবসু লাইবিক্কী মশা পুন্নদা যাবমখৈ চাং মান্নহন্দুনা থম্ব্তনা ফবগান খন্দুনা অচুম্ অবান্ কুপ্না থিরুদনা ইজবে বাখল অদুতা তাননবা। হেন্না ইনিংঙাই লৈ, অদুবু ফোংবা নংহৌবরোই হাযবগুম্বা রাখল্ অমা পুক্লিংদা ফাওবক্ই, অদুনা ইং ১৯৯৫গী আগস্ট থা লোইবগা লোইননা শাজিনর্বাদ লোইবে। ছাপা নম্বা অমসুং ফোংবগী বাদি হান্ননা শুরুখল্ খল্লুবা লৈতে, অদুবু ইরুলর্বানন থোক্লবা লাক্লগনি হাযনা খল্লক্ই।

লাইবিক্ অসিগী ওইবা য়াবা মচাক্ শাগৎলক্পদা তেংবাংবিবক্পা পুক্চেল্ চাওববা ঐবু নুংশিবিবা মীওই কয়াগী মীং লাইবিক্ অসিগী মশাদা য়াওবশিংবু নৌহৌনা পঞ্জবরোই, তৌবিমল্গীদি মতাং অসিদা উৎচরি। চিংখবা যাবরোইদবা মীওই খবা মতাং অসিদা পঙ্ঙববদা ঐঙোন্দা মীংগা কোন্ননা তাদা কৌজবা রুবেল্ ডিভেলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী রাজগী দাইবেক্টব ওইনা ঐগা থবক্ তৌমিন্নবম্না শ্রী কেঃকেঃ হিউ, মীশক্ অমনি। ঐবু যাম্না নুংশিবা অমসুং থাজবগা লোইননা আফসকী থবক্ শিন্নবদা লাইবিক

অমগী মচাক্ ওইননবা অমদি ট্রেনিংদা পিনবা মচাক্ খোম্লুগে হায়জবদা ইথৌ অমনি লৌবিদুনা পিবা য়াবা তেংবাং পিবিদুনা ঐবু থাদোক্পীখি- মদুমক্ নৎলমম্রবদি মক ওইবা মচাক্ কয়া অমা য়াওহন্বা ঙম্লম্লোই। নুংশিজববা ইনাও অসিগী লমন্ তোল্লবনি হায়দবা ঙম্দে । মথংদা শ্রী গুরুমযুম্ চন্দ্রকুমার শর্ম্মা, মণিপুরদা পঞ্চায়তী রাজ হৌবক্পদগী লোইনবরুবা, ইহান হান্বা পঞ্চায়ত অফিসার ওইরিবম্বা, মমৈদা আইঃ এঃ এসঃ ওইনা থবক্তগী পোথাবিরুবা আজ্ঞা অসিনা ঐবু শক্ খংবিবতা নত্তনা পঞ্চায়তী রাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎ থৌরমবু মুন্না খংবিবিবা মীশক্ ওইবনা লাইরিক্ অসিবু খুৎই ওইনা লৈবিঙৈদা পাবিদুনা অনিংবা ফোংদোকপীনবা হায়জরুবদা মমল্ যাম্লবা পুক্রিং থৌগৎ- ব্রাহৈগা লোইননা থাগৎপিদুনা লাইরিক্ অসিগী মশাদা হাপ্লিবা ব্রাবেং অসি পিবিবা লাইরিক্ অসিগী মগুণ হাপকৎপিবনি, তশেংনমক্ তুজুংনা নুংঙাইজর্বনি ।

ইং ১৯৯৫ দা ইবা লোইরবদসু ইশাগী ওইবা খুদোংথিবা, অব্রা অনং কয়া থেংনবদগী ফোংদোকপদি বানা থোক্খি। দিপার্টমেন্টতা গ্রান্তকী মরোংদা শেলগী তেংবাং নিজবদা শাংলবা মতম্ হৌরে – 'ফোংলবা মতুং লাইরিক ওইনা লৈগে' হাযবা পাওখুম্ অদু নত্তনা ফোংনবগী লম্বীদি পিরিবিখিদ্রে। শেলগী অরুবা, ইমুং মনুংগী দষা কযানা অপন্বা পিদুনা লাব্খি। মবক অসিদা ইং ১৯৯৫ গী তুংদা মণিপুরগী ওইনা অনৌবা য়াওন অমুক্ লাক্পনা লাইরিক অসিদা হান্না ফোংলম্লর্বদি য়াওবম্লবোইদবা শকক খবা হাপ্চিন্নবা হোৎনবা ঙর্ম্খি ; মসিসু অফবা নোংদম্ অমনি ।

ফোংবগী মতাংদা – পুক্রিং অমসুং হক্চাংগী পাঙ্গল্ অশুম্-অশুম্ শোঙ্খবকই, লোইননা ফোংনিংবগী বাখলসু লৈতাবা লৈবক্তবে, উপাইসু ব্রাংশিল্লকই । পুক্সিগী লোইনবী ওইবম্বী ব্রাহেংবম্ নীঙোল্ লোংজম্ ওংবী নবায়নীনা মতম্ খুদিংদা লাইরিক অসি ফোংদবা য়াদে হায়বগী ইথিল্ তত্তনা পিদুনা লাক্খি, অদুগা মদুগী লম্বী কয়া যাৎপদা তেংবাং ওইবম্ই। অদুবু লাইবক্ থিবনা চিববা তাঞ্জাদা মহাক্না ১/৯/৯৯ দা লৈখিদ্রবদা লিশাং শিৎনা হোৎনবগী পবিং অদু তৎপা হৌবক্খি অদুবু মচাশিংগী ইথিল্না অমুক্ নৌহৌনা হোৎনদুনা ফোংজবে ।

লাইরিক অসিগী মশাদা য়াওবা অশোইবা, ফজদবা কয়া পুথোক্লুনা তাক্পিবক্পা পুন্নমক্ হবাওনা লৌজগনি ।

অইবা

লোংজম গোকুলচান্দ সিংহ

" নোম্লুক্চবা "

লাইবিক্ অসিগী মশাদা
যাওবম্লবা অচুম্বা শকক্
ঐবু তাক্পি-তম্বিবকপশিংননি,
যাওবম্লবা অফবা শকক্
ঐগা লোইনবক্খির্বাশিংননি,
যাওবম্লবা ফজবা শকক্
থুঙ্গং লম্গী থৌপুবশিংননি,
যাওবম্লবা 'নৌবা শক্ফম্
পুক্চেল্ শেংবা খুন্মীশিংননি;
যাওবমগদবা অশোইবা 'পুম্বাদ
খংবা ৱাংপা অইবননি ।



লোংজম গোকুলচান্দ

য়াওফম্ তাক্পা

(১)
ভারতবর্ষদা পঞ্চায়তনা হৌরক্পগী ৱারী

খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত হায়বনা (শাসনগী) লৈঙাকলোনগী যুম্ফম্ ওইবিবা আসনা পাঙ্গৈ, খুঙদগী [illegible] লৈঙাক [illegible] নগী থবক্তা চাউববা থৌদাং যাদুনা লাক্খি । মসিনা সমাজগী, শেল-[illegible] । অদুগা [illegible] গাজনী তগী মবম্দা মতিক্ চাবা সংস্থান্ ওইবন্মী, অদুবু পঞ্চায়তকী [illegible] মসি [illegible] লৈখা তানক্পগী ৱারীনি । ভারততা ওইখিবা পঞ্চায়ত অ স মখাগী কাওলপা অসুম্না মতমগী শাঙ্কক্ নাইনা খায়দোক্পা যাই ।

১। বেদগী মতম্ অমসুং বেদগী মতুংগী মতম্ তাঙ্কক,

২। হিন্দুগা মতম তাঙ্কক;

৩। মুসলমানগী মতম্ তাঙ্কক ;

৪। বৃটিশকী মতম্ তাঙ্কক ;

৫। নীংতম্লবা তুংগী মতম্ তাঙ্কক্ ;

১। ***বেদগী মতম অমসুং বেদগী মতুংগী মতম্ তাঙ্কক্ :*** গ্রাম নত্রগা খুঙ্গং (ভিলেজ) হায়বসিনা সমাজগী পুক্নিংদা অদুগা লৈঙাক লোনদা (শাসনদা) যুম্ফম্ ওইবা খুঙিং নত্রগা পাদম ওইরম্মী । থোইদোক্পা মওং অমদি মসিনা দেশ অসিগী শেল্-থুম্গী ফিভমদা থাম্না কনবা মফমসু ওইরম্মী । খুল্গী মকোক ওইবা (খুল্লাক্পা) অদু নিংথৌ মকুম্না ওইরম্মী অদুনা মহাক্না মীয়ামগী অপাম্বা অদুগা অফ নুংঙাইগী মবম্দা কুপ্না যেংশিল্লমই । অয়াম্বা মতমদা মহাক্পু খুলগী অহল্ ওইনা মীওই খরগী সভা (মীপুন) অমনা পাটভাক পাবম্মী অদুগা তেংবাংলম্মী । মহাক অসিনা প্রামিন নত্রগা গ্রামনি হায়না হংলৈ । খুঙংগা অসিগুম্না লোইশঙ অসি তোঙান তোঙানবা মমিং খোন্দুনা চৎলমই । অসিগুম্না [illegible] নত্রগা [illegible] অসিগা ইকায়খুম্নবগী মওংদা ইজ্জৎ [illegible] (প্রেষ্টিজগা মথ [illegible]) [illegible] (স্বায়াত্ত) মতম্ লৈরম্মী । ইকায়খুম্নবগী [illegible] অসি অসুক্না মতিক চাওনা কল্লম্মি হেনগৎলম্মা, মদুগা মকৈনা মখায়না নিংথৌ [illegible] (কন্ট্রোল তৌব) [illegible] [illegible] [illegible] বেদগী মতুংইন্না লৈপাক্কী (আইন) বাৎযেল [illegible] । [illegible] মশাগা ওইনা লৈপাক বায়েলদা অতোংবা অমত্তা তৌব ঙমদে । মগা অসিদা স [illegible] নত্রগা লুপ অনিহক্ লৈরম্মী, অমনা খুঙ্গংগী থাক্তা সভা অদুগ অ[illegible] অমা । কেন্দ্র নত্রগা মতোনগী খাক্তা 'সমিতি' । তাঙ্খিবা লুপাশং অসিনা

থ্বাইদগী নাংবা ইকাযখুম্নবা ফংলম্মী. অসুক্কি মতিক্ ইকায়খুম্নলম্মী, লুনা থন্নলম্মা মদুদ মখোযনা লৈশেম্বা (ক্রিযেটরগী) 'পুরাণাত' গী মচানুপী ফাইবোক'নি হায়না লৌবম্মা। অহানবগী সভা হায়বিদ লুপ অসি খুলগী য়ুম্বুবেল ২০০ দগী ১০০০ অমা [illegible] ওইবনা শাই। য়ুম্বুবেল্ ময়ামগী সভা অসি তিম্নগদবা মতম্দা পুং যৈদুনা [illegible]কই। সভা অসি হৌজিক্কী মতমগী গ্রাম সভাগুম্বনি মসিগী থবক্তি মতুংদা পঞ্চায়ত [illegible] থুনবর্কখিবা [illegible] মীত মক্রুগা কাউন্সিল্ অসিনা পুদুনা লাকাখ। [illegible] দা [illegible] হেন্দোক্পা মওং অমা — [illegible] অসিনা নিংথৌ থনবগী (নিংথৌ হাপ্পবা [illegible] [illegible] ফাওবা [illegible]ম্মী।

বেদগী মতুং তাক্কক্ : মতাং অসি উপনিষদ অমসুং সমহিতাগী [illegible] হৈবগ মতমনি, ধর্ম্ম সুত্র অমসুং নীতি শাস্ত্র অসি থমখেংনা [illegible]ম্মা। [illegible]দা পাঙ্গল অসি চয়েং [illegible] হৈবকই, নিংথৌ ওইবগী মওং অসি [illegible] [illegible] ইবক্কম্মী অদুগা মখোযগী হাযবদি নিংথৌশিংগী পাঙ্গল্ অসি যাম্না কনখ[illegible] [illegible]। [illegible] শেম্বগী পাঙ্গল লৈবকই মতমগী মতুংইন্না সভা হাযবা অদুনা [illegible] প্রা[illegible] কাউন্সিল ওন্থোক্লে অদুগা সমিতিনা মহৈ হৈববা লাইবক [illegible] [illegible] ওইগী এসেম্ব্লি ওইখ্রে, হান্নগী মীযামগী এসেমব্লি অদু ওইখিদ্রে। নিংথৌনা [illegible] মন্ত্রিশিংগা লোযননা পাঙ্গল্ অমাদি মঙম শিজিন্নবা হৌবক্লে। অদুম ওইনমক খুঙ্গ গা শাসনদি অসুম তেক্ত কাযদনা লৈখি, মদু ষ্টেটনা মওং চানা খুৎ-থিংজিনবদগীনি। যাম্না শিংথাবা যাবা মওং অমদি মতম্ অসিদা 'গিল্ড' কৌবা সংস্থান অমা থোক্লক্পা আসনি। 'গিল্ড' হাযবদি মশেল্ মতেং পাংনবা কাংলুপ্ হাযবনি। চুম্নগী সাধারণ্ ওইবা অমদি হৈথোই-শিংথোইবা থবক্শুবা মীওইগী ওইবা গিল্ডশিংনা খুঙ্গংগী শেলথুমগী পুন্সিদা থীদা যাবক্লে। অসিগুম্না গিল্ডশিং অসি অৱাংবা চাংদা পাঙ্গল্লক্লে। মখোয মশাগী আইন (লো) লৈবম্মী অদুগা ষ্টেটনসু চাং যাম্দনা খুৎ থিংজিলম্মী হাযবদি খুৎথাবম্মী। বামাযণগী মতম্দা ওইবম্বা মওংনা বাম বাজ্যগী শক্ফম্ অমা ওইনা নিংথৌনা লৈঙাক্পা মনাই (রুলব সার্ভেন্ট) ওইনা লৈখি। খুল্ খুদিংদা মুখিযা নক্রুগা সবপঞ্চ লৈবম্মী। মাগী মখাদা পঞ্চ হায়দুনা মীযাম্না খনবা কাঙলুপ্না পাউতাক পীবম্মী। পঞ্চশিং অসি পবমেশ্বরগী শক্তমগুম্লম্মী—লৈবাক্কী নিংথৌ, সবপঞ্চ, অমসুং মুখিযাশিংনা প্রজাগী যাকা য়েংনা থবক্ তৌবম্মী। মতম্ অসিদা খুঙ্গংগী (বিপব্লিক্) পঞ্চাযত ময়াম্না শাবা জনপদ হাযনা লৈবম্মী। মহাভাবতকী মতম্দা খুল্গী মকোক্ অদুবু গ্রামনি কৌই। খুঙ্গংগী থবক্ অয়াম্না খুল্গী মীশিংনা তৌজবম্মী, মখোযনা মীয়াম্গী ওইবা গুহা, পুখ্রি, পাৎ, লম্পাক্ (পার্ক) পোখাফমনচিংবগী থবক্ য়েংশিল্লি। সমাজগী, শাগৈগী, কাংলুপ্কী ৱাফম্ কযাগী মবীদা থোক্পা ৱাফম্ কয়াবু পাঙথোক্ই। খুল্গী গ্রামনিগী মথক্তা খুল্

• ' ই• দশি, কুন্গী ওই ভিজি, চামগী ওইনা শতিশ, লিশ, অ•গা ওইনা সাহাক্ত্রেস ৫ঙম্না অমমম্ লৈবম্মী । অসুম্না খুল্গী থবক্তদি খুল .. দ .. স গননা চৎনবাদি মতুংইন্না খুল্গী মীশিংনা মশাগী থবক্ পাঙথোক্লম্মা ।

হিন্দু মতম্গী তাঙ্কক:- হিন্দু মতম্গী তাঙ্কক আগাদ ২, ৮ •

• লাক্লম্মা । নিংগৌশিং অসি হেন্না হেন্না মপাঙ্গল্ কন্খৎলম্মা । মৌর্য ' মতমদা খুঙ্গ গী শাসন অসিদ থোইনা অওনবা লৈবমদে মাসগী মবম্দি ষ্টেটনা হে ইন কন্না খুৎথংজিন্দবননি খুঙ্গংগী মী কাঙলুপ্কা যানবা থুগাইবা হায়বাস চাউবং মবালান ক্যানা লৌনবম্মা । মসিন্না অকিবগী বফম্, মওং অসি মবা তানা লৈখি । গুপ্তগী মতমদা শনফম ওইববা াশন্দশিং অসি চাথং শুথা নাইবা জাৎ মম ওইখি । অসিগুম্ন মখোং অসিনা পাইনগী ওইবা (লেজিশলেটিভ) থবক্ পায়বগী (এক্সিকুটিভ) অমসু যায়েনবগী ওইবা (জুদিসিয়াবি)গী পাঙ্গল (শক্তি) লৈবম্মী । মও, মথং কয়াগী • ইবা নওগা মহেনবা মথলগী খাজনা অসিগুম্না এসেম্ব্লি আসনা লৌখৎলম্মা ০ হায়না লম্বী থো চম্মাক চৎশিনগী থবক ঈশিং াচংবগী থবক্ অদুগা কৈথেলগী •শিল থৌবাং তৌবম্মা মখোযগী মখাদা সব কমিতি কযা লৈবম্মী । মসিগী গোদাশং অসি খনবগী মওংদ চিঠিখেলা তৌবম্মী । লম লৈতবা মীওইশিংদি মেম্বব ওইনা থানবা যাহন্দে । খুঙ্গংশিং অসি মশানা মশাবু ঙাকচবম্মী অদুগা মশা মথন্তা হিংজবা মলম্মী । মকোক্তা লৈনিবা ষ্টেটতি য়েংশিন্নবা বোদি ওইনতা লৈখি। মেম্ববশিং অসিনা মান মানা তৌখিবা থবক্তা থৌশঙ্গুবগী (স্টিবার্দশিপকী) মবম পীদবা যাদে । হর্ষগী মতম্দা চুম্নগী ওইবিবা শাসন্ অসি চাওখৎলম্মী । লৈপাক্ অপুম্বা অসি প্রদেশ, ডিভিজন, জিলা, সবডিভিজন্ কযামুক্ থোক্লা খাযদোক্খি । খুঙ্গংগী সবকাবাদি খুল্লাক্পা নত্রগা খুন্গী মকোক্ অদুগী মখাদা থম্লম্মী , অদুবু মানা খুল্গী এসেম্ব্লিগা মবি লৈননা থবক্ তৌবা তাই । বাষ্টকুটকী মতমদা নিংথৌ অসি তশেংনা শক্তি পুম্নমক্কী থোকফম্ ওইবক্খি । খুঙ্গং অসি খ্বাইদগী পীক্পা লৈঙাক্কী খুজিং ওইবম্মী । খুঙ্গংদা যুম্নুবেল্শিংনা শাবা কাউন্সিলনা তেংবাংদুনা খুল্গী মকোকনা থবক্ তৌবম্মী । সব কমিতি কযান ইখোল্, হৈকোল ঈশিং যেম্থোক্পা, ব্রাথোক লাম্থোক্কী বিচাবগী থবক্সু তৌবম্মী । মতোম্দা (কেন্দ্রদা) নিংথৌনা খ্বাইদগী মকোক্নি, মীয়াম্গী খোঞ্জেল্গী চৈথেং কন্না য়ৌবা ঙমদে । খা ভাবত্তা –খুঙ্গংগী সভা (এসেম্ব্লি) অসি খুল্ অদুদা লৈবা মীওই খুদিংমক্না পুক্নিন্দুনা শাই । মসিগী এসেম্ব্লি অসিনা থবক্ পুনবা কমিতি থাল্লি, মসিদা সব কমিতি মঙা লৈবম্মী । মেম্বব খুদিংমক্ তলব য়াওদনা থবক্ তৌবম্মী অদুগা চহী অমতগী ওইনা থবক্ পুবম্মী । মেম্ববশিংগী থবক্ তৌবা য়াবগী গুণদি:-

(ক) মী অমনা সব কমিতিগী মেম্বর ওইবা তাববদি চহী অহুম্ ফাপ্রিঙৈদা এক্সিকুত্যিভকী শক্তি পীবমদে।

(খ) লমচৎ শাজৎ চুম্দবা, পৈশা লান্না শিজিন্নবা মীওই ওইবদি মাগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মাবু থবক্তগী লৌথোক্ই।

(গ) চহী ৩৫ দগীনা ৭০ ফাওবগী মীওইনা থবক্ পুবা যাই।

(ঘ) মী অদুগী যুম্ লৈবা তাই, অদুগা একর অনিবোমগী লম্ লৈবা থাই। মহৈ মশিং হৈবা মীওইগীদি লন্থুম্গী চাং অসি কল্লে।

(ঙ) সবকাবগী থবক তৌবা মীওইদি সব কমিতিদা যাওবা যাদে।

গ্রাম সভা অসিনা (সাধারণ ওইনা) মহৌশাগী ওইনা সমাজগা, রাজনীতিগী, ধর্মগী ওইনা বাফম লৈনরম্মা অসিগুম্বা গ্রাম সভাগী মিতিন্দা অইন শেম্মী।, আইন শেম্বা মতমদা হৌখিবা লৌশিং, থেংনাখিবা ব্রাফম যেংদুনা তৌই। সভা অসিনা লৈপাক্কী অইন্ শেমদোক্পা ঙমলমই। সব কমিতিগী মেম্বর খনবা মতম্দ বার্দ খায়দোক্লগ চিঠিখেলা পাণ্ডথোক্ই।

অহানবদা মীবেপ্কী মী থাগৎলি, অদুগা মীবেপ খুদিংগী মীং অদু তোঙান্ তোঙান্বা (কার্দ) চে অমদা ইশিল্লি। অদুগা পাত্র অমদা হাপ্চিল্লি। থাম্না চন্না, মথাং যাওদবা চহী তরাগী মখাগী অঙাং অমনা কার্দশিং অদু লৌখৎলি। কার্দতা যাওরিবা মীং মতুংইন্না মী অদুবু খল্লি হায়না লাউথোক্ই। অসুম্না মীচং খোম্বা, রাজনীতি শান্নব যাহন্দে। খল্লবা মীশিং অদু মখল্ মখাগী থবক্কী পন্বা তাববদা –

১। ইঙ্খোল হৈকোলগী, ২। পুখ্রি অমসুং মদুগী ঈশিং যেন্থোকপা, ৩। খৎনব চৈনবগী বিচার তৌবা অদুগা, ৪। সনাগী সব কমিতিগী মথৌ পীনম্মী, শেল মযেক চপচাবা লৈতবনা সনা ওইনা কাবকপা পৈশাগী মগুণ্ লেপ্লম্মী, ৫। পঞ্চভব কমিতি হায়দুনা অতোপ্পা থবক্ চপচানা লেপ্পুবা অমগসু লৈবমই। মী অমত্তনা সব কমিতি অমদা হন্নাজিন হন্নজিন্ যাওবা যাদে অদুবু সব কমিতি অমদগী অমদা হোবদ যাবম্মী। শুপ্পা যেংননবগাদমক (জেনেবেল কমিতি) সাধারণ কমিতি অমা চহীগী কমি হায়না খঙনদুনা থমই। মাসগা কমিতি অসিদা হান্নগী থবক্কী লৌশিং লৈননা মমাঙগী কমিতি কয়াদা থবক পন্নবা মহৌশা দনা অশুপ্পা কমিতি অসিদা যাওবা যাবম্মী। খুঙ্গংগী কাউন্সিল আসনা খৎনবগী বিচার তৌবম্মী। কেশকী মমলদি চাং লেপলমদে মশিং কয়াগী থাক্ যাওবগা তৌবম্মী। বিচার তৌবা মতমদা সবকাবনা খুৎ থিংজিল্লমদে। অদুগা সাভল্ কেস (দেওয়ানি কেশ) অমগুম্ হংকথেংননা পাযবমদে। বাযেন বিচারগী থবক্তা পাক্ চাওনা শক্তি পাবম্মী। অব অন থেংনবা মতমদা কাউন্সিল আসনা মীযামগী লম্

বনধক্ থম্লগা শেল্ পুবম্মী। কাউন্সিল্ অসিনা প্রজাগী কান্নবা থবক কয়া পাযখৎলে। উম্, লম্লেম্, অদুগা মীযাম্গী ওইবা লন্ কয়া মপুং ফানা শিজিন্নবম্ঃ। কাউন্সিল নত্তুগা পঞ্চায়ত অসিনা (কল্চবগী) সংস্কৃতিগী ওইবা অদুগা (ইন্ট. সপ্রেল) বুদ্ধ জ্ঞান চাউখৎনবা হোৎনবম্ই।

কেন্দ্র সবকাবনা লম্গী খাজনাগী শকক খবা শেল্থুমগী থবক তৌনবা পীবম্মী। জবি তৌবদগী ফংবা শেনফম্ অসিসু মচাক অমা ওই। খুলগী সভা কাউন্সিল অদুগা সব-কমিতীশিংনা খুল্গী মীতিন্শঙদা ব... কান্দা লাইশঙগী মাঙ্গল, মদুগা কবিওন্না কান্দনা মঙ্গে পান্বীগী নত্তুগা খোংনাংবট পাম্বাগী মখাদা উনৈ, মীতিং ফম্ই। খুঙ্গংগী পঞ্চায়তনা খুঙ্গংগী মীওইগী পুক্নিংগী মবী লৈনবা থবক তৌবদা শক্ত অমদি লেম্জবা, (ইজ্জৎ) চাউনা শিজিন্নবম্ই। মমৈদা চাথাং-শুথাং নাইবা শক্ত লৈনা তৌবন্না শাসন্ অদু মবায চাইথবক্খি অদুগা দেশ অসি শোচ্ছবা হৌবক্খি। মুসল্মান্শিংনা লান্দাবা মতমদা অদুগা মতুংদা অসিগুম্বা খুঙ্গংগী লোইশঙ অসি তপ্না তপ্না শিথবা হৌবকলম্মী।

তামিল্গী য়াওন :- মথক্কী ৱাফম্শিং অসি মকওইনা তামিল্শিংগীসু ওই। মৌর্যগী মতম্দগী অন্ধ্র সাতবাহন্গী মতম্ খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৩০০ বোম্গী মতুং চহী ৩০০ ৪০০ বোম ফাওবদা তামিল্শিংদা মখোয়গী কল্চবনা অচৌবা কান্নবা পীখি। তামিল্গী নিংথৌ অযাম্বা থৌজাল্ হৈবা ওইখি অদুনা মখোযগী মখাদা দেশকী মফম্ অযাম্বদা গনতান্ত্রিক ওইবা মীযামগী ওইবা নিংথিনা শেম্-শাববা শাসন্ লৈখি। তামিল্ অযাম্বনা অপিক্-অপিক্পা খুঙ্গংদা লৈ, খুল্ কয়ামুক্ পুল্লগা 'কুবম্' অদুগা 'নাটতব' কুবম্ কয়ামুক্তা 'নাদু' অদুগা নাদু কয়ানা 'কোট্টাম্' অদুগা কোট্টাম্ কয়ামুক্তা মণ্ডল্ কৌবা প্রদেশ শাবম্মী। কুবম্গী থবক্ অসি খুল্গী এসেম্ব্লি নত্তুগা সভা (স্মৃতি সাহিত্যদা) 'পাগা' হায়না খঙনবা অসিনা তৌই, মসিনা খন্ন-নৈনবা অদুগা থবক্ পাঙথোক্পা অনিমক তৌই।

সভা অসিদা খুলগী অহল্ ওইবা মহাতবা, মহাজন্, পেকমল্ হায়না মফম্ মফম্গী ওইনা খঙনবা পুম্নমক্কী ভাবতি চপ মান্নবা 'খুঙ্গংগী অচৌবা মী' হায়বা মযাম্সিনা যাওবম্মী, হার্যবিবা খুল্গী অহল্গী মশিং অসি ২০০দগী ১০০০ ফাওবা ওইনৈ। তামিল্গী শাসন্ অসি তুংদা খুঙ্গংগী নিংতম্বা যাওনা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী মওংদা তুং ফাওবা চাওখৎলম্মী; খৃষ্টগী চহী ১৩০০ বোম্ ফাওবা চত্থখি। মথক্কী পনখিবা খুঙ্গংগী কাউন্সিল্ (ৱা তান্নবা সভা) অসিনা চুম্নগী মপাল্থোংগী ওইবা পোৎ-চৈগী চাওখৎনবা, নুংঙাইনবা হোৎনবতা নত্তনা (কল্চবগী) নাৎকী অদুগা বুদ্ধি-জ্ঞান্গী চাওখৎনবসু

হোৎনবম্মী । মতৌ অসুম্না খুঙ্গংগী সভা এসেম্ব্লি অমসুং কাউন্সিল্না চোল শাগেগী মতম্দা খুঙ্গংগী শাসন্ তৌবদা পাকচাউনা শক্তি পায়রম্মী । মতোন্দা সবকাব লৈবম্মী, অদুম ওইনমক পৌনা যেংশিন্বা অদুগা ঙাক-শেন্বতা তৌবম্মী । খুঙ্গং ঙাক্পা, লৈবাক্কী অমদি মশাগী ওইবা খাজনা খোম্না, রাখোক্ লাম্বোক্কী বিচার তৌবা, মীয়াম্গী কান্নবা মখল্-মখাগা থবক্ তৌবা (ত্রষ্টি) (মযাম্গী পোৎ-লন্ শিন্নফম্) ওইনা অদুগা বেঙ্কব (শেন্থংপীনবা ওইনা) মীযামদা শেল্ পিনবা অমদি মীয়াম্দগী শেল্ লৌখৎনবা. মসিং মশা থরানা তৌবা কোক্হন্নবা স্কুল, কলেজ, লাইববগী যুম্ লিংননবা, ফগু পাংথ ধর্মগা অমদি লইশঙগী, লাং য়োক্খৎনবা অসিনচিংবা তৌবদা হৌজিক্কী মঙ্গল লোইশঙশিংদগী হেন্না ফজনা থবক্ তৌবম্মী । মতম্ অদুগী সভা অমসুং পঞ্চায়তনা গনতন্ত্রগী ওইবা শাসন্গী মযোল্ ওইবম্মী ।

৩/ ***মুসল্মান্গী মতম্গী তাঙ্কক্*:-** মুসল্মান্শিং অসিনা খুঙ্গংগী শাসন্দা থরায যাওবমদে অদুগা থোইনা খুৎ থিংজিন্খিদে । মীতোপ্ ওইবনিনা মখোযনা পথাপ্ অসিগী মওং মুন্না খঙদে । অদুনা খুঙ্গংশিং অসি তোখাইনা তাবম্মী । অহোইননা শাসন অসি শুপচিন্বা মওংদা লাক্খিবনা খুঙ্গংগী শাসন্ চাওখৎপদা চুনদবা ওইখি । মবম্ অদুনা মীযাম্গী খুদোংচাদবগী নৈনফম্ অসি 'দববাব' ওইনা পুবক্খি । খুঙ্গংগী শাসন্দা পুক্লিং চংদবতা নত্তনা পাম্বসু পামলম্দে । মুসল্মান্ নিংথৌশিংনা শা তান্বা, নুংঙাইথোক্পা, নুংঙাইবগী লৈকোল্ শেম্বা, অকে-অমৌ তৌবা, অসিনচিংবা মাইকৈদা থরায যাওবম্মী । অদুনা খুঙ্গংগী লোইশঙশিং অসি লৈববসু শোম্থখিবম্মী । চাওখৎপা পাম্বা নিংথৌবেল্ সেব সাহ অমদি আকববগুম্বা খবদি শক্তি শুপ্চিন্বগী অমদি খুঙ্গংগী শাসনবু শুপ্থৌ-থৌওইদবা অসিগী খুদোংথিবা অসি খঙখি, অদুবু মদুগী মহৎতি কবিনা ওইগদগে হাযবদুদি ফংবা ঙম্খিদে । সেব সাহনা লৈপাক্ অসি সবকাব, পবগনা অমসুং খুঙ্গং হায়না খায়দোক্লম্মী, খুঙ্গংশিংদা পঞ্চাযততি লৈবম্ই, মহাক্না দান্ তৌবা লোইশঙ, অনা-লাইযেংশঙ লিংখৎলম্মী, গুহা তৌবম্মী, পোখাফম্ অমদি মীথুং-শঙ শাবম্ই অদুগা শান্তি অমদি মথং-মনাও নাইবা থম্লম্মী । আকবব সাহনসু মসিগুম্বা চেক্শিন্বা অমদি থৌজাল্ হৈবগা লোইননা চথবম্মী । লৈপাক্ অদু সুবাহ, সবকাব, পবগনা হাযনা খাযদোক্লম্মী ; খুঙ্গংগী থাক্তা মুক্কাদ্দমনা মকোক্ ওইনা অদুগা পটব্রাবিসু লৈবম্ই । খুল্ কয়ানা শাবা পবগনা হায়বসিনা খুঙ্গংগী শাসন্গী মযোল্ ওইবম্মী মসিগী মকোক্তি অমিল্ কৌবম্ই । মানা খাজনাগী চাং লেপ্পা, খোম্গৎপগী থবক্ তৌই, লৌউ-শিংউনবগী লম পাক্থোক্-চাওথোক্লবা হোৎনৈ, অদুবু মদুনা খুঙ্গংগী লৌউবশিংগীদি অফবা ওইখিদে । মহে-মবোং য়াম্না থোক্তবা অমদি কবিমতা লোক্তবা মতম্দা মহাক্ন কোক্পিনবগী যেংই অমসুং লেপ্পি । অসুম্না আকববগী মতম্দা অমিল্শিং অসি শক্তি য়াম্না লৈবম্মী ।

আকববনা লৌমীশিংদা মহৈ মবোং, খুৎশু থুৎলাউ, শা ষণ লৈননবা ·· প নচ শিল্লম্মী। সহবদসু কোটৱাল হাপ্তুনা থবক্ শি: । মতুংগী নিংথৌশিংদ গ ···নৌ লৈকোল্ শেম্বদা, কোনুং অমদি নিংশিং-খুবানচিংবা শাবদা, কোন ·· ৎবাও তযাম্দা, শা তান্বদা মতম্ লেল্লম্মী। মখোযনা মখা তাবা অঙম অথৌশিংদ ···গবং ফম্ পীবম্মী অদুগা থোইদোক্ হেন্দোক্পা ··· ৌবম শিন্নবম্মী। মসিগী পথাপ ···াস· অকনবা শুপ্নম তৌবা, অবান-অহুই তৌবা কাওলুপ থোকহল্ল গখ। মদুগী ···· খুঙ্গংগী মীযামগী সমাজ অমদি শেলথুমগী ··· ম্দা চা, তাবকাখ। অদুগা ··· লোয়ননা খুঙ্গংগী অপুন্বা শকফম্সু কাযবক্খি। অসু ··· লৈবম্না খুঙ্গংগী ··· মওং অদু মাঙখিবম্মী।

৪। *বৃটিশকী মতমগী তাঙ্কক·* বৃটিশকী মতমদা পঞ্চাযতকী পথাপ্ মসি ··· ···ওদনা ··· মসাং ··· পোক্থ বা ভাবত্তা মাংথাখিবম্মী। শাসনদা শুপ্নচানগী থৌশন অনৌব ···গী লৌচা পথাপ, পাইওটবাডি, জমিন্দারগী পাথাপ্, খূলগী খাজনা পূ·· ··· ···গী মীদিগী ··· ··· কেম্প শাদন অফিসকী মীনা থোমবগী মওং, অন··· খাজনাগী চাং পলিসকী শা·, ··নৌবা চযেৎনবা, শেল চঙবা মতম শা··· চঙবা বিচাবগী মওং, ইন্দস্ট্রিযেলাইজেসন (খৎ-শাথৈবা, লম্লোন ইতিকী থব ···) সহব শেমগৎপগা মও, পম্লমক্ অসিনা খুঙ্গংগী মীশিংগী শেলথুমগী অমদি পাক্লংগী ···ফম্দা (মোবেল্দা) বাঙলপকী বাখলদা মসক্কী মতিক শোক্পা চৈফ্ পীখ্রে, মদদি মখোযনা তিংজবা ··· ···বা অব বা ফিভমদা লাকখ্রে বৃটিশকী বাযেন থৌদাগী মকোক্শিংগী মনংদা কাওলুপ্ অমি থোক্লম্মী অমনা শক্তি চাইথোক্লনা পঞ্চাযত যোকখৎলগা শাসন তৌবদা শৌগৎপা কাংলুপ ···দগা অতোপ্পা অমনা পাথাপ অসিব্ মপৃং ফানা মথৎপা পাম্বা কাংবু। ···তম কইবনগা ···দা বৃটিশকী মী ওইশিংনা শক্তি শুপাচনবা অসি অচুম্বা মওং নত্তে, অদগা ··· কো বোদি ···যবদি মফম মফমগী লোইশঙ লিংখৎপা অদগা মখোযদা সনকাবগী শক্তি ···মসা থৌদা পিবৎ। তশুউ ফদবা লৈবে হাযবসি খংলকখি অমদি পুখোকলক্খি।

পঞ্চাযত কাযথত্তবসু ম্যুনিসিপাল্গী শাসনদি মওং লাক্লম্মী। ইং ১৩৮৭ তা মাদ্রাজদা ম্যুনিসিপাল্ কোর্পোবেসন্ অমা ইংলণ্ডদা তৌবিবা অদুগী মওং লৌদুনা লিংখৎখি মদুদা খাজনা লৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ পীখি। ইং ১৭৯৩গী চার্টব এক্টনা মাদ্রাজ, বোম্বে অমসুং কলকত্তাগী প্রেসিদেন্সি শহবশিংদা লিংখৎখি। ইং ১৮০২ দা বোম্বে প্রেসিদেন্সিদা বিচাবগীদমক্ পঞ্চাযত লিংখৎনবা চাংযেং তৌখি, প্রদেশ খবদা ইং ১৮১৬ তা খুঙ্গংগী পঞ্চাযত চৎননবা তৌখি। অদুবু ইং ১৮৬১দদি তোক্খি। ইং ১৮৩২ সাব

চার্লস মেটকাফ্ ভারতকী এক্টিং গোভর্ণর জেনেরেল্না হায়খী — "খুঙ্গংগী মী কাওলুপ্শিং অসি অপিকপা রিপব্লিক্ অমমমনি । মখোয়গী অপাম্বা মশাদা ফংজে, মপান্গীদা থাংদে । অতোপ্পা পুম্নমক্না তংকোইনা চত্খিদ্রবদা (হিংদ্রবদা) মখোয়তদি চত্থৌরগুম্ নতৌই । শাংগ কয়া (দাইনেষ্টি কয়া) মথং মথং লৈখা তাখ্রবদা, লালহৌ কয়া মথং লোলহৌ কয়া। শিনখ্রবদসু খুঙ্গংগা মা কাওলুপ্তি (কম্যুনিতিদি) অদুম্ লৈহৌই । খুঙ্গংগী অসি পুন্না (ইউনিয়ন) পনশিন্নবা অসদা মখোয় খুদিংমক্ মশাগী মনুংদা ষ্টেট অমা ওইনা মঙ্গলাসনবা ইন্দো। থনবদা ভারতকী মশিংনা লালহৌ কয়া, অওনবা কয়া নংবা থাংনখ্রবদসু কায়দনা অদম লৈনানবগী মচাক্ ওইরিবসি ।" মসিদা মপাল্না লাকশিন্বা মাডুদে, অসিদা ভারতকী থৌরাং চৎনবা মদু খুঙ্গংদদি ফজনা ফন্বা ওম্ই ।

মথংদা, মক ওইনা লোকেল সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট নত্রগা মফম মফমগী ওইবা সরকার অসদা পুক্লিং চিংশিনখিবদি ইহান্ হান্বা ওইনা ইং ১৮৭০ গী দিসেম্বরদা লাওথোক্খিবা লোর্ড মেয়োগী রিজোলুসন্ (রাবেপ্) অদুনি । মদুনা হায়বাদ — " অদুবু পুম্নমক্ অসিগী রাংমদা, যেংবদা হেন্না চাউবা অমদি পাকপা পান্দম্ লৈ । মহৈ তম্বা, হকশেল্, অনাবা কোকহন্বা, অদুগা মফম্ মফম্গী ওইবা পব্লিক্কী থবক্তা পুক্লিং চঙবগী শিন্দোক্ শিঞ্জিনদা মায় পাক্লবগীদমক্তা মফম্ অদুগী ওইবা পুক্লিং চংবা, যেংশিন্বা অমসুং শেন্নবগী তঙাই ফদবা লৈ । রাবেপ অসিগী মপুং ফাবা অর্থ অমসুং মপুম্ শাগৎপদু চৎনহন্বনা (সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী) মশানা ঙাক্চবা সরকারবগী খুদোংচাবা পীগনি ।" রিজোলুসন্ অসিনা বোম্বে, বেঙ্গল, পঞ্জাব, নোর্থ ৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স তা ইং ১৮৭১ দা প্রদেশকী সরকারশিংদা অদুগা খুঙ্গংগী লমদা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টশিংদা শক্তি চাইথোক্পগী মতাং অমা লাকহন্খি । মেয়োগী রিজোলুসন মতুংদা মমিং চৎলবা, পন্না যাববা ইং ১৮৮২ গী মে থাগী লোর্ড রিপোন্গী রিজোলুসন্ অদুনি । রিজোলুসন্ অদুনা হায় — " হৌবম ক্রদা গোভর্ণর জেনরেল ইন্ কাউন্সিলনা সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট শন্দোক্পগী রাফম শৌগৎপদা অদুগা মফম্ মফম্গী ওইবা থবক্কী মশা মযাম্ অমগা শিন্দোক্ শিঞ্জিন্গী নিযম্ অদু পান্নাশিনবগী মতাংদা সরকারগী জিলাগী অফিসার শিংতগী মখুত্তা লৈবদগী থবক্ অসি অহানবদদি হেন্না ফজনা তৌগনি খন্দে হায়রসি শন্দোক্লা তাক্কনি । মসিগী থৌরাং (খোংথাং) অসি পুখৎলকপা অমদি শৌগৎলক্পগী মরমদি অহানবগী ওইনা শাসনদা হেন্না ফগাংহন্নবগী নত্তে । মর ওইনা রাজনীতিগী অদুগা মহৈ তম্বগী খুৎলাই ওইহন্বনা হেন্না পামই ।" মসিগী অইন অসিগী মখাদা বোম্বে, মাদ্রাজ, সেন্ট্রেল্ প্রোভিন্স, ইউঃ পিঃ, বেঙ্গল, বিহার অমসুং উরিষা প্রদেশ সরকারশিংনা মাগী মাগী আইন্ শেম্নদুনা লোকেল্ বোর্দশিং লিংখি । রিপোন্ রিজোলুসন্ অসিনা দিষ্ট্রিক বোর্দ, সব-দিষ্ট্রিক বোর্দ ওইনা সবর্দিভিজন অমসুং তালুক্কী থাক্তা লিংখৎনখি অদুবু পুম্নমক্কী

মহৈ ফংবা ঙমখিদে। ইং ১৮৮০ গী ফেমিন্ কমিসন্ শেম্বদুনা খুঙ্গংগী অৱা-তেংবাংবদা শিজিন্নবা ওইখি। ইং ১৮৯৬ অমসুং ১৮৯৭ তা ভারত সরকারনা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী ওইবা রিজোলুসন্ তাখি, অদুবু মসিনা খুঙ্গংবুদি মপুং ফানা থৌশাখিদে। রিপোন্ রিজোলুসন্গী মাইয়োক্তা হেন্না হেন্না শক্তি শুপচিল্লক্পগী ইং ১৯০৭-০৮দা রোয়েল্ কমিসন্ না শক্তি চাইথোক্লবা ৱাফম্ খন্নখি। কমিসন্ অসিদা ইংলিশমেন্ মঙাগী মরক্তা ভারত মচা শ্রী রোমেশ চন্দ্র দত্ত হায়বা অমখক্তং য়াওই। কমিসন্ অসিনা অকক্লবা শক্তি পীবা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত চাওখৎনবা য়াম্না কন্বা ৱাফম্ পুখৎখি। অদুবু কমিসন্ অসিনা পুখৎপা ৱাফম্ অমা হায়বদি পঞ্চায়তশিং অসি হক্থেংননা জিলাগী(অপ রৈতিগী) ওঙ্গস্বগী মখাদা লৈগদবনি হায়বসিনা মশানা হায়জখিবা পুন্নমক্কী মওংশ্ লৌথোক্পগুমশ্রে। ইং ১৯১২ অমসুং ইং ১৯১৫দা (ক্রিম্) থৌরাং কয়া হৌদোক্খি, অদুবু মহৈ ফংখিদে। লোর্ড হার্দিঞ্জগী ৱারেপ অমনা শেল্, লেণ্ড সেস, স্পেসিয়েল্ গ্রান্ত য়াওনা তেংবাং পীদুনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত হৌগৎনবা ৱাফম্ পুখৎখি। ইং ১৯১৭ তা হাউস ওফ কমন্সনা ভারতকী শাসন্গী মশা খুদিংদা ভারত মচা য়াওহন্বা য়াবগী ৱাফম্ শৌগৎতুনা লাউথোক্পা অমা তৌখি। ইং ১৯১৮ গী মোন্টেগ-চেম্সফোর্ড রিফোর্মস্ পু গোভর্ণমেন্ট ওফ ইণ্ডিয়া এক্ট ১৯১৯ না য়াখি। বেঙ্গল, মাদ্রাজ, বিহার, সেন্ট্রেল প্রোভিন্স, পঞ্জাব, ইউঃ পিঃ, মহারাষ্ট্র, মহিশুর, ত্রবাঙ্কুর-কোচিন্নচিংবা ভারতকী প্রদেশশিংদা অদুগা নিংথৌ পান্বা লৈপাক্ কয়াদা ইং ১৯২০দগী ১৯২৮ ফাওবদা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংখৎনবা আইন্ পাস তৌখি। অদুবু খোংথাংশিং অসিনা প্রজাগী অপাম্বা থুংহন্বা ঙমখিদে। ইং ১৯২০ ওক্টোবরদা কংগ্রেস পার্টিগী শ্রী মোতিলাল্ নেহরুনা উকিল্ খুদিংদা ৱায়েনশঙশিং থাদোক্তুনা ৱাতাইহন্নবগীদমক্ পঞ্চায়ত শেম্গৎনবা হায়জখি। ভারতকী মরুওইবা রাজনীতি দল্ কংগ্রেসনা খোংথাং কয়াসু লৌখৎখি, গয়াদা ফম্খিবা কংগ্রেসকী ৩৭ শুবা সেসন্দা দেশবন্ধু চীত্তরঞ্জন দাসনা হায়খি–"ঐঙোন্দদি খুঙ্গংগী পুন্সিগী ওইবা শেম্ শাবা লুপ্ অদুগা অপীক্পা মফম্ মফম্গী ওইবা (সেন্তর) কেন্দ্রশিং অসিনা প্রদেশকী (অতোনোমী) মথন্তা ঙাক্চবগী হক্ অমদি কেন্দ্রগী দায়িত্বদগী হেন্না মরু ওই, অদুনা অনি অসিগী মরক্তগী খন্বা তারবদি ঐনা চিংনবা লৈতনা মফম্ মফম্গী ওইবা মশানা ঙাক্চবা অসিবু লৌগনি। প্রদেশকী নত্ত্রগা ভারতকী সরকারদা কেন্দ্রগী অঙস্বগী মথৌদি তঙাই ফদবদা ঙাক্লনবা অদুগা চুম্না ঙাক্শেন্বদা শিজিন্নবা শক্তি খরা খাক্হৌরগা পাউতাক্ পীননবনি। ঐনা লৌই মদুদি তশেংবা স্বরাজদি সরকারগী শক্তি অসি মফম্ মফম্গী ওইবাময়োন্শিং অসিদা শিন্নরবতদা ফংগদবনি।"

ইং ১৯৩০ দা ভারতকী ষ্টেটুটরি সাইমোন্ কমিসনন্না খুঙ্গংগী পঞ্চায়তকী মরু ওইরবসিবু শীংথাখি । ইউঃ পিঃ, বেঙ্গল, মাদ্রাজনা চাওখৎপগী থবক্তা মাঙ থাবা ওইখি । মহাত্মা গান্ধীজীগী মখাদা জাতিগী আন্দোলন্ দা মকোক্ ওইবা লুচিংবশিং মোতিলাল্ নেহরু, সি.ভি. রাবেচারি, লোকমান্য তিলক্, ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাদ, সি.আর. দাস নচিংবনা সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকীদমক্ লান্থেংনখি । ইং ১৯৪৩দা ভারত সবকারগী 'কংগ্রেস রেসপোনসিবিলিটি ফোর দি দিষ্টরবেন্স' হায়রবা দলিল্ অমগী পাউখুম্দা মহাত্মা গান্ধীজীনা হায়খ –"হান্না হায়খ্রবগুম্না অসুম্না হায়রি মদুদি কংগ্রেসনা (দিমোক্রেসিগী) গনতন্ত্রগী বাখল অসি গ্রেট বৃটেন্দগী তম্খিবনি – কংগ্রেসি অমতনসু রাবোল্ অসি যাদরদা থৌশাদরা তৌরোই – অদুবু হাপ্চিন্গদরদি অসিনি মকদি লিররবা পঞ্চায়তকী পাথাপ্তা ফংগদবনি ।" খোঙহৌ অসিনা গোভর্ণমেন্ট ওফ ইণ্ডিয়া এক্ট ১৯৩৫ পোক্হন্খি । মীয়াম্না যাবা মিনিষ্ট্রি লাক্লবদা খুদোংচাদবা অদু পুথোক্তুনা মাইয়োক্লনবা খোংথাং লৌখৎখি । অদুবু ইং ১৯৩৯ দা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও লাক্পদা মিনিষ্ট্রি অসি লোইশিন্খি । প্রদেশ খবদা লোকেল্ বোর্দিগী আইনদি লৌখৎনখি । ইং ১৯৩৬ তগী ১৯৪৬ অসি সংবিধান্ চৎনবা ঙম্দবা মতম ওইখি । ইং ১৯৪৬ তা (পোপুলর মিনিষ্ট্রি) মীয়াম্না পাম্বা মিনিষ্ট্রি অসি অমুক্ লাক্পদা শেমদোক্ শাদোক্পগী থবক্ লৌখৎখি । দিষ্ট্রিক্ট বোর্দ, ইউনিয়ন, ম্যুনিসিপালিটিশিং আইন্ চৎনহন্বা ঙম্বা মওংদা চোংখৎলক্খি মসিনা গনতান্ত্রিক ওইবা লোকেল্ বোর্দি লিংখৎনবগী অহান্বা খোংথাং ওইখি । ইং ১৯৪৭ তা বৃটিশ রাজনা লোইখ্রবদসু লোকেল্ বোর্দিশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী খাজং ওইবদা মওং তারা ঙম্খিদে ।

৫। *নীংতম্লবা তুংগী মতম্গী তাক্কক্:-*
(পঞ্চায়তী রাজ চৎনবক্পা)

বৃটিশনা ভারত তা পান্দুনা লোইলম্গী শাসন্ তৌবনা মরম ওইদুনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিং অসি যাম্না মীখা পোনবা, হস্থবা ফিভমদা লৈখ্রে । মখোয়গী শাসন্গী মতম্দা থোইদোক্ হেন্দোক্লা ইং ১৮৮২ গী রিপোন্ রিজোলুসনগী মতুংদা ফাওবা খুঙ্গংগী লোইশঙশিং অসি হিংগৎনবা, মপাঙ্গল্ কন্খৎনবা হোৎনখি । অদুগী মতুংইন্না পঞ্চায়ত অমসুং লোকেল বোর্দশিং বৃটিশ ভারতকী প্রদেশশিংদা লিংখৎখি । বৃটিশনা পাল্লিরৌদা প্রজাগী (থোইদোক্ হেন্দোক্লা খুঙ্গংগী) ফিভম্ থীনা ফৎলম্দ্রে, লাইরব অনংবা, লাইরিক্ হৈতবা, যুমলৈ কৈরৈ ফত্তবা, থবক্ ফংদবা, লায়না কয়া থেংনবা ফিভম্দা চৎনবীদা খুনুং ওইদুনা লৈখি, চাওখৎনবা লম্বী পীখিদে । খুলগী লৌমী, শিন্মীশিংনা থবক্ শুজবগী মহৈ চাবা ফংদবদগী সহবদা থবক্ থিবা চেন্খৎনখি , তশেংনমক্ যাম্না খুদোংথীববা, নুংশিবিফম্ ওইবা ফিভম্দা লৈখি ।

ইং ১৯৪৭ কী অগষ্ট তাং ১৫ দা নীংতম্না ফংলে, স্ববাজ ফংলে হায়বদি মশাগী শাসন্ মশানা তৌজবা ঙমলে। হান্নগী ওইখিবা লৈপাক্কী, প্রজাগী ফিভম্ অদুদা শাসন্ তৌগদৌবিবা লুচিংবশিংগী ৱাখল্দা অকিবমক্ ফাওবা যাওখি। লুচিংবশিংগী ৱাখল্দা- শোক্লুববা প্রজাশিংগী থোইদোক্-হেন্দোক্লা খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী ফিভম্দা অওনবা পুবক্লবা খোংথাং লৌখৎলক্খি। সংবিধান (কোন্সটিট্যুসন) লৈঙাক্লোন শেম্দুনা ইং ১৯৪৯ গী নভেম্বব তাং ২৬ তা মদু মীয়াম্না লৌশিল্লগনি হায়বদি চৎনবগনি হাযদুনা লেপ্লম্রে। মদুগী মতুংইন্না ইং ১৯৫০ গী জানুৱাবি তাং ২৬ তগী হৌনা ভাবত অসি সোভবিন্ দিমোক্রেটিক্ বিপব্লিক অমা ওইগ্রে। মতুং অসিদা মখা তাবা খোংথাং কযামুক লৌখৎখি। ইং ১৯৫০ দা জাতিগী ওইবা প্লানিং কমিসন অমা শেমগ্রে, চাওখৎ থৌবম্গী থবক্তা প্লানিং হায়বদি খুজিল-থৌবাং যাৎপা হৌখি। ইং ১৯৫১ দা চহি মঙাগী থৌবাং শেম্গ্রে অদুগা ইহান্ হান্বগী ওইনা খুঙ্গংগী খুদোং চাদবা মযাম অসি থেংননবগীদমক কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম হায়বসি ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবব তাং ২ দা হৌদোক্লুনা অখন্নবা প্রোজেক্ট ৫৫ খক্ পাযখৎলগা "শেম- শাববা হোৎনবা" অমা ওইনা খোংথাং লৌখৎখি। প্রোগ্রাম অসি সবকাবনা হৌদোক্পা প্রজানা তেংবাংদুনা যাওশনগদবা অমা ওইবনি। অদুবু মসি চহী মঙাবোম চথবক্লবা তুংদা অশোযবা কযা থে নখে। মদু যেংশিন্ননবা ইং ১৯৫৭ কী জানুবাব থাদা ভাবতকী প্লানিং কমিসন্গী মখাদা লৈবা নেসনেল্ ডিভেলপমেন্ট কাউন্সিল্না কমিতি ওন্ প্লান প্রোজেক্ট (অশম্বদা সিঃ ওঃ পিঃ পিঃ) হাযবা অমা কেন্দ্রগী হোম্ মিনিষ্টবনা চেযাবমেন ওইনা ফাইনান্স অমসুং প্লানিং গা মান্ত্রিশিং অদুগা প্লানিং কমিসন্গী দিপুতি চেযাবমেনবুনা মেম্বব ওইনা যাওহন্দুনা শেম্খি। অদুগা প্রধান মন্ত্রীনা বাজ্যশিংগী মনুংদগী খনবা চিফ মিনিষ্টব অনি অদুগা মবী লৈনবা কেন্দ্রগী মন্ত্রীবুসু তোঙান্ তোঙানবা প্রোজেক্টকী মেম্বব ওইনবা শেম্খি। চার্যবিবা কমিতি অসিনা মপাঙ্গল্ লৈবা অবাংবা থাক্কী ষ্টাদি টিম্ অমা শ্রী বলবন্ত বেই গোপ লজী মেহতানা মতম অদুগী পার্লিযামেন্টকী মেম্বব ওইবা) লুচিংহন্দুনা হাপ্খি। টিম্ অদুগী মেম্ববশিংদ শ্রী বলবন্ত বেইজ. মেহতা (লুচিংবা) শ্রী শঙ্কব দযাল শর্ম্মা (মেম্বব), শ্রী বিং জিঃ বাও (মেম্বব), শ্রীফুল সিংহ (মেম্বব), শ্রী জিঃ বামচন্দ্রন্ (মেম্বব), শ্রী দিং পিঃ সিংহ (মেম্বব সেক্রেটবি) অসিনি।

কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টকী থৌবম্দা অশোযবা, মসিগী মখাদা পাঙথোক্খিবা থবক্কী চাং অদুগা মদু মাযপাক্লবা হোৎনবদা লৈখিবা অথিংবা অপন্বা অদু লৌথোক্পা য়াননবা পাম্বৈ উপায যেংশিল্লগা বিপোর্ট অমা পীখৎনবা ষ্টদি টিম্ অসিদা শিন্নখি। কুপ্পা থিজিল্লবা তুংদা বাফম্ কযামুক্কা লোযননা গনতান্ত্রিক্ ওইবা প্রজাগী মীহুৎনা শাবা অদুগা অমগা অমগা মবী লৈনবা খুঙ্গং, ব্লোক অমসুং জিলাগী থাক্তা

মীয়ামগী লোইশঙ লিংলগা কম্যুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট প্রোগ্রামগী থবক্কী প্লানিং হায়বদি খুজিল-থৌরাং তৌবা অদুগা এক্সিক্যুসন্ হায়বদি পাঙথোক্‌পা অসি লোইশঙশিং অদুদা শিন্নবা হায়বা ৱারোল্ য়াওনা ষ্টদি টিম্ অসিনা রিপোর্ট অমা লান্‌খৎখি । রিপোর্ট অদু ইং ১৯৫৮ দা নেসনেল্ ডিভেলপ্‌মেন্ট কাউন্সিল্‌না লৌখি অদুগা নেসনেল্ কাউন্সিল্ ওফ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টনসু ইং ১৯৫৯ দা য়ারদুনা পঞ্চায়তী রাজ হায়বা খুঙ্গং, ব্লোক অমসুং জিলাগী থাক্তা মথাঙ অহুম থোক্না লৈবা লোইশঙশিংদা য়ুম্‌ফম্ ওইদুনা শাবা চৎনবোল-পাথাপ্ অমা দেশ অসিদা চৎনবা হৌখি ।

মতাং অসিদা নিংশিংবা য়াবদি পঞ্চায়তী রাজ হায়বা পাথাপ্ অসি লিংবদা সংবিধান্‌গী ৱাফম্ চেন্নৈ । থাক্ অহুম্‌দা লৈগদৌরিবা লোইশঙ পুম্নমক্ পঞ্চায়ত ঙাক্তনি, অদুগা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংবগী ৱাফম্ অসি য়ানরবনিনা মমাংঙৈদগী হৌনা চৎনবক্‌পা পঞ্চায়ত অদুবু শকখঙবা তাই । ভারতকী সংবিধান্‌গী ডাইরেক্টিভ প্রিন্সিপল্ ওফ দি ষ্টেট পোলিসিগী মখাদা আর্টিকল ৪০ শুবদা য়াম্না তেন্না ৱাফম্ খরদং পীরম্মী মদুদি - "রাজ্যশিংনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংখৎনবা অদুগা মখোযদদা তঙাইফদবা পাৱার (শক্তি) অমসুং (অথরিতি) মঙম্ পীদুনা মখোয়বু লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী খুজিংশিং ওইনা থবক তৌবা ঙমনবা খোংথাং লৌখৎকদবনি ।" অসুম্না তেন্‌খ্রবা ৱাফম্ অসিদা য়ুম্‌ফম্ ওইরগা মথাঙ অহুম্ নাইবা (থ্রি টিয়াব ষ্ট্রকচর) পঞ্চায়তী রাজ অসি লিংবা ঙম্‌খিবনি । হৌজিক্ ঐখোয়না খঙগদবদি পঞ্চায়ত হায়বসিনা লোইশঙনি অদুগা পঞ্চায়তী রাজ হায়রগনা পঞ্চায়তশিং থাক্ নাইনা লিংলগা শাসন্ তৌবগী চাওখৎ-থৌবম্ পায়হন্‌বগী পাথাপ্ অসিবুনি ; মসি অনৌবা পাথাপ্‌নি ।

ইং ১৯৫৯ দা হাইদ্রাবাদতা ফম্‌খিবা নেসনেল্ কাউন্সিল্ ওফ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট না (বিকোমেণ্ড তৌখি)— অফবনি হায়না পাওতাক্ পীখি মদুদি :-

"পাক্‌চাওবা নমুনা (পেটর্ন) অমসুং য়ুম্‌ফম্ অদুদি চাং মান্নরবসু নমুনা অদুদা অকন্‌বা অকক্লবা লৈবোইদবনি । অচুম্বমক্, লৈপাক্ অসিদি অসুক্কী মতিক্ চাওই অদুগা পঞ্চায়তী রাজ (ইংবাজিদা দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্) হায়বসিদি অসুক্কী মতিক চয়েৎনবা, শাংনা, তুং তানা চথুগদবা বিষয় অমা ওই, অদুনা মখল্ মখাগী নমুনা, অমা নত্ত্রগা অমা য়েংদুনা হোৎনবগী (চাং য়েংবগী) মপুং ফাবা মফম্ লৈ । য়াম্না মরু ওইরিবদি তশেংনা মীয়াম্‌দা শক্তি পীথোক্‌পা অসিনি । মসিবু শোয়হন্দ্রবদি মওং, নমুনাদি তোঙান্ তোঙান্‌বা রাজ্যশিংদা চৎনরিবা ফিভমগী মতুং ইন্না তঙাইফদনা খেন্নবা য়াই ।"

পঞ্চায়তী রাজগী য়ুম্‌ফম্ অমদি খুদাফম্ ওইবা নিয়মশিং :-

(ক) মসি খুঙ্গংদগী জিলা ফাওবগী মনুংদা অমগা অমগা (হক্) মশা শম্নবা

(ওর্গেনিক্ লিঙ্কিং লৈবা) লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী লোইশঙশিংগী মথাঙ অহুম্ নাইবা মচাং (থ্রি টিয়াব ষ্ট্রক্চব) অমা ওইগদবনি;

(খ) তশেংনমক্ মখোয়দা শক্তি অমদি দায়িত্ব শিন্নগদবনি ।

(গ) মখোযগী দাযিত্ব অদু শিজিন্নবা ঙমহন্নবা অনৌবা লোইশঙশিং অসিদা মতিক্ চাবা পোৎ-লন্ শিন্নগদবনি ।

(ঘ) মখোযগী থাক্তা লৈবা চাওখৎ থৌবমগী থবক্ পুন্নমক্ লোইশঙশিং অসিগী খুৎথাঙদা ফাওনা চৎনহন্গদবনি ।

(ঙ) চৎনবক্লিবা (পথোক্লকলিবা) পাথাপ্ অদু তুংদা হেন্না হেন্না শাক্ত অমসুং দায়িত্ব চাইথোকপদা খুদোং চাহন্গদবা অদুগুম্বা ওইহন্গদবনি ।

মতৌ অসুম্না পাক চাওনা পৌন' শেম্বা অসিগুম্বা নিযম্গী মন্থংদা পঞ্চাযতী বাজগী আইন্ শেমদুনা বাজ্যশিংদা চৎননবা লমজিং অমা পীদুনা লৈপ্রে। নিযম্ অসিগী মখাদ' ভাবতগী বাজ্যশিংদা পঞ্চায়তী বাজগী পাথাপ্ চৎনবা হৌখি । ইহান হান্বা ওইনা ইং ১৯৫৯ গী ওক্টোবব তাং ২ দা বাজষ্টানগী নগ্গব হাযবা মফম্ অদুদা পঞ্চাযত লিংখৎখি, মতুং ত'বদ' অন্ধ্রপ্রদেশ নচিংবদা লিংখৎনবক্লুনা লৈপাক্ শিনবা থুংনা চৎনখ্রে ।

পঞ্চাযতী বাজ :- পঞ্চাযতী বাজ হাযবসি গনতন্ত্রদা অদুগা শক্তি অমসু পোৎথোক লম্থোক চাইথোক্পদা যুম্ফম্ ওইবগা শেম্বা অতম্নমা কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রম্গী (প্লানিং) খুজিল্ থৌবাং তৌবা অদুগা (এক্সিকুস্যন্) থবক্ পাংথোক্পা ঙম্ন নবা প্রজানা মশা খিংনা (থৱাই যাওনা) যানিংনা চোংথোক্লুনা শকক যাজবগা মাখোয মখোয়গী শেল্ থুমগী সমাজগী অমসু, (সংস্কৃতিগী) ইনাৎকী অমদি পুন্সিগী ফিভম্ ফগৎচনবা খুঙ্গংগী লোকেল সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী হাযবদি মফম মফমগী ওইবা মশানা ঙাক্চবা সবকাবগী লোইশংনা মথাং নাইনা শেম্বা (স্ট্রকচব) মচাং অমনি । অতোপ্পা ৱাহৈদা হাযবগা পঞ্চাযতী বাজ হাযবসি প্রজানা শকক্ যাবগা কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম মীযাম্গী প্রোগ্রাম হাযবসিবু খুজিল থৌবাং তৌজবগা থবক পাংথোক্লবা তৌবা (সিস্টেম) পাথাপ্ অমনি । মসি দেশ অসিনা নীংতম্লবা তুংদা পুথোক্লকপা অনৌবা মওংগী চৎনলোন্ অমনি । অতম্না কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রামবু মীযাম্গী মীহুৎনা অপাম্বা মতুং ইন্না থৱাই য়াওনা হক্থেংননা খুজিল থৌবাং তৌজবা অদুগা পাংথোক্চবা ঙম্ন নবা হাযদুনা পুথোক্খিবনি । পঞ্চাযতী বাজ (অশম্বদা পিঃআবঃ) না খুঙ্গংগী লমদম্দা চাওখৎপগী চাং অসি থুগৎহন্গনি । মসিগীদমক সবকাবদগী ফণ্ড, শক্তি, তেংবাং,

পাওতাক্ মওং কযাদা পিঃআবঃ বু শাগৎলিবা থ ক কযাদ লৈবিবা পঞ্চাযতশিংদা চাইথোক্কদবনি অমদি শিন্নগদবনি । মসি পিঃ আবঃ গা শ্লাইদনী মক ওইবা প্রিন্সিপল হাযবদি চৎনলোন্ অমান । পঞ্চাযতশিং অসিনা খুঙ্গংদ এবা ভানা হিংদুনা লৈত্তবা মতম্দদ গনতন্ত্র চাওখৎপা হেন্গৎপা ওইদুনা মদুগী মহৈ মদু প্রজাগা ফংগদবনি । পিঃ আবঃ না সংবিধান্গী ওইনা গনতন্ত্রগী যম্ফম কলহন্বা চেৎহন্বতা নত্তনা পাথাপ অসিদা মীযাম না মশাগী থবক মশানা শিঞ্জদুনা বাত্ত পাদনা নুংঙাই যাইফনা পান্বা মহন্গদ গা খল নত্ত্রগা লৈকাইগা সবকাব লৈহন্দবা য দ ।

পঞ্চায়ত রাজ নত্ত্রগা পঞ্চায়তী রাজ :- ভারতনা নীংতম্লবদা মতম খুইনা নিংশিংনকদ্রবা পঞ্চাযত হাযবা লোইশং অসি লিংলগা চাওখৎ থোকগী শাসন তৌনবগা পাথাপ্ অম চৎনবক্ত । কনা কনাগুম্মনা পাথাপ্ অসিবু পঞ্চাযত বাজ হাযনা ভদুগা থব অমনা পঞ্চাযতী বাজ হাযনা পংকৌ মকৌনৈ । লৌনানিবা ভাবকী মওং দি মান্নবা খুদা খাজিল্লবদি পঞ্চাযত বাজ হাযবগা পঞ্চাযতী বাজ হাযবগা মনুংগী তংগা খেন্নবা খবদি উবা ফংই । পঞ্চাযত বাজ হাযবা তাববাদ 'পঞ্চাযতকী শাসন্' হাযনা । মসিগী চৎনলোন্ পাথাপ্ অসিদদি –পঞ্চাযত লিংলগা গনতন্ত্রগী নিযম ঙাক্লা নত্ত্রগা ঙাক্তনা মনিংতম্না শাসন্ তৌবা মীযাম্গী যেংবা যেংদবা খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌবম অমদি অতৈ হিবম্ কযাগী মবম্দা শাসন্ তৌহনবা ওইবা যাই । পঞ্চাযতী বাজ হাযবসিদনা পঞ্চাযত লিংলগা গনতন্ত্রগী নিযম্দা প্রজা মীযাম্দা শক্তি, পোৎ লন্ চাইথোক্লুনা অমদি শিন্নদুনা খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌবম্, নুংঙাই যাইফ অমসুং হিবম্ কযাগী মবম্দা প্রজাগী মীহুৎনা শাবা পঞ্চাযতপু শাসন্ তৌহনবগী রাফম্ যাওই । পঞ্চাযতী বাজবু ইংবাজিদা (দিমোক্রেটিক দি সেন্ট্রেলাইজেসন্) কৌই । মসিদগীসু খংলে মদুদি – গনতন্ত্রদা যুম্ফম্ ওইবগা শাগৎপা খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্গী শাসন্ নত্ত্রগা পাথাপ্ মওং অসিবু পঞ্চাযতী বাজ কৌবনা চুম্বা হেনগনি ; মনুংগী ভাব ফোংদোক্পা হেন্গনি । অদুনা ঐখোয়দি পঞ্চাযতী বাজ কৌসি ।

পঞ্চায়তী রাজ শাগৎলিবগী মচাং :- পঞ্চাযতী বাজ হায়বা পাথাপ অসিদা খুঙ্গংগী লোকেল্ সেল্ফ গোভর্নমেন্ট হায়বদি মশানা মশাবু ঙাক্চবা সবকাবগী খুজিং মথাং মথাং ওইনা শেম্লগা খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্ পাইখৎকদবনি । সবকাবগী খুজিং ওইবা পঞ্চায়তশিং অসি খুঙ্গংগী থাক্তা, ব্লোক নত্ত্রগা মণ্ডল নত্ত্রগা তালুক্কী থাক্তা ময়াই থংবা থাক ওইনা অদুগা জিলাগী থাক্তা মথক্ থংবা থাক ওইনা লৈহন্দুনা পঞ্চযতী বাজ হায়বিবা পাথাপ্ চৎনলোন্ অসি শাগৎলি । পঞ্চাযত পুম্নমক্ অসি গ্রাম সভা হাযবা খুল্গী এসেম্ব্লি ওইবিবা অসিদা যুম্ফম্ নত্ত্রগা খুদাফম ওই ।

গ্রাম সভা :- গ্রাম সভা হায়বসি খুল মচেৎ অমনা নত্ত্রগা খুল্ অমতনা নত্ত্রগা নক্ল নক্লবা পুন্না তামিন্নবা খুল খবনা, বাজ্য বাজ্যগী আইন্না লেপ্পা মী মশিংগী মতুং ইন্না শাই । এলাকা অদুদা লৈবা ভোত থাদবা যাববা মী খুদিংমক্ গ্রাম সভাগী মেম্বরনি । হায়বিবা খুলগী এসেম্ব্লি অসি য়াম্না মক ওইবা পিঃ আবঃ গী শক্তি অমদি পোৎথোক্ লম্হোক্ পুথোক্ফম্নি । ভাব তাবা ৱাখল্ খন্বা ঙম্বা মী অদুক্কী মতিক্ য়াম্না লৈবা মতুংইন্না গ্রাম সভা অদু অফবা অমদি মপাঙগল্ কন্বা ওই । মসি বাজ্য অযাম্বগী আইন্দা কোবপোবেট বোদি হায়বদি আইন্গী মতুং ইন্না লন্নাই মীওই অমগুম্না মীয়াম্না পুন্বা বোদি অমা ওই; মসি লৈবগী তঙাই ফদবা লৈ । অনৌবা সংবিধান্ শেমদোক্লবদা লৈতবা যাদবা অমা ওইনা থম্লে । পিঃ আবঃ বু ইংবাজিদা পার্টিসিপেটিভ দিমোক্রেসি হায়না ফোংদোক্ই, খুঙ্গংগী মীপুম্ খুদিংমক্ শাসন্ দা শরুক্ যাই । মতাং অসিদনি খুঙ্গংগী অমদি সহবগী লোকেল সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী মওং খেন্নবিবসি । পুম্নমক ম '৭২ মান্নববদা খুঙ্গংদা গ্রাম সভা লৈবা অসিদনি খেন্নবা অমা লাক্লিবসি । ম্যুনিসিপালিটি গুম্বদা এলাকা অদুদা লৌবিবা মীশিংনা মখোযগী মীহুৎ খনবদা ভোত পিবা অদু নত্তনা অতৈ তৌদে । সহবগী মীনা পাঙ্গল্, শেল, পোৎ, লম্ খাইখৎপগী ৱাফম যাওদে অদুগা ম্যুনিসিপালিটিগী বোর্দ অদুনা পোলিসি নত্ত্রগা প্রোগ্রাম্ শেম্বদা শরুক্ যাদে । অদুবু খুঙ্গংদাদি পঞ্চায়তনা শেম্বা থৌবাং খুদিংমক্ গ্রাম সভাদা হায়বদি মীযাম্দা পুথোক্তুনা অযাবা লৌই, প্রজাগী মোত পিদুনা শেম্দোক্ শাদোক্পা ঙমই । অদুনা পঞ্চায়তকী থৌবাং অদু হেন্না ফগৎহন্বা নত্ত্রগা ফত্তবা থৌবাংদা অথিংবা পিবা ঙমই । খ্বাইদগী মক ওইবা চৎনলোন্দি মসিনি অদুনা গ্রাম সভা লৈতবা যাদে । খঙ্গংগী প্রজাশিংগী অানংবা ফোংদোক্লবা অদুগা দাযত্র লৌগদবা, হিবম খুদিংদা চাওখৎপা পুবক্লবা, জাতিগী শান্ত, চাওখৎপা পুবক্কদবা সভানি ।

গ্রাম পঞ্চায়ত :- গ্রাম পঞ্চায়ত হাযবসি পঞ্চায়তী বাজ শাগৎপদা চংবা ইহান্ হান্বা মথাংগী খুঙ্গংগী লোইশঙনি । মসি গ্রাম সভা হায়বিবা খুঙ্গংগী এসেম্ব্লিগী মশক্ ওইবিবা অসিগী এক্সিকুটিভ্ কমিতি নত্ত্রগা কেবিনেত্নি । মসিনা পাংথোক্কদবদি :

(ক) খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌবম শেম শাবা (রুবেল্ প্লানিং তৌবা)।

(খ) গ্রাম সভানা যাববা খুজিল্ থৌবাং অদু পাংথোক্পা (এক্সিকুসেন্ তৌবা)

(ঘ) তৌখ্রবা থবকী চাং থম্বা অদুগা মগুন্ লেপ্পা (ষ্টোক টেকিং এণ্ড ইভেলুযেসন্) অসিনি ।

পঞ্চায়ত হাযবসিগী ৱাহৈগী অর্থদি ৱাহম্হোক্তি পঞ্চ (মঙা) + আযত(লৌফম)

= পঞ্চায়ত, হায়বদি লৌফম্ মঙা হায়বদি 'অহল মঙাগী কাউন্সিল্ (মীপুন্)' হায়বনি । হৌজিক্তদি মী মঙাগী ৱাফম লৈত্রে, বাজ্যগী আইন্না লেপ্লা মেম্বব মশিংনা পঞ্চায়ত শাগনি । মসিদা গ্রাম সভাগী মেম্ববশিংনা খঞ্জবা প্রেসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রেসিদেন্ট অদুগা মেম্ববশিং লৈগনি । পঞ্চায়তকী থবক্ পুননবা সেক্রেটবি অমদি মখাগী স্টাফ পঞ্চায়তনা হাপ্‌চবা যাই ।

পঞ্চায়ত সমিতি :- অনিশুবা থাক্কী পঞ্চায়ত অসি অযাম্বা মতমদা ব্লোক্কী থাক্তা লৈ মসিবু পঞ্চায়ত সামতি নত্ত্রগা ব্লোক সমিতি কৌনৈ । মসিদা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী প্রেসিদেন্টশিংগী ওইবা ইলেক্টোবোল্ কলেজ অমনা ব্লোক্লা খোল্লবা লম্গী এমঃ এলঃ এঃ (লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মেম্ববশিং), কো‌ওপটেদ নত্ত্রগা নোমিনেটেদ মেম্ববশিং, সিদ্যুল্ড কাস্ট নত্ত্রগা ত্রাইবকী, নুপীগী বিজার্ব তৌদুনা হাপ্লা মীওই শংন মেম্বব ওই । মেম্ববশিংনা খঞ্জবা প্রেসিদেন্ট অমদি ভাইস প্রেসিদেন্ট লৈ । ব্লোক ডিভেলপ্‌মেন্ট অফিসাবনা সমিতি অসিগী সেক্রেটবি ওইগনি অদুগা ব্লোক ... দা লৈনিবা সবকাবগী অফিসাব পুম্নমক (থবক্ তৌবা পুম্নমক) সমিতি অসিগী মখাদা থম্লই । মসিগী মযাইগী থাক্কী ওইবা পঞ্চায়ত অসি এক্সিকুটিভ বোর্দ হায়বদি থবক্ পাংথোক্লবা লৈবা সংস্থান্ নত্ত্রগা লোইশঙনি ।

জিলা পবিষদ :- জিলাগী থাক্তা লৈবা অহুম্শুবা মথাংগী পঞ্চায়ত অদুবু সাধাবন ওইনদি জিলা পবিষদ হায়না কৌনৈ ; বাজ্যশিংগী আইন্ মতুং ইন্না তোঙান্ তোঙান্বা মমিং থোল্লি । জিলা অমগী মনুংদা লৈবা মযাইগী পঞ্চায়ত (সাধাবন ওইনা পঞ্চায়ত সমিতি হায়না খংনবিবা) মযাম্ অদুগী প্রেসিদেন্টশিংনা মেম্বব ওইগনি । জিলা অদুগী মনুংদগী মীখল্‌দা কাবা পার্লিযামেন্টকী মেম্বব (এমঃপিঃ) পুম্নমক্, কোঃ ওপ্টঃ তৌবকপা, নোমিনেদ তৌবক্‌পা মীশিং, সিদ্যুল্ড কাস্ট নত্ত্রগা ত্রাইব, নুপীশিং অদুগা অতৈ অতৈ খবস্ বাজ্যগী এক্ট মতুং ইন্না মেম্বব ওইগনি । ব্লোক্কী প্রেসিদেন্টশিংগী মবক্তগী মেম্ববশিংনা প্রেসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রেসিদেন্ট খল্লি । অৱাংবা থাক্কী এদমিনিস্ট্রেটিভ্ অফিসাব অমনা পবিষদ অসিগী সেক্রেটবি পুনৈ । জিলাগী থাক্তা লৈবা চাওখৎ থৌবম্গী দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক্ পুম্নমক্ পবিষদ অসিগী মখাদা থম্লই । জিলাগী কলেক্টবনা লম্জিংনবা অদুগা সবকাব অমসুং পবিষদ অনিগী মবক্তা লৈদুনা তাইননবা অফিসাব (লিযাজন্ অফিসাব) ওইনা লৈনৈ । অয়াম্বা মতম্‌দা মসিগী লোইশঙ অসিদি পাওতাক্ পিনবা, লমজিংনবা, চুংশিন্ননবা ওইনা লৈনৈ । বাজ্য বাজ্যগী মতুং ইন্না মখোযগী মথৌ, শক্তি অসি খেন্নৈ । মহাবাষ্ট্র, কবনাটকা, নোংচুপ বেঙ্গল দা মসি খ্বাইদগী কন্বা থবক্ পাংথোক্লবা লৈবা লোইশংনি, সবকাবদা ফাওবা পাওতাক্ পিবা ঙম্লই । গুজবাত,

উত্তবপ্রদেশতা শাসন্গী থবক্ তৌই ।

মতৌ অসুম্না পঞ্চায়তী বাজ হাযবিবা খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্গী লৈঙাক্ পাথাপ্ অসিদা থাক্ অহুম্গী ওইনা সাধাবন্ ওইনা খংনবদা খুঙ্গংগী থাক্তা গ্রাম পঞ্চাযত, ব্লোক্কী থাক্তা পঞ্চাযত সমিতি অদুগা জিলাগী থাক্তা জিলা পবিষদ হাযনা পিঃ আবঃ গী লোইশঙ (ইংবাজিদা হাযবগা পিঃ আবঃ ইন্সটিট্যুসন্) হায়না খংনদুনা শেম্ই । লোইশঙশিং অসি অমগা অমগা কাযাৎ শম্নে (ওর্গেনিক লিঙ্কিং লৈনৈ) ।

পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশ, পঞ্চাযর্তী বাজ ইন্সটিট্যুসন্শিং (পিঃ আবঃ আইঃ শিং) অসিগী মবম্দা মখাগী অসুম্না ফোংদোক্রে, মখোযবু অসুম্না কৌনে ।

১। পিঃ আবঃ আইশিং অসি বাজ্য সবকাবগী থবক্ তৌননবা শিন্নফর্মান (এজেন্টনি)।

২। পিঃ আবঃ আইশিং অসি খুঙ্গংগী লোকেল্ সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী (ইউনিট) খাজং ঙাক্তনি ।

৩। মখোয অসি গ্রাম সভা অমসুং বাজ্যগী বিধান্ সভাগী মবক্ শম্নবিবা মবি অদুগী (লিঙ্কনি) মতাংনি ।

৪। মখোয অসি খুঙ্গংগী সমাজগী ফিভম্ ওল্হন্নবনি (ত্রান্সফোবমবনি)।

৫। মখোয অসি খুঙ্গংগী খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী (গ্রাস রুটকী) গনতন্ত্রগী লোইশঙনি।

৬। কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্বু হিংগৎহন্নবা শোজৈ ঙাক্তনি।

৭। জাতিগী (প্লান) খুজিল্ থৌবাংদা (পার্টনর্স নি) শরুক্ যাবশিংনি ।

৮। মীহুৎনা শেম্বা সবকাবগী (নর্সবি) য়োক্ফম্নি ।

৯। মীযাম্না শরুক্ যাবা গনতন্ত্রগী (পাবটিসিপেটিভ্ দিমোক্রেসিগী) লোইশঙশিংনি ।

মতৌ অসুম্না থাক্ কয়াগী পঞ্চাযর্তশিং অসিবু ফজবা ভাবতা লৌদুনা ব্রাংনা ব্রাংনা থাদুনা মগুণ্ শক্রে, শোন্নে । অদুবু থবক্তদ ওন্থোক্পা যাদনা নাওশুম্ ইশৈতা ওইদুনা লাক্লি । ●

(২)

মণিপুরদা থাইনগী পঞ্চায়তকী মওং

(ক) তম্পাক্কী লম্‌দা চৎনরক্‌পা পঞ্চায়তকী মওং:-

১। **তম্পাক্কী ময়োন্দা :-** মণিপুবগী তম্পাক্কী লম্‌দা মওং অমদা নত্ত্রগা অমদা পঞ্চাযতকা মান্নবা মওংগী লোইশঙ থাইনদগী লৈবক্‌ই । তোঙান্ তোঙান্‌বা শলাই (ক্লান) অদুগা লুপ্ (গ্রুপ ওফ কমুনিতি) কযানা মণিপুবগী তোঙান্ তোঙান্‌বা মফম্‌দা লিং্‌দুনা পাল্লম্‌ই ; মমৈদা কংলৈদা (মণিপুব মযোন্দা) পানবা নিংথৌগী মখাদা পুন্‌শিন্‌খিদুনা শলাই অমদি লুপ ময়াম্ অসি মৈতৈ নত্ত্রগা মীতৈ হাযনা খংনদুনা পুন্‌শিন্‌খ্রে । নিংথৌনা লৈপাক্কী শাসন্ ব্রাযেন্ থৌদা তৌই, কোনুং মযোন্দা শঙলেন্ অনি, দববাব অমদি চৈবাপ্ লিংলম্মী । দববার্বসি মহাবাজা (নিংথৌ) না মকোক ওইবা অঙম্বশিংগী ওইবা এসেম্ব্লি নত্ত্রগা সভা অমনি অদুগা চৈবাপ হায়বা অসি মকোক্ ওইবা (পুবেল্ ওইবা) বায়েন্‌শঙান ; মসিদা থবক্ পুবা পানাশিংদগী (সব দিভিজন্‌শিংদগী) ওইনা হাপ্পা মযাম্না থবক্ পুই । হার্যবিবা চৈবাপ্ অসিদা লোইশঙগী ওইনা হাপ্পা মেম্বব (এক্স ওফিসিয়ো মেম্বব) ২৪ কুন্মবিগী মথক্তা ফমফম্ ৫৩ লৈবম্মী । মতৌ অসুম্না ময়োন্দা শাসন্‌গী মওং লৈবম্মী । লৈপাক্ পুম্বদা পানা মাব লৈবম্মী মদুদি নহাকুপ্, অহল্লুপ্, খাবম, লাইফম্ অসিনি মমৈদা ইম্ফাল হায়বা পানা অমগা হাপ্‌কৎখি । পানা খুদিংদা শঙলেন অমসুং শঙ্গুবা হায়না মশা (বিভাগ) অনি লোংলম্মী, মদুদা ফম্নাইবশিং লৈবম্মী ।

২। **খুঙ্গংগী লমদা :-** খুঙ্গংগী লম্‌শিং অসি নিংথৌগী মখাদা ফজনা শেম্ শাবা মওংদা লৈবম্মী । খুল্ খুদিংগী মশাগী লম্‌খৈ লৈ, মাইকৈ ঙাক্‌পা লাই, খুনবু কোম্বা লাইগী ঙমখৈ লৈজে । খুল্ খুদিংদা খুল্লাক্‌পা হায়বা অমনা মকোক্ ওইবগা লুপ্‌লাক্‌পা, লৈকাই লাক্‌পা, নহা লাক্‌পা, পাখং লাক্‌পা লৌমী লাক্‌পা হায়বর্নাচিংবা থবক্কী মওং মতুং ইন্না লাক্‌পা অমসুং হঞ্জবা অদুগা ঙমথং ওইনা হিদং হায়বা ফম্ শেম্‌দুনা থবক্ পুবা মীওই কয়াগী কাউন্সিল্ (মীপুন্) গী মওংদা লৈবম্মী । বিচাবগী ওইনা গোপাল হঞ্জবা, ঙম্‌থংদা গোপাল হিদং হাযবা মীওইশিং লৈবম্মী । থুম্‌খোং লৈবা লম্‌দদি খুল্লাক্‌পবু হঞ্জবা হাযনা খংনৈ । য়ু শিজিন্নবা লম্‌দা য়ু মহাও য়েংনবা অদুগা য়ু হৈবগী থবক্ তৌনবা য়ুপাল্ লাক্‌পা নত্ত্রগা য়ু পান্‌বা হাযবা ফম্ লৈবম্মী । লোই লম্‌দা (চিংখোং চীংযাদা) নত্ত্রগা নিংথৌগী ফৌগৈ খিন্‌বা লম্‌দদি নিংথৌ, সেনাপতি গুম্বগী অহেন্‌বা ফম্ লৈবম্মী

হায় । কৈ (পুকৈ) পান্নবা মী থম্‌লম্মী, কৈগী ওইনা লৌউবশিং লৈ, মখোযগী খৎন-চৈ‌ন‌বগী বিচাবদি কৈগী ফম্নাইবনা অদুম্ তৌই । খুল্‌গী ওইবা কৈদা ফৌ তুংশিন্দুনা থম্ই, শা-লালগী মতম্ অদুগা অতাং থা অদুগা কুম্‌গাংলবা মতম্‌দা যেম্লোক্ই । খুল্‌গী অঙম্বা ফম্নাইবাশিং অসি মীযাম্না হাপ্না নত্ত্রগা নিংথৌনা হাপ্লিনসু চৎনৈ । অসিগুম্বা কাউন্সিল (মীপুন) অসিবু 'খাংজেং' হায়না কৌবা যাই ।

শাসন্‌গী মওং :- অইবা বেকোর্দশিংদগী মথং মথং পুথোক্লবকপদগী অদুগা অখং অকৈদগা ওন্‌গা মতু ইন্না এখোযগী ওইবা ইনাৎ, চৎনলোন থবক্ মৌশিল্, পুন্সি হিংবগী মওং লৈপাক মচা তানগা ফিজম্, অফ নুংঙাইগী থৌশিল্ কয়া লৈজবম্মী হায়বা খংই । পানা খাইদোক্লুনা লুপ (খুৎপু) গী মথৌ কক্লুনা লাল্লুপ্ কাবগী, যাবেক্ শন্ত্রিগী নিযম শেম্‌দুনা তোঙান্ তোঙান্‌বা লুপ্ কয়া শেম্‌দুনা ইংনা, হোং-চাওনা, মবা তপ্পা পান্‌বা ঙন্ন নবা খুজিল থৌনাং তৌবম্মী ।

লুপ্ শেম্বগী পাথাপ:- থবক্ কয়াগীদমক্ তোঙান্ তোঙান্‌বা লুপ শেম্‌লম্মী লুপ খুদিংনা থবক্কী পোবম যাৎপা অদুগা মদু পাংথোক্‌পদা মনিং তম্লম্মী ।

লাল্লুপ— মসি নিংথৌগী থবক্কীদমক্ খুল্‌দা লৈবা মীনা থবক্কী মতম্ লাক্লবদা কোনুং কাবগী থবক্কি । ইমুং অমদা মচানুপা অহুম্‌দগী হেন্না লৈববদি অতোন্‌বা অদুনা কোনুংগী অমসুং খুলগী শেম্‌গৎ শাগৎপগী থবক্তা চৎনৈ ।

কৈকপ—খুল্ ঙাক্ শেম্বগী থবক্ অসি খ্বাইদগী মক ওইবনি । মফম্ অযাম্বদা উমং, নাবক্ মোংশোংনা থন্না লৈবম্মী , শা-কৈনা মী শোক্‌পা, চাবা তোইনা থোক্ই । লান্ হাযবসিসু তোইনা থোক্‌লম্বনা লুপ্ অসি তঙাই ফদনা শেম্বনি । নিংথৌগী কোনুংদগী লান্‌বুং যৈবক্‌পগা নক্ল-নক্লবা খুল্‌দা পাও পিনবগা যুম্‌থোং খুদিংদগী নুপাশিংনা খুৎলাই পাইদুনা কোনুংদা তিল্লি। কৈ চন্‌বা (কৈ ফাবা, হাৎপা) হাযবসি য়াম্না তোইনা থোক্‌পা থৌদোক্লি । অসিগুম্বা কৈগী পাও অসি শবিক্ খিংদুনা শন্দোক্ই নত্ত্রগা মৈহুম্ মোবোক্ হাযদুনা মৈ চাক্‌খিবগী শিং (মৈহুম্) মতোন্ অমদা মোবোক্ অকংবা অমা পুন্সিল্লগা যুম্ অমগী মথংদা যুম্ অমদা লাল্লি, মথং মথং পিনখি, অদুগা খুৎলাই পাইবা কাংবু পুন্নমক্ পুল্লি । কৈ লৈবিবা মফম্ অদুগী অশোংবা অদু ফান্দোকই, কোক্‌হল্লি অদুগা তা, লম্বু, লাংশোইনচিংবা পাইদুনা কৈবল্ শাবগা লাং থাক্লুনা ফানবা নত্ত্রগা হাৎনবা হোৎনৈ ।

লৈকপ্—লুপ্ অসিনা লম্বী শোবোক্ থোন্‌বা, শেম্বা পুখ্রি তৌবা, থোংমচা শাবা, হিবান্‌ফম্ শেম্বা, লৌনম্বাল থোনবা, ঈশিং খোং তৌবা ঈশিং পন্‌থিংবা, পাৎ

তুবেল্ খোংনুং তেংবা, উমং কোক্‌পা, খুল্‌গী ওইবা লাই হবাওফম্ শেম্বা, শেংদোক্‌পা, খোং শেম্‌দুনা ঈশিং পুশিন্‌বা অসিনচিংবা শেম্‌গৎ শাগৎপগী থবক্ পুই । শেম্ শাবগী থবক্ হৌজিক্কী মতম্‌গী পিঃ ডব্লিয়ু গী থবক্ অসি মচেৎ ওইনা শঙজাবোই হাযবা অমনা পুবসু চৎনবম্‌ই ।

শিংলুপ্ - খুল্ নত্ত্রগা লৈকাই খুদিংদা শিংলুপ হাযদনা লুপ্ অমা শেম্লবম্মী । ইমুং অমদা অশি অনা থোকপা মতম্‌দা থৌদাং যাই । শিবরা ইমুংদা নত্ত্রগা ক[illegible]বিনা ইমুংদা অহিং লৈক্রে, শিং, উ[illegible]বা পখোক্লবা শিংযেল শেল ওইনা থাইনবা, শোবাংকী মাগুব খন্‌বা ঈশৈ শক্লনবা শিনবা অসিনচিংবা কয়া তৌই । মতম মতমগী ওইনা [illegible] থাগী ওইনা শেল্ থাইগৎনদনা [illegible]শিল্লগা পোৎ লৈশিন্‌বা অদুগা চংগদবা [illegible]মদা শেল, পোৎ পুথোক্‌লক্‌পা চৎনৈ । [illegible] লাই নক[illegible], ঈশৈ নোংমাই তৌবা অসিনচিংবদসু শিজিন্নৈ । শিবদা শোবাং [illegible] শেল [illegible]লগা [illegible] শিংলুপকী পৈশাদগী পিবা যাই । [illegible]ৎপা, লুগুণ্ থাংবা অদুগা [illegible] [illegible]বদা শেল ওই। পোৎয়ং পিবসু চৎনৈ । পাথাপ্ অসি পুনশিন্দুনা তেংবাংনবগা যান্ন কনা চৎনবিনি । অদুনা হৌজিক্কী মতম্ ফাওবদা কয়া চৎনবি ।

শিংলুপ্ অসিনা কবিগুম্বা মতম্‌দা খৎনবা, নুপী থাইনবা, অঙাং চাক্ থাক্ তানবা, নুপা নুপীনা অবোনবা শাজৎ চৎলম্মা, ফুন চৈনবগী বিচাবসু তৌই । শিংলুপ্‌না ঙমদবা বিচাব খুদম্ ওইনা শিংলুপ্ মশেল্, খৎনবা, চংনদবা, ইন্তোক্লবা অসিগুম্বগী রাফম্‌দা নিংথৌগী অঙম অথৌশিংনা পুল্লগা লোইশিল্লি ঙমদ্রগা নিংথৌ যৌনৈ । থাইনগী পঞ্চাযতশিংনা খুল্‌গী শেম্‌গৎ-শাগৎপা, চাওখৎ থৌবাংগী থবক তৌবা, খুল্ ঙাক্‌পা অসিনচিংবা তৌবম্বগী মথক্তা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোক্লা তৌবম্বদি খুল্‌গী রাথোক্ লাম্থোক্, খৎন-চৈনবনচিংবগী বিচাবগী (জুর্দিসিযাবিগী) থবক্ পাইবম্বা অসিনি । খুল্ খুদিংগী বিচাবগী শেম্ শাবা লৈ; মদুগীদমক্ গোপাল হঞ্জবা অমসুং পোগাল হিদং কৌবা অনিনা মকোক্ মথং ওইবম্মী । মখোযনা রাথোক্ মচা-মচা খুদম্ ওইনা নুপী নুপা থাইনবা, অঙাং চাক্ থাক্ পিবা, লিচৎ চুম্‌দবা নুপা নুপীগী মবম্, খৎনবদা অশোক্ অপন্ থোক্‌হম্বা, শেল্ অমসুং লনথুমগী বিচাব , অকি অখং থোক্লা ফুন চৈনবা অদুগা অতৈ অতৈ দেওয়ানি (সিভিল্) অমসুং ফৌজদাবি (ক্রিমিনেল্) কেশ কযা কয়া তৌবা ঙম্‌ই । সমাজগী ওইবা ধর্ম্মগী ওইবা কেশ কযাসু তৌই । মখোযনা জবি ওইনা অতাংবা মতমদুদা লুপা ৫০.০০ ফাওবা তৌবা ঙম্লম্‌ই।

প্রজাশিংগী য়ুম্বাল কৈ পাল্ :-

মী অয়াম্বগী ওইনা মশা মশাগী পোৎ-লন্ মতিক্ চানা লৈজবম্মী অদুনা কোম্না, চিক্রা ব্রাৎত পাদনা পাল্লম্মই। লৌউননবা লম্ মতিক্ চানা ফংদুনা পোখোক ফংলম্মই, য়ুম্ কৈ শঙ্গোই লুকোই, শুমাং, হৈকোল্ লৈকোল্, পুম্ব্রি নাইনা ইখোল্ থম্ম বম্মী। চিঞ্জাক পুথোক্পা, শেৎনবা ফিবোল্ শাবা, খুৎশু খুৎলাই শাবা ঙম্জবম্মী। থবক কন্না শুবা তন্দবা মীশিংগীদমক্তি অব্রাৎপা লৈবম্দে, অদুদগী হেন্দোক্তুনা লন্ তুংশিন্বা ঙম্লম্মী, খাজনা থিবনচিংবা লুনা থোক্লম্দে। নোং তাদবা, কুম কাংবা নোং নুংশিৎনা, ঈশিং চাওবনা মাংহন্ তাক্হন্বা থোক্তুনা ফৌথোক্ চাগোক্ ফত্তবা মতম্দা লৈপাক্না শকক্ যাদুনা তেংবাংবিবম্মী। থবক ফংদবা হাযবা ব্রাফম লৈতে, হুরান্ চিঙ্খি বাগোক্ লাম্হোক্ তোইবম্দে, প্রজাশিংনা ইংনা চীক্না পান্বা ঙম্লম্মই। শা শল্ মনাং কাইনা লোইনবমই, ঙা চাক, শঙ্গোম্, উহৈ ব্রাহৈ, মনা মশিং মবাং কাইনা হেংংনা ফংলম্মই। ধম্মগী ব্রাখল্ খন্নবমই, থক্সি খাসি নাইনবম্মী, ফত্তবা শাজৎ যু থক্পা, শা চাবনচিংবা তৌনবমদে। পুম্নমক্কী মথক্তা কাংলুপকী ওইবা গুন্শিং খুদম্ ওইনা পুন্না মপু ওইমিন্নবা, শকক যামিন্নবা অদুগা অমতা ওইবা অসিনচিংবা লৈবম্মই। নুংশিনবা, থম্মোয তিন্নবগী ব্রাখল্ লৈবম্মী। অঙম্বশিংনসু মথৌদা পুক্লিং চংনা প্রজাবু লুনা খন্না থবক্ তৌবম্মী, মীযাম্নসু অসিগুম্বা অঙম্বা ফম্নাইববু ইকাই খুম্নবম্মী, লুনা কিনা চৎলম্মই।

(খ) মণিপুরদা তম্পাক্কী লমদা হৌজিক ফাওবদা চৎনবিবা থাইনগী পঞ্চাযতকী মওং :

পঞ্চাযত হাযবা খুঙ্গংগী কাউন্সিল (মীপুন্) অসি মণিপুরদা অনৌবা অমা নত্তে মসি মওং অমদা নত্রগা অমদা থাইনদগী চৎনদুনা লাক্খি। খুঙ্গং খুদিংমক বিপব্লিক অমগা মওংদা ঙাকলোন অসি গনতন্ত্রগী পাথাপ্ যাওনা লৈবম্মী। হান্নগী পবিং চথবকখিবা পঞ্চাযতকী মওং (ট্রেদিসনেল ফোর্ম ওফ পঞ্চাযত) অসি হৌজিক ফাওবদা মণিপুর তম্পাক্কী চীংখোং চীংযাদা, মযোন্ ওইবিবা মফমদগী তোঙান্না তাদুনা লোইলম্গি খুঙ্গংশিংদা ফংই। ইশামক্তা থিজিন হুমজিন্জক্কবদা খুঙ্গংশিং শবদগী ফংবা মতুং ইন্না লোইশঙ অসিগী মওং, শক্তি, মথৌ, ঙাকলোন মওং অদু মখাদা ফোংদোকচবি। হাযবিবা লোইশঙ মওং অসিবু খুল লোইশঙ ওইনা 'খাংজেং' হাযনা কৌই।

১। ফযেং খুলদা ফংবা (পঞ্চাযত) খাংজেংগী মওং - পঞ্চাযত (খুল্ লোইশঙ) অসি খাংজেং হাযনা কৌই। খুল অসি শকগী চহী ১৫২৯ দা হায়বদি ইং কুমজা ১৪৫১ দা নিংথৌ খাগেম্বনা মণিপুরদা পান্বা মতমদা খুন্দাখিবনি হায়, থোংবম্ মংশানা চৈথাবা কুম্নি। খাংজেংগী ঙাকলোন অসি মেম্বর মীওই কযামুক্তা মখাগী অসুম্না থবক পুই।

অহানবদা 'খুল্লাক্পা' হায়বসিনি, মহাক অসি খুল্‌না যাবা মতুং ইন্না নিংথৌনা হাপ্‌ই। মহাক্কা খুল্‌ অমসুং নিংথৌবু তেংবাংই। [illegible]থংদা 'লুপলাক্পা' হায়বসিসু নিংথৌনা হাপ্‌ই অ[illegible] গা মনা খুল্লাক্পুবু মতেং পাংই। অ[illegible] শুবদা 'তেলেই হঞ্জবা' হায়বসিনা ধর্ম্মগী [illegible]ক্ পুই – লাই হবাওবা (মেনাথাদ), লাইশা [illegible]নবা অদুগা পোই তানবা ([illegible] ইবেল্ লম্‌দাদা) পুথিবা খুবম্বা (হি[illegible]ঙ্গদা) [illegible]গী থবক [illegible]ৌই, অদুগা পকৈগী [illegible]থবকস[illegible]। মরিশুবদা 'তে[illegible]' নি মহাক্না [illegible]লোই হঞ্জববু লাইদা কৎন[illegible] [illegible]নবা অদুগা [illegible]খাই ফাবদা [illegible]। মঙাশুব[illegible] [illegible]নিনা [illegible] [illegible]গী থবক [illegible]ৌই, মসবু খবি যুপান্ থাবা হায়না খংনে, লাইশঙগা ফমেন্ (যেৎ থংবা [illegible] [illegible]দু[illegible] মাংশোক (ওই থংবা শকক্) তা যু[illegible]বা চৎনৈ। তরুকশুবদা 'খুঞ্জা হঞ্জবা' [illegible]ন, মহা[illegible] [illegible]পানববু তেংবাংই, যু অ[illegible] [illegible]লেন লাক্পা, খুঞ্জাবা, লাইনিংথৌ, [illegible], ফঙ্গ [illegible], থোংঙাবেল, ([illegible] গী [illegible]) অসিনচি বদা হৈগান। [illegible]শুবদ [illegible] লাবপ [illegible]ক্রগা হিজং [illegible]। মসিগী ফম্নাইবা [illegible]সিনা য়াথং [illegible]পবা, [illegible]বক তৌনবা মী থোম্বগী থবক্ [illegible], [illegible]শামকপ[illegible] থবক্ [illegible] [illegible]কাব্ই, [illegible]। নিপালশুব[illegible] '[illegible] লাক্পা' [illegible] ফম্নাইব অ[illegible]নি। মহাক্না [illegible]গী নৌচা অ[illegible]পান্নে, লৌমশি[illegible] [illegible]শিন্দোক্ই [illegible]পাৎ চৈ, মৈথানব শী[illegible], [illegible], চ্যু, [illegible] আসনচিংব শেল ওইববস [illegible]ং ওই[illegible]বসু থাইগৎলি। মাপনশুবদা 'লৌমা হিদ[illegible]' হায়বা ফম্নাইব অসিনি, মহাক্কী থবক্তি লৌমী লাক্পবু তেংবাংবনি। তরাশুবদা 'পাখংলাক্পা' নি, মহাক অসি পাখং পুন্নমক্কী মকোক্তি, পাখংশিংদা থৌদাবা অদুগা মথৌ পিবগী থবক্ তৌই। তরামাথোইশুবদা 'নহা লাক্পা' হায়বা অসিনি মহাক্না নহা অমসুং নুপীশিংগী মকোক্তি অদুনা মাখোয়দা থৌদাবা, মথৌ শিন্দোক্পগী থবক্ তৌই। খুল্‌গী সভা, এসেম্বলি ফম্বা মতম্‌দা ফম্‌ফম্ শিন্দোক্ই। তাবানিথোইশুবদা 'শগোল হঞ্জবা' হায়বসিনা শগোল্‌গা মরিলৈনবা থবক্ পুই। তরাহুমদোইশুবদা 'শেলুংবা' হায়বা অসিনি, মহাক্না শেল্ থুম্ পানবা, খোমজিন্‌বগী থবক্ তৌই।

মথক্কী ফম্নাইবশিং অসি মীয়াম্ মবক্তগী খল্লি মসি তৌবদা খুল্‌দা লৈবা শাগে শিংগী মীহুৎ শুনা য়াওহল্লি মমৈথংদদি মাখোয় অসি নিংথৌনা খুন্‌মীগী অযাবগা লোইননা খন্‌বা চৎনম্লে; হুবান্‌বনচিংবা অবান্‌বা তৌবা মতম্‌দা লৌথোক্ই।

খাংজেংগী থবক :– খাংজেং অসিনা ঙাক্লোন (এদমিনিষ্ট্রেসন্) চাওখৎ থৌরম্ (ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্), বিচার (জুদিসিয়ারি) অমসুং ধর্ম্মগী থবক্ পাইখৎলি, বিচারগী মতাংদা খাংজেং অসিনা ব্রাথোক্ মচাদগীনা চাংব্রাংবা ব্রাথোক্ লম্ছোক্কী (অকক্ক বা লৈতনা) বিচার তৌই। ব্রাকোংবগী (জবিগী) মওংদা শেল্ ওইনা নত্রগা পোং ওইনা লৌবা ঙম্লম্ই। অথিংবা লৈগদবা লুহোংবগী মতাংদদি মাখোয়না লুপা ৫০০ ফাওবা

ৱাকোংহন্‌বা ঙমই । নুপী খাইনবা মতম্‌দা নুপা অদুনা চহীগী ফৌপোৎ ১২ নত্ত্রগা চহী খুদিংগী লুপা ৫০গী চাংদা চহী ৩ গীদমক্ চাক্‌থাক্ ওইনা পিবা তাই । খাইনদবা চেন্‌বা নুপীগীদমক্ মমল্ হন্‌বা হায়দুনা লুপা ৫০ পিবা তাই, নুপী চেন্‌বদা লুপা ২৫ পিগনি । খাংজেংগী থবক্ থৌবম্ কয়াদা নিংথৌনা খুৎ থিংজিন্দনা মতোমতবু মনিংতম্না থোইদোক্ হেন্দোক্লা ধর্ম্মগী চৎনবী আইনদা থাদোক্‌ই । খুল অসিগী খুল্লাক্‌পনা নহাক্‌প পানাগী ওইনা নিংথৌগী কাক তান্‌বগী কুম্মৈদা ফিবাল্ পাইবম্মী ।

ইং ১৯৮৬ তা ফয়েং খুল্‌গী ফম্নাইবা ওইবম্বা মীশিংদি:- খুল্লাক্‌পা – শ্রী অঙোম্ মঙ্গী, লুপ্‌লাক্‌পা শ্রী অঙোম মুক্তা, তেলোই হঞ্জবা শ্রী অঙোম্ মেবা, তেলোই হিদং শ্রী অঙোম সোমোব সিংহ, য়ু পান্‌বা শ্রী অঙোম্ হেবা, খুঞ্জা হঞ্জবা শ্রী নিংথৌজম মংলেম্‌জাও, হিজং লাক্‌পা শ্রী অঙোম্ তোম্বা, লৌমী লাকপা শ্রী অঙোম মেবা, পাখংলাক্‌পা শ্রী নিংথৌজম্ তোম্বুং, নহাবাক্‌পা শ্রী অঙোম্ চেতোন্, শগোল্ হঞ্জবা শ্রী নিংথৌজম ইঙোমচা অসিনি । খুল্ অসিদা লৈবা শাগৈদি মক ওইনা অঙোম্, নিংথৌজম্ অমসুং থিঙ্গোম্ নি ।

মথক্কী ৱাফম অসি অইবা ইশামক্লা শ্রী কেঃ কাশি সিংহ এক্সটেন্সন্ অফিসাবনা লম্‌জিংদুনা চৎমিন্নবগা খুল্‌গী খুল্লাক্‌পা শ্রী অঙোম্ মঙ্গী সিংহ নচিংবগা উনদুনা মখোযদগী তাং ১০।৩।১৯৮৬ তা খোম্‌জিন্‌জর্বনি ।

২/ ***লৈমরাম্ খুল্‌দা ফংবা খাংজেংগী মওং :-*** খাংজেং শাগৎপগী মওং , মথৌ, থবক অসিনচিংবা পুন্নমক অসি মথক্তা পন্‌খ্রিব ফযেং খুলগীগা অযাম্বনা মান্নে । থবক পুবা ফম্নাইবশিং অসি শাগৈশিংদগী খল্লমই, মমৈদদি মখোই অসি নিংথৌনা হাপ্‌খ্রে । লৈমবাম্‌দা 'পিবা'গী ফম্ লৈ, মহাক্লা লাই লাংপগী থবক্ তৌই । খুল্লাক্‌পা লুপলাক্‌পনচিংবনা লাইগী থবক্তা খুদোং চাবা লৌবা যাদে . খুঞ্জা হন্‌বনা থৌদোক্ খুদি দা মী তীন্নবা কৌই অদুগা তঙাই ফদনা লম্‌তাক্ লমজিং পি । য়ু পান্‌বনা মফম্ খবদা য়ু হৈবগী থবক্ তৌই মদুদি লোইশঙ (খাংজেং) লাইবেম্বী, পুংখোং (অচৌবা পুং অনিখক্ থাংগৎনবা উচুক্ মবি য়ুংবা অদুগী মখোং) গুক অহুম্(মঙাং , লুৱাং, খুমন), মৈফম্ শঙলেন্ মপু খুল্লাক্‌পা (ফমেন্‌দা)লুপলাক্‌পা (মাংশোক্‌তা) অদুগা খ্বাইদগী অহল ওইবা অমদা নত্ত্রগা মী অহুম্‌দগী মঙা ফাওবদা য়ু লাপ্লে । লাই হবাওবগী অহান্‌বা নুমিৎ তা লাইশিংদা মৈবেন্‌পুংদা কৎলি।

বিচাবগী থবক্– খাংজেং অসিনা নুপা নুপী খাইনবদা নুপা অদুনা চাকথাক

ওইনা নুমীদা চহীগী ওইনা লুপা ১২ চহী অহুমগী ওইনা পিহল্লি। নুপা লৈবা নুপী অমা খাইনদনা অতোপ্পা নুপা অমনা লৌবা তারবদি অনিশুবা নুপা অদুনা অহানবা নুপাদা লুপা ২৫ পিবা তাই। অরানবা তৌবমী অমদা লিচৈ লিথুপ্ অমদগী মঙা ফাওবনা মীয়াম্ তিন্‌ফম্ অমদা মীয়াম্ মমাংদা শাদ্রাং শাংনা হিপ্‌হল্লগা ফুবা চৎনৈ। ফুরবা মফম্ অদুবু 'অরানফম্' হায়না খংনৈ।

খুল্‌গী খুল্লাকপনচিংবনা নিংথৌগা লোইনবদা দোলাই তোংই। খুল্ল কপা অমসু লুপ্‌লাকপবু তেংবাংনবা 'শোই' হায়দুনা নহা খরা থম্মই। নিংথৌগী চৈথাবগী থবক্ তৌনবা লৈমরামদগীসু মী খল্লি। ফম্নাইবশিং অসিবুদি নিংথৌনা হাপ্পি। মখোইনা খুল্‌গী থবক্ পুম্নমক্ পুই, মদুগীদমক্ পৈশা নক্রগা পোৎ খাইগৎনগনি। পৈশাগাদবা চাংদি লুপ্‌লাকপনা লেপ্পি, খাইগৎলকতবা তারবাদি রামৎপা হায়দুনা মরল্- মথুম্ মৎলি।

মথক্কী রাফমশিং অসি ২০।৩।১৯৮৬ তা অইবনা শ্রী ডব্লিয়ু ইবুংঙো ইঃ ওঃ ইন্-চার্জ অমসুং শ্রী নন্দেশ্বর পঞ্চায়ত সেক্রেটারি (বিষ্ণুপুর ব্লোক্ পঞ্চায়ত সমিতি) অনিনা লমজিংলগা শ্রী লৈচোনবম্ ইবোচা কৌবা লৈরাম ময়াই লৈকাইদা লৈবা ফম্নাইবা অমদগি তাজরকপনি।

৩। **খুরখুল্ খুল্‌গী (পঞ্চায়ত) খাংজেংগী মওং** – খুরখুল্ খাংজেংদা ফম্নাইবা শেন্না, মখোইগী মথৌ, থবক্ তৌবগী মওং অসি মথক্কী খুলশিংগীগা অদুম্ মান্নে। খরা ওকপা মওং অমদি লাইগী থবক্ তৌবা মতমদা পাখংলাকপনা কোম্ অমা তৌই। অদুগা মাদুদা অশেংবা ঈশিং চন্‌শিল্লি, তিল্‌কাংনা থন্না লৈবক্তই ; লাইগী থবক্কীদমক্ মফম্ অসিদগী ঈশিং লৌদুনা শিজিন্নৈ। কনাগুম্বা মী অমনা মসিগী ঈশিং অসি শোক্‌লুবা, থেংলুবা তারবদি মহাক্কী মশাদা, উপশোদা অপাৎপনা নাগনি (মসি থাজনবনি) অদুবু মসিগী ঈশিং অসি লৌদুনা শিজিন্নরিবা পাখং লাকপদি অপাৎপনা শোক্তে। নহারাকপনা ফক্ থাবা, ফম্‌ফম্ পিবগী থবক্ তৌই। য়াম্না থোইদোক্ হেন্দোক্না চাওবা পুং অমখক্ লৈ, মসি উচুক্ মরিগী মথক্তা থন্মী, লৌমী লাকপনা পুং অসিবু শেন্নৈ ; থবক্ অসি পুববু 'পুং কোকপা' হায়না খংনৈ –য়াম্না পাম্ব থবক্কি মসি ফংনবগীদমক্ লৌমী লাকপা ওইবদা শেল্ য়াম্না তিংনৈ। দণ্ডি পিবদা পুংখোং অসিদা লি-চৈ লিথুপ্না ফুবা চৎনৈ। করিগুম্বা কান্দা মপান্দা মীয়াম্ মমাংদা ফুবসু তৌই ; তীন্নবিদবা ইথোকপা অসিসু দণ্ডিগী মওং অমা ওইহল্লম্মই।

থম্মগী থবক্ – লাইগী থবক্ পাংথোকপা অসি য়াম্না মরুওইবনি। খুঙ্গাশিংনা ইচুম্ (ইশুপ্) লাইরেম্বী, লোইননা লাইরেম্বা লাৎলি, লাই রেম্বীনা য়েৎতা অদুগা লাইরেম্বনা ওইদা লৈ। অসিদা নত্তনা কৌবু, কৌনু, লোয়ালাকপা, থৌদা নুংগ্রেল্ লৈমা, ঈশিং চইবা, মরাম্ থিম্বাং ওনবী লাৎনৈ। লাই পণ্ডিত অমনা লাই হুৎ লোন্ তক্নই, পণ্ডিত অসিনা মী মীনা কংলিবা পোৎতা তইরেল্ মনা মুচ্ম্ খিক্কনি।

খাংজেংনা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ পাইখৎলি, লম্ য়েঙ্গোক্পগী থবকসু তৌই। খুবখুল্দা কবুংচাক্ থাদুনা তিল্ যেক্লগা কবুং, মুগা পুথোক্পা অসি মীযাম্গী অচৌবা শিন্ফম্, শেল্ তান্নবগী লম্বী ওই। নিংথৌদা লোইপোং কাবদা কবুং মুগা ওইনা পি। পুন্না হোংনমিন্নদুনা লন্নাই থবক্ ফাওবদা পাংথোক্মিন্নবা চংনৈ, য়ুম্ শাবা ফাওবদা মযাম চংদুনা লোইশিল্লি।

খুরখুল খুল্গী মরম্দা খরদং:- খুবখুল্ হাযবিবা খুল অসি কিযাম্ব মহাবাজগী মতম্দা খুন্দাবনি, হৌজিক্ য়ুম্ ৬০০ লোম্ লৈ। মাখোইনদি মখোইগী মীশিং অসি লাইখুল্ (কোম্) অমদগী থোক্লক্পনি হাযজে। মসিদা মক ওইনা লৌবিবা য়ুম্নাক্ (শাগৈ) দি ঙাংবম্, হৈখাম্, ফুর্বংশাবম্নি ; চাওবাক্লা য়ুন্নাক্ ১৬ লোম্ লৈ।

সমাজগী চংনবী খন্না :- লুহোংবা - হায়না শিংনদুনা লুহোংবা অসি চংনৈ, যানননা মতুংদা যাথং থাবা তৌনৈ ; মসিদা য়ু, চুকটুর্নচিংবা যেল্লি। বাবোইপোং পুবদা ঙম্ম য়েল্লি অদুগা হৈজিংপোংতা য়ুমথোং খুদিংগী লফোই যেল্লি। লুহোংবদা শিংজু, ওক্, শা, যেন, ঙা, কবোক্ পিজবা চংনৈ। অপোক - অশাংবা চহাও, ঙা অকংবা, যেকম হাপ্নৈ। চেল্লগা য়ুম্বানবদা লৌখৎপগী থৌবম্ পাংথোক্ই। লুহোংদ্রিবা নুপী চেনবা তাববদি লুপা ২৫ চেন্বগী দণ্ড তৌই, লুহোংলবা খাইনদবা নুপী চেনবা তাববাদ অকোন্বগী নুপানা লুপা ৫০ মমল্ হন্বগী মওংদা পিবা তাই। খাইনববা তুংদা নুপান নুপীদা চাক্থাক্ ওইননবা অহান্বা চহীদা ফৌপোং ১২, অনিশুবা চহীদা ফৌপোং ৬ অদুগা অহুম্শুবা চহীদা ফৌপোং ৩ চহী অহুমগী ওইনা পিবা তাই।

পোক্পগী থৌবম্ - অঙাং অমা পোকপা মতুং নুমিৎ ৫নি শুবদা ফংক্লুক্ য়ুফম্ হাযদুনা পাংথোকই, মসিদা থোংজিলদা খুবম্মী, ফৌথাং চেংথাং হাপ্ই।

শিবগী থৌবম শিবা মতুং নুমিৎ ৩নি শুবদা যমশেংবা তৌই। হাইদোকপা, শংদোক্পা হাযদুনা থোংফমদা খোইদৌ নিঙোল মবাগাদমা ও মাগী শকক ওইনা চাক থাই।

কির্তোন তৌবা - শিখিবা মাগী মপোক্ নুমিৎ ৩ না হুগা অফবা নুমিত্তা কিতোন্ তৌবা চংনৈ, পাম্নৈ। কির্তোন (কৃতন) তৌদ্রিঙৈদা অপোক্পদা চাক ইনছাং থাদোক্ই, কংলি। কিতোন নুমিৎ ৩নি মমাংদা (মথৌগী তৌবগী মমাংদা) অসি অমন্ তৌবা হায়দুনা লাইনিংথৌ, লৈমবেল্ দা অঙৌবা লৈ কংলি - লাই শোল্ শোল্লি। কির্তোনগী মমাংগী অহিংদা ফুংৌবা হাযদুনা তৌই মসিদা ফমফম্ মথং মথং থাবক্পদা অশিবগী ফম্ফম্ চাকলুক্ থাবগা অপোক্পদা কংলি। কির্তোনদা ঙা, শা, ওক্ চাই, শিখিবা মীগী শকক্ মাগী ফমফম্ শেম্লগা খাক্ই লুক্ থাই ; মসিদা বাবি, পেনা ঈশৈনচিংবা

মীগী শকক্ মাগী ফম্‌ফম্ শেম্লগা থাক্‌ই লুক্ থাই ; মসিদা ব্রাবি, পেনা ঈশৈনচিংবা তৌই । শৈজ্যা অদুগা পোৎ-চৈ কযা মাগী মকপ্ মপাং মবি মতাদা কৎথোক্নৈ । তপোনি তৌবা মতম্‌দসু অশিবা পুম্নমকী শকক্ থুংনৈ । অসুম্না কর্ম্ম ,কির্তোন, মথৌ -মওম্ তৌবা, পাংথোক্‌পা হায়না চৎনৈ । ইং ১৯৮৬ তা ফম্নাইবা ওইবর্ম্নশিং :- খুল্লাক্‌পা—শ্রীপুয়াম্ কোকন্, লুপ্‌লাক্‌পা শ্রী হৈখাম তোমচৌ, খুঞ্জা হন্‌বা শ্রী হৈখাম জল, যুপান্‌বা শ্রী ইকুংবম যুগোল্, পাখংলাক্‌পা শ্রী ফুবিৎশাবম শ্যামা, নহালাক্‌পা শ্রী ঙাংবম্ গৌবসিংহ , লৌমীথং (হিদং) —শ্রী ঙাংবম লৈকোল্ অসিনি ।

খুবখুলগী খাংজেংগী মথক্কী ব্রাফমশিং অসি ২১।৩।১৯৮৬ তা অইবনা শ্রী কোনসম কাশি (ইঃ ওঃ) ইম্ফাল্ ৱেস্ত ব্রান ব্লোক পঞ্চায়ত সমিতিগা লোইনজদুনা খুল্ অসিদা চৎলগা মতম অদুগী মণিপুবগী পার্লিযামেন্টবি সেক্রেটবি ওইবা ইকাই খুম্নফম্ ওইবা শ্রী লৈবিজাও সিংহ অদুগা খুলগী প্রধান্ অমদি খাংজেংগী ফম্নাইবা খবগা পুন্না উনজদুনা ব্রাবি শানবদগী ফংজবকপনি ।

মথক্কী খুলশিং অসিদা চৎনবিবা মহৌশাগী পাথাপ চৎনবী, হৌনবী অযাম্বনা মান্নৈ, চাবৌ-মৌবৌনবা মশেলনি, অমদা চৎনবা অদু অতৈগীসু অযাম্বনা চৎনবিনি । পুম্নমক্ অসি ঙাক্লা চাবোল-শুবোল্ ফাওদুনা চৎথবক্‌পনা হৌজিক্ ফাওবদা চৎনবা ওইনা পুথবক্লি ; চৎনবীগী মবিদা ব্রাযেল্ থৌদা তৌবি, ধর্ম্মগী থাজবগী থবক্‌সু অদুম্ চৎনবি । অনৌবা মওংগী পঞ্চাযত লাক্লবদসু খাংজেংগী ব্রাখল্‌দি খুলগী ওইনা মওং অমদদি লৈবি । মসি তম্পাক্কী ময়োল্‌দা চৎনবম্বা পাথাপ্ অদুমক্লি; মযোল্‌দা মাংথশ্রবদা মতাইদা চৎনদুনা লৈহৌবনি । মণিপুব তম্পাক্কী ময়োন্দা নিংথৌনা শুপচিল্লক্‌লবদা খাংজেং মবাই চাইথবক্কুনা লুপ্ শেম্‌লগা নিংথৌগা তাইনবা ওইগনি ; মতম্ অদু খুল্ ওইনা পান্‌বা ঙম্বা মতম্ ওইখিদ্রবনি ।

৪। মণিপুরদা খুন্দারিবা নেপালীশিংগী পঞ্চায়তকী মওং — মণিপুবদা খুন্দাবিবা নেপালী খুল্‌শিংদা চৎনবিবা থাইনগী পঞ্চাযতকী মওং খবসু খংবদা কান্নগনি । কালাপাহাবগী তুবিবাবি খুল্‌দগী ফংজবক্‌পা মওং খবদং মখাগী ব্রাবোল অসিনা ফোংদোক্লি । ব্রাবোলশিং অসি শ্রী কে : কাশি (ইঃওঃ) গা লোইননা ২১।৩।১৯৮৬ তা চৎলগা তুবিবাবিগী গাওবুবা পণ্ডিত দিব্রাকব অদুগা প্রধান কেদাবনাথ পাওদেল্‌নচিংবগা অইবগা উনবদগী ফংজবক্‌পনি ।

নেপালীশিংগী খুলগী সভা অসি গাওসভা কৌই । মসিদা গাওবুবানা মকোক্লি, মাগী মখাদা সদস্য হাযনা মেম্বব ৫/৬ নত্ত্রগা হেন্না পাক্‌চাওবগী

মতুংইন্না হেন্না লৈ, মখোই অসি পঞ্চনি । সভা অসিনা পুন্না শাসনগী, বিচাবগী ধর্ম্মগী অমদি চাওখৎ থৌবম্‌গী ওইনা খুল্‌গী য়াইফনবা থবক্ তৌই । মখোইগী সভা অসিনা

ইজৎ অমসুং শক্তি শিজিন্নবা ঙম্মই । পঞ্চ নত্তগা মেন্নব ওইবসি হান্নদি চাথাং শুথাং নাইবস্মী, মমৈদদি মতিক চাবা, থবক্ ঙম্না মীওই খনব চংনবক্লে । ধর্ম্মগী মন্দিদা ধর্ম্ম সভা (গাওলে সভা) লৈ. মখোইনা খন্ন নৈনবা , ব্রাম্পে্ থম্বা তৌই ।

বিচাবগী মাবদা – কেশতা খৎন-চৈনবা, নুপী নুপা খাইনবা , নুপী লোন্বা অসিনা তোইনা থোক্ই । কনাগুম্বা নুপা নুপী নিয়ম কাইনা তিন্নববদি লুহোংবদা চংখিবা মমলগী তঙ্খাই অমা সনা লুপা লৈতেং যাওনা লিশিং কয়া ওইববসু জবি তৌই । মদু সভাদা আই ওইনা কাই অদুগা অহান্বা নুপাদসু পিগনি । তোম্ববা থাক্রা জাৎ ওন্বা তাববদি লুপা ৬১ লৌই । নুপী খাইনবা মতমদা অঙাং লৈববদি থা ৭২ অঙাং অদু মমাগা লৈমিন্নগনি অদুগা অঙম্বা মতুং ইন্না চাক্ থাক্ পিগনি চহী ৬ কী মতুংদা অঙাং অদু মপানা লৌশনগনি ।

ফণ্ড খোম্বা – সভানা খাজনা লৌই । ইবোই অমদা চহীদা লুপা ২ ৫০, শল অমদা চহীদা লুপা ১.৫০ লৌই । অতৈ অতৈ জবিদগী ফংবা, লম্-তু খুলগী পোৎ যোন্বা, লন্ শিজিন্নহন্বদগী ফংবনা আই লাক্পগী মর্কনি । খাজনাগী শর্কক্তি সবকাবদা কাবমই । গাওবুবা অসিবু খুন্গী মীনা ইকাই খুম্নে, মাঙোন্দা সিধা হাযদুনা অখেনপোৎ পিনৈ । মহাক্রা অতৈগা লোইননা খন্নবগা মী অমবু মখোইগী খুলদগী চহী ১২ জিলা খাবিচ হাযদুনা তাম্থোক্পা ঙম্মই । দুগা পুজা গুম্বদা টিকা থাবা হাযদুনা চেং-থোইদিং কৎলি, গাওবুবানা লাইবক্তা চন্দন্ নমবী । লাইদা কৎপা শাগী মকোক্ অদু গাওবুবাদা কৎতুনা ইকাই খুম্নে । তুপী খাজনা হাযবা অমসু লৌবস্মী অদুগা শিক্ষা হাযদুনা চহী ২১ শুববা খুল্দা লৈদুনা যুম্লিংবশিংনা চহীদা লুপা ৫ গাওবুবাদা পিবা তাই । মহাক্রা যাবা মতৃং ইন্না খুলগী লম্ যেম্থোকই । কনাগুম্বা খুন্মী অমনা লম্ অদু থাদোক্পা তাববদি মমল অদু গাওবুবানা হন্দোক্ই ।

বৃটিশকা শম্নবা মতমদা গাওবুবা অসি সবকাব না হাপ্ই, থাগী ওইনা তলব লুপা ৩ ফংই । খুন্মীশিংগী মপোৎ-মচৈ নিলাম্ লাওবনচিংবা তৌদুনা নমদুনা লৌবশিং অদু সবকাবদা কাই গাওবুবাদগীদি মৎতে ।

(গ) চীংগী লমদা চৎনরম্বা পঞ্চায়তকী মওং – মণিপুবগী চীংগী লমদা জাতি কয়াগী অবিবা পাথাপ্কী পঞ্চায়তকী মওং চৎনবক্ই, হৌজিক্ ফাওবদা লৈবি । ইশানা খোর্মজিন্জকবা জাতি খবগী চৎনবী পঞ্চায়ত মওং খবা পিজবি ।

১। তাংখুল্ জাতিগী ওইবা পঞ্চায়তকী মওং – তাংখুল্ হায়বা জাৎ অসিগী খুল্গী ওইবা পঞ্চায়তকী মওং অসি তম্পাক্কী খাংজেং হায়বগুম্না 'হংঙ' হায়না খংনৈ । শ্বাইগী

মকোক খুল্লাক্‌পা অসি 'অউংঙ' কৌই, মহাক্কা হৌজিক্কী মতম্‌গী প্রেসিদেন্ট নত্ত্রগা চেয়াবমেন্‌নি। অতোপ্পা মেম্বরশিং অসিনা 'উংভ' হায়না কৌই। মাখোই অসি শাগে শাগেগী খ্বাইদগী চহী হন্বা মীনি। নুংঙাইবা ব্রাফম অমনা উংভ অসি মহাক্কী মচানুপা অহল্‌না লুহোংদুনা যুম্বাল্লগা তোঙান্না মনিং অম্না লৈত্রিবা ফাওবা লৈগনি, অদুগী মতুংদগীদি মচানা শিন্‌গনি; শিল্‌হন্দবা য়াদে। কাবিগুম্বা মচানুপা পোক্ত্রবদি শির্নবিনবা লৈত্রবদি মথং মকোক্ অমা থিবক্‌ই উংভ শিং অসি মৈতৈগী শাগেগী পিবাগুম্বনি। অসুম্না অউংঙ (খুল্লাক্‌পা) অদুগা উংভশিং অসিগী ফম্ অসি চাথাং শুথাং নাই। মহৌশানা তাংখুল্‌গী খুল্ অম্‌দা শাগে তবেৎ নিপাল্ লৈ অদুনা য়াম্লবদা উংভ মশিং অসি তবেৎ নিপাল ফাওবদি লৈ, অদুনা শাগে খুদিংমক্কী মীহুৎ হংঙদা য়াওই। কবিগুম্বদা খুল্ অদুদা শাগে অনি অহুম্‌তা লৈব' তাববদি শাগেশিংগী হেক মথংদা লৈবা মকোক্‌শিং পিবাগী ঙম্‌থং, খরা মীশিং য়াম্বা শাগেদগী লৌখৎলি; শগে শাগেগী মী লৌববনিনা মীখল্ তৌবা চংদে। যামদ্রবদা মী মঙাদ লৈ অদুনা মেম্বর মশিং অসি মঙাদগীনা তবেৎ নিপালদি লৈবা তাই। মসি য়াম্না গনতন্ত্রিক্ ওইবা পঞ্চায়তকী মওংনি বৃটিশনা হেক্ লাক্‌পগী মমাংদা উখ্রুল্‌দা খুল ৩০০ লোম্ লৈবম্মী, মাখোইগী পঞ্চায়ততা মেম্বর ২০ ফাওব' লৈখি।

ফম্নাইবশিংগী মথৌ — ফম্নাইবশিং হায়বদি অউংঙ অমদি উংভশিং অসিগী তোঙান্ তোঙানবা মথৌ লৈবমই। খুল্লাক্‌পগী মক ওইবা মথৌদি হংঙ তিন্ননবা কৌবা, থবক্ হৌদোক্‌পা অদুগা ব্রাবেপ্ খংহনবনি, অদুগা খ্বাইদগী মক ওইবা অমনা চৎনবাগী মতুংইন্না চহীগী ওইনা লবুক্তা মক হুন্‌বা অসি মহাক্না হৌদোকদবনি। শাগেগী মকোক পেবানা ওইবিবা মেম্বর উংভশিংগী তেপ্ তোপ্পা মথৌ লৈনবসু যাওই, মথৌ অসি 'মউন্' হায়দুনা খাইদোক্লে।

কনাগুম্বনা উমং ঙাকপা অমদি পামলৌ উবগী থবক্ পুই, মসিদি ওখ্নোক্লবা যাদে, মপা মেম্বরনা পুবম্বদ্ মচানা শিল্লগসু পুই। খবনা খুল্ ঙাকপা লান্ ফাওবা তৌবা, অদুগা মপাল্‌গী থৌনমপুবা যাওই; থবক অসিগীদমক্তি মতিক চাবা থবক্‌ঙম্বা মা ওই মেম্বরশিংগী মবক্তগী খন্নবগা হাপ্‌ই, হোংদোক্ হেংজিল্ তৌব' যাই। অতৈ অতৈ খুল্‌গী ওইব' থবক্তা মতম্ মতম্‌গী ওইবা থবক্তা পুন্না খন্নবগা খুল্‌না পাইখৎলি।

বিচাবগী মওং - তাংখুল্‌গী পঞ্চায়ত হংঙ অসিনা ব্রাথোক লাম্লোক্কী বিচাবসু অদুম তৌই। মসি অফোংবা দববাব 'হংঙ শীম্' হায়না খংনবা অসিদা তৌই। যাম্না নুংঙাইবা ব্রাফম অমনা ব্রাথোক্রবিবা কাংলুপ্‌কী মবি মতানচিংবা পুন্নমক মহাক মহাক্কী মীগীদমক্ বাঙাংবা শৌগৎপা, শাক্ষি পিবনচিংবা যাই অদুগা বিচাব তৌগদৌবিবা

মেম্বরশিংগীসু থিদুনা খংননবগী মতম্সু পি। দরবার আসদা মুন্না খন্নবগা মোত পিনদুনা খুল্লাক্‌পনা রাবেপ্ লৌই অদুগা লাওথোক্ই। মাসিগী মতুংদা অমুক্ খন্ননিংঙাই লৈরে অরোইবনি। মতৌ অসুম্না ফজনা 'মশানা তাজবা অচুম্বা' অমদি চৎন-পাথাপ্‌কী মতুংইন্না বিচাব তৌরম্মী।

থবক পুম্নমক্ পুন্না শুমিন্নে, লন্নাই যুম্ শাবা ফাওবা পাংনৈ। বিচাবদা শা, ঙার্নাচিংবা অদুগা যু, বাকোংবা চৎনৈ। বিচাব মতুংদা খুল্লাক্‌পদা শাগী মকোক কৎতুনা ইকাই খুম্নে।

মথক্কী রাফম্ অসি তাংখুল্ ইযাম্না শ্রী রাই.কে. সি স্রে দিউলালেঙুদা লৈবগী মফমদগী ১৪।১১।১৯৭৩ দা উনজবদা ফংজবনি।

২। **মাও জাতিগী ওইবা পঞ্চায়তকী মওং** – মাও জাতিগী খুঙ্গংগী কাউন্সল্ নত্রগা পঞ্চাযত অসি 'কোৎসু মৈ' কৌই। জাতি অসি হৌবক্‌পদা 'শিপ্রো', 'কাপিও', 'তোলিও' কৌবা মচিল্ মনাও অহুম লৈবম্মী। মখোই অসিদগী 'শিপফোমাই', 'কপেমাতা', 'তোলেপেমাতা' হায়বা শাগৈ অহুম্ থোক্‌খি হায। মযাম্ অসিনা মাও নত্রগা মেমাই হায়র্বাস ওইবে। অকোনবা অসিদগী 'পাওমী' হায়বা অমসু থোক্‌খি। মথক্কী শাগৈ অহুম অসিগী শাগৈ খুদিংদগী অমুক্ শাগৈ মচা ৬/৭ থোক্লখি, খুল্ খুদিংদা অসিগুম্বা শাগৈ ৬/৭ লোম্ অসি পুন্না তাই।

পঞ্চায়ত নত্রগা কোৎসুমৈগী মকোক্ অদুবু 'মোভো' হায়না কোই, চাথাং শুথাং নাই, মহাক্না খুল্গী মকোক্‌নি। মমৈদা মহাক্না গাওবুরাগী থবক্ তৌখি। অতে মেম্বরশিং অদুদি মথক্কী শাগৈ ৬/৭ অদুদগী চহী য়াম্না অমদি মতিক্ মগুণ্ লৈবা য়েংলগা খল্লি; য়াবমখৈ শাগৈ শুনা য়াওনবা হোৎনৈ, মেম্বরগী মশিং অকক্লবা লৈতে। মাও জাতিগী মনুংদা শাগৈ মচা অসি কাংলুপ্ অহুম্গী মশা ওইনা ১৮ ফাওবা লৈ, অদু ওইরবসু অয়াম্বা মতম্দা মেম্বর মশিংদি তরুক্ ফাওবা লৈনৈ, অহেন্‌বা হাপ্‌চিন্‌বসু য়াই।

কোৎসুমৈগী থবক্ – লোইশঙ অসিগী থবক্তি, পুন্না খন্ন-নৈনদুনা খুল্ ঙাকপা খুল্গী ফননবা থবক্ তৌবা লাইগী থবক্, হরাও তয়াম্বগী শিল-লাংবা, বিচারগী থবক্ পায়বা অসিনি। মী অয়াম্বগী লম্ লৈনৈ, লম্ লৈজদবা মীদা লম্ য়েম্থোক্ই, অদুগা খুল্গী লম্ শিজিন্নহল্লি। ফগুগীদমক্ পোৎ, পৈশা খাইগৎনৈ, জরি তৌবদগী নত্রগা রাকোংবদগী ফংবা অদুসু শিজিন্নৈ।

মথক্কী ব্রাফম্ অসি ২৩।১১।১৯৭৩ দা দিউলালেঙদগী শ্রী নেপুনি লেকচবব গা লোইননা শ্রী অশুলি উনজবদগী ব্রাবি শানজবদা ফংজরক্‌পনি ।

৩। **কবুই জাতিগী ওইবা পঞ্চায়তকী মওং** — কবুই জাতিগীসু ফজববা পঞ্চাযতকী মওং অসি লৈ । মখোইগী অসিগুম্বা খুঙ্গংগী ওইবা লোইশঙ অসিবু 'পৈ' হায়না কৌই । পঞ্চাযতকী য়ুম্ নত্রগা শঙ অদুবুনা 'পৈকাই' হায়, অদুনা পঞ্চায়তপু পৈ নত্ত্রগা পৈকাই হায়না খংনে । মসিদা মেম্বর ৫ লৈ মদুদি 'কুনবু' (হুম্পৌ), 'খুল্লাক্‌পা' (হুম্পৈ), 'লুপ্‌লাক্‌পা', 'মৈতৈ লম্বু' অমসুং 'চাংলোই' হায়বা অসিনি । খুনবু হাযবসি খুল্ অমা তাবা হৌবক্‌পদা ইহান চয়া খুন্দাবা নুপা অদ্‌নি, মহাক্তি য়াওদবা য়াদে । খুল্লাকপনা মকোক্‌নি, মহাক্না প্রেসিদেন্টস্পী ফম্ লৌই । লুপ্‌লাক্‌পনা কাংলুপ্‌কী মবি লৈনবা থবক্, মৈতৈ লম্বুনা মৈতৈগা মবি লৈনবা থবক অমদি মপাল্‌গী থবক্ থৌবম পুই অদুগা চাংলোইনা থবক থনা চেস্লোক্ চোশন্‌গী থবক্ তৌই । হান্নদি 'মুউ' অমসুং 'তেংকু' হাযদুনা মাইবা অমসুং ইবাং চবান্ থাবগী থবক পৃবা লৈবম্মী, মমৈদা লুপ্‌লাক্‌পা অমসুং মৈতৈ লম্বুনা শিনখ্রে হায । অসুম্না মাগী মাগী মথৌ খাইদোক্তুনা খুল্‌গী থবক্ মযাম্ অসি খুন্মীশিংগা লোযননা পাংথোক্‌মিন্নবম্ই । কবুই জাতিদা শাগে মবি লৈ মাখোই অদুদি —গোন্‌মৈ, কামৈ, গাংমৈ, অমসুং লোংমৈনি । মাখোইশিং অসি কবুই মনুংদা খাইদোক্লক্‌পনি । হান্না খুন্দাবা শাগে অদুদগী খ্বাইদগী অহল্ ওইবা নুপা অমনা খুনবু হায়বদি হুম্পৌ ওই, মসিদি চাথাং শুথাং নাইবসু যাওই । মথং শাগে অমগী মনুংদগী খ্বাইদগী চহী যাম্বা নুপা অমসু হুম্পৈ নত্রগা খুল্লাক্‌পা হাপ্পি । লেম্হৌবিবা ফম্‌শিংদদি শাগে যেংদ্রবসু অহল্ ওইবা মী অহুম্ হেক্তা খন্‌বা যাই, অদুনদি চহী য়াম্বা হাযবা অসিনা খ্বাইদগী মকওইবা গুণ নত্রগা মচার্কনি । খুনবুগা, খুল্লাক্‌পগদি ওইখি ওইখিবা শাগেনা অদুম্ পাযবা তাই কবুই খুল্ অমদা যামদ্রবদা শাগে অনি, অদুগা যাম্লবদা মবি ফাওবা লৈ ।

পৈগী থবক্ — পৈ অসিনা আইন্ শেম্বা, আইন্ চৎনহন্বা , চাওখৎ থৌবম্গী, ধর্ম্মগী হবাও কুম্মৈগী, লম্ য়েন্‌থোক্‌পগী থবক্ অসিনচিংবা তৌই । খ্বাইদগী মক ওইবনা ব্রাযেন্ তৌবা অসিনি । খুল্‌গী লম্ অসি শাগে শাগেগী ওইনা যেস্থোক্‌ই অদুগা পুন্না খুল্ ঙাক্‌পগী থবক্ তৌমিন্নে ।

পৈগী ফণ্ড — খুল্‌গী থবক্ তৌননবা শেল্ ওইনা, পোৎ ওইনা নত্রগা মশা থাংদোক্তুনা থবক্ ওইনা পুথোক্লে, থবক্ অযাম্বদা পুন্না পুন্না তৌমিন্নে । মপাল্‌গী ইথিল্ ইবাং লাক্‌পা নত্তনদি খুন্মীশিংনা ধর্ম্মগী হবাও কুম্মৈগী থবক্ তৌদুনা ইংনা, মবা তপ্না পান্‌বা ঙম্লম্মী ।

কবুইগী পঞ্চায়তকী মণ্ডং অসি ১০।১১।১৯৭৩ দা অইবগী মরুপ্ প্রোঃ মংথোই থাইমৈ মেজোবখুলদা লৈবগী মফম্দগী তাক্লবনি।

৪। **কোম্ জাতিগী ওইবা পঞ্চায়তকী মণ্ডং** — কোম্ জাতিগী ওইনা খুল্গী পঞ্চায়তকী মণ্ডংগী লোইশঙ অসি চপ্চাবা মমিং লৈতে অদুবু 'খো সবাং ইনতুপ্প' হায়বা যাই হায়না তাকপি। খো সবাং হায়বসি মেম্বর ফম্নাইববুনি লোইশঙ অসিদা খুল্লাকপা, লুপ্ লাক্পা, পাখং লাক্পা, নহালাকপা, মীতৈ লম্বু, শেলংবা হায়বনচিংবসি ফম্গী মমিংনি; খুল্লাক্পনা চেযাবমেন্ননি। কোম জাতি অসিনা মৈতৈগ নক্লদুনা লৈবনা চৎনবা অসি মৈতৈদগী লৌবানি, থোইদোক্লা কোম্গী ওইনদি ফম্গী মীং লৈতে হায়। মমিংশিং অসিনা মানা মানা পুগদৌবিবা থবক্ মণ্ডং অদু মৈতৈগীগা অদুম্ মান্নবে। জাতি অসিদা শাগৈ ৩বেৎ লৈ, ফম্নাইবা হাপ্লদা শাগৈশিং অসি যাবমখৈ যাওহল্লি। কোম্গী খুল খবদা খুল্লাকপা অসিদি চাথাং শুথাং নাই অদুগা অযাম্বা খুল্দদি খুল্লাক্পা, লুপ লাক্পনা চংবা অসি শাগৈ যেংদ্রবসু মতিক্ চাবা, মগুণ্ লৈবা মী ৫ই খল্লগা হাপ্পি।

ফম্নাইবশিংগী থবক্ — মতম্ মতম্গী ওইনা খুল্লাক্পনা খুন্দিন্ননবা কৌই। মদুদা খুল্ ঙাকপা চাওখৎ যৌবম্ পাইখৎপা, চৎনবী ঙাক্লবা হোৎনবা, ধর্ম্মগী অর্মদি হবাও কুম্মৈগী থবক্ পুন্না হোৎনদুনা পাংথোক্ই। থোইদোক্ হেন্দোক্লা ব্রাথোক্ লাম্থোক্কী ব্রায়েন্ বিচাব তৌই। মখল্ মখাগী খৎনবগী ফুন চৈনবগী, নুপী নুপা খাইনবগী অসিনচিংবা মীহাৎপা ফাওবগী যাওনা খুল্গী কাউন্সিল্ অসিনা হৌনবী চৎনবী মতুং ইন্না লোইথোক্ই। খুল্লাক্পবু মকোক্ ওইর্বনি হায়না লুনা খল্লে, অদুম্ ওইনমক্ মহাক্না অকন্বা শক্তি শিজিন্নবা ঙম্দে। মেম্বরশিং অসিগী ফম্সু হোংদোক্ হোংজিল্ তৌবা যাই। খুল্লাক্পসু ওইজবা ফংদে, মাখোইদা ইকাই খুম্নবগী মণ্ডংদা শা মকোক্ কৎপা, মাদু চাবা অদুগুম্বদি চৎনৈ।

লনথুম্ অমসুং লম্ শিজিন্নবা — খুল্গী লম্ পুম্নমক্ অপুন্বগীনি, খুল্লাক্পা মথন্তগী নত্তে পুন্না শিজিন্নৈ, যেন্থোক্ই। কাবক্পা থোক্লক্পা পুম্নমক্ মযাম্গী ওই। কবিগুম্বা মতম্দা মতাং লাক্লবদি শেল্ পোৎ পাঙ্গল খাইগৎ নৈ, পুথোক্লে অদুগা অপুনবগী থবক্ তৌই। খুল্গী অপুন্বা হবাও কুম্মৈদা, ধর্ম্মগী থবক্তা সবকাবগী ব্রায়েন্শঙদা কেশ চৎপদসু শিজিন্নৈ।

কোম্গী পঞ্চায়তকী মণ্ডং অসি ইপা শক্লবা মণিপুবগী মিনিস্টর ওইবিবম্বা ইকাই খুম্নজববা শ্রী তেব কিলোং না ১১।১১।১৯৭৩ দা তাকপিবম্বনি।

৫। কুকি জাতিগী ওইবা পঞ্চায়তকী মণ্ডং :- কুকি জাতি অসি পৌনা মৈতৈশিংনা খোংজাই হায়না খৎনবা কাংলুপ্নি। জাতি অসিগী মনুংদা অমুক্ তোঙান্ তোঙান্বা মমিংগী মখাদা কাংলুপ্ মচা মচা কয়া থোক্লা খাইদোক্ত্রি। জাতি অসিগী অয়াম্বা শকক্তি মতম্

চুম্লগী ওইনা মফম্ অমদা খুন্দাদবা, মফম্ অমদগী অমদা খুলহোংবা অসি তৌই । যুম্ খনা খবাক্তগী ওইনা খুল্ মচা মচা মফম্ অয়াম্বদা চাইনা তাবা উই । পঞ্চায়তকী মওংসু মমিং অমতগী ওইনা ফংলোই অদুবু পৌনা সাধাবন্ ওইনা 'সেমাং পাচোং' হায়না কৌবা যাই । খুল্গী খুল্লাক্পা নত্তুগা নিংথৌনা মকোক্নি । মাখোইগী পঞ্চায়তসু অতে অতে জাতিগীগুম্না মওং অমদা খুল্গী ওইনা থবক্ তৌই ।

অসুম্ তাবগী মতুং ইন্না কাংলুপ্ খবগীদি চাওখৎ থৌবম্ অদুগা খুলগী অতৈ থবক্ কযাদা নহাবোল্শিংগী অপুনবা এসেম্ব্লি অমনা অচৌবা থৌদাং লৌই । হায়বিবা খুল্গী নহাবোল্গী এসেম্ব্লি অসিবু 'সোম্' কৌই । মসিগী মকোক ওইবশিংবু 'ভাল উপ' হায়না খংনৈ, খুলগী থবক্তা কাংলুপ অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌই ।

৬। **চাংগী পঞ্চায়ত মওংগী মাম্নবা ফিভম্ – পঞ্চায়ত কুম্না খুল্গী কাউন্সিল্ (মীপুন) শাবদা চংবা ফম্লাইবশিং অসিগী গুণ্ নত্তুগা মচাকাংত শাগৈ, চহী, মতিক্-মগুণ্, চাথাং-শুথাং অসিনাচংবদা যুম্ফম্ ওই । ফম্লাইবগী মশিংদি, অযাম্বা মফম্দা শাগৈ অমাদ শাগৈ মচা ৭লবগী মগুং শল্লি ।**

খুলগী কাউন্সিলগী থবক – লৈঙাব-লোন্, খুল ঙাক্পা শেন্না, চাওখৎ থৌবম্ পুখ পা, ধর্ম্মগী অমাদ চৎনবীগী থবক পাংথোকপা– পুম্নমক্কী মথক্তা বাযেন্-বিচার তৌবা অসিনা... ।

শেলথোক্ পোংথোক - খুলগী থবক্তা শিজিন্নবা শেল্, পোং, পাঙ্গল্, ... । লম্, উমংনাচংবগী পোংথোক যোন্বদগীসু ফংই, মদু খুল্গী ওইনা থল্লগা অপুনবগী ধর্ম্মগা উবব, হনাও কুম্মৈ মদগা অতে অতে খুলগী ওইনা থবক্তা শিজিনৈ ।

মচনবী ওইনা বিচারগী বাকোংবদা য, শাগী মকোক্ কংলক্পা অদু ফম্লাইনাশিংনা থবক্ অমসুং চাই । অাদদগী তেন্বা ওইজবা যংদে । কনাগুম্বনা শা তানবদা ফাবন্সো শাগ মকোক অমসুং মতাং অদু নিংথৌ নত্তুগা খুল্লাক্পদা কৎনা ইকাই খুম্নৈ ।

অসিগুম্বা খুলগী কাউন্সিলাশিং অসিনা ফজনা খুনমাশিংবু পেলহনবা ৬ন্না ইতং অমসুং অযাবা ফংনা থবক্ পাংথোক্লম্মী । অওইবমকসু খুল অমমম অসি নৈপাক অমাদ বিপাক্লব্ অমমম্ ওইনা অসিন তম্না পাল্লম্বনি । লানগুম্বা শিংনবক্পা নত্তুনা মপাদগী মবক্ থংপা যেংশল্লকপা লৈতনা ইংনা, অবাং-অপা যাওদনা মবা ওপ্না পাল্লমই । মসিমক্ গান্ধীজীনা পাম্লম্বা মখলগী পঞ্চায়ত অদুনি ।

(ঘ) *বৃটিশনা পাল্লিউৈদা ওইরম্বা মণিপুরগী পঞ্চায়তগী মওং–*

হৌজিক্কী মতম্গী পঞ্চায়ত অসি হৌদোক্লিউৈদা বৃটিশ শাসন্গী মতম্দা শালিস পঞ্চায়ত হায়না কৌবা । বিচাব তৌনবগীতা ওইবা পঞ্চায়ত মখল্ অমা মণিপুবগী

তম্পাক্কী লমদা চৎনবম্ৰই। অসিগুম্বা পঞ্চায়ত ১৪ খক ইং ১৯০৩দগী লিংখৎখি অদুগা ইং ১৯৫৫ দা থুপ্ৰচিনখ্রে ; মসি মতম্ অদুগী থানা অমমম্মা কোন্বা লম্দা থমখিবনি। সিভিল, ক্রিমিনেল্ গী ওইবা কেশ মচা মচা কয়ামকম্দি মথক্কী ৱাযেল্শংদা চত্তনা লোইশিন্বা ঙম্নমই। মসিগী মেম্বর মীখল্ তৌদুনা হাপ্লম্মী মীবেপ্ খুদিংগী ওইবা মীশিংনা পবেং লেংদুনা লেপ্লগা মশিং থিবদা অহেন্বশিং খন্দুনা হাপ্লি। মাসিগী পঞ্চায়ত মওং অসিবু যাম্না কিন্না চৎনবম্মী, মেম্বরশিংগী শক্তি য়াম্না লৈবম্মী, মাখোইবু উবদা খুবম্নবম্মা। বিচার পুম্নমক্ মনা মনিল্ নাইদনা মাসিদা লোইশিন্খিবনা অযাম্মা। হৌজিক্কী ওইবা আইন শিজিন্নদনা চৎনবী, মশানা তাজবা অচুম্বা, ধর্ম্ম মসিনাচিংবগী জ্ঞান্ শিজিন্নদুনা অযাম্বা মতম্দা মাইকৈ অনিমক্পু যাবমখৈ পেলহন্দুনা বিচার তৌবানি। মসি হৌজিক্কী মতমগী ন্যায পঞ্চায়ত হাযবা অসিগী মওং অদুমক্নি। যামদ্রবদা মেম্বর অহুম্গুম্বদি লৈবম্মী, মেম্বর খুদিংদা থাগী তলব লুপা ৭.৫০ পিবম্মী হায়না তাই, লৌচা পিবা অদুগা লৌপাবি ভবা ফাওবগী খাজনা মাখোইদগী লৌদবা মাসি পুম্বনা মওংসু লৈবম্মী হাযনে। তুংদা লান্নদবা পন্দপ অমদা পঞ্চায়ত মখল অসিগী মাগম্ন চেং ফংবগনি।

(৩)
পঞ্চায়তী রাজবু শাগৎলিবা ৱাখল্ অমসুং মসিগী পান্দম্

গান্ধীজীগী ৱাখল্‌গা পঞ্চায়তী রাজব্ শাগৎলিবগী ৱাখলগা [illegible] লৈ। মহাক্না চুম্নগী মপাল্‌থোংগী পোৎ লন চাওখৎপা অমাদ [illegible] যাংদবদগী পুল্লিং [illegible] লগা, আত্মাগী অমদি সমাজগী মথং মনাও নাইবা আসনাচিংবনা হেন্না লৌই। গান্ধীজীনা [illegible] মান্নদবা, অৱাৎপা অসিনচিংবা লৈতবা সমাজ অমা পাম্লম্মী, অদুগুম্না সমাজ অদুদা লন্নাই মী খুদিংমক্না ইংনা লোনদিন্ননা লৌমন্নবা অদুগা পুন্না চাওখৎমিন্নবা [illegible] উৎলম্মী।

[illegible] লাইদগী সেম্বা মীনা ওইনা [illegible]। [illegible] লাক্‌শিন্‌বা পাম্বিবা [illegible] সমাজ [illegible] মী। মহাক্না রাজনৈতিক, সোসিয়েল গোভর্ণমেন্ট হায়বদি মশানা [illegible] কচবা [illegible] থবক্‌ [illegible] খাসি নাইবা পুবক্কানা, [illegible] লোকশিংগী ওইগনি। মসি পাংথোক্‌পদা অশাইবা [illegible] মবম্‌দ, মীশিংনা বে ম্না পংথান্‌ পানবা পাম্মী। গান্ধীজীগী [illegible] ইন্নদি খুঙ্গং খুদিংমক অসি মশাগী থবক মশানা শিন্দ লাংজবা ওইনা, [illegible] মশাবু পৃথিবী পুম্নমক্কী মাইয়োক্তা যাওবা ভারত [illegible] ওইনা বিরাগি অমসুং ওইগদবনি। [illegible] পঞ্চায়ত হায়বা অসি খুলগী অহল্লশিংগী ওইনা থবক পুনা আইন্ শেম্‌গদবা বিচারগী থবক তৌগদবা কাউন্সিল [illegible]নি। মসিন্দি [illegible] মশাগী যেংদবা কংথোক্‌পা ওইনা লুচিংবা লৈবগী তঙাই [illegible] লৈ।

গান্ধীজীনা ফিদম্ অমসু পাম্লম্মী— সরকারনা অফিসলিংদনা শাসন্ চলাইবিবা অসিতনদি মতিক্ চাদে। সরকারনা হোৎনবিব অসিদা প্রজাগী ওইবা লুপ্ শিংনা তেংবাংশিনগদবনি। ভারতকী গনতন্ত্রদদি খুল্ অমনা খুজিং ওইগনি, অদুনা খুঙ্গং খুদিংনা মশাগী থবক্ নিংথৌজনা শিঞ্জবা ওইবা তাই, অসিগুম্না শাসন্ অসিদি পঞ্চায়তনা তৌ-গদবনি। মথক্‌লোম্‌দগী শক্তি পিনক্লবা যাওবদা মীয়ামগী অপুন্‌বা অনিংবনা অদুগা হোৎনবতনা থবক্ চথবা যাগনি।

অতোপ্পা ৱাখল্ অমনা অসিনি— ভারত অসিদি লৌউ শিংউবা লৈপাক্নি, মরম অদুনা লৌউবা, অদুগা মসিগা মরি লৈনবা থবক্‌শিংদা হেন্না থৱাই যাওশিন্‌বা তাবনি। সহর শেম্‌গৎপগা লোয়ন-লোয়ননা খুঙ্গংবুসু শেম্‌গৎনা অনিমক্ অসি চানহন্‌গদবনি। মসিগুম্না থৌরম অসি খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা তবাম্না ওক্কনি।

পঞ্চায়তী রাজবু শাগৎলকলিবা নুংগী ৱাখল্‌শিংদি—

(১) পঞ্চায়তী রাজগী [illegible] সরকারগী (এজেন্ট) থবক্ শিন্ননবা লোইশাঙ [illegible] পোচ [illegible] কমগী থবক্ অদুগা লোয়ন-লোয়ননা মতম্ মতম্‌গী [illegible] ৱাখল্‌শিংদি [illegible] অসি লৈনবানা মাখোইদা শিন্নগনি। (২) পঞ্চায়তী [illegible] গভর্নমেন্টকী হায়বদি মশানা ঙাক্‌চবা মফম্‌গী [illegible] খোইগী থাক্তা লৈবা থবক, প্রজাদা নুংঙাই [illegible] পাংথোক [illegible] সনি।

(৩) [illegible] চাওখৎ থৌনম্ পোৎথোক লম্বোক [illegible] তুংদা ওল্লকপা (হোংলকপা) যাবা ফিভম [illegible]।

(৪) [illegible] (স্ট্রাকচর) মখাদা শেম্বনি। [illegible] অদুগা [illegible] মতুং ইন্না শকখঙবা লোইশাঙ ওইগনি।

(৫) পঞ্চায়তী রাজগী লোইশং [illegible] সভাদা যুমফম্ ওইদুনা শেম্বগনি। শক্তিগী থোকায় ওইবা [illegible] সভা হায়বা খুঙ্গংগী এমেম্বরদগী পেন্‌থ্যানা [illegible] কনবা লোইশাঙ ওইগনি

(৬) পঞ্চায়তী [illegible] লোইশং [illegible] সভা অমসুং রাজ্যগী বিধান সভা [illegible] ওইগনি [illegible] সরকারগী মখাদা রাজ্য সরকার লৈগে, মসি [illegible] পঞ্চায়তী রাজগী লোইশাঙশিংনা খুঙ্গংদগী জিলা ফাওবগী মবক্কী [illegible]।

(৭) [illegible] খুঙ্গংগী মাওইশিং মা শেন থুমগী ফিভমগী [illegible] অমতা ওইবা অমাদি অপুনবগী ফিভম [illegible]

(৮) [illegible] হায়বসিগী (প্রিন্সিপল) [illegible] শক্তি অমসুং দায়িত্ব পিদুনা [illegible] লোক্‌পা হায়বসিগী পান্দম্ অমা খল্লা [illegible]।

অসিনা [illegible] অসি মক ওইনা [illegible]। ৱাখল্লোন অসিগী মতুং ইন্না পান্দমসু মখা তাবা ওইনা [illegible] অদুদি

১। **মীয়াম্না থৌদাং য়াবা হেনগৎহন্‌বা** – পঞ্চায়তী বাজ হায়বসি কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ পাংথোক্‌পা মতম্‌দা থেংনখিবা থবক্কী ৱাখল্ লৌশিং (এক্সপেরিয়েন্স) অদুদগী পোক্‌খিবনি। প্রোগ্রাম্ অদুদা মীয়াম্‌গী থৌদাং ৱাৎপনা, শন্নক্ যাহন্‌বা হায়বসি পান্দম ওইখ্রবসু থবক ওইনদি পাংথোক্‌পা ঙম্‌খিদে। ইং ১৯৫২ দগী ১৯৫৮ ফাওবদা খুঙ্গংগী ফিভম্ ৱাংখৎহন্‌বদা মীয়াম্‌গী থৌদাং ৱাৎপনা থোইদোক্‌পা হেনগৎপা ফংখিদে। মবম্ অদুনা অনৌবা পান্থে অমা যেংলক্‌পা ওইনা পঞ্চায়তী বাজগী ৱৃৎথাংদা প্রজা য়াওশিল্লক্লবা হোৎনখিবনি। পঞ্চায়তী বাজগী মখাদা পঞ্চায়ত হায়বা লোইশঙশিংনা খুঙ্গংগী লৈবিবা মীয়ামগী শক্তি, মচাক্-মবল্ মপুং ফানা শাজিন্নদুনা মশাগী ৱাংদবা পুম্নমক পুথোক্চবা ঙমদুনা মশানা মশাবু ঙাক্চবা ঙম্‌গনি।

২। **অবিবা খুল্‌গী লোইশঙশিংবু নৌনা হিংগৎহন্‌বা** – ঐখোয়গী খুঙ্গংগী ওইবা সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী লোইশঙ অসি মমাংঙৈদগী লৈবক্‌ই। লোইশঙশিং অসিবু খুঙ্গংগী পুন্সিদা থৱাই হাপ্পনবা হিংগৎহন্‌বা তাখি। পঞ্চায়তী বাজ হায়বসি লৈপাক্ অসিগী সংবিধান্‌না শক্‌খংবা ওইনা পোল্লক্‌পনি অদুনা লোইশঙ মওং অসি শেম্‌গৎপা ঙম্বনি। হেন্না গনতান্ত্রিক ওইবা, প্রজাগী হক (অধিকাব) হেন্না লৈবা মওংদা মপাঙ্গল্ কন্‌খৎহন্বা তাই।

৩। **পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংনা অপুন্‌বা অমতা ওইনা পুরক্‌পা** – খুঙ্গংগী মনুংদা লৈবিবা মীশিংবু জাতি, ধর্ম্ম, কাংলুপ্ যেংদনা পুন্‌শিল্‌হন্দুনা খুঙ্গং অসিবু মী কাংলুপ্ অমতগী ওইবা কবিগুম্বা মওং অমদা অপুন্‌বা অমতা ওইবগী মওং অমদা পুবক্‌পদা পঞ্চায়তী বাজ পাথাপ্‌না তেংবাংগনি ; লোইশঙ অমতদা তোঙান্ তোঙান্‌বা মখল্ গী মীওই কয়া মীখল্‌দা কাবক্লুনা ইমুং অমতগী মীগুম্না থবক্ তৌমিন্নবগনি।

৪। **শোত্থহৌরবা, শোল্লবা কাংলুপ্‌পু শৌগৎপা** – পঞ্চায়তী বাজনা শোল্লবা খুদোংচাবা ৱাৎনা ফংলবা শোত্থদুনা লৈহৌববা কাংলুপ্‌পু শৌগৎপদা থোইদোক্ হেন্নে দাক্‌পা মীৎয়েং, ৱাখল্ থম্‌গনি অদুনা মখোইগী ফিভম্ ৱাংখৎহন্‌বা ঙম্‌গনি।

৫। **পাথাপ্ অসিনা প্রজাগী কাইদা (এটিটুদ্) বু হোংদোক্‌হন্দুনা গনতন্ত্রগী লম্বীদা পুশিল্লক্‌পা ঙম্বা**–পঞ্চায়তী বাজদা প্রজাশিংনা থবক্তা য়াওশিল্লক্‌পা মতম্‌দা মাখোইগী মীৎয়েং, লমচৎ-ৱাখল, কাইদা হোংদোক্লুনা গনতন্ত্রগী লম্বীদা চংশিল্লক্লনি। প্রজাশিংনা পুন্‌শিন্দুনা লুপ্ শাগৎপগী থবক্তা গনতন্ত্রগী লম্বীদা চংলক্‌পা, (দিমোক্রেটাইজেসন্) চৎলিবা মতম্‌গী ফিভম্ ইন্‌বা (মোদর্নাইজেসন্) অদুগা বাজনীতি চৎলক্‌পা (পোলিটিকেলাইজেসন্) অসিনচিংবদা ওল্লক্‌পগী শক্তম্ অমদা তাহন্‌বা ঙম্‌গনি। পঞ্চায়তী রাজদা সবকাবগী শক্তি চাইথোক্লুনা জাতিগী মকওইবা গুন অহুম্ হায়বদি (ফ্রিদম্) মনিং মখা তম্বা, (ইকেলিটি) অমগা অমগা মান্নবা অমদি

(বেলফেয়ার) অফ-নুংঙাইবা হায়বসি মী কাংলুপ্ খুদিংনা ফংবা ঙম্গনি ।

৬। চহী মঙাগী থৌরাংবু পঞ্চায়তী রাজগী ভাবতা শাগৎপা— চহী মঙাগী থৌরাং পাইখৎপা হৌদ্রে, তুংদা পাইখৎলক্কদবা কয়া লৈবি । কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রামবু অদুগা অতৈ অতৈ খুঙ্গং চাওখৎপগী থৌরমবু পঞ্চায়তী রাজগী খুৎথাংদা পাংথোক্পা তাই । খুঙ্গংগী মীয়াম্না হায়বদি খুন্মীশিংনা থৌরম্দা পেল্লবদি প্লান্ অসি পাংথোক্পদা হেন্না লাইগনি, মরম্দি থবক্ থৌরম্ খুদিংমক্ পঞ্চায়তশিংদা শিন্নদুনা প্রজানা হক্থেংননা থবক্ পাংথোক্চবগদবনি ।

৭। লম্গী পাথাপ্ শেম্দোক্পা — লম্গী মপু ওইবগী চংনবী অমদি লৌচা পাথাপ্নচিংবা শেম্দোকপা হায়বসি যাম্না মক ওইবা থবক্ অমনি । কম্যুনিতি 'ডিভেলপ মেন্ট প্রোগ্রামবু হিংহন্বা হায়বসি অহান্বা ওইনা পল্লবসু লৌচা পাথাপ্ শেম্দোক্পা অদুগা পঞ্চায়তশিংদা লম্গী শাসন্ তৌহন্বা হায়বসিসু পঞ্চায়তী রাজ পোল্লকপগী অচৌবা মরম্ অমা ওইখি । নীংতম্লবা লৈপাক্ অমগী ওইনা লম্গী মপু ওইবগী নিয়মনাচংবা, লম্গী মবিদা ফজবা 'আইন শেম্ব' হায়বসি তৌদবা যাদবা থবক্ অমনি । মসি পাংথোক্লবগীদমক লম্গী মপু ওইগদবা পঞ্চায়ত লৈতবা য়াদে ।

অসিগুম্বা খ্রাখল্দা পঞ্চায়তী রাজ শাগৎখি , অদুগা লোযন লোযননা পান্দম্ থম্দুনা নীংতম্লবা গনতন্ত্র চৎপা ভাবত অসিদা অরিবা লোইশঙ পঞ্চায়ত নৌহৈনা মপাঙ্গল্ কন্খৎননবা পঞ্চাযতী রাজগী পাথাপ্ অসি পুথোক্খির্বান । ●

(৪)
পঞ্চায়তী রাজ অমসুং ভারতকী সংবিধান্

পঞ্চায়তী রাজনা হৌবক্পা অদুগা মসি থোক্লক্পা অসি খুঙ্গং চাওখৎনবগী শৌবম পাংথোক্লবা তেংনবদা নিংবা থুংদবা, অশোইবা কথা থেংনবদগীন হায়র্বসি খংনববা য়াফম অমা ওইদে । বলবন্ত রেই মেহতা স্টাদি টিম্গী রিপোর্ট অদুনা হৌজিক্কী পঞ্চায়তী রাজ হায়বা অসিবু পুথোক্লুনা থবক চত্থহল্লক্খিবনি । মসিগী মক ওইবা পাম্দাদি খুঙ্গংগী লম্দমদা চাওখৎপা পুবক্পদা খুদোং চাননবা অদুগা খোংজেল্ হেন্গৎলক্লবা হায়র্বদি যাম্না থুনা চাওখৎলক্লবনি । পঞ্চায়তী রাজ থোক্লকপা অসি কমনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ শোইবকপ্দগী হন্না অমুক যেংদুনা অফবা লম্বী অমদা পুবক্খিবতা নত্তুনা খুঙ্গংগী লম্গী মপু ওইবর্গী মওং, লৌচা পাথাপ শেমদোক্লবা, লম্শিন্দোক-শিঞ্জিন্ তৌননবা, লোয়ন লোয়ননা খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফিভম্ ফগৎহন্নবসু অমনি । অম্বোমদা পঞ্চায়তী রাজ অসি ভারতকী সংবিধান্দগী (কোন্সটিট্যুসন্দগী) পোক্পনি । মতাং অসিদা কোন্সটিটুয়েন্ট এসেম্ব্লিগী য়াবেপ্ নৈনবগী তঙাই ফদবা লৈ । ইং ১৯৪৮ গী মেগী তাং ১০ দা এসেম্ব্লি অসিগী প্রেসিদেন্ট ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাদনা কোন্সটিট্যুসন্ অসি খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিংদা যুম্ফম্ ওইদুনা শেম্গদবনি অদুগা মথাং মথাংগী মীখল্ তৌদুনা থাক্ থাক্ ওইনা শেম্গৎকদবনি হায়না অনিংবা অপাম্বা ফোংদোক্খি । মদুগী মহৈনা হন্না হন্না শেম্দোক্খি । মহাত্মা গান্ধীজীনসু সংবিধান্দা পঞ্চায়তকী মফম্ ফজনা ফংদবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোংদোক্লুনা হায়খি —'ঐখোইগী নীংতম্বা অসিনা প্রজাগী খোল্লাও থোক্হন্বা থাক্তোক্হন্বা তাবর্বদি মসি খুদক্তা পুক্লিং চংদবা য়াদ্রবা অৱাংপা (চিখবা) অম্নি ।' মতুংদা এদভাইজর ওইরিবা শ্রীবিঃ এনঃ রাওনা সংবিধান্ পুম্নমক্ শেম্দোক্পা হায়বা য়াফমদু থেংমল্লগনি অদুনা য়াফম্ অসি ইউনিয়ন্ অমসুং ষ্টেটকী আইন্ সভাদা শিন্নথোক্পা ফবে হায়না মোত পিখি ।

ইং ১৯৪৮ গী নভেম্বর তাং ২২ দা মতম্ অদুগী আইন্গী মন্ত্রি ডাঃ আমবেদ্কারনা শ্রী কেঃ সন্থনম্ হায়বা মাদ্রাজ প্রেসিদেন্সিদগী গান্ধীগী তুংইনবা অসিনা পুথোক্লকপা শেম্দোক্লবা য়াফম্ অমা পুখৎলক্পা শ্রী অনন্থসয়নম্ আয়েনগার, সভাগী স্পিকর ওইরনা শৌগৎপদু লৌখি, মদু সংবিধান্গী ৪০ শুবা ধারাদা (আর্টিকল্ ৪০শুবদা) ডাইরেক্টিভ প্রিন্সিপল্স ওফ দি ষ্টেট পোলিসিগী মখাদা হাপ্চিন্খি । মাদুনা হায়রিবদি —'ষ্টেটশিংনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত শেম্নবা অদুগা মাখোই মশানা মশাবু ঙাক্চবা

সবকারগী (লোকেল সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী) খুজিংশিং ওইনা থবক্ তৌবা ঙমজনবা মাখোইদা শক্তি অমসুং মঙম্ (অথরিটি) পিননবা খোংথাং লৌখৎকদবনি।' মতাং অসিদা খন্নবা য়াবিবদি আর্টিকল্ নিযুন্দা হায়বিবা অসিদা যুন্ফম্ ওইবগা পঞ্চায়তী রাজ থোক্পা য়াববা, খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংখৎপা হায়বা মতম্দা পঞ্চায়তী রাজগী মথাং অহুম্গী পঞ্চায়ত লিংখৎপা য়াববা হায়বা অসিনি। মতাং অসিদা শ্রীজয় প্রকাশ নরায়নন্না পিরদি 'ইউনিট্স' ওফ সেল্ফ গোভর্নমেন্ট হায়বসি মশানা ঙাক্চবা সবকারগী খুজিংশিং হায়বসি পল্লবনিনা মথাং নাইবা পঞ্চায়তকী রাফম্ য়াওবে হায়রর্সিনি। কোন্সটিটুয়েন্ট এসেম্বলিগী চথবক্খিবা রাফম্শিং নৈনবদগীসু তশেংনা উবে মদুদি এসেম্বলি অসিনা খনবদি ইউনিয়ন অমসুং রাজ্যগী আইন্ সভানা সংবিধান্ অসিবু প্রেসিদেন্টকী মোত্ অমসুং শ্রী সন্থনমনা পিবা শেম্দোক্লবা রাফম্ মতুং ইন্না তুংদা শেম্দোক্লবা থবক্ লৌখৎলসনু অসিনি। শ্রী সন্থনমগী মোতনা হায়রিবদি পঞ্চায়তশিং অসি মশানা মশাবু ঙাক্চবা খুজিং অমমম্ ওইহনর্বানি অদুগা আর্টিকল্ ৪০ দা হায়বিবা রাফম্না তাক্পদি পঞ্চায়তশিং অসি তোঙান্না তোপ্ তোপ্না লৈগদবা, অদুগা থবক্ তৌগদবা নত্তে, হেন্না চাওবা মশানা ঙাক্চবা খুজিংগী শক্ক্ ওইগদর্বানি। মরম অসিনা পঞ্চায়তী রাজবু শাগৎলক্লিবা ভাব অসি আর্টিকল ৪০ দা তশেংনা য়াওবে।

পঞ্চায়তী রাজগী নিযম্ অমসুং লোইশঙশিং থোকলক্লিবা অসি হক্থেংননা কোন্সটিটুয়েন্ট এসেম্বলিগী ফিবম্পতগীনি। কম্যুনিটি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ শোইনকপগা মপা চানা শিজিন্নখিবনি। মসিগী রাফম অসি রাজনীতিগী থোংদা য়াম্না মক ওই, মরমদি মসিনা পঞ্চায়তী রাজবু তশেং তশেংনা উহল্লি, অর্থ লৈহল্লি অদুগা মঙুন্ হাপকৎলি।

ভারতকী সংবিধান্ অসিনা শাঙ থাম্না পায়না হায়র্বাদি শুপনম্ নীত শিজিন্নবা সবকারগী শক্ফম্ পিবম্না য়ার্বানি। বৃটিসনা পাল্লখিদা কেন্দ্র অমসুং প্রদেশকী সবকারতা লৈরম্মী। মখোই অসিনা শক্তি পুম্নমক শুপাচন্দ্না পাইরম্মী, মতম্ অদুগী সংবিধানদা ওইরমলবা মঙংসু মর্দুন। তৌভিক্কা মতমদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সবকার, প্রজাগা মীখল্ তৌদনা শেম্লবসু শক্তি শুপাচনবদ ওল্লোক্ল; প্রজানা যাবা মীহুৎনফাওবা অশুপ্পা নীতি চলাইরিবর্বানি। সংবিধান্ হায়র্বাসিদ সমাজগা অওইবা শক্ফম অদু উৎথোক্পান। গ্রেখোইগী সংবিবান্ ইবা মতম্দা সমাজগী ওইবা শক্ফম্না শক্তি চাইথোক্পা হায়র্বাস রাজ্য ফাওবদমা ভৈবপ্পান। লোকেল্ সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী লৈবম্লিবা লোইশঙশিং অদুদি নোক্লিংবা, মচং যাওদবা অদুগা সবকারগী শক্তি শিজিন্নদবা ঙাক্তনি।

পঞ্চায়তী রাজ হৌবক্পা মতমদা সমাজগা অওইবা শক্ফম্ খবা মখৈদি শেমগৎল্লে,

খুঙ্গংদগী জিলা ফাওবগী মনুংদা খুঙ্গংগী থাক্তা, ব্লোক্কী থাক্তা, অমদি জিলাগী থাক্তা লোইশঙ থমদুনা চাওখৎ থৌরম্গী থবক শিন্নবর্গা অদুগা লোইশঙশিং অসিগীসু সংবিধানদা মফম ফংলগনি হায়না আশা থম্লি। অদুবু কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার হায়বা কায়াৎশিং অসিবুদি সংবিধানদা চপচানা শকথংলি নৌনা থোর্লক্লবা থাক মঙমগী মশানা ঙাক্চ পা সরকারগী খুজিংশিংগীসু মফম পিরক্লগনি অদুগা সংবিধানদা মপোঙ্গী শক্তি, দায়ত্ব, মচাক মরল, ফংফম খোক্পা শরুক মযেক লানা মচা খাইনা ইদুনা ওক্লবগনি হায়না খন্না খন্না লাক্খি। হিরম অসিদা কয়া নৈনর্বাক্লে।

ষ্টেটশিংগী থৌদাং ওইবা রাফম্দদি অওনবা নৈখি অদুগা লোকেল বোদিগী হায়বাদ মফম মফমগী ওইবা লোইশঙশিংগীদি ইহোং তোংদে। পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিং অসি ষ্টেটকী আইনা শেম্বনি, মখোইদা শিন্নবা, পিবা শক্তি অমদি থবক অদুতা ফংবনি, মশান ঙাক্চবা লোইশঙ হায়বদা অবানবা ওইরবনি। ষ্টেটশিং অসিদি ভারতকী সংবিধানগী মখাদা শেম্বনি অদুনা মখোইগা কেন্দ্র সরকারগা নৈনরিবা মরি অসি পার্টিনবসিপ্নি হায়বদি শাসনদা শরুক যাম্নবনি আনমক শক্তম মান্নৈ, অমনা অমগী মখা পোন্না নৈনৈ। অদুগা ষ্টেটকা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংগা নৈননিবা মরি অসিদি মথক থোংবা অমসুং মখা পোনবগী মওংনি। মরম অদুনা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংগা ষ্টেটকা অমদি কেন্দ্রগা নৈনগদবা মরিসু ষ্টেটশিংগা কেন্দ্র সরকারগা নৈনরিবা মরিগুম্ সংবিধান শেমদোক্লুনা নিযম থমগদবনি। অদুম তৌবর্বদি প্লান তৌবা মতমদা মখোংদগী হায়বদি খুঙ্গংগী থাক্তগী হৌদুনা মশানা ঙাক্চবা সরকার ওইনা গনতন্ত্রগী যুম্ফমদা শাগৎপা যাগদবনি। অবাৎপা অসি অসুম ওইদুনা লাক্খি।

পাম্নবিবা রাফম অসি জুগোস্লেভিয়াদা চৎখিবা ভারত সরকারগী টিম্ অমনা ১৯৬০ দা রিকোমেন্দেসন ওইনা পুথোক্খি। টিম্ অদুদা যাওখিবদি শ্রীবিঃ মেহতা, রাজস্থান সরকারগী চিফ সেক্রেটরি অদুগা শ্রী জিঃ এফঃ মানকোন্দি কমিসনার পঞ্চায়ত মিনিস্ট্রি ওফ কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট অসিনি। অসিগুম্বা রাজনীতি অমসুং শেল থুমগী শক্তি শিন্নথোক্পগী চাংযেং অসি যাম্না অর্থ নৈর্বনি, মমুৎ তানা নৈনবা মতিক চাই।

পনবা য়াবা অমনা ডাঃ আমবেদকারনা আইনগী মন্ত্রি অমা ওইনা সংবিধানদা পঞ্চায়তী রাজগী মফম পিনিংখিদে। অতোনবা কাংলুপকী মীওই অমা ওইদুনা অঙনবা পুন্সিদা অওৎ অনৈ, ইকাই হঙ্গোইবা কয়া থেংনদুনা লাক্খিবা মীশক ওইবনা ভারতকী ওইরিবা জাতি খাইবগী অকনবা চৎনবী নৈবা খুঙ্গংগী লমদা জমিন্দার, ব্রাহ্মন অদুগা

অবাংবা ইনাক্‌খুন্‌বা কাংবুনা মীখল্‌দা ইলাই লাইনা কারকুনা অতোনবা, অশোন্‌বা কাংলুপ্‌পু নৈহৎপিবা হেন্‌গনি, হেন্না হেন্নদুম্‌ শক্তি পায়শিন্‌খিগনি হায়বগী অকিবা লৈখি। অদুবু গান্ধীজীনা অকন্‌বা মোত্‌ পিবনা মরম ওইদুনা হাপ্তুবা য়াদবা ফিভম্‌দা আর্টিকল্‌ ৪০ শুবা অসিদা নমদুনা চৎনহন্বা ঙম্‌দবা তেন্‌থ্রবা ৱাহৈ পরেং খরদং হাপ্লগা রাজ্য সরকারগী থৌজাল্‌ অমসুং মীৎয়েং দা পঞ্চায়তকী লাইবক্‌ লেপ্‌হন্নবা থম্‌লম্লে।

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংবু ফিভম্‌ অসিদা মশানা ঙাক্‌চবা সরকাব কৌবদা লান্না মমিং থোন্‌বা ওইগনি ; মাখোইনা তৌরিবসিদি শিন্নরক্‌পা থবক্‌অদুতনি। কেন্দ্র সবকাব অমসুং বাজ্য সবকারদি সংবিধান্‌দগী হক্‌থেংননা পোক্‌পনি, মখোই অনি লৈনরিবা মরি অসিদি পার্টনবসিপ্‌ হায়বদি শরুক্‌ য়ামিন্নবনি ; শক্তিগী, পৈশাগী অমদি লন্‌-থুম্‌গী থবক্কী লম্‌খৈ খাইদোক্লদুনা শাসন্‌ তৌনরি অদুনা অনিমক্‌ মান্নে-মনিং তম্নে। অদুবু রাজ্য সবকাবগা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংগা লৈনবিবা মবিদদি ঙম্‌খৈ, কায়াৎ হায়বনচিংবা ঙিরম্‌ অমতদা থম্‌দে মথক্‌ থোংবা অমসুং মখা পোন্‌বগী মবিনি -- তৌহন্নিংবা অদুতা তৌহন্‌বনি। মসিগী মরি অসিসু কেন্দ্রগা বাজ্যগা লৈনবা মবিগুম্‌ লৈনহন্‌গদবনি অদুগা ফেদেরেল স্ট্রক্‌চবদা জাতিগী অপুন্‌বা মওংদা য়াওহন্‌গদবনি।

পঞ্চায়তী রাজ হায়বসি পঞ্চায়তোক্রেসি শাগৎপনি হায়নৈ, মর্সিনি খুঙ্গংগী মশানা ঙাক্‌চবা সবকার হায়রিবসি। মসি গান্ধীজীগী ৱাখল্‌গা সংবিধান্‌গী ধাবা ৪০ শুবদা হায়রিবদুগা পুন্‌বনি। থাংখাং কয়া হোৎনরক্লবা তুংদা কোন্সটিট্যুসন্‌ (৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পা) এক্ট ১৯৯২ শেম্‌দুনা এপ্রিল্‌ তাং ২৪দগী চৎননবা তৌখ্রে। এক্ট অসিগী অফ-ফত্তনচিংবা মতাং চানা নৈনরক্কনি। ●

(৫)

গনতন্ত্র অমসুং মসিগী ৱাখল্লোন্

গনতন্ত্র হায়বসি সবকাবগী মওং অমনি, মসিদদি খ্বাইদগী ৱাংবা শক্তি অসি মীয়ামদা পৃয়া শিন্নে; অদুগা মাখোইনা নত্তগা মাখোইনা হাপ্পা অফিসারশিংনা শাসন্ তৌই । হায়নাপনবনি মদুদি মসি প্রজাগী, প্রজাগীদমক্, প্রজানা শেম্জবা সবকাবনি । মসি থাইনগী গ্রীস লৈপাক্তগী হৌবক্পনি হায়বি অদুগা যানববা থাজনবা অমা ওইনা পৃথিবীগী লৈপাক অযাম্বদা চৎনবক্লবনি । গনতন্ত্রগী যুম্ফম্ ওইবা চৎনলোন্দি লৈপাক্ অমদা লৈবিবা মা পুম্নমক্ চপ্ মান্নবনি । মসি চুম্নগী সবকাবগী মওং অমা ওইবতা নত্তনা পুম্সিগী লম্বী অমসুং অদুগা অচৌবা-মচা হায়বগী খেন্নবা লৈতবা সমাজ অমসু ওই । মী পুম্নমক্ সবকাবগা থবক্তা শরুক্ যাবগী হক অমসুং পাঙ্গল্ লৈ হায়বা ৱাখল্ অসিদা খুদাফম্ ওইবনি । ভবামাপল্শুবা সতাব্দীদা গনতন্ত্র অসি পার্লিযামেন্টকী মওং ওইবন্মী অদুগা ভোট থাদবা যাবা মশিং যাম্দবা মীগী ওইবন্মী । হৌজক্তদি ভোতকী থবক্ অসি পাবক্থোক চঙখোক্লকপসিদা গনতন্ত্রদা চাওনা অকোংনা অমা লাক্লে । চহীশুবা মীয়ামগী ভোতবা হক অসিনা খেন্নবা পম্মা লেনগৎখ্রে, অদুগা রাজনীতিগী থবক্ অসি হেন্গৎহনখ্রে। গনতন্ত্র মাই পাক্পগীদমক লূচিংবশিং অমসুং মীযামগী অৱাংবা থাক্কী পুক্চেল্ শেংবা অদুগা মীযামগী গুণ্ হেন্গৎনবা তম্বা অদুগা মওংচুম্না তাক্পা (ইদুকেসন্ অমসুং ট্রেনিং)চংই । মীয়াম্না মাখোইগী হক্ (বাইত্স) অমসুং মথৌ মুন্না খংদবা যাদে; মতম্ চুপ্পদা কুপ্না যেংবা হায়বসিনা নীংতম্না কোম্না লৈবগী (লিবর্টিগী) মমল্ ওইগনি - অফা-অপুন্নদবা, তৈশিংবা প্রেস অমসুং মযেক্শেংবা প্রজাগী মোত্ তঙাই ফদে । খন্ন-নৈনবদা অদুগা অনিংবা ফোংদোক্পদা আথংবা লৈতবা তাই । মশিং যাম্বা মীগী ৱাবেপ (ডিসিসন্ ওফ্ দি মেজোরিটি) অদু মীযামগী অনিংবগা চানগদবনি । মীখল্ তৌবিবা অসিনা মতিক্ চাবা মী ওই ফংননবগীদমক্লি, মবম্ অদুনা মীগী গুণ্ হেন্গৎনবা তম্বা অমসুং তাক্পগী থবক্ যাম্না তঙাই ফদে । গনতন্ত্র হায়বসি খন্ন-নৈনবগী সবকাব (গোভর্ণমেন্ট বাই ডিসকসন্) গী মওং অমনি, মসিদা অবান্বা পুথোক্লবা অচুম্বা পুথোক্পদা মন্থোক্লবা (খন্দোক্লবা) অদুগা যেৎননবা ৱাপা ওইগদবা কাংলুপ্ (ওপোজিসন্) লৈবগী তঙাই ফদবসু লৈ । মীখল্ হক্থেংননা তৌবনা (ডাইরেক্ট ইলেক্সন্ তৌবনা) লৈপাক্কী অনিংবা অদু হক্থেংননা ফোংদোক্পা, থবক্কী থৌশিল্ পুথোক্পা অদুগা মীযামগী থবক্তা খন্ন নৈনবা ঙম্ই । নাকোইনবা মীখল্দনা (ইন্ডাইরেক্ট ইলেক্সন্দনা) মীহুৎনা লোম্বা গনতন্ত্র ওই ।

গনতন্ত্র হায়বসি (লেস এ-ফব থিওরি) দা যুম্ফম্ ওইর্বনি। মীওই অমদা নীংতম্বদা থৎহংবা পিদনা, মাগী থবক অদুদা খুৎ থিংজিন্দবনি; সবকাবগী থবক্তা মথম্তা থাদোক্পা হায়বা বাফম অর্দুনি। গনতন্ত্র হায়বসি মীয়াম্গী হিংবগী ফিভম্ অদু চাওখৎনবা অদুগা মায়াইবা পাম্নে অমনি। গান্ধীজীনা হায– 'গনতন্ত্রদা নুপা নত্রগা নুপী, মী খুদিংনা মাগী মাগী দায়িত্ব অদ খংগদবনি।' গনতন্ত্রগী মক ওইবা বাখল্লোন অমদি চৎনলোন্দি লৈপাক অমদা লৈবিবা মী খুদিংমক্ চপ্মান্নবনি। মসিগী (মোতোদি) তার্কলিবা রাহৈদি – "চংউ অমসুং হিংহল্লু' গনতন্ত্রনা নীংতম্বা পি অদুগা নীংতম্বা হায়বসিনা হক্কী লম্তাক্ অহুম (ত্রিপল চার্টর ওফ রাইট্স) দা যুম্ফম ওই। হায়বিবা অহুম্ অদুদি (ক) হিংবগী হক্, (খ)হিংনবগী থবক্ শুজনবা হক,(গ) তার্নশিনজব্বা অদু ফংজনবগী হক্; হায়বিবা হক অহুম্ অসি ফংদবদি মীওইনা হিংবা অদুগা হিংমিন্নবদা রানা থোক্কই।

গনতন্ত্র চৎথবদা থাংথাং মরি লৈবা য়াই :-

ওরিয়েন্টেসন :- মসি অচুম্বা মওংদা ওন্থোক্পনি। মও° চুম্না পুবক্পা তাববদি মফম্ মফম্ অদুদা ওইরিবা ফিভম্গী লৌশিং, জ্ঞান অদুগা থবক্তা খুৎথানবগী লৌশিং খংবা চংই। গনতন্ত্রগা ওইবা সংস্থান নত্রগা লেমশ... মফম্ অমগী চংগদবা পোৎলম মচাক্ লম্বীনাচিংবা খংলগা হায়া ওইবম্বা ... হেংংদোকহন্দুনা অচুম্বা অফবা মওং তাবক্লবা তোংনগদবনি।

প্লানিং :- খুজিল থৌবাং অমদি অশিল-অবাং :- থবক্ অমা মমুৎ তানা মহৈ চানা ফংনবা তৌবা তাববদি হান্নানা খুজিল্ থৌবাং তৌবা চংই, মতম্গী ওইনা থোক্ল-থোক্লবা তৌগনি হায়বনা যাদে। হিবম্ কযাগী কাযাৎ যাৎলগা থবক্ তৌবা তার্বনি, মসিগীদমক্ অহৈ অশিং, হিবম্ কযাদা খংবা হৈবা পোবম্ খংবা মী লৈবা তাই।

এক্সিক্যুসন হায়বদি থবক পাংথোক্পা :- পোবম্ ফজনা যাৎলবা থবক্ অমা পাংথোকপা হায়র্বসিসু অবাইবা নত্তে, মসিদা মীৎযেৎ অনি চংই। সবকাবগী এজেন্সিনা থৌদা ওইদুনা পাংথোকপা অমদি মী খুদিংনা পাংশিল্লক্পা যাবা থৌদাং অদু থেমদুনা ভর্ক্শিন্দুনা অমদি চুংশিন্নদুনা ফংলগা থবক্ পাংথোক্পা হায়বসিনি। সবকাবনা মশাগী ওইনা থবক্ পাংথোক্পদা থবক্শিং অদুদা খংবা হৈবা থবক্কী লৌশিং তম্লুববা মীওইগী ফজবা থৌদৌ চংই। মাখোইনা হৈশিংনা খংলুববা, তম্লুববা জ্ঞান্ শিজিন্নবগা লোযননা মীযাম্গী তেংবাং লৌদুনা পাংথোক্মিন্নবা তাই, নত্রবদি থবক্কী মহৈ ফংবা ঙম্লোই। অমবোম্দা থবক্কী মহৈ চাগদৌবিবা প্রজা মীপুম খুদিংনা মাগী মাগী অঙম্বা থৌদাং পুথোক্লুনা সবকাবগা খুৎশম্ননা থবক্ পাংথোক্ফমসু থোক্ই। পান্দম্ অনিমক্চপ চানা মক ওই, মসি ফংলবতদা পুন্না চাওখৎমিন্নবা ঙম্গনি।

সুপরভিজন (য়েংশিন্বা) :- তৌখ্রবা অমদি তৌবিবা থবক্তা অকুপ্পা মীৎযেং চংবা

হায়বসি থবক অদু চুম্না মপুং ফানা পাংথোক্লবগী অফবা খোংথাংনি । লিখুন্ তানা পুবক্পদা চেক্শিন্বা অমদি খুৎথাবগী লৌশিং চংই, নত্তবদি থবক্কী অশোইবা পুথোক্পা অমদি তুংদা শোইদনবা লম্বী পুথোক্পা ঙম্লোই । অদুতা নত্তনা মওং চুম্না য়েংশিন্বনা পাংথোক্খিবা থবক্কী চাংসু নিংথিনা লেপ্পা ঙম্গনি । গনতন্ত্রদা মীয়াম্গী অপুন্বা অনিংববু ইকাই খুম্নবগীদমক্ লমজং (মাইংগৈ) অহুম্দা থবক্কী মওং লৌখৎপা য়াই ।

এদমিনিস্ট্রেটিভ ফ্রন্ট (শাসনগী ওইবা লমজং) :- গনতন্ত্রবু নিংথিনা চৎথহন্নবগীদমক্ অফবা শাসন্ চংই । শাসন্দা পুক্চেল্ শেংনা, কখোক্পগী ৱাখল্দা খোইজংবগ' লোয়ননা থবক্ পুবা তাই , মসি অবাইবা থবক্তি নত্তে । হায়নবা লৈ – 'দিমোক্রেসিদা নিযম্না শিক্ থল্লি শাসনদি য়াওদে ।' চৎনবী নিয়ম্ কয়া ফজনা শেম্লবসু মদু ঙাক্নবা শাসন্ তৌদ্রবদি অবেশ্বনি । গনতন্ত্র হিংহন্বা অমদি মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্বা তাববদি নিংথিজবা শাসন্ লৈবা তাই ।

রিপ্রেজেন্টেটিভ ফ্রন্ট (মীহুৎ লোম্বগী লমজং) :- গনতন্ত্রদা মী অমতগী নত্তগা খবতগা শাসন্ লৈবা য়াদে । মবম্দি মসি মীহুৎকী সবকাবনি, ঙম্নমক্ যাওবা যাদবনিনা যাবমখৈ য়াম্বা মখল্ শুবা মীয়াম্গী মীহুৎ যাওহন্বা তাবনি, মদুগীদমক্ মীয়ামনা যাবা খন্ননবগীদমক মীখল্ তৌবি । মীখল্ হাযবসি মীয়াম্গী মহুৎ লোম্বা য়াননবগী অফবা পাম্বৈনি ।

ইকোনোমিক ফ্রন্ট (শেলথুমগী ওইবা লমজং) :- লৈপাক্ অমা চাওখৎপদা শেল থুম্গী ফিভম্ ফগৎহন্দুনা মীযাম্গী পুন্সি লেন্বদা নুংঙাইনা কোম্না থোকপা ঙমহন্বা অসি অহান্বা মক ওইবা থবক্নি; মদুগীদমক্তা প্লানিং তৌনবি । মওং তাবা, প্রজানা যানিংনা শকক্ যাগদবা অদুগুম্বা প্লান্ তৌবা তাই । গনতন্ত্রবু মওং তানা পুথোক্পা অমদি চত্থবা যাদবগী মবম্ কয়ামুক্ লৈবা য়াই, খ্বাইদগী মক ওইবদি (১)শাসন্গী অশোইবা, (২) প্রজানা খংদবা হায়বিবশিং অসি ভাবতকী গনতন্ত্রদা অদুম্ লৈ ।

শাসন্গী অশোইবা – সবকাবগী মাইকৈদা শাসন্ তৌবদা অশোইবা কয়া লৈ । ঐখোইগা লুচিংবা অযাম্বা নীংতম্ অন্দোলন্দা য়াওবা মীওইনা অয়াম্বনি; মাখোইদা লচিংবা ওইবগী গুণ্ অমদি শাসন্গী লৌশিং য়াম্না ৱাৎখি, অদুনা শাসন্দা পবিং তাবা ঙম্দে । অদুগা লোয়ন-লোয়ননা শাসন্ পুবিবা অফিসাবশিং অসিসু বৃটিশনা মাখোইগী লৈঙাক্কা চাননবা হায়দুনা হাপ্লম্বনা অয়াম্বনি । মাখোইগী থবক্ থৌদৌ অদু মতুং তাবশিংনা অদুম ইন্দনা লাক্লখ । মাখোইদা মীয়াম্ শম্নবগী অপাম্বা অদুগা গুণ্ য়াম্না অংনা যাওই, অসি গুম্বা বুরোক্রেটিব ওইবা অফিসাবনা থবক তৌবদা কটিন্ অদুতা চৎনবী ওইনা তৌই । প্রজাগী অপাম্বা, অনিংবা য়েংদুনা চত্তে ; মাখোইগী মথক্কী ওইবা অচৌবশিংবু পেলহন্নবা হোৎনবনা মাখোইগী থবক্কী মওং, থৌদৌ ওই ।

প্রজাগী খংদবা – প্রজাগী মনুংদা অয়াম্বনা গনতন্ত্রগী (দিমোক্রেসিগী) হৌনবী, চৎনবী মওং মুন্না খংদে, ভাব তাদে। মসি লৈহন্‌বগী, ভাব তাহন্‌বগী তঙাই ফদবা লৈ। জ্ঞান তাবা, থবক্ হৈবা য়াবা মীওই অয়াম্বনা বাজনীতি যাওদুনা মীবেপ্ ওইনা চোংথোক্পা পামদে, মশা মশাগী লন্নাই থবক্তা মাই ওন্‌শিন্দুনা লৈ। ভাব তাদবা প্রজাগী মবক্তগী খন্দুনা থবক পুহন্‌বনিনা থবক্ পুবিবা মীসু ভাব তাদবা ওইবা তাবনি। গনতন্ত্রদা থবক্ পুগদবা মীওইদা লৈগদবা গুণ :- গনতন্ত্রদা থবক্ পাইগদবা মীওইশিংদা গুণ খবদি চেনবা তাই লৌখৎপা য়াবা গুণ খবদি :

(ক) মিসনর্বি স্পিবিট হায়বদি থৌবম্ অমগীদমক্তা থাদোক্পগী (কখোকপগী) ব্রাখল চেন্‌বা তাবনি। তৌবিবা থবক অদু পুন্সিগী থৌবমনি হায়না খন্‌বা ঙম্বগী পুক্নিংগী ফিবেপ্ চংই। (খ) হৈনিংবগী মৈচাক্ অমসুং যাম্না পাম্না নিংবা লৈগনি। হৈনিংবগী ব্রাখল্ খোইবাংবগা লোয়ননা মতম্ চুপ্পদা খন্‌বা তাই।

(গ) থবক তৌবদা মানা তৌগদৌবিবা অদুগী থৌবমগী মাতক্ চাবা লৌশং লৈবা তাই। খংদনা থবক্ তৌবা য়াদে, খংলমদ্রগনা খংননবা হোৎনবা চংই।

(ঘ) মীশিংগী অপুনবা অনিংবা, অপাম্বা অদুবু ব্যবহাব তৌবা, ইকাই খুম্নবা ঙম্বা ওইগদবনি, মীয়ামগী অপাম্বা অদু তৌবতনা থবক্কী অফবা মহৈ ফংবা ঙমগনি, মীখবতগী যেংনা তৌবা যাদে।

কমুনিতি স্পিবিট হাযবদি কাংলুপ্ নাইবা মীগী ব্রাখল-, মদুদি পুন্না মপু ওইমিন্নবগী, য়েন্নবগী অদুগা অমগা অমগা চুংশিন্নবগী ব্রাখল্ লৈবা তাই। মবম্দি পুন্না হিংমিন্নবা তাববদি গুণশিং অসি চংই, মীপুম্ খুদিংনা ব্রাখল্ অসি চেন্‌বা তাবনি। থবক্ পুগদৌবিবা মীগী মীৎযেং অসি খুজিন্‌বা য়াদে, পাক্-চাওনা যেংবা তাবনি।

গনতন্ত্র হায়বসি চুম্না হায়ববদি মীয়াম্গী হিংবগী ফিভম্ অসি ব্রাংখৎহন্‌বা অমদি মান্নহন্‌বনি। গনতন্ত্র হিংবা ঙম্দবগী মবম্দি অবোইবা পান্দম্ অদু মীয়াম্গী ওইনা লৌদুনা মশাবু অবোইবা পান্দম্ ওইহন্বননি। গনতন্ত্রদি পাম্বৈনি, মীয়াম্গী য়াইফবনা অবোইবা পান্দম্ ওইহন্‌গদবনি। ●

(৬)
কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট

কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট (অশঙ্কদা সিঃ ডিঃ) হায়বা অসিগী অকক্লবা ৱাহণ্ডোক্ খরা :-

(১) 'খুঙ্গংগী মী কাংলুপ্‌না হান্না লৈবক্পা পুন্সি হিংবগী মওং অদু ওলহন্‌বদা তপ্ন া, লিরি-লিবি হেন্‌গৎপগী থৌদৌ অদুনি (প্রোসেস অমনি)।'

(২) 'মীয়ামবু মাখোইগী ঙমজবা অদুগা লৈজবিবা পোথোক্ লম্থোক মতুং ইন্না চাওখৎচবদা তেংবাংনবা মওং অমনি (মেথদ্ অমনি) ।'

(৩) 'খুঙ্গংগী মীশিংগী অফ নুংঙাইগা মথি লৈনবা থবক্কী লম্ খরদা পাংথোক্লবা থৌবম্ অমনি (প্রোগ্রাম্ অমনি) ।'

(৪) 'ফিদম্গী মচাক্ যাওনা চাওখৎনবা তৌবা ইহৌ (মুভমেন্ট) অমনি ।'

(৫) অহানবা চহী মঙাগী থৌবাংনা ৱাহণ্ডোক পিবদা সিঃ ডিঃ অসি ' থৌবাং প্লান্ আসনা খুঙ্গংগী মীশিংগী সমাজ অমসুং শেল্‌থুম্গী ওইবা পুন্সিবু হোংদোক্‌হন্নবগী থবক চংশিন্নবা নিযম্ অমনি খুঙ্গংগী এক্সটেন্সন্ এজেন্সিনি থৌপুবনি ।'

(৬) 'মী কাংলুপ্‌কী শেল থুম্গী , সমাজগী অমসুং ইনাৎকী ফিভম্ ফগৎহন্নবা অদুগা কাংলুপশিং অসি জাতিগী পুন্সিদা পুনশিন্দুনা জাতিগী চাওখৎপদা মপুংফানা শরুক্ যাবা, লৈজবা খাইজিন্নবা ঙম্নবা মীযামগী তোৎনবগা থৌপুবগীগা পুনশিন্নহন্নবা থৌদৌ অদুনি ।'

মতৌ অসুম্না কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট (মীকাংলুপ্‌কী চাওখৎপা) হায়বসিগী ৱাহণ্ডোক্ (অর্থ) পিনৈ । মসিগী মনুংগী ৱাখলদি, মসি মীযাম্না যাম্না কয়া যানিংনা শরুক যাবগা মাখোই মশাগী ইহৌদা যাবমখৈ থাজবা থম্লগা মীযাম পুন্নমক্কী শেল থুম্গী, সমাজগী অদুগা নাৎনচিংবগী ফিভম শেম্নবা পুথোকপা থৌদৌ অমনি । মীযামগী অপাম্বা নমুনাদা, মীযাম্গী থবক্তা খুৎথাবগী খুৎথাংদা সমাজ অমসুং শেল্-থুম্নচিংবগী ফিভমগী অওনবা অমা পুবক্‌পদা ইহৌ পুথোক্লবা নিযম অমনি । মসিগী পান্দমদি সমাজগী ওইনা শেল্-থুম্গী ওইনা, পুন্নিংগী গুণগী ওইনা হেন্নাফবা অওনবা অমা মীযাম্না, মীয়ামগী, মীযাম্গীদমক্ পুবকপদুনি ।

কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্টকী পান্দম্ :-

১। এবিয়া ডিভেলপমেন্ট (মফম্ মফম্গী ওইনা চাওখৎহন্বা)– হিবম্ পুম্নমক্তা যাম্‌দ্রবদা খবা মখৈ চাওখৎপা হেন্‌গৎহন্বা ।

২। সেল্ফ হেল্প প্রোগ্রাম্ (মশানা তেংবাংজবা থৌবম্)– মীয়াম্না শকক য়াবা হায়বসি চংদবা য়াদবা মওং ওইহন্বা ।

৩। খবা হেন্‌না শোনবা, খুদোংচাবা শাংনা ফংলবা কাংলুপ্‌শা হেন্না য়েংশিন্দুনা মী কাংলুপ পুম্নমক্ পুন্না চাওখৎমিন্নহন্বা – অপালিং ডেভেলপ ওফ ৱিকর সেক্সন -(অশোন্‌বা কাংলুপ্‌পু শৌগৎপা) ।

মফম্ মফম চাওখৎহন্বা – এবিয়া ডিভেলপমেন্ট – দেশ অমবু মতম অমতদা পাক্তক্লনা চাওখৎহনবসু ওইথোক্তে । চাওখৎপা পুনকপগা ১০ক্তা লমতুপ অমসুং খাইদোক্লগা মদু অকক্লবা মতম্গী মনুংদা অকক্লবা থবক্ শেম্গা চাওখৎহনগদবা হায়বসিগী মওং অমনি । মবম্ অদুনা খুঙ্গংগী লম্না খন্দুনা ১০০চামরেম্ম শাগা ব্লোক হায়দুনা লমতুপ্ অমা খন্দোক্‌ই । মসিদা মী ম শাং অসি শিঙ্গ ২০ দগী ১০ ফাওবা লৈবা য়াই অদুগা লমতুপ অদুগী পাক্ চাওবসি চাওবা স্কোয়ার মাইল ১৫০ চাওবা মতম্ অদুদা পানখি । মসিগুম্বা লমতুপ্ অমবু সিঃ ডিঃ ব্লোক্ হায়না খংনদুনা থবক্ হৌনবা হোৎনখি ।

মশানা তেংবাংজবা- সিঃডিঃ প্রোগ্রাম্ হায়বসি সবকাবনা হৌদোক্‌পা মীয়াম্না যাওশিন্দুনা তেংবাংগদবা থৌবম্ অমনি । মীয়াম্ যাওবা হায়বসি প্রোগ্রাম্ অসিগী শকক্ অমনি । মবম্ অদুনা মীয়াম্না যাওশিন্নবগীদমক্ ফিভম্ অমা থমই মদুদি – থৌবম্ অসিগী মখাদা পায়খৎপা কবিগুম্বা থবক্ অমগীদমক্ মীয়াম্না চাদা শকক খবদি শেল্ ওইনা, পোৎ ওইনা নত্ত্রগা পাঙ্গল্ ওইনা পুথোক্কদবনি ।

অশোন্‌বা কাংলুপ্‌পু শৌগৎপা :- সমাজগী মনুংদা মী পুম্নমক্ চপ্ মান্ননা চাওখৎপা ঙম্দে, হান্ননা খবা শোথবা কাংলুপ্ হায়বা খর্বদি লৈবা তাবনি । মীয়াম্ পুম্নমক্কী চাওখৎনবা হোৎনবগা লোয়নন-লোয়নননা অশোন্‌বা কাংলুপ্তা খবা হেন্না খুদোংচাবা পিশিল্লগা মান্নবা পুবক্‌পা ঙম্নবা হোৎনবা তাই । মদুগীদমক্ শোল্লি হায়না খল্লিবা কাংলুপ্ অদুবু সিদ্যুল্‌দ কাস্ট, সিদ্যুল্‌দ ট্রাইব অদুগা অতৈ অতৈ কাংলুপ্ হায়দুনা মশক্ খংদোক্লুনা থমই অদুগা তেংবাংবা অমদি খুদোংচাবা পিবগী নিয়ম্ শেম্লগা খবা হেন্না চাওখৎ খ্রবা কাংলুপ্‌কা থাক্ মান্নবক্লবা হোৎনৈ ।

কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট :- কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট হায়বসি ' মফম্ অমত্তদা লৈমিন্নবা, পোক্‌পা শাৎপগী ফিভম্ অমত্তা ওইবা পুন্সিগী চংগদবা অপাম্বা

পোৎচং মান্নবা থোক্পা গী কাংলুপ্ অমগী মরাইবক অদু হিরম্ পুন্নমক্তা ফবা হেনগৎহন্নবা তৌবা থৌরাং অমনি। ভারতকী সিঃ ডিঃ প্রোজেক্ট অসি ইং ১৯৫২ দা জাতিগী মপা ওইবা ভারতকী খুঙ্গংগী নুংঙাই-য়াইফগীদমক্ খনবিরম্বা অদুগা খুঙ্গংগী গনতন্ত্রবু য়াম্না থাজবিবম্বা মহাত্মা গান্ধীজীগী মপোক্ নুমিৎ ওক্টোবরগী তাং ২ দা হৌগৎখিবনি। দেশ পুম্বগী ওইনা অখন্নবা পাইলোট প্রোজেক্ট ৫৫ খক্তদা ইহান্ হান্না পাযখৎখি। থৌবম্ অসিগী মখাদা মীয়াম্না শৌগৎপা থাক্ থাকী লোইশঙশিংনা দেশ পুম্বদা থুংজিল্লকনি। সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ অসি মপুং ওইনা সরকারগী ফণ্ড অমসুং হোৎনবদা যুম্ফম্ ওইবনি। খুঙ্গংগী মীশিংগী সমাজগী, শেল-থুমগী অমসুং ইনাৎকী মবম্দা চংফম্ থোক্পা থেংননবা হোৎনবদা সিঃ ডিঃ না অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে।

সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ অসি চিঞাক্ অমসুং লৌউ শিংউগী খুৎশা হৈবগী পোত্থোক থুনা হেনগৎহন্বদা পান্থে অমা ওইননবা হৌদোক্পনি। হান্নগী চৎনবী শাজৎনচিংবগী ব্রাখল্ হোংদোক্হন্দুনা অওনবা অমা নমদুনা পুবক্পা ঙম্গনি হায়বসিনা ব্রাখল্লোন্ ওইর্বনি।

সিঃ ডিঃ দা পাইখৎকদবা থবক্কী লম্ খবদি – লৌউ শিংউবা, শা-শল্ লোইবা, লৌখোং তৌবা অমদি ঈশিংপিবগী থবক্ অমসুং লমনৌ নিন্বা, লম্বী-থোং চথোক চৎশিনগী থবক্, মহৈ তম্বা, সমাজ শিক্ষা, হক্শেল্ অমদি হক্লোন্গী থবক্, কো ওপবেসন্, খুঙ্গংগী অপিক্পা খুৎ-শা হৈবগী থবক্ অপিক্পা শেল্ তুংশিনবা অসিনচিংবনা অহানবা ওইনা পায়খৎখি। মতৌ অসুম্না চিঞাক্কী পোৎথোক্ হেন্গৎহন্বা শেল্-থুম্গী ফিভম্ ফগৎহন্বা, মীওইবগী শক্তি ফাজিন্দুনা কান্নবা থবক্তা শিজিন্নবা, থবক্ পিবা অদুগা শুপ্না হায়রবদা হিংবগী থাক্ ব্রাংখৎহন্বা ঙম্নবা হোৎনর্বনি। অহান্বা চহী মঙাগী থৌরাং পায়খৎলক্পদা সহর শেম্গৎপগা লোয়ন লোয়ননা খুঙ্গংবু শেম্গৎতুনা জাতিগী ওইনা পুন্না চাওখৎমিন্ননবা হোৎনবা তাখি। অদুনা সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ অসি ভারতকী চাওখৎ থৌরম্গী খুজিল্ থৌরাংদা খুঙ্গংগী মাইগৈদা য়েংবা মীৎয়েং অমনি। মসি তম্বিবগী ওইবা (ইদুকেশনেল্) অমদি শেম্শাবগী ওইবা(ওর্গেনাইজেসনেল্) প্রোগ্রাম্ অমনি। পণ্ডিত নেহরুনা মসিবু ইহৌ শাগৎপগী প্রোগ্রাম্নি হায়খি। ইং ১৯৫২ ওক্টোবর তাং ২ দা সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ হৌখ্রবা তুংদা ওক্টোবব ২ ইং ১৯৫৩ দা নেসনেল্ এক্সটেন্সন সার্ভিস (অশম্বদা এন:ই:এস:) হায়বা অমনা শৌগৎনবা হেন্না মপুং ফাননবা হৌদোক্খি। মসিগী পান্দম্দি ব্লোক্ খুদিংমক্পু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা চংবা মচাক্ অদু শেন্বা ঙম্নবা শাসনগী পাথাপ্ অমা শাগৎপনি।

কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট ব্লোক্‌ :-

কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট প্রোগ্রাম্‌ পাংথোক্লবগীদমক্‌ খুঙ্গংগী লম্‌দম্‌দা খুল্‌ ১০০ যোম্না শাবা ব্লোক্‌ হায়দুনা লমতুপ্‌ অমমম্‌ শেমই – মসুদা থবক্‌ তৌননবা ব্লোক্‌ ডিভেলপ্‌মেন্ট অফিসার (শম্না বি:ডি:ও:) না লুচিংবা টিম্‌ অমা লৈ । বিঃ ডিঃ ওঃ গী মখাদা হিবম্‌ খুদিংগী ওইনা থবক্কী জ্ঞাণ্‌ লৈবা এক্সটেন্সন্‌ অফিসার তরেৎ নিপাল্‌ লৈ । মাখোই অসিগী মখাদা গ্রাম্‌ সেবক্‌ নত্রগা 'ভিলেজ লেভেল্‌ ৱাকর হায়দুনা খৌরম পুম্বা শুপ্না পুবা মীওই, নুপাদা তবামুক্‌ অদুগা গ্রাম সেবিকা হায়দুনা নুপীদা অনিগুম্ব থমই । মশিং অসি ব্লোক্কী সার্কল্‌ খাইদোক্‌পগী মতুং ইন্না খেন্নবা লৈ । অহান্‌বা ব্লোক হৌনক্‌পা মতম্‌দা ব্লোক্কী প্রোগ্রাম্‌ শেম শাবা অমসুং [illegible] তেংবা [illegible] । ব্লোক এদভাইজরি কমিতি হায়দুনা প্রজাগী মরক্তগী মেম্বর খাপ্তুনা থমলম্মী, হৌজিক মসিগী ব্লোক্‌ ডিভেলপমেন্ট কমিতি হায়না কৌনখ্রে; পঞ্চায়ত্তি রাজ লাক্‌পদগী মসিবু পঞ্চায়ৎ সমিতিনা মহুৎ শিনখ্রে । ডিভেলপমেন্ট ব্লোক (বেশিক টাইপ ওফ কম্যুনিতি প্রোজেক্ট) অমগী বজেৎ অসি লাক্ষ ১৫ থমখি; অদুগা (বেশিক টাইপ [illegible] ব্লোক্‌ [illegible] লাক্ষ ১২ থমখি ।

সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্‌ অদুগা এনঃ ইঃ এসঃ হায়বশিং অসি প্রজাশিংনা নৌনা ফংবা নীংতম্লবা ষ্টেট নত্রগা লৈপাক অসিদা তৌফম থোক্‌পা অদুগী মরমদা ভাব তাননবা ইহৌ অমা শাগৎপা ওইনবনি । সিঃ ডিঃ গী মাইপাকপদ্দি খুঙ্গংগী প্রজাশিং অসিগী অপাম্বা অমদি হৈনিংবা অদু পুথোক্লগা মদু অৱাংবা থাক্তা থম্বা অসিদা লৈবে । সিঃ ডিঃ গী ৱাখলগী যুম্‌ফম্‌দি খুঙ্গংগী মী কাংলুপ্‌ পুম্নমক্না মাখোইগী হিংবগী ফিভম্‌ ফগৎনবা, খুঙ্গংগী পুন্সিগী থবক্‌ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা মাখোইগী লৈজবিবা পোংথোক্‌ লম্ছোক অদুগা ইহৌ শাগৎনবা মাখোইগী লৈজবী পুথোক্তুনা হোৎনবনি । থবক শেম্‌ শানবা অদুগা পাংথোক্লবগী মপুং ওইবা শাফুদি প্রজা মশাদগী লাক্‌চগদবনি । শম্না হাগববদা সিঃ ডিঃ গী পান্দম্‌দি – চয়েৎনববু মথং মনাও নাইবদা পুরক্‌পা, খুঙ্গংগী মীশিং অসি মাখোইগী থবক্‌ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু অপুন্‌বগী ওইনা চাওখৎনবা, নুংঙাই যাইফ পুবক্লবদা ফাজিন্দুনা শিজিন্নবগা চাং মান্নবা, খেন্নবা লৈতবা, খুঙ্গংগী মীশিংগী খুজিং অমা শেম্বনি ।

ভাবতকী খুঙ্গং খুদিংমক্‌ সিঃ ডিঃ ব্লোকশিংনা থুংনা কুপশিন্‌খ্রে; অহানবা চহী মঙাগী থৌবাংদা এনঃইঃএসঃ অসিনা খুনগী মীশিংদা টেক্নিকেল্‌ সার্ভিস হায়বদি থবক্কী থৌওং পুবক্লবগী থৌপুবোই (এজেন্সি) ওইবক্‌খি অদুগা সিঃ ডিঃ না খুঙ্গং শেম্‌গৎ শাগৎনবগী থৌবম্‌ ওইখি । অনিশুবা চহী মঙাগী থৌবাংদনা মসিগী ৱাখল্‌ অসি

মীযাম্না লৌবা অদুগা শিন্থাবা হৌথি; মতম্ অসিদা পঞ্চায়তী বাজসু পোক্‌লক্‌খি । অহুমশুবা চহী মঙাগী থৌবাংগী মক ওইবা থবক্তি পঞ্চায়তী বাজগী লোইশংশিং অসি চাওখৎহন্বা অদুগা মপাঙ্গল্ কন্‌খৎহন্বনা ওইখি ।

সিঃডিঃ গী থৌবম্না ভাবতকী শেলথুম্‌গী, সমাজগী ফিভম্ চাওখৎহন্বদা যাম্না মমল্ যাম্নবা মতেং ওইবক্তই মসিনা অনৌবা লৌউ শিংউবগী জ্ঞান তেনগৎহন্দুনা মী কাংলুপ্‌কী শেল্ থুম্‌গী ফিভম ফগৎহন্বা ঙম্‌খি । ঈশিং অফবা থক্লনবা পুখ্রি, শুহা তৌবা লম্বী থোং শেমগৎপা প্রাইমারি হেল্‌থ সেন্তর শেমগৎপা অসিনচিংবা কয়া তৌখি । অসিগুম্বা [illegible] হেন্দোক্লনা যাম্না মক ওইবা ভাবসু পোক্‌হন্বা ঙমলক্তই । অহানবদা - খুন্দ চাওখৎ হন্নবা লৈবিবা মখল্ মখা যাম্বা এজেন্সিশিং অসিনা লম্ লম্ অদু [illegible] হোংনবা । অমতা ওইনা পুনশিন্নবা হেৎনাখবা অদনি । দিপার্টমেন্টশিংগী [illegible] লৈ [illegible] পুন্নমকপু অমতা ওইনা থবক চংশিন্নবা পনাশ্‌লহন্‌খি । মনিশুবদা - মী পুন্নমক অসি অনৌবা খুৎলাই, লৌশিং, থৌদৌ শিজিন্নবা অমসুং মশানা মশাগী [illegible]বগী রাখল্ পোক্‌হন্দুনা শেল থুম্‌গী ফিভম্ ফগৎহন্নবা হৈনা, তকশি লকপা রাখল অমা ফংনখ্রিবা অসিনি হাযবদি প্রজাগী রাখল্‌দা অহোংবা অমা লাক্‌খ্রিবা অসান মওং অসিদা প্রজাগা, সরকারগী এজেন্সিশিংগা পুনশন্দুনা থবক্ চংখহন্বা ঙমখ্রিবনি । মতাং অসিদা পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংগী মকোকচিংবা মীশিংনা হিংনম্ খুদিংমক্তা থবক্ ওইনা উৎপা খবমখৌদ ঙম্মখ ।

মণিপুরদা সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম - (শাসনগী মওং) মণিপুর অসি জিলা ৮ থোক্লা খাইদোক্তই চীংদা মঙা অদুগা তম্পাক্কী লমদা অহুম্ লৈ । অহানবা চহী মঙাগী থৌবাংগী মখাদা প্রোজেক্ট হৌনকপদা ইং ১৯৫২ ৫৩ কমুনিতি ব্লোক ২ হাংদোক্‌খি । অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা চহী মঙাগী থৌবাংগী মখাদা অহেনবা ওইনা মথংশিংনা ব্লোক্ নিপাল্ অমসুং মনি লিংখৎখি । অসুম্না পুন্না ব্লোক্ তরামনি তম্পাক্তা তরুক্ অদুগা চীংগী লমদা নিপাল্ লৈখি । মনিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহী মঙাগী থৌবাংগী মনুংদা চীংগী ব্লোক্ নিপাল্ অসিবু এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইউনিট্‌ নত্রগা ত্রাইবেল্ ডিভেলপ্‌মেন্ট ব্লোক্ কুন্ থোক্লা খাইদোক্‌খি অসুম্না পুন্না ব্লোক মশিং অসি মঙাশুবা চহী মঙাগী থৌবাং লোইবদা কুনতরুক্ শুখি । ইং ১৯৮৪ গী তুংদা অহেন্‌বা ব্লোক্ মঙা অমগা হাপ্‌চিন্দুনা পুন্না ব্লোক্ ৩১ শুখ্রে । অহানবদা ব্লোক্‌শিং অসি ডিভেলপ্‌মেন্ট কমিসনাব অমগী মখাদা থম্‌লম্মী, ইং ১৯৬৯ দগী ডিভেলপ্‌মেন্ট কমিসনাবগী থবক্ অসি এদিসনেল্ চীফ সেক্রেটবিদা পিশিন্‌খি । অদুগা ব্লোক্‌শিং অসি হকথেংননা মবি লৈনবা দিপুটি কমিসনাবশিংবু এদিসনেল্ ডিভেলপ্‌মেন্ট কমিসনাব ওইহন্দুনা থবক্ পাইহল্লক্‌খি । ইং ১৯৭৮ দা ডাইবেক্টোবেট ওফ রুবেল্ ডিভেলপ্‌মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী বাজ অসি

শেম্‌খি অদুবু চপ্‌চানা খুঙ্গং চাওখৎ-থৌরম্‌গী থবক্‌ পাংথোক্‌পা অসি ডাইরেক্টোরেট অসিনা তৌরক্তি। ডাইরেক্টোরেট অসিনা অরেবা ফণ্ড দিপুটি কমিসনারশিংদা য়োক্‌শিংগী ওইনা য়েংশোক্‌পা অদুগা থবক্‌ পাংথোক্‌খিবগী প্রোগ্রেস রিপোর্ত অদু শাগৎলগা মরি লৈনবা মথক্কী সেক্রেটরিয়েৎ দিপার্টমেন্টশিংদা থাগৎপগী থনক্তমা তৌবক্‌ই। রুরেল্‌ ডিভেলপ্‌মেন্টকী ডাইরেক্টোরেট ওইরবসু খুঙ্গং চাওখৎ থৌরম্‌গী মরমদদি থবক্‌ ওইনা খুৎথাবা ওমদে। মাসি শাসন্‌গী লম্বীদা চেংশিনবা, চপ্‌শিন্না শরুক্‌অম্‌নি। থবক্‌ চাওথোক্ল বা মী হেন্না চংননবা মতম্‌ চংনবা মওং ওইবতা নত্তনা চাওখৎ থৌরম্‌গী থবক্‌ দিপুতি কমিসনারদা হাপ্‌চিনবা অসি থৌদৌ চাদে, মসি হোংদোক্‌পা চুম্‌ই। ●

(৭)

গনতন্ত্র, কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী রাজ

গনতন্ত্র –দিমোক্রেসি নত্রগা গনতন্ত্র হাযবসিগী খ্বাইদগী মক ওইবা ব্রাখল্লোন্‌দি প্রজাশিংনা হিংবদা চংবা ফিভম্ ফগৎহন্নবা হোৎনবগা লোযন লোযননা হিংবগী ফিভম অদু ঙম্মখৈ চাং মান্নহন্‌বনি । মবম্ অদুনা মসি প্রজাগী নুংঙাই-যাইফ পুবক্লবা অদুগা চাং মান্নহন্নবগী পান্মৈনি । চুম্না পান্মৈ ওইবতা নত্রগা অমবোম্দা মসি পন্সিগী লম্বী অমনি । গনতন্ত্রগী নিযম্ মতুংইন্না মী খুদিংমক্ জাতিগী থক্তা শকক যাহনগদবনি মদুগী দমক্ মীপুম্নমক্না মশা মশাগী দাযিত্বসু খংগদবনি । পাথাপ্ মসিগী নিযমদি মীগী মনক্তা খেন্নবা লৈতবা হাযবসিনি । 'হিংউ অদুগা হিংহল্লু' হাযবা ব্রাফম অসিদা যুমফম্ ওইবা তাই । মী খুদিংনা হিংনবা, নুংঙাইনবা, চাওখৎ চনবা হোৎনবা হাযবসি মাগী হক্ নি, অদুম্ ওইনমক্ মাগী হক্ ফংননবা হোৎনবদা অতোপ্পগা হক্ অদুদা হেন্‌জিল্লবা অমদি অকাইবা পিবদি চুম্দে, মদু তৌকবদা অতোপ্পদুদা অওৎ-অনৈ, নম্‌থুবা, তুহৎপিবা থোক্কনি । মী পুম্নমক্ পুন্না হিংমিন্নগনি চাওখৎ মিন্নগনি অমদি নুংঙাইমন্নগদবনি । গনতন্ত্রদদি মী খুদিংগী নীংতম্বা লৈতবা যাদে, নীংতম্বা অদু ফংবা তাববদি মক ওইবা হক্ অহুম্ লৈবা তাই । (১) হিংনবগী হক্ (২) হিংবা ঙম্নবা থবক্ শুজনবগী হক্ (৩) তান্‌শিল্লুবা অদু ফংজনবগী হক্ ।

(১) হিংনবগী হক্ – মী খুদিংমক্ হিংদবা যাদে, অদুম্ ওইনমক্ কবম্বা মওংদা হিংগদগে হাযবসিনি খংগদবা । মীওইবনা হিংবগা জীব অতৈনা হিংবগা মওং মান্নদে, জীব অতৈদি অফং-অফংবা চাবগা পংহিং হিংবা ঙম্মই, মীওইবগীদি য়াম্দ্রবদা চাবা, শেৎপা, লৈফম্ ফংবা তঙাই ফদবনি । মদুগী মথক্তা মী মশেল্ মবক্তা থাক্ মান্ননা, অমনা অম্বু ওৎপি-নৈবিবা, নম্‌থবিবা, তুহৎপিবা তৌনদনা মনিংতম্না চাবা, থক্পা, শেৎপা ফংদুনা পুন্না হিংমিন্নবা ঙম্গদবনি । চিঞ্জাক্নিয়ম্ চুম্না ব্রাত্ত-পাদনা ফংবা, শেৎন ইন্নবা ফিবোল্ ফংবা অদুগা মতিক্ চাবা লৈননবা যুম্ ফংবা তাবনি । মীওইবদি ব্রাখল্ খন্‌বা ঙম্বা জীব ওইবনা সংসার অসিদা পোক্‌পগী পান্দম্ পুথোক্তুনা মদু ফংনবা হোৎনবা, তুংগী মীবোল্‌গী পুন্সি ফননবা হোৎনবা অসিনচিংবদগী হেন্দোক্তুনা তাইবং শেম্বিবা

মপুগী খুয়া য়ৌনবা ফাওবা থাজবগা লোইন্‌না হোৎনবিবনি । মসি পূম্নমক্ ফংননবগী হক্ অদু গনতন্ত্রদদি মীপুম্ খুদিংগী ফংগদবনি ।

(২) হিংনবগী থবক্ শুজনবগী হক্ —শুবা-নোম্বনা হিংননবগী পাম্বেনি, মসিগী পাম্বে অসি কোম্না ফংবা ঙম্বা তাবনি । মফম্ মফম্‌গী অমসুং মতম্ মতম্‌গী মতুং ইন্না সমাজদা থবক শুবা ফংনবগী লম্বী মান্নদে, মী খবনা কোম্না ফংবা ঙম্মী, খবা অমনা য়াম্না বানা হোৎনববা ফাওবা ফংবা ঙম্‌দদুনা চাবা শেংপা ফংনবগী হক্ ফাওবদা মাংনবি । চৎনবী অমদি লৈপাক্কী আইন্ চৎনা চৎনা মী খবনা চুম্না হিংবতা নত্তনা মশাগী ওইনা নুংঙাই যাইয় ফংদুনা পুক্সি লেল্লি, অদুগা অযাম্বা মীওইনা চুম্না হিংবা ফাওবা বানা থোক্‌কনা পুক্সি অাস পোৎলুম্ ওই । গনতন্ত্রদাদি মসিগী চাওনা খেন্নবা অাস লৈফম্ থোক্ে, খেন্নবগী চাং অসি যামদ্রিবমখৈ চৎনবিবা গনতন্ত্র অদু ফবিবনি গনতন্ত্রদদি মী খুদিং্মক্কী হক্ ওইনা হিংনবগীদমক্ শুজনবা থবক্ ফংবা তাবনি । লৈপাক্কী সবকাব অদুনা মদু থোক্কবা লম্বী যাৎপা তাই, অদুগা প্রজা মশেন্নসু শৌগৎনবা তাবনি ।

(৩) তানশিল্লুবা লন্‌থুম অদ্ ফংজনবগী হক— মান্নদবা সমাজ নত্তগা খুনাইদা মশা কেম্বমখৈ, পুক্সি চুপ্পা নোম্লবস্ চাবা ফাওবা কোন্নদদুনা তানশিল্লুবদা ফংফম থোক্‌পা মদুগী মপু ওইবা ঙমদে, খুদোং চাবা ফংবা খবগাদমক তানানবা ওইনা থোক্‌ই । থবক শুবদা মীখা পোন্দুনা নৈহৎপা, ভুতথাপবা থোক্কনা খুদুম্ চনাশনবিবদগী মীনাই ওম্না পুক্সি লোমখিবা অযান্নদা থোকই । খুদোংচাবা ফংবা খবা তাদুদি মশা ব্রাদনা অতোপ্পগী খুৎশু অদদা তোংদুনা লল্লোনদুনা যাম্না চাওবা শকক্ ক্তই, অতেন্‌বো লন্-থুম পৈশিল্ল । মাগোই অসি তৌবা ঙম্বা মাতক চানা ক [illegible] প ওইনা লৌই, সমাজগী মপু শাযবদু মা [illegible] সন [illegible] । গন [illegible] চৎপ [illegible] লপ [illegible] দ মাসিগুম্ব চাওনা খেন্নবা অসি লৈগোইদবনি, খ্বাইদগা য [illegible] দনা লৈগদব [illegible] ।

গন [illegible] কজনা চত্থবা মমদ [illegible] হনবা তাবনাদ শাসন পুবিবা মীশংদা থোইদোক হেন্দোকপা গুণ্ লৈবা তাবনি । মাখাইদা লুচিংবা নত্তগা থৌবু ওইবগী রাখল থবক্কী [illegible] নংবা, নোম্বা কলক, খংব ঙম্বা, পুক চেল শেংবা অাসনচিংবগী মথক্তা যামদ্রবদা পাংথোক্কদবা থনক্কী মপুংফাবা জ্ঞান, মীযামগী অনিংববু ইকাই খুম্নবা মশাগী মথৌ অমসুং দায়িত্ব খংবা, লোযন লোযনবা খুনাইদা পুন্না মপু ওইমিন্নবগী, শকক্ যামিন্নবগী অমগা অমগা পুনশিন্নবগী নাখল অাস লৈবা তাই । গনতন্ত্রদা মাইপাকপা অবাইবা নত্তে, মাই পাক্লবগীদমক্তি মীযামদা থোইদোক্ হেন্দোক্না লুচিংবশিংদা পুক্‌চেল্ শেংবা অমসুং কথোকপগী চাং বাংনা লৈবা তাই । হায়নবা লৈ-গনতন্ত্রদদি নিয়মনা পিক থল্লি শাসনদি যাওদে । ফজবা নিয়ম্ কয় শেমজববসু মাদুবু মীযাম্না ইনবিদ্রবা

অদুগা সরকারনা চৎনহন্‌বা ঙমন্দ্রবদি শাসন্‌ লৈতবগা চপ্‌ মান্নে । গনতন্ত্রগী সরকারদদি প্রজাগী পেন্দবা , অশাওবা, য়ানিংদবা অমসুং পাম্‌দবগী চাং য়াম্না হন্থে । পুথোক্লকপা থৌরম্‌ অমদা প্রজাগী ৱাখল্‌গী থাক্‌, লৌশিং, খাংবা ঙম্বগী চাং, শরুক্‌ য়ানিংবগী হৈহৌ অসিনচিংবগা চানহন্‌গদবনি নত্তুবদি অশোইবনি ।

কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট প্রোগ্রাম :-

প্রোগ্রাম্‌ অসি ভারতকী খুঙ্গংগী মীওইগী সমাজগী, শেল্‌থুম্‌গী অমদি ইনাৎকী ওইবা ফিভম্‌দা অওন্‌বা অমা পুরক্লবগী অদুগা হিরম্‌ খুদিংদা চাওখৎপা পুরক্লবগী পাইখৎখিবা পান্বে অমনি । থৌওং অসি মীয়াম্‌গী থবক্কা মীয়াম্‌গী অপাম্বগা চাননা চথবা য়াননবগী হৈহৌ শাগৎপনি । মসি সরকারনা হৌদোক্‌পা প্রজানা য়ানিংনা শরুক্‌ য়াগদবা প্রোগ্রাম্‌ অমনি অদুনা সরকারতনা পাংথোকপা য়াগদবা নত্তে, প্রজাবু এজেন্ট ওইহল্লগা পাংথোক্কদবনি । সরকারগী পান্দম্‌দি প্রজাগী হান্না লৈজরম্বা কাইদা অদু নমদুনা হোংদোক্‌হল্লগা অনৌবা অওন্‌বা অমা পুরক্‌পা অসিনি । নমদুনা হোংহন্‌বা হায়বসিদা নমফু শক্তি শিজিন্নবগী ৱাফম্‌ য়াওদে, প্রজাবু ভাব তাহল্লগা সরকারনা হৌদোক্লিবা থৌরম্‌ অদুদা মশা মশানা য়ানা হৈনিংনা য়াওশিলহন্‌গদবনি । গনতন্ত্রগী পান্বে শিজিন্নদুনা হান্না ভাব তাহল্লগা হিরম্‌ খুদিংদা য়াইফ-নুংঙাইবা পুরক্কদবনি । সরকারগী মাইগৈদগী ফগু অমসুং খোংহৌ পুথোক্‌পা অদুগা প্রজাগী মাইগৈদগীনা মপুং ফাবা থৌদাং য়াবা তঙাইফদে । নাকল্‌ অনিদা অশোন্‌বা য়াওবদা থৌরম্‌ অসি পাংথোক্‌পা য়ারোই ।

পঞ্চায়তী রাজ:-

সরকারগী শক্তি, মঙম্‌, পোৎ-লন্‌ চাইথোক্লগা গনতন্ত্রগী নিয়ম্‌দা থাক্‌ থাক্‌ নাইবা লোকেল্‌ সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী লোইশঙ লিংদুনা থবক্‌ হৌহন্নবগী মচাং শেল্লগা প্রজাগী য়াইফ-নুংঙাই পুরক্লবা শেম্বা শাসন্‌গী মওং অদুবু পঞ্চায়তী রাজ হায়না খংনৈ । খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা খোইজংনা হৈনিংনা শরুক্‌ য়ারগা মখোই মশাগী ওইনা হিরম্‌ খুদিংমক্তা ফিভম্‌ ফগৎহন্নবা পুথোক্‌পা পান্বেনি । মসিদা সরকারনা থাজবগা লোয়ননা পায়রিবা শক্তি অদু শুপচিন্দনা চাইথোক্‌পা, পিথোক্‌পা শাসন্‌গী মওং তানা থম্বা অদুগা প্রজাশিংনসু হৈশিংনা পিথরল্লিবা শক্তিনচিংবা অদু নিয়ম্‌ চুম্না ভাব তানা শিজিন্নবা তঙাই ফদে; শাসন্‌ অসি পুন্সিগী লম্বী অমা ওইহন্‌বা ঙম্‌গদবনি ।

গনতন্ত্র, কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী রাজ হায়বশিং অসি ভারত হায়বা লৈপাক্‌ অসিগী লৈহাওদা য়াম্না চুনবা ঙাক্তনি । ভারত হায়বা অসিদি তোঙান্‌ তোঙান্‌বা ফিভম্‌দা হিংবা মখল্‌ মখা কয়াগী মীওইনা অতম্নবা ধর্ম্ম চৎনরবসু অমতা

ওইবা রাজনীতি অমদি লৈঙাক্লোন্দা য়ুম্ফম্ ওইদুনা লিংবা লৈপাক্ অমনি । লৈপাক্ অসিগীদমক্তি মথক্কী গনতন্ত্র, কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী রাজ হায়বা অহুম্ অসি চৎনদবা ইয়া ময়াদ্রবনি । পৃথিবীগী খ্বাইদগী চাওবা গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক অমা ওইবিবা ভারত অসিদা মাখোইশিং অসি অনৌবা চাংয়েং ওইনা পুথোক্পা ওইরবসু তুংকোইনা চৎনবা য়াবা থৌবম্ ঙাক্তনি ; মাখোইশিং অসি অমগা অমগা অচেৎপা মরিলৈনৈ, য়ুম্ফম্, পান্দম্ অমতনি থাদোক্রবা য়াদবা ফিভম্দা মশানা অদুম্ তাজে ।

গনতন্ত্র অমসুং কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী মরি :-

ইং ১৯৪৭ আগস্ট তাং ১৫ দা ভারত অসি মীবৈপাক্কী শাসন্ মখাদা লৈবক্নদগী নাম্থোক্পা ঙমখ্রে ; মশানা মশাবু ঙাক্চবা সবকার লিংখৎখ্রে । ইং ১৯৪৯ গী নভেম্বর তাং ২৬ তা মশাগী ওইবা সংবিধান্ শেম্দুনা চৎনবা হৌখ্রে অদুগা ইং ১৯৫০ গী জানুৱারি তাং ২৬ তা সোভবিন্ দিমোক্রেটিক্‌বিপাব্লিক্ অমা ওইখি । চহী অসিমক্তদা জাতিগী ওইবা প্লানিং কমিসন্ অমা শেম্দুনা ইং ১৯৫১ দগী চহী মঙাগী থৌবাং পাযখৎপা হৌখি । লৈঙাক পাথাপ্ অসি সেকুলেবিজম, (ধর্ম্মগী খেন্নবা থমদবা) সোসিয়েলিজম্ (মান্নবা খুনাই ওইবা) অমদি গনতন্ত্রদা য়ুমফম ওইবা মখল্ অমাওইনা চখখিবান । মীযাম্গীদমক পব্লিক্ সেক্টব, প্রাইভেট সেক্টব অমদি কোঃ ওপবেটিভ্ সেক্টবদা অচৌ অচৌবা স্কীম্, প্রোগ্রাম্ কয়া পায়খৎখি । পুম্নমক্ অসি মীয়াম্গী ওইনা পুন্না চাওখৎমিন্নবগীদমক্তনি । মবম্ অদুনা অহানবা চহী মঙাগী থৌবাংগী মনুং চন্না খুঙ্গং চাওখৎনবগীদমকঅতম্না ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবব তাং ২ দা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীজীগী মপোক্ নুমিৎতা কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ পাযখৎপা হৌখি । গনতন্ত্রগী পান্দম্দি হিবম্ খুদিংদা প্রজাগী ওইনা অফবা, চাওখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা ওইগদবা পুম্নমক প্রজাগা য়ান যাননা চুংশিন্নদুনা পুবক্পনি । সিঃডিঃ প্রোগ্রাম অসিনসু খুঙ্গংগী প্রজাগী সমাজগী, শেলথুম্গী, ইনাৎকী অদুগা অতৈ অতৈ হিবম্দা অফবা মওন্‌বা ফিভম্ অমা তপ্না তপ্না লিবি লিবিনা হায়বদি খংওন্ ওন্‌বা নত্তনা, পুবক্পগী পান্দম্ ওইনা মাংদা থল্লগা খুঙ্গংগী প্রজাবু নুংঙাই যাইফবা ব্রাত্ত পাদবা মী কাংলুপ ওইননবা হোৎনবনি । অসুম্না খুঙ্গংগী মী কাংলুপ্কী ওইনা অওন্‌বা ফিভম্ অমা পুবক্পা হায়বসিদা গনতন্ত্র অমসুং সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ অনি অসি পুন্না চৎমিন্নৈ, চাওখৎমিন্নৈ অমনা অমগী মপাঙ্গল্ হাপ্ই, অদুগা শিবসু পুন্না শিমিন্নগনি । মলম্দি অনি অসিমক্ মীযাম্গীনি, মীযাম্না হিংহনগদৌবিবনি, পান্দম্ অমদি থৌওং মান্নবা ঙাক্তনি । পান্দম্ অদু যৌননবা হোৎনবা হৈক্ত্রবদি মীযাম্না মাংহন্‌গদৌবিবনি, মাংজবসু মীয়াম্গী ওইগদৌবিবনি ।

কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট প্রোগ্রাম্‌ অমসুং পঞ্চায়তী রাজগী মরিঃ-

সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্‌গী পান্দম্‌দি লম্‌ লম্‌গী ওইনা মতুপ্‌ মতুপ্‌ চাওখৎপা; সবকাবনা হৌদোক্‌পা থৌবম্‌দা খুঙ্গংগী মীযাম্‌বু নাক্‌পাক্‌ অমদা শকক্‌ যাহন্‌বা অদুগা সমাজগী মনুংদা শোখহৌববা মী কাংলুপপু শৌগৎতুনা চাং মান্নবা ফিভমদা পুবক্লবা হোৎনর্বনি। প্রোগ্রাম্‌ অসি অহানবদদি সবকাবনা পুথোক্লগা মশানা এজেন্ট (থৌপুবোই) ওইজদুনা পাংথোক্লবা হোৎনখিবনি, চংগদবা ফগুসু সবকাবনা পুংযান্‌ ওইনা পুথোক্‌লম্মী প্রজাগী তেংবাং ফংলম্‌দে। প্রোগ্রাম্‌ অসিমক্তি প্রজা যা ওনা পাংথোক্কদবা ওইবগা প্রজাগী তেংবাংদি ফংদ্রর্বনিনা তশেংনা অশোইবা হাযবদু ওইখি। অশোইবা অসি থিদোক্লবগীদমক্‌ চহী মঙাবোম চথববা তুংদা প্লানিং কমিসন্‌না ইং ১৯৫৭ তা বলবন্তবেই মেহতানা লুচিংবা স্টদি টিম্‌ অমা শেম্‌দুনা যেংশিলহল্লবা তুংদা বিপোর্ট অমা লানখৎহনখি। মাদুগী মহৈনা সিঃডিঃ প্রোগ্রাম্‌ অসিগী প্লানিং তৌবা অদ্‌গা থবক্‌ পাংথোক্‌পা অসি খুঙ্গংদগীনা জিলা ফাওবদা থাক্‌ অহুম্‌ থোক্‌পা প্রজাগী মীহুৎনা শাবা লোকেল সেল্ফ গোভর্নমেন্টকী খুজিং শেম্লগা মাখোই অদুদা শিন্নবা হায়বা ব্রাফম্‌ অসি লার্কখি। ভাবতকী সংবিধানগী ডাইবেক্টিভ প্রিন্সিপল্‌স ওর্ফদি ষ্টেট পোলিসিগী ধাবা ৪০ শুবদসু পঞ্চায়ত লিংখৎপা যাবগী ব্রাফম্‌সু যাওবনিনা মতাং অসিদা পঞ্চায়তী বাজ হাযবিবা খুঙ্গং শেম্‌গৎ শাগৎপগী মবিদা শাসন্‌ তৌননবা পাথাপ অসি পোক্‌খির্বনি। মবম্‌ অদুনা সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্‌ হাযবা অসিগা পঞ্চাযতী বাজগা তৎন-থানবা যাদ্রবা মবি লৈখির্বনি। অনি অসিসু হিংমিন্নগনি অর্মদি শিমিন্নগনি।

গনতন্ত্র অমসুং পঞ্চায়তী রাজগী মরি :-

গনতন্ত্রদা সবকাব অমনা প্রজাগী অপাম্বা অনিংবা য়েংদুনা থবক্‌ তৌই অদুগা শাসন্‌ তৌই। মসি তৌবা মতম্‌দা মীযাম্না খন্‌বা মীহুৎনা থবক্‌ অমসুং শাসন্‌ পাযগনি। পঞ্চাযতী বাজদসু খুঙ্গংগা মীযাম্‌গী মীহুৎনা শেম্বা লোইশঙশিংনা সবকাবগী খুজিং ওইনা মাগী মাগী থাক্তা প্রজাগী চাওখৎ থৌবম্‌ অমসুং নুংঙাই যাইফগী থবক পাযখৎপনি। পিঃআবঃগী পাথাপ্‌ অসিদা প্রজাগী থৌদাং অর্মদি দাযিত্ব যাম্না চাওই। কেন্দ্র সবকাব, বাজ্য সবকাব অমসুং অতৈ অতৈ ম্যুনিসিপালিটিনচিংবা লোকেল্‌ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী থবক্তদি প্রজাশিংনা মীখল্‌দা অমুক্তং ভোত পিখ্রগা মাখোইগী তৌফম্‌ থোক্‌পা মথৌ পাংথোক্‌পা লোইবে। পিঃআবঃ দদি মসি নত্তে; ভোত পিবগা লোযন-লোযননা মতম্‌ মতম্‌গী ওইনা গ্রাম্‌ সভাদা থবক্কী থৌবম্‌ পুথোক্তুনা খন্নবক্‌পা নৈনবক্‌পা মতম্‌দা ব্রাবেপ্‌ লৌবদা যাওবা তাই; অসুম্না খুঙ্গংগী প্রজাশিংনা যাম্না চাওবা থৌদাং যাই। মবম্‌ অসিমন্না পিঃ আবঃ বু পার্টিসিপেটিভ দিমোক্রেসি হাযবদি প্রজানা শকক যাবা গনতন্ত্র কৌই অদুতা নত্তনা গ্রাস

কট্স দিমোক্রেসি হায়বদি মখোংদগী হৌবা গনতন্ত্রসু কৌই ; মসিগী মওং অসিমক্ পিঃ আবঃ হাযর্বাদ পঞ্চাযতী বাজগী তোপ তোপ্পা শক্ফম্নি। ভাবতকী চাওখৎ-থৌবাংদি লৌউ-শিংউবা অদুগা মবি লৈনবা থবক্তা যুম্ফম্ ওইবনি, মবম্ অদুনা সহব শেম্গৎপগা লোয়ন-লোযননা খুঙ্গং শেম্গৎপা হাযবসিসু পুন্না মতম্ অমতদা তৌগনি হায়বসি সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্গী ব্রাখল্নি।

গনতন্ত্র, সিঃডিঃ অমদি পিঃ আর ঃ-

দেশ অসিনা নীংতম্বা ফংলদুনা গনতন্ত্রগী পাথাপ্ চৎনবা হৌবক্পগা লোয়ন লোযননা খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌবম্গীদমক্ সিঃডিঃ প্রোগ্রাম্ পাযখৎখি। চাওখৎ থৌবম্দা হান্নগী ফিভম্ পুম্নমক্ অনৌবা বিজ্ঞান্গী ওইবা মওংনা মহুৎ শিলহন্দুনা হেন্না ফবা খুৎলোইবা মওং অমদা পুবক্লবা হোৎনখিবনি।

সিঃ ডিঃ প্রোগ্রাম্ অসি চৎথবা মতম্দা প্রজাগী শাফু কন্বা তেংবাং অমা ফংননবগীদমক্ প্রজাগী মীহুৎনা শাবা লোইশঙ লিংলগা শকক্ যাহন্বগী তঙাই ফদবা থেংনখি। অসুম্না পিঃ আবংগী পাথাপ্ লাক্পদা মসিনা খুঙ্গংগী মীযামগী চাওখৎ থৌবম্ অসি গনতন্ত্রদা যুম্ফম্ ওইবগা পাযখৎপদা লেংথোং নাদুনা শোথহৈববা মশিং যামখ্রবা খুঙ্গংগী মীওইবু অবাংবা থাক্তা পুখৎলক্লবা দাযিত্ব লৌহনগদৌবিবনি, পিঃ আবঃ অসিবু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নগদৌবিবনি।

মবম্ অসিনা গন তন্ত্র লাক্পদা কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ পুথোক্লকই অদুগা মাদুগী তুংদা সিঃডিঃ প্রোগ্রাম্ পাংথোক্হন্নবা পঞ্চাযতী বাজ তঙাই ফদনা থোক্লকই। মতৌ অসুম্না অহুম্ অসি অমগা অমগা শম্নবা তৎন থানবা যাদ্রবা হিংমিন্নবা অমসুং শির্থামিন্নবা যাবগী ফিভম্দা লৈ। ●

(৮)

ভারততা পঞ্চায়তী রাজ লিংখৎখিবগী খোংথাং

(ইং ১৯৮৮ নভেম্বর ফাওবদা ওইখিবা ফিভম)

পঞ্চায়তী রাজ অসি ইহান্ হানবা ওইনা ইং ১৯৫৯ ওক্টোবর তাং ২ দা রাজস্থানগী নাওগর (নগ্বব) হাযবা মফমদুদা লিংখৎখি; মথংদা চহী অসিমক্তদা অন্ধ্রপ্রদেশ তা লিংখৎখি। হৌজিক অসিদদি ভারতকী রাজ্য অমসুং ইউনিয়ন টেরিটোরি অয়াম্বদা লিংখৎখ্রে। ওবিষাদা জিলা পরিষদ মুখ্য ত্তনা দিস্ট্রিক্ট এদভাইজরি কাউন্সিলনা ইং ১৯৬৯ গী নভেম্বব তাং ১ দগী জিলাগী থাক্তা মন্থৎ শিন্খি। ইং ১৯৮৮ নভেম্বর ফাওবদা গ্রাম পঞ্চায়ত ২,১৯,৯২২, পঞ্চাযত সমিতি ৩০৩১ অদুগা জিলা পরিষদ ২৬২ লৈখি। অসুম্না দেশ পুম্বগী চাদা মবিফু তবানিপাল্ দি পঞ্চায়তশিংনা শিল্-থুংখ্রে।

পঞ্চাযতশিংগী মমিং, থাক মশিং, চেয়ারপার্সন শিংগী মীংথোল্নচিংবা অসি দেশ পুম্নমক্তা মান্নদে, রাজ্য রাজাগী ওইনা খেন্নে। মখাদা উৎলিবা অসিদগী পঞ্চায়ত শাগৎপগী মচাং, পঞ্চায়তকী মমিং, থাক্ খুদিংগী পঞ্চায়তকী মশিং, মেম্বর অমসুং চেয়ারপার্সনগী ফমগী মমিং খংবা ঙমগনি।

সিঃ	বাজ্য গী মমিং	(ক) খুদংগী পঞ্চায়তকী মমিং (খ) পঞ্চায়ত অমগী মেম্বরমশিং (গ) পঞ্চায়ত মশিং (ঘ) চেয়ারপার্সন্গী মীংথোল্	(ক) পঞ্চায়ত সমিতিগী মমিং (খ) সমিতি মশিং (গ) চেয়ারপার্সনগী মীংথোল	(ক) জিলাগী পঞ্চায়তকী মমিং (খ) পঞ্চায়ত মশিং (গ) চেয়ারপার্সনগী মীংথোল
(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)
(১)	অন্ধ্র-প্রদেশ	(ক) গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) (৭-১৯) (গ) ১৬,০৪৫ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক) পঞ্চায়ত সমিতি (খ) ৩২৪ (গ) প্রেসিডেন্ট	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ২১ (গ) চেয়াবমেন্
(২)	অরুনাচল প্রদেশ	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) (গ) ৭০১ (ঘ) ---	(ক) পঞ্চায়ত সমিতি (খ) ৪৫ -----------	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ৫ --------

(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)
৩	আসাম্	(ক) গাও পঞ্চায়ত (খ) ১৫ ফাওবা (গ) ৬৬৩ (ঘ) প্রেসিদেন্ট	মুথৎখ্রে	(ক) মোহকুমা পবিষদ (সবর্দি ভজনগী থাক্তা) (খ) ২০ (গ) চীফ এক্সিকুটিভ কার্উন্সিলাব
৪	বিহাব	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৯ (গ) ১১,৪৪৫ (ঘ) মুখিযা	(ক) পঞ্চাযত সমিতি (খ) ২১৪ (গ) প্রমুখ	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ৮ খণ্ডা লে (গ) অধ্যক্ষ
৫	গুজবাত	(ক) গ্রাম/নগব পঞ্চাযত (খ) (৭-১৫) (গ) ১২,৬৬৩ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক) তালুক পঞ্চাযত (খ) ১৮২ (গ) প্রেসিডেন্ট	(ক) দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চাযত (খ) ১৯ (গ) প্রেসিডেন্ট
৬	হবিয়ানা	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) (৫-৯) (গ) ৫১৬৫ (ঘ) সবপঞ্চ	পঞ্চাযত সমিতি (ক) ৮৭ চেযাবমেন্	
৭	হিমাচল প্রদেশ	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) (৭-১১) (গ) ২০৩৩ (ঘ) প্রধান্	(ক) পঞ্চাযত সমিতি (খ) ৬৯ (গ) চেয়াবমেন্	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ১২ (গ) ----
৮	জামু অমসুং কাশ্মীব	(ক) ভিলেজ পঞ্চায়ত (খ) (৭-১১) (গ) ১৪৮২ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক) ব্লোক পঞ্চায়ত বোর্ড	
৯	কর্নাতকা	(ক) ভিলেজ পঞ্চায়ত (খ) (১১-১৯) (গ) ২৫২৩ (ঘ) প্রধান	(ক) তালুক পঞ্চায়ত সমিতি (খ) ১৭৫ (গ) চেয়াবমেন্	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ১৯ (গ) অধ্যক্ষ
১০	কেবালা	(ক) ভিলেজ পঞ্চাযত (খ) (৮-১৫) (গ) ৯৭৪ (ঘ) প্রেসিদেন্ট		

(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)
১১	মধ্যপ্রদেশ	(ক) গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) (১০-২৫) (গ) ১৫,২৭৪ (ঘ)সবপঞ্চ	(ক)জনপদ পঞ্চায়ত (খ) ৩৯০ (গ) প্রেসিডেন্ট	(ক) জিলা পঞ্চায়ত ৪৩ (গ) চেয়াবমেন্
১২	মহাবাষ্ট্র	(ক)ভিলেজ পঞ্চাযত (খ) (৭-১৫) (গ) ২৩,৯৩০ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক)পঞ্চাযত সমিতি (খ) ২৯৬ (গ) চেযাবমেন্	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ২৫ (গ) প্রেসিডেন্ট
১৩	মণিপুব	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৬-১৩ (গ) ১৬৫ (ঘ) প্রধান	(ক) পঞ্চাযত সমিতি (খ) ৯ (গ)প্রমুখ	
১৪	মেঘালযা	- ----	----- -	------
১৫	মিজোবাম	--- -	------	-------
১৬	নাগালেণ্ড	-------	- ----	----
১৭	ওবিষা	(ক) গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) ১১-২৫ (গ) ৩৮৩০ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক) পঞ্চাযত সমিতি (খ) ৩১৪	মুখৎস্রে (গ) চেযাবমেন্
১৮	পঞ্জাব	(ক)গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৫-১১ (গ) ৯,৪৩২ (ঘ) সবপঞ্চ	(ক) পঞ্চায়ত সমিতি (খ) ১১৭ (গ) চেযাবমেন্	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ১২ (গ) চেযাবমেন্
১৯	বাজস্থান্	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৫-২০ (গ) ৭২৯৭ (ঘ) সবপঞ্চ	পঞ্চাযত সমিতি (ক) ২৩২ (খ) প্রধান	(ক) জিলা পবিষদ (খ) ২৬ (গ) প্রমুখ
২০	সিকিম্	------	- -----	-----
২১	তামিল্নাদু	(ক) ভিলেজ/ টাউন পনঃ (খ) ৫-১৫ (গ) ১২,৬২৮ (ঘ) প্রেসিডেন্ট	(ক) পঞ্চাযত ইউনিযন কাউন্সিল (খ) ৩৭৪ (গ) চেযাবমেন্	(ক) দিষ্ট্রিক্ট ডিঃ কাউন্সিল (খ) ২৪ (গ) চেযাবমেন্

(১)	(২)	(৩)	(৪)	(৫)
২২	ত্রিপুবা	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) (৭-১৫) (গ) ৬৮৯ (ঘ) প্রধান	- -	-
২৩	উত্তব প্রদেশ	(ক) গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) ৭ ২৫ (গ) ৭২,৮৫৩ (ঘ) প্রধান্	(ক) ক্ষেত্র সমি৺ (খ) ৮৭৬ (গ) প্রমুখ	ক) জিলা পবিষদ (খ) ৫৫ (গ) চেয়াবমেন্
২৪	নোংচুপ বেঙ্গল	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) (০ ২৫) (গ) ১৯,৬৬২ (ঘ) প্রধান্	(ক) পঞ্চাযত সমিতি (খ) ৩২৫ (গ) সভাপতি	(ব জিলা ॰ প্যাবাক (খ) ১? (গ) চেয়াবমেন
১	আন্দামান্ অমসুং নিকোবব	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৯-১৫ (গ) ৩৮ (ঘ) সবপঞ্চ	ইউনিয়ন টেৰিটোৰিশিং ---- - ---	
২	চন্দিগড	(ক) গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) -- (গ) -২২	- ------	- -
৩	দদ্রা অমসুং নগব হবেলি	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ----- (গ) ১০ (ঘ) ভবিষ্টা	(১-৭)	
৪	দিল্লি	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৪-১১ (গ) ২০৪		
৫	গোৱা, দামান অমসুং দিউ	(ক) গ্রাম পঞ্চাযত (খ) ৫-১৯ (গ) ১৯৪ (ঘ) সবপঞ্চ		
৬	লক্ষদ্বীপ্	----	------	---
৭	পোণ্ডিচেবি কোমুন্ পঞ্চায়ত চৎলি	-- -	--- -	----

মতৌ অসুম্না থাক্ অহুম্গী পঞ্চাযতশিংগী মমিং, গ্রাম পঞ্চাযত অমগী মেম্বর মশিং, চেয়ারপার্সন্শিংগী মীংথোল্ অসিনচিংবা অসি রাজ্য রাজ্যগী মতুংইন্না তোঙান্ তোঙল্লি । থাক্ খুদিংগী পঞ্চায়ত শুনা লৈতবা রাজ্য অমসুং ইউনিযন্ টেরিটোরি কয়াসু লৈ । খুঙ্গংগী থাক্কী অদুগা ব্লোক্কী থাক্কী পঞ্চাযতশিংগী শক্তি, মথৌনচিংবা অসিদা রাজ্য অযাম্বদা থোইনা পাক্না খেন্নবা লৈতে, অদুবু জিলা পরিষদ নত্রগা জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযতশিংদদি শক্তি অমসুং মথৌগী মতাংদা রাজ্য অমগা অমগগী মরক্তা খেন্নবা য়াম্না লৈ । পৌনা হাযববদা নমুনা অহুম্দি লৈবা উনৈ ।

মহারাষ্ট্র, কর্নাতকা অমসুং রেস্ট বেঙ্গল্দদি জিলা পরিষদনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল্ কন্বা লোইশংনি, মখোয অসিনা প্লানিং, ডিভেলপমেন্টকী থবক্তা এক্সিক্যুটিভকী থবক্ তৌই অদুগা রাজ্য সরকারদা পাওতাক্ পিবা ফাওবা ঙম্ই । গুজরাত অমসুং উত্তরপ্রদেশতদি অযাম্বা হিরম্দা এদমিনিস্ট্রেটিভকী থবক্ তৌই । অতৈ লেম্হৌরিবা রাজ্যশিংদনা সমিতিগা মরি লৈনবদা সুপরভাইজরি অদুগা কো ওর্দিনেটিং ওইনা হাযবদি তাক্লনবা, তাইশিন্নবা থবক্ তৌই অদুগা সরকারদা পাওতাক্ পিনবগী মওংদা লৈ ।

(মথক্কী রারোল্ ময়াম্ অসি ভারত সরকারনা ফোংবা পঞ্চাযতী রাজ এট এ গ্লান্সতগী লৌজরনি) । ●

(৯)

মণিপুরদা পঞ্চায়তী রাজগী য়াওন্ অমসুং মাইওন্

১। *পঞ্চায়তী রাজ চৎনবা হৌবা ;*

ভাবতকী মফম্ কয়াদা পঞ্চায়তী বাজগী পাথাপ্ লিংখৎনবক্লবদা মণিপুবদসু ইং ১৯৬০দা ইউনিয়ন্ টেবিটোবি অমা ওইর্বিঙেদা ইউনাইটেদ, প্রোভিন্স পঞ্চাযত বাজ এক্ট ১৯৪৭ (ইউঃ পিঃ এক্ট নং ২,১৯৪৭) অসি চৎনহন্খি। মসিনা মণিপুবগী চাংগী লম্, ম্যুনিসিপাল্ এবিয়া, কেন্তোনমেন্ট এবিয়া, নোটিফাইদ্ এবিয়ানচিংবা নত্তবা মফম্দা চৎনহর্ন্খি। অপুন্বা মণিপুবগী পাক্ চাওবা অাস বর্গ কিলোমিটব ২২,৩২৭ ওইবদা পঞ্চাযতনা কোন্বা লম্দি বর্গ কিলোমিটব ২১৯৬ খক্তা ওই, হাযবদি অপুন্বা লম্গী চাদা ৯.৮৪ বোম্তমক্, ওই। মীশিংগী চাংদদি তম্পাক্কী লমনা অপুন্বগী চাদা ৬৬ লোম ওইবদা চাংদদি চাদা ৩৪ তমক্ ওই। ইং ১৯৮১ গী মীকোক্ থিবগী মতুংইন্না মণিপুবগী অপুনবা মীশিং অসি ১৪,২০,৯৫৩ ওইবদা পঞ্চাযতনা কোন্বা লম্দা মীশিং অসি ৫,৯১,৭৫১ লৈখি। ইউঃপিঃ পঞ্চায়ত বাজ এক্ট অসি চৎনহন্বা যানবগীদমক্ মদুগী চংফম্ থোক্পা কল্স ইং ১৯৬২ দা শেম্খ্রে।

হাযবিবা ইউঃপিঃ পঞ্চায়ত বাজ এক্ট অমসুং মদুগী মখাদা শেম্বা কল্স অদুগী মখাদা ইহ্‌ন্ হান্বা ওইনা ইং ১৯৬৪ দা গ্রাম পঞ্চাযতকী মীখল্ পাংথোর্কখি। চহি অসিগী জানুৱাবি তাং ১৩,১৪,২২ অমসুং ২৫ দা মীখল্ তৌখি, মদুগী মতুংইন্না গ্রাম্ পঞ্চাযত ২২৭ অদুগা ন্যায পঞ্চাযত ৪৩ লিংখৎখি। অদুগা ১।৯।১৯৬৪ দগী থবক্ তৌখি। ইং ১৯৭০ গী জানুৱাবি তাং ৩১ অদুগা ফেব্রুৱাবি তাং ৬ তা অনিশুবা পঞ্চাযতকী মীখল্ তৌদুনা গ্রাম্ পঞ্চাযত ২২১ অমসুং ন্যায পঞ্চায়ত ৪৪ লৈখি। মতম্ অসি ফাওবা অনিশুবা অমদি অহুম্শুবা মথাংগী পঞ্চায়ত লিংখৎপা ঙম্দ্রি। মতুং তাবা মীখল্শিংদি দি মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৭৫ (এক্ট নং ১২,ইং ১৯৭৬) কী মখাদা পাংথোক্পা হৌবক্ই। অহুম্শুবা মীখল্ অসি ইং ১৯৭৮গী মে থাগী তাং ১৫ অমসুং ২৪ দা অনিবক্ থোক্লা পাংথোক্খি। মসিদগী গ্রাম্ পঞ্চায়ত ১০৭, পঞ্চাযত সমিতি ৬ অদুগা ন্যায় পঞ্চায়ত ৩৭ লৈখি। মবিশুবা মীখল্ ইং ১৯৮৫ গী মেগী তাং ৭ তা পাংথোক্খি ; মীখল্ অসিগী তুংদসু গ্রাম্ পঞ্চাযত ১০৭, পঞ্চাযত সমিতি ৬

অমসুং ন্যায় পঞ্চায়ত ৩৭ লৈখি। মণ্ডাশুবা মীখল্ ১।৯।৯১ দা তৌখিবগী তুংদা গ্রাম পঞ্চায়ত ১৬৬, ন্যায় পঞ্চায়ত ৪২ অদুগা পঞ্চায়ত সমিতি ৯ লৈম্ব্রে, হৌজিক ফাওবদা অহুমশুবা থাক্কী পঞ্চায়ত জিলা পবিষদ হায়বসি এক্টতা হাপচববসু লিংবা ঙম্দ্রি।

ইউঃ পিঃ পঞ্চায়ত রাজ এক্ট চৎনবা মতম্দা পেন্দবা, খুদোং চাদবা কযামুক্ থেংনখি মদুদি :-

(ক) এক্ট অসি মীঙোন্দগী ব্রাইবনি, মফম্ অসিগী মীযাম্গী অনিংবা, ওপান্বা, চৎনবী-হৈনবী, পুন্সি হিংবগী মওং অসি য়াম্না খেয়ৈ, মবম্ অদুনা এক্ট অসিগা চুনবা ঙম্দে ;

(খ) এক্ট অসিগী মখাদা গ্রাম্ পঞ্চায়ত খক্তমা লিংবা ঙম্ই, মসিদা অব্রাংবা মথক্কী থাক্কী পঞ্চায়ত শেন্বা য়াবগী ফিভম্ উদে ;

(গ) এক্ট অদুনা খাজনা, টোল্, সেস, বেটনচিংবা লৌখৎপা য়াবগী ফিভম্ লৈববসু লম্জিংনবা, পাওতাক্ পিননবা, চুংশিন্ননবা লোইশং লৈবম্দবনা থবক নিংথিনা চত্থবা ঙম্দে ;

(ঘ) এক্ট অদুগী মখাদা গ্রাম পঞ্চায়তশিং অসি পিক্মন্বনা থবক্ চত্থবদা ব্রাবা, ওইথোক্পা য়াদবা মওংদা লৈখি ;

(ঙ) মণিপুবগী আইন্শিংগা চানদবা ফিভম্ কযা লৈখি, মদুমক্তা হৌবক্ফম্ ওইবিবা বাজ্য অদুমক্তদা পান্নক্তবা, শেম্দোক্লিংবা ফিভম্দা লাক্খ্রে ;

(চ)ন্যায় পঞ্চায়তনা তৌবা য়াবা সিভিল্ কেশকী ভেলু অসি লুপা ১০০ তা ওইবম্ই, অদুগা ক্রিমিনেল্ কেশতা হুবান্পোৎ অদুনা লুপা ৫০ ফাওবতা ওইবা তাই। মবম্ অদুনা ন্যায় পঞ্চাযতনা পাইখৎপা য়াবা কেশতি ইবৈ মবৈবম্দ্রে ; অদুনা ব্রায়েন্শং অমা ওইবগী গুণ্, লেম্জবা লৈবক্খিদে। মরম্ কযামুক্ অসিদগী প্রজাগী মীহুৎনা থবক্ তৌবদা খোইজংদবা, পাম্দবা লৈবনা থুনমক্ শিন্দোক্পগী তঙাই ফদবা অসি সবকাব অমসুং প্রজা অনিমক্তা ফাওখি।

অনিশুবা গ্রাম পঞ্চায়তকী মীখল্ তৌদুনা চৎনথ্রবা মতুংদা মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ এক্ট ১৯৭৫ (মণিপুব এক্ট নং ১২,১৯৭৬) অসি থোক্হন্দুনা জিলা পবিষদকী শকক্ যাওহন্দনা ১০।১।৭৮ দগী চৎনহনখ্রে। এক্ট অসিগী মতুং ইন্গদবা ক্লস শেম্দুনা এক্ট অসিগী মখাদদি অহান্বা অদুগা মমাংগীগা থাবগনা অহুম্শুবা মীখল্ অসি ইং ১৯৭৮ গী মে থাগী তাং ১৫ অমসুং ২৪দা পাংথোক্খি অদুগা গ্রাম পঞ্চায়ত

১০৭, ন্যায় পঞ্চায়ত ৩৭ কী মথক্তা ইহান্ হান্বা ওইনা পঞ্চাযত সমিতি ৬ খক্ মণিপুব তম্পাক্তা লিংখৎখি। চীংগী লম্দা পঞ্চায়তী বাজ চৎনখিদ্রি। এক্ট অসি জিলা পবিষদকী শকক্ য়াওনা শেমগ্রবসু জিলা পবিষদ অসিদি লিংখৎখিদে। অনৌবা এক্ট অসি শেল্লক্পা মতম্দা খুঙ্গংগী প্রজাশিং অসিগী পুক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওখ, তুংগীদমক্সু যাম্না আশা তৌনখি, তশেংনমক্সু মাসি মণিপুবগী পঞ্চায়তী বাজগী ইতিহাসতা অওন্বা তাংফম্ অমনি। ইহান্ হানবগী ওইনা ইং ১৯৭৮-৭৯দা ব্লোক্ পঞ্চাযত সমিতি ৬ খক্ লিংখৎল্লে।

নৌনা লিংখৎপা পঞ্চায়ত সমিতিশিং

সিঃনং	সমিতিগী মমিং			সমিতিগী মখাদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়ত মশিং
১।	ইম্ফাল্ ইষ্ট ব্লোক্ পঞ্চায়ত সমিতি			২৯
২।	ইম্ফাল্ ৱেষ্ট ৱান্	"	"	১৪
৩।	ইম্ফাল্ ৱেষ্ট টু	"	"	১৪
৪।	থৌবাল	"	"	২৯
৫।	বিষেন্পুব	"	"	১৭
৬।	জিবিবাম্	"	"	৪
				অপুন্বা ১০৭

ব্লোক্ পঞ্চাযত সমিতিশিং লিংখৎলক্পগা লোয়ননা মখোযনা হান্নগী ব্লোক্ ডিভেলপ্মেন্ট কমিতিশিং লৈবম্বদুগী মহুৎ শিন্খ্রে অদুগা ব্লোকী কর্ম্মচাবি পুম্নমক্সমিতিগী মখাদা থম্খ্রে। নৌনা শেল্লবা গ্রাম পঞ্চায়তশিং অসি ৯।৬।৭৯ দগী থবক্ পুবা হৌখি; ইম্ফাল্ ৱেষ্ট ৱান্ ব্লোক্ সমিতিনা ২০।১।১৯৭৯দগী, অদুগা অতৈনা ২৭।১০।১৯৭৯দগী থবক্ হৌখি।

(২) মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৭৫ গী ময়েক্লাবা শক্তম্ খরা :-

(ক) গ্রাম সভা অমগী মী মশিং অসি ৪০০০দগী ৮০০০ ফাওবনা শাখি; গ্রাম সভা অমগা অমগা খেন্নবা অসি ২০০০দগী হেল্লোইদবনি। অহান্বদা ইউঃপিঃ পঞ্চায়তবাজ এক্টকী মখাদা ------ ওইবম্বদু পিক্মল্লি, থবক্ তৌবদা মতিক্ চাবা মহৈ ফংদবা য়াই খনবদগী চাওনবা হোৎনখিবনি। মসি মঙাশুবা মীখল্গী মমাঙ ফাওবদা লৈবম্মী, মতুং তাবদদি মী ৩০০০দগী ৬০০০ ফাওবনা ওইখ্রে।

(খ) গ্রাম পঞ্চায়তকী মীখল্‌গী ভোতর, ভোৎ থাদগদবা মীগী মীং পরেংদি রিপ্রেজেন্টেসন্ ওফ দি পিপল্ এক্ট ১৯৫১ (১৯৫১ গী এক্ট নং ৪৩) গী মখাদা শেম্বা মণিপুর লেজিসলেটিভ্ এসেম্ব্লিগী কোন্সটিটুয়েন্সি শিংগী শরুক্তা চন্‌বা অদু গ্রাম সভাগী মীং পরেং ওইনা লৌগনি। চৎনলোন্ অসি অহোংবা অমনি, অহান্‌বদদি দিপার্টমেন্টনা মীং পবেং অসি শেম্‌লম্মী।

(গ) গ্রাম সভাদা ৱার্দ খাইবা — গ্রাম সভা অমগী লম্ অদুবু দিপুটি কমিসনারনা লেপ্পা মশিংগী মতুং ইন্না ৱার্দ কয়ামুক্ থোক্লা খাযদোক্কনি। ৱার্দ অমদা লৈগদবা মেম্বরগী মশিং অদুদি —ৱার্দ অমদা লৈবিবা মীশিংগা গ্রাম সভাদা লৈবিবা মীশিংগা লৈনবা মবি অদুগী চাংদা– গ্রাম পঞ্চায়ত অমগী ওইনা খন্‌গদবা মেম্বর মশিংগা য়াবমখৈ চাং মান্নহন্‌গনি।

(ঘ) সিদ্যুল্ড কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্ড ত্রাইবকী ফম বিজার্ভেসন্ তৌবা (ফম্ কন্‌বা) – সিদ্যুল্ড কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্ড ত্রাইবকীদম্ ফম্ কন্‌গনি, কন্‌গদৌরিবা সিট মশিং অদুদি গ্রাম সভা অমগী মনুংদা লৈবিবা সিদ্যুল্ড কাস্ট নত্রগা সিদ্যুল্ড ত্রাইবকী অপুনবা মীশিংগা মাখোয়না তাবিবা লমগী মনুংদা লৈবা মীশিংগা মবি লৈনবগী চাংদা পঞ্চাযত অমগী সিট মশিংগা যাবমখৈ চাং মান্ননা ওইগনি।

(ঙ) নুপীগী ফম্ কন্‌বা — গ্রাম সভা অমগী ওইনা খাইদোক্লিবা ৱার্দশিংগী মনুংদা গ্রাম পঞ্চাযতকী নুপী মেম্বর অমা খন্নবগীদমক চিঠিখেলা তৌদুনা ৱার্দ অমদা ফম্ কন্‌গনি। অসিগুম্বা কল্লিবা ৱার্দ অদু অনৌবা টার্মগী (পঞ্চাযতকী তাঙ্কক্ অমগী) ওইনা হোং হোংদুনা লেপ্‌কনি। মসিগী ফম্ কন্‌বা (নুপীগী) অসি অনৌবা অমদি অফবা মওংনি।

(চ) অফিস পুবগী তাঙ্কক্ — গ্রাম পঞ্চাযতকী,ন্যায পঞ্চাযতকী, পঞ্চাযত সমিতি অমদি জিলা পরিষদগী অফিস পুবগী মতম্ তাঙ্কক্ অসি চপ মান্ননা চহি মঙা ওইগনি অদুগা ওন্নমক চানহন্‌র্গান।

কবিগুম্বা থাজ্যাদা চহি ৩ অদুগা খবদনা ৪ লৈনবসু যাওই, চহি ৫ অসি ফজবা টার্মনি।

(ছ) মীখল্ - গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান (চেয়ার পার্সন) অদুগা অতৈ মেম্বরশিংদি গ্রাম সভাগী মেম্বরশিংনা হক্‌থেংনবা মীখল্ (দাইরেক্ট ইলেক্সন) তৌদুনা খন্‌গনি। উপ-প্রধান (ভাইস চেয়ার পার্সন) দি প্রধান য়াওনা গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্বরশিংনা মখোয়গী মরক্তগী (ইন্দাইরেক্ট ইলেক্সন্) নাকোইনবা মীখল্ তৌদুনা খঞ্জগনি।

ন্যায় পঞ্চায়তকী পঞ্চ নত্তগা মেম্বর অসি গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্বরশিংনা (প্রধান য়াওনা) গ্রাম সভাগী মেম্বরশিংগী মরক্তগী খন্গনি। মকোক্ অমসুং মথং হায়বদি সরপঞ্চ অমসুং উপ-সরপঞ্চ অনিদি রাজ্য সবকারনা দিষ্ট্রিক্ট জর্জ্জগা (জদ্জগা) তান্নদুনা মেম্বরশিংগী মরক্তগী খল্লগা হাপ্কনি। (মসি হান্নদগী হোংদোক্পা অফবা মওংনি।)

(জ) পঞ্চায়ত সমিতি শেম্বা অমসুং শাবগী মওং — পঞ্চায়ত সমিতিগী মেম্বরশিংদি—

(১) ব্লোক্ অমগী মনুংদা লৈরিবা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী প্রধান পূম্নমক্ ;

(২) রাজ্য সরকারনা হাপ্পা নোমিনেটেদ্ মেম্বরশিং ;

(৩) ব্লোক্ অদুনা কোন্বা লম্গী মনুংগী ওইবা লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী মেম্বর (অশম্বদা এমঃ এঃএঃ) পূম্নমক্ ভোত পিবভী হক্ য়াওদনা এক্স ওফিসিয়ো মেম্বর ওইগনি ;

পঞ্চায়ত সমিতিগী প্রমুখ (চয়ারপার্সন) অমসুং উপ-প্রমুখ (ভাইস-চেয়ারপার্সন) অনি অসিদি মথক্কী প্রধানশিং, অদুগা নোমিনেটেদ্ মেম্বরশিংগনা প্রধানশিংগী মরক্তগী খন্গনি।

নোমিনেসন্ তৌননবগী ফম্ খাক্পা (কন্বা) — পঞ্চায়ত সমিতি অমা শেম্লগা নত্তগা নৌনা শেম্দোক্লবা তুংদা রাজ্য সরকারনা মখাগী মীওইশিং অসি নোমিনেসন্ তৌদুনা হাপ্কনি।

১। নুপী অমতবু মেম্বর ওইনা খল্লম্দ্রবদি নুপী অনি, অদুগা নুপী অমখক্তংবু খল্লম্লবদি নুপী অমা ;

২। সিদ্যুল্ড কাস্টকী মেম্বর অমতা খল্লমদ্রবদি অদুগা কাস্ট অদুগী মীশিং অদুনা ব্লোক্কী অপুন্বা মীশিংগী চামদা ·২৫ হেল্লবদি সিদ্যুল্ড কাস্টকী মেম্বর অমা ;

৩। সিদ্যুল্ড ত্রাইবকী মেম্বর অমতা খল্লমদ্রবদি ত্রাইব অদুগী মীশিং অদুনা ব্লোক্কী অপুন্বা মীশিংগী চামদা ১ হেল্লবদি সিদ্যুল্ড ত্রাইবকী মেম্বর অমা ;

৪। ব্লোক্ অদুগী মনুংদা লৈবা কোঃ ওপরেটিভ সোসাইটিশিংগী মীহুৎ অমা ;

মথক্কী নোমিনেটেদ্ মেম্বরশিং অসিগী ভোত পিবগী হক্ লৈগনি অদুবু অফিস পায়বদি য়ারোই — মতৌ অসুম্না জিলা পরিষদতসু নিয়ম্ অসি লৈ।

নোমিনেসন্ তৌবা অসি হান্নদি কোঃ ওপসন্ তৌবগী নিয়ম্ লৈরম্ই, হেন্না গনতান্ত্রিক ওইরম্বনি, অদুবু শেম্দোক্ল্রে।

(ঝ) জিলা পরিষদ শেম্বা অমসুং শাবা - জিলা পরিষদতা মখাগী মেম্বরশিং অসি লৈগনি –

১। জিলা অদুগী মনুংদা লৈরিবা পঞ্চায়ত সমিতিগী প্রমুখ পুম্নমক্ ;

২। জিলা অদুগী মনুংদা লৈরিবা ব্লোক্ খুদিংদগী নিয়ম্গী মতুং ইন্না প্রধানশিংনা খঙবা প্রধান তকক্ ;

৩। জিলা অদুদা মাগী কোন্সটিটুয়েন্সিনা মচেৎ নত্তগা মপুম্ ওইনা তাবা এমঃ পিঃ শিং ;

৪। জিলা অদুদা মচেৎ নত্তগা মপুম্ ওইনা মাগী কোন্সটিটুয়েন্সি তাবা এমঃএলঃ এঃ পুম্নমক্ ;

৫। জিলা অদুদা লৈবা কোঃ ওপরেটিভ বেঙ্ক অমগী প্রেসিডেন্ট, রেজিস্ট্রার কোঃ ওপরেটিভ সোসাইটিজনা নোমিনেট্ তৌবা, (পিবা) ;

৬। দিষ্ট্রিক্ট কোঃওপরেটিভ ইউনিয়ন্ লৈববদি মদুগী মীহুৎ অমা ;

জিলা পরিষদতা সিদ্যুল্ড কাস্ট অমসুং ত্রাইব অমদি নুপী মীহুৎ পঞ্চায়ত সমিতিদা তৌবগুম বাজ্য সবকাবনা খল্লি । অতোপ্পা, শাসনগী জ্ঞান লৈবা, পব্লিক অমদি চাওখৎ থৌবম্গী লমদা লৈবা মীওই অনি অমসু সবকাবনা হাপ্‌ই । অসিগুম্বা নোমিনেৎ তৌবা মেম্বরশিংগী ভোত পিবগী হক্ লৈগনি অদুগা অফিস পায়বদি য়াদে ।

জিলা পরিষদকী চেয়ারপার্সন্ অমসুং ভাইস-চেয়ারপার্সনবু মথংশিংনা প্রেসিডেন্ট অমদি ভাইস-প্রেসিডেন্ট কৌগনি, মাখোয অসিবু জিলা পরিষদকী ভোত পিবা য়াবা মেম্বরশিংনা প্রমুখ ওইনা মেম্বর ওইবশিংগী মরক্তগী খনগনি ।

(ঞ) কোরম্ –

১। গ্রাম সভাগী মিটিং খুদিংদা, গ্রাম সভা অদুগী মেম্বর ১০০না কোরম ওইগনি ।

(কোরম্ চাওবা অসি অয়াম্বা মতম্দা ফংবা ঙম্গন্দে, অদুনা মিটিং শোইদনবগীদমক্ কোরম্ অসি পিক্লা থম্বনি ।)

২। গ্রাম পঞ্চায়তকী মিটিংগী কোরমদি গ্রাম পঞ্চায়তকী অপুনবা মেম্বর মশিংগী তঙ্খাই অমনা ওইগনি ; (মিটিংদা য়াম্‌দবা মশিংনা হুমদুনা পুবা য়াদনবা কোরম্ চাওবা অসি অফবনি ।)

৩। পঞ্চায়ত সমিতিগী মিটিংগী কোরম্ অসি অপুন্বা মেম্বরগী শরুক অহুম্ থোক্পগী অমনা ওই।

(ট) পঞ্চায়তী রাজ লোইশংশিংগী (শক্তি) পাঙ্গল, (ফঙ্কসন্) থবক্ঃ– পঞ্চায়তী রাজগী লোইশংশিংনা মাখোযগী খুদুম্দা লৈবিবা ফণ্ড অমসুং পোৎথোক্ লম্থোক্কী চাং মতুং ইন্না মখোযনা কোল্লিবা লম্গী মনুংদা তৌবা যাবা থবক্কী লম্ পুন্নমক্তা থৌবম পাযখৎপা যাই,

(ঠ) মাখল্দা কার্বাক্লবা পঞ্চাযতকী মাওইশিংগী শক্তি অমদি থবক্ –

পঞ্চাযতী রাজগী তোঙান্ তোঙান্বা থাক্তা লৈবিবা মীখল্দা কাবকপা থবক্ পুবির্বশিংগীদমক মতিক্ চাবা শক্তি অমসুং থবক্ লৈ,

(ড) ফণ্ড অমসুং পোৎথোক্ লম্থোক্ পোৎচে লন্থুম্ পুথোক্পা যানবা মাতিক চাবা আইন পিবি। সেক্সন ৫২ অমসুং ৮০না পব্লিক্ প্রোপর্টিজ হাযবদি মীযাম্গী ওইবা লন পাৎ, কোম্, চাং, উমংনচিংবা পঞ্চাযতশিংদা শিন্নবা যাই। পঞ্চাযতনা খাজনা, ফিজ, টোল্নচিংবা লৌবা ঙম্বগী আইন্সু যাওবি। সেক্সন ২৩৯গী মখাদা রাজ্য সবকারগা যানদুনা সবকারদা পিগদবা খাজনা, ফিজনচিংবা পঞ্চাযতশিংনা খোম্জিল্লগা, অখোম্মন্ ওইনা চাদা শরুক্ খবা ফংবগী দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়গী স্কীম্ কযা ফণ্ড অমসুং মীগা কোন্ননা পঞ্চাযতশিংদা শিন্নবা যাবগী–গ্রান্ট নত্রগা লোন্ (শেন্থুং) সবকারদগী ফংবা যাবগী রাফম্ কযা যাওবি। পুন্নমক্ অসি থবক্ ওইনদি অমত্তা ওইদ্রি মবম্দি রাজ্য সবকারনা মশানা খংনা হুকুম থোক্লুনা থবক মওংশিং অসি তাহল্লি নত্রগা পঞ্চাযতকী মাইকৈন্দগীসু থবক্ ওইনা পাংথোক্লবা মওং তানা তক্শিনবা ঙম্লক্ত্রি। আইন্শিং অসিবু থবক্ ওইনা চংনহল্লবদি পঞ্চাযতশিংগী মশাগী ফণ্ড, পোৎথোক্ লম্থোক্ ফংদুনা থবক্ হৌদোক্পা ইলাই লাইনা ঙমগনি।

(ঢ) তলব অমসুং এলাবেন্স: সেক্সন ২৩২গী মতুং ইন্না গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী মীখল্দা কার্বাক্লবা মী ওইদা অদুগা মখোয়গী মখাদা থবক্ তৌবিবা অফিসর্কী মীওইশিংদা পিননবা মখোয মশাগী ওইবা ফণ্ড লৈজবা মতম্দা মদু তলব, এলাবেন্স, ওনবেবিযম চিংবা পিথোক্লবা অহানবা শেন্ফম্ ওইগনি। মসিদা য়ুম্ফম্ ওইবগা রাজ্য সবকারনা ইহান্ হান্বা ওইনা তলব, এলাবেন্স, ওনাববিযম্ পিনবা থৌনা ফবা খোংথাং অমা লৌখৎখি। ইং ১৯৭৮দগী মখাগী চাংদা পঞ্চায়তকী মীওইশিংদা সবকারগী ফণ্ডদগী পিবা হৌখি।

পঞ্চায়ত সমিতি

১। পঞ্চায়ত সমিতিগী প্রমুখ - থাদা লুপা ৭৪০ তলব ওইনা (তলব লুপা ৫০০ এলারেন্স লুপা ২৪০)

২। পঞ্চায়ত সমিতিগী উপ-প্রমুখ - থাদা লুপা ৬৪০ তলব (তলব লুপা ৪০০ এলারেন্স লুপা ২৪০)

৩। পঞ্চাযত সমিতিগী মেম্বব (মীখল্দা কাবা, সবকাবনা নোমিনেসন্ তৌবা) - থাদা এলারেন্স ওইনা লুপা ১৮০ (নোংমগী লুপা ১২গী চাংদা থাখাই অমগী)

গ্রাম পঞ্চায়ত

১। গ্রাম পঞ্চাযতকী প্রধান - থাদা লুপা ১৮০ এলাবেন্স (নোংমদা লুপা ১২গী চাংদা নুমিৎ ১৫নিগী)

২। গ্রাম পঞ্চাযতকী উপ প্রধান – মথক্কী প্রধানগীগা মান্নে

৩। গ্রাম পঞ্চাযতকী মেম্বব - থাদা লুপা ১২০গী এলারেন্স (নোংমদা লুপা ৮গী চাংদা নুমিৎ ১৫নিগী)

ন্যায় পঞ্চায়ত

১। ন্যায পঞ্চাযতকী সবপঞ্চ – থাদা লুপা ১৮০ এলাবেন্স (নোংমদা লুপা ১২ চাংদা নুমিৎ ১৫নিগী)

২। ন্যায পঞ্চাযতকী উপ-সবপঞ্চ – মথক্কীগা মান্নে।

৩। ন্যায পঞ্চাযতকী পঞ্চ (মেম্বব) – থাদা লুপা ১২০ এলারেন্স (নোংমদা লুপা ৮গী চাংদা নুমিৎ ১৫নিগী)

(ণ) মণিপুবদা ইং ১৯৮৫ মে ফাওবগী মমাংদা ওইবম্বা পঞ্চাযতী বাজ লোইশংশিংগী ফিভম্ -

মবিশুবা পঞ্চায়তকী মীখল অসি ইং ১৯৮৫গী মে থাগী তাং ৭তা তৌখি; মসিগী মমাং ফাওবদা ওইবম্বা পঞ্চাযতকী মশিং, অফিস শায়বা সবকাবগী নত্তবা মেম্ববগী মশিংনচিংবা অমা মথং লামাইগী ব্রাফম্ (ব্রাফোং) অসিদা পিবি।

তম্পাক্কী ব্লোক্ পঞ্চায়ত সমিতিশিংদা ইং ১৯৭৮ দগী ১৯৮৫ ফাওবদা লৈখিবা গ্রাম সভা, ন্যায় পঞ্চায়ত অদুগা অফিসগী নত্তবা মেম্বর মখল্ খুদিংগী মশিংগী ফিভম্

সে ঃ নম্বর	ব্লোক্/পঞ্চায়ত সমিতিগী মমিং	গ্রাম সভাগী মশিং	ন্যায় পঞ্চায়তকী মশিং	পঞ্চায়ত সমিতিগী মখল খুদিংগী মেম্বর মশিং							গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্বর মশিং			ন্যায় পঞ্চায়তকী মেম্বর মশিং				পুম্নমক্কী অপুনবা মশিং
				প্রমুখ	উপ প্রমুখ	প্রধান মেম্বর	কো ওপ্টেড মেম্বর নুপা	কো ওপ্টেড মেম্বর নুপী	নোমিনেটেড মেম্বর	অপুনবা মশিং	উপ প্রধান	মেম্বর	অপুনবা মশিং	সরপঞ্চ	উপ সরপঞ্চ	পঞ্চ (মেম্বর)	অপুনবা মশিং	
১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮	১১+১৪+১৮
১	ইম্ফাল ইষ্ট	২৯	৯	১	১	২৭	১	২	১	৩৩	২৯	১৮১	২১০	৯	৯	২৭	৪৫	২৮৮
২	ইম্ফাল ৱেস্ট ৱান্	১৪	৫	১	১	১২	১	২	১	১৮	১৪	১০৩	৫	৫	৫	১৫	২৫	১৪৬
৩	ইম্ফাল ৱেস্ট টু	১৪	৫	১	১	১২	২	২	১	১৯	১৪	৮৬	১০০	৫	৫	১৫	২৫	১৪৪
৪	থৌবাল্	২৯	১০	১	১	২৭	২	২	১	৩৪	২৯	১৮৩	২১২	১০	১০	৩০	৫০	২৯৬
৫	বিষ্ণুপুর	১৭	৬	১	১	১৫	১	১	১	২০	১৭	১০৪	১২১	৬	৬	১৮	৩০	১৯১
৬	জিরিবাম্	৪	২	১	১	২	১	২	১	৮	৪	১৪	২৮	২	২	৬	১০	৪৬
	অপুনবা মশিং	১০৭	৩৭	৬	৬	৯৫	৮	১১	৬	১৩২	১১০	৬৬৭	৭৭৪	৩৭	৩৭	১১১	১৮৫	১০৯১

অহুম্শুবা মীখল্ লোইরদুনা গ্রাম পঞ্চায়ত ১০৭, ন্যায় পঞ্চায়ত ৩৭ অদুগা পঞ্চায়ত সমিতি ৬ লিংলবা তুংদা মণিপুর সরকারনা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী ফিভম্ হন্না অমুক্ য়েংশিন্খি অদুগা সরকারনা হাপ্পা দিলিমিটেসন্ কমিতি অমনা গ্রাম সভাগী পাক্-চাওবা অসি হন্থহন্দুনা গ্রাম সভা ১৬৫, ন্যায় পঞ্চায়ত ৪২ অদুগা পঞ্চায়ত সমিতি ৮ থোক্লা খায়দোক্খি। মথংদা ওইবক্পা পঞ্চাযতকী ফিভম্ অমা মথং লামায়দা পিরি।

ইং ১৯৮৫ মে থাগী মতুংদা ওইরকপা গ্রাম সভা, ন্যায় পঞ্চায়ত, পঞ্চায়ত সমিতি অদুগা অফিসকী নত্তবা মেম্বর মখল্ খুদিংগী মশিংগী ফিভম্ ।

সেঃ নম্বব	পঞ্চায়ত সমিতিগী মমিং	খুল্ মশিং	গ্রাম সভাগী মশিং	ন্যায় পঞ্চায়তকী মশিং	পঞ্চায়ত সমিতিগী মখল খুদিংগী মেম্বব মশিং						গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্বব মশিং			ন্যায় পঞ্চায়তকী মেম্বব মশিং				পুম্নমক্কী অপুন্বা মশিং
					প্রমুখ	উপ প্রমুখ	প্রধান মেম্বব	নোমিনেটেদ মেম্বব	এমঃ এলঃ এঃ	অপুনবা	উপ প্রধান	মেম্বব	অপুনবা	সবপঞ্চ	উপ সরপঞ্চ	পঞ্চ (মেম্বব)	অপুনবা	
১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০	১১	১২	১৩	১৪	১৫	১৬	১৭	১৮	১১+ ১৪+১৮
১	ইম্ফাল ইষ্ট	১৮৯	৫০	১২	১	১	৪৮	৪	৫	৫৯	৫০	২১৬	২৬৬	১২	১২	৩৬	৬০	৩৮৫
২	ইম্ফাল ৱেস্ট ৱান্	১৩১	২৯	৭	১	১	২৭	৩	২	৩৪	২৯	১২৪	১৫৩	৭	৭	২১	৩৫	২২২
৩	ইম্ফাল ৱেস্ট টু	৪৩	১৫	৫	১	১	১৩	৪	২	২১	১৫	৬৭	৮২	৫	৫	১৫	২৫	১২৮
৪	থৌবাল	৯৪	২৭	৭	১	১	২৫	৪	৫	৩৬	২৭	১২০	১৪৭	৭	৭	২১	৩৫	২১৮
৫	বিষ্ণুপুব	৩০	১২	৩	১	১	১০	৪	২	১৮	১২	৫৭	৬৯	৩	৩	৯	১৫	১০২
৬	জবিবাম্	৭২	৬	২	১	১	৪	৩	১	১০	৬	২৮	৩৪	২	২	৬	১০	৫৪
৭	মোইবাং	৫০	১২	৩	১	১	১০	৪	২	১৮	১২	৬০	৭২	৩	৩	৯	১৫	১০৫
৮	ককচিং	৫৮	১৪	৩	১	১	১২	৪	৩	২১	১৪	৬১	৭৫	৩	৩	৯	১৫	১১১
৯	অপুনবা	৬৬৭	১৬৫	৪২	৮	৮	১৪৯	৩০	২২	২১৭	১৬৫	৭৩৩	৮৯৮	৪২	৪২	১২৬	২১০	১৩২৫

মথক্কী ফিভম্ অদুদগী অহোংবা খরা লাক্খ্রে। ১।৮।৮৯ ফাওবদা ওইখিবা ফিভম্গী অশম্বা মওং অমা পীজরি।

১।	জিলা মশিং		৩-(চেম্পার্কী লমদমতনি)
২।	ব্লোক মশিং		৯-(ইম্ফাল্ ইষ্ট অদু আনিথোক্না খাযদোক্খ্রে)
৩।	পঞ্চাযত সমিতি মশিং		৯-(হান্না নিপাল্তা ওইবম্বনি)
৪।	গ্রাম পঞ্চাযত মশিং		১৬৬- (মশিং অসি অমা হেনগৎখ্রে)
৫।	ন্যায পঞ্চাযত মশিং		৩৭ (হান্না ৪২ লৈবম্বনি)
৬।	গ্রাম পঞ্চাযতকী	(ক) প্রধান মশিং	- ১৬৬
		(খ) উপ প্রধান মশিং	- ১৬৬
		(গ) অতৈ মেম্বর মশিং	- ৭৪৭
		অপুন্বা মশিং	- ১০৭৯
		(ঘ) সিদ্যুল্ড কাষ্ট মেম্বর	২৩
		(ঙ) সিদ্যুল্ড ত্রাইব মেম্বর	১৬
		(চ) নুপী মেম্বর মশিং	- ১৭৬
		(ছ) মকোক ওইবা সিদ্যুল্ড কাষ্ট	- ৩
		(জ) মকোক ওইবা সিদ্যুল্ড ত্রাইব	- ২
৭।	পঞ্চাযত সমিতিগী	(ক) এক্স ওফিসিযো মেম্বর	- ১৬৬
		(খ) নোমিনেটেদ মেম্বর	- ১৮
		(গ) সিদ্যুল্ড কাষ্ট	- ৩
		(ঘ) সিদ্যুল্ড ত্রাইব	২
		অপুন্বা মশিং	১৮৯

৩। *মণিপুরদা পঞ্চায়তশিংনা তৌবা থবক্ :-*

ইং ১৯৬৪ দগী মণিপুবদা গ্রাম পঞ্চাযত লিংবা হৌখ্রে, অদুম্ ওইনমক্ ইং ১৯৭৩-৭৪ ফাওবদি মশক্ নাইবা, শিংথাবা যাবা থবক্ পঞ্চাযত মশানা পায়খৎচখিবা লৈতে। মসিগী মকওইবা মবম্দি — ফণ্ড ফংদবা অমদি মখোয়গী এলাকাদা ফংবা পোংথোক্-লম্থোক্ অদু শিজিন্নবা ঙম্হন্দবদগীনি। এক্ত অমসুং কল্সতা মতিক্ চাবা ফণ্ড ফংননবগী ব্রাফম্ কয়া য়াওজববসু মদু সবকাবনা মশানা খণ্ডনা কাণ্ডথোক্তুনা নিযম্ শেম্লগা চংনহন্বসু তৌখিদ্রি, অদুগা পঞ্চাযতকী থবক্ পুবিবা কাণ্ডবুনসু অতম্লবা থবক্তা শক্তি অমসুং দায়িত্ব শিজিন্নদুনা ফণ্ড অমদি পোংথোক্-লম্থোক্ ফংনবগী লম্বী যাংতুনা এক্ত অমসুং কল্স অদু শিজিন্নবসু ঙম্লক্ত্রা। অনিশুবা মবম্ অমনা অহান্বা চহি তবাবোমদি পঞ্চাযতী বাজগী লোইশং মথাণ্ড অহুম্গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী গ্রাম পঞ্চাযত খক্তা লিংখি। পাওতাক্, তেংবাং, লম্জিং ফংননবা, চুংশিন্নজনবা মথক্কী লোইশংশিং লৈবম্দ্রি ; গ্রাম পঞ্চাযত মথন্তা থাদোক্পনা থবক্কী পোবম্ খণ্ডবা, শক্তিগী লম্বী, দাবী তান্বা হৈতবনা মতম্ শাংনা থবক্ শিত্তুনা লৈবক্খিবনি।

মখোযনা তৌখিবা থবক্ অযাম্বা তশেংবমক্তি সবকাবগী প্রোগ্রাম্, মখোযদা এজেন্ট ওইনা হাযবদি খুৎনেক্ ওইনা শিজিন্নদুনা মতম্ মতম্গী ওইনা তৌখিবা অদুর্তনি হাযবা যাই। অযাম্বা মতম্দা গ্রাম পঞ্চাযতশিং অসি পাওখোন্ চংনবা থম্বা লোইশং (মেসেঞ্জব বোই ওর্গেনাইজেসন্) গুম্না লৈবক্ই। পঞ্চাযতকী প্রধানশিং ব্লোক ডিভেলপমেন্ট কমিতিদা মেম্বব ওইনতা লৈ। ব্লোক্কী থবক্ পাণ্ডথোক্পা, মতম্ মতম্গী সবকাবনা নেক্তুনা ফৌ-চেং খোম্বা যাওহন্বা, হুবান-চিন্থি, অবান্বা তৌবা নত্তগা অবোংপা নহাবোল্গী লৈফম্ তাক্লনবা থবক্ নর্ম্শিন্বা, শাক্ষি ওইহন্বা, লম্ অবেম্বা পিথোর্ক্খিবা যাবে হাযবগী সাহি তৌহন্বা, সার্টিফিকেৎ পিবগী সহি তৌহন্বা অসিনচিংবা ইকাই হঙ্গোইবা যাবা থবক্ ফাওবা তৌহন্খি। কবিগুম্বা কান্দা পুলিস অমসুং লাম্মীগী মখুত্তা তাদুনা ফু-চৈবা ফাওবগী অব্রাবা নংখি। অর্থাবতিনা গ্রাম পঞ্চাযতপু উদে, প্রধান ওইনা উখি অদুনা মেম্বব মশেল্সু চুংশিন্নবা ঙমদে, প্রধান মথন্তগী থবক্কুম্ ওইখি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা লম্ লম্গী খংন-চৈনবা ব্রাথোক-লম্থোক্ নুপী চেন্বা খাইনবনচিংবগী মবম্দা খুল্গী মীনা ন্যায পঞ্চাযত লৈবা খংদনা প্রধানশিংদা ব্রাকৎতুনা ফিভম্না যাদনা মওং অমদা (নিযম্দি নত্তনা) বিচাব তৌহল্লি, শান্তাইনহল্লি। মতৌ অসুম্না প্রধানশিং অসি পঞ্চাযতকী থবক্ ওইনা ইতৌ

তৌদবা অদুগা "কবিমতা তৌদে, ঙাইহাক্তা শংদে" হায়বগী ফিভম্দা লৈবক্ই। শেল্, মতম্, পাঙ্গল্ তিংথোক্তুনা পঞ্চায়তকী প্রধান ওইকবদগী পুন্সি মওং হোংখিবা, কায়খিবা যাওদবা নত্তে।

গোভর্ণমেন্টকী তেংবাং –

মবিশুবা চহি মঙাগী থৌবাংগী অবোইবা চহিদগী হৌদুনা গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী খুৎথাংদা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ খবা তৌহনখি। ইং ১৯৭৪-৭৫ দা চৎথোক্ চৎশিন্গী থবক্তা খুঙ্গংগী লম্বী শেম্না, খুল্ খুল্গী মবক্কী লম্বী পাক্থোক্হন্বা, উগী থোং মচা শাবা, লম্বী নুঙ চাইবা, কাচ্চা লম্বী ফগৎহন্বা অসিনচিংবা থবক্ খুঙ্গংদা থক্লবা ঈশিং ফংননবা পুখ্রি তৌবা, গুহা তৌবা, কৈথেল্ শঙ শাবা, শেল্ তান্বা যাবা থবক্কী ওইনা ঙা যোক্লবা অপুন্বা শেনফম্ লুপা লাক্ষ ৬,৪৪,০৫২ পীদুনা চাংযেং গুম্না থবক্ তৌহন্খি।

ইং ১৯৮৫ গী তুংদা পঞ্চায়তী রাজ লোইশংশিংদা হিবম্ কয়াগীদমক্ চহিগী গ্রান্ত ওইনা শেল্থুম্গী তেংবাং পীনবা হোৎনবক্খি। ইং ১৯৭৮-৭৯ দা পঞ্চায়ত ডাইরেক্টোরেটনা গ্রান্ত লুপা ২,৪৯,৫০০ পীখি। ইং ১৯৮৪-৮৫ দা পঞ্চায়তী রাজ লোইশংশিংগী কাইখিবা শেল্ –

১।	তলব্, ওনবেবিয়া, এলারেন্স (অফিসকী মীওই নত্তবশিংগী)	১৮,৬১,১৬০.০০
২।	সাইন্ বোর্দ শাননবা	১,০৪,০০০.০০
৩।	পোৎ-চৈ, ফর্নিচর	১৫,০০০.০০
৪।	চে-চাংগী	৫০,০০০.০০
৫।	প্রমুখ, উপপ্রমুখশিংগী কা চাউথোকহন্নবা	৪০,০০০.০০
	অপুন্বা	২০,৭০,১৬০.০০

অসুম্না চহিগী ওইনা অককপবা হিবম্ খবগী অদুগা মতম্ মতম্গী ওইবা হিবম্গী ওইনা পিবা হৌখি।

৪। *সরকারনা শিন্‌বিবা মরুওইবা থৌরাং খরা :-*

(ক) পঞ্চায়ত সেক্রেটরি হাপ্পা— বাজ্য অযাম্বদা গ্রাম পঞ্চায়তকী সেক্রেটরি অসি পঞ্চাযত মশানা হাপ্‌চৈ, সবকাবগী কর্ম্মচাবি ওইদে। মণিপুবদদি ফম্ অসি পায়বা মীওই অসি সবকাবনা হাপ্‌ই অদুগা পঞ্চায়তশিংগী থবক্ পুহল্লি। ইং ১৯৮৪-৮৫ দা মখোযগী তলবকী চাং অসি লুপা ৫৭৫ - ১০৫০ ওইখি, মতম্ মতম্‌গী ওইবা এলাবেন্সনচিংবা অতে কর্ম্মচাবিদা পীবগুম্ পী।

(খ) লন্নাই ওইবা সংস্থান য়োক্‌খৎপা — মণিপুব সবকাবনা গ্রান্ত পীদুনা পঞ্চাযতী বাজগী থবক্না মবি লৈনবা লন্নাই লোইশঙশিংবু যোক্‌খৎলি। ওল মণিপুব ষ্টেট পঞ্চাযত পবিষদ হায়বা বাজ্যগী থাক্তা লৈবা সবকাবগী নত্তবা লোইশঙ অসিদা মতিক চাবা গ্রান্ত পীদুনা ডিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নমা পঞ্চাযতী বাজগী ঈহৌ কন্‌খৎনবা হোৎনৈ। অদুগা ওল ইণ্ডিযা পঞ্চাযত পবিষদতসু গ্রান্ত পীবি। সম্মেলন্, কন্‌ফবেন্স, সেমিনাবনচিংবা সবকাবগী গ্রান্তকা লোযননা পাঙথোক্ই। ইং ১৯৮০-৮১ দগীনা ১৯৮৪-৮৫ ফাওবদা লুপা লিশিং ২৩,০০০ পীখি।

(গ) স্টদি টুব চৎহন্‌বা — চহি চহিগী ওইনা পঞ্চাযতকী থবক্ পুবা মীখল্‌দা কাবকপা মীওইশিংবু বাজ্যগী মপান্দা পুথোক্তুনা অতে অতে বাজ্যশিংদা চৎনবিবা পঞ্চাযতকী থবক্কী থৌওং, থৌদৌ, পাযখৎলিবা মখল্ মখাগী স্কীম্ প্লান্ মখোযনা ফংলিবা খুদোংচাবা, শিজিন্নবিবা শক্তি দাযিত্ব, অসিনচিংবা যেংবা ফংননবা শিল্লি। মদুগী খবচ বাজ্য সবকাবনা পুথোক্ই। ইং ১৯৭২ দগী হৌদুনা চাংনাইনা অসিগুম্বা স্টদি টুব অসি পাঙথোক্‌লক্ই। ইং ১৯৭২ দা আসাম্‌দা প্রধান ৯ অফিসাব অমগী মখাদা চৎখি, ইং ১৯৭৫ দা অমুক্ হন্না আসাম্‌দা প্রধান ১১ না অফিসাব অমগা চৎলুই। ইং ১৯৮১ গী ফেব্রুবাবী থাদা মীখল্‌দা কাবক্‌পা মীওই ১৩ নোংচুপ্ বেঙ্গোল্‌দা অফিসাব অনিনা লম্‌জিংদুনা চৎখি। ইং ১৯৮৩ গী মে থাদা ন্যায় পঞ্চাযতকী মেম্বব ১২ উত্তব প্রদেশগী মথুবা জিলাদা অফিসাব ২ লোযনদুনা চৎখি। ইং ১৯৮৬ কী এপ্রিল্ ২৮ দগী মে তাং ১৫ ফাওবদা উত্তব প্রদেশতা প্রমুখ, উপ প্রমুখ, সমিতিগী নুপী মেম্বব ২ প্রধান ৮ অফিসাব ২ না চিংদুনা চৎখি। ইং ১৯৮৯ সেপ্টেম্বব ২৫ দগী ওক্টোবব ৩ ফাওবদা প্রধান ১৮ খন্‌বগী মনুংদা ১৬ না চৎখি, মসি নোংচুপ্ বাঙ্গলাদনি।

ইং ১৯৮৮ গী এপ্রিল ২২ দগী মেগী তাং ৭ ফাওবদা প্রমুখ ২ অমসুং প্রধান ৯ অফিসার ২ না চিংদুনা কর্নাটকাদা, ইং ১৯৯০ গী ফেব্রুৱারী তাং ২৩ দগী মার্চ ১৩ ফাওবদা মী ১৩ খন্বগী মনুংদা প্রমুখ ২, উপ প্রমুখ ১, প্রধান ৬ মী ১১ খক্ অফিসার ২গা লোয়নদুনা রাজস্থানদা অদুগা ইং ১৯৯২ গী জুন ২৫ দগী জুলাই ১২ ফাওবদা অন্ধ্রপ্রদেশতা অফিসার ২ না লুচিংদুনা প্রমুখ ২, উপপ্রমুখ ৩, প্রধান ১৩ না চৎখি। মতুং তারদসু প্রোগ্রাম্ লৈখি।

মণিপুরদা পঞ্চায়তকী মীওইশিংদা মতিক্ চাবা শক্তি, মতিক্ মঙম্, দায়িত্ব পীদুনা থবক্ তৌহন্দবনা পঞ্চায়তী রাজগী মশক্ মুন্না খঙবা ঙম্দ্রগা; পঞ্চায়তী রাজ খুমাং চাওশিন্খ্রবা রাজ্যশিংদা পুথোক্নুনা অতৈ মপাল্গী মীওইশিংনা তৌরিবা থবক্-থৌওং মমিংমক্লা উহন্দুনা নিয়ম্ খঙহন্দুনা পঞ্চায়তী রাজদা শক্খঙবদা যাম্না কান্নহন্খি, পুক্নিং লৌশিং ওইহল্লক্ই; মসিদি রাজ্য সরকারগী অমদি ডিপার্টমেন্টকী খ্বাইদগী চাউববা অমদি য়াম্না ফজখ্রবা থৌবাংনি—খুদোল্নি। মসিনা লৌশিং, মীৎযেং চাওথোক্পা ঙম্হন্খিবতা নত্তনা অনৌবা আশা পীবা ঙম্দুনা মণিপুরদা পঞ্চায়তী রাজগী ঈহৌ শাগৎপা ঙল্লক্নি।

৫। ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পীবা :-

পঞ্চায়তী রাজদা থবক্ পায়রিবা মীদা ট্রেনিং পীবা হায়বসি পাথাপ্ অসি হিংহন্নবা অদুগা মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্নবা মচাক্ অমনি। পোৎথোক্ ফংননবা পোৎ, পৈশা, পাঙ্গল্ থাদবদা, তিংথোক্পদা মহৈ ফংবগুম্ ট্রেনিংগী অফবা থৌবাংনা থবক্ পুগদবা মতিক্ চাবা মীওই থোকহন্বা ঙম্ই। পঞ্চায়তী রাজ পাথাপ্ চৎনবদা অশোয়বা লৈরিবা মরুওইবা মরম্গী মনুংদা সাধারন ওইনা খুন্মীশিংনা অদুগা অতম্নন মীখল্দা কাবক্পা লুচিংবা ওইগদৌরিবা কাঙবুনা পঞ্চায়তী রাজগী মনুংগী ভাব, শেম্গৎ-শাগৎপগী নিয়ম্, মখোয়গী মথৌ, দায়িত্ব, মখোয়গী হক্ নিংথিনা খঙদবা হায়বসি অমনি। ট্রেনিং পীবনা হান্নগী চেল্লন্বা ৱাখল্ অদু হোংদোক্হল্লগা অনৌবা ৱাখল্গী ইথিল্ পীদুনা, থবক্ হৈনবগী, খঙনবগী জ্ঞান ফংহন্বা ঙম্ই।

মণিপুরদা পঞ্চায়তকী থবক্ পুরিবা মীওই, সরকারগী কর্ম্মচারি অমদি সরকারগী নত্তবা থবক্ পুবশিং অসিদা ট্রেনিং পীদুনা লাক্ই। মনিপুর সরকারনা পঞ্চায়তী রাজ ট্রেনিং সেন্তর অমা লিংবগী থৌবাং অমা ভারত সরকার (মিনিষ্ট্রি ওফ সি:দি: এণ্ড কো: ওপরেসন্, ডিপার্টমেন্ট ওফ সি:দি:) গী ইং ১৯৬২ গী

জানুৱারী তাং ২০ গী চিঠি অমনা অয়াবা পীখি। ট্রেনিং সেন্তর অসি ইং ১৯৬২-৬৩ দা মণিপুর প্রদেশ ভাবত সেবক্ সমাজ হায়বা লন্নাই সংস্থান অদুগা ভারত সরকারগা পুন্না শেল্ পুথোক্মিন্নদুনা ভারত সেবক্ সমাজনা ঙাক্লৌ পীদুনা বিষ্ণুপুরদা লিংবা তাখি। মতুংদা ইবোইশেনবদা লৈবা গ্রাম সেবক্ ট্রেনিং সেন্তবগী হোষ্টেল্গী কা খরদা চখবা হৌখি। ট্রেনিং সেন্তর অসিগী ৱাবী খঙবনা মণিপুবদা পঞ্চায়তী রাজ ঈহৌগী চাং লেপ্পদা কান্নগদবা লৈবনা খরদং পন্বা চুম্ই।

ভাবত সেবক্ সমাজ (অশম্বদা বি:এস:এস:) জাতিগী থাক্তা লৈবা সংস্থান ওইবনা অদুগা সেন্তব অসি লিংবগা মণিপুবদা পঞ্চাযতকী মীখল্ ইহান হান্বগী মতম্গা চান্নবনা ট্রেনিং সেন্তর অসি য়াম্না মচু তানা চত্থবা হৌবক্ই। অদুবু ইং ১৯৬৬-৬৭ অদুৱাইদা বি:এস:এস: কী মপাঙ্গল্ হন্থবক্খি। ইং ১৯৬৮ গী জুলাই ৬ কী চিঠি অমগী মতুং ইন্না পঞ্চায়তী বাজ ট্রেনিং সেন্তর (অশম্বদা পি: আর:টি:সি:) গী খবচ পুম্না রাজ্য সরকাবনা ইং ১৯৬৭-৬৮ দগী হৌনা পুরগদবনি হায়রক্পা মতুং ইন্না রাজ্য সবকারগী থৌদাং ওইখ্রে। হুকুম্ অদু থেঙনা থোক্পনা চয়েৎনবা হৌখ্রে, বি:এস:এস: সু মরাই চাইথরক্পনা সরকারগী গ্রান্তসু নিয়ম্. চাং নাইরক্তবনা ট্রেনিং সেন্তর অসিদা অমুবা মমি লাক্পা হৌখ্রে। ট্রেনিং সেন্তব অসিগী মেনেজিং কমিতি অমা মণিপুর সরকারগী হুকুম্ তাং ৬।২।৬২ গী মতুংইন্না শেম্খি। মদুদা সরকাবগী মায়কৈদগী ডাইরেক্টর ওফ পঞ্চায়তস, অন্দর সেক্রেটরি পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চাযত অফিসার নি অদুগা বি:এস:এস: কী মায়কৈদগী চেয়াবমেন্ অমসুং সেক্রেটবিনি। বি:এস:এস: কী সেক্রেটবিনা কমিতি অসিগী সেক্রেটরি অদুগা ডাইবেক্টব ওফ পঞ্চায়তসনা চেযাবমেন্ ওইখি। অসুম্না চত্থবক্পদা বি:এস:এস: না শেল্ লান্না শিজিন্নে হাযবদগী গ্রান্ত পীবম্না অদু সেপ্টেম্বর ১৯৬৯ দগী লেপ্লে হায়না মণিপুব সবকাবগী ইং ১৯৭০ গী এপ্রিল ২ গী হুকুম্ অমনা হঙ্গৎনা, মতম্ চৎখৎনা কক্খ্রে।

মণিপুর সরকারগী তাং ২৫।২।৭০ গী চিঠি অমনা ট্রেনিং সেন্তব অসি ডিপার্টমেন্টনা শিঞ্জবগে হাযবা ৱাফম অমা ভাবত সবকাবগী তাং ৩১।৩।৭০গী চিঠিনা ট্রেনিং অসি তৌননবা "পঞ্চায়তী বাজ ট্রেনিং সেন্তব" অসিগা "মণিপুব কো:ওপবেটিভ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট" কা পুনশিল্লে অদুগা "মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এণ্ড কো:ওপরেটিভ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট' হায়না মীংথোল্লে হাযনা তাং ৩০।১২।১৯৭০ গী হুকুম্ অমা থোক্খি। মদুগীদমক্ মেনেজিং কমিতি অমা শেমখি মদুদা সেক্রেটবি (পঞ্চায়ত) মণিপুব সবকাবনা চেয়ারমেন্,—রেজিষ্ট্রাব কো:ওপরেটিভ সোসাইতি, মণিপুরনা সেক্রেটবি, পঞ্চায়ত অফিসার মণিপুবনা

জোইন্ট সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল্ (এসিস্টেন্ট রেজিস্ট্রার কো:ওপরেটিভ সোসাইটিজ অমা) অদুগা মণিপুর ষ্টেট কো:ওপ:ইউনিয়নগী চেয়ারমেন্‌বুনা মেম্বর ওইনা শাখি। অদুগা পঞ্চায়তকী মশা (শকক্), কো:ওপরেটিভকী মশা অনি থোক্লা থবক্ চথখি। পঞ্চায়তকী ট্রেনিং অসি তাং ১।১।১৯৭১ দগী তৌবা হৌখি।

ট্রেনিং হৌখিবা অসি সেন্টর অসিগী মশাগী মীওই অমতা যাওদনা অরাইবা মীগা লোয়ননা হৌখিবনি। ট্রেনিংগী তম্লিননা অমদি অফিস পুননবা মী অসি মতম্ চুপ্পদা মপুং ফাবক্তে। বি:এস:এস: কী থাদা লৈরিভেদ প্রিন্সিপাল্ অসি মণিপুর গোভর্নমেন্টতগী ডেপুটেসন্দা লৌ না লাক্‌ই, ইন্সট্রক্টর অমসু ডেপুটেসন্দা লৌখি। ইং ১৯৬৬-৬৭ তদি মশাগা ওইবা ইন্সট্রক্টর আনিশুবা হৌই।

পঞ্চায়তী রাজ ট্রেনিং সেন্টরগা, মণিপুর কো:ওপ: ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকা অনি পুল্লবসি যাম্না নাতে চাদবনি পঞ্চায়তকী ট্রেনিং তৌফম্ লৈতবদগী শঙ (যুম) পুন্‌বা যানবগীতা ওইনা তৌকবনি থবক্তি তোঙান্ তোঙান্ মচা খায়না যেতুম অমা ফাওবা হেঞ্জিন্নদনা চথবক্‌খি। ইং ১৯৬৯ দা ট্রেনিং সেন্টরদা ডেপুটেসন্দা লৈবা প্রিন্সিপাল্ অমা ইন্সট্রক্টর অনি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অফিসার অমা, এল:দি:সি: অমা, পিয়ন্ অমা চৌকিদার অমা লৈরম্‌ই। গোভর্নমেন্টনা সেন্টর অদু লৌশিন্নবা হোৎনবদা সেন্টর অদুগী পোৎ-চৈ, মাল্-চাং-শেন্দোল্, রেকোর্দনচিংবগী রা খন্দনা স্টাফ্ অদু মখৈতা লৌশিন্নবা হোৎনবদা পঞ্চায়তকী শকক্ ওইনা ভাইস প্রিন্সিপাল্ অমা, ইন্সট্রক্টর অমা, ইউ:দি:সি: অমা, এল:দি:সি: অমা পিয়ন্ অমা অদুগা চৌকিদার অমগী ফম্ ইং ১৯৭০ গী মনুংদা শেম্‌খি। ইং ১৯৭১ গী মে থাদা ইন্সট্রক্টর অনি লৈরদুগী মনুংদা মখাথংবা ইন্সট্রক্টর অদু, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অফিসার ওইরম্লদুবু ইউ:দি:সি: ওইনা অদুগা হান্নগী ওইরম্বা এল:দি:সি:, পিয়ন্ অমসুং চৌকিদার মাখোয় মীওই মঙাবুদি লৌশিন্‌খ্রে। মথক্ থংবা ইন্সট্রক্টর (অইবা মশামক্)বুদি ভাইস প্রিন্সিপাল্ ওইনা লৌশিন্‌গনি তৌবদু চযেৎনদুনা লৌশিন্‌বা ঙম্‌দদুনা লাক্‌ই। মমৈদা পুম্নমক্কী তুংদা লেম্‌হৌরিবা মথক্ থংবা ইন্সট্রক্টর অদু ইং ১৯৭২ দা ভাইস প্রিন্সিপাল্‌গী মহুত্তা চুম্নগী ইন্সট্রক্টর ওইনা লৌশিন্‌খি। অসিগুম্বা অশোইবা সবকাবগী থৌশিল্ অসিগী মহৈদি হান্নগী মথক্ থংলম্বা ইন্সট্রক্টর, প্রিন্সিপাল্ চার্জ পুরম্লদুনা মখা থংহন্‌খ্রে; এদমিনিস্ট্রেটিভ অফিসার ওইজরম্লদুনা ইউ:দি:সি: ওইনতা পুশিল্লে। মী মঙানা ইং ১৯৬৯গী সেপ্টেম্বরদগী ১৯৭১ মে থা ফাওবা থা কুন্‌মথোইগী তলব ফংখিদ্রে অদুগা ইন্সট্রক্টর অরিবা

অমবুনা ফম্সু হংহনগ্রে অদুগা থাকুম্লাগী তলব ফংহন্খিদ্রে। মবি ইলে লৈনদবা এ:আর:সি:এস: অমনা প্রিন্সিপাল্ ওইহন্খ্রে। ইং ১৯৭০ ফাওবগী রেকোর্দ পুম্নমক্ লৌশিল্খিদ্রে। অসুম্না শেল্দা ইজৎতা শোক্লবা মীওইনা স্টাফ্ ওইদুনা লাক্ই, রাকৎ অমতা লৌবিখিদে। খোইবাংবা অরাংপা, নিংবা থুংদবা, হক্ মাংজববা মীনা থবক্ তৌবদা ফংফম্ খোক্পা অদুগী তাঞ্জা পিদবনা ফংবা ঙম্লক্খিদে।

স্নিয়বা যাদবা মচাক্ অনি হায়বদি পি:আর:টি:সি: অমসুং এম:সি:টি: আই পুনবা যাদবনা পঞ্চায়ত ডিপার্টমেন্টকী অফিস দিউলালেন্ডদা হোংবা মতম্দা মার্চ ১৯৭৯ দা পঞ্চায়তকী মশা অসিসু পুথোক্খি। সেক্রেটরিয়েট কো: ওপরেসন্ ডিপার্টমেন্টকী ইং ১৯৮১ গী জুলাই ১৫গী হুকুম্ অমগী মতুং ইন্না এম:সি:টি: আই অসিসু মণিপুর ষ্টেট কো:ওপরেটিভ ইউনিয়নদা শিন্নখি। অদুম্ ওইনামক্ হুকুম্ অদু পঞ্চায়ত ডিপার্ট-মেন্টতা ফংখিদে, মমৈদা পি:আর:টি: আই: অমসুং এম:সি:টি: আই: অনি অসি খায়দোক্লবে হায়বগী অফোওবা হুকুম্ অদু সেক্রেটরিয়েট ডিভেলপ্মেন্ট ডিপার্টমেন্টকী হুকুম্ ১৯৮৩ গী সেপ্টেম্বর ২৮ দা থোক্খি।

ইং ১৯৭৭ তা মখা তানা থম্লম্বা ইন্সট্রক্টরবু এদহোক্তা ভাইস প্রিন্সিপাল্ হাপখি অদুগা ইং ১৯৮১ দা রেগুলেরাইজ তৌখি। পঞ্চায়তী রাজ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট কী মশাগী ওইবা প্রিন্সিপাল্ অমা হেক হৌবক্পদগী হাপ্তবনা ভাইস প্রিন্সিপাল্ ওইবম্বা অদুনা থবক্ থাদোক্লবা ফাওবদা হাপ্তদুনা লাক্খি। মশা লৈবিঙৈদা ফম্ অদু প্রিন্সিপাল্ হায়না ওন্থোক্লবা হায়জবা তাবিদনা থবক্তি প্রিন্সিপালগী থবক্ পুহন্খি। মতৌ অসুম্না মকোক্ মক পান্দবা ট্রেনিং সেন্তর ওইদুনা লাক্খি। ইং ১৯৮৪ দা ইন্সট্রক্টর (এগ্রিকল্চর) অমগা ইন্সট্রক্টর (সোসিওলোজি) অমগা হাপ্খি, অদুনা অপুনবা স্টাফতা ভাইস প্রিন্সিপাল্ অমা, ইন্সট্রক্টর অহুম্, ইউ:দি:সি: অমা এল:দি:সি: অমা, পিয়ন্ অমা অদুগা চৌকিদার অমা লৈখি। মিনিষ্টিরেল স্টাফ্ অমসুং গ্রেদ ফোর স্টাফ হেন্না হাপ্পগী থবক্ লৌখৎতুনা সরকারনা অযাবা পিবক্তুনা হাপখ্রবসু ডাইরেক্টোরেটকী স্টাফ্কা পুনশিন্নদগী ট্রেনিং সেন্তরগী স্টাফ্ চপ্চাবা মশিং খংদদুনা লৈখি। শিক্প্রবা শঙ অমদা ডাইরেক্টোরেটকা পুন্শিন্দুনা থবক্ তৌবদগী চয়েৎনদুনা মফম্ খংখিদে।

ট্রেনিং সেন্তৰগী মচাক্-মথুম্ :-

ট্রেনিং সেন্তৰ অসিগীদমক্ সৰকাৰগী ওইনা লৌশিনৱ্রিবঁদা লৈখিবা মচাক্, পোৎ-চৈ কয়া য়ানবা ফিভম্দা মৰল্-মথুম্, শেন্দোল্নচিংবা খন্নদনা মীতমক্ লৌশিন্খিবনা বি:এস:এস: তা লৈহৌবে, মীশিং অদুগী সার্ভিসকী ফিভম্সু পুম্নৌ নৌহনখ্রে । ইং ১৯৭১ দগী লৈখিবা মকওইবা পোৎকী মনুংদা চাক্খুম্গী কোল্-লিক্, খুৎলাই য়োৎপাক্-থাংজৌ, গালিচা ফিদা, টেবল্ চৌকী, ফাল, য়োৎকী আল্মিৰা, উপু, কাংথোল্, ফমুংগী পোৎ, ঈশিংগী টেঙ্কিশিং, ট্রেনিংদা চংবা সিনেমা মেছিন্, ফিলম্, জীপ্ গাড়ি, মাৰুটি ভান্, ওভৰ হেদ প্রোজেক্টৰ মখল্ মখাগী লাইবিক্, প্রেস্টোগ্রাফ্, প্রেস্টোসাইন বোর্দ মদুগা লোয়নবা ময়েক্ কয়া লৈখি । অদুদগী হেন্দোক্লনা টেপ্ ৰেকোর্দৰ, ম্যুজিকেল্ ইন্স্ট্রুমেন্ট, জেৰোক্স মেছিন্নচিংবসু লৈখিবনি । অদুবু ট্রেনিং সেন্তৰ অসিগী মশাগী ওইবা লম অমসুং য়ুম্ লৈতবনা পিক্খ্রব্ব ডিপার্টমেন্টকী শঙ নুংদা ডিপার্টমেন্টকী ওইবা পোৎকা তোৎশিন্নদুনা থম্খিবা, সেন্তৰ পুবা মী হোংদোক্ হোংজিন্ তৌবা অসিনচিংবনা মৰম্ ওইদুনাপুম্চাই চাইখ্রে, শিজিন্নফম্ খংখিদ্রে; খাইদোক্লনা থম্বগী তঙাইফদে ।

ট্রেনিং সেন্তৰগী য়ুম্:- .

ট্রেনিং সেন্তৰ অসিনা হৌবক্পদগী মশাগী ওইবা য়ুম্ অফিস লৈবক্খিদবা অসিনা গ্রাম সেবক্ ট্রেনিং সেন্তৰগী হোষ্টেল্গী য়ুম্দা, কো: ওপৰেটিভ ডিপার্টমেন্টকী মণিপুৰ কো-ওপৰেটিভ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটকী হোষ্টেল্দা দিউলালেঙগী অৱাইবা য়ুম্দা, লম্ফেল্পাৎতা লৈবা ডিপার্টমেন্টকী কাদা ট্রেনিং তৌদুনা লাক্খি । মমৈদদি মখল্ খুদিংগী ট্রেনিং পুন্নমক্ কোইনা চৎপা ট্রেনিং ওইনা ব্লোক্কী লমদা ইম্ফালদা লৈবা স্কুল্ কলেজ্ লন্নাই সংস্থানশিংগী য়ুম্, পব্লিক্কী শঙ্গোইনচিংবদা চৎ-চৎতুনা তৌখি । মমৈদা মতম অদুগী ভাইস-প্রিন্সিপাল্(অইবা মশামক্) না থোইদোক হেন্দোক্লা কোইনা চেন্দুনা অফিসর্শিং শম্নবা তুংদা ইম্ফাল্ ইষ্টকী পোৰোম্ পাৎতা মণিপুৰ গোভনমেন্টকী তাং ৭।৯।৮৭ কী মতুং ইন্না একৰ ৩গী লম্ সি:এস: দাগ না ৩৬ (পি) খুল্ নং ২৮ দা পিখি । মদুগীদমক্ প্রেমিয়ম্ লুপা ৬০,০০০ লিশিং হুম্ফু থিখি । ট্রেনিং সেন্তৰ গী হোষ্টেল্ শানবা লুপা ১৩,১১,৩১০.৩৫ অদুগা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক্ শাননবা লুপা ১০,৩৯,০৯০.৯০ পুন্না লুপা ২৩,৫০,৪০১.২৫ কাইথোক্লনা মনিপুৰ পোলিস হাউজিং কোর্পোৰেসন্দা শিন্নবগা ইং ১৯৮৯-৯০ ফাওবগী মনুংদা শাবা

১৯৯১

লোযননবা পান্দম্ থম্খি । ভাইস প্রিন্সিপাল্ অদুনা থবক্ থাদোক্প্রবা ফাওবদা শাবা লোইবা ঙম্খিদে অদুবু তাং ২০।১১।১৯৯১ দদি শঙ্গাখ্রে । হৌজিক্ নুপীগী হোষ্টেল্ শঙ, ওল্ মণিপুব ষ্টেট পঞ্চাযত পবিষদকী ওইনা কাইথোকপা পঞ্চায়ত ভবন্ অমসু শাখ্রে । মসি ওইনবা হোৎনবদা মতম্ অদুগী ডাইবেক্টবনা (শ্রী পি: ভাবত সিংহনা) থৌদাং চাওনা লৌখি ।

ট্রেনিং মখল্ :-

ট্রেনিং সেন্তব য়াসিদা চহি খুদিংগী মথং মথং মীওই কযাগী ট্রেনিং তৌই।

১। অফিসিযেল্গী (অফিসকী থবক্ তৌবগী) ওইনা :

(ক) পঞ্চাযত সেক্রেটবিগী ওবিযেন্টেসন্ কম্-জোব কোর্স - থা অহুম্গী (নুমিৎ মবিফুতবা)

(খ) পঞ্চাযত সেক্রেটবিগী বিফ্রেসার্স কোর্স - থা অমা (নুমিৎ কুন্থা)

২। নন্-অফিসিযেল্ (মীখল্দা কাবক্পা পঞ্চাযতকী মীওই) গী:

(ক) প্রধান অমসুং উপ প্রধানগী নুমিৎ ৭ নিগী

(খ) গ্রাম পঞ্চাযত মেম্ববগী - নুমিৎ ৩নিগী

(মমৈদদি ৫নিগী ওইখ্রে)

(গ) ন্যায পঞ্চাযতকী সবপঞ্চ উপ সবপঞ্চ অমসুং পঞ্চশিংগী - নুমিৎ ১০নিগী

মথক্কী ট্রেনিংশিং তৌবদা চুম্নগী ক্লাশতা লেক্চব তৌবগী মথক্তা ফিল্ড ভিজিত অমসুং ষ্টদি টুব তৌহল্লি । পঞ্চাযত সেক্রেটবিগী থা অহুম্গী ট্রেনিংদদি নুমিৎ তবা নিবোম্গীদমক্ বাজ্যগী মনুংদা সবকাবগী ডিপার্টমেন্ট নক্তগা লয়াই সংস্থানশিংনা পাইখৎপা চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্, অচৌবা প্রোজেক্টনচিংবা অদু ট্রেনিং যাওবিবা মীশিং অদু পুদুনা যেংহল্লি । থা অমগী ট্রেনিংদসু ফিল্ড ভিজিৎ অসি লৈ । থা অহুম্গী অশাংবা ট্রেনিংদদি মণিপুবগী মপান্দা পঞ্চাযতী বাজ ফজনা চত্থখ্রবা বাজ্যশিংদা চৎহল্লি । ইহান্ হান্বগী ওইনা আসাম্গী জোবহাটকী লম্দা অফিসাব অনিনা চিংদুনা ট্রেনি, নিফু পুখি । গুজবাত বাজ্যদাইং ১৯৭২ দা ট্রেনিং তৌবিবা পঞ্চাযত সেক্রেটবি ২১ খক্ ইন্সট্রক্টব অনিনা লুচিংদুনা আগষ্ট তাং ১৮ দগী ২১ ফাওবা গুজবাত মনুংদা চৎখি । মথং অমদা ইং ১৯৭৪ গী এপ্রিল্ ১৭ তগী কুম্মাথোই ফাওবা মহাবাষ্ট্রগী মফম্ কযাদা পঞ্চায়ত সেক্রেটবি ১৯ খক্তা ইন্সট্রক্টব ২ গা লোযননা কোইনা চৎতুনা যেংখি । ইং ১৯৮৯ দসু

অসুম্না সেক্রেটরি ২৮ খক্লা লুচিংবা অফিসার ২ যাওনা আসাম্‌দা ওক্টোবর তাং ১৬ তগী ২৪ ফাওবা লৈখি ।


প্রধান অমসুং উপপ্রধানগী ট্রেনিংদা নোংমদি ফিল্ড ভিজিত তৌবগী প্রোগ্রাম থম্মী । ন্যায় পঞ্চায়তকী সরপঞ্চ, উপ-সরপঞ্চ অমসুং পঞ্চশিংগী নুমিৎ ১০নিগী ট্রেনিংদা নোংমদি রাযেন্‌শংশিংদা পুদুনা বিচার তৌবগী মওং অদুগা রেকোর্দ থম্বা, লোইশিন্‌বগী থবক্ যেংহল্লি ।

ট্রেনিংদা অসিগুম্বা ফিল্ড ভিজিত অমসুং ষ্টদি টুর তৌবা অসিনা ট্রেনিশিংগী হক্‌থেংনবা জ্ঞান্ মপুং ফাহল্লি, মসি য়াম্না ফজবরা প্রোগ্রাম্‌নি । ট্রেনিং সেন্তর অসিগী মখাদা প্রমুখ, উপ প্রমুখ, পঞ্চাযত সমিতিগী মেম্বরশিংগী ওইবা ট্রেনিং কম্‌-রার্কসোপ্ তৌখি । অদুগা ডাইরেক্টোরেটকী মিনিষ্ট্রিয়েল্ স্টাফ্ অদুগা ব্লোক্ স্টাফ্‌কীদমক্‌সু ট্রেনিং কোর্স থমদুনা পাংথোক্‌খি ।

(৬) পঞ্চায়ত ডাইরেক্টোরেটকী মওং ;-

মণিপুরগী পঞ্চয়ত ডাইরেক্টোরেট অসি ইং ১৯৬১ দা য়াম্না পিক্‌পা মওংদা শেম্‌খি । এসিস্টেন্ট পঞ্চায়ত অফিসার অমা, পঞ্চাযত ইন্সপেক্টর অনি, এক্সটেন্সন্ অফিসার তকক্ অদুগা পঞ্চায়ত সেক্রেটরি নিফু, ইউ:দি:সি: অনি অমসুং এল:দি:সি: অহুম্‌খত্তুংনা থবক্ পুরা হৌরক্‌ই, তুংদা খরা হেন্না পাক্‌থোক্-চাওথোক্লক্‌ই ।

মথাগী অসি ষ্টাফ্কী মওংনি :-



ডিপার্টমেন্ট না পাইখৎপা (স্কীম্শিং)
থৌরাংশিংগী মনুংদা শিংথাবা যাবা খবা :-

১। ট্রেনিং সেন্তব থম্বা;

২। নন অফিসিযেল্-- মীখল্দা কাবক্পা কাওবুবু বাজ্যগী মপান্দা পুথোক্রুনা অতৈ বাজ্যশিংগী থবক্ উহন্বা, ষ্টদি টুব তৌহন্বা ;

৩। পঞ্চায়ত সমেলন্ রাজ্যগী থাক্তা চহিগী ওইনা পাংথোক্পা ;
৪। পঞ্চায়তী রাজগী মরিদা ৱার্কশোপ্, সেমিনাব, কন্‌ফবেন্স, মতম্ মতম্‌গী ওইনা পাঙথোক্পা ;
৫। ব্লোক্কী থাক্তা, বাজ্যগী থাক্তা, খ্বাইদগী ফবা পঞ্চায়ত খন্‌গৎতুনা মনা পীবা, পুক্লিং থৌগৎপা;
৬। থা খুদিংগী ওইনা পঞ্চায়তী রাজ হায়বা চেফোং পুথোক্পা ;
৭। অতে অতে মবক্ মবক্কী ওইবা ব্রোচব, পামফ্লেট পুথোক্পা ;
৮। গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং ন্যায় পঞ্চায়ত ঘব হায়বদি য়ুম্ শানবা তেংবাং পীদুনা শাহন্‌বা ;
৯। মতম্ মতম্‌গী ওইনা গ্রান্তকী মওংদা শেল্‌গী তেংবাং পীদুনা পঞ্চাযতশিংনা চাওখৎ-থৌরম্‌গী থবক্ পাংথোক্হন্‌বা ;
১০। ওল্ মণিপুব ষ্টেট পঞ্চায়ত পরিষদ অমসুং ওল ইন্দিয়া পঞ্চায়ত পবিষদ তা গ্রান্ত ওইনা শেল্‌গী তেংবাং পীবা ;

মথক্কী অসিগুম্বা কয়া অসি ডিপার্টমেন্ট অসিগী মরু ওইবা চাংনাইবা থৌরাংনি।

৭/ মণিপুরদা ন্যায় পঞ্চায়ত :-

(ক) বৃটিশ শাসন্‌গী মতমদা লৈখিবা পঞ্চাযতকী মওং— ইং ১৮৯১ দা মণিপুবগী লাল্ লোইবদুনা নীংতম্বা মাংখ্রবদা বৃটিশ শাসন্ মখাদা লৈখ্রে। মথংগী চহি ১৮৯২ দা খুঙ্গংগী পঞ্চাযত লিংখৎখি। *মওং অসিগী পঞ্চায়ত অসিদি মণিপুবগী তম্পাক্কী লম্‌দা চৎনবম্বা মথক্কী পন্দুপ্‌শিংদা যাওখিবা খুঙ্গংগী পঞ্চাযত অদুগী মওং নত্তে, ৱায়েন্ বিচাবগীতা ওইবা পঞ্চাযতনি ; হৌজিক্কী মতম্‌গী ন্যায পঞ্চাযত অসিগী মওংমক্নি। ষ্টেটকী ওইনা অৱাংবা থাক্তা গাবোদ লান্‌মীগী ৱাযেল্ শঙ অমসুং পাঁচা (নুপীগী ৱাযেলশঙ) লৈবম্বদু মুথৎলবা তুংদা চৈবাপ্ অমসুং সদব পঞ্চাযত (মীযাম্না হাযনবা পঞ্চায) লিংখৎখি। চৈবাপ্তা মেম্বব মঙা হাপ্‌ই, মখোয অমমম্‌দা লৌচা ওইনা লৌ পবি যাঙ্খ্রে পীবম্মী, মতৌ অদুগুম্না সদব পঞ্চাযত (পঞ্চায) দসু মেম্বব মঙা লৈ, মাখোয খুদিংদসু

---

* ১৮৯২ দা খুঙ্গংগী পঞ্চাযত লিংখৎখি হাযবসি চৈথাবোল্ কুম্বাবদা যাওই হায়না অদুগা

লৌচা ওইনা লৌ পবি ২৫ কুন্‌মঙা পীবম্ই। সদব পঞ্চাযত হাযবিৰ্বসি সহবগীনি মসিবু টাউন পঞ্চাযত **হাযনা খংনৈ।

মতৌ অসুম্না মণিপুবদা পোলিটিকেল্ এজেন্টকী কোর্ট অদুগা এসিস্টেন্ট পোলিটিকেল্ এজেন্টকী কোর্টকী মখা তাবদা ৱাযেন্‌শং মখল্ অহুম্ — ষ্টেটকী থাক্তা চৈবাপ্ — সহবগী ওইনা সদব পঞ্চাযত অদুগা খুঙ্গংগী ওইনা শালিস পঞ্চায়ত মখল্ অহুম্ অসি লৈবম্মী।

খুঙ্গংগী পঞ্চাযত — মণিপুবগী তম্পাক্কী মনুংচন্‌বা খুঙ্গংগী লম্‌দম্‌দা সার্কল কযামুক্ খাযদোক্‌লম্মী, সার্কল অমদা যুম্ লিশিং অমবোমগী ওই, মসি থানা অমমম্‌গী লম্‌নি। মসিগী সার্কল আসগী খুদিংগী ওইনা মেম্বব ৫ না শাবা পঞ্চাযত অমমম্ থম্‌খি। মখোযনা লুপা ৷১০ ফাওবা ওইগদবা (দেওৱানি) সিভিল্ কেস তৌবা অদুগা জবি ওইনা লুপা ৫০ ফাওবগী তৌবা ঙম্ই। (ক্রিমিনেল্) ফৌজদাবি কেসসু তৌবম্মী, দণ্ডিদা জেল্ পীবগুম্বদি ঙম্‌দে। পঞ্চাযর্তশিং অসি অহান্‌বদদি ফজনা চখবা ঙম্লম্‌দে। সার্কল খাযবা অসি পুলিসকীদমক্তি যাম্না কান্নখি; যুম্ ১০০ বোমগী ওইনা খুল্‌গী চৌকিদাব হাযদুনা হাপ্‌লম্মী। মহাক্ অসিনা মহাক্কী সার্কল পঞ্চাযত অদুদা নিতিগী কাবম্মী। মখোয অসি মশাগী ফিজেৎ ফৈজোম্‌নচিংবা তাখৎলগা নম্বব থাবা কোম্পাক্ অমা যাওবা অথাবা পেটি (খ্বাংলাক্) লাক্লম্মী, খাকীগী ফুবিৎ লীৎলম্মী। মখোযবু প্রজাশিংনা কিনা চৎনবম্মী। মাগী মখাদা নম্বোব হাযদুনা অমসু তেংবাংনবা হাপ্‌লম্মী।

লোর্ড বিপোনগী মমিং চৎলবা মে থাগী ইং ১৮৮২ গী বিজোলুসন্ অদুগী চৈথেং লাক্লুনা চৎনহন্নবা হোৎনবদা ভাবতকী মফম্ অতৈদা তৌবগুম্না মণিপুবদা বৃটিশনা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী পাথাপ্ চৎনহন্নবা মতম অদুগী পোলিটিকেল্ এজেন্টনা খুঙ্গংগী পঞ্চাযত শালিস পঞ্চাযত অসি ইং ১৯০২-০৩ দা নৌনা অমুক্ লিংখৎখি। মসিগী শালিস পঞ্চাযত মওং অসিদা মেম্বব ৫ লৈবম্মী, মখোযনা সিভিল্ (দেওৱানি) অমসুং ক্রিমিনেল্ (ফৌজদাবি) কেশ

** টাউন পঞ্চাযত অসি ইং ১৮৯১ গী নভেম্ববগী তাং ১৫ দা লিংখৎখি; (মথক্কী ৱাফম অনি অসি শ্রী এল: গৌবগোপাল্ সিংহনা মহাক্কী লাইবিক 'লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট ইন্ মণিপুব ১৮৯১-১৯৮১' হায়বদুদা শৌগৎলি)।

মখল্ অনিমক্ পাইরম্মী । লুপা ৫০গী থাক্ ফাওবা কেশ তৌবা অদুগা জরি ওইনা লুপা ৫০ ফাওবা তৌবা ঙম্লম্মী ; ফাদোক পীবদি ঙম্দে ; মখোয়না ঙম্দবদু চৈরাপ্তা থাগৎলি । অরাক্পা কেশতি তাইশিন্নদুনা লোইশিন্বনা অয়াম্বনি । অফোংবদা মীরেপ্ খুদিংগী মাগী মাগী মী পরেং লেংহল্লগা মশিং য়াম্না ফংবা মীরেপ্ খল্লি । মেম্বর খুদিংদা থাগী তলব লুপা ৭.৫০ পীরম্মী, মখোয়গীদি লৌ পরি তরা ফাওবগী খাজনা কোক্ই হায় ।

পঞ্চায়তশিং অসিদা ব্রায়েল্ বিচারগী থবক্ তৌহন্দুনা সরকারগী নাকোং শাহন্দবা ঙম্খি, মসি হৌজিক্কী মতম্গী গ্রাম পঞ্চায়তকী থবক্ পায়দবা ন্যায় পঞ্চায়তনি । মণিপুরদা অসিগুম্বা পঞ্চায়ত অসি ১৪ খক্ লৈরম্মী । *মখোয় অদুদি –

(১) চাংনুং পঞ্চায়ত, (২) মাকলং পঞ্চায়ত, (৩) শওম্বুং পঞ্চায়ত, (৪) শেক্মাই পঞ্চায়ত, (৫) ইরিনবুং পঞ্চায়ত, (৬) ব্রাংজিং পঞ্চায়ত, (৭) নম্বোল অব্রাং পঞ্চায়ত, (৮) ব্রাঙ্গোই পঞ্চায়ত, (৯) য়াইবিপোক্ পঞ্চাযত, (১০) মোহমদন্ পঞ্চায়ত, (১১) লাংমৈদোং পঞ্চায়ত, (১২) বিষেন্পুর পঞ্চায়ত, (১৩) মোইরাং পঞ্চায়ত, (১৪) লমশাং পঞ্চায়ত ।

পঞ্চায়তশিং অসিগী শঙ অসি ফকলাং মখোংদা ফুট ৪ / ৫ ব্রাংনা লৈরং তাবা, মমাঙদা শঙতপ্ ইম্থোকপা, জিন্তঘনা কুপ্পা, থোঙ পান্দনা ইহাঙ হাঙবা মওংদা উখি । পঞ্চায়তশিং অসিনা চপ্চানা থবক্ তৌখি । ইং ১৯৩৬-৩৭ তা পঞ্চাযতশিং অসিনা ক্রিমিনেল্ কেশ ৩৮৪ অদুগা সিভিল্ কেশ ৯৭২ লোইশিনখি হায় । ** মেম্বরশিং অসিবু য়াম্না কিনা, ইকায়খুম্নুনা চৎনরম্মী । মখোয়গী (মশিং য়াম্না পীবা) ব্রারেপ্ অদু ব্রাথোক্লরিবা কাঙবুনা লৌদবা ঙম্লদে ।

মণিপুর কোর্ট এক্ট ১৯৫৫ লাক্পদগীদি ১৯৫৬ তগী হৌনা খুঙ্গংগী ব্রায়েল্ শঙ শালিস পঞ্চায়ত অসি লৈখিদ্রে । মোহমদন পঞ্চায়ত অসিগী লৈফম্

* ইং ১৯৩১-৩২ দদি পঞ্চায়ত অসি ১৩ খক্তা লৈরম্মী ।

** ইং ১৯৩৬-৩৭ তা লোইশিনখিবা কেস মশিং মথক্কী অনি অসি শ্রী এল: গৌরগোপাল সিংহগী মহাক্কী লাইরিক 'লোকেল সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট ইন মণিপুর ১৮৯১-১৯৮১' হায়বদুদা থেংনৈ ।

যাওদ্রিবা অসি মুসল্মানতগী ওইবা পঞ্চাযত ওইগনি, মসিগীদমক্ মুসলমান বিচাবপতি (কাজি) লৈবন্না থেংনৈ, খঙই।

(খ) ন্যায় পঞ্চায়তকী পান্দম্ -

ন্যায পঞ্চাযত নত্তুগা খুঙ্গংগী (কোর্ট) ৱাযেন্শঙ লিংবনা-অতৈ অতৈ ৱাযেনশঙশিংনা তৌবদগী হেন্না হোঙনা, মতম্ থুনা, অদুগা মবী লৈনবা মীশিংদা খুদোংচাদবদু ৱাৎনা, অচম্না কেশ ৱাথোকশিংবু লোইশিল্হল্লি। মসিনা ৱাথোক্কী থবক্তা শেন্জং তাহল্লি, আইন্গী চযেৎনবা মবৈ মবাং থাদোক্তুনা অথুবা অদুগা শেল্ চঙদবা অচুম্বা খুঙ্গংগী মীশিংদা পীবা ঙম্মী। অনিশুবা পান্দম্ অমদি চৎনবী, হান্নগী পবিং, যানবা ৱাফম্ কযা ঙাক্পা ঙম্মী। অহুমসুবা অমনা লোইশঙ অসিনা ৱাযেনগী শাসন্ তৌবা তম্নবগী খুৎলাই অমা ওইদুনা আইন্গী (ফোবম্) নৈনফম শিন্দম্ অমা যোক্খৎপনি।

ন্যায পঞ্চ নত্তুগা বিচাবপতিশিংনা মখোযগী মমান্নবা, মখোযনা খঙবা নক্নবা খুঙ্গংগী মীওইশিংগী মমাঙদা ফমদুনা অকিবা, থকম্ অমদি অতৈ নুংঙাইতবা লৈতনা ৱাযেন্ তৌবা তাই। আইন্গী ওইবা পবিংদা ৱাযেন্ তৌদনা যাবমখৈ ৱাতাইননবা থেমদুনা নৌদুনা, নত্তুগা কিহন্দুনা খঙন চান্নবগী, মকপ্ মপাং ওইবগী অমদি খুন্নী মশেল্ ওইবগী ৱাখল্দা তৌনৈ। পুন্সিগী ফিভম্, চৎথোক চৎশিনগী খুদোং চাদবা পান্বে, মীযাম্গী অপাম্বা অসিনচিংবা পুন্নমক্কী মখঙ মীওইবগী মহৌশাগী ওইবা জ্ঞান পুন্নমক্ অসিনা খুঙ্গংবু শাসন্গী মফম্ অমা ওইহন্বা ঙম্লিবনি। অসিগুম্বা মখলগী ৱাযেন্শঙশিংগী মনুংগী ৱাখল্লোনদি, খৎনবা অমগী হৌবক্ফম্ ওইবিবা মফম্ অদুদা লৈবিবা মীওইশিংগী ৱাথোক্কা বিচাবগীদমক্তি মফম্ অদুমক্তদা লৈবিবা মখোয অসিনা (পঞ্চশিং অসিনা) খ্বাইদগী ফবা বিচাবপতিনি। যুম্ফম্ ওইবা মনুংগী ৱাখলদি মফম্ অমদা থোক্পা খৎনবগী ৱাযেন্ অসি লেপ্পনবগীদমক্ মফম্ অদুগী চুম্নগী মীওই খবদা শিন্নবনি। ৱাথোক লাম্থোক্কী থবক্ অসি মক ওইবা, খবা হেন্না শিংবা, তৌবা ঙম্বা মীওই খবগী লূপ্ অমদা মখোয মশেল্দা অচুম্বা তৌননবা শিন্নবা হাযবসি চপ্চাবা পান্দম্নি।

লাইবিক-লাইশু নিংথিনা হৈজদ্রবসু, অনৌবা আইন্গী জ্ঞান্ যাওজদ্রবসু মশা মশাগী ওইবা লৌশিং, চৎনবীগী নিযম্, সমাজগী কহি, মশানা তাজবা অচুম্বা (নেচবেল্ জষ্টিস), 'কৈনৌ ৱাযেল্' শিজিন্নদুনা ইলাই লাইনা ৱাথোক্ লাম্থোক লোইশিন্বা ঙম্মী। মসিগুম্বা ৱাযেল অসিনা খৎনবিবা কাঙবুশিংগী

থৱায শোক্হন্দে, নুংঙাইতবা, লম্মন্ খুম্নিংবগী বাখল্ লৈহন্দে। অদূনা তুং তাবা থোক্লক্পা যাবা খুদোংথীবা কযা লাকহন্দবা যাই।

মসিগী ব্রাফর্মশিং অসি খঙবনা বৃটিশকী লৈঙাক্পশিংনা হান্নগী ফি ভম কাযহন্দনবা হোৎনখি। অদুনা ইং ১৯৫০ গী মখাদা মণিপুবনা ভাবতঙা তিনব্রিঙৈদা পঞ্চাযতশিংনা থবক্ ফজনা চত্থবর্ম্মী।

(গ) বৃটিশ শাসন্ লোইখ্রবদা -

মণিপুবনা ভাবত্তা তিনখ্রবদা পঞ্চাযতী বাজ পাথাপ্ চৎনবক্খি। ইউ:পি: পঞ্চাযত বাজ এক্ট ১৯৪৭ মণিপুবদা চৎনহন্খি। এক্ট অসিগী মখাদা ইং ১৯৬৪ দা ইহান্ হান্বা ওইনা গ্রাম্ পঞ্চাযতকা মীখল তৌববা তুংদা তোপ্না বাথেন বিচাবগীদমক্তা ন্যায পঞ্চাযত ৪৪ লিংবা লৌখি। ন্যায পঞ্চাযত অসিনা গ্রাম পঞ্চাযত ৩ দগী ৭ ফাওবা কোন্খি, মসিগী গ্রাম্ পঞ্চাযত অমগী মী মাশং অসি মা লিশিং ২ দগী তাবনি। মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ এক্ট ১৯৭৫ গী মখাদা ন্যায পঞ্চাযত অমনা গ্রাম পঞ্চাযত ৩ দগী ৫ ফাওবগী লম্ কোল্লি; অদুনা মীশিং অসি পুন্না লিশিং তবাদগীনা তবামঙা তাবা লম্গী ব্রাযেলশঙ ওই (মসি খবা চাওমন্বনি)। এক্ট অসিগী ব্রাখলদি যাবমখৈ গ্রাম পঞ্চাযত অমগীদমক্ ন্যায পঞ্চাযত অমা লৈহন্বনি। ভাবতকী বাজ্য খবদা মমিং ওইনা ওবিষা, পঞ্জাব, নোংচুপ বাঙ্গলা, হিমাচল পদেশ, অন্দ্রপ্রদেশ, আসাম, বিহাব, জামু অমসুং কাশ্মীবদা ন্যায পঞ্চাযত অমগী লম্গা গ্রাম পঞ্চাযত অমগী লম্গা চানৈ। মণিপূবদা এম:পি. আব: এক্ট ১৯৭৫ গী মখাদা ন্যায পঞ্চাযত ৩৭ লৈখি।

পঞ্চ খন্বা - ইউ:পি: পঞ্চাযত বাজ এক্টকী মখাদা পঞ্চ ওইননবা অকক্ল বা মশিংগা মেম্বব খবা খবা ন্যায পঞ্চাযত অদুনা কোল্লিবা গ্রাম পঞ্চাযতশিংগী মীখলগী মতম্দা হেন্না খাল্লি অদুগা গ্রাম্ পঞ্চাযত খুদিংগী অপুন্বা মেম্ববশিংনা মখোযগী মবক্তগী হাযবিবা মশিংগী মীওইশিং অদু খল্লগা ন্যায পঞ্চ ওইননবা থায। ন্যায পঞ্চাযত অমদা মেম্বব পঞ্চ তবাদগী তবামঙা ফাওবা লৈ, অদুগা মেম্বব মঙা মঙাগী ওইবা বেঞ্চ অনি নত্তগা অহুম্ শেম্মী। বেঞ্চ অনি নত্তগা অহুমগী পঞ্চ অদুনা মখোযগী মবক্তগী সবপঞ্চ অমদি সহাযক সবপঞ্চ হাযদুনা (চেযাবমেন্ অমদি ভাইস চেযাবমেন্) অনি খল্লি। ব্রাথোক্ খুদিংমক্ বেঞ্চ অনি নত্তগা অহুম্ অসিদা পীথোক্লদুনা বিচাব তৌই।

মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৭৫ গী মতুংইন্না ন্যায পঞ্চাযত অমদা বেঞ্চ অমতগী ওইনা পঞ্চ মঙাখক্তা লৈবে। পঞ্চশিং অসি ন্যায পঞ্চাযত অদুনা কোল্লিবা গ্রাম সভাগী মীওই মবক্তগী গ্রাম পঞ্চাযতশিং অদুগী মেম্ববশিংনা মখোযগী ওইগদবা মীশিং অদু মাগী মাগী পঞ্চাযতকী ওইনা খল্লি । অদুগা চেযাবমেন্, সবপঞ্চ অমসুং উপসবপঞ্চদি (ভাইস চেযাবমেনদি) বাজ্য সবকাবনা দিষ্ট্রিক্ট জর্জগা তান্নবগা হাপই । মসি অনৌবা অহোংবনি । পঞ্চশিং অসি ইবা পাবা (মণিপুবি অর্মাদ বেঙ্গোলি মযেক্তা) ঙমগদবনি অদুগা চহি ৩৫ শুগদর্বান । ন্যায পঞ্চাযতকী মপুল্সি অসি গ্রাম পঞ্চাযতকা চানৈ । মসিগী মিটিং তৌবদা তঙ্খাই অমনা কোবম্ শাই ।

(ঘ) ন্যায় পঞ্চায়তনা তৌবা য়াবা কেশকী মখল্ অদুগা মখোয়গী পঙ্গ্লে:-

ন্যায পঞ্চাযতনা সিভিল্ অমসুং ক্রিমিনেল্ কেশ অনিমক্ তৌবা ঙম্মী, অতে অতেস্ মংম মতমগী মতুংইন্না তৌহন্বো যাবগী রাফম্ লৈ ।

সিভিল কেশকী ঙমখৈ মখাগী কেশ মওংশিংদা মদুগা পৈশাগী চাংনা লপা লিশিং ঙমদগী (ইবেন বাগ্গা শেমদোকপা) হেন্দ্রবাদি ন্যায পঞ্চাযতনা বাবে তৌগনি

১। অকব্রবা, অপেগ্গা শেংফমগা রাথোক ,
২। [illegible] নত্তুগা মদুগা মাংবা [illegible] বাথোক ,
৩। লেঙবা [illegible] বাথোক ,
৪। [illegible] মাইথবগী [illegible]

অদুন্ ওইনমক ন্যায পঞ্চাযতনা মখাগী কেশ [illegible] অসিদি তৌবোইদগনি

১। তিংদুনা তৌনা (পার্টনবাশপ) থবক্কী লেমজৌবা [illegible] থোক্পা হিসাবকী বাথোক্ ;
২। উইল্ তৌদুনা থন্নগ্না লন্ নত্তুগা মদুগী শককী রাথোক ,
৩। পব্লিক সার্ভেন্ট অমনা অফিসকী ওইনা অঙম্বা তৌবা থবক্ মবমদা সবকাবনা নত্তুগা মদুগী মাইযোক্তা তৌবা, অদুগা ন্যায পঞ্চাযতকী পঞ্চ অমনা নত্তুগা মাগী মাইযোক্তা তৌবা ;
৪। চহি শুদ্রিবা অঙাং নত্তুগা বুদ্ধি চোইবা মী ওই অমনা নত্তুগা মাগী মাইযোক্তা তৌবা ;

ক্রিমিনেল্ কেশকী ওম্খে— ন্যায পঞ্চাযতনা তৌবা ঙম্বা ক্রিমিনেল্ কেশকী ওইবা মবাল্শিংদি –

১। ইন্দিযান পেনাল্ কোদ, ১৮৬০গী সেক্সন্ ১৪০, ১৬০,১৭২, ১৭৪, ১৭৯, ২৬৯, ২৭৭, ২৮৩, ২৮৫, ২৮৯, ২৯০, ২৯৪, ৩২৩, ৩৩৪, ৩৪১, ৩৫২, ৩৫৭, ৩৫৮, ৩৭৪, ৩৭৯, ৪০৩, ৪২৬, ৪৩০, ৪৩১, ৪৪১, ৪৪৭, ৪৪৮, ৫০৪, ৫০৮, ৫০৯, অমসুং ৫১০ (হুবান্খি া নত্ত্রগা হৈনথোক্লপ্বা লন্ অদুনা লুপা ৫০০ হেন্দ্রবদি) গী মখাদা মবাল্ লৈবা মখে;

২। কেতল্ ত্রেসপাস এক্টকী সেকশন্ ২৪ অমসুং ২৬কী মখাদা লৈবা মবাল্গী ৱাথোক্ ;

৩। বাজ্য সবকাবনা লেপ্পা মতুংইন্না অতৈ অতোপ্পা আইনগী মখাদা অতোপ্-অতোপ্পা ন্যায পঞ্চাযত তা তৌবা যাগনি লেপ্পা মবাল্শিং ;

ন্যায পঞ্চাযত অমতনা ক্রিমিনেল্ কেশতা মখাগী মী ওইখবগী বিচাব তৌবা যাবোই –

১। পব্লিক্ সার্ভেন্ট;

২। হুবান্বগীদমক হান্ননা ন্যায পঞ্চাযত অমনা দণ্ডি পীখ্রবা মীশক্;

৩। কোদ ওফ ক্রিমিনেল্ প্রোসিদিযব ১৯৭০ গী সেক্সন্ ১০৯ নত্ত্রগা ১১০ গী মখাদা অফবা লমচৎতা পুবক্লবা তৌখ্রবা মীওই ;

৪। পব্লিক্ গেমব্লিং এক্ট ১৮৬৭ কী মখাদা মবাল্ অমগী চৈবাক্ পীখ্রবা ;

বেভিনিউ কেশ – সেক্সন্ ১৫৩ (১) না হায়বদা বাজ্য সবকাবনা ন্যায পঞ্চাযতশিংদা বেভিন্যু (বেভিনিউ) কোর্ট অমগী শক্তি মশক্ তাক্তুনা পীবা যাই ।

ন্যায় পঞ্চাযতনা চুম্নগী মতম্দা মশানা তাজবা অচুম্বগী নিযম্দা বিচাব তৌই । অদুগা ক্রিমিনেল্ প্রোসিদিযব কোদ ১৯৭৩, ইন্দিযান ইভিদেন্স এক্ট ১৮৭২ অদুগা কোদ ওফ সিভিল্ প্রোসিদিযব ১৯০৮ গী মখাদা কেশ চখে । কনাগুম্বা উকিল্ অমতা বিচাবদা ৱাপা ওইবা যাদে । পার্টি খুদিংমক ন্যায পঞ্চাযততা থোক্পা যাই নত্ত্রগা ন্যায পঞ্চাযতনা যাবা পার্টিগী এজেন্টসু থোক্পা যাই । ন্যায পঞ্চাযতনা বন্দি থম্বগী দণ্ডি পীবা ঙমদে, লুপা ৩০০ ফাওবা জবি তৌবা ঙম্মী ।

বিচাবদা পীফম্ থোক্পা পৈশা পীবা ঙমদ্রবদি খ্বাইদগী নক্পা সব দিভিজনেল্ মাজিষ্ট্রেটতা বিপোর্ট তৌবগা থৌহন্গনি।

(ঙ) মণিপুরদা ন্যায় পঞ্চায়তনা পাঙথোক্খিবা কেশকী চাং:-

মণিপুবদা ন্যায় পঞ্চাযর্তাশিংনা তৌখিবা থবক্কী চাং খঙবদা নুংঙাইনবা মখাগী (অতম্ননা খন্বা নত্তবা) ন্যায পঞ্চাযত অহুম্না তৌখির্বাশিং যেংবা যাই। মচাক্শিং অসি অইবা মশামক্না ডাইবেক্টোবেট ওফ পঞ্চাযতকী ওইনা ডাইবেক্টবগী অযাবা যাওনা চৎতুনা খোম্জিল্লুর্বনি।

ইং ১৯৭৮ দগী ১৯৮৪ গী টার্মগী ওইনা

সিরিয়েল নম্বর	ন্যায় পঞ্চায়তকী মমিং, ব্লোক পঞ্চায়ত সমিতি, ন্যায় পঞ্চায়তনা কোনবা গ্রাম পঞ্চায়তশিং	ন্যায় পঞ্চায়ততা পুখৎলকখিবা কেস মশিং		কেসশিন্নবা লোইখিবা- হল্লিবা কেস মশিং	আপীলগী মখাদা চংখিবা কেস মশিং	মথক্কী কোর্টতা আপীলগী চিবা কেস মশিং
১	খাঙবোক ন্যায় পঞ্চায়ত থৌবাল ব্লোক পঞ্চায়ত সমিতি (ক) খাঙবোক পার্ট ৱান গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়ত (গ) শঙ্গাই যুম্ফম গ্রাম পঞ্চায়ত	সিভিল্ কেশ	৮১	৯৩	৫	১
		ক্রিমিনেল্ কেশ	৩	.	১	-
		বেভিন্যু কেশ	৬	৬	-	
		বেজিষ্টব তৌদবা কেশ	২	৩		
		কেশ হন্দোকখিবা	৭			
		অপুনবা	১১৭	১০৪	৬	:
২	কোম্বৌজম্ ন্যায় পঞ্চায়ত ইম্ফাল বেষ্ট ৱান ব্লোক পঞ্চায়ত সমিতি (ক) কোম্বৌজম্ গ্রা: প: (খ) মোইদাংপোক্ গ্রা:প: (গ) কমেং গ্রা: প:	সিভিল্ কেশ	৩৭	৩২	৫	
		ক্রিমিনেল্ কেশ	৩৩	৩০	৩	-
		বেভিন্যু কেশ	১০	৯	১	-
		বেজিষ্টব তৌদবা	৭	৭	-	
		অপুনবা মশিং	৮৭	৭৮	৯	-
৩	থিনুঙ্গৈ ন্যায পঞ্চায়ত বিষ্ণুপুব ব্লোক পঞ্চায়ত সমিতি (ক) থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়ত (খ) খোইজুমান " " (গ) ফুবালা " "	সিভিল্ কেশ	১১	৯	২	-
		ক্রিমিনেল্ কেশ	৬	৬	-	-
		বেভিন্যু কেশ	৩	২	১	-
		বেজিষ্টব তৌদবা	৭	৬	১	-
		অপুনবা মশিং	২৭	২৩	৪	-

(চ) ন্যায় পঞ্চায়তত্তা তৌখিবা কেশশিংগী মওং (কাইদা):-

১। সিভিল্ কেশশিং — কেশ অয়াম্বদি শেল্পূবা, ফৌ পূবা, শেল্ অমসুং ফৌ শোংপা (পৈশা খীদনা লৌবা) লৌ অদুগা শা-শল্ বন্ধান্ থম্বা, শেল্গী মকপ্ তৌবদা শেম্বাং পুখৎলক্তবা, শা-শল্না লৌ-ইংখোল্দা চঙবা ;

২। বেভিন্যু কেশ— লম হেঞ্জিন্না খোপ্চিনবা, লম্গী মপু ওইবা তান্বা, লৌশাল্ পীদবা অসিনচিংবনি ।
(তশেংবমক্তি ন্যায পঞ্চায়তনা আইন্গী মতুংইন্না বেভিন্যু কেশ পায়বা ঙম্দবনি অদুবু কেশ ফনা য়াম্না ব্রাথোক্লবিবা কাঙবুগা য়ানবদগী লোইশিন্বা ঙম্খি।)

৩। সিভিল্ কেশ—ন্যায় পঞ্চয়তনা তৌবা ঙম্বা কেশতি লুপা ১০০০ (ইকোন্ কোম্বা শেমদোক্পা) ফাওবতগীনি ; অদুগা ক্রিমিনেল্ কেশতনা হুবান্বা পোৎকী মমল্না লুপা ৫০০ ফাওবতগীনি । অদুবু য়ানবদগী লুপা লিশিং মবি মঙাগী মথক্ ফাওবা লোইবা ঙম্খি । কেশ খবদা জবি তৌই, চাংচৎতা লুপা ২০০ ফাওবা তৌখি ।

কেশ পুম্নমক্কী অয়াম্বদি থেম্জিন্দুনা লোইশিন্বনা অয়াম্বনি, লেম্হৌবিবা খবনা আইন্গী মতুংইন্না তৌখি । ব্রাথোক্লবিবা কাঙবুনা ন্যায় পঞ্চায়তকী বিচাবদা পেন্দবা কন্না লৈখিদে ।

(ছ) ন্যায় পঞ্চায়তনা থেংনরিবা (সমস্যাশিং) খুদোংচাদবশিং :-

১। কেশকী ঙম্খৈ পীক্পা— মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৭৫গী ইকোন্ কোন্বা শেম্দোকপা য়াওনা ন্যায় পঞ্চাযতনা তৌবা ঙম্বা কেশকী ঙমখৈ অসি শেল্গী চাংদা লুপা ১০০০তনি । অদুগা হুবান্পোৎকী মমল্না লুনা ৫০০ ফাওবতনি । জবি তৌবা ঙম্বসি লুপা ৩০০ খক্তনি । পোৎ চৈগী মমল্না ব্রাংখৎপ্রবদা কক্লিবা চাং অসিদগী হেন্গৎপা কেশতি ন্যায় পঞ্চাযতনা

তৌবা য়াদ্রে। অদুগা খুঙ্গংদা থোক্পা কেশকী চাং য়াম্না হন্থনা ন্যায পঞ্চায়তত্তা লাক্খি পৈশাগী চাং অসি হেন্‌গৎপা ওাবক্ই।

২। মবী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী অওন্বশিংগী তেংবাং ব্রাৎপা–

(ক) ন্যায পঞ্চাযতনা কেশকী মতমদা সমন 'তৌদুন' ব্রাথোক্লবিবা পার্টি কৌখৎলি, মদু মলম্ অমা নত্ত্রগা অমদা তাইশিন্নদুনা লৌদনবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা তাঙাদা ন্যায পঞ্চাযতনা ২নাগী, এস·দি:ও: গী অদুগা মুন্সিফ কোর্টকী তেংবাং নিবা মতমদা খবদি পাংবিবক্পসু যাওই অদুবু এযাম্বা মতমদ তেংবাং ফংদে।

(খ) কবিগুম্বা কান্দা থানাগী মীওইনা তেংবাংবগী মখত্তা ন্যায় পঞ্চাযতকী থবক্তা অপনবা পীবা, অবানবা মীগী মীচং চঙদুনা পর্থশিংবু কবা, ফুবনাচংব তৌদুনা মিংচং মাংহম্বত্তা নত্তনা কেশ চত্থবা ঙম্হন্দে অদুগা খুঙ্গংগা কোর্ট অসিগী থাজবা মাঙই।

(গ) এস:দি:এম. অমসুং মুন্সিফ্ কোর্টশিংনা ন্যায পঞ্চাযতনা তৌবা যাবা কেশ কয়া লৌশিল্লি। আইনগী মতুংইন্না ন্যায পঞ্চাযতত্তা থাদবিবা চুম্বদু তৌদে। অসিগুম্বা কাইদা অসিনসু ন্যায পঞ্চাযতলিংবগী পান্দম্ মাংহল্লি।

৩। ন্যায় পঞ্চশিং অসি লাইবিক্ য়ৌনা হৈতবা, কোর্টকী চৎনবী মুন্নাখঙদবা, আইনগী লৌশিং ব্রাৎপনা অয়াম্বনি। মখোয়দা মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটনা অনৌবা মওংদা ট্রেনিংদি পিববসু খুৎলোইবগী জ্ঞানদি ব্রাৎলি। এক্টকী মখাদা মুন্সিফকী বিচাবপতিশিংনা চৎতুনা ট্রেনিং পীবা য়াবগী ব্রাফম্ লৈ, মাসি তৌববদি মশাদা অকিবা, হঙ্গোইবা, মীয়াম্না নোক্র বিগদবগী অকিবা অদু কোক্হম্বা ঙম্গনি।

৪। ন্যায় পঞ্চায়তকী মেম্ববশিং অসি মথাঙ নাইনা খম্বনি।

মীখল্গী মতম্দা গ্রাম সভাগী মেম্ববনা গ্রাম পঞ্চায়তকী মেম্ববশিংতবু খম্বনিনা ন্যায পঞ্চায়ত লৈ হাযবা ফাওবা খঙদে। গ্রাম পঞ্চাযত কয়া কোনবা মখোয়গী ব্রাথোক্-লাম্ব্রোকী বিচাব তৌনবা ব্রায়েন্‌শঙ অমা লৈবসি গ্রাম পঞ্চায়তকী মকম্দা লৈখিদুনা উবা ঙমদে। মখোয়গী ব্রাযেন্‌শঙ তোপ্পা লৈ খঙদবনা কেশ অয়াম্বা পুখৎতে। ব্রাথোক্কী মতমদা গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান অমসুং মেম্ববশিংদা তাক্ই। প্রধানশিংনা ন্যায় পঞ্চাযতত্তা চৎলু হায়না তাক্পসু যাওই অদুবু শাবিবা ফিভম্গীদমক্তা অহানবা ওইনা থেংনদুনা কেশ চত্থিবা য়াওদবা নত্তে। খুঙ্গংগী কোর্ট নত্ত্রগা ব্রাযেন্‌শঙ, সবপঞ্চ, পঞ্চ লৈ হায়বসি খঙহম্বা তাবনি।

৫। ন্যায় পঞ্চায়ত অমনা কোন্বা লম্ অসি যাম্না চাওই, গ্রাম পঞ্চাযত অহুম্দগী মঙা ফাওবনি, চাওবাক্না মী লিশিং তবামঙা বোম লৈবগীন। পাক্ চাওমন্বা অসিনা ব্রাথোক্ মচাগীদমক্ ন্যায পঞ্চাযততা চৎপা ঙম্নদে, লাকপা তাববসু কেশ মশিং যাম্না য়াম্বা তাই, সার্কল্ অসি পীক্থব' চুম্মী।

৬। ন্যায পঞ্চাযতকী মশাদা ফগু মাতক চনা লৈজদে, পঞ্চাযত সমিতগী ফগুদগী পীবক্কদবনি। মপোৎ মচৈ খুদম ওইনা চৌকি, টেবল, উপুনচিংবা, চে চাং অতৈ অতৈ আফসকা ওইবা পোৎ অদুগা কোর্ট অমগী ওইবা মতিক চাবা শঙ অমসুং অতৈ অতৈ চঙফম থোক্পা লৈতবনা বাযেনশঙ অমা ওইবগী শক্ফম্ অমসুং মগুণ্ যাওহন্দে; মসিসু অচৌবা অবাৎপান। ●

(১০)

পঞ্চায়তী রাজদা অথিংবা লৈখিবশিং :-

১। সাধারন্ ওইনা ভারতকী ফিভম্‌দা :-

(ক) পঞ্চায়তী রাজগী চপ্‌চাবা মফম্ ভারতকী সংবিধান্‌দা ফংখিদবা— মসি খ্বাইদগী চাওবা অথিংবশিংগী মনুংদা অমনি । সংবিধান্‌না কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকার অনিবুতা শক খণ্ডই, সরকার অনি অসিদি পার্টনরসিপ্ হায়বদি শকক য়ামিন্নবগী 'ফংভম্‌দা মাগী মাগী ঙম্‌খৈ খায়দোক্লুনা থম্মী , চাওখৎমিন্নবা য়াই । অদুবু পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদি সংবিধান্‌দগী হেক পোক্লক্‌পদগী রাজ্য সরকারগী মৌজাল্‌দা পোক্‌পা, হিংবা, চাওখৎপা অমদি শিবগী ব্রাফম লৈরক্‌ই । মরম অদুনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা শিন্নবা, পোরম্ য়াৎতুনা পীবা, হাইদোক হাইজিন্ (থৈদোক্ থৈজিন্) য়াদবা থবক্তমক্ খুৎনেক ওইনা তৌদুনা লাক্‌খি । মশা মশানা শেম্‌জবা মৌবাং-মৌশিল্ অদু মশাগী ওইবা ফঙ্‌ পুথোক্‌চদুনা থবক্ তৌখিবসি রাজ্য খবদা নত্তনা অতৈদদি তৌরাক্রে । চপচাবা (শক্তি) পাঙ্গল্ অমসুং (অর্থবিত্তি) মঙম্ শিন্নদনা, পীদনা লাক্‌ই । সংবিধান শেম্‌দোক্লুনা পঞ্চায়তী রাজগী চপ্‌চাবা ফম্ফম্ পীবা অসি পাম্নদুনা লাক্‌খিৰনি ।

(খ) রাজনীতিগী ওইবা অনিংবা ব্রাৎপা — রাজনীতিগী ওইবা শক্তি, মঙম্, দায়িত্ব, ফঙুনচিংবা খুঙ্গংগী প্রজাগী মীহুৎতা শিন্ননিংবগী চপ্‌চাবা অকন্বা, অয়ুংবা ব্রাখল্ লৈতে । ইকাযখুম্নফম্ ওইবা ঐখোয়গী এম:পি: অমদি এম:এল.এ: নচিংবনা হায়বিবা শক্তি, দায়িত্ব অমদি থবক্ মখোয়দগী খাইদোক্লিংদে।- পঞ্চায়তী রাজগী মীওইশিংনা শক্তি ফংদুনা থবক্, তৌখিবা তাববদি মীখল্‌গী মতম্‌দা মখোয়গা লান্থা তৌনবক্কনি, মতম্ অদুদা মখোয় মাইথিগনি । মরম্ অদুনা মীখল্ থৈথোক্লবা শিল্লি হায়বা অসি কমিতি কয়ানা ফোংদোক্‌প্লবনি । মখোযনা হায়নিংগনি মখোযনা প্রজাগী মীহুৎ ওইদুনা লৈবরমক্তদা পঞ্চায়তী রাজ করিগী অমুক্ লৈহন্‌গদগে ? পণ্ডিত নেহরুনা প্রধান মন্ত্রি ওইরিঙৈদা রাজ্যশিংদা পঞ্চায়তী রাজ চৎননবা হায়খিবা মতম্‌দা নেহরুগী মাই য়েংদুনা চৎনবদি হৌখি ; অদুবু পুন্নিং লুপ্‌খিদে, তথ্বাইতমা চিংন-চিংননা নিংখিবনি । মদুগী মহৈদি পঞ্চায়তী রাজগী ইতিহাস অসি অকা-অকুম্‌গী ব্রাবি ওইখ্রে ।

ইং ১৯৫৯ দগী ১৯৬৪ ফাওবসি পঞ্চায়তী রাজ লিরি-লিরি হাইগৎলক্খি, ইং ১৯৬৫ দগী ১৯৬৯ অস্বাই ফাওর্বসি লেংদনা লৈবা মতম্ ওইখি; অদুগা ইং ১৯৬৯-৭০ অস্বাইদগীদি অসুম অসুম মবাই চাইথবক্খি।

(গ) পঞ্চায়তী বাজদা বাজনীতিগী খুৎথিংজিন্বা-- মীখল্দা কারকপা মীওইশিংগী মবক্তা রাজনীতিগী মচেৎ তাবা লৈ, পুকচেল্ শেংনা থবক তৌদবা য়াওই। রাজনীতি শান্নবা কাঙবুনা মতম্ মতম্গী পঞ্চায়তকী থবক্তা খুৎথিংজিন্দুনা অচুম্বা মওংদা থবক্ চত্থবা ঙমদে। মীখল্দা কাহৌদবা কাঙবুনা থবক্তা তেংবাংবগী মহুৎতা অয়েৎপা, অথিংবা পীদুনা মচেৎ তাহন্বতা নত্তনা থবক্ পাঙথোক্পদা অকাযবা থোক্হল্লি।

(ঘ) মনুংগী ওইবা শাসন্গী থবক্তা অশোয়বা— সরকাবগী মেছিনরি অসি ব্যুরোক্রেট অফিসাবগী মখুৎতা লৈ। মখোযগী পান্দর্মদি মকোক্ থোংববু পেল্হন্বা, রুটিন্ ওইনা তৌদবা য়াদবা থবক্তমক্ তৌবা, খুঙ্গংগী মীশিংগী মিহুল্ খঙনা থবক্ তৌদবা, খুম্মীশিংবু অপঙবনি, চাওখৎতবনি খন্দুনা মখোয়বু হঙ্গোইবা উৎনা থবক্ তৌবা, থবক্ হৈতবা মতিক্ চাদবা অফিসার থম্জিন্বা অদুগা তোয়না তোয়না হোংদোক্পা, মানা মানা পুরিবা থবক্কী লৌশিং মতিক্ চানা লৈতবা, চে অমসুং ফাইল্দতা ইনদুনা অবেন্বদা মতম্ মাঙহন্বা অসিনচিংবা শাসন্গী মওং চুম্দবা কয়ানা পঞ্চায়তী রাজ চাওখৎহন্বদা অপন্বা ওইহল্লি। অসুিগুম্বা (ব্রার্ক কল্চব) থবক্কী মনাৎ অসি হোংদোক্পা চুম্মী।

(ঙ) পঞ্চায়তী রাজগী মনুংগী ভাব শেংনা খঙদবা— পঞ্চায়তী রাজবু শাগৎলিবা ব্রাখল্, মনুংগী ভাব, চৎনরোন্ (প্রিন্সিপল্) অসি মী অয়াম্বনা মনুং থিৎনা খঙদে। পঞ্চায়তকী লোইশঙশিংবু খরনা সরকারগী (পার্টনব) শরুক্ য়ামিন্নবনি, খবা অমনা মসিবু চুম্নগী (এজেন্টনি) থৌদালোইনি, সরকারনা শিন্নবা থবক্ অদুতা পাঙথোক্পতনি। কনা অমনা গনতন্ত্র শাগৎপগী এক্সটেন্সন্নি ; মী খবনা পঞ্চাযতী রাজবু লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী (মফম্ মফম্গী ওইবা সরকাবগী) চার্টবনি হায। ব্রাফম ময়াম্ অসিনা চঙৎনবা, চনৈনবা পোক্হল্লি, মবম্ অদুনা অশেংবা পঞ্চায়তী রাজগী পান্দম্ অদু য়ৌনা চঙশিন্বদা অপন্বা ওই।

(চ) চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্ পাংথোক্পদা পঞ্চায়তশিং য়াওহন্দবা—চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্ পাংথোক্পা অসি পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী খুৎথাংদা তৌগদবনি হায়বসি পঞ্চায়তী রাজগী চৎনলোন্গী মনুংদা অমনি। অদুবু রাজ্য অয়াম্বদা তৌদে। সরকাব না থাংখাং নাইনা চাথোক্ হেনগৎনবগী, থবক্ পিনবগী, লাইরবগী চাং হন্থহন্নবগী পাইখৎখিবা প্রোজেক্ট কয়াদা পঞ্চায়ত মপুঙফানা য়াওহন্খিদে। খুঙ্গংগী থবক্ ওইজরবসু খুঙ্গংগী মীহুৎ য়াওনা তৌখিদবনা থবক্কী মহৈ চপ্চানা ফংবা ঙম্খিদে,

অহোইনদুম্ য়াইতোং-খম্‌দোংবা খবগী ওইদুনা লাক্‌খি । সবকাবগী থৌদৌ অদুমক্লা মশানা শেম্‌জবা থৌবম্ অদুবু মাইথিহল্লি ।

মথক্কী অশোযবা ময়াম্ অসি ভাবত পুম্বগী ওইর্বা। । মসি মণিপুবগী মতাংদসু অদুম্ চুম্‌ই । মণিপুবগী ওইবা থোইদোক্‌পা বাফম খব' লৌখৎপা যাই ।

২/ *থোইদোক্ হেন্দোক্‌পা মণিপুরগী ফিভম্‌দা :-*

(ক) এক্ট মপু৬ফানা চৎনদবা— দি মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ এক্ট ১৯৭৫ শেম্‌দুনা চৎনবা হৌস্লে অদুগা মখাতাবা কল্‌সসু শেম্‌দুনা চৎনবে । অদুবু আইন্‌দা পীবিবা শক্তি চাইথোকপা অমসুং পোৎথোক্-লম্থোক শিন্নবগী বাফম্, থবক্ শিন্নবগী ব্রাফম্ অসি থবক্তা চপচানা' ওম্থোক্‌খিদবা অসি যাম্না চাউবা অহোর্বনি । চাং যাম্না পীবা পীদবা খবা মখে অদুগী মখাদা থবক্ তৌহম্বা ঙম্লবদি মশক্ থোক্লা মহে চাবম্‌গনি । আইনগী লাইবিক্তা যাওবে হাযদুনা থবক্ ওইনা তৌননবা হোৎনকই থিংই, চৎনবা যাদ্রি, শুকুম্ থোক্লুনা চৎনহম্বগী অপাম্বা ফোঙলুববসু লাইবিক্তা এক্টতা যাওবেনা হায়র্গনি —তপ্তাগী বাবিদা —" ইমৈ নত্তে, তৌবান- তৌবা নত্তে ইমৈনি"-হাযবদু ওইদুনা লাক্‌ই । পঞ্চায়তকী শক্তি, মতিক্ মঙম্ লাইবিক্তা য়াওদুনা লাক্‌খি, ফঙবাদ লৈখিদে— ফংফম্ থোকপদু সবকাবদা তোন্দুনা লাক্‌খি পীথোক্তনা—"লাইবিক্তা লৈবা মহে, মীঙোন্দা তোম্বা শেল্ ঐগী নত্তে" । ব্রাখল্ অসিনা পুক্লিং হম্থুহল্লকই পঞ্চাযতকী মীওইদা ।

এক্ট শোয়বে হাযনখি—"জগোই হৈত্রেগা লৈমাইদা তাইনৈ ।" ওল ইন্দিয়া পঞ্চাযত পবিষদকী জেনবেল্ সেক্রেটবি অমনা হার্যখি—"মণিপুবগী এক্ট অসি দেশ অসিগী খ্বাইদগী ফবা এক্টকী মনুংদা অমনি । " প্রধান্ মন্ত্রি ওইবম্বা বাজিভ গান্ধীনা মণিপুর্বগী এক্ট শিংথাখি । অইবা মশামক্ এক্ট অসিগী অবোইবা ফিভম্ তাহম্বদা চাওববা থৌদাং লৌখি । খংলক্‌ই মমৈথংদা — মচাক্তা, ব্রাখল্দা মণিপুবগী এক্ট চাং যাম্না তাদে । এক্ট শেম্বনা পান্দম্ নত্তে, এক্ট অদু চৎনহম্বনা পান্দম্নি, অদুগা লোযননা আইন্‌গী অব্রাৎপদু শাসন্‌গী পোলিসিনা মেন্‌খৎকদবনি ।

(খ) জিলা পবিষদ লিংখিদবা — দি মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৭৫ শেম্বদা জিলা পবিষদ হাযবা খ্বাইদগী ব্রাংবা মথাং অসি লৈবগী ফিভম্‌দা থাক্ অহুম্ নাইনবা পুন্না য়েংদুনা শেম্‌খিবনি, লাইবিক্তা ইব্রবনি । অদুবু জিলা পবিষদ অসি লিংখৎতবনা তাইশিন্ননবা, লম্‌জিংবিনবা, পাওতাক্ পীবিনবা, ঙাক্‌শেন্নবিনবা মকোক্ যাওদনা লাক্‌খি । এক্ট অদুদা গ্রাম পঞ্চাযত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতি য়াওবিবা অসি মতাং মতাংদা জিলা পবিষদকা মবী লৈননা শেম্‌খিবা মবম্না মফম্ মফম্‌দা য়াওবিবা জিলা পবিষদ হায়বা

ব্রাহৈশিং অদুগা লোয়ননা জিলা পরিষদকী পন্দুপ্ মখৈ অদু কক্থৎলগা মথাং অনিগী পঞ্চায়তী রাজ চৎনৈ হাযবা য়াবোই; নত্ত্রগা গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতি লিংখৎলবনি হাযদুনা মথাং অনিগী পঞ্চাযতী রাজ চৎনৈ হায়বসু য়াবোই । থাক্ অনিগী পঞ্চাযতী রাজ চৎনৈ হাযবা তাববদি থাক্ অহুম্গী অপুন্বা শক্তি, মচাক্লচিংবা পুম্নমক্ থাক্ অনিদা শুপ্চিন্দুনা পীবা, অদুগা এক্টকী লাইবিক্তা মদু তাননবা ইগদবনি । এক্ট অসিদা অহুম্মক্ অমগা অমগা শম্লনা মতাং মতাংগী ওইনা মবী থম্দুনা শেম্খিবনিনা জিলা পরিষদকী শরুক্ কক্থৎলগা চৎনহন্বদা পঞ্চায়তী রাজগী মথাই মমি শুদে । মবম্ অদুনা মণিপুরদা মথাং অনিগী পঞ্চাযতী রাজ চৎনখি হাযবদা অবান্বা ওইর্গনি ; গাড়ি অমগী মকোক্কী মাইগৈদা ইঞ্জিন্ যাওনা কক্থৎপ্লগা অতেনবা গাড়িনি হাযবগুম্বনি । অসুম্লা মচাং শাগৎপগী মতাংদা শোইখিবা অদুগা অচেৎপা ফিরেপ্ লৌখিদবনা, ভাকলৌ য়াওদবনা মণিপুরদা পঞ্চায়তী রাজ মওং (মরোং) চাখিদে, মরিতৎতুনা লাক্খি, জিলা পরিষদ লিংলম্লবদি ফিভম্ অসিদগী তোঙাল্লম্গদবনি ।

(গ) রাজ্যা শিন্না পঞ্চাযতী রাজ চৎনদবা - মণিপুর অসি পীকপ্লবা রাজ্যনি, অপুম্বগী বর্গ কিলোমিটর ২২, ৩২৭ না ব্লোক ৭১ কোম্বদা তম্পাক্কী লম বর্গ কিলোমিটর ২১৯৬ থক্তগী ব্লোক ৯ গী লমদা পঞ্চাযতী রাজ চৎনৈ । মসিদগী অমুক্ ম্যানিসপালিটি, টাউন কমিটি, নোটিফাইদ এরিয়া অমসু কেন্টোনমেন্ট এরিয়া খাইদোকখ্রিনি । চাংগী লম্দা জিলা এথরিটি অমসু ডিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী পাথাপ চৎনৈ । চাংগী খুন্ দা দি মণিপুর (ভিলেজ অথরিতিজ ইন্ হিল এরিযাজ) এক্ট ১৯৫৬ চৎনৈ, অদুগা পাংথোকই, অদুগা জিলাগী থাক্তনা দি মণিপুর (হিল এরিযাজ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল এক্ট ১৯৭১ গা মখাদা চাওখৎ পীবা পাইখৎনি । লোইশংশিং অসি অমগা অমগা থাযাৎ শম্নদুনা শম্না নাইনা, মখাদা ভাকচনা সরকারনা খ্বাইদগী হায়বদা মতিক চাদে । পীকপ্লবা রাজ্য আসদা চাংগী শাসন অমা তমগী শাসন অমা লৈদুনা, অমসু অমসু মপুঙ ফাদনা, চাং তাম্নবগী ব্রাযম্ লৈত্ত্রবা ফিভমদা পুন্না চাওখৎ মিন্নবা ঙম্লক্তে । পঞ্চাযতী রাজ অসিনা হেন্না গনতান্ত্রিক ওই, শাসন্গী মরোং ফজবা হেল্লি, শক্তি অমসুং দাযিত্ব হেল্লি । চাংগী মীশিং আসদা ভাব তাহন্দুনা অপাম্বা পোক্হল্লবাদ চাংদসু পঞ্চাযতী রাজ চৎনহন্বা ঙম্গনি । হেন্না মনিল্ নাইনা পাক্ চাওনা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ পাইখৎপগা লোযন-লোয়ননা খোংজেল্ থুগৎহন্বা ঙম্গনি । চাংদা পঞ্চাযতী রাজ শাসন্ লৈতবা অসিমক্ পঞ্চাযতী রাজগী পান্দম্বু মাইথিহন্নবগী মবম্ অমনি ।

(ঘ) চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্তা পঞ্চায়তশিং যাওহন্দবা— খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ পুন্নমক্ অসি পঞ্চায়তশিংগী খুৎথাংদা প্লানিং তৌহন্বা অদুগা থবক পাঙথোক্হন্বা হায়বসি পঞ্চায়তী রাজগী পান্দমান, যানলোন্নি । অদুবু সবকাবনা তৌদোক্লক্পা প্রোগ্রাম্ কয়া পঞ্চায়তশিংদা মপুঙফানা শিন্নদবতা নত্তনা মপুঙফানা যাওহন্দে, মসিমক্তা পঞ্চায়তশিংনা মশা মশান মানংতম্না থবক্ পাইখৎপা ঙম্খদে, সবকাবগী প্রোগ্রাম্দা য়াওবগী হক্ ফাওবা লৈহন্খিদে । ম্রোক্কী থবক্ কয়াসু পঞ্চায়তশিংদা মপুঙফানা শিন্দে । খুঙ্গং চাওখৎনবা, ল ইববগী চাং হন্থহন্নবা পাইখৎখিবা মাই.আব:ডি:পি , এন:আব: ই:পি:, আব.এল. ই জি: পি. নচিংবদসু পঞ্চায়তশিংদা এ.জান্স ওইহন্দনা দিষ্ট্রিক্ট রুবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট এজেন্সিদা পুম্শিন্ শিন্নথোক্খি । জিলা পারিষদ লৈবক্লবাদ মসদা শিন্নদুনা পঞ্চায়তশিংনা মপুঙফানা থাক্ খুদিংদা যাওবমগ দবানি । আইনগী মতুংইন্না ডিভেলপ্মেন্ট দিপার্টমেন্ট খুদিংগী থবক্, স্কীম্ অযাম্বা মী যাওনা পঞ্চায়তশিংদা শিন্নবগী রাফম্ য়াওই অদুবু পাঙথোকখদে । মবম্ অদুনা মীখল্দা কাবক্পা মীওইশিং হৌদুগা মখোয়গী অফিসতা শিন্নবা অফিসকা থবক তৌবা কাঙবু অযাম্বা থবক্ লৈতনা খুৎ হাংদুনা লৈবক্খি । মীখল্ তৌখি, পঞ্চায়ত লৈখি অদুবু মখোয়গী থবক্তি চপ্চানা লৈখিদে । প্রজাগী মফমদা পঞ্চায়তকী থাজবা মাংশিন্নকাখ অদুনা পঞ্চায়তশিং শিথবক্লবগী মবম ওইখি ।

(ঙ) পঞ্চায়তী রাজগা শাগোন্নবা সবকাবগী অফিসকী অশোয়ব— মণিপুরদা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ অসি ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনাব অমগী মখাদা লৈবন্নি । ই, ১৯৬৯ দা ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনাবগী থবক্ অসি এদিসনেল চীফ সেক্রেটবিদা, পীশিন্খ্রে অদুগা ম্রোক্কী থবক্ পুন্নমক দিপুটি কমিসনাবশিংদা এদিসনেল্ ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনাব ওইনা শিন্নখি । ইং ১৯৭৮ দা ডাইবেক্টোবেট ওফ রুবেল ডিভেলপ্মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী বাজ হাযবা অমা শেম্খ, অদুবু ডাইবেক্টোবেট অসিনা মমিংগ চাননা থবক্ তৌদে । মসিনা দিপুটি কমিসনাবশিংদা সি:দি:গী ফগু যেম্থোক্ই অদুগা থবক্ পাঙথোক্পগী বিপোর্ট খোর্মজিল্লগা সেক্রেটবি প্লানিং, সেক্রেটবি ডিভেলপ্মেন্ট অদুগা সেক্রেটবি ফাইনান্সতা থাগৎপগী থবক্ তৌই । চাওখৎ-থৌবম্ পাইখৎপগা লোয়ননা থবক্ পীবা অদুগা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা থবক্তা মপুঙ ওইবা থবক্ তৌবক্তে । দি:সি: না চেয়াবমেন্ ওইবা দিষ্ট্রিক্ট রুবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট এজেন্সিগী খুৎথাদা পাঙথোক্হল্লি ।

আইন্ অমসুং মথং-মনাও নাইবা থম্নবা হোৎনবা, বাজনীতিগী ওইবা থৌবম্ পাঙথোক্পা অদুগা বেভিন্যুগী থবক্ তৌবদা হেঞ্জিন্না চিন্দুনা লৈববা দি:সি: শিংদা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ পীশিন্বা অসি য়াম্না চাওবা অশোযবা অমনি । মহাক্না চাওখৎ

থৌবম্গী থবক্তা মাই ওন্শিন্বা ঙমদে, হিবম্ অসিদা থবক্ ফজনা তৌবা হায়বা অসি দি:সি: ওইবিবা মী অদুগী গুণ্ অদুদা লৈবে।

অচৌবা অশোযবা অমনা ডাইবেক্টোবেট ওফ রুবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট অমসুং পঞ্চায়তী বাজগী ডাইবেক্টব অসি সিনিযব এম:সি:এস: অফিসাব অমনা পুই অদুগা দিপুটি ডাইবেক্টব অসিসু জুনিয়ব এম:সি:এস: অফিসাব অমনা পুই। অসুম্না মতোন্গী ফম্ অনিমক্ কেদব পোষ্ট ওইহন্দুনা মতম্ মতমগী ওইনা মওং মওংগী মীশক্ থাজ্জিল্লক্পা অসি ডাইবেক্টোবেট অসি শোম্বনবগী মবম্ অমা ওই। নৌনা লাক্পা অফিসাব অমনা পঞ্চায়তী বাজগী ক,খ,গ, খংদনা লাকই, খঙনবা হোৎনবদা মতম্ চংখি, খবা খংলবা তুংদা অমুক্ শিন্দোক্রনি, অদুনা থবক্কী পোলিসিদা (থৌশিল্দা) লিশাং শিংপা ঙমদে, মতম মতম্গী ওইনা মী মী অদুগী অনিংবগী মতুংইন্না চথৈ, পুম্নৌ পুম্নৌ নৌই। তশেংবদি পঞ্চায়তী বাজবু মুন্না খঙবা দিপার্টমেন্টতা কুইনা লৈবক্কবা, তুংকোইনা লৈহৌগদবা মশাগী ওইবা মীশিংদা ফম্ কাননবগী লম্বী যাৎপগা লোযন লোযননা হৈনিংবা পোক্হন্দুনা লিশাং শিংপা থৌশিল্ থমগদবনি। মতোনগী ফম অনি অসি কেদব পোষ্ট ওইহল্লোইদবনি। অদুগা চাওখৎ থৌবমগী ওইনা তোঙান্বা ডিভেলপমেন্ট কমিসনাব অমা থম্লগা মাগী মখাদা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কা শম্মনা তাইশিন্নবা ঙমদুনা তেংবাংহন্দুনা থবক্ পাঙথোক্প ঙম্লবদি অফবা থৌশিল্ ওইগনি।

(চ) পঞ্চাযতী বাজগী ব্রাখল্ বাৎপা প্রজাগী মবক্তগী পঞ্চাযতী বাজবু খঙনা নত্তগা মীযাম্গী থবক্ পুক্চেল শেংনা তৌগে খন্না মীখল্দা মীবেপ ওইনা চোঙথোক্লক্পা মীগী মশিং অসি যাম্না বাৎলি। মবম্ অমগী নত্তগা অমগী অপান্বা অমগী নত্তগা অমগী মখাদা মীহুৎ ওইনা লাক্ই। অপান্না হৌনিংবা,খঙনিংবগী ব্রাখল্সু বাৎলি। সবকাবগী কর্ম্মচাবিশিং কেবানীদগীনা মতোন্ কমিস্নাব ফাওবদা লৈবিবা কাঙবুসু বিষয় অসি খঙদবনা অযাম্বনি, মমুৎ তানা খঙবা মীগী মশিং য়াম্না ব্রাৎলি। মবম্ অদুনা থবক্ তৌবা কান্দা মওং তাবা ঙমদে।

অমবোমদা অফিসিয়েল্ (অফিসকী থবক্ তৌবা) অদুগা নন-অফিসিয়েল্ (অফিসকী নত্তবা প্রজাগী মীহুৎ) কাংলুপ অনি অসি মথৌ খঙনদদুনা, থবক্তা লাম্থেংনবগুম থোক্ই; কাঙলুপ্ অনি অসিগী মবী যাম্না ফজদে। মসিনসু পঞ্চায়তী বাজ খুমাং চাওশিন্বদা অচৌবা পক্টিং অমা ওই। কাংলুপ্ অনিমক্তা মতিক্ চাবা ট্রেনিং নিংথিজনা অমদি তঙাই ফদবা ফিভম্ থমদুনা পীগদবনি। মসিগীদমক্ মণিপুবগী মনুং অমসুং মপাল্ অনিমক্তা শিন্বা য়াই।

৩। *পঞ্চায়তী রাজ লাক্পগী কান্নথিবা –*

অশোইবা কয়া লৈখিদুনসু পঞ্চায়তী বাজ লাক্পদগী মশক্ উবা ফঙদবা কান্নবা খবদি লাক্ন্ত্রে হায়বা য়াই -

অহান্বদা–(বাজনীতিগী ওইনা)–পঞ্চায়তী বাজনা দেশ অসিদা অদুগা মণিপুবমক্তদসু গনতন্ত্রগী শাম্বী লিংননবা মরু শুন্ফম্গী কাঙখুল্ তৌবা (হন্বা) ঙম্হন্ত্রে।

অনিশুবদা –(শাসন্গী ওইনা) সবকাব অমসুং প্রজা অনিগী মবক্তা লাপ্ন বম্বা কাখল্ অদু তেনশিল্হন্বা ঙম্ব্রে। হায়র্বাদ সবকাবগী অঙম্বশিংগা প্রজাগীগা মবী নক্শিলহন্বা ঙমব্রে।

অহুম্শুবদা– (সমাজগী ওইনা) লৈপাক্ অসিদা অনৌবা, হৈ শিংবা, মতম্গী ওইবা মশাখিংবা লম্জিংবা নহাবোল্ চোংথোক্হন্ত্রে।

মবিশুবদা –(পুক্লিংগী ওইনা) চাওখৎ-থৌবম্ পাযখৎনিংবগী ইহুল্ অমা প্রজাশিংদা পীবা ঙম্ব্রে। ●

(১১)
থবক্কী লম্‌দা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগা, সরকারগা, অমদি লম্নাই ওইবা লোইশঙশিংগা (সংস্থাশিংগা) লৈনবা মরী –

(১) সরকার অমসুং পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী মরী –

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী হ্যাবাদ মফম্ মফমগী ওইবা সবকাবগী খুজিংনি (ইউনিটনি)। মখোয় অসি গ্রাম সভা অমসুং বিধান্ সভা (ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি)গী মবক্তা শম্নবা লৈবা। অদুদগী হেন্দোক্লা মখোয় অসি সবকাবগা এজেন্টনি (থৌদালোইনি)। মখোয় অসি অচম্বা লোইশঙ নত্তে, অমং মতুংইন্না শেম্বা লোইশঙ ওাত্তনি।

মখোয়গী থবক্ মওংদ (ওব্লিগেটোবি) আইনগী ওইনা তৌদবা যাদবা (দিসক্রেসনবি) অনিংবা মতুংইন্না তৌবা যাবা অদুগা মতম্ মতম্গী ওইনা সবকাবনা এজেন্ট ওইহন্দুনা শিংবা থবক্ মওং অহুম্ অসিনি। শম্না হায়বদা মখোয়না বাজ্যগী এক্ট অদগা মদুগী মখাদা শেম্বা রুলসকী মতুংইন্না মদুগা সবকাবনা মতম্ মতমগী ওইনা শিন্নবা অতৈ অতৈ থবক পুম্নমক্ অদগা মখোয়না খুঙ্গংগী মাশিংগী ফগনি হায়না খল্বা থবক্ অদ মখোয়না হৌদোকচদুনা পাইখৎপা যাঃ। মখোয়দা কম্যনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগা থবক পৌশিন তৌনবা অদগা পাঙথোক্লবা শিন্নে। খুঙ্গংগী শেংথমগা, সমাজগী অমাদ নাৎকী থবক্ মং লৈননা খন্নাশিংগী থোইদোক হেন্দোক্লা শোখনা লৈহৌববা অশোনবা কাংলুপশিংগী পুন্সিগা থাক বাংখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি লোইশঙশিং অসং মথৌনি। খুঙ্গংগী মীয়াম্গী নুংঙাই যাইফ পুবক্কদবা থবব্ থৌবম পুম্নমক্ মখোয়ন খুৎথাংদা তৌগনি। মখোয়দা পাঙ্গল (শক্তি), মংম্ (অর্থবিত্ত) অদুগা শেল্, পোৎ-লন্ কয়া সবকাবনা ফংহনগনি, মদু শিজিন্নদুনা খুঙ্গংগী মী কাংলুপকী পুন্সি অসি তপ্না-তপ্না গনতন্ত্রগী মওং তাহন্দুনা (দিমোক্রেটাইজেসন্ তৌদুনা) অমদি মতম্গী ওইবা মওং তাহন্দুনা (মোদর্নাইজেসন্ তৌদুনা) অহোংবা অমা পুবক্লবা তৌগদবনি।

পঞ্চায়তী বাজ হায়বসি অনৌবা চাংযেংনি, মসিনা খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী হক্‌থেংননা চংবা অপাম্বা পুম্নমক্, মফম্ মফম্‌দা ফংজবা মী অমসুং পোৎ-লন্

পাম্বৈ ওইনা শিজিন্নদুনা, পীননবা হোৎনগদৌবিবনি। পান্দম্ অসি ফংননবা য়াম্না মপাঙ্গল্ কন্‌বা অদুম্মদি ওইবগা (ফ্লেকসিবল ওইবা) মুক্‌থোক মুক্‌শিন্ যাবা, কোম্‌থোক্‌পা যাবা সবকাবগী মওং অমা চংই। মতম্ চানা অদুগা মতিক চানা পৈশা ফংবগী তঙাই ফদবা লৈ। পাথাপ্ অসিদা খ্বাইদগী বাংনা অথিংবা পীবা (মিনিমম্ কন্ট্রোল্) অদুগা খ্বাইদগী কোম্না শক্তি শিজিন্নবা (মেক্সিমম্ অতোনোমি) চংই। খুঙ্গংগী মীশিংগী মীহুৎতা থবক্কী থৌশিল্ তৌনবা পোলম্ শিন্‌জনবা শিন্নখোক্কদবনি অদুগা খুল্‌গী মীওইশিংনা পঞ্চাযতী বাজগী শাসনদা শরুক য়াজনবা, যাওজনব মতিক চানবা তাঞ্জা অমাদ দোং পীগদবনি। পঞ্চাযতী বাজদদি অফিসকী মীওইগী থৌদাং অসি থবা ব্রাৎকনি, মখোযগীদি থবক্কী পোবম্, লৌশিং তাক্‌পা, লম্‌জিংবা, যেংশিন্‌বিবা অদুগা অব্রাৎবা থৌ শনলংবা অসিনি। সবকাবগী কর্ম্মচাবীশিংনা মখা তাবা থাক্তা লৈগদবনি। পঞ্চাযতী বাজগা লোইশঙশিংদদি খন্নৈনবগী অমদি থবক্ পাঙথোকপগী হাযনা মশা অনি লৈগদব অদু চৎনবা য়াদে। পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংগী মথাঙশিং অসি কাযাৎকী ওইনা গনতান্ত্রিক্ ওইবা নিযমদা শম্নে, হেন্না ব্রাংবা থাক্ত মথংগী থাক্তা লম্‌জিং পাঙ্‌থক্‌পীদুনা, তাইশিন্নদুনা চপ্‌যুংবা মবী থম্মী। অদুগা সবকাব অমসুং পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশংগী মবীদি শরুক য়ামিন্নবগী (পার্টনবসিপ্‌কী) মওংদা ব্রাৎনা নত্রগা হেন্নবু ওইববসু থাক্ মান্নবা মওংদা লৈনগদবনি।

২। পঞ্চাযতী রাজগী লোইশঙশিং অমসুং লন্নাই শেম্‌জবা লোইশঙশিংগী মরী –

পঞ্চাযতী বাজ অমদি প্রজানা থৌদাং যাবা হায়বা অনি অসি অমতনি। কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অদুগা অতে অতে খুঙ্গং চাওখৎনবা থবক্কী থৌবম্ পুম্নমক্ পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিং অসিনা খুঞ্জাশিংগী লোইশঙ ওইববতদা মহৈ লৈনা, অপন্‌বা লৈতনা পাঙথোক্‌পা ঙম্‌গদবনি। অফিসকী নত্তবা, মীখল্‌দা কাবক্‌পা মীহুৎশিংনা খুঙ্গংগী প্রজাশিংদা খাজনা থিননবা, পঞ্চায়তকী থবক্তা য়াওশিন্নবা, খুঙ্গংগী পোৎথোক্ হেন্‌গৎনবা প্ল্যান্ তৌবদা শরুক্ যাননবা থেম্‌দুনা হায়বা অদুগা পঞ্চায়তী বাজগী ব্রাখল্লোন্, চৎনলোন্ অসিনচিংবগী পাওজেল্ খুম্মীশিংদা শন্দোক্নুনা খুম্মী অমসুং পঞ্চায়তী বাজগী মবক্তা তাইনবা ওইগদবনি। মশানা তেংবাংজবা, মশাবু থাজজবা, কাংলুপ্‌কী ওইবা ব্রাখল্ অমসুং থবক্ অসিনচিংবগী মবম্দা প্রজাশিংদা তাক্নুনা প্রজানা থৌদাং য়াবা হায়বসি কবিনো, কবিগীনো, অমসুং কবম্ননো হাযবা খংহন্‌বা তাই।

পঞ্চায়তী বাজগী থবক্ পাঙথোক্পদা খুদোং চাননবা থবক্কী সব-কমিতি নত্তগা ষ্টেণ্ডিং কমিতি কয়া শেম্দুনা মদুদা হিবম্ খুদিংগী মতিক্ চাবা খুঙ্গংগী মীওই লৌশিন্দুনা মেম্বর ওইহল্লগা থবক্তা শরুক্ য়াহন্নবা অদুগা মীয়াম্বু শেন্নবা ঙম্মনবা তৌগদবনি। মসিগীদমক্ পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংনা (মশানা য়াবা মীশিংগী ওইবা লুপ্) ভোলন্টরি ওর্গেনাইজেসন্ অদুগা (লোইনগদবা লুপ্) এসোসিয়েট ওর্গেনাইজেসন্ খুদম্ ওইনা (মহিলা মণ্ডল্) নুপীগী লুপ্, নহাবোল্গী ক্লব অসিনচিংবা লিংখৎপতা নত্তনা হান্না লৈবম্বা অশোন্বশিংবু নৌহৌনা কন্খৎহন্দুনা শেম্গৎপা তঙাই ফদবনি। পঞ্চায়তী বাজগী থাক্ খুদিংগী লোইশঙশিংনা য়ুংনা (ময়ুংদা) শম্নবগুম্ থাক্-থাক্কী লুপ্শিং অসিসু য়ুংনা শম্নবা তাবনি অদুগা পঞ্চায়তী বাজগী থাক্ অমগী লোইশঙ অমগা মদুগা মান্নবা থাক্কী লুপ্শিংগসু ফৈনা (মফৈদা) মরী লৈনবা তাই। মতৌ অসুম্না ফি শাবদা ময়ুং মফেল্গী লং তিংবগুম খ্বাইদগী ব্রাংবা থাক্কী পঞ্চাযত অমসুং লুপ্শিংগা মখোয-মখোযগী মখাগীশিংগা য়ুংনা য়ুংনা মরী শম্নগনি অদুগা থাক্ অমগী পঞ্চাযতকা মদুগা মান্নবা থাক্কী লুপ্শিংগসু ফৈনা মরী থম্দুনা শম্নদুনা ময়ুং মফেল্ নাইনা মরী থম্বা ঙম্লবদি মওং চাবা ফিবেপ্ তাবা ঙম্গনি। অসিগুম্বা ফিভম্দা অপন্বা লৈতনা অইংবা, তং-তাবা লৈহন্দুনা খুঙ্গংগী প্রজাশিংগী পুক্নিংগী থাক্ ব্রাংখৎহন্বগী থবক্ তৌবা লায়গনি। পঞ্চাযতশিংনা তোঙান্-তোঙান্বা লন্নাইগী ওইবা লুপ্ নত্তগা লোইশঙশিংগা শম্নবনা পঞ্চাযতী বাজনা পান্দম্লিবা চিঙ্খাক্কী, লৌউশিংউবগী অমসুং খুৎশুবগী থবক্কী পোৎথোক্ অথুবা মতম্দা হেন্গৎহন্দুনা শেল্থুম্ চাওখৎহন্বতা নত্তনা সমাজদা অচুম্বা তৌবদা খুদোং চাগনি — মীওইবগী শক্তি ফাজিন্দুনা থবক্ পীবদা লাযনা থোক্কনি-অদুগা হিংবগী থাক্ ব্রাংখৎ হন্গনি। ফিভম্ অসি তাববদি, জাতিগী ওইনা শান্তি, অইংবা, চাওখৎপা অদুগা অমতা ওইবা পুবক্কনি। লন্নাই লুপ্ অমসুং লোইশঙশিংগা শম্নবনা পঞ্চায়তী বাজগী পান্দম্ ফংবদা নিংথিজবা তেংবাং ফংগনি অদুগা খুঙ্গং চাওখৎহনবগী থৌশিল্ অমসুং থবক্ মওং তানা পাঙথোক্পদা ফজবা মহৈ ফংগনি। পঞ্চাযতী বাজগী সংস্থাশিংনা অসিগুম্বা লুপ্শিংবু য়োক্খৎকনি অদুগা লুপ্শিংনসু পঞ্চায়তশিংদা পীবা যাবা তেংবাং পীদুনা যোক্খৎনগদবনি।

৩। সরকারগা প্রজাগগী মরী —

গনতন্ত্রগী ওইবা থৌশিলদা খুঙ্গংগী লুচিংবশিংগী তেংবাং অমদি শরুক যাবা আসগী তঙাইফদবা লৈ। চাওখৎপা হৌননবগী শার্ফাদ প্রজা মশাদগী লাক্কদবনি, অদুগা পাক চাউববা লৈবাক আসগী মাচ মাচদা শজিন্নদনা তাদুনা লৌববা থবক তৌবা ওস্তুম

পাঙ্গল্ (ইনর্জি) পুথোক্ফম্ ওইরিবশিং অসি শেম্নবা শাগৎপগী থবক্তা লৌশিন্দুনা শিজিন্নগদবনি । সমাজ, শেল্-থুম্নচিংবগী ফিভম্ ওলহনবা হোংহনবা হায়বসি প্রজাশিংগী মখুত্তা লৈবে । সরকারগী হোৎনবা অদুগা প্রজাগী তেংবাং পীশিন্‌বগা পুন্‌শিল্লগদি কাংলুপ্ কাংলুপ্কী শেলথুম্, সমাজ, ইনাৎ অসিনচংবগী ফিভম্দা চাওখৎহন্বা ঙম্গনি ।

প্রজাবু শেম্বা হায়বসি সরকাবগী শক্তি, অদুবু অসুপ্ পাক্-চাওবা থবক্ অসিবু সরকাবদতা ইত্থোক্পা চুম্দে । সরকারগী মেছিনরি অসিগী মথক্তা সরকাবগী নত্তবা সংস্থা কয়ানা মৈথৌ কল্হন্নবা মচাক্ ওইনা তেংবাং পীবা চুম্মী । মসি খংনবত্তুনা অসিগুম্বা সংস্থা কয়াগী খুৎথাংদা সবকাবনা শেল্ অদুগ অতে লম্জিং অমসুং তেংবাং পীদুনা থবক্ শিন্নবা হৌরক্লি ।

প্রজানা থৌদাং য়াবা হায়বসি খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্গী মরু ওইবা শোৎজেগুম্বা য়াহৈনি । মসিদা পুন্না নিংমিন্নদুনা অপুন্‌বগী অনিংবা পুরক্নবা নিংনগদবনি । খুঙ্গং চাওখৎ-থৌরম্গী অহান্‌বদা সরকারবু তেংবাংনবা প্রজাগী মীহুৎ ওইনা এদভাইজরি কমিতি হায়না লৈরম্বদগী ডিভেলপ্মেন্ট কমিতিনা মহুৎ শিনখ্রে । কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্দা প্রজাগী শরুক্ য়াবা ফংননবগীদমক্ থবক্ অমতং লৌখৎপদা প্রজাগী মাইকৈদগী শেল্ ওইনা, পোৎ ওইনা নত্ত্রগা পাঙ্গল্ ওইনা চাদা শরুক্ খরদি খায়গৎকদবনি হায়বা ফিভম্ অমা থম্খি । মদুদা প্রজাশিংদগী লাক্পা মওং অদু পুক্রিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবসু সিঃডিঃ প্রোগ্রামগী থবক্ পুম্নমক্ প্রজাগী ওইবা লোইশঙদা শিন্নদ্রবদি প্রজাগী প্রোগ্রাম্ (থৌবম্) ওইবা ঙম্লোই হায়বসি খঙনরক্খি । মবম্ অদুদগী খুঙ্গংগী চাওখৎ থৌরম্গী থৌশিল্ তৌবা, থবক্ পাঙথোক্পা অদুগা থবক্কী চাং লেপ্পনচিংবা পুম্নমক্কী দায়িত্ব অদু পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী শক্তি য়াওনা শিন্নখিবনি । পঞ্চায়তশিং অসিনা ভাব তাবা মীওই, লন্নাই লুপ্শিংগসু শম্নরকখি, মখোয়শিং অসিনসু কয়া অমা কান্নহন্খি । প্রজা মশানা মশাবু তেংবাংজবা হায়বসি পুম্নমক্কী চাওখৎপা পুরক্নবগী মচাক অমনি । মসিনা খুঙ্গংগী ইমুং খুদিংদা, থোইদোক্ হেক্তাক্লা অশোন্‌বা কাংলুপকী ইমুংদা কান্নবা পীগনি । প্রজাগী থৌরম্দা শরুক য়াশিন্দুনা সমাজগী মীপুম্ খুদিংনা মানা মানা হোৎনজবগী মহৈ নত্ত্রগা কান্নবা অদু ফংগনি । অসুম্না নুংঙাই য়াইফবা ষ্টেট অমা ওইবা ফংগদৌরিবনি ।

৪। প্রজাগা মরী যম্ভে হায়দুনা সরকারনা শক্তি পীথোক্পা থীজরগদ্রা ?

ভারত হায়বসি গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক্নি, অদুগা লোয়ন-লোয়ননা পৃথিবী অসিদা চাওখৎলক্নিবা লৈপাক্নি। প্রজাশিংগী পুন্সিগী হিরম্ খুদিংমক্তা অওন্বা, অহোংবা পুরক্লবগী তঙাইফদবা চাওনা লৈরি ; হান্নগী অরিবা চৎনবীনচিংবা পুম্নমক্ ওম্থোক্তুনা অনৌবা মওং অমদা লাক্হল্লগদবনি । ঐখোয়না প্রজাশিংগী ৱাখল্ হোংদোক্হন্দুনা ভাবতানা অওন্বা অমা পুরক্লবা হোৎনবি । অরিবা চৎনরক্পা হিংবগী মওং, শাজৎ অসিনচিংবা পুম্নমক্ হৌজিক্তি চৎথ্রে- জাতি, থাক্ হন্থবা-হেন্গৎপনচিংবগী ৱাখল্ থাদোক্লরক্রে । হৌখিবা চহি খরা অসিদা সমাজগী অওনবা অসিগী খোংজেল্ য়াম্না কন্খৎথ্রে ।

লৈপাক্কী আইন্ শেম্লিবা অসি অওন্বা পাম্বা কাংবুননি, মখোয়না শক্তি পায়ববা কান্দা প্লান্ (থৌশিল) তৌই । হায়রিবা থৌশিল্ অসিদি অকক্লবা মতম্গী মনুংদা য়াম্না হেন্না ফংবা ওম্নবনি । মরম্ অদুনা থৌশিল্ লাংবদা রাজনীতি, সমাজ, শেল্-থুম্, থাক্ খুদিংদা লৈবিবা মীওইগী ফিভম্, অসিনচিংবা অসি কুপ্না নৈনহৌগদবনি । মরম্দি থৌশিল্ অদুগা মীয়ামগী ৱাখল্ খন্বগী, লৌশিংগী, খংবগী থাক্ অদুগা চানদ্রবদি প্লানিং নত্ত্রগা থৌশিল্ অদু চৎনবা য়ারোই । শাসন্ তৌবিবা মীওইশিংনা খঙবা, ভাব তাবা অদুগা শাসন্গী মনুংগী ফিভম্দা মনুং হঞ্জিন্না যেংবগী তঙাই ফদবসু লৈ, মদুনা থৌশিল্-থৌরাং তৌবদা ফিভম্ ফহন্বা ঙম্গনি ।

প্রজাশিংগী অর্মদি মখোয়গী মীহুৎকী মাইকৈদা অশোন্বা য়াম্না চাওনা লৈ ; অদুম্ ওইনমক্ থবক্তা মখোয় য়াওবা হায়বসিদি তঙাই ফদর্বাদি ওই । মীওই খবনা পঞ্চাযতী রাজগী মাইয়োক্তা লেপ্ই অদুগা হায়:-

(ক) পঞ্চায়তী রাজ লৈবনা শেল্ য়াম্না চংহল্লি ;

(খ) পঞ্চায়তী রাজদা লৈরিবা মীওইশিং অসি লাইবিক্ নিংথিনা হৈতে ;

(গ) পঞ্চায়তী রাজদা মচেৎ তাবা, খাইবুং খাইবুং তানবা লৈ ;

মথক্কী ৱাফম্শিং অসি মতম্ চুপ্পদা চুম্দুনা লৈবা য়ারোই, অসুম্না হুন্বদা পীবিবা দোষ অসিগী দায়িত্বদি পঞ্চায়তনা ওইরোই । জাতিগী থাক্কী পার্লিয়ামেন্ট অদুগা রাজ্যগী থাক্কী লেজিসলেচরসু অদু মঙাই, মখোয় অসিগীসু দায়িত্ব কল্থোক্নিংঙাই ওইদে । পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিং অমসুং মখোয়গী থবক্ পুরিবশিংদা খুদোং পীদবা য়াদে,

খুদোং পীবগা থবক্তা লান্‌বগী (শোইবগী) ফিভম্ খংলগা, প'ওতাক্, লমজিং, তেংবাং পিদুনা ট্রেনিং পীবগী মওংদা তম্বিবগা থবক্ তৌবা হৈহনগদবনি, ঙমহন্‌গদবনি। গনতন্ত্রগী মওং লাক্লবগী, অওন্‌বা অমা পুবক্‌পগী শরুক্তা লোইশঙশিং অসিগী দাযিত্ব লৈ।

ষ্টদি টিম, ইভেলুযেসন্ কমিতি কযাগী মতুংইন্না শক্তি শিন্নবদা পাল্লবা, খুদোং পীদবগী মবম্‌দা অসুম্না পাল্লি :-

(ক) রাজনীতিগী ওইনা পঞ্চাযতী রাজবু য়োকখৎনিংবগী অনিংবা ব্রাৎপা ;

(খ) পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংবু থবক্ তৌহন্বদা মনুংগী ওইবা থৌবাং শোয়বা ;

(গ) পঞ্চায়তী রাজবু শাগৎপগী রাখল্‌গী মবম্‌দা শাব : ব বাৎপা ,

মবম্ কয়ামুক্ অসিনা পাথাপ্ অসিগী মশা পুন্নদা শোন্থহল্লি। প্রজাশিংগী মবক্তগী থৌশাদবা, পংবা, খংজদবা অমদি মশাগী ওইজবা থিবা পুম্নমক্ অসিনা মবম্ ওইহল্লগা শক্তি, মঙম্ শিন্নবা অসি থিন্থহন্বদি চুম্দে। তশেংবমদি, সবকার পার্থবৰা অঙগম্বশিং অদুগা অফিস পাযবশিং, অমবোম্‌দা প্রজাগী মীহুৎ নন্-অফিসিযেল্-নাকল্ অনিমক্কী অশোযবা লৈ। মখোয়গী মথৌদি খুন্নীশিংগী রাখল্লোন্ অসি গনতন্ত্রগী লম্বীদা পুশিল্লক্‌পদা শাফু পীবনি ; মসি থোক্‌হন্‌গদবনি। ●

(১২)

পঞ্চায়তশিংগী মথৌ অমসুং থবক্ (থৌগাইশিং)

পঞ্চায়ত তা মথৌ অমসুং থবক্ যেম্থোক্পা অসি মখোযন্ লিংখৎপা অদুগা নৌনা শেম শাগদৌরবা বাখল্গা তঙাই ফদনা মরী লৈনবা তাবনি পঞ্চায়ত হায়বসিদি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী খুজিংনি। মবম্ অদুনা কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ মমদি অতৈ অতৈ চাওখৎ থৌবম্গী প্রোগ্রাম্ পাঙথোক্পা ঙাক্তনা মখোযগী থবক্ ওইনা যাদে, অতৈ অতৈ তোঙান্বা খুঙ্গংগী মাওইগী পুন্সিগা মরি লৈনবা থৌগাইশিং যাবমখৈ পাযখৎপা তাই। নিংথিনা শেম্ শাববা অদুগা মপুং ফানা শক্তি শিন্নববা পঞ্চায়ত ওইবা তাবর্দি মী কাঙলুপ্কী পুন্সিগী থবকপু চাওখৎপা পাবিংদা লেংথোং নাবা তাবনি।

পঞ্চায়তশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী হায়বদি মশানা ঙাকচবা মফম্গী সবকাবগী খুজিং ওইবনিনা মখোযগী ওইনা মফম্ মফম্গী থবক্ অসি, অসিমখৈ ওইগনি, মযাম্না যানগনি হায়না থবক্ মখল্ খাইবা অমদি লেপ্পসি লুনা থোকই— মসিদি 'চাং যেংবা অমসুং শোইবা' হায়বসিগী ব্রাখল্দা যেংদুনা লেপ্পনা চুমই। অদুমক্পু বলবন্ত বেই মেহতা কমিতিনা পুথোক্লম্বা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী মথৌ অদুগা ইং ১৯৫৮ গী ওক্টোবরদা ফম্খিবা সেন্ট্রেল্ কাউন্সিল্ ওফ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী মরিশুবা মীটিংনা য়াবা মতুংইন্না শেম্খিবা ইং ১৯৫৯ গী ৱার্কিং গ্রুপ্না খন্ন নৈনবদা তাখিবা ৱাবেপ্কী মতুংইন্না পঞ্চায়তশিংনা তৌগদবা থবক্ খবা লম্জিং ওইনবা লৌখৎপা য়াই।

১। বলবন্ত বেই (বলবন্তবে) মেহতা কমিতিনা পুখৎখিবা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী মথৌ -

(ক) জিলা পঞ্চায়তগী থবক্—

(১) পঞ্চায়ত সমিতিগী বজেট্ অদু য়েংবা অদুগা অয়াবা পীবা;

(২) জিলা অদুগীদমক্ পুন্না পীবক্লিবা শেল্ফম্ (ফণ্ড) অদু পঞ্চায়ত সমিতিশিংদা য়েন্থোকপা;

(৩) পঞ্চায়ত সমিতিগী চহি মঙাগী নত্তুগা চহিগী ওইবা প্লান্ (থৌশিল্) শিং চানহন্বা অদুগা পুন্শিন্বা;

(৪) সমিতিশিংনা থোইদোক্ হেন্দোক্পা মবম্গীদমক্ গ্রান্তকী দিমান্দতৌবক্পা অদু পুন্শিন্বা অদুগা মদু সবকাবদা থাগৎপা ;

(৫) পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী থবক্ য়েংশিন্বা ;

(৬) পঞ্চাযত সমিতিগী (ষ্টাফ্) থবক্ তৌবা মীশিংবু থোইদোক্পা মখল্গী মবী লৈনবদা ব্রাবক্পগী থবক্ পাঙথোক্পা ;

মথক্কী থবক্শিংগী মতুংইন্না জিলা পবিষদনা থবক্ পাঙথোক্পগী ব্রাফম্ য়াওদে, পঞ্চায়ত সমিতিশিংবু তাইশিন্ননবা, পাওতাক পীননবা অদুগা সবকাবদা লাংদাই ওইননবা লৈ ।

(খ) পঞ্চায়ত সমিতিগী মক ওইবা থবক্–

পঞ্চায়ত সমিতিগী ওইনা মক ওইবা থবক্শিংগী মনুংদা লৌউ-শিংউবগী থবক্ চাওখৎহন্বা, শা-শল্গী ফিভম্ ফগৎহন্বা, মফম্ মফম্গী ওইব' খুৎশুগী থবব্ চাওখৎহন্বা, থক্লবা, ঈশিং পীবা, মীয়াম্গী হকশেল্ অমসু ল্ হেন্বা, অনা অযেক্কী থবক্, প্রকৃতিগী থৌদোক্লা অন্নাবা তাববা মীদা অন্নাবা কোক্হন্বা, লাইফম্ চৎপা অদুগা হবাও উসব তৌবা, চৎথোক্ চৎশিন্গী, লম্বী থোংগী থবক, স্কুল্শিংগী (কবিগুন্বা কান্দা হাযস্কুল্ যাওনা)অশিল্-অবাং তৌবা, নুপী অঙাংশিংগী অমসুং শোখহৌববা কাংলুপ্কী অফ-নুংঙাই থৌবাং তৌবা, মিনিমম্ ব্রেজেজ এক্টকী মখাদা খুৎশুমন্ লেপ্পা, মশিং-মচাক্ (ষ্টেটিসটিক্স) খোম্জিন্বা অদুগা বেকোর্দ থম্বা, গ্রাম পঞ্চায়তশিংগী বজেটকী অয়াবা পীবা, অপিক্পা উমং শেম্গৎপা, ঙাক্-শেন্বা অমদি শঙবা, যেংবগী থবক্, এক্সাইজগী থবক্, অমসুং এজেন্ট ওইনা বাজ্য সবকাবগী থবক্শিং পাঙথোক্পা অদুগা পঞ্চায়ত সমিতিশিংনা গ্রাম্ পঞ্চাযতশিংবু এজেন্ট ওইহন্লগা চাওখৎ-থৌবম্ নত্তগা অতৈ থবক্ কয়া পাঙথোক্লবা শিন্নবা য়াই

(গ) গ্রাম পঞ্চাযতকী থবক্ –

(১) ইমুং মনুংনা শিজিন্ননবা ঈশিং পীবা,

(২) হক্শেল্ (সেনিটেসন্) ;

(৩) পঞ্চায়তকী লম্বী- শোবোক্ অদুগা অতৈ অতৈ শেন্বা ;

(৪) য়ু-কৈ শাবগী ফিভম্ ফগৎহন্বা ,

(৫) হকচাংগী মবম্দা (শিক্ষা) মহৈ পীবা ;

(৬) লম-তু শেন্নবা, (কেটল্ পাউণ্ড শেন্বা) শা-শল্ ফাজিন্নবা লম্ কন্বা ;

(৭) প্রাইমাবি স্কুলশিং যেংশিন্বা ;

(৮) নুপী, অঙাং অমসুং শোখবা কাংবুগী থৌবম্ অশিল্-অবাং তৌবা;

(৯) ষ্টেটিসটিক্স (অঙ্ক মশিংগী থবক্কী ওইবা) খোম্জিন্বা অদুগা বেকের্দ থম্বা ;

(১০) চাওখৎ-থৌরম্গী থৌরাংদা পঞ্চায়ত সমিতিগী এজেন্ট ওইনা থবক্ তৌবা ;

(১১) মখোয় মশাগী ওইবা খাজনা অদুগা অতৈ অতৈ অঙম্বা-মথক্ থোংবশিংনা শিন্নরক্পা খাজনা খোম্জিন্বা অদুগা অতৈ অতৈ অতোপ্পা পঞ্চায়ত সমিতি না যাব', শিন্নবা থবক্শিং পাঙথোক্পা; অসিনচিংবা অসিনি ।

---

(২) ৱার্কিং গ্রুপ (১৯৫৯) না পীবা রিপোর্টতা য়ুম্ফম্ ওইবগা অদুগা বাজ্যশিংগী আইন্ য়েংলগা গ্রাম পঞ্চায়তকী থবক্কী মতাংদা অসুম্বা নমুনা পীনৈ ।

(ক) এদমিনিস্ট্রেটিভ্ ফঙ্কসন্ (শাসন্গী থবক্)

(১) লৌ-ইশ্লোল্গী খাজনা খোম্গৎপা,
(২) খুল্গী রেকোর্ড অদুগা রেভিন্যুগী রেকোর্ড ঙাক্না থম্বা ;
(মহারাষ্ট্র বাজ্যদদি মসিগী থবক্ অসি শিন্নে);
(৩) পোৎ-লন্ তান্শিন্ননবগীদমক্ খাজনা অমসুং ফিজ পীননবা তক্শিন্বা ;
(৪) লন্নাই এজেন্সি কয়াগী হোৎনবা অদু পুন্শিন্ননবা তৌবা অদুগা (ভোলন্টরি ওর্গেনাইজেসন্) লন্নাই লুপ্শিং (য়ুথ ক্লব) নহারোল্গী ক্লব অমদি মহিলা মণ্ডল্নচিংবা শেম্গৎপা ;
(৫) পঞ্চায়ত তা শিন্নবা মীয়াম্গী লন্শিং (পব্লিক্ প্রোপর্টিজ) শিন্দোক্ শিঞ্জিন্ তৌবা অদুগা মদু ঙাক্না থম্বা ;
(৬) মেলা, ফেস্টিভেল্ (উৎসব্) অদুগা মীয়াম্গী (সিরেমোনি) নাৎকী থৌনচিংবা চাং নাইনা শিম্বা (রেগুলেসন্ তৌবা) ;
(৭) খুঙ্গংগী প্লান্ (থৌশিল্) শেম্বা অদুগা সর্ভে তৌবা ;
(৮) য়ুমকোক্ থিদুনা মশিং থাবা ;
(৯) লম্ খোপ্চিম্বা লৌথোক্পা, মীয়াম্দা য়ৈখাই-থিন্গাইবা থোক্হন্বা (নুইসেন্স) থিংবা ;
(১০) লম্বী শেম্-শাবা, খুল্দা য়ুম্ (শঙলেন্) নিয়ম্ ঙাক্না শাহন্বা অদুগা শেম্ শারবা মওংদা মফম্দু চাওখৎহন্বা (প্লান্ ডিভেলপ্মেন্ট তৌবা);

(১১) খুঙ্গংগী পঞ্চায়তকী পোৎথোক্-চাথোক্, লম্থোক্ হেন্‌গৎনবা থবক্ পায়খৎপা অদুগা খুল্‌গী নুংঙাইবা পুরক্‌পা ;

(১২) খুল্ ঙাক্লনবা ভিলেজ ভোলন্‌টিয়ার ফোর্স শেম্বা ;

(খ) মীয়াম্‌গী হকচাং অমসুং হক্‌শেল্‌গী (স্ফেরদা) থবক্কী চগোদা পঞ্চায়তনা য়েংশিন্‌গদবা –

(১) ইমুং মনুংগী শিজিন্নবা অদুগা শা-শল্‌গীদমক্ ঈশিং পীবা ;

(২) মীয়াম্‌গী লম্বী, নালা, পুখ্রি, গুহানচিংবা শেম্বা অমসুং শেংদোক্‌পা ;

(৩) হক্‌শেল্‌গী মহৌশাগী ফিভম্ ঙাক্‌পা, য়ৈখাউ থিন্‌গাইবা থিংবা ;

(৪) মীয়াম্‌গী হক্‌চাং ফবা ঙাক্‌পা অমসুং ফিভম্ ফগৎহন্বা ;

(৫) চা, কোফির্নাচিংবগী দুকান্‌শিংদা লাইসেন্স পীবা অদুগা নিয়ম্ ঙাক্লা চৎহন্বা ;

(৬) পোৎলোইফম্, মোংফম্ থম্লবা অদুগা মদু ঙাক্ শেম্বা, নিয়ম্ থম্বা ;

(৭) শান্নবুং অমদি মীয়াম্‌গী লৈকোল্-ইখোল্ য়াৎতুনা শেম্বা অদুগা ঙাক্ শেম্বা;

(৮) শাগী অশিবা মশা নিয়ম্ চুম্না লোইশিন্-খোম্‌জিন্বা অদুগা মদুগীদমক্ অকক্লবা মফম্ থম্বা ;

(৯) মীয়াম্‌গী ওইবা অমাংশঙ শেম্-শাবা অদুগা মদু ঙাক্-শেন্‌বা ;

(১০) লৌনগম্বা লাইনা থোক্লক্‌পা, শন্দোক্‌লক্‌পা অমদি মতুং তাদনবা থবক্ লৌখৎপা ;

(১১) হক্‌চাং ফরোইদবা মফম্ লৌশিন্দুনা থবক্কীদমক্ নিন্‌বা ;

(১২) ফত্ত-হৌদি মপৈ, নারক্-মোংশোং লৌথোক্‌পা –শিজিন্নদবা গুহা-হক্‌চাংদা ফৎলোইদবা পুখ্রি, কোম্,কোম্‌কুৎ, ঈশিং তুংবা মফম্ চিংবা যুন্‌জিন্বা অদুগা অতৈ অতৈ হক্‌চাংগী য়েংদুনা শেম্‌গৎপা ;

(১৩) মমা ওইবীশিংগী অমসুং অঙাংগী য়াইফনবা হোৎনবা ;

(১৪) অনা-অয়েক্কী অৱাবা কোক্‌হন্নবা হোৎনবা ;

(১৫) মী অমসুং শা-শল্‌গী টিকা থানবা পুক্লিং ঘৌগৎপা ;

(১৬) ফত্ত-তৌদিগী হাবগী কোম্ তৌবা অমদি ঙাক্ শেন্‌বা ;

(১৭) মপুদগী হাইদোক্লক্‌লবা হুই অমদি ওক্নচিংবগী মাইয়োক্তা খোংথাং লৌখৎপা ;

(১৮) আইন্‌গী ব্রাংমদা লৈবা, নত্ত্রগা খুদোংথিবা কাববাব নত্ত্রগা হৈনবী থিংনবা অদুগা নিয়ম্‌দা ঙাক্লবা তৌবা ;

(গ) (পব্লিক্ ব্রার্কসকী)— শেম্‌গৎ শাগৎপা থবক্‌কী (স্ফেম্বদা) থবক্‌কী চগোনুংদা চম্বা পঞ্চায়তনা যেংশিন্‌বা যাবা —

(১) লম্নাইগী লন্ ওইদবা অদুগা মীযাম্‌গী লন্বীদা চোম্‌থোক্‌নুনা অথিংবা পীবদু লৌথোক্‌পা ;

(২) মীয়াম্‌গী শোবোক্, পল্, থোংনাচংবা শাবা, শের্মাজম্বা অদুগা ঙাক্লুনা থম্বা ;

(৩) পঞ্চাযতনা শিন্নবা শঙলেন্, শা শল্‌গী শজিক্ চাফম্, উমংগী লম্, পুখ্রি, গুহা নিযম্ ঙাক্লা থম্বা, শেম্বা ,

(৪) খুঙ্গংদা মৈ থান্‌বা ;

(৫) গাডি থাফম্, মেলা তৌফম্নচিংবা ঙাক শেম্বা ,

(৬) শা হাৎফম্ শাবা অদুগা ঙাক্লা থম্বা ;

(৭) মীয়াম্‌গী ওইবা মফম্‌শিংদা উ-পাম্বী থাবা অদুগা মদু ঙাক্ শেম্বা,

(৮) ধর্ম্ম শালা শাবা অমদি ঙাক্-শেম্বা ;

(৯) ইকফম্, (ঘাট) হিদেন্ অমসুং ফি শুফম্ হিদেন্‌গী অশিল্-অবাং অমসুং ঙাক্-শেম্বা (অতৈনা তৌদবশিং);

(১০) কৈথেল্ মফম্ শেম্‌গৎপা , ঙাক্-শেম্বা ;

(১১) থবক্ তৌবা মীশিংগী অমদি অতৈ কোন্‌জার্বেন্সিগী যুম্ শাবা অমদি ঙাক্-শেন্দুনা শিম্বা ;

(১২) কেম্প তৌফম্ লম্‌পাক্লচিংবা থম্নবা অদুগা ঙাক্লবা তৌবা ;

(১৩) শা-শল্ (চাইথোক্‌পা) ফাজিন্নবা মফম্ লিংখৎপা, শিল্-লাংবা অমসুং ঙাক্-শেম্বা ;

(১৪) শিল্ (মথৌ) পীননবা থোইদোক্ হেন্দোক্লা অতাংবা (অব্রাৎপা) লৈবা মতম্‌দা থবক্ শেম্নবা শিম্বা ;

(১৫) য়ুম্-কৈ শাননবা থৌবাংগীদমক্ মফম্ (লম্) কন্ননবা অদুগা মদু পাক্‌থোক্-চাওথোক্লক্‌পা য়াননবা নিয়ম্ তৌবা ;

(১৬) (গোদাম্) পোৎ থম্নবগী, দুকান্ তৌনবগী, পোৎ পৈশিন্নবগী অচৌবা শঙলেন্ শাবা অদুগা মদু শেম্নবা ;

(১৭) মীয়াম্‌গী পুন্না শিজিন্ননবা অদুগা চাওখৎ-থৌবম্‌গী থবক্কীদমক্

শঙলেন্ শাবা অদুগা শেন্নবা ;

(ঘ) মহৈ তম্বগী অদুগা (কল্চবগী) নাৎকী স্কেফবদা থবক্কী চগোদা পঞ্চায়তনা থব্বাই য়াওশিন্বা য়াবা –

(১) মহৈ তম্বা শন্দোক্পা ,

(২) নহাবোল্ অমসুং নুপীশিংগী অফ-নুংঙাইগীদমক্ পার্ক, ক্লব অদুগা অতৈ অৱা পোথাফম্ ওইননবা মফম্ লিংখৎপা ,

(৩) আর্ট অমসুং (কল্চব) নাৎকী থবক্ চাওখৎনবগীদমক্ থিয়েটব লিংখৎপ। অমসুং ঙাক্ শেন্না ,

(৪) লাইব্রেবি অমসুং লাইবিক্ পাফম্ থম্বা অমসু৲ ঙাকপা ,

(৫) খুঙ্গংগী (সমাজ) খুনাই, পুক্লিংগী নুংগী ৱাখল্লোন্ ফগৎহম্বা, শোক্ল শম্ব যাদবা খিংনবা লৌথোক্লনা বাফম্ শন্দোক্ পা, শোখনা কাংবুগী খিভম ফগৎহম্বা, অমোং অকাই কযাগী মবংদা তাম্নবা, জ্বাব শংয়না অদুগা খুনাইনা মাইযোক্লা তৌব থবক্ কযা তৌদনবা থৌগৎপা

(৬) প্রাইমাব (শিক্ষা) মহৈ তম্বনু তৌদবা যাদবা ওইনবা তেংবাংব,

(৭) স্কুল শঙ অমসুং চংগদব (খুং শু খুৎলাই) পোৎচ৲ পীনবা তৌব ,

(৮) পি প্রাইমাব অদুগা অঙা গা যাইম যৌবম্‌গা থবক পাযব

(৯) স্কুলগা শঙ শেম্জিন্ শাজম্ব অদুগা ঙাব্‌প ,

(১০) স্কুলগা ফগু শেমগৎপা ,

(১১) অবাৎপা লৈবা (ছাত্র) মহৈলোই শংদা শেলগা তেংবা৲ পী বা ,

(১২) স্কুলগী থৌদোক্ (যোর্স ৩ () হবাং যৌবম প থোক্প

(১৩) মহৈ তম্বা ফগৎনবা (কল্চবল প্রোগ্রাম) নংগা থৌকম্ শিন্ন

(১৪) ঙন্নবাদ স্কুলগী অঙাংশ৲দা পাজ পাথক তৌগ ,

(১৫) আপকপা শেল্ তুংশিন্নবা শন্দা কপা অমদি পুক্ল৲ থৌগৎপা ,

(ঙ) খুঙ্গং ঙাক্ শেম্বগী স্কেফবদা থবক্কী চগোদা পঞ্চাযতনা যেংশিন্বা যাবা

(১) খুঙ্গং ঙাক শেন্বগী থবক্কী ভোলনটিযাব ফোর্স শেম্গৎপা ,

(২) খুঙ্গং ঙাক্লবা অদুগা মশা মশা ঙাক্থোক্লবা নহাবোল্ অমসুং মীশিংদা ট্রেনিং পীবা, তাক্পি তম্বিবা ,

(৩) মৈহৌ লাংপোক্ থিংবা, মৈ মুখৎনবা তেংবাং পীবা, মদুদা থোক্পা য়াবা পুক্তি অমদি লনথুম্ মাংবা যাবা কম্বা ,

(চ) খুঙ্গংগী (প্লানিংগী) থৌশিল্ থৌবাংগী (স্কেফবদা) থবক্কী চগোদা পঞ্চায়তনা য়েংশিন্বা যাবা-

(১) খুঙ্গংগী চাথোক্ হেন্গৎনবা (প্লান্) থৌশিল্-থৌবাং শেম্বা;
(২) সবকাবনা পাইখৎপা লৈহাও হেন্গৎনবা (প্রোজেক্ট) অচৌবা থৌবাং পাংথোক্পদা তেংবাংবা ;
(৩) থবক্-শিন্ফম্ পীননবা হোংনবগী শেল্ থুম্গী সর্ভে তৌবা, মচাক্ খোম্গৎপা ,
(৪) বজেট শেম্বা, হিসাব থম্বা, ফণ্ড থম্বা অমসুং চুম্না শাজন্নবা ;
(৫) সবকাবনা পীবক্পা তেংবাং অদু খুঙ্গংদা য়ৌখিনবা মখোয়গী খুৎথাংদা ফাওদুনা চৎহম্বা;
(৬) পঞ্চায়তকী থবক্ তৌবা মী লৌবা, ট্রেনিং পীবা অদুগা শিন্দোক্ শিন্জিন্ তৌবা ,
(৭) শা-শল্ পুন্ফম্, লৌ য়ৈফম্ অদুগা মীযাম্গী লম্ ঙাক্-শেম্বা,

(ছ) কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট অমসুং সোসিয়েল্ রেল্ফেযাবগী (স্কেফবদা) থবক্কী চগোদা য়েংশিন্বা য়াবা –

(১) নাম শোইবা, মথোং চাদবা, অনাবা মীশিংদা তেংবাং পীবা ;
(২) প্রকৃতিগী অৱাবা থৌদোক্তা নংলবা মীশিংদা তেংবাংবা ;
(৩) কোঃওপরেটিভ অদুগা অতৈ লোইনবা যাবা লুপ্, লোইশঙ শেম্গৎপা থৌগৎপা অদুগা তেংবাং পীবা ;
(৪) যাইফ-য়ুম্বাল্ থৌবাংগী ৱাফম্ শন্দোক্পা ;
(৫) খুঙ্গংবু ফিবম্ ফহন্নবা মীয়াম্গী থবক্তা মশা-মশানা খংনা য়ানা থবক্ শুবনবা মী খোম্গৎপা ;
(৬) পোৎ-চৈ ফংহন্নবা (ফেযাব প্রাইস সোপ্) অহোঙবা মমল্গী দুকান হাংবা ;

(জ) লৌউ-শিংউবা, উমং ঙাক্লা থম্বা অদুগা শজিক্ চাফম্ খাক্লবা (স্কেফবদা) থবক্কী চগোদা পঞ্চায়তনা য়েংবা য়াবা থবক্ –

(১) লৌউ-শিংউবগী থবক্তা নিংথিনা শেম্ শাববা মওংদা চাওখৎহম্বা ;
(২) লৌউ-শিংউবগী চাথোক্ হেন্গৎহন্নবা খ্বাইদগী তাথহন্দবা থাক্তা থম্বা ;
(৩) (মোদেল্ ওইবা) ফিদম্ লৌবা য়াবা লৌউ-শিংউগী ফার্ম লিংবা অমসুং শিল্-লাংবা ;
(৪) মহৈ মবোং তুংফম্ শেম্গৎপা অমসুং ঙাক্পা ;
(৫) পঞ্চায়ত তা সবকাবনা শিন্নবা, পীবক্পা অহাংবা শিৎতুনা লৈবা লম্ নিন্শিন্বা ;

(৬) লৈহাও অমদি হাব ফংফম্ ঙাক্পা অদুগা হাবগী কোম্ (কম্পোষ্ট) শেম্বা অমসুং হাব য়োম্বা ;
(৭) অফবা মক-মবাং পুথোক্পা, থাফম্ শেম্বা অদুগা অফবা মক-মবাং শিজিন্নবা হেন্গৎহন্বা ;
(৮) হেন্না ফবা খুৎশু-খুৎলাই শিজিন্নবা হেন্গৎহন্বা অদুগা লায়না ফংননবা শাহন্বা ;
(৯) কোঃওপরেটিভ ফার্মিং চাওখৎহন্বা ;
(১০) মক-মবাং (ক্রোপ) লবুক্কী পোৎথোক্ চাংয়েং তৌবা ;
(১১) অপিক্পা মওংদা ঈশিং পীননবা, লবুক্তা লৌখোং তৌবা অদুগা ঙাক্-শেম্বা ;
(১২) খুল্গী উমং, শজিক্ চাফম্, হৈকোল্নচিংবা শেম্গৎপা, ফগৎনবা হোৎনবা, ঙাক্পা ;
(১৩) লবুক্কী পোৎথোক্ অমাং-অতা থোক্হন্বা শাশিংগী মাইযোক্তা ঙাক্লবা খোংথাং লৌখৎপা ;

(ঝ) শা শল্ যোক্পা অমসুং কন্নবগী (স্ফেবদা) থবক্কী চগোদা পাইখৎপা য়াবা থবক্শিং –

(১) শা-শল্গী ফিভম্ ফগৎহন্বা অদুগা অফবা মখল্ পোক্লবা তৌবা ;
(২) শা-শল্গী পুক্সিবু সাধাবন্ ওইনা চেক্শিন্না শেম্বা ;
(৩) মক লৌননবা শল্ লাবাশিং পীবা, যেম্থোক্পা অর্মদি ঙাক্পা ;
(৪) শঙ্গোম্ পুথোক্লবা ফার্মিং চাওখৎহন্বা ;

(ঞ) খুঙ্গংগী (শিল্পগী) খুৎশুগী (স্ফেবদা) থবক্কী চগোদা পঞ্চায়তনা য়েংশিন্বা যাবা –

(১) খুৎশুগী থবক্ অমসুং শিন্ফম্ পীননবা পাঙ্গল্ ফাজিন্নবা সর্ভে তৌবা ;
(২) লং নাইবা, ফি শাবা, মচু শংবা, উনম্ নম্বা, লোন্বা, তুবা, থাও শুম্বা, শউন্গী থবক্, চফু-চনাই শাবা, উ শুবা, ধাতু শুবনচিংবা খুৎশু,-শেম্দোক্লিবা লৌউশিংউগী মচাক্ (পোৎথোক্)পু অবোইবা অশেম্বা পোৎ ওইনা পুথোক্লবা তৌবা,–অতৈ খাংপোক্কী (ঈমুংগী) খুৎশু,–খুঙ্গংগী আর্টস ক্রেফ্ট খুৎ নান্না শুবা খুৎশু অসিনচিংবা ঙাক্লা থম্বা, পুক্লিং থৌগৎপা অদুগা চাওখৎনবা তেংবাং পীবা ;
(৩) খাংপোক্তা শুবা খুৎশুশিংগী মচাক্ পীবা ;
(৪) খুঙ্গংগী খুৎ নান্না শুবা মীশিংগীদমক্ অনৌবা চাওখৎপা মওংদা শুবা ঙম্নবা থবক্ অদু য়োক্খৎপা অদুগা মখোয়দা খুদোং চাবা ফংহন্বা ;
(৫) খাংপোক্কী খুৎশু অমসুং হোঁশুক্রেফ্টকী থবক্ শুবা অহৈবশিংবু

পুক্রিং থৌগৎপা, তেংবাংবা ;
(ড) খাংপোক্তা শুরিবা থবক্ পুম্নমক্ কোঃওপরেটিভকী মওংদা পুশিন্দুনা শিল্ লাংবা, শেন্বিবা, চাওখৎহন্বা ;
(ট) অতৈ অতৈ থবক্কী চগোদা –

পঞ্চায়তনা পায়খৎপা থবক্তা মীয়াম্গী হক্চাং চাওখৎহন্বদা, শোই ঙাম্হন্দবদা, মহৈ তম্বদা নুংঙাইবা অমসুং অপেম্বা পীবা ঙম্না তারবদি অদুগা মখোয়গী খুনাইগী, শেল্থুম্গী, নাংকী ফিভম্ ফগৎকদবা লৈরবদি মখোয়না করিগুম্বা মওংগী থবক্ পায়খৎপা, মদুগী খোংথাং লৌবা ঙম্হন্গদবনি ।

পঞ্চায়তকী থবক্শিং অসি মওং অহুম্দা তৌবা নত্ত্রগা পাংথোক্পা য়াই । মদুদি (১) আইন্গী মতুং ইন্না তৌদবা য়াদবা থবক্ (ওব্লিগেটোরি ফঙ্কসন্) , (২) অপাম্বা মতুংইন্না তৌজবা য়াবা থবক্ (ওপসনেল্ নত্ত্রগা দিসক্রেসনরি ফঙ্কসন্), (৩) সরকারনা থৌদাদুনা পীবা থবক্ (এজেন্সি ফঙ্কসন্) অসিনি –

রাজ্যশিংদা গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতি হায়বদি খুঙ্গংগী থাক্কী অমদি ময়াইগী থাক্কী পঞ্চায়তশিংগী থবক্ অসি অয়াম্বনা মমান্নৈ, য়াম্না পাক্চাওনা খেন্নবা লৈতে অদুবু জিলাগী থাক্কী পঞ্চায়তকী মতাংদদি খেন্নবা অসি লৈ । চাওরাক্না থৌওং অসি অনি থোক্ই – ইউঃপিঃ অমসুং পঞ্জাবনচিংবদা থৌওং অসি এদভাইজরি হায়বদি পাওতাক্ পীবগী মওংদা লৈ অদুগা গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিগী থবক্তা য়েংশিন্বা (সুপরভাইজ তৌবা) অদুগা তাইশিন্নবগী থবক্ (কোঃওর্দিনেসন্) তৌই । মহারাষ্ট্র, গুজরাত, অন্ধ্রপ্রদেশগুম্বদা পাওতাক্ পীবা, তাইশিন্নবা, য়েংশিন্বগী থবক্তগী হেন্না এক্সিক্যুটিভ্কী হায়বদি থবক্তা খুৎ থাদুনা পাংথোক্পা ফাওবা তৌই । জিলাগী পঞ্চায়তনা সরকারগী সেকেণ্ডরি স্কুল, ভোকেসনেল্ অদুগা ইন্দস্ট্রিয়েল্ স্কুল্ চলাইবগী থবক্ তৌই । প্লানগী ফণ্ড য়েংশোক্ই । মহারাষ্ট্রদা আইন্ অমসুং মথং মনাও নাইবা ঙাক্পা (লো এণ্ড ওর্দর) ব্রায়েল্ বিচার, জাতিগী অমদি রাজ্যগী লম্বী, কলেজ অমসুং বিশ্ববিদ্যালয়গী মহৈ তম্বা অসিনচিংবা রাজ্যগী ওইগদবা মরু ওইবা থবক্ নত্তনা অতৈ জিলাগী থাক্কী থবক্ পুম্নমক্ জিলা পরিষদনা পায়খৎলি । রাজ্য কয়া অমদদি জিলা পরিষদ নত্ত্রগা জিলাগী থাক্কী পঞ্চায়৩ লিংনদ্রি ।

---

(৩) মণিপুরদা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী থবক্ –

জিলা পরিষদকী থবক্শিং :-

দি মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৭৫ গী মতুংইন্না জিলা পরিষদনা তৌদবা যাদবা–অপাম্বা তৌজবা য়াবা–অদুগা শিন্নবক্লগা তৌবা য়াবা মওংদা পীরি ।

পবিষদনা তৌদবা য়াদবা থবক্কী মওং–

(১) পঞ্চায়ত সমিতিগী বজেট অদু যেংবা অদুগা অযবা পীবা, থবক্ য়েংশিন্বা ;

(২) পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী মনক্তা সরকাবনা খাইবকপা ফণ্ড (পীবক্পা শেল্) যেন্থোকপবা ;

(৩) পঞ্চায়ত সমিতিশিংনা [illegible] অদু চুংশিন্নহন্বা অদুগা [illegible]শিনহন্বা ;

(৪) গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী থবক অদু চুংশিন্নহন্বা

(৫) পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী থবক [illegible]কপা [illegible]ংবা;

(৬) ট্রষ্ট অমসুং এনদাওমেন্ট অদুগা অতৈ অতৈ [illegible] আইন্গী মতুংইন্না অদুগা সবকাবগী হুকুম্ [illegible]

(৭) সবকাবনা শিন্নবক্পা চাওখৎ থৌবম্গী থবক পাংখৎপা অমসুং পাংথোক্হন্বা ;

(৮) এক্টকী মতুংইন্না শিন্নবকপা থবক্ শক্তি অদু পাংথোক্পা ;

(৯) গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চাযত সমিতিগী থবক্কী মওংদা বাজ্য সবকারদা পাওতাক্ পীবা ;

(১০) আইন্গী ওইবা অদুগা থবক্তা খুৎ থানবগী হুকুম্ পাংথোক্পগী মবিদা বাজ্য সরকাবদা পাওতাক্ পীবা ;

(১১) রাজ্য সবকারগী শাসন্গী মখাদা পায়বা চাওখৎ থৌরম্গী মরী পুম্নমক্তা রাজ্য সবকারদা পাওতাক্ পীবা ;

(১২) জিলাগী ওইবা লৌউ-শিংউ পোথোক্ পুথোক্পগী থৌরম্, শেম্গৎ-শাগৎপগী থৌরম্, থবক্ পীবা, অপিক্পা শেল্-তুংশিল্বনচিংবা অদুগা অতৈ অতৈগী পান্দম্ থম্লিবা অদু চুম্না পাং-থোক্লিবরা হায়বদু য়েংবা ;

(১৩) রাজ্য সরকারগী মখাদা শিন্বা মেলা, (ফেষ্টিভেল্) হরাও থৌরম্, কৈথেল্শিং নত্তবা মখৈ গ্রাম পঞ্চায়তকীনি অদুগা পঞ্চায়ত সমিতিগীনি হায়না মখল্ খায়দোক্পা ;

(১৪) লম্বীশিংবু (অচৌবা লম্বী য়াওদনা) গ্রাম পঞ্চায়তকী লম্বী সমিতিগী লম্বী হায়না খায়দোক্পা ;

পরিষদনা তৌনিংলগা তৌবা য়াবা থবক্কী মওং –

(১) খোম্জিন্ফম্ থোক্ই হায়না খল্লা অক্তমশিং (দাটা) খোম্জিন্বা ;

(২) জিলা অদুগী মনুংদা লৈবা পঞ্চায়ত অমসুং সমিতিশিংগী মবিদা মচাক্ ওইবা মাশিং অমসুং ই-পাও ফোংদোক্পা ;

(৩) গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী থবক্কী মবিদা মখোয়না পাম্বা ই পাও পীখৎহল্লা ;

(৪) জিলা অদুগী মনুংদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী প্রধান, প্রমুখ অদুগা অতৈ পঞ্চায়ত অমসুং সমিতিগী মেম্বরশিংগী ওইবা কেম্প, কনফরেন্স, সেমিনার তৌননবা শিন্না ;

মথক্কী থবক্শিং অসি জিলা পরিষদনা ওম্জবা মতুংইন্না থবক্ নিংথনা পাংথোকপা যানবা তৌনিংলগ তৌবা য়াবা থবক্নি ।

অসিতা নত্তবা সবকাবনা মতম মতম্গী ওইনা, জিলা পরিষদতা শিন্নবকপা থবক কয়া লৈবা য়াই । অদুগা এক্টকী সেক্সন্ ১১৩গী মতুংইন্না তোঙান্ তোঙান্বা ডিভেলপ্মেন্ট দিপার্টমেন্টশিংগী চাওখৎ থৌবম্গী থৌদাং কয়াগী লোইশঙশিং থবক্কা লোয়ননা ফগু অমসুং থবক্ তৌবা মী যাওনা জিলা পরিষদতা বাজা সবকাবনা (এজেন্সি ফঙ্কসন্) শিন্নবা থবক্ ওইনা থংদোক্কপা যাই ।

(মণিপুরদা জিলা পারষদ লিংদুনা থবক্ চথবম্দ্রবসু থবক্কী থৌবম্ খংবা নুংঙাইনবা উৎপা কান্নগনি খন্দুনা মথক্কী অসি উৎলে) ।

গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিগী তোঙান-তোঙান্বা (স্কেবগী) চগোগী মনুংচল্লা থবক্শিং –

(ক) মীয়াম্গী হকচাং অমসুং হক্লোন্গী (স্কেবদা) চগোদা –

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) লম্বী শেংদোক্পা অদুগা মৈ থান্বা	(১) মীয়াম্গী হক্চাং খুঙ্গংগী হক্লোন্, লাইনাগী লাইচৎ থিংবা অমদি লাইয়েংবগী থৌবাং যাওনা পাযখৎপা ,
(২) হক্চাংগী, হক্লোন অমসুং অফ-থবক্; সেনিটেসন্ অমসুং কোন্জাভেন্সি তৌবা মীয়াম্দা কাইগদবা থিংবা,	(২) দিসপেন্সরি লিংখৎপা যাওনা অনা অযেক্ কোক্লবা থৌবাং তৌবা ,
(৩) যতঅশিবা ফুম্ফম্ মৈ থাফম্ (পোৎলোই ফম্),শা অশিবা লোইশিন্ফম্ শেম্বা অদুগা অতৈ অকাইবা ওইগদবা অদু নিযম্দা ঙাক্পা .	(৩) মমা ওইবী অমদি অঙাংগী অমসুং যাইফ যুম্বাল্গী সেন্তব থম্বা ,

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(৪) থক্লবা অমদি ইমুং মনুংগী শিজিন্নবনবা ঈশিং পীবা ;	(৪) মী অমসুং শা-শলগী টিকা থানবা পুক্কি: থৌগৎপা ;
(৫) পঞ্চায়তকী লম্বী-শোরোক্ অমদি নালা, পুখ্রি, গুহানচিংবা শম্বা ;	(৫) স্কুলগী ওইবা হক্চাংগী থবক্ ... গৎপা অমসুং ঙাক্লা থম্বা ;
(৬) অঙাংশিংগী শান্নবুং অমদি মীয়ামগী ইঙ্খোল্ (গার্দন্) শম্বা ;	(৬) হক্চাংগী (শিক্ষা) মহৈ তম্বিবগী খুদোং চাবা থম্বা;
(৭) মীয়ামগী অমাংশঙ শাবা অমদি ঙাক্লা থম্বা ;	(৭) আয়ুর্বেদিক্, ইউনানি অমদি হোমিওপেথিক দিস্পেন্সারি লিংবা অদুগা তেংবাং পীবা
(৮) লৌনবা যাবা লাইনা থোক্লকপা অমদি শন্দোক্লকপা থিংনবা থোংথাং লৌখৎপা ;	(৮) খুঙ্গংদা অনা-লাইয়েংগী মফম্ লিংবা অমসুং তেংবাংবা ;
(৯) অমোৎ-অকাইগী মপৈ, মোংশোং লৌথোক্পা, শিজিন্নদনা লৈবা কোম্, লৈকুৎ, কোমকুৎনচিংবা ফুনজিন্বা, ঈশিং তুংবা, পন্দুনা হক্চাংদা কাইরক্লদবদু থিংবা;	(৯) ঈশিং পীননবা থৌরাংগীদমক্ থৌশিল্ তৌবা অমদি থবক্ পাংথোক্পা ;

(খ) পব্লিক্ ব্রার্কসকী (মীযাম্‌গী থবক্কী) স্ক্রেবদা নত্তুগা চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) মীয়ামগী ওইবা শঙ, পঞ্চায়ততা শিন্নবা, শঞ্জাবুং, উঅংগী লম্, পুখ্রি অচৈবা, গুহ্য অদুগা ঙা ফযক্ম্ ঙক্লে থম্না অমসুং শেন্নবা;	(১) শঙ, শোবোক্, থোং, লৌনম্বাল্, নালা, ঈশিং লম্বী, অদুগা অতৈ অতৈ থবক্কী থৌবাং শেম্বা, শাবা অদুগা ঙাক্পা ;
(২) পঞ্চায়ততা শিন্নবক্পা যুম্-কৈ,শঙ্ অতৈ লোইশঙ অদুগা লন্ ঙাক্শেম্বা;	(২) গ্রাম পঞ্চাযত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতিগী লম্, কৈথেল্ মফম্, মেলা তৌফম কৈথেল্‌গী শঙ্ অসিনচিংবা লিংখৎপা ফগৎহন্বা অদুগা নিযম্‌দা ঙাক্পা ;
(৩) লম্বীগী নাকল্‌দা, মীয়াম্‌গী ওইবা মফম্‌দা উ পাম্বী থাবা অদুগা ঙাক্লা থম্বা ,	(৩) মখোয়গী ওইবা শঙ্, লোইশঙ নত্তুগা মখোযদা শিল্ লাংনবা শিন্নবক্পা অতৈ লন্ ঙাক্ শেম্বা, নিয়ম্‌দা থম্বা ;
(৪) শা শল্ ফাজিন্‌ফম্ থম্বা, লিংখৎপা অদুগা আইন্‌গী মতুংইন্না শিন্নবা অতৈ থবক্ পাংথোক্পা ;	(৪) লোইশঙ, ফার্ম, নত্তুগা খুৎনাইবগী থবক্ (ইন্দসত্রিজ) নত্তুগা অতৈ খুঙ্গংদা থবক্ পীননবা থৌবাং পাযখৎপা অদুগা ঙাক্লা থম্বা .
(৫) চোইথোক্তুনা লৈবা হুই, মপু খংদবা অদু মাংহন্‌বা ;	(৫) পোৎ-পৈফম্, লল্লোন ইতিক্ তৌফম্ ব্রার্কসোপ অদুগা লৌউ শিংউবগী খুৎশু খুৎলাই শেম্নবা মফম্ লিংখৎপা অদুগা ঙাক্লা থম্বা ;
(৬) বস থাফম্ অদুগা অতৈ গড়ি থাফম্ নাইহম্বা অমসুং শিন্‌বা ;	(৬) মী কাংলুপ্‌কী ওইবা লম্‌শিং শিন্দোক্ শিঞ্জিন্ তৌবা, শেন্নবা ;
(৭)মীযাম্‌গী শঙ, শোবোক্, ঈশং লম্বী, নালা, পল্, লৌনম্বাল্, থোং, উকু শাবা অদুগা ঙাক্লা থম্বা ;	
(৮) ঙা য়োক্পগী অমদি শা-শল্‌দা ঈশিং পীনবগী পুখ্রি তৈবা, শেংদোক্পা অদুগা ঙক্পা ;	
(৯) মীযাম্‌গী শঙ, শঞ্জাবুং উঅংগী লম্, পুখ্রি গুহ্য ঙা ফযক্মচিংবা পঞ্চাযতকী খুদম্‌দা লৈবা অদু শিজিন্নবগী নিযম্ থম্বা ;	

(গ) মহৈ তম্বা, শান্ন-খোৎনবা অদুগা নাৎকী (স্ফেরদা) চগোদা –

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) মীয়ামগী কান্ননবগীদমক্ রেদিও সেট, রেদিও তাবা মীগী ফোবম্, কমুনিতি সেন্তর অদুগা লাইরিক্ পাফম্ থম্বা ;	(১) প্রাইমারি স্কুল্ শিল্ লাংবা, অদুগা শাসনগী ওইনা (কন্ট্রোল্ তৌবা)ঙাক্ শেম্বা;
(২) লাইব্রেরি অমদি এদল্ট লিটরেসি সেন্তর লিংখৎপা ;	(২) স্কুল্ শঙ শাবা অমসুং শেম্-শাজিন্বা, খুৎশু-খুৎলাইগী পোৎচৎ লাংবা অদুগা স্কুল্গী শান্নবুং থম্বা;
(৩) আর্ট অমসুং কল্চর (নাৎ) চাওখৎহন্নবা থিয়েটর অদুগা অতে অবা পোত্থাফম্ লিংখৎপা ;	(৩) থিয়েটর নত্ত্রগা অতৈ আর্ট অমসুং কল্চর (নাৎ) চাওখৎনবগী সেন্তর লিংখৎপা ;
(৪)স্পোর্টস অমসুং শান্ন-খোৎনবা য়োকখৎপা-ক্লব, জিমনাজিয়ম্, শান্নবুং অদুগা পার্ক লিংখৎপা ;	(৪) স্কুলদা পীজবগী থৌনম্ শিন্বা, স্কুলগী লম্দা হৈ অমসুং মনা-মশিং থাফম্ শেম্বা;
(৫)জাতিগী ওইবা চয়োল্গী অমদি নুমিৎকী থৌরম্ পাংথোক্পা ;	(৫) জাতিগী ওইবা চয়োল্ ,নুমিৎকী থৌরম্ পাংথোক্পা ;
	(৬) মহৈ তম্বগী পান্দম্গী (এক্সিবিসন্ তৌবা) পোৎ-চৈ উৎপা, মহৈগী খোংচৎ পাংথোক্পা, সেমিনারনচিংবা তৌবা ;

(ঘ) লৌউ-শিংউ, হোর্টিকল্চর, ইথে-লৌখোং উমং শেম্গৎপা অমদি শা-শল্গী থবক্কী (স্ফেরদা) চগোদা –

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) লৌউ-শিংউ, হৈ-রা থাবা অমসুং ঙা য়োক্পা চাওখৎহন্বা ;	(১) লৌউ-শিংউ, হোর্টিকল্চর (হৈ-রা থাবা),-পঞ্চায়ত সমিতিগী লম্দা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা থৌশিল্ শেম্বা অদুগা পাংথোক্পা য়াওনা চাওখৎনবা তৌবা ;
(২) শম্বি পৈফম্, তুংশিন্ফম্ শেম্বা, খোমজিন্বা, লৌথোক্পনচিংবা চাং নাইহন্বা অদুগা লৌফম্দা চুম্না শিজিন্নহন্বা ;	(২) এগ্রিকল্চর অমসুং হোর্টিকল্চরগী ফার্ম লিংখৎপা ;

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(৩) সরকাব, কোঃওপরেটিভ সোসাইটি অমসুং বেঙ্ককী মতেং লৌদুনা লৌমীশিংদা লৌউ-শিংউজী শেল্গী তেংবাং ফংহন্নবা শিন্বা;	(৩) সরকার কোঃওপরেটিভ সোসাইটি অমদি বেঙ্ককী মতেং লৌদুনা লৌমীশিংগী শেল্গী তেংবাং ফংহন্নবা শিন্বা ;
(৪) গ্রাম পঞ্চায়তত্তা শিন্নবা, পীবা লৌউ-বদি য়াবা অবেন্বা অমদি শিংতুনা লৈবা লম্দা লৌউ-শিংউ তৌহন্বা ;	(৪) অপিক্পা লৌখোং শেন্বা, এগ্রিকল্চব এক্সটেন্সন্গী থৌবম্ পায়খৎপা, মক-মবাং কন্বা ;
(৫) চাওখৎপা মওংগী লৌউ পাম্নে অদুগা পোৎ-চৈ শিজিন্নদুনা লৌউ-শিংউ তৌবা পুক্নিং থৌগৎপা ;	(৫) লৌউ-শিংউগী খুৎশু-খুৎলাই, হাব অমদি অতৈ লৌউবদা থাদবা যাবা পুম্নমক্ য়েন্থোক্পা ;
(৬) শা শল্গী ফিভম্ ফগৎহন্বদা অদুগা হেন্না ফবা মওংদা উচেক্-ব্রাযা যোক্পা অমসুং ওক্ লোইবনচিংবা পুক্নিং থৌগৎপা ;	(৬) লৌউ-শিংউগী পোৎথোক্ ঙাক্ শেন্বা অদুগা পোৎথোক্কী মবম্দা ব্রা শন্দোক্পা অদুগা ফৌথোক্ লৈনা অপিক্পা লম্দা লৌউ তৌবা (ইন্টেন্সিভ পেদি কলটিভেসন্ তৌবা), চাথোক্ চাং তান্নবা যাওহন্বা ;
(৭) হাবগী পোৎথোক্ লৈহন্বা, কম্পোস্ট অমসুং লৈহাওগী হাব শেন্বা অমসুং যোম্ব-নচিংবগী থবক্ শিন্বা ;	(৭) লম্গী লৈহাও কন্বগী পুক্নিং থৌগৎপগী অদুগা লম্ অনৌবা নিন্বগী থৌবাং পায়খৎপা ;
(৮) অফবা মখল্গী মক-মবাং, চাবা পু-থোক্তুনা পীননবা থাফম্ শেন্বা অদুগা সব কাবনা শিন্নবা মতুংইন্না খুৎশু-খুৎলাই, মচাক্ পীনবা তৌবা ;	(৮) ঙাযোক্ পুখ্রি তৌবা অদুগা ঙাক্না থন্বা অদুগা ঙা ফাবগী থবক্ চাওখৎহন্বা ;
(৯) লম্গী লৈহাও কন্বা, লমনৌ নিন্বা, উ পাম্বী থাববু থৌগৎপা অদুগা খুল্গী উমং ঙাক্পা ;	(৯) ভেটবিনবি দিসপেন্সবি অমসুং ভেট-বিনবি এইদ সেন্তব লিংবা যাওনা ভেটবিনবিগী থবক্ মীয়াম্না ফংনবা তেংবাংবা ;
(১০) মরু মবাং, মহৈ ঙাক্ শেন্বা অদুগা চাংযেং তৌবা ;	(১০) শা-শল্গী অফবা ধাবা ফগৎহন্বা অদুগা ধাবা লৌফম্, কি-ভিলেজ সেন্তব থন্বা ;

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১১) পায়নবিবা লম্ ফগৎহন্বা, কো: ওপরেটিভ ফার্মিং অদুগা লৌউ-শিংউগী ফার্মিং, কোবপোরেসন্ চাওখৎহন্বা অদুগা মক-মবাং তুংফম্ লিংখৎপা ;	(১১) শা-শল্গী, উচেক্ রায়াগী, হামেং অমসুং ওক য়োক্পগী ফার্ম লিংখৎপা, অফবা থাবাগী মচা য়েহ্যোক্পা অদুগা চানবা চিঙ্গাক শানবা তৌবা ; (১২) শা-শল্ উৎপা অদুগা পুন্না হোইদুনা পুন্গী (বেলিগী) থবক্ পায়খৎপা ; (১৩) গোদাউন্ লিংখৎপা অদুগা ঙাক্ শেন্বা ;

(ঙ) শাসন্গী (স্ক্রেবদা) চংশোদা

গ্রাম পঞ্চাযত	পঞ্চাযত সমিতি
(১) সর্ভে তৌবা অদুগা চংফম্ থোক্পা মচাক্কী মশিং (স্টেটিসটিক্স) থন্বা;	(১) গ্রাম পঞ্চাযতকী বজেট অচুম্ অবান্ য়েংবা অদুগা যাবিবা ;
(২) সবকাব অমসুং অতৈ এজেন্সিশিংনা পীবক্পা অন্না তেংবাং য়েহ্যোক্পা ;	(২) গ্রাম পঞ্চাযতকী থবক্ চুংশিন্নহন্বা অদুগা য়েংশিন্বা ;
(৩) সবকাব অমসুং অতৈ আইন্গী ওইবা অঙম্বনা পান্বা মফম্ মফম্গী ই-পাও পীবা অদুগা অসিগুম্বা অঙম্বশিংনা তাক্পা অদু পাঙথোক্পা ;	(৩) কৈথেল্ অমসুং মীয়াম্গী খেবা (হিলান্ফম্) লেপ্পা, টৈন্দব কৌবা, খাজনা, মাশুল্গী চাং লেপ্পা ;
(৪) পঞ্চায়ত সমিতি অমসুং জিলা পরিষদকী থবক্ পাংথোক্পদা এজেন্ট ওইবা ;	(৪) কৈথেল্ অমসুং মীযাম্গী হিলান্ফম্ চাং নাইহন্বা, শিল্ লাংবা অদুগা চাওখৎহন্বা ;
(৫) খুঙ্গংগী লৌউ-শিংউগী অদুগা অতৈ লৌউ-শিংউ নত্তবগী চাথোক্ পুথোক্পগী থৌশিল্ শেন্বা অদুগা পাংথোক্পা ;	(৫) মখোযদা শিন্নবা ঙা ফাফম্ টৈন্দব কৌদুনা য়োন্বা, ঙাক্পা অমসুং চাওখৎহন্বা ;
(৬) শা-শল্ পন্ফম্, মক মবাং য়ৈথফম্ অদুগা অতৈ মীয়াম্গী অশিংপা লম্ ঙাক্পা;	(৬) গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতি অনিমক্কী থবক্ তৌবা মী (কর্ম্মচাবি) শিংবু শাসন্ তৌবা ;

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(৭) মেলা, লাইফম্ অদুগা হবাও কুম্মৈ মফম্ শেম্গৎপা অদুগা শেন্নবা;	(৭)গ্রাম পঞ্চায়তকী মবিদা শেম্বা থৌশিল্ (প্লান্) চুংশিন্নবা, ফগৎহন্বা অদুগা ব্লোক্কী থৌশিল্ শেম্বা অদুগা জিলা পরিষদনা অদুগা রাজ্য সরকারনা শিন্নবা থবক্ পাংথোক্পা ;
(৮) চাওখৎ থৌরমগী থৌশিল্, শেল্গী হিসাব যাওনা শেম্বা ;	(৮) জিলা পরিষদ অমসুং রাজ্য সরকারনা শিন্নবা ফণ্ড অদু গ্রাম পঞ্চাযতশিংদা যেন্থোক্পা ;
(৯) মী পোক্পা, লুহোংবা অমসুং শিবগী রেজিষ্টর তৌবা ;	(৯) গ্রাম পঞ্চাযতনা শেম্বা বাই-লোশিং অচুম্ চুমদা যেংবা অদুগা অয়াবা পীবা ;
	(১০) মখোয়না হান্না লৌখৎপা অদুগা জিলা পরিষদনা অমদি রাজ্য সরকারনা লান্থোক্লক্পা চাওখৎ থৌরম্গী থৌশিল্ অদু পাংথোক্পা অদুগা চৎথহন্নবা শেন্নবা ;
	(১১) রাজ্য সরকারনা মখোয়দা শিন্নদুনা মখোয়গী মখাদা থম্বা অফিসারশিংগী থবক্তা মিৎয়েং থম্বা, তঙাই ফদ্রগা মখোয়গী মথক্তা চপ্চাবা থবক্ লৌখৎনবা রাজ্য সরকারদা ব্রা পুখৎপা ;

(চ) মীয়াম্গী অফ নুংঙাইগী (স্ফেরদা) চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) নুপী, অঙাং অমসুং শোথহৌরবা কাংবুগী অফ-থৌরম্ শেম্গৎপা ;	(১) নহারোল্, নুপী অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফ-থৌরম্ শেম্গৎপা;
(২) ঈশিং চাওবা, ঈকং থোক্পা, য়ুহারাবা, অতাংবা নংবা ফিভম্ দা অদুগা অতৈ মহৌশাগী ওইনা থোক্পা অব্রা অনং কয়া কোক্হন্বদা তেংবাং থৌরম্ পায়খৎপা ;	(২) ঈশিং ঈচাও, ঈকং থোক্পা য়ুহারাবা অতাংবা নংবা ফিভম্ অদুগা অতৈ মহৌশাগী ওইনা থোক্পা অব্রা-অনং কয়া কোক্লবদা তেংবাংবা ;

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(৩) মীয়াম্গী অফ-নুংঙাইগী থবক্ তৌবা নহাবোল্গী লুপ্, (সংস্থা) অদুগা অতৈ লন্নাই লোয়ন-লুপ্শিং শেম্গৎপা অদুগা তেংবাং পীবা, ;	(৩) শোখহৌববা মফম্ অমসুং কাংলুপ্কী থোইদোক্ হেন্দোক্পা অফ-নুংঙাই থৌবম্ পায়খৎপা ;
(৪) খুঙ্গংগী কৈথেল্ অদুগা মীয়াম্গী লাই খুরুম্ফম্ (লাৎফম্) শাবা অদুগা ঙাক্ শেন্বা :	(৪) ধর্ম্মশালা, সবাই (মীথুংশং) পোখাশং,কেম্প তৌফম্ লম্পাক্ শাবা অমসুং শেন্নবা ;
	(৫) মফম্ মফম্দা ফংব পোৎথোক্ লম্থোক্ ফংননবা শিল-লাংবা, অদুগা খুঙ্গং চাওখৎনবা থবক্তা শিজিন্নবা ;
	(৬) মবাল্ লৈব' যাবা, খুদোং থিবা কাববাব অমসুং থবক্ তৌবদা থিংবা ;

(ছ) খুঙ্গংগী খুৎশা হৈবগী (খুৎনাইবগী) থবক্কী (স্ফেব্দা) চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
(১) খাংপোক্তা শুবা, যুম্দা শুবা খুঙ্গংগী খুৎনাইবগী থবক্ লিংখৎপা নত্তগা য়োক্খৎপা, চাওখৎহন্বা অদুগা পুক্লিং থৌগৎপা ;	(১) খাংপোক্তা, যুম্দা শুবা খুঙ্গংগী খুৎনাইবগী থবক্ যোক্খৎপা অমসুং চাওখৎহন্বা, পোৎথোক্ পুথোক্পা মফম্দা গ্রান্ট সবসিদি অমদি লোন্ (শেন্থুং) পীবা ;
(২) গ্রাম সভাগী মনুংদা মীয়াম্গী হক্চাংগী খুদোংথিবা লৈহন্দবগী মহৈগী, নুংঙাইনবগী মবম্দা সমাজ, শেল্থুম্, নাৎকী ওইবা থবক্ তৌবা ;	(২) খুঙ্গংদা ফংবা পোৎচাক্ শিজিন্নদুনা অপিক্পা উদ্যোগ্ খুৎশুগী, খাংপোক্কী থবক তম্বগা লোযননা পোৎথোক্ পুথোক্পা মফম্ লিংখৎপা অদুগা যোক্পা ;
(৩) মীয়াম্বু ওক্পা (সিবেমোনি) থৌথোক্ অদুগা এন্টবটেনমেন্ট (নুংঙাই হন্নবগী থৌবম্) পায়খৎপা ;	(৩) সেবিকল্চব ফার্ম, তসব, ইবি, মুগা অদুগা তিল্ মহুম্ পুথোক্পবু, লশিং থাবগী থবক্পু শেম্গৎপা, যোক্খৎপা;
(৪) কনাগুম্বা অমনা শেল্ থাথদুনা থবক্ তৌবদা কন্ট্রেক্ট তৌবগী (থবক্ লৌবগী) খুদোংচাবা পীবা;	

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
	(৪)কোঃওপরেটিভ রিভিং সোসাইটি যাওনা ইন্দষ্ট্রিয়েল্ কোঃ ওপবেটিভ সোসাইটি শেম্‌গৎপা অমসুং তেংবাংবা; (৫) খাংপোক্কী খুৎনাইবগী অমদি খুঙ্গংগী খুৎনাইবদগী থোক্‌পা পোৎথোক্ য়োন্নগী খুদোং চাবা ফংহন্নবা তেংবাংবা ;

(জ) মশা ঙাক্‌পা অমসুং খুঙ্গং ঙাক্‌পগী (স্ফেবদা) চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	
(১)খুঙ্গংবু ঙাক্ শেন্নবা-ভিলেজ ভোলন্টিয়ার ফোর্স, ভিলেজ দিফেন্স পার্টি শেম্‌গৎপা অমসুং তেংবাং পীবা অদুগা মীয়াম্‌গী অফ-নুংঙাইগী থবক্ লৌখৎপা ; (২)মৈহৌ লাংপোক্ থোক্‌পদা মৈ মুৎপদা অদুগা পুন্সি অমসুং লন্ কন্নবদা তেংবাং পীবা ;	

(ঝ) কোঃওপবেটিভকী (স্ফেবদা) চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
	(১) ক্রেদিৎ, কনজুমর্স অমসুং মার্কেটিংগীদমক্ কোঃওপরেটিভ সোসাইটি শেম্‌গৎপা তেংবাংবা অদুগা ক্রেদিৎ অমসুং মার্কেটিং হায়বদি শেঙ্গং পীথোক্ পীশিন্‌গা মার্কেটিং হায়বদি পোৎ য়োন্‌বগা মহৈ লৈগদবা মরি থম্বা; (২) কোঃওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি শেম্‌গৎপা ;

(এ) রেভিনিউ (শেল্ লাক্পা চৎপগী থবক্) অমসুং উমংগী (ম্ফেরদা) চগোদা

গ্রাম পঞ্চায়ত	পঞ্চায়ত সমিতি
	(১) লম্ শেম্দোক্লক্পগী থৌরাংগী বা শন্দোক্পা, লম্ শিন্দোক্-শিঞ্জিন তৌবা;
	(২)গ্রামদান্ খুঙ্গং শেম্গৎপা অমসুং য়েংশিন্বা ;
	(৩) খুঙ্গংগী উমং অদুগা খুঙ্গংগী শঞ্জাবুংগী রিজার্ব (কন্শিল্লিবা) চাওখৎহন্বা অদুগা ঙাক্শেন্বা ;
	(৪) উমং শেম্গৎপা অদুগা লম্লীগী নাকল্দা উ থাবগী থৌবাং লৌখৎপা ;
	(৫) গ্রাম পঞ্চায়ত তা গ্রান্ট, নত্ত্রগা শেন্থং মখোয়গী ফণ্ডদগী পীবা ;

(৪) হন্না য়েংবা -

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা বাজ্যগী এক্টশিংনা পীরিবা থবক্ (ফঙ্কসন্) শিং অসি মফম্ খংদনা য়াম্মই , চয়েংনৈ, থাক্ অমগীগা অমগীগা লোন্শিন্নবা থোক্তুনা লোইশঙ খরদি অরেন্বা, অহেন্বা তাবা ফিভম্দসু লৈ । লোইশঙগী থবক্ খাইবগুম্ থবক্কীসু মচা খাইবা তাবনি । থবক্ খাইবগা লোয়ননা মাগী মাগী থাক্তা ফজনা পাংথোক্পা ঙম্নবা ফণ্ড, পোৎথোক্-লম্থোক্, থবক্ তৌগদবা মী, শক্তি, দায়িত্ব অদুগা থবক্ তৌবদা চংবা মচাক্ মতিক্ চানা পীবা তাই ।

(ক) থবক্কী চাং - থবক্কী চাং য়াম্না পীবা পীদবগী মতাংদা মোত অহুম্ ফোংদোক্লে । অহান্বা কাংলুপ্ অমনা হায়বি-পঞ্চায়তশিং অসি মশানা ঙাক্চবা সরকারগী খুজিংনি, শক্তি অমদি মঙম্, দায়িত্ব চাইথোক্পা তাবনা প্রজাগী ওইবা থবক্তি য়াবমখৈ পীগদবনি । মখল্ মখল্গী চাওখৎ-থৌরম্গী থবক্তা প্রজাশিংবু য়াওশিলহন্বা ঙম্নবা- থাজবা ফংনবা-থবক্কী লুচিংবা পুথোক্পা ঙম্নবা-

মচেৎ ত্তাবা থোক্তনা পুন্না চংশিন্নমিন্নবা ওম্লনবা — লমদম্ লমদম্ অদুগী প্রজাগী অপান্বা, আনংবা য়েংদুনা পীগদবনি অসিনি-লুববদি, চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্ হায়বগা যান্না পাক্-চাওশ্রে ; কদাই ফাওবা পীগদৌ[illegible]না ? পীগদবনা কাব কাবনো, থাক [illegible]পীগদবনা কাব কাবনো লেপ্পদা লুনা থোক্ত, থবক্ [illegible]দবা [illegible]বাদ পঞ্চায[illegible]কী অফবা মমি মাংথবক্নি । অনিশুবা কাং[illegible] [illegible] [illegible] মতুংইন্না [illegible]মোক্রেটিক দিসেন্ট্রেলাইজেশন [illegible]হবগা খুদক্তা অমাদি [illegible] ওমক পীশিনগদ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পীগ[illegible] থবক [illegible] ফংগ্ল হাংপনা নত্তগা অ[illegible] [illegible] [illegible] ওইদুনা [illegible] [illegible] [illegible]থোক্পা [illegible] মবম [illegible] মীয়াম্গী হকচাং, [illegible] অদুগা লম্বীচিং [illegible] [illegible] ফিভম্ [illegible], বাজ্যনা লৌশিন্নগা দায়িত্ব লৌবনা ফৈ । [illegible] অদুনা বেষ্ট লেঙ্গোলদ হকচাংগী [illegible] লৈনাবা থবক অদুগা তামিলনাদুদা মেদিকেলগী লোইশ[illegible] মথং মথং লৌশি[illegible] । [illegible] মহৌদ পঞ্চায়তকী থবক্ অসি চাং অসুম [illegible]বক্তনা অদুনা পঞ্চায়ত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]লবক্লোই । অহুমশুবা কাংবু অমনা বাজ্যনা যাবমখৈ পায়নবস্ লোকেল বোদদা পাবা যাবা মখৈ পাগদবান, থাক্ নাইনা পাইনবগা চুংশি[illegible] [illegible] । [illegible] ওবা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টতা শিন্নগদগে হায়বাসনি । মতম্ মতম্গী ওইনা প্রজাগী অপান্বা অনিংবা মখৈ শিন্নবগা অমুক্ অহেন্বা শিংবা তাই ।

(খ) থবক্কী মওং — মথক্তা খাইখ্রিবা পঞ্চায়তী বাজ লোইশওশিংগী থবক্কী মওং হায়বদি (১) ওব্লিগেটোরি ফঙ্কসন্- তৌদবা য়াদবা থবক্ (২) দিসক্রেসনবি নত্তগা ওবসনেল্ ফঙ্কসন্- অপান্বা মতুং ইন্না তৌজবা য়াবা থবক্ (৩) এজেন্সি ফঙ্কসন্- সবকাবনা নত্তগা অতৈ অতৈনা শিন্নবক্পা থবক হায়বসিগী মহুৎতা অসুম্না খাইবনা হেন্না খুদোং চাগনি মদুদি :- এজেন্সি ফঙ্কসন্ হায়বদি শিন্নবক্পা , থৌদাবক্পা থবক্ অমদি সেল্ফ গোভর্নিং ফঙ্কসন্ হায়বদি মশানা ওাকচ শেঞ্জবগী থবক্ । মওংশিং অসি খুঙ্গংগী প্রজাগী ওইবা সমাজগী, শেলথুম্গী, নাৎকী অদুগা অতৈ অতৈ বিষয় পুম্নমক্তা পায়খৎপা তাবনি । থবক্কী মওং অমসুং বিষয়শিং অসিবুনি মচা খাইনা য়েঙ্খোক্পা হায়রিবসি ।

পঞ্চায়তশিং অসি রাজ্যগী মখাদা সরকারগী (ইউনিট) খুজিং ওইনা ফিল্দ এজেন্সি হায়বদি থবক্কী লবুক্তা এজেন্সি ওইনা থৌদালোই ওইনা থবক্ তৌরি । ভারত অসিদা চাওখৎ থৌরম্গী থবক্ পায়খৎপা মতম্দা প্লান তৌবনিনা হায়বদি প্লান্ ডিভেলপমেন্ট-থৌশিল্ তৌদুনা চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবনিনা সরকারগী থৌশিল্ মখাদা সরকারনা অপান্বা, ওইহন্নিবা মওংদা য়াৎতুনা পীরক্লগা মদুগী নিয়মদা তৌনবা হোৎনরি, মসিদা মনিং তম্না হোংদোক্-হোংজিন তৌদুনা পাংথোক্পা ওমদে, শিন্নরক্লিবা

মওং অদুদা পাংথোক্ই। সেন্ট্রেল্ ডাইবেক্সন্ হায়রদি কেন্দ্রনা তাক্পা নিয়ম্ অদু চংগা তাই; মসিদা পঞ্চায়তনা চুম্নগী (এজেন্ট) ওৌদালোই ওইনা পাংথোক্ই, মপু শাবা গুম্দে।

অনিশুবদা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশংশিং অসিদি প্রজাগী ওইবা লোইশংনি মসিনা মী কাংলুপ্কী শরুক্ য়াবা, তেংবাংবা, য়াওনা চাওখৎ থৌরম্ পায়গদৌবি বনি। মতাং অাসদদি সেল্ফ গোভর্নিং ইন্সটিট্যুসন্ হায়রদি মশানা গুাকচবা লোইশং ওইনা লৈজবা পোৎ লন্, মী শিজিন্নদুনা প্রজাগী মতেংনা, প্রজাগী মংদবা থ'দবা অহানবা তঙাই ফদবা থবক্শিং লৌখৎপা তাই। হিরম অসিদদি সবকাবনা খুং থিংভিন্দনা পীবা য়াবা পৈশা, পোৎ লন্, লম্জিং পাও তাক্ পীদুনা মনিংতম্না পাংথোকতবা চুমই

(গ) থবক য়েন্থোকপা পঞ্চায়তী রাজদা থাক্ তমুম্গী লোইশং লৈবসিদা থবক য়েন্থোকপা মতম্দা ব্রাফম্ খবদা য়ুম্ফম্ ওইদবা যাবোই - চাওনাক্ত খবদি

চংফম্ থোকপা অমদি মফম্ মফমদা ফংবা পোৎথোক্ লম্থোক্ (মী অমসুং পোৎ যাওনা), লম অদুগী মখল্ (মওং) অদুগা পাক্চাওবা, লুচিংবা, লোইশং অদুগী থবক্ তৌবা গুন্বগী পাঙ্গল, প্রজাগী মরক্তা মশানা মশাবু শক্ খংজবা ভন্ন সমাজ অমসুং রাজনীতিগী ওইনা চাওখৎপগী থাক, লোইশং পিকপা চাওবা, খুমাং চাওশিন্বা, শোংবা অাসনচিংবা।

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশংশিং অাস লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী খুজিংনি, অদুম্ ওইনমক্ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট পুম্নমক্ পঞ্চায়তী রাজগা লোইশং নত্তে। মরম্ অদুনা অতৈ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী থবক্ যেন্থোক্পগুম্ পঞ্চায়তী রাজদদি য়াদে। অদুগা অমুক্তদা দেশ পুম্বগী ওইনা, রাজ্য অমগী ওইনা অমুক্তদা মসিমখৈনা ফবগনি হায়দুনা চাং চপ্ মান্ননা থবক্ মখল্ অমসুং চাং খাইদোক্পসু চুমদে, লুনসু থোক্ই। মসিদি 'চাং যেংবা অমসুং শোযবা' হায়বা থৌওং অসিগী মখাদ' লেপ্পা য়াই। হান্না তঙাই ফদনা ম্যুনিসিপালিটিগী ওইবা সিভিক্ ফঙ্কসন্ পীবগা মতম মতমগী মতুংইন্না, থবক্ পাংথোক্পা গুন্বগী মতুংইন্না হেন্না মথং মথং পীবা যাই। অহান্বমক্তদা ইদুকেসন্ (মহৈ তম্বা), হকচাং অমসুং হক্শেল্, কোন্জার্ভেন্সি, নালা শেম্বা, অপিক্পা ইন্দষ্ট্রিজ, নুপী অমসুং অঙাংগী অদুগা অতৈ শোখৌবৰা কাংবুগী থৌরম্ পীবা অদুগা লম্জিংবিবগা পাংথোক্পা তাননবগী খুদোংচাবা পীবা তাই। ইংলণ্ডদা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট (অশম্বদা এল,এস,জি,)গী(জেনেরেল্ ওইবা) সাধারন ওইবা থবক্ অদুগা (স্পেসিয়েল্) থোইদোক্ হেন্দোক্পা আইন্ শেম্ই। থোইদোক্পা আইন্গীদমক্

'প্রাইভেৎ বিল' হায়দুনা থোইদোক্পা তঙাই ফদবগী ওইনা আইন্ পুথোক্লগা অতেম্বা থবক্কী ''যজবক্পা মতম্দা লোইশঙশিংনা আইন পাশ তৌদুনা থবক্ ঙম্বা লোইশঙদা অথোংবা থবক্ মতম্ মতম্গী ওইনা হাপ্পি হায, পাথাপ্ অসি ঐখোযগীদসু চৎনবা যাই। ফ্রান্স অমসুং জর্মনিদা এজেন্সি ফঙ্কসন্ অমসুং সেল্ফ গোভর্নিং ফঙ্কসন্ হায়না খাইদোক্ই হায।

(ঘ) থবক য়েম্মোক্পদা যেংগদবা বাফম্ পঞ্চায়ৎকী থবক্কা মন্নবা খন্নবদা যেংগদবা মবম কয়াদা, মদুগী মতুং তাবদা থবা অদুম্ মচা খাযবক্পা যাই।

(১) পঞ্চায়তনা সবকাবগী অদুগা অতে অতৈ সংস্থাশিংগী মহুৎ শিন্দুনা মখোযদা শিন্নবা থবক্ কয়া এজেন্ট ওইনা থৌদাবোই ওইনা পাযবা যাই। অদুবু, ১৭। নবদা চপ্ চানা মনিংতম্বদি লৈতবা যাদে। অদুবদি লাইনা যাওদবগী অদুগা ইতৌ শাগৎনিংবগী বাখল ব্রাৎপগী ফিভম্দা তাগান। পঞ্চায়তকী মীয়ামগী মহুৎশিন লোইশঙ ওইবনিনা শিন্নবক্পা থবক্ পুম্নমক্ চপ্চানা তৌবা যাদে, মীহুৎশিংগা অপুনবা শিন্নবা যেংনা তৌবা তাবনি। মবম্ অদুনা সবকাবগী থৌশিল্দা কোম্থোক্ কোম্শিল্ থম্বা চুম্মা।

(২) পঞ্চায়তনা থবক পায়খৎপা মতমদা মথক্ থংবা অবাংবা সমাজগী অর্মদি বাজনীতিগী ওইবা লোইশঙশিংগা চপ্চাবা, নিংথিনা য়াৎথোক্লবা মাব থম্ফম্ থোক্ই। মথক্কী লোইশঙশিংনা থবক্ শিন্নবগা লোয়ননা মখোয়বু য়োক্খৎনবগী তেংবাং পীবক্পগা লোয়ননা থবক্কী থৌবম্ য়াৎথোক্লগদবনি।

(৩) গনতন্ত্রগী নিয়ম্দা শক্তি চাইথোক্পগী মতাংদা অথবিতি নত্তগা মঙম্ অসি চুম্নগী শিন্নবা নত্তনা পোৎ-লন্গা লোয়ননা চপ্চানা খুৎশিন্ননবা পীগদবনি। মশাগী মনিংতম্বা, অদুগা অশেংবা শকফম্ ঙাক্লনবা মথৌ অসি তশেং তশেংহন্-গদবনি। লোয়ন-লোয়ননা পোৎ-লন্, মী অদুগা অতৈ অতৈ মচাক্ য়াওনা পীথগদবনি।

(৪) তঙাই ফদবদগী অদুগা (টেক্নিকেল্ ওইবদগী) থোইদোক্পা মহৈ ওইবদগী পঞ্চায়তশিংনা মখোয়গী ঙম্খৈ লান্না থবক্ তৌবা তারবদি অবাংবা সংস্থাশিংগা শকক্ য়ামিন্নবা তাই।

(৫) পঞ্চায়তশিংনা চুম্নগী চাওখৎ-থৌরম্গী থবক্ পায়বতা নত্তনা (সিভিক্ ফঙ্কসন্) সহ্বগীগুম্বা থবক্সু পায়দবা য়াদে। নত্তবদি মীশিংগী থাজবা অদুগা লোইশঙগী ইজ্জৎ ব্রাংলি অদুনা তেংবাংনিংবগী ব্রাখল্সু ব্রাংকনি। ●

(১৩)
পঞ্চায়তকী পোৎথোক্ লম্হোক্

আইন্গী মতুংইন্না শেন্না (ষ্টেট্টোব) পঞ্চায়ত অসি বাজ্য খবদা নত্তনা দেশ শিন্বা থুংবদা লিংখৎনবক্নি। পঞ্চায়তশিংগী থবক্তা তৌদবা য়াদবা অদুগা তৌনিংলগা তৌবা যাবা মখল্ লৈ হায়বসু নৈনন্ত্রে। খিয়য কযাদ' খুদম ওইনা লৌউ শিংউ, শা শংগী থবক্, মইহ তম্বা, হক্শেল অসিনচিংবদা মখল্ মখাগী মওংদা থবক পাযখৎ কদৌব। মখোয়গী শেম্লোক মতুংইন্না পঞ্চায়তনা থক্রুবা ঈশিং পীবা, হক্চাং অমসুং হকশেলগা থবক্, কোন্জার্ভেন্সি, লম্বী শোবোক্ শেম্বা, স্কুল শঙ শাবা, লম্বীদা মৈ থাম্বা, কমুনিতি হোল শাবা অম্রা পোত্থোক্লুবা মফম, অঙাংগী পার্ক শেম্বা অসিনচিংবা শঙানবা ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক্শিং অসি পাংথোক্পা তাই। অসিগুম্বা থবক পাংথোক্পা হায়বসিদা শেল্ চংবা তাবনা পঞ্চাযতনা মফম্ মফম অদুদা যংলিবা পোৎলম শিঞ্জিন্দুনা মখোযগী ফগু হেনগৎনবা হোৎনবা তঙাইফদ্রবনি। পঞ্চাযতনা মতম চুপ্পদা সবকারগী তেংবাং তনা পাংথোক্কান খম্বা যাদে, সবকাবনা মতম্ চুপ্পদা অঙাং চাক ইন্বগুম্ তেংবাং অসুম্ পীদুনা লৈবা হায়বসি ওইথেক্কে ; পঞ্চাযত মশানা ফগু শেম্গৎচগদবনি।

পঞ্চাযতকী পোৎথোক্ লম্হোক্ অদুগা (আই) শেল্ লাক্ফম্ অসি মখাগী অসুম্না ওইগনি।

(১) পঞ্চাযতনা লেপ্লা খাজনা লৌখৎপদগী ফংবা,

(২) ফিজ অমসুং চার্জ ;

(৩) পঞ্চাযতকী লৈজবা লন্ থাদদুনা থবক্ তৌবদগী অদুগা শেন্দোং ফংগদবা থবক্ তৌবদগী কাবকপা শেন্ফম্ ;

(৪) সবকাবদগী ফংবা তেংবাং ;

(৫) মীয়াম্না খার্যজিন্নবকপা ;

বাজ্যগী এক্টশিংগী মতুংইন্না পঞ্চাযতী বাজগী তোঙান্ তোঙাম্বা থাক্কী লোইশঙশিংনা লৌবা য়াবা খাজনা অমসুং ফিজ মখল্শিং মখাদ' পীব :

খাজনাগী পরেং	[illegible]
(১) যুম্গী খাজনা; (২) শিনফম্গী খাজনা ; (৩) লন (ট্রান্সফর) লোংদোক্পগী দিউটি ; (৪) গাড়িগী খাজনা ; (৫) লৌউ-[illegible] উ [illegible] লমদা [illegible] খাজনা ; (৬) (পিলগ্রিম) লাই খুরুম্বা চৎপা [illegible] খাজনা , (৭) মেলা, হরাও কুম্মৈগী থৌদোক (ফেষ্টিভেল্) অদুগা হরাও তয়াম্বা (এন্টরটেন্মেন্ট) তৌবদা লৌবা খাজনা ; (৮) হকশেল্, লু নাম্বগী থবক্তা লৌবা (সেনিটারি) খাজনা ; (৯) নালা শেম্বগী খাজনা ; (১০) মৈ থাম্বগী খাজনা ; (১১) ঈলান্ফম্ থম্বগী খাজনা, (১২) (টার্মিনেল্) অবেপ্পা থম্বগী খাজনা ; (১৩) ঈশিংগী খাজনা ; (১৪) অশেংবা চিঞ্চাক্কী খাজনা ; (১৫) উ বিম্ (যাম্বুৎলবা উকক্)কী খাজনা ; (১৬) থাউনা শিজিন্নবা ইঞ্জিন্ খাজনা; (১৭) শা-শলগী মেলা তৌবগী খাজনা ; (১৮) যোন্নবা পুবক্পা শাশিংদা লৌবা খাজনা ; (১৯) মৈদগী খুদোংথিবা থোক্তবগী খাজনা ;	[illegible] লানশিন্নরকপা ফাদুদা থম্বগী (কেটল [illegible]) [illegible] , (২) (পোনে [illegible]বাক) [illegible] ফিজ (৩) খ[illegible]থাক [illegible] ফিজ [illegible] লৈবগী ফি[illegible] (৪) যো[illegible] শাশি[illegible] ; (৬) [illegible]খলদা [illegible] দুনা থম্বা পো[illegible] ; (৭) গাড়ি থাকম[illegible] ফিজ , (৮) বস গাড়ি থাফ[illegible] ফিজ (৯) পঞ্চায়তকা লম্মদা শা [illegible] শাজিক চাবগী ফিজ ; (১০) অপিবক্পা পোৎফম্ অদুগা লম্নাই পোৎফম্ ফম্বগী ফিজ ; (১১) শাগী মউল্ (শউন্) থোম্বম্বগী ফিজ ; (১২) চাগী দুকান্ অদুগা রেসটোরেন্ট হৌগৎপগী ফিজ ; (১৩) যুম্, শঙ শাগে হায়না দরখাস্ত থাবগী ফিজ ; (১৪) শা-শল্ হাৎনবা যুম্ শিজিন্নবগী ফিজ ; (১৫) ব্রোকর নত্ত্রগা কমিসন্ এজেন্টশিংদা লাইসেন্স পীবগী ফিজ ;

খাজনাগী পবেং	ফিজগী পবেং
(২০) ওক্ত্রোই ; (২১) কোলা গাকম্ (পোৎথোকী অকম্ অয়াংদা, মাশ্ংদা, চাংদা ওন্দুনা য়োম্বগী) খাজনা , (২২) লমগী খাজনা , (২৩) সেন্‌য়ান্জে শেন্দোংগী মথক্তা লৈবা খাজনা (২৪) [illegible] খাজনা , (২৫) [illegible] পোৎথোক্‌শিং লৌব খাজনা , (২৬) [illegible] খাজনা (২৭) [illegible] লৈবা খাজনা , [illegible] (২৮) [illegible] অহেনবা লৌবা খাজনা (৩০) [illegible] লৌবা খাজনা	(১৬) অচৌবা কৈথেল্ শঙগী ফিজ , (১৭) গাড়ি রেজিস্টার তৌবগী ফিজ , (১৮) ন্যায পঞ্চায়ততা কেশ থাঙ্গৎলকপগী ফিজ , (১৯) খুদোংথিবা অদুগা মবাল ফংব যাব' কাববাব মপুদা লাইসেন্স পাবগ ফিজ , (২০) থযেটর মপুদগী লৌব লাইসেন্স ফিজ , (২১) ফেক্টোরীল খৎপা যাবগা লাইসেন্স পাবগা ফিজ , (২২) লাউ খবক্ষক্রম অদুদা তীর্থ চৎকমদা [illegible] ফিজ (২৩) অমৈব [illegible] মাশুল , (২৪) [illegible] (খাজনা) ফি (২৫) [illegible] ফিজ (২৬) [illegible] দোকপগী [illegible]

(১) খাজনা

আসাম্, গুজরাত, জামু কাশ্মীর, রাজস্টান অমসুং উত্তর প্র দশনা [illegible] খাজনা মখল্ পুম্নমক লৌবগী তঙাইফদবা লৈতে। যুমগী (যুম্‌থোংগী) খাজনা লৌব অসি অন্ধ্রপ্রদেশ,কেরালা, মহারাস্ট্র,মধ্যপ্রদেশ, তামিল্নাদু, কর্নাতাক অমসুং পঞ্জাবতা কম্পলসরি হায়বদি লৌদবা যাদবা ওই , [illegible] খাজনা অসি মহারাস্ট্র অমসুং পঞ্জাব যাওদনা হায়রিবা রাজ্যশিং অসিদা লৌদবা যাদবা খাজনা ওই । গাড়িগী খাজনা অসি কেরালা অমসুং তামিলনাদুদা লৌদবা যাদবনি । এক্ত খবদা খাজনা খবনা লৌদবা যাদবা অদুগা অতৈ খবনা তঙাই ফদনা লৌগদবা ওইদে ।

খাজনা লৌবা হায়বসি তশেংনা পুথোক্লকপা শুংঙাইতবা থবক্ অমনি অদুবু যাম্দ্রবদা মখল্ খবগী খাজনা লৌখৎপা হায়বসি পঞ্চায়তকী মশাগী ওইবা মফম্দগী আই হায়বদি শেল্গী চাগা কাবক্লনবগীতা ননো লোইশনবা অসি মশানা ঙাক্চবা শিঞ্জ-লাংজবা সবকাব অমনি হায়বসি খংহন্নবা, তৌদবা য়াদবা থক অমা ওই। মবম অদনা য়ুমথোংগী খাজনা, শিন্ফমগী খাজনা, গাড়িগী খাজনা অসিগুম্বা খরদি হিবম অসিগীদমক্তা চানর্বনি।

(ক) য়ুম্গী নত্ত্রগা যমথোংগী খাজনা

পঞ্চায়তী রাজ ফাইনান্স ১৯৬৩ গী ওইবা সৈন্দি টিম অসগী রিপোর্ট মতুংইন্না অসুম্না লৈ –

(১) য়ুমথোংগী খাজনা অসি, য়ুম্ অদু শাবদা চংলিবা শেল্দা ওইনা মমল অদুগী মতুংইন্না লেপ্নুনা লৌবা যাই।

(২) য়ুম্গী খাজনা অসি লৌবদা অখনপা লৈবোইদর্বনি।

(৩) য়ুম্গী মমল লেপ্পনবগীদমক মানংতম্বা এজেন্সি (তৌদাবোই) শমা শেম্গদবনি।

(৪) য়ুম্গী খাজনাগী ওইনা খ্বাইদগী যাম্দবদগী খ্বাইদগী যাম্বা হাওবগী মনুংদা (রেট) চাং অমা য়ুম্ শাবদা চংবা মমল্গী মতুংইন্না মখাগী অসুম্না লেপ্পা যাই হায়না লৈবম্মী।

য়ুম্গী অচংবা মমল্	খ্বাইদগী য়াম্দবা রেট (চাং)	খ্বাইদগী যাম্বা রেট (চাং)
(ক) লুপা ২৫০ দগী হেনদবা	পৈঃ ২৫	লুপা ১
(খ) লুপা ২৫১ দগী ৫০০	পৈঃ ৫০	লুপা ২
(গ) লুপা ৫০১ দগী১০০০	লুপা ১	লুপা ৫
(ঘ) লুপা ১০০০গী মথক	লুপা ৫০০ নত্ত্রগা মদুগী মচেং ওইনা হেন্গৎপা খুদিংগী খ্বাইদগী য়াম্দবা চাংদা হেন্গৎকদবনা পৈঃ ৫০ অদুগা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা হেন্গৎকদবনা লুপা ২ ৫০	

(টাউন্ পঞ্চায়তকী মতাংদদি চাং অসি ব্রাৎখৎপা য়াই। অদুগা (রেট) চাং অসি মতম্গী মতুংইন্না হেন্গৎহন্বা তাই।)

য়ুমথোং খুদিংদগী চাং খবগী ওইবা খাজনা লৌবা অসি চুম্বতা নত্তনা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ । য়াম্না লাইববা ইমুং ওইবা তাববা ফাওবদা অনেম্বা চাংদা খাজনা খবা পীবা হায়বসি অব্বাবা অমা নত্তে ।— মসিগী খাজনা অসি পীবদা মখোয়না পঞ্চায়তকী ফগুদা হক্থেংননা অঙম্বা খবদি খাইজিল্লি, মদুগী মহৈ ওইনা পঞ্চায়তনা পায়খৎপা থবক্তা মখোয়দা খুদোংচাবা খবতা ওইববসু পীগদৌবিবনি হায়বা খাখল্ অমা পোক্হনগনি ।

(খ) প্রোফেসন্ নত্ত্রগা শিন্ফমগী খাজনা—

খুঙ্গংদা থবক পাইখৎলিবা কম্পানি, ফার্ম নত্ত্রগা শিনফম পায়বিবা, মহৈ নত্ত্রগা শিল্পম্ পাযবিবা নত্ত্রগা অতৈ লল্লোন ইতিক তৌবিবা নত্ত্রগা মীযাম্গী ওইববস্, লন্নাইগী ওইববসু ফম্ পায়্যবিবা মী শিংদগী শিনফমগী খাজনা ওইনা মবম অমাদ মতা চাবা চাংদা খবা লৌগদবনি ।

পঞ্চায়তী বাজ ফাইনান্সকী ১৯৬৩ গী স্টদি টিমনা অন্ধ্রপ্রদেশকী বেট অদ পুখৎখি ।

৷ খল	চহিগী তাই		খ্বাইদগী যাম্দবা চহিগী খাজনা	খ্বাইদগী যামনা চহিগী খাজনা
(ক)	লুপা ৩০,০০০গী মথক্তা ফংলা		লুপা ২০০	লুপা ২৫০
(খ)	লুপা ২৪,০০১	৩০,০০০	লুপা ১৫০	লুপা ২০০
(গ)	লুপা ১৮,০০১	২৪,০০০	লুপা ১০০	লুপা ১৫০
(ঘ)	লুপা ১২,০০১	১৮,০০০	লুপা ৫০	লুপা ১০০
(ঙ)	লুপা ৯,০০১	১২,০০০	লুপা ২৪	লুপা ৭৫
(চ)	লুপা ৬,০০১	৯.০০০	লুপা ১২	লুপা ২৫
(ছ)	লুপা ৩,৬০১	৬,০০০	লুপা ৮	লুপা ১৬
(জ)	লুপা ২,৪০১	৩,৬০০	লুপা ৪	লুপা ৮
(ঝ)	লুপা ১,২০১	২,৪০০	লুপা ২	লুপা ৪
(ঞ)	লুপা ৬০০	১,২০০	লুপা ১	লুপা ২

(গ) গাড়িগী খাজনা - একাগাড়ি যাওনা গাড়ি খুদিংগী অবেপ্পা চাংদা খাজনা লৌগদবনি । মোতোবগী ওইবা গাড়িশিংদি য়াওবোইদবনি, মখম্দি মসিগীদি থোইদোক্ হেন্দোক্পা আইন্ লৈ । বাজ্য সবকাবনা মোতোব ভেহিকল্ নত্ত্রগা গাড়িগী খাজনাদগী শকক্ খবা পঞ্চায়ততা খাইবা য়াই । খ্বাইদগী য়াম্দবা গাড়িগী চহিগী খাজনা ইং ১৯৬৩ অদ্বাইদা লুপা ২ গাড়ি খুদিংগী ওইনা অদুগা চহিগী য়াম্লবদা সাইকল্গী লুপা ৪, শল্গাড়িগী ওইনা চহিগী লুপা ১০ পানখি । খাজনাশিং অসি চাং মান্ননবা পঞ্চাযত সমিতিনা মতম্ মতম্গী ওইনা লেপ্পা ফৈ ।

(ঘ) ফিভম্‌গী অমদি লম্‌গী খাজনা - বিহাব, ওবিষা অমসুং বেস্ট বেঙ্গোল্‌দা লম্‌গী সেস অমসুং য়ুম্‌গী খাজনা ওইনা লৌই, মসি অনিথোক্লা লৌবনা ফৈ।

(ঙ) ওক্ত্রোই – ওক্ত্রোই অসি আইদি যাম্না কানিংঙাই লৈ, অদুবু হৌজিক্কী মতম্‌দদি অতোপ্পা চাওখৎপা মওংগী খাজনানা মহুৎ শিন্বা লৈই ;

(চ) লাই খুবম্বা, তীর্থ চৎপা মীদগী লৌবা খাজনা (পিল্‌গ্রিম্‌ টেক্স)-- মখল অসি পঞ্চাযত সমিতি নত্ত্রগা জিলা পাবিষদ্‌না লৌবা য়াই অদুগা মফম অদুগী পঞ্চায়ত অদুদা শরুক্‌ খবাদ খাইনা য়াই। মখল্‌ অসগা খাজনা অসি মহাবাস্ট্র, গুজবাত, জাম্মু কাশ্মীব, বাজস্টান অমসুং বিহাবদা লৌই।

(ছ) শাশিংদা লৌবা খজনা – মসি লৌবা য়াবা বাজ্যগী বাজ্য সবকাব শিংনা ওইথোকপা য়াবদু যেংবা য়াই। মসি জাম্মু-কাশ্মীব অমসুং পঞ্জাবতা লৌই

(জ) হবাও নুংঙাইবগী খাজনা (এনটবটেইনমেন্ট টেক্স)– বাজ্য সবকাবনা খঙ্গংগী লমদগী থোম্‌জম্বা খাজনা অদু গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং পঞ্চায়ত সমিতদা পুংবা য়াই। মাসগী মথক্তা (শো টেক্স) হায়বাদ কুম্মৈ উৎপগী খাজনাসু লৌবা য়াই।

(ঝ) কোলাগাবম্‌ নত্ত্রগা কাটফসুম্‌ টেক্স - মখল অসগী খাজনা অসি অন্ধ্র প্রদেশকী জিলা খবদা চৎনবী ওইনা লৌই, মসি খুঙ্গংদা পাৎ অসি অকক্কদা, মশং নত্ত্রগা চাংদা যোন্‌বা পোৎকী মথক্তা লৌবনি। মসি শেল্‌ য়াম্না ফংফম ওইবা অমনি

(৯) ফিজ, বেটিন চংবা অসি পৌনা মখল খনা খাইদোকপা য়াই –

(ক) কান্নবা থবক তৌবিবগী (সার্ভিস তৌবগী)– ঈশিং পীবা, নালা শেম্বা, লম্বীদা মৈ থানবা অদুগা কোন্‌জার্ভেন্সিগীদমক্‌ (লেংহন্দনা থম্বগীদমক) অসির্নাচিংবা থবক্কী ওইনা ফিজ ওইনা কান্নবা ফংলিবশিংদগী লৌবা অসি চুম্মী, বাজ্যগী এক্ট অয়াম্বদা মসি হাপনৈ।

(খ) লাইসেন্স ফিজ – ফিজ মখল্‌ অসি পঞ্চাযতকী শক্তি য়াবমখৈ উৎননবগীদমক্‌ লৌবা য়াই, বাজ্য সবকাবনা অচেৎপা ফিবেপ্‌ থমদুনা মসি লৈহন্বা ফৈ।

(গ) দণ্ডিগী মওংদা জবি ওইনা লৌবা ফিজ – জরি ওইনা দণ্ডিগী মওংদা পৈশা খবা লৌবসু তঙাইফদে– লম্‌ হেঞ্জিন্না লৌশিন্‌বা, আইন্‌গীবাংমদা থবক্‌ তৌশিল্লক্‌পা, পাইশিল্লক্‌পা অদুগা অথিংবা পোৎতা কাৱবারগুম্বা তৌশিল্লক্‌পা অসিনচিংবদা লৌবা চুম্মী।

(ঘ) কেতল্ পাউণ্ড – পঞ্চায়তকী অকক্লবা লমগী মনুংদা শা-শল্ হেঙ্গিল্লকপা অদু ফাজিন্দুনা পৈশা লৌবা অদুগা পঞ্চায়তকী লন্ ওইহন্বা, মদুগীদমক্ রেট (পৈশাগী চাং) লেপ্চবা য়াহন্বা চুম্ই।

(ঙ) কৈথেল্গী মফম্ – কৈথেল্ ফম্ফম্দগী ফিজ লৌবা য়াই, মসিদগীসু য়াম্না ফংনিংঙাই লৈ।

(চ) স্টেম্প দিউটি – চৎনরিবা স্টেম্প ফিজগী মথক্তা অহেন্বা ওইনা চাং খবা কক্লুনা লৌবা য়াই। সমিতি অমগী মনুংদগী অফংবা অদু খোম্জিল্লগা সমিতি অমসুং পঞ্চায়তশিংগী ওইনা য়েন্নবা য়াই।

(ছ) বেভিনিউগী শকক্ – বাজ্যগী শেল্ লাক্ফম্ ওইবিবা লৌ-ইথোল্গী খাজনা, মখল্ কয়াগী খাজনা, ফিজ, সেসনচিংবা অসি পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংদা খোম্জিল্হন্বা য়াই। কার্বাক্লিবা শেল্ফম্ পুম্নমক্ নত্রগা শকক্ খবা পঞ্চায়তশিং অসিদা পীবা য়াই, বাজ্য খবদদি মসি তৌই।

(৩) পঞ্চায়তকী লন্ শিজিন্নদুনা, শেল্ থাদদুনা শেন্দোং তাম্বা যাবা থবক্ লৌখৎপা –

খাজনা অমদি ফিজনচিংবা খোম্জিন্বা ঙাক্তনদি পঞ্চাযতকী ফণ্ড মপুং ফাবা ঙম্দে। মফম্ মফম্দা ফংলিবা পোৎ লন্ শিজিন্নদুনা পঞ্চাযতকী ফণ্ড মপুং ফাহন্বা হাযবসি তৌদবা য়াদ্রবা থবক্লি। মসি তৌবা তাববদি পঞ্চাযতকী লম্ মনুংদা লৈবিবা পব্লিক্ প্রোপর্টিজ হায়বদি মীয়াম্গী লন্ ওইবিবা অকোক্পা মফম্, অহাংবা লম্, শঞ্জাবুং, লম্বী, পাৎ-কোম্, হৌবিবা উ-ব্রা, গুহা, তুবেল্ খোংনুং, অচৌবা পুখ্রি, ঈচেল্ মচা, ঈশিং থুন্বা লম্, ঙা ফাফম্, চীংদুম্, নালা, লৌখোং, উমং অসিনচিংবা লন্নাইগী ওইদবা পোৎশিং অসি সবকাবনা পঞ্চায়ততা মপু ওইবগী হক থম্না শিন্নথোকদবনি। হায়বিবা লন্শিং অসি লৈববদি, মখোয়শিং অসি মওং কযাদা শিজিন্নদুনা, শেম্ শাদুনা খাজনা, ফিজ কয়া অমসু ফংগনি ; মদুগী মথক্তা মখল্ মখা কযাগী শেন্দোং ফংগদবা থবক্ লৌখৎপা য়াই। লম্শিং অসিদা পঞ্চাযতনা উ থাদুনা উয়োক্ শেন্বা, মবম্ কযাগী ফার্ম লিংখৎপা, উহৈ-ব্রাহৈ থাবা, বিজ্ঞান্গী পান্থে শিজিন্নদুনা লৌউ-শিংউ অর্মদি মসিগা মবী লৈনবা থবক কয়া তৌবদা চহি চহিগী অচৌবা শেনফম্ ফংনিংঙাই লৈ। ঈচেল্ লৈত্রবা অবিবা তুবেল্ খোংনুং, পাম্থি-কোম্থি, ঈশিং তুংবা অপাক্পা মফম্শিং নিংথিজনা শেংদোক্লগা পাক-চাওনা ঙা য়োক্পদা শেল্ চাওনা লাক্লনবগী পান্থে অমনি। চীংদুম্ মচা মচাশিংদা উহৈ ব্রাহৈ থাবা, উমং শেম্গৎতুনা ব্রা-উর্নচিংবা য়োক্খৎপদা মতম্ খবগী মনুংদা অচৌবা শেন্ফম্ ফংগনি। লৈপাক্ পেক্ফম্, লৈঙোই অমসুং নুং পেক্ফম্ শেন্নগা পোৎশিং অসি লৌহম্বদা শেল্গী পেবে ওইদুনা য়াম্না চাওখ্রবা শেল্ফম্ ইবাই লাইনা শেল্ ইথা থাদদনা, য়াম্না কোম্না তৎপা লৈতবা শেল্ ফংগনি।

পঞ্চায়তনা ঙম্জববদি শা-শল্ লোইবা, ঙানু, য়েন্ লোইবা, শা য়োক্পা অসিনচিংবা পায়খৎপদা অটৌবা আই ফংগনি। মসিগীদমক্ হৌদোক্ শেল্ ওইনবা সবকাবনা লোন (শেম্বুং) নত্তগা গ্রান্ত পীদুনা কাববাব হৌদোক্হন্বা চুম্মী। মসিবু শিল্-লাংবা ঙন্নবদি পঞ্চায়ত অসি মখোংনা লেপচবা ঙন্বা লোইশঙ্ক ওইনা লৈবা ঙম্গনি অদুগা সবকাবদা পোৎলুম্ ওইদবতা নত্তনা প্রজাদা থবক্ পীবা ঙম্বগা লোয়ন-লোয়ননা অহিংবা সবকাব ওইদুনা প্রজাগী থাজবা হেন্গৎকনি। মসিগীদমক্তা পঞ্চায়তকী মনুংদা লৈবা লম্ অদুগা মীয়াম্গী লন্ পুম্নমক্ নত্তগা শকক্ খবদি পঞ্চায়তত্তা শিন্নফম্ থোক্ই, কবিগুম্বা লম্ লৈত্রবা ফাওবদা সবকাবনা পাট্রাগী। লম্দগী মতিক চানা লৌশন্দুনা পঞ্চায়তত্তা শিন্নবগা মীয়াম্গী লন্ ওইহন্গদবনি।

(৪) লোন্ নত্তগা গ্রান্তকী মওংদা সবকাবগী তেংবাং –

(ক) পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংনা থবক্ মওং খবা পাযখৎনবগীদমক্ লোন্ নত্তগা শেল্ পুবগী শেম্বুং ফংবা য়াই - খুদম্ ওইনা

(১) পব্লিক্ ইউটিলিটি সার্ভিস হায়বদি মীয়াম্দা কান্নবা পীবা থবক্কীদমক্– ঈশিং ব্রাত্তনা পীবা, ঈবম্ নালা শেম্বা, মৈ থাম্বা অসিনচিংবা;

(২) দুকান, কৈথেল্, হোটেল্, সিনেমা হোল্ অসিনচিংবা শেল্ কাবক্পা য়াবা থবক্ পায়খৎপগী;

(৩) ট্রেক্টব, পম্প সেট, গুহা তৌনবা খুৎলাই অমদি মচাক্, লৌ যৈনবা মেছিন্ (থ্রেসব), লৌউ শিংউ অমদি অতে থবক্কী খুৎশু-খুৎলাইনচিংবা লৈনবা;

(৪) বিজ্ঞানগী ওইবা মওংদা ঙা-য়োক্পা, ঙানু-য়েন্ লোইবা, হামেং, ওক্ অসিনচিংবা শা য়োক্পা অদুগা মখল্ মখাগী ফার্মিং তৌবগী,

(৫) খুৎনাইবগী, খুৎ-শা হৈবগী থবক্ মখল্ মখা পায়খৎপগী;

মথক্কী থবক্শিং অসি পায়খৎপগীদমক্তা মতিক্ চাবা শেল্ লৈতবা য়াদে। বাজ্য সবকাবনা পঞ্চায়ত পুম্নমক্তা চংগদবা পৈশাগী শেম্বুং পীবা ঙম্লোই অদুনা শেল্গী থবক্ তৌবিবা লোইশঙশিংদগী ফংহন্নবা শিনবিবা য়াই। থবক মওং অসিদা বাজনীতিগী ইথিল্ ফংহল্লোইদবনি।

বাজ্যশিংদা পঞ্চায়তী বাজ ফাইনান্স কোর্পোবেসন লৈবা শাম্নদুনা লাক্খি। সংবিধান্ (৩শুবা শেমদোক্পা) এক্ট ১৯৯২ লাক্পদগীদি বাজ্যগী ফাইনান্স কমিসন্ লৈবগদবনা অহোংবা অমদি লাক্লগনি।

(খ) সরকারনা পীবা য়াবা গ্রান্তকী মওংশিং -

(১) পর্পসিভ গ্রান্ত — পঞ্চায়তশিংগী থবক্ তৌবা মীদা তলব পীবা গুম্দবা য়াই, অসিগুম্বা ফিভম্দা রাজ্যনা গুম্নমক্ নত্ত্রগা শরুক্ খরা গ্রান্ত ওইনা পীবা য়াই ;

(২) মেট্চিং গ্রান্ট — মখল্ অসিগী গ্রান্ট পীবা অসি পঞ্চায়তকী খাজনা ফংবা অদুগা যেংনবগা পীবা য়াই । পঞ্চায়তনা থবক্ অমা তৌবদা পৈশাগী লাম্বা ওইনা পীবা তাবনি । তামিল্নাদুদা সবকারনা পঞ্চাযততা মখোয়না খোর্মজিম্বা যুমদগী খাজনা অদুগা মান্ননা গ্রান্ট ফ"হল্ল । রাজ্য খরদদি বাজ্যগী রেভিনিউ ফজনা খোম্বগী মনাশু পী ন ;

(৩) ইকেলাইজেসন্ গ্রান্ট — বাজ্য অয়াম্বদা পঞ্চায়তশিংনা ফংলক্লিবা লম্গী খাজনা অদুগা সেসনচিংবা মান্নদবা চাংদা ফংলক্লিবা অদু য়েংদুনা মান্ননবা গ্রান্ট পীনৈ । মহরাস্ট্র সবকাবনা লম্গী খাজনাগী চাদা কুম্বাগী চাংদা নত্ত্রগা মীকোক্ অমদা লুপা অমগী চাংদা কুপ্খৎলি । অন্ধ্রপ্রদেশতা মীকোক্ অমদা পৈশা কুন্মগাগী চাংদা হম্বনা লৈবা পঞ্চায়ততা য়েম্বোক্লবা খাক্ই । কর্নাতকানা লম্গী খাজনাগী চাদা কুম্বা গ্রান্ট ওইনা থম্ই ।

(৪) বেসিক্ মিনিমম্ মেন্টিনেন্স গ্রান্ট—পৈশাগী মগুন্ লৈরিঙৈ মতম্দা মীকোক্ অমদা য়াম্দ্রবদা লুপা অমগী চাংদা গ্রান্ট পীবসি পাম্নবক্ই । অসিগুম্বা মতম্দা ফ্রান্স, ইউঃকেঃ অদুগা অতৈ মপাল্গী দেশতা পঞ্চায়তকুম্বা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্নিং বোদিদা গ্রান্ট অসি মীকোক্ অমদা লুপা য়াম্খ্রেদগী চামা ফাওবা পীনরম্ই । শেল্গী মগুন্ হম্বকপগা লোযননা মতম্ মতম্গী ওইনা চাং অসি হেঙ্গৎনা লেপ্পা তাই ।

(গ) থোইদোক্ হেন্দোক্পা মখল্গী খাজনা (স্পেসিয়েল্ টেক্স)— থোইদোক্ হেন্দোক্পা চাওখৎ-থৌবম্গী (প্রোজেক্ট)অচৌবা থৌরাং অমগীদমক্ পঞ্চায়তনা থোইদোক্পা খাজনা—লৌ ইম্খোল্গী খাজনা, য়ুম্গী খাজনা, অসিনচিংবদা য়ুম্ফম্ ওইরগা নত্ত্রগা অতোপ্পা করিগুম্বা অমদা য়ুম্ফম্ ওইদুনা লেপ্পগা লৌবা য়াই ।

(৫) খাইগৎপা (কোন্ট্রিব্যুসন্)- পঞ্চায়তকী লম্দা লৈবা মীশিংনা থবক্কীদমক্ শেল্ ওইনা মশা মশানা য়ানা খাইগৎনবা হায়বসি য়াম্না ফবা মওং অমনি । থবক্কী থৌবম্ মতুংইন্না চংগদবা পোৎচং খাইগৎনবগী তঙাই ফদবা মতাংসু লাক্ই; মসিসু খুঙ্গংগী লম্দদি য়াম্না ফজবা মওংনি । শেল্ অমসুং পোৎতগী হেন্দোক্পা মীওইবগী পাঙ্গল্ খাইগৎনবা নত্ত্রগা পুথোক্লবা তৌদুনা মীয়াম্গী থবক্ তৌবা হায়বসিসু খ্বাইদগী লাইবা, ওইথোক্পা য়াবা অদুগা হিরম্ খুদিংদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওং অমনি । খুঙ্গংদা মীগী পাঙ্গল্ অসি কোম্না ফংই, শেল নত্ত্রগা পোৎ পুথোক্পা হায়বসিদি য়াম্না লুনা

থোক্পসু য়াই ; তৌইগুম্বসুং পাঙ্গল্ পুথোক্নুনা হয়াওনা চুংশিন্নদুনা শুমিন্নবা হায়বসিদি থবক্কী ওইনা অমদি নুংগী ব্রাথয়োনগী ওইনা য়াম্না মমল্ য়াম্বা তুংকোইনা মহৈ লৈগদবা মওংনি । মীশিংনসু য়ানিংনা অমদি গুম্জনা পাঙ্গল্ পুথোক্লকই । লেবব টেক্স নত্ত্রগা পাঙ্গল্না নোম্বগী খাজনা ওইনা শেল্ অমসুং পোৎকী মহৎতা পীহন্বা পুথোক্হন্বা য়াই । নত্ত্রগা নত্ত্রগা লেবর বেহুকী ওইনা (স্পেসিয়েল) থোইদোক্ হেন্দোক্পা ওইনা পাঙ্গল্ খাইজিন্নহন্বা য়াই, মওং অমগী খাজনা নত্ত্রগা ফিজ অসিসু পাঙ্গল্না মহৎ শিল্হন্বা য়াই ।

কেন্দ্র সবকাব অমদি বাজ্য সবকাবনা মতিক্ চানা লোন্ নত্ত্রগা গ্রান্ট পীববা, মীযাম্গী ওইবা লন্ (পব্লিক্ প্রোপর্টিজ) অসি শিন্নদুনা শিজিন্নহল্লবা অদু ওইববদি প্রজাদা অমদি পঞ্চায়ততা ব্রাখল্গী নত্ত্রগা পুক্লিংগী ওইবা ইথিল্ অমা পোক্হনগনি মদুগী মতুং তাবদা খাজনা অমদি ফিজ খোম্গৎপদা লাইনা থোক্কনি । সবকাবগী তেংবাংতনা পঞ্চায়ত য়োক্পা ওইথোক্তে, মখোয় মশাগী পোৎ-লন্ শিজিন্নদুনা পোৎথোক্ লম্ভোক্ ফংলগা মশাগী ফণ্ড শেম্জগদবনি ।

মতাং অসিদা চীনাগী পাউবৌ অমা নিংশিংবা য়াই —‘মী অমদা ঙা অমা পীয়ু, মী অদুনা নুমিৎতুমদি ঙা চাগনি, অদুগা মী অদুদা ঙা ফাবা তম্বিয়ু-অদু ওইববদি মহাক্ মপুন্সি চুপ্পা ঙা চাগনি ।’ ●

(১৪)

পঞ্চায়তী রাজ অমসুং খুঙ্গং চাওখৎ থৌরম্দা লম্য়ান্খিবা ভারতকী লুচিংবা খরগী ৱাখল্ ।

(১) মহাত্মা গান্ধীজীগী ৱাখল্

ভারত জা তগী মপা হায়না খংনখ্রবা, লাইগী ওইবা গুণ্ কয়াগা লোয়ননা পোকখ্রবা মহাত্মা গান্ধী লৈখা তাররা ভারতপু কনবিনবগীদমক্ তশেংনা ঈশ্বরনা থিরকখিবা মীশক্তি হায়বা য়াই । মহাত্মাগী ৱাখল্দি হিংসা য়াওদবা, নুংশিনবা, কাংলুপ্ খাইদনা নিংবদা হোংদবা, থৌনানা মাংওইনবা, খাংবা কন্বা, কখোক্পা আসনা হৌবা গুণ কয়াদা যম্ফম ওইখিবনি ।

(ক) রাজনীতিগী লম্দা– মশাদা চেন্না গুণশিং অসি ভারতকী প্রজাশিংদা শংহল্লবা হোংনববা তুংদা লাপ্লোং শিন্দুনা ইং ১৯৪২ গী আগষ্ট তাং ৯ দা (কুইট ইন্দিয়া) 'ভারত থাদোকউ' হায়বা খোল্লাও লাওহনখিবা অদগা (দু ওর দাই) 'থবক্ তৌরা নত্তগা শিবা' হায়বা ফরেপ লৌহনখিবা অকি ওজুংবা থৌদোক্নি । পৃথিবীদা, নুমিৎ তারা নাইদ্রবা সাম্রাজ্য লিংখৎলম্বা কল্লগা থাকওমদ্রবা ব্রিটিশকী মাইয়োক্না চুম্মগী খুৎলাই অমতা পায়দনা 'অহিংসা' হিংসা তৌদবা অমসুং নন কোঅপারেসন' হায়বদি তেম্নবিদবা হায়বাশং, আসগা লোয়ননা 'সত্যাগ্রহ' হায়বাসগনা খুৎলাই ওইনগা থেংনদুনা ভারত থাদোক্ হংখিবা মাওইবা জাতনা ঙক্লা য়েংনাখর্বনি । ই ১৯৪৭ আগষ্ট তাং ১৫দা 'স্বরাজ' হায়বাদ মশানা ঙাক্চবা নীংতম্বা ফংলে, রাজনীতিগী লম্বীদা অঙকপা থৌদোক্ অমনি ।

(খ) গান্ধীজীগী ৱাখল্দা খুঙ্গংগী স্বরাজ– রাজনীতিগী নীংতম্বা ফংলবদা শেল্-থুম্গী অমদি সমাজনচিংবগী নীংতম্বা ফংননবা হোৎনবদা গান্ধীজীনা খোং থাংজিন্খি । লৈপাক্ পুম্বগী চাওখৎপা হায়বসি খুঙ্গং চাওখৎপতনা ওইগনি হায়বসি গান্ধীজীগী অচেৎপা থাজবনি । মহাক্কী ৱাখল্দা খুঙ্গং খুদিংমক্ মপুংফাবা রিপব্লিক্ অমনি, মশাগী অৱাৎপা পুম্নমক্ মশানা মেন্শিন্নবা হোৎনগদবনি ; তঙাই ফদবগী নত্তনা অতোপ্পদা তাংজবোইদবনি । খুঙ্গং অমগী অহান্বা তৌগদবা থবক্তি চাননবগীদমক্ চিঙ্গাক্কী মহৈ-মবোং থাবা, ফীগীদমক্ লশিং থাবনি । খুঙ্গংদা মহৈ-মবোং থাফম্, অঙাংশিংগী শান্নফম্, অৱা পোখাফম্, অঙাং-নহাবোল-অহল্ পুম্নমক্কা তিন্নফম্গীদমক্ লম্ মতিক্ চানা (রিজার্ভ) কন্শিন্দুনা থাক্কদবনি । খুঙ্গংদা মতিক্ চাবা লম্ হেন্না লৈররদি

শেল্ ফংবা য়াবা মহৈ-মরোং (হিদাক্ মনা, গঞ্জা, আফিংগুম্বা নত্তবা) থাননবা হোৎনগদবনি । খুঙ্গংগী স্কুল্, থিয়েটব অমসুং মীয়াম্ তিন্ফম্, থক্লবা ঈশিংগীদমক্ গুহা, পুক্ত্রি থম্বগী তঙাই ফদবা লৈ । অবোইবা বেসিক্ ফাওবগী ওইনা মহৈতম্বা অসি কম্পল্‌সবি হায়বদি তৌদবা য়াদবা ওইহন্‌গদবনি । শোক্ত-শম্লবা য়াদবা, জাতি অমদি কাংলুপ্ নাইবা থম্‌দনা থবক্ খুদিংমক্ কোঃওপবেটিভ ওইনা হায়বদি অপুন্‌বগী ওইনা হোৎনমিন্নগদবনি । 'অহিংসা' অদুগা মসিগী খুৎলাই 'সত্যাগ্রহ' অমসুং 'নন্-কোওপরেসন্' শিজিন্নবা হায়বসিনা খুল্ অপুন্বগী ওইবা অয়াবা ওইগদবনি । ফিভম অসিদা খুঙ্গংগী স্ববাজ হাযবদু ওইগনি, হাযবদি লৈগনি ।

(গ) গান্ধীজী অমসু, পঞ্চায়তী বাজ – গান্ধীজীদা পীবিবা চাওখৎপগী য়াথলগী ঈথিল্ অমসুং মীৎয়েং অসি পঞ্চাযত হার্যাল্বা ভাব ত গ্রা থাইনদগী চৎনা‌ক্ৰবা 'খুঙ্গংগী বিপাব্লিক্' অসির্নি । গান্ধীজীনা গনতন্ত্রবু থাজে, নীংতম্বা হাযবসি ভাবত কী খুঙ্গংদা মশানা মশাবু ঙাকচবা সবকাব ওইবিবা গনতন্ত্রগী লোইশঙশিং অসিদা ফংগনি হায়বসি মাগী মোতনি । গনতন্ত্রগী যুম্ফম্ ওইবিবা নিযম্‌দি নাগবিক্ খুদিংমক চপ্ মান্নবা হায়বসিনি, চপ মান্নবা হব ফংবগ' লোয লোযননা মীপুম্ খুদিংনা মাগী মাগী দাযিত্বসু খংগদবান । মহাত্মা হাযখি –'গনতন্ত্রদাদ মী খুদিংমক নুপা নত্ত্রগা নুপী ওইববসু মহাক মহাক্কী দাযিত্ব খংগদবনি।' গান্ধীজীগীদি মিনিযম গোভর্ণমেন্ট হাযবদি খ্বাইদগী যাম্‌দনা আথংবা থম্বা, অদুগা যাবিবমখৈ মানতম্না অমাদ কোম্না থবক তৌজবা যাবা অদুগুম্বা শাসন মখল্ অদু খুঙ্গংদা লৈগদবান হাযবসিান । খুঙ্গংগী কমুনাতি নত্ত্রগা কাংলুপ্তা যাবমখৈ খুৎ থিংজিন্দবা সবকাব অদু পঞ্চাযতনা ওইগদবনি । মসিনা তাকপদি বাজনীতিগী, শেলথুম্‌গী নত্ত্রগা সমাজগী থবক্তা নম হাবগী মচাক্ অসি (পুবা) পুম্‌লৌ লৌথোক্‌পা ঙমদ্রগসু যাবমখৈ হম্বহম্বা পাম্মী । গান্ধীজীগী পঞ্চাযততি খুলগী অহল্‌শিংনা শাবা, মশাগী থবক্ মশানা তৌজনবা আঈন শেম্লবা, য়াথোক্ লম্ভোক্কী বিচাব তৌননবা অদুগুম্বা সভা অমনি । অসিগুম্বা পঞ্চায়তনা অচুম্বা, থক্‌সি-খাসি নাইবা পুবক্কনি অদুগা জাতিগী অপুন্‌বাঙাক্‌পা ঙম্‌গনি ।

অমুক্‌সু গান্ধীজীনা ফিদম্ অমা পুবক্‌পা পাম্‌লম্মী– সবকাবগী অফিস লিংদুনা শাসন্ চলাইবিবা মওং অসিতনদি লৈপাক্কী থৌশিল্‌দা মপুং ফাদে, মতিক্ চাদে ; সবকাবনা হোৎনবিবা অসিদা প্রজাগী লোইশঙশিংনা মতেং পাংশিন্‌গদবনি । মানা হায়বিবম্মী– ভাবতকী গনতন্ত্রদদি খুল্ অমনা খুজিং (পাদম্) ওইগদবনি, স্ববাজ হায়বসিদি মখাদগী হৌবক্কদবনি, মী কুন্না মতোন্দা শাসন্ তৌবনা ওইবা য়াবোই ; খুল্ নত্ত্রগা লৈকাইগী সবকাব অদুদি পঞ্চায়তনা চলাইগবনি । খুল্ নত্ত্রগা লৈকাই খুদিংমক্কা য়াত্তপাদনবা মশাগী থবক্ মশানা শিঞ্জবা ঙম্লনবা তৌগদবনি । মথক্ লোম্‌দগী শক্তি, তেংবাং পিবক্ত্রবা

ফাওবদা প্রজাগী লিংজেল্ মান্নবা, অপুন্বগী আনংবা অমসুং হোৎনবতনা বাত্ত পাদনা পান্বা ঙম্বতা নত্তনা পৃথিবী পুম্নমক্কী মাইযোঙ ফাওবা লেপ্পা ঙম্গনি।

ভাৰতকী সংবিধান অসি পঞ্চাযত তা যুম্ফম্ ওইদুনা শেমগদবনি হায়না মহাত্মাজীনা ফোংদোকখি। অদুবু সংবিধান অসি অহানবা ইবদা তৌদ্রে হায়বা খংলবদা গান্ধীজীনা হায়খি —'ঐ খায়গী নীংতম্বা অসিনা প্রজাগী খোল্লাও থকতোকহন্বা তাবর্বদি মসি খুদক্তা পুক্রং চংগদবা, তশেংনা চিথবা অমনি।' গান্ধীজীগী আসগুম্বা থাজবা অমসুং অপাম্বগী শাফুনা মবম্ ওইদুনা সংবিধানগী ধারা ৪০ শুবদা ডাইরেক্টিভ প্রিন্সিপল্স ওফ দ স্টেট পোলিসিগী মখাদা ৱাহৈ পবেং খবদং হাপচিন্দুনা পঞ্চাযতী রাজ পোক্পদি হাঙনাখবনি। মসি নৎলমদ্রবদি পঞ্চাযতী রাজ লাক্কল্লবোইদবনি পঞ্চায়তকা মরু নৌনা চংনখিবদি গান্ধীজীননি। গান্ধীজীগী ইথিলনা সংবিধানদা হাপচল্লমদ্রবদি অনৌবা পঞ্চাযতী রাজ পাথাপ্সু খোল্লককল্লোই হাযবদা চিংনিংঙাই লৈতে।

(ঘ) গান্ধীজীগী ৱাখলদা 'চাওখৎপা' গান্ধীজীগা ৱাখল্দা মপাল্থোংগী ওইবা পোৎ-লন্গী চাং হেন্গৎপদুনা চাওখৎপা কৌনাববা আসতবু চাওখৎপনি হাযনা লৌদে। মীওইবগী পুক্নংগী অচুম্-চুম্দ, ফিদম্, গুণ্, লমচৎ শাজৎ অদুদগী হেন্দোক্নুনা সমাজগী মথং মনাও নাইবা অসিনচিংবদা চাওখৎপনা হেন্না পামই। মীওইবা মবক্তা খেন্নবা, কল্লক্ যেংথিনবা লৈতনা, চাং মান্ননা, ইংনা নুংশিননা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অৱাৎ-অপা লৈহন্দনা মবা তপ্পা হিংবদু পাম্লম্মী। মবম্ অদুনা হাযবিবম্মী– পুন্না নুংঙাইমিন্নবদগী মীখুদিংগী নুংঙাইবা ফংগদবনি হায়বসি নুংশিবগা লোয়ননা তাক্পিদুনা মহৈ-মশিং তম্বিদুনা থেমদুনা ভাব তাহন্বা ঙম্লবদি অফবা সমাজ অমা ওইহন্বা ঙম্গনি।

গান্ধীজীদি সমাজ, বাজনীতি, ধর্ম্মনীতি, মহৈতম্বা, শেলথুম্, হক্শেল্, লু-হেন্বা, মন-বিজ্ঞান্ অসিনচিংবা হিবম্ খুদিং শোন্না খংবা অদুগা মশাসু নিযম্ ঙাক্না চৎপা পাম্বতা নত্তনা চৎলম্বা, অদুগা মীপুম্ খুদিংমক্পু চৎহন্বা পাম্বা অদুগা চৎনবা হোৎনবম্বা মীশক্নি। পুন্নমক্কী মথক্তা ভাবত হায়বা লৈপাক্ অসিদি চুম্নতগী গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক্ অমা ওইবতা নত্তনা স্পিরিচুয়েল্ লেঙ হায়বদি লাই ওইবা পুক্নিং অমদি আত্মাগী গুণ্ কয়ানা থন্না লৈবা লৈপাক্ অমনি। মপাল্গী লৈপাক্শিংদা চৎনদবা, ঐখোয়গীতা ওইবা ফজবা নিতি কয়া লৈপাক্ অসিদা ফংই। মসিগী দেশ অসিদি ধর্ম্মদা যুম্ফম্ ওইবগা বাজনীতিগী মচাং শাগৎতুনা ওইবা তোঙান্ তোঙাম্বা, অদুমদি ওইবগা মখল্ মখা য়াম্খ্রবা মীওই কয়াগী যুম্ অমনি। ফিভম্ অসিগা চাননা পুবক্পা য়াবা চাওখৎপগী মওং অদু মহাত্মানা মুন্না খংই। ৱাখল্ অসিদি থোইদোক্ হেন্দোক্পা, অৱাংবা থাক্কীনি ; মখল্ মখা ওইবা কাংলুপ্কী নত্তবা মীওইবা জাৎকী ওইবা অপুন্বা অমদি অফবা সমাজ অমগী

পান্দমনি।

(৬) গান্ধীজীগী ৱাখল্, বাঙাং অমসুং থবক্না চাওখৎপা পুবক্পদা পীনা চৈথেং – মহাত্মা গান্ধী তশেংনা মহাত্মানি, মহাক্ অসি ভাবতকীদা নত্তনা মীওইবা জাতিগীদমক্ ফননবা তৌবম্বা মীশক্ অমনি। মহাক্কী ৱাখল্, ৱাহৈ পাওতাক অমসুং থবক্কী থৌদৌ পুম্নমক্না মীওইববু লমজিংলম্মী মীওইবদা লমচৎ শাজৎ, থৌনা লিংজেল্ অসিনচিংবা গুণ্ কযা হাপ্লিবম্মী। মবৈপাক্ নিংবা, নুংশিবা, অচুম্ব, শান্ত, কখোক্পা অসিনচিংবগী মপক্তা 'অহিংসা' হিংসা তৌদবা, হায়বনচিংবগী ৱাখল [illegible] আসগী ফিদম লৌদনা [illegible] খোযগী লৈপাক্কী মানা অর্মদি পৃথিবীগী মীশংনা হিংসা থাদনা [illegible] পোম্বা তোকতনখ্রে, অচৌবা লৈপাক কযাগী পুক্নিং ফাখ্রে, পৃথিবীদ শান্তি লাক্নি। চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্নবাক্নি।

(১) শেল্ পুমগী ৱমদি [illegible] শুং [illegible] লমদ [illegible] দা মবম্চান থাজ [illegible] লোয়ননা থবক শুংনবা পাও [illegible] পানম্মী। হৌনা [illegible] (মেনুযেল লেবব) হায়বাস লেনজান [illegible] ওইর্নি, [illegible] খুদি [illegible] নাইনা পাংগদবনি। মহাক্ন হায়খ [illegible] পুকচেল শং [illegible] পোন (পৈশ মখল) অম তাম্বা পাম্নি মীদা থবক অম [illegible] অচোম্বা ওইদ্রে, তৌগদবা হায়বা ঈশ্বরনা পীবিবকপা খোং [illegible] হায়বগী [illegible] [illegible]বানি। অমুবন হায়খি খৎনা শুবা ব [illegible] থবক [illegible] [illegible] খোকপা [illegible] চাওখৎনবগা ফজববা প [illegible]নি। থবক তৌনা [illegible] পুম্নমক অমসুং [illegible] আনমক চাওখৎনবগী পাম্মোন হাদগা সেবাগ মওং ওইনি। মাস [illegible] মতাক্না আশ্রমশংদা থবক শুৎ, অমা [illegible] ফাওব শোং [illegible] লোমমগী [illegible] নাইবন খাদিগা য শেংহনবা মী [illegible] লৈবাক [illegible] কম্ব [illegible] নওনা ভাবং [illegible] মাবু থাজবা হেনগৎব [illegible] দেশপু মপাঙ্গল [illegible] হায়বসি মহাক্কী থাজবনি। থবক্ শুদুন [illegible] মাংমনল্ [illegible] মহৎ [illegible] লৈবা অসি যুম্লোন্ কৈবোম্নবা অর্মদি মীওইব মশেলদা পোৎলুম্মন অদুগা অহিংসাগী অহানবা পম্বা পুগাইবনি। অঙাংশিংদা [illegible] থবক্ শুবা তম্বিবগা লোযন লোযননা মদুগী চিং লেম্বগী গুণ্ অদু তাক্পিগদবনি। লাইব অনংবা অমসুং সমাজগী যেংদুনা কান্নবা থবক তৌবা হাযবসি ঈশ্বরবু লাৎপগুম্বনি।

(২) মোছিন শিজিন্নবগী মতাংদা – মোছিন্ শিজিন্নবগী মবম্দা মানা হায়খি – 'মেছিন্না মীগী থবক্তা তেংবাংলবদি অদুগা থবক্ অদু লাইথোক্হল্লবদি মদু ফজনা শিজিন্নববনি, ঐগী দেশনা চংগদবা পোৎ অদু মী লাক্ষ অহুম্না, মী ক্রোব অহুম্গী মহুৎশিন্দুনা থোকহন্বা ওন্নবদি ঐগী অথিংবা লৈতে ; তৌইগুম্বসুং মী ক্রোব অহুম অদু

থবক্ ফংদনা তঙ্‌হন্দুনা লৈবোইদবনি।' অমুক্‌স্ মানা হায়খি —'মেকানাইজেসন্ অসি পাংথোক্‌দৌবিবা থবক্ অদুগীদমক্ মী য়াম্না লৈত্রবদি ফৈ। থবক্ অদুগী চংবা মীদগী হেন্না লৈবা তাববদি মাসি ফত্তবনি।' মেছিন পুম্নমক্কী মাইয়োক্তা লৈববা হংবদা মানা খুম্‌খি - 'নত্তে, এদি মাংহন-তাক্‌হন্‌গদবা মেছিন্‌গী মাইয়োক্তা লৈ, অচম্বা খুৎলাই অমসুং মেছিন্ অদনা লন্নাই থবক্ শুজবা অদুগা খাংপোক্তা শুঙ্‌গ নোমজবিবা মীদা যাং[illegible]গদবা (লাইথোক্ হনগদবা) লৈবদি এনা তবাম্না ওক্কনি।' [illegible] ঙ্গাজাগা ব্রাখলদদি [illegible] দসি প্[illegible]গী লম্বী অম [illegible] ইবোনে [illegible] অচুম্বা [illegible] মোংশেল্ [illegible] ।। [illegible] পুক্রিংগী [illegible] নবি [illegible]নি।

(৩) [illegible] লম্‌দা— গান্ধীজীনা ঈশ্বরবু থাজবগী অসিগুম্না [illegible] [illegible] ('বৈজন্)গী মথক্তা [illegible]। ঈশ্বরবু নিংবা, মদগীদমক লাইশোল [illegible] য়বাসি মার্নাদি [illegible]দবা [illegible]দবা [illegible]। [illegible] হায়খি 'লাইশোল [illegible] হায়বসি [illegible] মগী [illegible]দোকপ [illegible] ইকচাংদা ইকজবনা ওইবদু থম্মে [illegible] অমসু [illegible]।' [illegible] অচুম্বা হায় [illegible]সব ঈশ্বরনি খল্লি, [illegible]সগী অচম্বা অসিদ [illegible]গী পান্নবা থৌণদবনি। মহাক্না হায় 'ঈশ্বর হায়বসি মফম পুম্নমক্তা মওং অমসুং মতৌ উং তন। লৈবনিনা ঐখোয়না মাবু থম্মোয়দা খমগদবনি অদুগা মাগী মবমদা পুক্রিং লুপাশিন্ গদবনি।' ধর্ম্মগী মতাং আসদস্ মানা মাগী 'তবেং' অসি পুশিল্লি—মাগীদমক্তি তবেং অসি ঈশ্বরগী অপিকপা চাকানি, মসিনা মনা তপ্না অদুবু মহে ফংনা লৌব (কেংদনা চৎলি)। তবেং নাইবাস ভারতক মী পুম্নমক্কী ফননবনি, মানা হায়খি —'তশেংনমক্ মবম্ অমনা মী অদুদগী হেন্না চাওই, লং নাইনবা চাকা অসিনা ঐ ইশাদগী হেল্লি।' অদুনা তবেং নাইবসি ধর্ম্মগী নিয়ম্ অমা ওইনা পাংথোক্‌ই। মহাক্না ধর্ম্ম পুম্নমক্ নৈনৈ, পুম্নমক্‌পু ইকাই খুম্নে বামায়ন্ অমসুং ভগবৎ গীতাবু পাম্‌জবগা লোয়ননা ক্লাশ তৌবম্মী।

(৪) মীওইবগী গুণ্‌গী লম্‌দা – গান্ধীজীদদি অহিংসা অমসুং অচুম্বা হায়বা অনি অসি থবোম্বী অনিগুম্বনি হায়না লুনা লৌই। থবোম্বী অনি য়াওদনা স্বোব হোন্‌বা য়াদবগুম্ অহিংসাবু মহাক্না (লো ওফ লব্) নুংশিবগী আইন্ কৌই। মসি খ্বাইদগী মপাঙ্গল্ কম্বা, শাক্ লৈবা অদুগা থৌনাফবা মীগী খ্বাইদগী অথোইবা গুণনি হায়। অচুম্বা ফংননবা অহিংসা শিজিন্নবা তাই, অচুম্বনা পম্বুংনি অদুগা অহিংসানা মদু ফংননবা পাম্বেনি। (নন্-কোওপরেসন্) তিন্নবিদবা হায়বসিসু কর্বিগুম্বা পাদম্ অমা ফংননবগী অচৌবা পাম্বে অমনি হায়। গুণশিং অসি মীওইবনা চেন্‌বা অমদি শিজিন্নবা ঙম্লবদি মীগী থাক্ অসি য়াম্না ব্রাংগনি। অদু নত্তবা মীওইবগা লোইনবা য়াবা গুণশিং — নুংশিবা,

অৱাবা থাংবা, পুক্চেল্ শেংবা, ইশা-কখোকপা, মবৈপাক্ নিংবা, চপযুংনা নিংবা, নোল্লুক্পা অসিনচিংবা অফবা গুণশিং অসি চেন্ননবা মীওইবদা পাওজেল্ পিখি । অদুগা মশামক্লসু চৎতুনা থবক্ ওইনা উৎখিবনি । মী পুম্নমক্লা দায়িত্ব য়াওনা মথৌ তৌগদবনি, মহাক্লা হায়খি 'নংগী নথৌ তৌবা হৌগৎলু অদুগা নংগী (বাইত্) হায়বদি হক্ অদুদি বসন্তনা নিংথমথগী তুং ইল্লকপগুম্ ইল্লক্কনি ।' অসুম্না মীওইবা জাতিদা থবক্ তৌবগী রাখল্লোন্ তাকপি তম্বিবতা নত্তনা থবক্ ওইনা উৎতুনা মীৎ পাংহন্বিবম্মী ।

(৫) মহৈ তম্বগী লমদা গান্ধীজী মহৈ হৈবা মীনি, মহাক্লা হায়খি 'তম্ব হায়বাসদি অঙাংদগী পুক্লিংগী, হকচাংগী, লৌশিংগী, আত্মাগী ওইবা খ্বাইদগী ফবা শব তু লৌথোকপনি, (চিংথোকপনি)। অদুনা তম্বিবা হায়বসি মী অমগী মনুংদা লোৎতুনা লৈরিবা চাওববা থবক্ তৌবা ওম্বগী পাঙ্গল্, মহৈ অদু চিংথোকপনি ।' মহাক্কী মোতত্তাদ মাওইবনা চংগদবা, সমাজদা শিজিন্নগদবা থবক্ অদু তৌনা তৌনা তম্বনি : মদুদা ক্রাফ্‌ট (খুৎকী থবক), আর্ট, হকলোনর্নচিংবা পুম্নমক পুনশিন্দুনা তম্বনি ; মসিবু 'নাই তালিম্' কৌই । মসি খংবনা গান্ধীজীনা মীপুম্ খুদিংদা ইশাগী চংগদবা পোৎ পুম্ন মক মানা লিংখৎপা আশ্রমাশংদা শাবা তমনা তমনা পুথোকহল্লম্‌ই । খাদগী পোৎলম কযা, অপিকপা খুৎকী থবক- লং নাইনা, ফি শাবা, ফি তুবা, লোনবা খোৎপা খোংউপ্ শাবনচিংবা পুম্নমক তৌহল্লি । অদুগা হায়খি- খুৎনা শুবা থবক্শি অসিনা লৌউ শিংউ অমদি মসিগা মবি লৈনবা শিনফমগী মহুৎ লোম্গদবনি হায়বা খংহল্লম্‌ই । থবক্শি অসিদা মশামক্সু য়াওশিল্লম্‌ই ।

(৬) হকশেল্ অমসুং লু নানবগী লমদা — গান্ধীজী পুক্লিং অমসুং হকচাং অনিমক্ ফাওনা লুবা মীনি, মতম্ চুপ্পদা মদু ঙাক্লা চৎলম্বনি অদুগা মীপুম্ খুদংবুসু তৌহন্বা পামলম্মী । মপাল্থোংগী হক্চাং লুনা-শেংনা থম্নবা হোৎনবম্‌ই অদুগা মাগী পুক্লিংবুদি চাং নাইনা লাইশোল্ শোন্বনা মতম্ পুম্নমক্কী ওইনা শেংদোক্‌ই, অতৈবুসু খংহন্নবা হোৎনৈ । লু-হেম্বা ঙম্নবা অকোইবদা ওইবিবা ফিভম্বুসু লুনা, নান্না থমলম্‌ই । মাগী লু-হেম্বগী খ্বাইদগী রাংবা ফিদমদি মশামক্লা রাইশিৎ লমশেংবা, আশ্রমগী অমাংশঙ শেংদোক্পা অসিনি । ফিদম্ অসি মাগী তুং-ইন্বা অচৌ-অচৌবা মী কযানা ইল্লম্‌ই — আচার্য্য বিনোভা ভাবে, মনাও নুপা বালকোভা ভাবে, অপপা সাহেব পটবাবধন্, ঈশ্বর ভাই পটেলনচিংবা য়াওনা নিয়ম্ অমা ওইনা পাইনবম্মী । নিয়ম্ অসি শন্দোক্লবা মানা হায়খি —'লু হেম্বগী নিয়ম্ অসি ঐখোয ইশামক্লা ঙাক্পা ঙমদ্রবসু ঐখোয়গী অঙাংশিংদা মসিবু তম্বিবদি য়াম্না তঙাই ফদে । মখোয়না মদু ইন্বা ঙম্লবদি মীবোল্ অমগী মতুংদদি চাওখৎলক্পা যাই ।' লু-হেম্বা পামলম্বনা মাগী মপোক্ নুমিৎপু 'জাতিগী ওইবা লু-হেম্বগী নুমিৎ' হায়না পালন্ তৌনবিবনি ।

(৭) সমাজ শেংদোক্পগী লম্‌দা —কাংলুপ্ খাইবা ভারতকী সমাজদা শোক্ল-শম্লবা য়াদবা হায়বসি য়াম্না তম্‌থিল্লবা চৎনবীনি। মসি কোক্লবা হোৎনরম্বা অসিমক্ সমাজ শেংদোক্পগী থবক্তা খ্বাইদগী চাওবনি। অমোৎপা, অমাংবা শেংদোক্পা কাংবুবু তোন্না লৌদুনা শোক্ল-শম্লবিদবা হায়বসিদা গান্ধীজীনা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওখি। মরম্ অদুনা মহাক্না মীওইশিং অসিগা শম্লখি, মখোয়গী অঙাং ফাওবা লৌখি। অমাং-অশেং অসিগী মাইয়োক্তা মীপুম্ কয়া থোক্লক্খি। মহাক্কী নুপী কস্তুরবা মক্ মাগী মাইয়োক্তা লৈবদু থেংনখি, মমৈদা মহাক্কী অশেংবা ৱাখল্ অমসুং থৌদৌদা মীশিংনা ভাব তাবা হৌবক্খি, মখোয় লাইশঙদা চংদুনা লাই খুবম্বা য়াহনখ্রে, লৈপাক্কী ওইনা আইন্ কয়াসু শেমখ্রে। মীওইশিং অসিবু মহাত্মানা 'হরিজন্' হায়বদি ঈশ্বরগী মী হায়না মীংথোন্‌খি। য়ুথক্পা অসি মরাল অয়াম্বগী হৌফম্‌নি অদুনা মসি তৌদনবা হোৎনবম্মী, য়ু থক্পা মীশিংবু থবক্ শুহন্দুনা শেল্ তাল্‌হন্বতা নত্তনা থক্পা তোক্লনবা হোৎনবম্মী। জ্বার শান্নবা, গঞ্জা, কানি, হিদাক্ থক্পা তোক্লনবা হোৎনখি। শেল্ ফংগদবা লৈববসু গঞ্জা, কানি, হিদাক্ মনা নচিংবা থাদনবা হায়খি। অসিদা নত্তনা জাতি খাইবা, কুচুগী খেন্নবা থন্বগী মাইয়োক্তা পাঙ্গল্ পুম্লমক্ তিংথোক্তুনা হোৎনখিবা, অৱাবা, ইকাইবা কয়া নংখিবা মী অযাম্বনা খংনরবনি। ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনবদা মশামক্কী ধর্ম্ম চৎপা ভাব তাদবা মীশক্ অমনা অসুপ্ চাওখ্রবা, তাংখ্রবা, তাইবংদা মঙাল্ পীবিরম্বা মীশক্ অমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা পুন্সি লোম্‌হন্‌খ্রিবনি।

(৮) কোঃওপরেটিভকী লম্‌দা — মহাত্মাজীগী ৱাখল্‌দা কোঃ ওফরেসন্ নত্রগা পুনশিন্বা হায়বসি শেল্ থুম্‌গী থবক্তদা নত্তে ; পুন্সিগী ওইবা হিরম্ খুদিংদা, থবক্ খুদিংদা পুন্‌শিন্বা য়াই হায়বসি তাক্ই। গান্ধীজীদি সাইন্টিষ্ট (বিজ্ঞান্ হৈবা মীওই) অমগুম্বনি, মহাক্না হিরম্ খুদিংদা অতৎপা লৈতনা চাংয়েং তৌদুনা অচুম্বা থিবা তোক্‌খিদে ; অরান্‌বা লৈরবসু চিংনবা, ইকাইবা লৈতনা চুম্‌থোক্‌চৈ। মাগী চাংয়েংদা কোঃওপরেসন্‌দি নুংশিবা, অহিংসা, অফবা লমচৎ-শাজৎতা য়ুম্ফম্ ওইরগা থবক্ খুদিংমক্ শাগৎকদবনি হায়বসিনি।

নীংতম্বা হায়বসিদা য়াবমখৈ মীপাল্ তাংদবা অমনা অমবুদি তেংবাংনবা, মীগী মনঙ্গদা তোংদুনা হিংদবা অদুগা অতোপ্পদগী পাংনিংনা পাংলক্পা তেংবাংদি ফংবা অসিনি। গান্ধীজীগী মীৎয়েংদা, ৱাখল্‌দা কোঃওপরেটিভকী ওইবা পুন্সিদা সমাজগী, শেল্‌থম্‌গী য়াওন্ অমা উবা ফংগনি। মহাক্কীদি থবক্ অমতং হৌগৎপদা কোঃওপরেসন্ পুশিন্‌বা অসিনি। পোৎ থোক্‌হন্বদা য়েন্‌থোক্‌পদা, শিজিন্নবদা অদুগা অতৈঅতৈ শেল্‌থুম্‌গা হেক্ মবি লৈনবা থবক্ অমতং পায়খৎপদা মতম অমতদা চপ্‌মান্ননা সমাজগী পুন্সি চাওখৎনবা অদুগা লোয়ন-লোয়ননা শেল্ থুম্‌গী ফিভম্ ফগৎহন্বা হায়বসিদা য়ুম্ফম্

ওইহল্লবনি । সমাজ অমসুং শেলথুম্গী ফিভম্ ফগৎহল্লবদা মী খুদিংমক্কী অচৌবা দায়িত্ব লৈ হায়বসি খংহন্দুনা চাওববা অওনবা অমা পুবক্পা ঙমখি । অসুম্না জাতি অসিবু হিবম্ খুদিংমক্তা থোইদোক্ হেন্দোক্না খুঙ্গং শেম্গৎপদা খুমাং চাওশিল্হন্না ঙমখিবনি । বোম্বেগী বাজ্য সবকাবগী সর্ব্বদয স্কীম্ হাগবা অদু মাগী অসিগুম্বা শেম্গৎ-শাগৎপগী থৌবম্দা খুঙ্গংগী মীওইশিংনা মশানা মশাবু তেংবাংজবা অমগা অমগা তেংবাংনবা হায়বনচিংবা কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্গী থৌবম্গা চানবা মওং ওয়ংদুনা শেম্খিবনি

বামর্জা মন্দিব অমা মীয়াম্গী ওইনা লাউ খুবম্মনা হাংদোক্পা মতম্দা লাইশিংবগী পুনবা, মীয়ামগী ওইবা মফম্ লৈবনা মাঃ , থম্মোয শেংদোক্লগা, জাতি খেন্নবগী বাখল্ মাংননবা, অমগা অমগা নুংশিননবা মীওইবনা পুন্শিনবগী কান্নব পন্দুনা ঙাংখি । ময়াম্না খংনাববা গান্ধীজীগী বাখল্, অমা অমগা থাজনবা, অচুম্ব চৎপা, মশানা মশাবু তেংবাংজবা, মশাবু থাজনবা, শীন্মীবু নমথদবা, সত্যেম্বু শৌগৎপা, কান্নবা ফংমিন্নবা অসিনচিংবা পুন্নমক্ শাসি বে কোঃওপবেটিভ ডাঙ্গোননগী মক ওইবা নিয়ম্শিংগা চপ্ চানৈ, অদুনা থনক্তা হেক্তা পান্শম্বা য়াই । গান্ধীজীগী বাখল্দদি পুল্সিগী হিবম্ খুদিংদা কোঃওপবেটিভকী ভাব অসি পুশিন্দুনা থবক্ ওইনা পুথোক্পা যাই । লৈপাক্ মনুংদতা নত্তনা জাতি অমগ। অমগগী মবক্তা মবি লৈনবদসু পুশিন্দুনা বিশ্ব জগৎ অমা শেম্বা ঙম্গনি হাযবসিনি । মবম্ অদুনা থবক্ তৌবম্দাইদা কোঃওপবেটিভকী ভাব অসি লৈননবা হান্নবা হোৎনগদবনি । পুক্নিংদা অসিগুম্বা বাখল্গী মমি তাববা তুংদা পুন্না থবক্ তৌমিন্নবা, থৌবম য়েম্স্কোক্লবা, মতম্ মাংহন্দনা থবক তৌবা, হৈশিংনা অদুগা মাইপাক্না থবক্ তৌবা ঙমদুনা কোঃওপবেটিভকী মশক্ খংবা ঙম্গনি ।

গান্ধীজীনা হাযখি —'ঐগী বাখল্দা কোঃ ওপবেসন্ হায়বসিদা লম্ অসি মপুশিংনা তিন্নদুনা পায়মিন্নগদবনি, পুন্না খোইমিন্নগদবনি অদুগা লৌ উমিন্নগদবনি ।' পুন্শিন্বা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি, 'পৃথিবী অসি ঐগী ইমুং মনুংনি,' কবিগুম্বা অফবা অমগীদমক্ পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়বসিনা মায়পাক্কনি । —'তোঙান্না তাবা ঈশিং মবিক্ অদু শিথদুনা অদুম্ মাংখি, অদুগা পুন্শিন্বা মবিক্শিংনা মহাসাগব শেম্মী '। অসুম্না পুন্শিন্বগী তঙাই ফদবা লৈবগুম্ ফত্তবদসু তেংবাং পীদবগী পুন্বা চুম্ই , অদুগা মহাক্না হায়খি – 'অফবা থবক্তা কোঃওপবেসন্পীবা (হায়বদি তিন্শিন্নবা) হায়বসি মীগী মথৌ অমা ওইবগুম্ ফত্তবা থবক্তা নন্-কোঃওপবেসন্ পীবা (হায়বদি তিন্নবিদবা) হায়বসিসু মথৌনি ।'

হৌজিক্কী মতম্গী কোঃওপবেটিভকী য়াওন্ অসিদি গান্ধীজীগী কোঃ ওপবেটিভকী ভাব অসিদগী হাইদোক্স্লে । কোঃ ওপবেটবশিংনা ভাব তাদবগা লোয়-

লোয়ননা সবকাবগী থৌশিল্না খুৎ-থিংজিন্বসু লৈবি । পুংফম্ অসিদা গান্ধীজী লৈরম্লবদি মসিগী মাইয়োক্তা ৱা ঙাংলমগনি, মমিৎ পাংনবা পাওতাক্ পীবমগনি, লম্বী তাক্পিবমগনি ।

(২) পণ্ডিত জৱহরলাল্ নেহরুগী ৱাখল্ অমসুং থবক্ ।

(ক) ভাবতকী নীংতম্ লান্ফমদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা জবহবলাল্ নেহরুগী মশাদা নীংতম্লবা তুংদা খোইবাংবা, নুংনাংবনা পোত্থাফম খংখিদে । লাইবব, লাইবিক্ হৈতবা, মচেৎ মচেৎ তাববা, চৎনবীনা পুন্দুনা থম্লবা, লাইনা কযানা থল্লবা, ওৎপি-নৈবিবম্লবা, মী ওই কযানা থল্লবা পাকচাওখ্রবা অদুম্নদি ওইবগা মান্নদবা কযানা থন্না লৈবা ভাবত অসিবু নেহরুনা উখি । নীংতম্বা ভাবতকী অহান্বা প্রধান মন্ত্রি ওইনগা লোযননা হিবম্ খুদিংদা শোত্থনা, ফিভম চান্দনা লৈবিবা অসিবু ওন্থোকতন্দুনা অনৌবা ভাবত অমা ওইনবা খোইদাংবা অদুম্নদি ওইবগা থাজবা অমদি শোইজংবগা লোযননা থবক পাযখৎপা হৌখি । নেহরু ৱাখল্ ৱাংবা, থবক্কী থৌবম্ খংবা মীশক্ অমনি, মত্রমগা চানবা অবাংবা থাক্কী বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা লৈপাক্ অসিগী চাওখৎপগী খোংজেল কন্খৎহন্বা ঙমগনি হাযবসি মহাক্না খংখি অমদি থাজখি । তশেংনমক্ নেহরু অসি অনৌবা ভাবত শাগৎপদা চপ্চাবা (আর্কিটেক্ট) শেম্ শাবা মীশক্ অমনি ।

ইং ১৯৪৭ কী আগষ্ট তাং ১৫ দা স্বরাজ হেক্ ফংবগা হাযবদি ইশানা ঙাক্চবা হেক্ ঙমখিবগা লৈপাক আসদা মথৎ মথং অওনবা লাক্হন্খি । ইহান্ হাপ্পমক্তদা লৈপাক্কী সংবিধান্ শেমদুনা ১৯৪৯গী নভেম্বৰ তাং ২৬তগী চৎনহন্খ্রে, মদুগী মতুং তাবা ওইনা ইং ১৯৫০ গী জানুৱারি তাং ২৬ তা ভাবত অসি সোভবিন দিমোক্রেটিক্ বিপাব্লিক্ অমা ওইবে হাযনা লাওথোক্খি । প্লান্ ডিভেলপ্মেন্ট হায়বদি খুজিল্ থৌবাং তৌবগা চাওখৎহন্না নত্তনদি মতম্ অদুগী ওইবিবা ভাবতকী ফিভমদা অওন্বা পুবক্পা ঙম্লোই হাযবসি নেহরুগী চেৎনা থাজবনি । মবম্ অদুদগী ইং ১৯৫১ গী মার্চ থাদা জাতিগী ওইবা প্লানিং কমিসন শেম্মি, অদুগা ইং ১৯৫১ দা এপ্রিল্ থাদগী চহি মঙাগী থৌবাং চৎথবা হৌখি । অহান্বা চহি মঙাগী থৌবাংগী মথাদা ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবব তাং ২ দা (মহাত্মাজীগী মপোক নুমিৎতা) কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোজেক্ট পায়খৎখি । নেহরুনা চহি মঙাগী থৌবাংবু অসুপ্কী মতিক্ পাম্খি অমসুং থাজখি, মহাক্না হাযখি –'ভাবতকী চহি মঙাগী থৌবাং অসিদি পাঙ্গল্ লৈখ্রবা জাতি অমগী পাঙ্গল্ লৈখ্রবা থৌবাং অমনি ।' থৌবাং 'অসিদা প্রজানা থৱাই য়াওনা ফজনা শরুক্ য়াগদবনি । চহি মঙাগী থৌবাংগী মবমদা অসুম্নসু

হায়খি—'ঐনা তোইনা হায়খি অদুগা হন্না হায়রি মদুদি – চহি মঙাগী থৌরাং পাংথোক্পদা খুঙ্গংগী মীশিংদা শরুক্ য়াবগী ৱাখল্ অমা পোক্হন্বা হায়বসিনা লম্জং ওইগদবনি । চহি মঙাগী থৌরাং অসি প্রজাগী থৌরাংনি ; ম[illegible] [illegible]গাব্ [illegible]ন মাশিংদা ভারতকী নুপা, নুপী অমসুং অঙাং খুদিংমক্ অনৌবা ভারত অমা শাগৎপনি, চাওরবা থবক্না পুন্না হোৎনমিন্নবিবা ইন্দিয়া লিমিটেদগী পার্টনর, শরুক্ য়াবা মমমর্নি হায়বগী ৱাখল্ পোক্হন্‌গদবনি ।' কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিসু মহাক্না য়াম্না আশা চাওনা পায়খৎপা থৌরম্ অমনি । মহাক্না হায়রম্মী কমুনিতি প্রোগ্রাম্ অসি চহি মঙাগী থৌবাংদা পাংথোক্হনবা লেপ্তুনা চংশিল্লিবা শক্তি অদু পীবিবা ডাইনামোনি, মসিনা প্রজাগী থিংনবা থাক্ ৱাংখৎহন্‌গনি ; ভারত পুম্নমক্তা পাঙ্গল্, আশা অমদি হৌনং হৌগী মঙাল্ পীগনি । কমুনিতি প্রেগ্রাম্‌গী থৌরম্ অসি লৈপাক্ অতৈদগী তন্নগা চপ্ হেক চানা কোক্‌প তৌবা হায়বদি শিঞ্জিন্বা, পান্‌শিন্বদি নত্তে । মসি ভারতকী মশা গী থিজমগা চানবা শেম্মান, মসিগী মপাঙ্গল্দি প্রজাদগী লৌবনি । প্রোজেক্ট মাস হৌবক্পমক্তদা মাগী ৱাহেদা অসুম্না হায়খি —' হৌখিবা চহি খবদা পৃথিবীগী লৈপাক্ অমতদা ভারতকী কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট অসিগুম্বা মচাক্তা অসুপ্ য়াম্না য়াওবা, নমুনাদা অসুপ্ ইহৌ কম্বা কবিগুম্বা অমতা থোক্খিদ্রি হায়না ঐনা খল্লি ।' নেহরুনা হায়বগুম্না ঐখোয়গী চাওখৎখিবা অসি উবদা ইংলেণ্ড, আমেরিকা, রুসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, বর্মা অসুং নোংচুপ্ এসিয়াগী লৈপাক্‌শিংদা ঙক্না থোক্খি অমসুং মখোয়না থাগৎনখি । নেহরুনা খন্‌খি, কমুনিতি ডিভেলপমেন্টকী ইহৌ অসিনা দেশ অসিদা থোইদোক্ হেন্দোক্না খুঙ্গংগী মীশিংদা অওনবগী ৱাখল্ অমা পীগনি অদুগা সোসিয়েলিষ্টিক্ পেটর্নওফ সোসাইটিগী ৱাখল্ শাগৎকনি । নেহরুগী মফম্‌দদি ভারতকী কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট অসি ফজরবা উ পাম্বী অমা ওইহল্লক্কদবা মরা তাননবা মরু হুন্‌বনি ।

(খ) ভারতকী প্রজাশিংদা নেহরুগী মীৎয়েং — দেশ অমগী অশেংবা লন্‌দি মদুদা লৈরিবা মীশিং অসিনি । ভারত অচৌবা লৈপাক্ অমনি, অচৌবা লৈপাক্না অচৌবা থবক্ তৌবা ঙম্‌ই, অদুনা ভারতনা অচৌ-অচৌবা থবক্ কয়া ইলাই লাইনা পাংথোক্পা ঙম্‌গনি । ভারত মশা অসি লাইরবা লৈপাক্ ওইজরবসু মাগী মীশিং অসিদি ফজবা লন্‌নি; মখোয়দা খুদোংচাবা পীরবদি, নিংথিনা তম্বিরবদি, লম্জিং পীরবদি অচৌবা, অফবা মীশক্ ওইবা ঙম্‌গনি হায়বসি নেহরুনা তশেংনা থাজখি । অসিগুম্বা মীওইবা ওইবগী লন্ অসি পরিং চুম্না, নিয়ম্ নাইনা কান্নবা থবক্তা শিজিন্নবা ঙন্নবদি মীয়াম্‌গী লন্ অসি শিজিন্নরবনি । ভারতকী মীয়াম্‌দগী চংদবা য়াদবা শক্তি - (ইলিমেন্টেল্ ফোর্স) অমা থোক্হন্‌বা তাই অদুগা মদু শেম্‌গৎপা মতম্‌দা বৈজ্ঞানিক্ ওইবা মওংগী মথৌ (সাইন্টিফিক্ টেম্পর) হাপ্‌কদবনি । নেহরুনা ভারতকী কোচিন্-

কোয়া ফাওবদা লৈপ্ত্রিবা ভাবতকী প্রজাবু উখি । থবক্কী বিপোর্ট য়েংলগা থৌবম্ অসি পাংথোক্পা য়াবা অমদি পাংথোক্পদা ৱাগদবা ফিভম্ খন্খি । চাওখৎপা হায়বসি পোৎথোক্ লম্ব্রোক্ পুথোক্পাদা হেন্গৎহন্বা অদুতনা ওইদে । প্রজাগী ৱাখল্ চাওখৎহন্বা, জ্ঞান তাহন্বা, মশানা মশাবু থাজহন্বা, থবক্ তৌনিংবগী ৱাখল্ পোক্হন্বা ঙমদুনা মী ওইনা চাওখৎপা অদুবুসুনি । মী মশা চাওখৎপনা হেন্না মক ওই, হেন্না ইহৌ কল্হন্বা ঙম্ই । ভাবতকী প্রজাশিংগী ৱাখল্ ৱাংই, অতৈ লৈপাক্লসু ইকাই খুম্নে ; অদুবু ৱাখল্গা থবক্ ওইনা পাংথোক্পগা আনগী মবক্তা থাপ্নবিবা অসুম্না অতৈ লৈপাক্তা তৌদে । মবম অদুনা থৌবম্ পাংথোক্লিংঙৈদা মী খুদিংমক্তা মশা মশা অসি মশাগী থবক্ তৌজবদা শরুক্ য়াবা মীনি হায়ব' খংহন্গদবনি ।

(গ) নেহরুগী ৱাখল্দা পঞ্চায়তী বাজ ঐখোয়গী জাতিগী পান্দমদি সোসিয়োলিষ্ট কোঃওপবেটিভ কমনৱেল্থ অমা লিংবনি । অসিগুম্বা কমনৱেল্থ তাদ এগক্তগী নমদুনা তৌহন্বা যাদে, পুম্নমক মখাদগী খুঙ্গংদগী তৌবক্দবনি । ঐখোয়গী খুঙ্গং চাওখৎলবতদা ভাবতনা অকন্বা লৈপাক্ অমা ওইবা ঙম্গনি অদুগা হেন্না খুমাং চাওশিন্বদ' কন্নানসু থিংবা ঙম্লোই হায়বসি নেহরুনা খাজাখি । খুঙ্গং অমদা পোৎশক্ অহুম্ লৈগদবনি পঞ্চায়ত অমা কোঃওপবেটিভ অমা অদুগা স্কুল্ অমা, মদুতদা দেশ অমগী য়ুম্ফম্ অসি কনগদবনি ', নেহরুনা হায়খি । পঞ্চায়ত অমসুং কোঃওপবেটিভ অসি সমাজগী অমদি শেল্ থুমগী ফিভমদা অওন্বা পুবক্লবা লোইশঙনি, অদুগা মহে তমদুনা জ্ঞান পীননবগী লোইশঙ স্কুল্ লৈবগী তঙাই ফদবসু লৈ হায়না নেহরুনা খল্লি । পঞ্চায়ত হায়বসি সবকাব শাগৎপগী মচাংদা য়ুম্ফম্নি, মখাগী য়ুম্ফম্ অসি মপাঙ্গল্ লৈত্রবদি মথক্কী মচাং অদু শোন্গনি । পঞ্চায়ত অমসুং ইলেক্ত্রিক্ পাৱাবগী মতাংদা অসুম্না হায়খি – 'সোভিয়েটকী লাল্হৌদা লেনিন্না হায়খি কমুনিজম্ হায়বসি সোভিয়েটতা ইলেক্ত্রিক্সিতি হাপ্চিন্বনি অদুবু ঐনদি ভাবতকীদমক্তি অসুম্না লৌবা তাই মদুদি কমুনিজম্ নত্তে, চাওখৎপা হায়বসি পঞ্চায়ত তা ইলেক্ত্রিক্ পাৱাব হাপচিন্বনি, লৌনবিবা বিষয়দা খজিক্তং খেন্নবনি ।' ইলেক্ত্রিক্ পাৱাব হায়বদি পোৎপু শক্ফম্ ওল্হল্লিবা মনুংগী শাফু অদুনি অদুগা পঞ্চায়ত হায়বসিদি পঞ্চায়তনি, পিক্লবসু, চাওববসু পঞ্চায়তনা পার্লিযা মেন্টনি । পঞ্চায়তকা, ইলেক্ত্রিক্ পাৱাবগনা ভাবতপু ওল্হন্গদৌবিবনি । অসুম্না পঞ্চায়ত হায়বা খুঙ্গংগী লোইশঙ অসিদা মহাক্কী মপুংফানা থাজবা থম্খি । পঞ্চায়তী বাজগী মতাংদা নেহরুনা অসুম্না হায়খি – 'ঐনা হায়খি অদুগা লৌখি, পঞ্চায়তী বাজনা মমৈদা ভাবতকী লন্নাই মীওই খুদিংমক্ (পোটেন্সিয়েল্ প্রাইম্ মিনিষ্টব) হায়বদি থবক্ ঙম্বা প্রধান মন্ত্রি ওইবা ঙম্নবা তম্বিগনি ।' মীপুম্ খুদিংমক্ প্রধান মন্ত্রি ওইবা য়াবা নত্তে, অদুবু দেশগী সেবাগীদমক্ থবক্ তম্বিবা য়াই । মসিনা তাক্পদি পঞ্চায়তী বাজ হায়বসি (পাটিসিপেটিভ দিমোক্রেসি) নি, হায়বদি প্রজানা শরুক্ য়াবা গনতন্ত্রনি, লৈপাক্কী থবক্তা

থৌদাং য়াবা ঙম্বা মচাক্ লৈবা মী পুথোক্পা অসি পঞ্চায়তী রাজনা ঙম্গনি ।

শাসন্দা শক্তি চাইথোক্পা হায়বসি পঞ্চায়তী রাজগা শাগোন্নরবা ৱাফম্নি, মসি তঙাই ফদনা চংই ; ঐখোয়না শক্তিবু চাইথোক্পা হৌবর্দি পঞ্চায়ত হায়বা খ্বাইদগী পাক্লবা খুজিং অসিদা লার্কনি । শাসনদদি শক্তি অসি চাইথোক্কদবনি, হেক্ য়াবমখে পীথোক্কদবনি, অদুগা মখোয়গী অবানবা চুম্থোক্পা ঙম্মবা শক্তিদি থাক্হৌগদবনি ' (সেন্ট্রেলাইজেসন্) শুপ্চিন্না হায়বসি হিরম্ অচৌবা মোহন্ শিজিন্নবা ইন্দাষ্ট্রিজ গুম্বদদি তঙাই ফদে অদুগা শাসন্গী থবক্লোন খব। মখৈ শুপ্চিন্বা তাবনসু দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ হায়বদি চাইথোক্পা হায়বসিদি য়াম্না তঙাই ফদে । শাসন্গী মতাংদা মানা হায় শাসন্দা নত্তগা থবক্তা দাযিত্ব লৌদ্রবাদ নত্তগা খজিকমা লৌববদি, থবক অদু মশানা তপ্পা তাবনি নত্তগা তৌদবা ফাওবা য়াই – অদুনা শাসন্দা তপ্পা. থিন্নমুক্ মংবা লৈ.. ঐখোযগী চাওখৎপগী চাংদা তপ্পবসি অফিসিয়েল্ মেছিনরিবদা থবক শিন্নবা অসির্নি অফিস কী ফাইলশিং নোটিং অমসুং বেফরেন্স যাওবশিং অদু লোইবা লৈতনা সেক্রেটেরিয়েৎ মনুংদা অদুগা ডিপার্টমেন্টশিংদা লৈদুনা লৈ, অদুনা থেংহল্লি । থিম্থহন্বা অসিনা জাতিগী আই অমসুং চে মাংহন্বতা নত্তনা মসিনা (করপ্সন্) অরান্বা তৌবনু য়োক্খৎলি ; মসি লেপ্পনবা ঐখোয়না হোৎনগদবনি । অফিসিয়েল্ শিংনা অখং অহৈ ওইনা পাওতাক্ পীবা, লম্জিংবা তাই, অদুগা থবক্তি প্রজানা দাযিত্ব লৌরগা পাংথোক্পা তাবনি । মথক লোম্দগী শিল-লাংবা, লম্জিংবা চংই অদুবু মখারোম্দগী, মীবক্তগা শক্তি অমা থাদোবক্তবদি কান্নবা ফংলোই । থক্তগী ঙাক্তা থবক্ তৌরবা, মখারোম্দগী য়াওদ্রবা – অদুম্না থক্-খা অনিগী নক্লবা মবি থমদ্রবদি থবক্কী মহৈ অফবা ওইবোই । থক্কী লম্জিংবশিংগা খাগী কোটি কয়া অসিগা তিন্নদবা য়াদে । মবম্ অসিনা অফিসিয়েল্শিংদা প্রজাগা শম্লনা অদুগা মখোয়দা দাযিত্ব পীরগা থবক্ তৌননবা মতম্ চুপ্পদা পাওতাক্ পীখি । প্রজাগা হক্থেংননা তিন্নবগা মখোয়গী ফিভম্ খংদোক্লবা অদুগী তুংদা তেংবাং পীনবা তাক্খি । জিপ গাড়ি অমা তোংলগা ঙাইহাক্তংগী ওইনা চৎলুবনদি ওইবোই । যাম্দ্রবদা খুঙ্গংদা নুমিৎ খরা লৈদুনা মখোয়গা ফমিন্নবা, ৱারি শাবা, চামিন্নবা তৌববদি, অনিগী মরক্তা লৈরিবা য়ুখল্ অদু হাইদোক্খিগনি, মখোয়গী পুক্রিং, হিংবগী ফিভম্মচিংবা খংদুনা তেংবাংবা ঙম্গনি ।

প্রজাগী মফম্দা চংশিল্লিবা অফিসিয়েল্গী খোংজং অসি শোইরবনি, মখোয়না প্রজাগী মীহুৎশিংবু মতিক্ চাদে খল্লি, থাজবা ৱাংলি । মতাং অসিদা নেহরুনা হায়খি– ' ঐখোয়গী মীশিংনা থবক্ অসি কোক্থোংনবদা ঙম্গনি হায়বসিদা মী অয়াম্বনা চিংনবা পোক্ই । ঐনা খংই মখোয়না লান্গনি, অদুম্ ওইনমক্ মসিগী খুদোংথিবসি থেংনবা ঙম্গনি । (সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট) মশানা ঙাক্চবা সরকাব অসি অসুম্ চাং নাইনা

চাওখৎলক্কনি। মীশিংবু থাজৌ, নত্ত্রগা থাজকবগনু, মচেৎ ওইনা থাজবনদি নংবু কদাইদসু লৈহন্দ্রে, মবম্দি মদুনা তশেংবা দায়িত্বদু পীদ্রবনি অদুগা মখোয় চপ্চানা চাওখৎলবোইদবনি।' মখোয়দগী থবক্কী পাওখুম্ লাক্হন্গে হায়ববদি মখোযবু থাজৌ অদুগা মখোয়না মাংলোম্দা চংশিনব' গুন্নবা শক্তি অমদি অর্থাবতি (মণ্ডম্) পীয়ু; মদু শিজিন্নবদা খুৎ থিংজিল্লুগনু। মীশিংন' থবক্ তৌবদা শোইবা কয়া য়াওগনি, শোইজসনু, মদুগী দায়িত্ব অদু মখোযগী ওইহন্গদবনি, অদুগা মখোযনা ঊ়াজগদবনি। অশোইবা কয়া য়াওববসু থবক্ তৌনবগী খুদোংচাবাদি পীগদবান অদুগা শোইনা শোইনা তম্বগী তাঞ্জা ফংহন্গদবান। ঐখোযন লোইশঙ অমবু থাজদ্রবদি ঐখোযনা তশেংনা মদু চাওখৎহন্নবা হোৎনবা নত্রে। মবম্ অদুনা নেহরুনা সবকাবগী থবক্ তৌবশিং অদুগা এম.এল.এ., এম.পি. নাক্ংববু পঞ্চায়তকী থবক্তা খুৎ থিংজিল্লগনু, অশোইবগী দায়িত্ব অদু মখোযদা নমাশল্লক্কান তাকখি। এখোয পঞ্চায়তকী শক্তি অমদি দায়িত্ব পাংশা হায়বসি নেহরুগী মোতনি।

(ঘ) নেহরুনা নুপা অমসুং অভাংশিংদা ..লপ্প মীংথেং অনৌনা ভারত শেম্গৎলক্পদা প্রজাগী থৌদাংগী মরু ওইবা আস নিংথিজনা হংই। অদুবু নাখবপাক্কী শাসন্গী মখাদা মতম কুইনা অবা চৈথেং ফংলক্লবা মীযাম আসগী মবক্তা মশাগী মীনা অমুক হন্থনা যেংদুনা থাক্ নেম্না লৈবক্লবা শোথহৌববা কাংবু সিদ্যুল্দ কাস্ট, সিদ্যুল্দ ত্রাইব, নুপী অমদি অঙাংশিংদা থোইদোক হেন্দোক্লা মীংথেং থম্খি। ভারতকী নীংতম অন্দোলনগী মতম্দা মহাত্মা গান্ধীজীনা কৌবকপা মতম্দা নুপী কয়া চোংথোক্লক্খি। গান্ধীজীনা নুপীগী গুণ কযাগী মনুংদা থৌনা, চম্জবা অদুগা কখোক্পা হায়বসি উখি নুপীনা ফনা যাম্না মপাল্থোক্লনা অফা-অপুন্দগী নাম্থোকপা তাববসু মমা অমা ওইবা মচানুপী, মচে মচল্ অদুগা যুম্গী নুপী অমা ওইবদগীদি বাংমা লাল্লোইদবান হায়বসি গান্ধীজীগী ঊ়াখল্নি, সাবিত্রিগী মমি থম্বগী ঊ়াখল্ যাওই। অদুবু নেহরুগী ঊ়াখল্দি মাসদগী খবা হাইদোকই, নুপীশিংবু অফা অপুন্দগী নাম্থোক্হন্না তাববদি মহৈ তম্নবা অমদি শেলথুম্গী নীংতম্বা পীগদবনি হায়বর্সিনি। মবর্মাদি শেলথুম্গী মবিদা মীঙোন্দা তাংলবা মা অদু মনিং তম্দ্রবান।

মহাক্না নুপীগী ইহৌ শাগৎপদা পুক্নিং থৌগৎলম্মী; নুপীগী ইহৌগা জাতিগী ইহৌগা শৌগৎনবা তাববসু অনি অসি চপ মান্নবা নত্তে খল্লি। জাতিগী নীংতম্বা ফংলবদসু নুপীশিংনা মান্নবা ফংবা হায়বদুদি ফংবা যাবোই, মবম্ অদুনা নুপীনা থেংনগদবসি লানফম্ অহুম্নি হাযখি মদুদি (ক) চৎনবী (কন্ডক্ট), পবিং চখবক্লিবা হৌনবী (ত্রেদিসন্)গী মাইয়োক্তা (খ) নুপা ওইবশিংগী মাইয়োক্তা (গ) নুপী মবক্তগী (ওর্থোদোক্স ওইবা) খুনুং ওইবা নুপীশিংগী মাইযোক্তা, অহুম্ অসি থেংনবগা নুপাগা মান্নবা ফংগনি

হায়বসিনি। নেহরুনা নুপী অমসুং অঙাংগীদমক য়াম্না খনখি ; মখোয়বু নুংশিবা অসি মীওইবগী ওইবা মীৎয়েংদগীনি। মাগী ওইনদি মীওইবগী হক্ অসি সমাজদা অচুম্বা তৌবা, অদুগা মান্নবা নাগরিক্ ওইবা হায়বা অসিদা থুম্ফম্ ওইবনি ; মদুনা হায়বিরদি নুপা অমসুং নুপী অনিগী খুদোংচাবা ফংলিবা অসি মরূপদবনি। মদুগী ভাবন্তি নুপা, নুপী অনিমক্তা গনতন্ত্রগী চৎনলোন্ অসি শাগৎনবা পুন্না থেংনামন্নবনি, নীংতম্বা অমসুং অচুম্বা ফংনবদা সমাজবু ভাব তানা খংবনি। আইনগী খুন্থাংদা, সমাজগী শাফুলক্তা অদুগা মীৎয়েংদা রিপব্লিক্ অমা শাগৎনবা, সমাজগী, শেলথুমগী, রাজনীতিগী ওইবা অচুম্বা তৌনবা, নীংতম্বা অমসুং চিন্না চান্নবা যংনবা অঙংবা অমা পুবকপদা থাজে। নুপী অমসুং অঙাংশিংগী হক্ ফংবা হায়বসি মী অমগী ইজৎকা বাফমনি ; মশিগী ইজৎ অসি ওইবা য়াবা মওংদা চুমহনগদবনি, ওইহনগদবনি। মরম্ অদুনা নুপী অমসুং অঙাংদ মপাঙ্গল্ হপ্পা অসি মনুং অমসুং মপাল্ অনিমক্তা হায়বদি নুপশিংগী পুক্নিংদা অদুগা সমাজ, শেলথুম্ অমদি রাজনীতিগী ওইনা নুপাশিংনা মথক থোংনা পাল্লিবা হিরম্শিংদা ওলহনগদবনি।

মী ওইনা অঙাংগী মক ওইবা খংনা, নুংশিনা লোযনননবা, শেমগৎনবা খঞ্জবম্বদুনা মাগী মপোক্ নুমিৎ নভেম্বর তাং ১৪ বু 'অঙাংগী নুমিৎ' হায়না মাবু নিংশিনবা অদুগা অঙাংবু শেমগৎপগী ইহৌ শাগৎনবা পালন্ তৌবিবসি চপচাবনি।

(৩) শ্রী বলবন্তরে (বলবন্তরাই) মেহতা অমসুং পঞ্চায়তী রাজ –

নীংতম্বা হেক্ মতুংদা মীখা পোল্লম্লবা, লৈখা তাবন্নবা লৈপাক্ অসিবু থোইদোক্ হেন্দোক্তা লৈপাক্কী অয়াম্বা শরুক্ ওইরিবা খুঙ্গংগী লমবু শেমগৎনবা, চাওখৎপগী লম্বীদা পুবক্নবা হোৎনাখবা থৌবাংগী মনুংদা চহি মঙাগী থৌবাং মখাদা ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবর তাং ২ দা হৌদোক্খিবা কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট অসিনা খ্বাইদগী মক ওইবনি। মসি ভারতকী ইতিহাসতা পঞ্চায়তী রাজগা শাগোন্নখিবা কাওবা য়াবোইদবা থৌদোক্ অমা ওইনা লৈহৌবগনি। প্রোজেক্ট অসি অশোইবা ওইরক্নবদা ভারতকী প্লানিং কমিসননা ইং ১৯৫৭ তা কমিতি ওন্ প্লান্ প্রোজেক্ট (অশন্বদা সিঃওঃপিঃপিঃ) কী মখাদা স্টদি টিম্ অমা শেমখি। টিম্ অসিগী লুচিংবা ওইনা শ্রী বলবন্তবে গোপালজী মেহতাবু হাপখি ; অদুগা কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামবু (অশন্বদা সিঃডিঃপ্রোগ্রামবু) হন্না য়েংশিল্লগা অশোইবা পুথোক্নবা অদুগা ফগৎনবা উপায় তাক্নবা রিপোর্ট অমা লানখৎনবা শিন্নখি। টিম্ অসিনা রাফম্ কয়াগী মবক্তা খুঙ্গং অমসুং জিলা ফাওবগী থাক্তা প্রজাগী মীহুৎনা শেম্বা লোইশঙ লিংখৎলগা সিঃডিঃ প্রোগ্রামগী প্লানিং (থৌশিল্) অমসুং এক্সিকুসন্ (থবক্ পাংথোক্পা)

গী থৌওং অদু শিন্ননবা রিপোর্ট পিখি । মদুগী মতুং ইন্না খুঙ্গং, ব্লোক্ অমসুং জিলাগী থাক্তা পঞ্চায়ত লিংখৎলগা মখোয়বু লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী, মফম্ মফম্গী ওইবা মশানা ঙাক্চবা সরকারগী (ইউনিট) খুজিং ওইনা থবক্ তৌননবা থৌওং অমা হৌদোক্খি মসিবু 'দিমোক্রেটিক্ দি-সেন্ট্রেলাইজেসন্' নত্ত্রগা 'পঞ্চায়তী রাজ' হায়না খংনখি । শ্রী মেহতা, গান্ধীজীগী তুংইন্বা অমা ওইনা অদুগা মতম্ অদুগী প্রধান্ মন্ত্রি শ্রীজবহরলাল নেহরুগী সরকারদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমা ওইনা অসিগুম্বা পঞ্চায়তী রাজ পাথাপ্ পুথোক্পা ঙম্খি । অসিগুম্বা ফজরবা পাথাপ্ অসি হৌদোক্পা অসিবু নিংশিংদুনা শ্রী মেহতাবু 'পঞ্চায়তী রাজগী মপা' হায়না মীংথোন্খি অদুগা মাগী মপোক্ নুমিৎ ফেব্রুৱারি তাং ১৯ বু 'পঞ্চায়তকী নুমিৎ' হায়না খংনদুনা পালন্ তৌবা হৌখি । মহাক্ পঞ্চায়তী রাজ ফগৎনবদা কথোক্পগা লোয়ননা থবক্ তৌরম্বা মীশক্ ওইখি ।

(ক) সিঃওঃপিঃপিঃ স্টদি টিম্ অমসুং দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ নত্ত্রগা পঞ্চায়তী রাজ –

সংবিধান্গী আর্টিকল্ ৪০শুবগী মতুংইন্না পঞ্চায়তশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট (এলঃএসঃজিঃ) গী খুজিং ওইনা শেম্বনি । অদুগা অতোপ্পা থৌওং অমদনা সিঃওঃপিঃপিঃ স্টদি টিম্না দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ (দিঃদিঃ) নত্ত্রগা (পিঃআর) পঞ্চায়তী রাজগী মরিদা পুখৎলক্খিবা ৱাফম্ মতুং ইন্না পঞ্চায়ত থোক্খিবনি । পঞ্চায়ত হায়বসি হক্থেংনবা মীখল্না (দাইরেক্ট ইলেক্সন্না) শেম্বা খুঙ্গংগী থাক্তা লৈবা শক্তি, থবক্ অমসুং পোৎথোক্ লম্বোক্ য়েম্বোক্লবা অদুগা হিরম্ পুন্নমক্ শোক্লা খুঙ্গং চাওখৎনবা লৈবা লোইশঙ ওই । অদুগা অসিগুম্বা য়ুম্ফম্ ওইরিবা খুঙ্গংগী লোইশঙশিংদগী নাকোইনবা মীখল্না (ইন্দাইরেক্ট ইলেক্সন্না) হেন্না ৱাংবা থাক্তা লোইশঙ মথং মথং কায়াৎ শম্নুনা (ওর্গেনিক্ লিঙ্কিং লৈনা) শেম্গৎলি । অসুম্না খুঙ্গংগী থাক্তা গ্রাম্ পঞ্চায়ত লৈগ্রে, ব্লোকী থাক্তা পঞ্চায়ত সমিতি হায়না গ্রাম পঞ্চায়ত খুদিংমক্কী মীহুৎনা শেম্ই । জিলাগী থাক্তা জিলা পরিষদ হায়না পঞ্চায়ত সমিতি খুদিংগী প্রেসিদেন্টশিংনা মেম্বর ওইনা শেম্ই, মসিদা এমঃএলঃএঃ, এমঃএলঃ সি অদুগা এমঃপিঃ শিংনা এক্স অফিসিয়ো মেম্বর ওইনা লৈগনি । জিলা পরিষদ অসি লম্জিংনবা, লম্তাক্লবা অদুগা তাইশিন্ননবা লোইশঙ ওইগনি । ব্লোক্ পঞ্চায়ত সমিতিশিংনা পঞ্চায়তশিংগী মরিদা চাওখৎ থৌরম্গী থবক্ পাংথোক্লবা মচেং ওইনা এক্সিক্যুটিভ বোদি হায়বদি থবক্ পাংথোক্লবা বোদি ওইনা লৈগনি । গ্রাম পঞ্চায়তনা মরু ওইনা খুঙ্গংদা গ্রাম সভাগা তানরগা, মশানা তেংবাংজবা, মশাবু থাজজবা, অমগা অমগা তেংবাংনবা, পুনশিন্না তৌদুনা থবক্ পাংথোক্লবা লোইশঙ ওইগনি । মসিগী শাগৎলিবা ৱাখল্লোন্ অসিবু 'দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রলাইজেসন্' নত্ত্রগা 'পঞ্চায়তী রাজ' হায়না য়াম্না পাম্না খংনৈ । ৱাফম্ অসি নেসনেল্

ডিভেলপ্মেন্ট কাউন্সিল্ অমসুং নেসনেল্ কাউন্সিল্ ওফ লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টনা লৌবদুনা দেশ অসিদা পঞ্চাযতী বাজ চৎনবা হৌখি ।

(খ) দিমোক্রেটিক্ দিসেণ্ট্রেলাইজেসন্ অসি থাজবগী থবক্তি -

মী খবনদি, তৌবিবা মওং অসি তশেংবা দিসেন্ট্রলাইজেসন্ লা হায়বদি ময়াইদগী চাইথোক্পবা নত্তুগা চুম্নগী পীববা হায়না ৱাহংবা য়াওই । দেশ অসিগা ওইনা আইন্গী ওইবা পাক্ চাওবা নমুনা অমা ময়াম্গী ওইনা শেম্ই অদুগা অকুপ্পা ৱাফম্দ খেগৈ । অদুবু দিঃদিঃবু চুম্নগী মওং অমা ওইনা পুথোক্পা অদুগা থাজবগী খবক অমা ওইনা লৌদবা তাববদি খুদোং থিনিঙাইনি হাযনা মেহতাজীনা হ.ৎখি । সবকাবগী প্রোগ্রাম্ ওইনা পাংথোক্পদা মীযাম্গী ওইবা পাঙ্গল্ অমদি লনবু শিাজন্নবা ঙম্দবদগী পঞ্চাযত্তী বাজগী বাযম্ অাস পুখৎপান ।

গনতন্ত্রণা গুণব্ ঙাক্লবা অমদি কনখৎহনবা অমতা ওইবা লম্মা মীবাম্দা মখোযগী মথৌবু নিংথনা পাংথোক্লবগী ৱাখল মশানা ঙাকচবা [illegible] দাযত্ব অদু খংহন্বনি । মসিদা থাজবগা লোযননা তৌদ্রবা অদুগা তঙ্খাইতমক থৱাই যা[illegible] তাববদি নোংমৈ কাপ্পদা মনিং হম্বগী খুদোংথিবা থেংনবা অদুগুম্না অমাংবা ওইগনি । প্রোগ্রাম্ অসিবু মাই পাকহন্না তাববদি, মী খুদিংনা থবক্তী, মবম্দা যাম্না চুংশিন্নবা তাই । মবম্ অদুনা মহাক্না, শ্রীমেহতানা বাজ্য সবকাবদগী হৌদুনা, দিপার্টমেন্টকী থবক্ পাযবশিং অমদি মফম্ মফম্দা থবক্ পার্যাববা অফিসকী নত্তবা মীশিংদা ইহৌ অসিগী মাইযোক্তা বাখল্ লৈতনবা হাযখি ।

(গ) পঞ্চাযতকী মবিদা–

(১) থৌদা - খুঙ্গংগী পঞ্চাযত হাযবসি দেশ অসিদা থাইনদগী লৈবক্লবা লোইশঙনি, মসিনা বিপাব্লিক ওইনা মপাল্গী লৈপাক্লা লান্দাবক্লবা ফাওবদা খাংদুনা লৈবক্ই । বৃটিশনা লাক্লিগৈঙে ফাওবদা মসিনা ভাবতকী নাৎ অমসুং লৈপাক্ মচা তাবা ফিভম্ (সিভিলাইজেসন্) ঙাক্লুনা লার্কখিবান । বৃটিশনা অশুপ্পা অঙম্বশিংগী শাসন্ তৌদুনা পঞ্চাযত মাংথবক্লবগী মবম্ ওইখি । মমৈদা বৃটিশনা লিংখিবা পঞ্চাযতশিংদি থাইনগী পঞ্চাযতশিংগী শিথবক্লবা মর্মিনি । মখোযশিং অসিদা পোৎ লন্ পীদনা, লম্জিং তাক্তনা অথিংবা কয়ানা মখোং মখুৎ পুর্নশিন্দুনা থম্বগুম্লম্ই ।

হৌজিক্তি মদু নত্ত্রে, জাতি অসি শাগৎপদা, মখোযগী থৌদাং মশক খংলে, মখোয অসি ম্যুনিসিপাল্গী চাওখৎ-থৌবম্গী অদুগা বেভিন্যু (বেভিনিউ) গী থবক্তা দাযিত্ব পুগদবা এলঃএসঃজিঃ গী খুজিং ওইবক্লে । খুঙ্গংগী খুদোং চাদবা অমদি অৱাৎ-

অপা মেন্ননবা মখোয়দা মতিক্ চাবা (অথবিতি) মঙম্ পীবা তাবক্ই। লম্গী খাজনাগী মচং ওইবা শরুক খবদি মখোয়গী মবাং কাইদবা লন্ অদু হেন্গৎনবা খাইদোক্পা চুম্ই। পঞ্চায়ত সমিতিদা চাওখৎপগী থবক্ পুম্নমক্, কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট য়াওনা শিন্নবতা নত্তনা রাজ্যগী দিপার্টমেন্টশিংনা মখোযনা ব্লোক্কী লম্দা তৌগদবা থবক্কী মবিদা বস্তেতা পাপ্পনবা তৌগদবনি; থবক্শিং অদুসু পঞ্চায়ততা শিন্নগদবনি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী থবক্ পাংথোক্লবা পঞ্চায়তপু এজেন্ট ওইনা থম্বা যাই।

(২) পঞ্চায়তকী খুদোংচাদবা – পঞ্চায়তকী থবক চত্থবদা খুৎলোইদবা ফিভম্ কযামুক লৈ, খুঙ্গংগী সমাজদা জাৎ-কাংলুপ্ খাইবা অসি মপুংফানা লৌথোক্পা তারবনি। হান্নদগী লৈবক্লবা কল্লক মীহৌনবা, খৎনবা, ভাব ফত্তবা, লান্না থাজবা লাইবিক হৈতবা, লাইবকা, লন্ তোনবা, তন্দুনা থবক তৌনিংদবা অসির্নাচিংবা কযানা অথিংবা ওইবি। মীশিংগী ফিভম্ থোইদোক হেন্দোক্লা ফত্ত্রি, মখোযনা মীযাম্গী থবক্তা থোক্লা যাওবা ফংদ্র। শোত্থহৈবরা কাংবুনা অদুম্ শোত্থদুনা লৈব। খুঙ্গংগী মতিক্ লৈবা নত্তা পুম্নমক্ সহবদা চৎনিংবগী ৱাখল্না খুঙ্গং থাদোক্লুনা চেন্নখ্রি; অদুনা চাওখৎপদা হেন্গৎপা ঙমদে।

(৩) পঞ্চায়ত তা অনৌবা মখল্গী লুচিংবা – খুঙ্গংদা থবক্ ঙম্বা অদুগা মশাখিংবা লুচিংবা লৈবগী তঙাই ফদবা লৈ। অসিগুম্বা লুচিংবা অসি মীয়াম্না পুন্না য়াবা মীশক্ ওইনা খন্বা তাই। মকোক্ ওইবা পঞ্চায়তকী মী ওই অসি মযাম্ পুম্নমক্না যেৎনদনা নত্ত্রগা যাবমখৈ যেৎনদনা খম্বা ঙম্লবদি ইংবা তপ্পা ফিভম্দা থম্বা ঙম্গনি; তেংবাংনবা, থাজনবগী চাং হেন্গনি অদুনা পঞ্চায়ত অদু মপাঙ্গল্ কন্গনি। মসি তৌবদা রাজনীতিগী পার্টিশিংনা পঞ্চায়ততা রাজনীতি পুশিন্দনা ‘জেন্টেল্ মেন্স এগ্রিমেন্ট’ হায়বদি চাওথোক্লা য়ানবা অমনা ঙমগনি। পঞ্চায়ত হায়বর্সিদি খুঙ্গংবু নৌনা শেম্গৎ-শাগৎপদা, মীযাম্গী পুন্সিবু ফজনা লৈহন্বদা, মীযাম্গী তশেংনা চংগদবা অপাম্বা অদু ফংহন্বদা অৱাবা কোক্হন্বদা, মতিং লৈবা মী পুক্লিং থৌগৎপদা, ফত্তবা কযা থেংনবদা, মতম্ কুইনদগী লৈবক্লবা মীশিংগী থবেক্লবা মওং কোক্হন্বদা, মীশিংদা থবক্ তৌহন্নিংনবা হোৎনবদা, অফবা ফিভম্ শেম্নবা মৈথৌ হেন্গৎহন্বা ঙম্বা লোইশঙনি। পঞ্চায়তনা খুঙ্গংদা অনৌবা, অফবা, মতিক্ চাবা মখল্গী লুচিংবা পুথোক্পা ঙম্গনি।

(৪) পঞ্চায়তকী থবক্ থৌরাং – পঞ্চায়তনা খুঙ্গংগী সমাজ অমসুং শেল্থুম্গী মরিদা থিদোক্লগা মী শিংগা নক্ল-শম্নবা, চাওখৎ থৌরম্, লৌউ- শিংউগী পোৎথোক্ হেন্গৎনবা, মীয়াম্গী ওইবা থৌরাং –কোঃওপরেটিভ সোসাইটি শেম্গৎপা, খুৎশা হৈবগী, খুৎনাইবগী থবক্ ফগৎনবা হোৎনবা ঙম্গনি। পঞ্চায়তনা লাইরিক্ হৈতবা, লাইরবা, লাইনা, শেন্দোল্ লৈবা, থবক্ ফংদবা, মতিক্ চাদবা থবক্ শুবিবা

অদুগা অতৈ সমাজগী ফত্তবশিং কোক্‌হন্বা ঙমগনি । নুপী অমসুং নহারোল্‌গী লুপ্ শেম্‌গৎপিরগা য়াইফ-থৌরম্ কয়া পুখোক্লুনা, মখোয়বু ফগৎহন্বগা লোয়ননা মখোয়দগী তেংবাংসু লৌবা য়াগনি ; শোত্থৈরবা কাংলুপ্পু য়োক্‌খৎকনি; থাইনগী ভারতকী নাৎ (কল্‌চর) কনবা ঙম্‌গনি অদুগা মতম্‌গী ওইবা বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজি শিজিন্নহ-ন্দুনা খুঙ্গংগী খুদোং চাদবা কয়া কোক্‌হন্নবা হোৎনবা য়াই ।

(৫) পঞ্চায়ত না খুঙ্গংগী থাক্তা রাজ্যগী অথরিতি (মঙম্) অদু তশেংনা ফংগদবনি —'গ্রাম স্বরাজ' হায়বা ব্রাহৈ অসি নীংতম্ ইহৌগা মবি লৈননা পন্নবক্লবা ব্রাফম্‌নি । গ্রাম স্বরাজ হায়বসি খুঙ্গংগী থাক্তা গনতন্ত্রগী ওইবা মশানা ঙাক্‌চবা সরকারনি । মদু ওইবা তাববদি রাজ্যগী অশেংবা শক্তি অদু গনতন্ত্রগী ওইবা লোইশঙ অসিদা পিথগদবনি ; অসিগুম্বা গনতন্ত্রগী লোইশঙবু ঐখোয়না খুঙ্গংগী পঞ্চাযত হায়না লৌই । মসিনা ম্যুনিসিপালিটিগুম্বা সিভিক্ ফঙ্কসন্, চুম্নগী মীযাম্‌গী থবক্ খক্তা তৌগদবা নত্তে, অতৈ অতৈ খুঙ্গংগী চাওখৎ-থৌরম্ কয়া অমসু হৌজিক্ ওইবিবা শেল্‌থুম্ অমসুং সমাজগী শোত্থরিবা ফিভম্ অসি য়েংদুনা পায়খৎপা তার্বনি । অদুম্ ওইনমক্ পঞ্চায়ত অসি ভিলেজ ডিভেলপ্‌মেন্ট কমিতিদি নত্তে । পঞ্চায়ততি সেল্ফ গোভর্ণমেন্টনি হায়র্বাদি মশানা ঙাক্‌চবা সবকারনি অদুনা, চুম্নগী সিভিক্ ফঙ্কসন্ অদুগা চাওখৎ-থৌরমগী থবক্ পুবতা নত্তনা সরকাব অমা ওইনা, রাজ্যনা মশাগী অশেংবা শক্তি, মঙম্ অদু গনতন্ত্রগী লোইশঙ ওইবিবা পঞ্চায়ততা পিথোক্‌দবনি । খুঙ্গংগী থাক্তা বাজ্যগী অশেংবা শক্তি অনি লৈ মদুদি রেভিন্যু অমসুং পোলিশ অসিনি । পোলিশকী থবক্ ঙম্নমক্ পঞ্চায়ততা পীদবা য়াই অদুবু খবমখৈদি শিন্নবা য়াই ; অদুগা রেভিন্যুগী (অথবিতি) মঙম্ অদুদি পঞ্চায়ততা শিন্নবা মতম্ ওইরবনি । মসি তৌদ্রবদি প্রজাদা নীংতম্বগী মঙাল্ ফাওরোই, রাজ্যগী শক্তি অদু মখোয়দা লৈবে হায়বা ঙল্লোই । মবম্ অদুনা বেভিন্যুগী শক্তি পঞ্চায়ততা শিন্নবা হায়বসি মতম্ চপ্ চারবনি হায়খি । অদুগা লম্‌গী খাজনাগী শকক্কী য়াম্দ্রবদা চাদা নিফু নত্তগা য়াম্খৈদি পঞ্চায়ততা মখোয়গী থবক্ তৌবা ঙমজনবা পীগদবনি । খুঙ্গংগী থাক্তা সরকারনা থবক্ শিন্নবা য়াবা অদুগা মদুগী খুৎথাংদা সরকাবনা থবক্ তৌহন্বা য়ারিবা লোইশঙদি গনতন্ত্রগী ওইবা মীথল্‌দা শেম্বা পঞ্চায়ত অসিতনি।

(৬) ট্রেনিং — জাতিগী ওইনা, গনতন্ত্রগী ওইবা শক্তি অমদি মঙম্ পীথোক্‌পা হায়না থাক্ কয়াদা পোক্লিসি, থৌশিল্ চৎথরক্‌পসি অনৌবা পন্দুপ্ অমা হোংলবনি । খুঙ্গংদা লৈরিবা ঐখোয়গী মরুপ্ মপাংশিংদা জাতি শাগৎপা মতম্‌দা য়াওননবগী অচৌবা খুদোং চাবা পীবা হৌরবনি । থবক্ অসি অচুম্বা মাইকৈদা চৎতুনা মতিক্ চাবা মহৈ ফংননবা পঞ্চায়তকী মেম্বরশিং অমসুং থবক্ তৌবা কাংবুদা পীফম্ থোক্‌পা ট্রেনিং পীবা তাই । মিনিষ্ট্রি ওফ কমুনিতি ডিভেলপ্‌মেন্ট না দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ত

অফিসারশিংগী ট্রেনিং পীবা হৌবগা লোযননা, দিপার্টমেন্ট কয়াগী এক্সটেন্সন্ অফিসারশিংবুসু ট্রেনিং পীননবা শিল্লি। রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সবকারনা য়ারমখৈ হোৎনদুনা শিবা য়াবা ট্রেনিং পীগদবনি। অদুগা অফিসকী নওবা পঞ্চায়তকী মীওইশিংদসু মওং চাবা ট্রেনিং পীননবা তৌগদবনি। সবকারনা হোৎনবিবা কয়া অসিগী অহাংবা মেন্ননবা অফিসকী নত্তবা মীওইশিংনা পঞ্চায়তকী প্রোগ্রাম্ কয়া খংনা, খুদংগী পুন্সিবু ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা পঞ্চায়তশিংবু মশাগী থাজজবা লোকেল্ গোভর্ণমেন্টকী খুজিং ওইহল্বা তাই।

(ঘ) ওল ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকী মতম দা মেহতা – লম্নাই সংস্থা নত্ত্রগা লুপ্ কয়গী "ইন" অবাংবা থাক্তা লুপ্ শেম্নে। অদুবু পঞ্চায়ত হায়বিবা এল:এস:জি: গী খুজিং ওইহল্লশিং অসি পুনশিন্দুনা শেম্বা লুপ অমা অমুক্ অবাংবা থাক্তা লৈবগী কবি কান্নবগ হায়বসি হংনরকই। পঞ্চায়ত নত্ত্রগা কো: ওপরেটিভশিং অসি লোইশংগী মওংদা লৈবগা দিপার্টমেন্টশিংনা পুবনি, মখোযদা মতিক্ চাবা পোৎ লন্ অদুগা থবক্ নাংথিনা পীদে। ঐখোযদি মখোংদগী শাগৎপা গনতন্ত্র লৈননবা হোৎনবি অদুনা মীয়াম্না অদুগা লম্নাই লুপশিংনা অতৎপা লৈতনা থাক্ খুদিংগী মীশিংদা পুক্রিংদা ইথিল্ পীননবা, লমজিংনবা অদুগা তম্বিনবা তৌদবা যাদে, লোইশঙশিং অসিগী থবক্ মতৌদা ফিদম্ উৎপগী রাখল্ অমা পীদবা যাদে। লোইশঙশিং অসি মখোযগীদমক্ লৈবিবনি, মখোয লোইশঙগীদমক্ লৈবা নত্তে হায়বগী জ্ঞান্ তানবা অমা লৈবা তাই। মীয়াম্গী মীহুৎ ওইবিবা মীশিংবু মখোযগী হক্তগী দাযিত্ববুনা হেন্না শক্ খংহন্বা চংই। অদুগা সবকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা লৈবিবা পঞ্চায়ত কুম্বা লোইশঙগী থবক্ পায়বিবা মীশিং অসিবু অচুম্বা থৌদাং অদু তত্তনা তম্বিবসু তঙাই ফদে; অদু ওইববদি থবক্ অসিদি কনানা তৌগনি ? মীযাম্গী ওইবা প্রোগ্রাম্, ফিদম্দা, মশা কখোক্পদা অদুগা পুন্সিগী হেন্না রাংবা গুন্ অসিনচিংবা কয়াদা যুম্ফম্ ওইবগা পাংথোক্কদবা অসিদা সবকারতনা পায়বা ওইথোক্তে। মীযাম্না অমতা ওইনা, শেম্শাবা মওংদা, গনতন্ত্রবু মাই পাক্লনবা লোইশঙশিং অসিগী খুৎথাংদা লেপ্পববদি মখোয়গী ফেদবেসন্ ওইনা পুনশিন্দুনা পঞ্চায়ত পরিষদ কুম্বা ভাবত পুম্বগী ওইবা বোদি অমা লৈবা তাই। মদু ওইববদি পঞ্চায়তকী ইহৌবু মদুনা মপাঙ্গল্ হাপ্কনি অদুগা মখোংদগী গনতন্ত্র শাগৎপা ঙম্গনি। সবকারনা হোৎনবা অদু মপুং ফাননবা মীযাম্গী হোৎনবা অসি য়াওরবদি অহোবা অমা চাওনা লৈগনি। মবম্ অসিমক্তা পঞ্চায়ত পরিষদ লৈবগী রাখল্ শাগৎপনি।

পরিষদ অসি রাজনীতিগী ওইদবা, পার্টিগী ওইদবা লুপ্ অমনি মসিগী থবক্তি সবকারনা হোৎনবিবসিদা মপুং ফাহন্নবা তেংবাংশিন্বনি। পরিষদকী প্রোগ্রাম্ অমসুং পোলিসি :-

(১) পঞ্চায়তী রাজগী আইন্ শেম্বা অসি সবকারগী য়াম্না মক ওইবনি,

মসিনা থৌওং চুম্না চত্থহন্‌গদৌবিবনি । পরিষদ অসিনা মতাং অসিদা প্রজাগী অনিংবা ফোংদোক্‌পা য়ানবা শেম্বদা সবকাবদা তেংবাংগদবনি ।

(২) এক্টকী মথা তাবা কল্‌ মপুং ফানা য়েংলগা ফগদবা মওংদা শেম্বদা সবকাবদা তেংবাং পীবসু তৌদবা য়াদবা অমনি ।

(৩) আইন্‌ শেম্বদা অদুগা মতম্‌ মতম্‌গী শেম্‌দোক্‌পা মতম্‌দা আইন্‌ অদু প্রজাশিংদা তাক্‌পা অদুগা মদু চৎনহন্বদা প্রজাদা ভাব তাহন্বা পরিষদকী থবক্নি ।

(৪) আইন্‌ শেম্বতদা নত্তনা ফিদম্‌ পিননবা, প্রজাগী মথৌ অমসুং থক্‌সি-খাসি নাইবগী ভাব তাহন্বসু পরিষদকী থবক্নি ।

(৫) তেংবাংনবা , পুন্‌শিন্‌বা, মশাবু থাজজবা, মশাবু তেংবাংজবা অসি-চিংবগী মবম্‌দা ফিদম কয়াগী রা ঙাংনবি । অসিগুম্বা মযাম্‌ অসি থবক্তা ওহ্লোক্‌পা হায়বসিনা হেন্না তঙাই ফদে । মসি তৌননবা ভোলনটিয়াব লিশিং লিশিং শেম্‌গত্তুনা খুঙ্গংগী মীশিংগা থেংনদুনা প্রজাশিংবু তেংবাংবগী তঙাই ফদবসু লৈবি সংস্থান (লুপ) অসিনা চুনবা ফিভম্‌ শেম্‌দুনা পঞ্চায়তশিংনা খুঙ্গংগী পুক্নি, গনতন্ত্রগী মগুণ্‌ অদুগা পুন্না থবক্‌ তৌমিন্নবা অসিগুম্বগী ফিভম্‌ শেমগৎপদা পুক্নিং থৌগৎনবা হোৎনবা তাই ।

(৬) রাজনীতি, সমাজ, অদুগা নাৎকী ফিভম্‌ হেনগৎহন্বতনা যাদ্রি, শেলথুম্‌গী হিরম্‌সু শোক্‌পা তাই । মীওইবনা হিংনবা চিঞ্জাক্‌, শেৎন চানবা অদুগা লৈননবা য়ুম্‌, মহৈ তম্বা, অরা পোত্থাবা লৈহন্বা তাই, পুন্নমক্কী মথক্তা চিঞ্জাক্নি । অদুনা লৌউ-শিংউগী থবক্‌ তৌবিবা খুঙ্গংগী মীদা মসিগী তঙাইফদবা খংহন্বা তাই । মবম অদুনা পরিষদকী থবক্তি মসিগী দায়িত্ব লৌদুনা সবকাবনা হোৎনবিবসিদা পাঙশিন্‌বা তাই ।

(৭) থবক ফংদবা অদুগা মতিক্‌ চাবা থবক্‌ ফংদবা হায়বসিসু জাতিগী ওইনা লৈবা খুদোং চাদবা ওইবি । মবম্‌ অদুনা লুপ্‌ অসিনা পঞ্চায়তশিংদা মখোযগী লম্‌দা হিবম্‌ অসিদা যেংশিলহন্নবা খংহন্বা তাই ।

(৮) অফিসকী অমদি নত্তবগী অতৈ থবক্‌ তৌবশিংদা মীওইবগী নিয়ম ওইনা অচম্বদগী হেক্‌ হেক্‌ থৈদোক্ই । লুপ অসিগী মথৌদি মসিগুম্বশিং অদু থাক্‌ খুদিংদা খুঙ্গংদগী হৌদুনা জাতিগী থাক্‌ ফাওবদা চুমথোক্‌পনি ।

পরিষদ অসি পার্টি নাইদবা, পুন্নমক্কী ওইবা লুপ্‌নি, মবম্‌ অদুনা মীপুম্‌ খুদিংনা মসিদা মশাবু ফোংদোক্লবা অদুগা থবক্‌ তৌননবা লৈবা যাই । পঞ্চায়ত হায়বসি থাইনদগী লৈবক্লবা মথং মথং চৎথবক্‌পা লোইশঙনি, নিংথিজনা মপাঙ্গল্‌ হাপ্পিববদি, মসিনা শান্তি , অইংবা , অতপ্পা পীবা ঙম্‌গনি । মবম্‌ অদুনা পার্টিগী খেন্নবা য়েংদনা মী

পুম্নমক্কা ইকাই খুম্নবা য়ারবা জাতিগী মচানুপা নত্তগা মচানুপীগুম্না থবক্ তৌগদবনি। মসি ওইননবা তৌবা অসিসু লুপ্ নত্তগা লোইশঙ অসিগী অচৌবা থবক্নি; মসিনা খুঙ্গংগীতা নত্তনা জাতি অপুন্বগী অচৌবা সেবা ওইগনি।

(ঙ) অফিসকী থবক্ তৌবা অদুগা অফিস নত্তবগী থবক্ তৌবশিং পুন্শিন্নবা:- পরিষদকী প্রোগ্রাম্ অমসুং পোলিসি অসি নৈং নন্দা, মসি কবম্না ফংগদগে হায়বসিদা লাক্ই। থবক্ অমা কবম্না তৌগদগে হায়বা মতম্দা মদু তৌবা হৌবা অদুগা অশোইবা য়েংলগা চুম্থোক্নুনা ভাব তানা মপুং ফানবা চথবা হায়বাস না ওই। মসিদা ব্রোনং অমসুং ইভেলুয়েসন্ হায়বদি থবক্কী গুণ্ অদুগী চাং লেপ্পা হায়বা ব্রাফম্ অনি থোক্লকই; অনি অসি য়াম্না মরি লৈনৈ। পঞ্চায়ততগী হৌনা মথক্ ফাওবদা লৈবিবা লোইশঙশিংনা শক্তি চাইথোকপগী মতাংদা থবক্ তৌবক্পদা মদনা প্রজাশিংদা কবম্না থোক্হন্নগে হায়বদু হেংগদবনি। অফিসকী থবক্ পুবশিংগী ওইনবসু অফিসকা নত্তবাশিংগীবু ওইববসু অশোইবা থোক্পদা য়েংলগা অচুম্বা মওংদা চুম্থোক্নদবনি। কাংলুপ অনি অসি পুন্শিন্দুনা মশাগী ওইবিবা ফিভম্ য়েংদনা প্রজাবু তেংবাংনা হায়বসি মখোয়গী অমতা ওইবা থৌবম্নি হায়না খন্গদবনি। মতাং অসিদা শ্রী মেহতানা উংখি – ঐখোয়গী দেশ অসিগী সমাজ অমসুং শেল্থুম্গী অশোন্বা ফিভম্ অসি নাবিবা অঙাং অমগা চাংদম্নবা যাই। নাবিবা অঙাংগী মমা অদুনা মাগী নুংশিজবা পুম্নমক্ পুথোক্নুনা লাইয়েংবা ঙম্লোই; ডাক্তর অদুনসু মাগী লাইযেংগী লৌশিং অদুতনসু লাইযেংবা ঙম্লোই। মমাগী নুংশিবা ফিদম্ অদুগা ডাক্তরগী লৌশিং অমসুং হৈশিংবা অনি অদুগী চাননা পুন্শিন্দুনা হোংনবনা অঙাং অদুবু হান্নগী হক্চাং ফবদুদা হন্জিনহন্বা ঙম্গনি। অসুম্না অফিসকী নত্তবা থবক্ তৌবশিংগী ফিদম্, নিংথিনা নিংবা, খ্বাইদগী ফবা ব্রাখল্ অদুগা অফিসকী থবক্ তৌবশিংগী হৈশিংবা অদুগা শাসনগী জ্ঞান্ অদুনা অফবা পুরক্কনি; অদুনা কাংলুপ্ অনি অসিদা থবক্ ফজনা তৌননবা হায়খি।

(চ) পঞ্চায়ত অদুগা পৃথিবীগী শান্তি অমসুং ইংনা তপ্না লৈবা:- ঐখোয়গী দেশ অসিনা য়াম্না লুরবা, জাতি পুম্নমক্কী ওইবা তানফম্ অমদা লাক্নি। ভারত হায়রিবা খ্বাইদগী চাওবা অমতা ঙাইরবা গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক্ অসিদা পুম্নমক্কা য়েংলি। ফিভম্ অসিদা ঐখোয়গী, ঐখোয় ইশাদা, ঐখোয়গী দেশতা অদুগা পৃথিবীদা লৈরিবা দায়িত্ব অদু থংগদবনি। মরম্ অদুনা দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্বু চাওনা মাইপাক্র বা দেশকী মীওই খুদিংদা তেংবাংনবা শ্রীমেহতানা হায়জখি। মসি তৌবা ঙম্নবদি, অদুগা মী পুম্নমক্পু থোন্জিন্বা ঙম্নবদি ইতিহাসনা চাওথোক্চবা য়াবা থবক্ অমা ফংলবনি, অদুগা মাই পাক্লোইদবগী মরম্সু উদে হায়খি। পঞ্চায়ত পরিষদ অসি নহা অহল্ কয়াগী নৈনফম্নি, মসিদা তেংবাংদুনা পঞ্চায়তনা থবক্ চুম্না তৌরগা, খুঙ্গংগী পুন্সিবু

হাইগৎহন্দুনা মমৈদা দেশ অসিদা নুংঙাইবা সমাজ অমদি শেল্ থুম্গী নুংঙাইবা ফিভম্ তাননবা অদুগা শান্তি অমসুং অতপ্না ফংননবা হোৎনসি হায়খি।

(মথক্কী ব্রাফম্‌শিং অসি অনিশুবা ওল্ ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকী ২শুবা চহিগী কন্‌ফরেন্স উজয়িনিদা ফম্‌খিবদা শ্রী বলবন্ত রে মেহতানা পিখিবা প্রেসিদেন্টকী ভাষণ্‌দগী লৌখৎচবনি।)

শ্রী মেহতা পঞ্চায়তী রাজগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মবি লৈখ্রবনি। 'পঞ্চায়তী রাজগী মপা' হায়না খংনবদুনা চহি খুদিংগী ফেব্রুবারি তাং ১৯ মহাক্কী মপোক্ নুমিৎতা 'পঞ্চায়তকী নুমিৎ' হায়না পালন্ তৌবা চথরক্লি। অদুবু পালন্‌গীদমক্তা পালন্ তৌবা নত্তনা, মানা হায়বস্বা, তৌরম্বা ফিদম্‌নফম্ ওইবশিং অদু ইন্দুনা থবক্ তৌবা হায়বসি পঞ্চায়তী রাজ পাম্জবশিংগী মথৌমক্ ওইরে।

(৪) শ্রী জয় প্রকাশ নরায়ণ্‌গী ব্রাখল্ অমসুং মহাক্না হোৎনরম্বশিং

শ্রী জয় প্রকাশ নরায়ণ্ সরকার পাইরম্বা মীশক্ অমা নত্তে, নত্রগা পঞ্চায়তী রাজগী করিগুম্বা লোইশঙদা থবক্ পায়খিবা মীশক্‌সু নত্তে; সর্ব্বদয়াগী লুচিংবা ওইনা সমাজগী খন্‌বা মীশক্ ওইনা মহাক্না পঞ্চায়তী রাজগী মরম্‌দা খন্‌খিবা অমদি হায়রম্বশিং থোইদোক্না শিংথানিঙাই ওই। মাগী অচুম্বা মীৎয়েংনা তুংদা চৎনরক্‌পা য়াবা অফবা কয়া মতম্ কয়াগী মমাংদা তাক্‌লম্মী।

(ক) ভারতকী সংবিধান্ অমসুং পঞ্চায়তী রাজগী মরিদা ঃ—ভারতকী সংবিধান্‌দা পঞ্চায়তী রাজগী মফম্ অসি পুংয়ান্ ওইনা ফংবা ঙম্‌খিদ্রে হায়বা অসি ঐখোয়না খংলে। গান্ধীজীনা পাল্লম্বা সংবিধান্‌দি পঞ্চায়ততা য়ুম্ফম্ ওইবদুনি অদুবু মদুগী ওন্নতৈনবদা চৎখ্রবদা, অহান্‌বা ড্রাফ্ট ইবা লোইবদা গান্ধীজীনা নুংঙাইতবা ফোংদুনা 'ঐখোয়গী নীংতম্বনা প্রজাগী খোঞ্জেল্ থক্তোক্‌হন্বা তারবদি মসি খুদক্তা পুক্লিং চংগদবা তশেংনা চিথবা অমনি' হায়না হায়রবদা শেম্‌দোক্লবা হোৎনবদা থেংমল্লগনি হায়না খন্নদুনা কোন্সটিটুয়েন্ট এসেম্বি্লদা শ্রী কে সন্থনম্‌না পুখৎলক্‌পা শেম্‌দোক্‌পগী ব্রাফম্ অমা ডাঃ আমবেদকরনা লৌরদুনা আর্টিকল্ ৪০শুবা হাপ্‌চিন্‌খি। অসুম্না কোন্সটি-টুয়েন্ট এসেম্বি্লগী প্রেসিদেন্ট শ্রী রাজেন্দ্র প্রসাদ অদুগা কেঃ সন্থনম্‌গী নিংবা মতুংইন্না কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা তুংদা শেম্‌দোক্লবা খোংথাং লৌখৎলসনু হায়না থম্‌লম্লে। আর্টিকল্ ৪০দা হায়রিবদু অমুক্ হন্না মফম্ অসিদা পল্লবদা - 'রাজ্যশিংনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংখৎনবা অদুগা মখোয়দা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী 'খুজিং' ওইনা থবক্ তৌবা ঙম্ননবা চংফম্ থোক্‌পা অদুগুম্বা (পাৱার) শক্তি, পাঙ্গল্ অমদি (অথরিতি) মঙম্ পীনবা খোংথাং লৌখৎকদবনি।' মফম্ অসিদা শ্রী নরায়ণ্‌না য়াম্না

চুম্না হায়খি —'খুজিং' হায়বা য়াহে (ইউনিট্) অসিনা তাক্পদি পঞ্চায়তনা তোঙান্না লৈদুনা থবক্ তৌগদবা নত্তে, হেন্না চাওবা মশানা ঙাক্চবা সরকারগী খুজিং ওইনা অদুগা খরা চাওবা মখোয়শিং অদুনা অমুক্না হেন্না চাওবা খুজিংগী শরুক্ ওইনা থবক্ তৌগদবনি। অদুনা তেন্না হায়রবদা পঞ্চায়তী রাজগী (মথাংনাইবা পঞ্চায়তকী পাথাপ্কী) রাখল্ অসি আর্টিকল্ ৪০ দা শেংনা য়াওরে হায়না পুখোক্খি। মহাক্না মসি হায়রম্বগী রাখল্দি পঞ্চায়তী রাজ অসি কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী থবক্কী ভ্রান্ খক্তদগী থোক্লকপা নত্তে, কোন্সটিটুয়েন্ট এসেম্ব্লিগী য়ারেপ্পগী হক্থেংননা থোক্লকপনি হায়না পঞ্চায়তী বাজগী মশক্ তাক্লম্ই। মসিনা পঞ্চায়তী রাজগী মশক্ তাক্পদা, মগুণ্ হাপ্পদা, রাজনীতিগী থোংদা য়াম্না মরু ওই। ভারতকী সংবিধান অসিনা শক্তি য়াম্না শুপ্চিন্না পায়বা সরকারগী মওং অমা পীরম্বা য়াবনি। কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিং অসি মীখল্ তৌদুনা শেন্নবদসু মখোয়গী পাঙ্গল্ শুপ্চিম্বগী অচুম্বা মওং অদুদি হোংদে। সংবিধান্ হায়বসিদি সমাজগী অচুম্বা অদু উৎথোক্পতনি, অচুম্বা অদু শারুবদি ঙম্বা নত্তে। হৌজিক্ লৈবিবা এলঃএসঃজিঃ গী মফম্ মফম্গী সবকারগী মওং অসিদি নোক্লিংবা অর্থ য়াওদবনি।

অদুম্ ওইনমক্ পঞ্চায়তী রাজ অসি হৌরক্পদগী হৌনা মতা চারুদুনা খুঙ্গংদগী জিলা ফাওবদা মশানা ঙাক্চবা সরকারগী মওংদা লৈরে। থুনমক্ মখোয়গী মফম্ লৈপাক্কী আইন্দা চুম্না ফোংলরগনি অদুগা ফংলগনি হায়না আশা উৎলম্মী। হৌজিক্ ফাওবদি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিবুতা শক্ খংলি।

(খ) লৈপাক্কী (প্লান্) থৌশিল্ অমসুং পঞ্চায়তী রাজগী মরিদা :— অহুম্শুবা চহি মঙাগী থৌরাংনা চাওখৎ-থৌরম্গী থবক্ জিলা অমসুং ব্লোকী থাক্তা পাংথোক্পদা চাং য়েংনবা ফিভম্ হাপ্খি। মসিগী মতাংদা শ্রী নরায়ণ্না প্লানিং কমিসন্গী পুক্লিং চিংশিন্দুনা হায়খি — ভারত কুম্বা পাক্ চাওরবা লৈপাক্ অমবু খুজিং অমতা ওইনা লৌরগা ময়াইদগী থৌশিল্ পাংথোক্পা হায়বসি কান্নদবদা থৌবম্ পুম্নমক্ শুপ্চিনবনি অমসুং মদু প্রজাদগী অদুগা অচুম্বা ফিভম্দগী লৌথোক্পনি। 'শেল্ থুম্গী ফিভম্দা শক্তি চাইথোক্তনা রাজনীতি গী শক্তি শুপ্চিন্বদি থবক্ শোইবা তাবনি।' প্লানিং কমিসন্না হৌরক্পদগী হৌনা 'চাওখৎ থৌরম্দা (লোকেল বোদি) মফম্ মফম্গী ওইবা লোইশঙ শিংগী থৌদাং' গী মরম্দা পল্লি। অদুবু থৌদাং অদুদি মথক্তগী থৌশিল্ তৌরক্পা থবক্ অদু পাংথোক্পতা ওইহল্লি। থাক্ খুদিংগী লোইশঙশিংগী মহৌশাগী ওইবা পোৎ-লন্ অদুগা মী মরাং কাইনা লৈজে অদুগা চংফম্ থোক্পা অপাম্বা কয়াসু লৈজে। ফংলিবা পোৎ-লন্ অমদি মীনচিংবা অদু অপাম্বা থবক্তা শিজিন্নবা হায়বসি রেজনেল্ প্লানিং হায়বদি লম্গী শরুক্ অমগী ওইনা থৌশিল্ তৌবগী যুম্ফম্নি। গনতন্ত্রগী ওইবা লোইশঙশিংনা মশা মশাগী থাক্তা থৌশিল্ শেম্জরগা মখাগী অমসুং হেন্না য়াংবা মথক্কী লোইশঙশিংগী থৌশিল্ অদুগা চুংশিন্নবা, পুন্শিন্নবা অসি হৌজিক্ ফাওবদা তৌদ্রি।

অসিগুম্বা মওংদা থবক্ খবা পায়খৎলবদি ঝৌদৌ অদু খংবা ঙম্গনি অদুনা পায়খৎহন্বা পাম্লম্মী ।

অসিগুম্বা থৌশিল্ অমসুং চাওখৎ-থৌবম্‌তনা খুঙ্গং অমসুং সহবগী ওইনা লৌউবা অমসুং খুৎকী থবক্নচিংবা কয়া পাংথোকপা ঙম্গনি । মসিগুম্বা মওংগী চাওখৎ থৌবম্না থবক্ ফংদ্রবগী অহাবা কোক্কনি, দেশ অসিগী মীশিংগী যুম্লৈ-কৈরেগী থাক হাংখৎকনি, খুঙ্গং অমসুং অপিক্পা সহব কয়া শেল্ থুম্ অমসুং সমাজগী হুন্বা কোম্দা তাবিবা অসিদগী চিংখৎপা ঙম্গনি ; অদুগা পঞ্চায়তী রাজবু অশেংবা গনতন্ত্র ওইহন্বা য়াগনি ।

(গ) পঞ্চায়তী রাজ অমসুং সর্ব্বদয়াগী মরম্‌দা :– পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙ অসি আইন্গী মখাদা লিংর্বনি, অদুগা সর্ব্বদয়াগী ইহৌদি লন্নাইনি আইন্গী মথৌ তাদে । অদুবু অনি অসিগী পান্দম্দি অয়াম্বা শকক্ত অদুগা অনি অসিনা শিজিন্নবিং' পান্নেসু মওং কয়াদা মান্নে । গান্ধীজীগী হাখল্দা খ্বাইদগী হাংনা শাসন্ তৌবা সরকার অদু খ্বাইদগী ফবা সরকারনি । অদুনা মহাত্মা রাজনীতি,শেল্থুম্ অমসুং সমাজগী মনিদ' নম্ফু তৌবা অসি মপুংফানা থাদোক্পা ঙম্দ্রবসু য়াবা মখৈ হস্থহন্দবনি; মসিদা গান্ধীজীনা শিজিন্নবা পাম্লিবা পান্নে অসি 'নুংশিবগী থৌওং' নি । মহৈ তম্বিদুনা মী অমদা মাগী নুংঙাইবা অসি অতৈগী নুংঙাইবদগী ফংগদবনি হায়বসি থেম্দুনা খংহন্বা পাম্ই ।

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙ অসি মশানা ঙাক্চবা সরকারনি । মসিদা কাংলুপ্ অমনা, অমবু নম্থদুনা, পীবিবা শক্তি, খুদোংচাবা, পোৎ-লন্ অদু পুম্নমক্কী ওইনা শিজিন্নদনা খবতগী ওইনা শিজিন্নবগী খুদোং থিবা লৈ । মতাং অসিদনি– পঞ্চায়তী রাজনা মীয়াম্গী গনতন্ত্র চাওখৎহন্বদা সর্ব্বদয়ানা পাংশিন্বা য়ারিবসি । সর্ব্বদয়া ইহৌনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত মীখল্দা লান্বা তৌনদবা, মীয়াম্গী লম্ পুম্নমক্কী মপু ওইমিন্নবা (গ্রামদান্), শুবগা শেল্-থুম্গী থবক্ পায়খৎপা অদুগা পুন্শিন্দুনা থবক্ শিন্দোক্লবা তৌদুনা অপুন্বা মীয়াম্গী ফননবা তৌবা অসিনচিংবা হিবম্ কয়াদা ওইবা য়াবা রা হৌদোক্ই ।

হৌজিক্কী খুঙ্গংগী সমাজ অসি অপাম্বা মান্নদবদগী মকাই মকাই তৌবগী ফিভম্দা লাক্লে , অদুনা পুম্নমক্কী ফবা হায়বসি রাহৈগী ওইনা উরগনি । মসিনা শেল্-থুম্গী ফিভম্দা, গনতন্ত্রদা অদুগা অশোন্বা হুন্দুনা লৈরিবা সমাজ কাংলুপ্তা অমাংবা থোক্কনি । মবম্ অদুনা তিন্নবগী, পুনশিন্নবগী অদুগা দায়িত্বগী হাখল্ অমা থয়া চাওখৎলবা কাংবুগী মনুংদা শাগৎতুনা অশোন্বা, হুন্থরবা কাংবুবু শৌগৎনবা হোৎনবতনা তুংগী অফবা পুরক্কনি । মসিগী হাখল্ অসি ফিদম্তা ওইবনি, থবক্ ওইবা ঙম্লোই হায়না পঞ্চায়ত পুবিবা কাংবুনা খন্গদ্রা হায়বা খঙদে । মরম্ অদুনা গান্ধীজীগী ফিদম্ অদু সর্ব্বদয়া ইহৌনা ইশোন্ শোন্না মীয়াম্দা পীননবা হোৎনরিবা অসিনা থবক্ ওইনা উংকনি অদুগা

খুঙ্গং অসি মাংহন্‌বদগী কন্বা ওম্‌গনি। অদুনা পঞ্চায়ত পরিষদ অমসুং সর্ব্ব সেবা শঙ্ঘ হায়বিবা সংস্থা অসিনা পুন্না খন্নদুনা চৎথববদি পাম্‌লিবা থবক্ পাংথোক্‌পদা লাইনা থোক্কনি।

(ঘ) চাওখৎপা, শক্তি (পাঙ্গল্), মীয়াম্না য়ানা থবক্ পায়খৎপগী মবম্‌দা ঃ– শ্রী নারায়ণ্না হায়–'পঞ্চায়ত অদুগা অতৈ মশানা ঙাক্‌চবা সবকারগী লোইশঙশিংদা শক্তি অমসুং মঙম্ পীবা হায়বসি চংই, অদুবু ঐখোয়না কাওবোইদবদি অসিনি মীয়াম্‌গী অপুন্‌বা অনিংবা অমসুং হোৎনবদগী মখাবোম্‌দগী থোক্লক্‌পা শক্তি (পাঙ্গল্) অদুনা যাম্না হেন্না মক ওই।' মহাক্না হায়–অপিক্‌পা 'গ্রাম্ দান' অদুগা 'গ্রাম শঙ্কল্পি' খুঙ্গং কয়া মথক্ লোম্‌দগী পাঙ্গল্ পীদ্রবসু প্রজাগী অনিংবতনা মবম্ ওইবগা, শক্তি পীথদুনা শেন্বা ঙমলোইদবা ফিভম্‌দা মশানা শিঞ্জ-লাংজবা মশানা ঙাকচবা থাক্ অদু ফাওবা যৌবা উই। খুঙ্গংশিং অসিনা লম্‌গী মপু পুন্না ওইমিন্নবা, সমাজ অমসুং শেল্ থুম্‌গী ফিভম্ মান্নবা, থবক ফংদবা কোকহন্‌বা, হকচাং অমসুং মহৈ তম্নগী থবক্, শেৎপা অমসুং ফংহন্বা, যু থকপা তোক্‌পা, য়াথোক্ লৈহন্দবা, পুন্না থবক্ শুমিন্নদুনা 'গ্রাম্ দান্' তৌদুনা বিজার্ভ ফণ্ড থম্বা পুম্নমক্ অসি ৬মখ্রে। মবম্ অদুনা মথকলোম্‌দগী পাঙ্গল পীববসু, পীদ্রবসু পঞ্চায়তশিংনা ঙন্নমখৈ মীয়াম্‌দা থবক্ পাযখৎহন্নবা হোৎনগদর্বনি ; মসিদা চংশিল্লিবগী মতিক্ অশেংবা গ্রাম্ বাজগী মনাক্ নর্কশিল্লর্বনি। অদুবু মাইগৈ অসিদা চংশিন্বদা মাইপাক্‌পা উদে, মবম্ অদুনা মসি তৌবা তাববদি মশাগী যেংদবা, মী কাংলুপ্ ময়াম্ অমা মীয়াম্বু লম্‌জিংনবা, হৌদোক্লবা চংই। মসিগুম্বা মীশিং অসি যাম্না তাংনা ফংই–অদুনা পঞ্চায়ত পরিষদনা পঞ্চায়তকী থবক্‌পুবিবা মীওইশিংদা থবক্ তৌবগী অদুগা কথোক্‌পগী য়াথল্ অদু পীনবা হোৎনগদবনি। মশাগী ওইজবা থিবা, শক্তি তান্নবা অসিনা পঞ্চায়তী বাজবু মাংহন্‌বা তাবনি। পঞ্চায়ত পরিষদনা খুঙ্গং চাওখৎনবা থবক্ পাযখৎলিবা লন্নাই সংস্থা, লুপ্ কয়া লৈবিবাসগা চুংশিন্নদুনা পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে।

(ঙ) রাজনীতিগী নে-তাবা অমসুং পঞ্চায়তী রাজ ঃ– দেশ অসিদা বাজনীতিগী মতোল্ থংবা মবোল্‌দা লৈগদবা কষা লৈ, অদুগা অতৈ পামদবা মওং কয়াসু উবি। ফিভম্ অসিদা লুচিংবশিং অসিনা মখোযগী কাংলুপ্তা বাখল্ অসি থম্ই ; অদুনা দেশ অমগী লাইবক্ অসি কাংলুপ্ খবতদা শিন্নে। মসি কা হেন্না বাজনীতিদা শক্তি শুপ্‌চিন্‌বননি, মতাং অসিদাপঞ্চায়তী বাজ অসি গনতন্ত্রগী যুম্ফম্ ওইবনিনা, নিংথিনা চাওখৎহল্লবদি, বাজনীতিগী নে-তানা লৈবা অদুগা মখা চথবগীসু যুম্ফম্ ওইগনি। মবম্ অদুনা পঞ্চায়ত পুবিবা মীওইশিংনা মাইপাক্‌পদা ভাবতকী গনতন্ত্রবুতা নত্তনা এসিয়া পুম্বগী গনতন্ত্রবু মাই পাক্‌হন্বা ঙম্‌গনি।

(মথক্কী য়াফম্‌শিং অসি ওল্ ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকী অহুম্‌শুবা চহিগী

কন্‌ফরেন্স, জয়পুর (রাজস্থান) দা ইং ১৯৬১ গী মে তাং ১৩ দা তৌবদা শ্রী জয় প্রকাশ নারায়ণ্‌না প্রেসিদেন্ট ওইনা পীখিবা ৱারোল্‌শিংদগী লৌথোক্‌চবনি।

(চ) ওল ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকী ৱাখল্‌বু শৌগৎখিবা শ্রী জয় প্রকাশ নারায়ণগী ফিদম্‌ খবা –

(১) খুঙ্গংগী মী কাংলুপ্‌ (কমুনিতি) কী মরম্‌দাঃ-

'খুঙ্গং অসি ঙসিদি শায়দোক্লরবা য়ুম্‌ অমনি। মসিদা জাৎ অমসুং মখল্‌গী খেন্নবা, ইমুং মনুংগী অদুগা অতৈ মচেৎ তাবা লৈরে। খুঙ্গংদা অপুন্‌বা ওইনা নিংবা লৈত্রে; অতোপ্পা নাকল্‌ অমবোম্‌দা খুঙ্গংদা মাইয়োক্লরিবা থবক্‌ অসিদি অমতা ওইবা, পুন্না হোৎনমিন্নবা নত্তবদি থেংনবা ঙম্লোই। কাংলুপ্‌কী ওইবা চাওখৎপা ফংদ্রিঙৈগী মমাংদা কাংলুপ্‌কী ওইবা ৱাখল্‌ অমা হান্না শাগৎকদবনি'। অয়েৎপা পীবিবা মচাক্‌শিং অসি গ্রাম্‌ পঞ্চযতনা মহৈ ফংনা থবক্‌ তৌদ্রিঙৈদা হান্ননা লৌথোক্কদবনি। পঞ্চায়তী বাজ অসি তশেংনা মহৈ য়াল্‌হন্বা তাববদি অচৌবা ফিভম্‌ খরা চংই হাযনা শ্রী জয় প্রকাশ নাবাযণ্‌না ওল্‌ ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পবিষদকী প্রেসিদেন্ট ওইনা 'স্ববাজ ফোব দি পিপল্‌' হায়বদুদা ইখিবা ফিভর্ম্‌শিংগী অশম্বা মওং খরা মখাদা পীরি –

অহান্‌বা–পঞ্চায়তী বাজগী চাংয়েংদা মীয়াম্‌দা তশ্বিবা চংই। মসি সমাজ সেবা তৌবা, পার্টি য়াওদবা খুঙ্গংগী থবক্‌ তৌবা মীওইশিংনা তৌগদবনি। 'ওল ইণ্ডিয়া ভোটর্স ইদুকেসন্‌' হায়বগুম্বা লুপ্‌ শেম্‌দুনা ভোত পীগদৌরিবা মীদা তশ্বিবা য়াই।

অনিশুবা –শেম্‌-শাববা দল্‌শিংনা খুৎ থিংজিন্বা অদুগা মখোয়না শক্তি ফংননবা চোংফম্‌ শেম্বা থিংবা অসি পঞ্চায়তী রাজ মাইগাক্লনবা মচাক্‌ অমনি ; অদুনা লোইশঙ অসি দল্‌না খুৎ-থিংজিন্দনা মীয়াম্‌দা থাদোক্কদবনি।

অহুম্‌শুবদা –শক্তি পিথোক্‌পা হায়বসি তশেংহন্‌গদবনি। পঞ্চায়তী রাজদা শক্তি পিথোক্‌পা অসি লৈববদি জিলাগী মাজিস্ট্রেৎশিং অসি চুম্নগী মীহুৎ অমা ওইনা গোভর্ণব অমনা বাজ্যদা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা লৈবগুম্‌ লৈগনি।

মরিশুবা – থাক্‌ খুদিংগী ওইনা মফম্‌ মফম্‌গী ওইবা লোইশঙশিংদা মশাগী ওইবা য়ামদ্রবদা চংবা পোৎথোক্‌ লম্লোক লৈহন্‌গদবনি। শ্রী নারায়ণ্‌না পাম্বদি, লম্‌গী খাজনা অসি অহান্‌বা লন্‌ ওইনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত অদুগা পঞ্চায়ত সমিতিদা ফংহন্‌-গদবনি। অতৈ অতৈ পোৎ-লন্‌সু পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা রাজ্যগী ফণ্ডদগী অদুগা কেন্দ্রগী ফণ্ডদগী খাইগদবনি।

মঙাশুবা – য়াবমখৈ থুনা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশংশিংগী মখাদা সিভিল্‌ সার্ভিসকী মীওইশিং থম্‌দুনা দায়িত্ব পিহন্‌গদবনি। মখোয়শিং অসি থবকী লৌবা মতম্‌দা লোকেল্‌ বোদি নত্তগা মখোয়গী মীহুৎ য়াওহন্‌গদবনি।

তকক্শুবা – মথাং অহুম্গী পঞ্চায়তী বাজদা খ্বাইদগী মখাগী মথাং গ্রাম পঞ্চায়ত অসি তশেংবা য়ুম্ফম্নি, অপুন্বা মচাং অসিগী মপাঙ্গল্ অদুগা গনতন্ত্রগী ওইবা মওং অসি গ্রাম্ পঞ্চায়ততগী লৌহন্গদবনি। অদুদগী হেন্দোক্লুনা গ্রাম পঞ্চায়তকী মখাদা খুল্গী মীয়াম্গী ওইবা গ্রাম্ সভাদা চৎথগদবনি। গ্রাম পঞ্চাযত অসি সভাগী এক্সিক্যুটিভ বোদি ওইবা তাবনি ; গ্রাম সভাগী মিটিং য়াবমখৈ তোইনা তৌদুনা পঞ্চায়তকী মক ওইবা বজেটনচিংবগী ৱাফম্ পুথোক্লুনা খন্ন-নৈনবা অমসুং মোত লৌবতা নত্তনা অযাবসু পিহন্গদবনি। মীখল্গী মতাংদদি য়াবমখৈ য়েৎনদনা পাংথোক্কদবনি। মীখল্দা যেৎনবা অসি য়োংয়াম্ মবক্তা পোৎ লংশিন্বগুম্বনি।

তবেৎশুবদা - পঞ্চায়তকী নোংম-নোংমগী থবক্ অসি বাজ্য সবকাবগী মীৎয়েং ৱাংমদা থম্গদবনি। এক্ট অমসুং রুল্স শেম্লবা ৺ংদা পঞ্চাযতকী থবক্ অসি মনিংতম্বা পব্লিক্ সার্ভিস কমিসন্, ইউনিভবসিটি গ্রাণ্ট কমিসনগুম্বা গী মখাদা তৌহন্গদবনি। থবক্তা তেংবাংবা, লম্জিংবা, ৺াকপগী থবক্ অসি সিভিল্ সার্ভিসকী মীওই নত্তবনা মকোক ওইবা মনিং৺ম্বা বোদি অমদা শিন্নগদবনি।

খুঙ্গং অসি চাওখৎ যৌবম্গী থবক্তা খুঁজং অমা ওইনা লৌগদবনি। মতাং অসিদা শ্রী নাবায়ণ্না হায়খি – 'পঞ্চায়তী বাজ অসি মখাদগী মী কাংলুপ্কী হৌফম ওইবিবা পুন্না লৈমিন্নবা, পুন্না য়েন্নদুনা ফংমিন্নবা, পুন্না হোৎনমিন্নবিবা, মখোযগী থবক্ পুন্না শিন্দোক্ শিঞ্জিন্ তৌমিন্নবিবা, মখোয় মশানা তৌজবা ৬ম্দবদু অতোপ্পা কাংলুপ্কা পুনশিন্দুনা তৌমিন্নবা তাবা, অসুম্না কাংলুপ্কী ওইবা হেন্না পাক্ চাওবা অমসুং অতৈ পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংগী অপুম্বা এসোসিয়েসন্ (পুনশিম্বা লুপ্) গুম্না ইমুং মনুংগী লুপ্ অমা ওইনা হৌগদবনি।'

(২) ভাবতকী লৈঙাক্ সবকাব ঃ–

ওল্ ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পবিষদকী মোততা ভাবতনা অতৈ (মাস সোসাইটি) পাকতক্লা শেম্বা সমাজগী, বাজনীতিগী নমুনা অদু ইল্লোইদবনি। লুপ্ অসিনা ভাবতকী সবকাব মওং অসি মথা৲ মঙা নাইবা গ্রাম্ পঞ্চাযত, পঞ্চাযত সমিতি, জিলা পবিষদ, বাজ্য সবকাব অদুগা কেন্দ্র সবকাব মযাম্ অসিনা শাবা অমগা অমগা কাযাৎ শন্নবা মওংদা শেম্গদবনি। ৱাফম্ অসিবু শৌগৎলদুনা শ্রী নাবাযণ্না হায়খি 'হৌজিকম্তক্তি ভাবতকী সংবিধান্না সবকাব অনিবুতা শক্ খংলি। নৌনা থোক্লককলিবা মশানা ঙাকচবা সবকাবগী মথাং অহুম্ গ্রাম্ পঞ্চাযত, পঞ্চায়ত সমিতি অমসুং জিলা পবিষদতসু মখোযগী চপ্চাবা মফম্ সংবিধান্না পীগদবনি – মদুনা (সংবিধান্না) মখোযগী পাঙ্গল, দায়িত্ব অদুগা জাতিগী পোৎ লন্গী শকক্ ফংগদবদু মযেক্ লানা তাক্লবগনি।' মমৈদা মসিনা তাক্লিবদি থাক্ খুদিংদা (ইন্দাইবেক্ট ইলেক্সন্) নাকোইনবা মীখল্ লৈহনবনি। মসিবু তক্লুনা থাক্ খুদিংগী মীখল্গী মতাংদা বাফম্ অমা পুথোক্লক্ই, মদুদি –'ভাবততা খুঙ্গং

লাক্ক তরেৎ লৈরিবসিগী খুদিংমক্ প্রজাগী মীহুৎনা ভোত পিবনি ; অদু ওইরবদি ভোত লাক্ক তরেৎ লৈরগনি । য়াহে অমদা হায়রগা, খুঙ্গং খুদিংগী ভোত অমা লৈগনি । খুন্‌মীশিংনা জিলাগী শাসন্‌গী মীহুৎ খল্লগনি, জিলাগী শাসন্‌না প্রদেশকী শাসন্ খল্লবা অদুগা প্রদেশকী শাসন্‌না প্রেসিদেন্টপু মকোক্ ওইনা খন্‌গনি ।' মওং কবম্লা খন্‌গদগে হায়বদুস্ য়াম্না কুপ্না মহাক্না তাক্‌খি ।

(৩) **পঞ্চায়তী রাজ ঃ–**

গনতন্ত্রগী মতুং ইন্না শক্তি চাইথোক্লুনা শেন্না লোইশ'ঙশিং অসি মশানা ঙাক্‌চবা সরকাবগী খুজিং ওইনা লৌগদবনি, অদুগা মখোয়গী হক (লাইৎ) অমসুং মথৌদি মদুগী মতুংইন্না লেপ্‌কদবনি । শ্রী নারায়ণ্‌গী মতুংইন্না - 'পঞ্চায়তী রাজগী লোইশংশিং অসিনা খুঙ্গংগী, ব্লোক্‌কী অমদি জিলাগী থাক্তা মশানা ঙাক্‌চবা সরকারগী খুজিং ওইনা থবক্ তৌগদবনি । লোইশঙশিং অসি শক্তি চাইথোল্লগা শেন্না বাজ্যগী শরুক্ ওইরবসু বাজ্যগী মশাগী কাযাৎতি নত্তে ।'

(৪) **পঞ্চায়তী রাজ অমসুং রাজ্য সরকার ঃ–**

পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিং অসিনা চুম্নগী রাজ্যগী (এজেন্ট) থৌদারোই ওইনা থবক্ তৌগদবনি হায়বসি য়াদে । কেন্দ্র সরকারগী অমসুং রাজ্য সরকারগী মথৌ ঙম্খে, য়াৎতুনা লৈবগুম্ পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগীসু য়াৎতুনা থম্‌গদবনি । পম্বুং অসি ফংদ্রিঙৈগী মরক্ অসিদদি রাজ্য খুদিংদা পঞ্চায়তশিংগী থবক্তা য়েংননবা 'পঞ্চায়তী রাজ কমিসন্' শেম্‌গদবনি হায়বসি পরিষদকী ফিরেপ্‌নি । মতাং অসিদা শ্রী নারায়ণ্‌না য়াফম্ অসিবু শৌগৎলদুনা তাক্‌ই, মদুদি – রাজনীতিনা খুৎ থিংজিন্দবা সিভিল্ সার্ভিসকী নত্তবা মীওই অম্‌না মকোক্ ওইবা কমিসন্ ওইগদবনি ।

(৫) **পঞ্চায়তী রাজগী মথল্ কয়াগী মথাং ঃ–**

পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী লৈনগদবা মরি অসি মথক্কী সরকারগী খুজিং অনিগী মরক্তা লৈনরিবা অদুম্না তৌগদবনি ; অৱাংবা অমসুং অনেম্বগী য়াফম্ লৈতে । অদুম্ ওইনমক্ মখোয়শিং অসি কায়াৎ শম্লনা মথক্কীশিং অদু মখাগীশিংনা শেম্বা তাই । মথক্কী লোইশঙশিংগী (প্লান) থৌশিল্ অদু মখাগীশিংগী পুন্‌শিন্‌বা ওইগনি অদুগা মখাগী থৌশিল্‌শিং অদুনা মথক্কীশিংগী মনুংদা থম্‌দুনা শেম্‌গদবনি । মতাং অসিদা শ্রী নারায়ণ্‌না হায়–' য়াফম্ অসিদা চয়েৎনবা লৈতে হায়না ঐগী পুক্নিংদা লৌই । লোইশং মথল্ অহুম্ অসি মাগী মাগী থাক্তা সরকার অমমম্ ওইবনিনা খুদিংমক্ চপ মান্ননা মরু ওই অদুগা খুদিংমক্ মখোয়গী পোৎথোক্ লম্থোকী মতুং ইন্না তৌজবা ঙম্‌ই, অদুগা চান-চানবা পাঙ্গল্ অদু লৈজে । গ্রাম পঞ্চায়ত অসি মানা শাসন্ তৌজবা ঙম্না শক্তি অদু লৈগনি অদুগুম্না অতোপ্পা অনি অদুগীসু লৈগনি । জিলা পরিষদ অসি চুম্নগী চুংশিল্‌হন্নবা অদুগা পাওতাক্ পীননবা লোইশঙনি, অদুগা পঞ্চায়ত সমিতিসু জিলা পরিষদকী থবক্

পাংথোক্লবা পাম্বোম্ অমনি হায়বগী মরম্ লৈতে ।

(৬) গ্রাম্ সভা ঃ–

গ্রাম সভাগী থৌদাংবু চেৎশিন্না পনবদা মানা হায়খি – ' ঐদি কিবে, মসিগী থৌদাং অসি হৌজিক্ ফাওবদা মপুং ফানা খংনদ্রি, নত্ত্রগা প্রজাগী থবক্ তৌনিংহনবগী মবম্দা ঐথোয়গী পুক্নিংদা অথিংবা, অপনবা, য়াম্না লৈরি । ঐগী রাখলদা গ্রাম্ সভানা মাগী ওইফম্ থোক্পা অদু ওইহ্রিমখেদি, পঞ্চায়তী রাজ অসি অশেংবা ওইবোই অদুগা চাওখৎ থৌবম্দা মীয়াম্গী হৈনিংবা অদুগা য়াওনিংবা রাৎকনি । মবম্ অদুনা ঐনা আশা তৌই, অথিংবা অসি লৌথোক্লগদি গ্রাম সভা অসি মাগী চপচাবা মফম্ ফংলগনি '

গ্রাম সভানা বজেট শেম্বা অদুগা মাদুবু অযাম্বা পীগদবনি অদুবু হৌজিক্মক্তি পঞ্চায়তনা শেম্বা য়াই অদুগা মদু অহানবদা গ্রাম সভাদা মিটিংগী মতম্দা পুথোক্লগা খন্নবা অদুগা অবোইবা ওইনা অয়াবা পীবা অদুদি গ্রাম সভাদা থাদোক্পা তাই । গ্রাম্ সভাগী মনুংদা ফক্সনেল্ কমিতি কয়া পঞ্চায়তকী মেম্বর অমনা কনভেনর ওইবগা গ্রাম্ সভাদগী মেম্বর খবগনা শাদুনা শেম্বা য়াই । খুঙ্গংগী চৌকিদার অদু গ্রাম সভাগী মখাদা থম্গদবনি ।

(৭) শেলথুম্গী শক্তি চাইথোক্পা ঃ–

রাজনীতিগী ওইনা শক্তি চাইথোক্পগা লোয়ন-লোয়নননা শেলথুম্গী মওংদসু শক্তি শুপ্চিল্লোইদবনি হায়বসি পরিষদকী মোতনি, মসিবু শৌগৎলদুনা শ্রী নারায়ণনা শেল্ থুম্গী শক্তি চাইথোক্পগী মতাংদা পনখি –' ঐ ইশানা খল্লি, মদুদি শেলথুম্গী শক্তি চাইথোক্তনা রাজনীতিগী শক্তি চাইথোক্পসু ওইথোক্তে, মসি মুন্না খংনদর্বসিদা ঐগী অকিবা লৈ । রাজনীতিগী ওইবা মশানা ঙাক্চবা সবকারগী খুজিংশিং অসি শেলথুম্গী ওইনা কবম্না ওইহন্বা য়াবগে হায়বদু তাক্কদবনি । মসি মপুং ফানা তৌবা ওইথোক্ই, নত্ত্রবদি কদাই ফাওবা তৌবা য়াই অদুগা কবম্না তৌগনি ? রাহংশিং অসিগী পাওখুম্ পীবদা থিম্বা অসি পঞ্চায়তী রাজবু অপংবা শেম্বগা মান্নগনি ।' শেলথুম্গী থৌশিলদসু অকুপ্পা রাফম্ কয়া পীখি ।

(৮) তুংগী পঞ্চায়তী রাজ ঃ–

পঞ্চায়তী রাজবু ভাবতকী লৈঙাক্লোন্ ওইনা থম্বসি পরিষদকী অপাম্বনি । অদুবু মীশিংগী ভাব তাদবা, চাওবে-ফবে হায়না লৈবিবা ঐখোইগী মীশিং অদুগা রাজনীতিগী লুচিংবশিংগী থৌশাদবা কাইদা অসি হোংদোক্ হন্বা তাবিবসিনি । মতাং অসিদা শ্রী জয় প্রকাশ নারায়ণনা হায–' মসি অবোনবা নত্তে, দেশ অসিদা মীবু খোনবা, শুপ্পা ঙম্বা, যেৎ-ওই অমসুং ময়াইগী ফিদম্গী মণ্ডাল্ অদু পুম্বগী মযাইদা খনজিম্বা কাংলুপ্ অমা লৈ, মদুনা (দিসেন্ট্রেলাইজেসন্) শক্তি চাইথোক্পবু থাজদে । মদু মক ওইবা মবম্ অনিগীনি মদুদি (ক) প্রজাশিং, মীয়াম্ অসি সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট হায়বদি মশানা ঙাক্চবা

সবকারগী মতিক্ চাদে ; (খ) শক্তি অমসুং সরকার শিন্দোক্ চাইথোক্পনা জাতি অসি কাইথবদা লাক্কনি ’।

(মথক্কী ৱাফম্শিং অসি ওল্ ইণ্ডিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকী ওইনা ইং ১৯৬৬ তা জয়পুর, কলকত্তা, লক্ষ্ণৌ, বঙ্গলোর দা ফম্থিবা পঞ্চায়তী রাজগী মরমদা কন্‌ফরেন্স কম্ সেমিনার তৌখিবশিং অদুগী মতাংদা পরিষদকী ৱাখলবু শৌগৎখিবা শ্রী জয় প্রকাশ নারায়ণ্গী ফিদম্শিংগী অশঙ্বা ৱাফম্ ওইনা শেম্জবনি ।

(ছ) শ্রী জয় প্রকাশ নারায়ণ্না পঞ্চায়তী রাজগী মরিদা হায়রম্বা ৱাফম্ খবা অমুক্- ‘মশানা ঙাক্চবা সরকার, মশানা মশাগী শঙ্গবা, অমগা অমগা তিন্ননা তৌমিন্নবা অমসুং শকক্ য়েন্নবা, নীংতম্বা অমদি মচিল্-মনাও ওইবগী মওং পুম্নমক্ অসি মীনা অপিক্পা কাংলুপ্ (কমুনিতি)তা লৈববদি শাজেল্ ওইনা হেন্না ফজনা নৈনবা অমসুং চাওখৎহন্বা য়াই ।’

পঞ্চায়তী রাজ অসি মথাং অহুম্ নাইবা শক্তি চাইথোক্লগা শেম্বা সবকারনি হায়না খন্নে অদুগা মসিবু ‘গান্ধীজীনা গনতন্ত্র অমসুং স্ৱরাজগী নিংলম্বা ৱাখল্ অদোম্দা থাংর্জিন্বা খোংথাং অমনি’ হায়না হবাওনা ওক্ই ।

ঐ ইশামক্না আশা তৌবম্মী মদুদি পঞ্চায়তী রাজ অসি ‘মীওইবগী অচুম্বা মখল্গী গনতন্ত্রগী হিংলিবা খুৎলাই অমা ওইনা লৈশাং তম্বা ঙম্গনি ।’অদুনা ঐনা মপুং ফাবা ঙাক্লৌ পীবনি অদুগা তিন্নবনি অদুবু মসি ফংবা নত্রগা ওইবা ঙম্থিদ্রে । মসি মীয়াম্গী পাঙ্গল্ য়াওদবা, চুম্নগী শাসন্গী শিল্-লাংবা অমা ওইনতা লৈরে ।

তোঙান্ তোঙান্বা লম্গী শরুক্কী (রেজনেল্গী) অদুগা মফম্ মফম্গী ওইবা খুদোং চাদবা কয়া লৈ। মসিদা শক্তি শুপ্চিন্দ্রে, চাইথোক্কে মসি খুদোং থিনিংঙাইহনি । মসিদা সবকারগী খুদোংথিবা অসি লাইনা শিন্‌বা, থেংনবা ঙম্লোইদবা অদুগা লম্গী শরুক্কী ওইবা অৱাৎপা, অপাম্বা অদু হন্না পীবা ঙম্লোইদবা ফিভমদা লৈরে, অদুগা পুম্ন মক্ ঙম্বা শক্তি লৈবা সেন্টর ওইবে ।

থবক্ অয়াম্বা শুপ্চিন্না, পাইশিন্না অসিনা মপাল্থোংদা মপাঙ্গল্ কন্না উরবসু মনুংদদি শাথিনা চিংথোক্ চিংশিল্ তৌবা, অদুগা তোঙান্ তোঙান্ তাবগী খুদোংথিবা অদু মতম্ চুপ্পগী ওইনা লৈরে । মানা হায়খি—‘ময়াই (সেন্টর) কন্‌বা অসিনা তপ্না-তপ্না, অসুম্ অসুম্ গনতন্ত্রদগী লাপ্থোক্খিগনি, হেন্না হেন্না টুটৈলিতরিয়ান্ ওইবা হায়বদি পুম্শুপ্ শুপ্না ওইবকনি ।’ শক্তি চাইথোক্পগী মচাংদা শক্তিগী মুক্লবা খুৎলাই (লিভর) অদু মীয়াম্না পাইরবতদা গনতন্ত্রগী খুদোংথিবা লৈরোই। অসুম্না, গনতন্ত্রদা যুম্ফম্ ওইবা পঞ্চায়তী রাজনা ওইগদবা, ওইফম্ থোক্পা নিয়ম্ কন্না শ্রী নারায়ণ্না পুথোক্লম্মই, মখোয়শিং অসি অচম্বা নত্তে ।

(৫) শ্রী এসঃ কেঃ দে – কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্টকী মন্ত্রি ওইরম্বগী ৱায়োল্

(ক) কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্টকী মবিদা – কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট হায়বসি চহি খবা অসিদা পাক্-শন্না চৎনবক্পা (ফ্রেঞ্জ) ৱাহৈ চবুল অমা ওইবে। 'মাংজিল্ থাম্লবা পৃথিবীগী লৈপাক্ খবদদি, মফম্ মফম্দা লৈবা মী কাংলুপ্শিংনা কবিগুম্বা মখোয়গী অমত্তা ওইবা অতম্ববা অপাম্বদা, পুনশিন্নদুনা মখোয়গী (ইনর্জি) থবক্ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ অমসুং অনিংবদু গনতন্ত্রগী মওংদা ফোংদোক্চবা ঙম্বা থবক্শিং অদুবুনি হায়না খংনৈ।' চাওখৎতবা লৈপাক্শিংদদি, মসিবু শাগৎলিবগী ৱাখল্ অসি অতম্ববদগী হেন্দোক্ই। ভাবতকী কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবর তাং ২ দা হৌদোক্খিবসিনা চহি মবিবোম্গী তুংদদি ভাবতকী খুঙ্গং ৫,৫৮,০০০ গী মনুংদা ২,৮০,০০০ দা মী মিলিয়ন্ ১০০ বোম্দা থুংহনগ্রে। (এপ্রিল্ ১৯৬০ দদি মিলিয়ন ১৯২ দা থুংখি)। ভাবত নত্তবদা অতৈ মফম্ কদাইদসু মসিবু শাগৎলিবা ৱাখল্ অসি হেন্না লুথনা অদুগা পাক্ শন্না পান্শিন্খিবা, শিজিন্নখিবা লৈতে হায়বদা হেন্জিম্বা ওইবোই। থৌবম্ অসিনা লৌউ-শিংউবা, শা-শল্ লোইবা, লৌফম্দা ঈশিং পীবা, কোঃওপবেসন্, পব্লিক্ হেল্ট (মীয়াম্গী হকশেল্) ইদুকেসন্ (মহৈ তম্বা), সোসিয়েল্ ইদুকেসন্ (সমাজ শিক্ষা), লন্থী-থোং, খুঙ্গংগী (ইন্দষ্ট্রিজ) খুংগু, পঞ্চায়ত অমসুং লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট, –চুম্মা হাযববদা পুন্সিগী হিবম্ খুদিং কয়ানা ভাবতকী যাম্লব্রা মীশিংগী চাদা ৮২ বু কোন্শিল্লি। প্রোগ্রাম্ নত্তগা থৌবম্ অসি হৌবক্পদা খন্নবম্বসি অমবোম্দা চিংনবা অদুগা অমবোম্দা ঙকপা অনিগী মবক্তা ওইখি। মীশিং অসি হান্নদি অখিংবা, অয়েংপা, তম্বা (লেক্থবা) লান্না থাজবগুম্বদা চহি লিশিং অমদগী হেন্না লুপ্তুনা লৈবম্বনি. অদুনা ' মখোয় অসি অমুক্ হৌগৎলক্খিগদ্রা ?' হায়বা ৱাহং অসি থোক্লক্খিবনি। অদুবু থৌবম্ হৌখিবা মতুং থা খবদদি তুম্লম্মা মিলিয়ন্ কয়া থবক্তা যাওরক্লে, মখোয়দা মকাই মকাই ওইবল্লিবসি হাইদোক্ফম্ ওইবা হায়বদি থৈদোক্ফম্ ওইবা শেম্গাৎ-শাগৎপগী লন্থী অমা লৈরম্দবনা ঙাওনা-থৈম্না চৎতুনা মখোয়গী পাঙ্গলগী শক্লোন অমা উৎলম্বনি হায়বসি প্রমান্ ওইখি। ইং ১৯৬০ দা মী মশিং মিলিয়ন্ ৩১০ দা থুংহল্গানি হায়না থৌবম্ অসিগী পান্দম্ লেপ্পনি, অদুগা ইং ১৯৬৩ দদি দেশ পুম্বা থুংগদবনি। থৌরম্ অসিগী ৱাখল্ অমসুং থবক্ য়োক্খৎকদবসি জাতিগী কোনুংদগীনা হাইথবতুনা লৈমাই য়ৌবা ফাওবদা লৈবা গনতন্ত্রগী থাক্ খুদিংদা য়ুম্ফম্ ওইহল্লদা লৈবে। থৌবম্ অসি জাতিগী ইহৌ অমা ওইল্লবনি।

কুন্থবা চহি চাগী অহান্বা তঙ্খাইদি মীশিংনা লাইরবা কোল্লবা, মখোয়গী পুন্সিগী থাক্ ৱাংখৎনবা, অদুগা মখোয়বু কাংলুপ্ অমা ওইনা কন্বিনবা মপাঙ্গল্ কন্বা

সরকারগী এজেন্সি শেমগৎপা গুম্বা কিন্দম্ ওইবা নমুনাদা থবক্ চথরম্মী । লাইরবা হায়বসি কোন্থবা য়াই অদুগা মদুগী মহৎতা লন্ শেন্না য়াই হায়বসি পৃথিবীগী তোঙান্-তোঙান্বা শরক্তা থোক্পা থবক্কী লৌশিংনা প্রমান্ তৌই । অদুম্ ওইনমক্ , মীওইবগী মপাল্থোংগী লোং-লন্গী ওইবা অক-নুংঙাইবা হায়বসিগা মাগী আত্মাগী নীংতম্বা অমসুং চিং-লেন্নগা পুন্না লৈবা য়াই হায়বসিদি প্রমান্ তৌখিবা তাই । লন্নাইগী ওইবা নীংতম্বনু হেন্না ৱাংনা খন্না, নেম্বদগী নেম্বা লন্নাই মীওইবু শিংনদবসি 'আত্মা খুদিংমক্ শক্তিদদি লাইগী ওই ' হায়না লাওথোক্লিবসিগী খুৎথাংদা ভাবততা তৌবগুম্ মফম্ কনাইলসু তৌদে । অহেন্বা তল্ মচেং অমগী, শেংনবা ফি মতেক্ অমগী অদুগা য়ুম্থক্ অমগী মখাদা লৈমাই মচেং অমাগীদমক্ মীওইবগী লোক্লগী হক্তা খুদোং থিহন্না হায়বসি ভারতকী চহি চা কয়া লেপ্লক্খিবা ফিরেপ্কী ওন্ন-তৈনবনি । অদুম্ ওইনমক্ নীংতম্বা অমসুং আত্মাবু লাই ওইনা লাংলিবসি কনাগুম্বা য়াংলেন্দা তিংখংনা তোংথোক্লবা, মাগী নাকন্দা চন্না হেন্নবা অঙাংশিং লৈরবা অদুগা অহিং-অশাদগী ঙাক্থোক্লবা লৈজদ্রবা মী অদুদদি করিগুম্ নত্তবনি । মীনা মাগী আত্মাবু অসিগুম্বা পুন্সিগী অহান্বা ওইনা চংবা মচাক্শিংগা ওন্নগদরা ? মসিগী য়ুন্ফম্ ওইবা ৱাহং অসিগী অচংবা পাওখুম্ অমা ফংবা ঙম্মুরবদি গনতন্ত্র অসি হিংবা ঙম্লোই । ভারতকী কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট না পাওখুম্ অসি থিবনি ।

প্রোগ্রাম্ অমা অসিগুম্বা পুন্সিগী থবক্কী শিম্বা অমা য়াওনা পৃথিবীগী মীশিংগী শরক্ তরেং থোক্পগী অমা কোম্বদা, ইং ১৯৫৭ তা হিংলিবা মীগী ফিভম্ য়েংদুনা পাংথোক্পা মতম্দা মসিগী মফম্গী ওইবা শাজং মওং অদু মাংই । থৌরম্ অসিগী থাক্ খুদিংদা শাসন্ তৌগদবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া লৈ, মথোয়না থৌরম্ অসিগী মনুংগী ভাব, পান্দম্ ফংনবগী লমজং, মদুবু ঙাক্লবগী পান্নেনচিংবগী মরম্দা মুন্না খঙ্বা তাই । মাগী মোত্ততা —ঐথোয়না থবক্কী পাওখুম্ থিবা হোংনরিবসি পৃথিবীগী ইতিহাসতা চাংয়েংবা অঙ্গা অমদনি । প্রোগ্রাম্ অসিদা য়াওরিবা মচাক্ , অমদি মওংগী ফিভম্ হেন্গৎহন্নবা অর্থ লৈবা থোংথাং কয়া লৌখৎস্রে । পঞ্চায়তী রাজ হায়বা, লৈখাগী গনতন্ত্রগী -অমগা অমগা শম্নবা পাথাপ্ অসি রাজ্য কয়ামুক্তা চংথস্রে । দেশ পুম্বা অসি মসিনা থুনা পাক্-শন্না খোল্লরগনি । পঞ্চায়তী রাজনা কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট হায়রিবা সরকারনা শৌগৎপা প্রোগ্রাম্ অসি মীয়াম্গী প্রোগ্রাম্ ওইনা ওন্থোক্নবা থবক্ তৌরকনি । হৌগৎলক্লিবা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি শন্দোক্পগা লোয়ননা ভারতকী পুন্সিবু নৌনা শেমগৎলরগনি ।

(খ) পঞ্চায়তী রাজ –

(১) **গ্রাস রুট্স দিমোক্রেসিনা কৌরক্পা** – ইং ১৯৫২ গী মে থাদা পাংথোক্খিবা রাজ্যগী ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনারশিংগী অহান্বা কন্ফরেন্সনা য়াবা পবিং অমা ভারত সরকারনা অয়াবা পীখিবা মতুংইন্না কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবর তাং ২ দা হৌখ্রে। থৌরম্ অসি প্রাইম্ মিনিস্টরনা লুচিংবা সেন্ট্রেল্ কমিতি অমনা রাজ্যশিংগী চানবা অথরিতিগা তান্নরগা লম্জিং পীদুনা ইন্দো ইউঃ এসঃ (এগ্রিমেন্ট) য়ানবগী ইং ১৯৫২ গী দিসেম্বর তাং ৬ তা সহি তৌনখিবা অদুগী ফিভম্ মখাদা এদমিনিষ্ট্রেটর অমনা কমুনিতি প্রোজেক্টশিংগী থৌশিল্ তৌবগী, লম্তাক্পগী অদুগা চুংশিন্নবগী দায়িত্ব ওইহল্লি।

থৌরাং অসিনা খুঙ্গং ১৫দগী ২৫ ফাওবগী মণ্ডি সেন্টর অমদা মিদল্ নত্রগা সেকেন্দরি স্কুল্ মতিক চারা ষ্টাফকা কোন্নবা দিশপেন্সরি, এগ্রিকলচরেল্ এক্সটেন্সন্ সার্ভিস হেদ ক্বার্টরস, পোষ্ট অমসুং তেলিগ্রাফ অফিস, ট্রান্সপোর্ট সেন্টর, আর্ট্স ক্রাফ্টস অমসুং কোটেজ ইন্দষ্ট্রি সেন্টর, কৈথেল্গী সেন্টর, লৌউ-শিংউ পোংথোক্ তুংনবা গোদাউন্, সোপিং অমসুং কমুনিতি রিক্রেয়েসন্ সেন্টর, হোর্টিকল্চরগী য়াওনা মোদেল্ ফার্ম্ অমা, মরু মরাং পুথোক্লবা অদুগা শা অমসুং উচেক্কী থারা পুথোক্লবা সেন্টর , কোইনা চৎপা ভেটেরিনরি সার্ভিস পীনবা অহাংবদা শারা দিসপেন্সরি লৈহন্গনি। শেল্গী অচিন্বা লৈবদগী মণ্ডি সেন্টর অসি তুংদা পাক্থোক্ চাওথোক্লক্পগী আশা তৌদুনা ব্লোক হেদ-কার্টরস শিংদা ওইখ্রে।

অনৌবা নমুনা – থৌরম্ অসি চংশিল্লক্লবদা শ্রী ভিঃটিঃ কৃষ্ণমচারিনা চেয়ারমেন্ ওইবা ‘ গ্রো মোর ফুদ’ (চিঙ্গাক্ হেন্না পুথোক্লো) হায়বা কমিতি অমনা অনৌবা খুঙ্গংগী শাসন্ ওইনা নেসনেল্ এক্সটেন্সন্ সার্ভিস (এনঃইঃএসঃ)পু পুখত্খি। এনঃইঃএসঃ অমসুং সিঃডিঃ প্রোগ্রাম্না জাতি শেম্গৎপা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্পু নৌনা শেম্দোক্লনি, মপাঙ্গল্ হাপ্কনি। সিঃডিঃপ্রোগ্রাম্ অসিনা থুনা চাওখৎলক্পদগী পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট লেজিসলেচরগী মেম্বরশিংবু পেল্হন্খি। অদুগা হৌগৎলক্লিবা গনতন্ত্রগী দাবিনা চাওখৎপা অদুবু তপ্থহন্খিদে।

এনঃইঃএসঃ সু থুনা হাইগৎলক্খি। নেহকনা হায়খি মদুদি –‘কমুনিতি প্রোজেক্ট এদমিনিস্ট্রেসন্ (সিঃপিঃএঃ) অসি হুই ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মমৈ ওইনা পান্বদা হুইনা মমৈ হাইবগী মহৎতা হুই অসি হাইবি।’ মসিবু মিনিস্ট্রি ওফ কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্টতা ইং ১৯৫৬ কী সেপ্টেম্বর ১৬ তা ওন্শিন্খ্রে। অফিসিয়েল্শিংনা য়েংলবদসু ভিঃটিঃ কৃষ্ণমচারিনা সিঃপিঃএঃ না এক্সিক্যুটিভ ওর্গেন্ ওইনা হায়রদি থবক্

পাংথোক্পা কায়াৎ ওইনা প্লানিং হায়বদি থবক্ পাংথোক্পা কায়াৎ ওইনা প্লানিং কমিসন্ দা মতম্ চুপ্পগী ওইনা নপ্শিন্বা অসিগী মাইয়োক্তা কন্না লৈখি ।

(গস্টো) —অফবা মহাও খন্না—

ইং ১৯৫৭ তা হাপ্খিবা শ্রী বলবন্তবে মেহতানা চেয়াবমেন্ ওইবা কমিতি অদুনা ইং ১৯৫৮ গী অগুন্বা শকক্তা, গনতন্ত্র লিংখৎপদা য়াওবিবা পঞ্চায়ত অমসুং কোঃ ওপবেসন্ হায়বিবা সমাজ, শেল্থুম্ অমসুং বাজনীতি চাওখৎনবা লৈবিবা সংস্থা অদু পুনশিন্নবা হাযখি । পঞ্চাযতকী পাথাপ্পা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত অমসুং ব্লোক্ পঞ্চাযত সমিতিশিং কোনগনি অদুগা কমুনিতি প্রোগ্রাম্বু অদুগা এনঃইঃএসঃ কী মীশিংবু লম্জিংগনি । জিলাদনা নন-অফিসিযেল্, প্রজাগী মীহুৎ—ব্লোক্ পঞ্চায়ত সমিতিশিংগী প্রেসিদেন্ট—এমঃপিঃ, এমঃএলঃএঃ শিং অদুগা জিলাগী কোঃওপবেটিভ সংস্থাগী মকোক্শিংনা শাবা কাউন্সিল্ অমা লৈগনি । কমিতিগী বিপোর্ট অদু ইহান্ হান্না বাজস্থান্ অমসুং অন্ধ্রপ্রদেশ তা চৎনহন্খি—মথংদা পাম্লনা তামিল্নাদু, ওবিষা, কর্নাটকা, আসাম্, বেস্ট বেঙ্গোল্ অদুগা খবা চিংনবপ্পা, পুক্লিংদা অখাক্পা য়াওনা পঞ্জাব, হবিযানা, হিমাচল্ প্রদেশ, উত্তব প্রদেশ, বিহাব অমসুং মধ্যপ্রদেশ তা চৎনখি । মহাবাষ্ট্র অমসুং গুজবাত অনির্সিদদি জিলাশিং অসি মক ওইবা শক্তি চাইথোক্পগী অদুগা বাজনীতি চলাইবগী থাক্ ওইখি । মসিগী দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ অসিবু শ্রী নেহরুনা 'পঞ্চায়তী বাজ' হাযনা চেৎশিন্হন্সি অদুগা ইং ১৯৬২ লোইবা ফাওবদি চৈ কাবা মতম্ ওইখি ।

ওক্টোবব ১৯৬২ দা চাইনা অমসুং ভাবত মুক্নবক্পা-নেহরুগী মশা শোক্চিল্লক্পা-মঙম্ হন্থবক্পা– বাজ্যগী মন্ত্রিশিং অদুগা পার্লিযামেন্টকী মেম্ববশিংনা শক্তি পিথোক্পগী অনিংবা লৈতবা অসিনচিংবনা মবম্ ওইদুনা গনতন্ত্রগী ওইবা পাথাপ্ অসি চাং তাবক্পা ওইখি । ইং ১৯৬৪ মেগী ২৭ দা নেহরু লৈখিদবদগী ঙাক্লৌ লৈখিদ্রে । ইং ১৯৬৫ দা লোক্ সভাদা সিংঃডিঃ প্রোগ্রাম্ অসি মুথৎনবা দাবী তৌখি । শ্রী লাল বাহাদুব শাস্ত্রিনা যাম্না পুকচেল্ তিংনা প্রজাগী মশানা ঙাক্চবগী পাঙ্গল্দা নেহরুনা থাজবদুগী শরুক যাদে হাযনা য়াখি । পুম্নমকী মথক্তা বাজ্য অয়াম্বগী (গুজবাত, মহাবাষ্ট্র, তামিল্নাদু নত্তনা) পঞ্চাযতী বাজগী লোইশংশিংগী শেল্ থুম্গী ফিভম্ চাং যাম্না হন্থহনখি ।

জনতা সবকাব শেম্লক্পদা অনৌবা আশাগী মঙাল্ অমা লাক্খি । পঞ্চাযতী বাজবু ষ্টদি তৌননবা অশোক্ মেহতা কমিতি শেম্খিবা অতোপ্পা চাংযেং অমনি । থা নিপাল্লোম্ কুপ্পা নৈনববা তুংদা পঞ্চাযতী বাজবু মপাঙ্গল্ কনখৎহন্নবা (দিমোক্রেসি টুদি গ্রাস রুট্স) লৈখা যৌবা গনতন্ত্র ফংনবা পঞ্চায়তী বাজবু এক্সটেন্সন্ ওইহন্বগী তশেংনা

তঙাই ফন্দবদু পুথোক্খি । য়াম্না য়াম্বা পোথোক্ লম্ছোক্ ,মচাক্ কয়া শিজিন্ননবা লৈরি, অনৌবা চাওখৎ-খোংচৎ অসিগীদমক্ সবকারগী এজেন্সি কয়াসু চুংশিন্নবা তাই । মসি মীয়াম্না (প্লানিং) খুজিল্-থৌরাংদা অদুগা (ইমপ্লিমেন্টেসন্) পাংথোক্পদা যাওশিল্লবতদা ঙম্গনি অদুগা পঞ্চায়তী রাজতনা মীয়ামবু মীৎ পাংহন্দুনা গনতন্ত্রগী ওইবা সরকারবু খংবা, মখোয়গী হক্ অমসুং দায়িত্ব খংবা ঙম্হন্গনি । কমিতি অসিনা পুথোক্পদা অপিক্পা পঞ্চায়তশিংনা পোথোক্ পুথোক্পগী কোঃওপবেসন্গী, চৎথোক্-চৎশিন্গী থবক্তা কুপ্না য়েংবা ঙম্লোই । খুঙ্গংশিংদা মখোযগী ম্যুনিসিপাল্গী ওইবা হক্শেল্নচিংবগী থবক্ থাদোক্কদবনি । মণ্ডল পঞ্চায়ত অমনা মী মশিং ১৫,০০০ দগী ২৫,০০০ ফাওবা কোন্শিন্বনা খুদোং চাগনি হায়না পুথোক্ই ।

বাজ্যগী হেক্ মখাদা পঞ্চায়তকী খুজিং অমা ওইনা জিলাগী থাক্তা লেপ্লি । অদুবু দিমোক্রেটাইজেসন্ তৌদনা দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ তৌবা হায়বদি গনতন্ত্রগী মওং তাদনা শক্তি চাইথোক্পা অসি ফাগী তাগনি, নোক্রিংবা ব্রাফম ওইগনি । পঞ্চাযতী বাজগী অব্রাৎপা, অশোইবা অসি খ্বাইদগী মক ওইবা শাসন্গী খুজিং ওইর্বিবা থাক্ অসিদা শাসন্গী অদুগা টেক্নিকেল্গী ওইবা ষ্টাফ লৈরি । মখোয়শিং অশিনা পাথাপ্ অসিবু হাৎতোক্পা নত্রগনা মখা অনেম্বা শরুক্তা ফাওবা মাই পাক্হল্বা ঙম্গদৌরিবনি । মকোক্ থংলিবা লোইশঙ অসিদা মপুং ফাবা মঙম্ অদুগা দায়িত্ব অদুগা চংফম থোক্পা পোৎ-লন্ পীগদবনি । জিলা-জিলা পুন্শিন্বগী প্লান্ অদু রাজ্য সরকারনা অদুগা মসিগী হক্থেংনবা এজেন্সিনা য়েংশিন্বা য়াই । শোখনা লৈবা জিলাশিংদা থোইদোক্-হেন্দোক্পা পোৎ-লন্ পীগদবনি । খাজনা, ফিজনচিংবা লৌজবা ঙম্হন্গদবনি ।

(২) প্রজাগী (দরকার ওইবদা) চংগদবদা পুক্নিং থিংজিন্নাঃ— পার্লিয়ামেন্ট অমসুং রাজ্যগী লেজিসলেচরদা তোঙান্ তোঙান্বা ব্রাখল্লোন্ লৈবা বাজনীতি দল্শিংদগী মীহুৎ খন্বা য়াবনিনা, পঞ্চায়তী রাজদসু তৌদবা অসি আইন্গী থোংদা লান্গনি । মরম্ অদুনা অশোক্ মেহতা কমিতিনা রাজনীতি দল্দা য়ুম্ফম্ ওইরগা মীখল্ তৌনবা ব্রা পুখৎপনি । মদুদা সিদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং ট্রাইবকী মীহুৎ অদুগা য়াম্দ্রবদা নুপী অনিগী মীহুৎ য়াওহন্বা য়ানবা ব্রা পুখৎলি । মীখল্ অসি রাজ্যগী চীফ ইলেক্টোরেল্ অফিসারনা চীফ ইলেক্সন্ কমিসনারগা তানদুনা তৌগদবনি ।

অদুগা লৌউ-শিংউনচিংবা বিষয় খুদিংদা তোঙান্ তোঙান্বা কমিতি থম্বনা মখোয় খুদিংমক্ পঞ্চায়তী রাজগী শাসন্দা য়াওবা ঙম্গনি । কমিতি খুদিংদা মখোয়না খঙ্জবা মীওইনা চেয়ারমেন্ ওইবা অদুগা দিপার্টমেন্টকী অফিসারশিংনা সেক্রেটরি ওইনা থাক্ অমদা থবক্ তৌবা য়াই । মীখল্দা কাবা পঞ্চায়তকী লোইশঙ অমগী প্রেসিডেন্টনা মকোক্ ওইরগা কমিতি অমা অমুক্ শাবা য়াই । জিলাগী থাক্তা থবক্কী লৌশিং লৈরবা

আইঃএঃএসঃ অফিসার অদুগা মহাক্তা এক্সিক্যুটিভ অফিসার ওইনা লৈগনি অদুগা মহাক্তা কমিতিশিংগী মিটিংদা য়াওদুনা জিলা পরিষদনা লেপ্পা পোলিসি কয়াগী মপুংফাবা দায়িত্ব লৌবা য়াগনি।

সমাজদা অচুম্বা তৌবা – খ্বাইদগী মরুওইবা ওইনা হৌদোক্পা য়ারিবদি মীওই কাংলুপ্কী মনুংদা অশোনবা মখল্গী মীওইশিংবু য়াওহন্দুনা পঞ্চায়তকী থাক্ খুদিংদা মতেং পাংবা অসিনি। মদুদা সিদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং ত্রাইববকী মশিং য়াম্বা মেম্বর য়াওহন্দুনা অশোন্বা কাংলুপ্কী মীহুৎ অমবু চেয়োবমেন্ ওইহন্বনি। কমিতি অসিদা হেন্না তেংবাংশিন্নবা ওদিটকী পাথাপ্তা সোসিয়েল্ জস্টিস সেক্সন্ অমা থম্দুনা অশোন্বা কাংলুপ্কী থবক্তা খবচ তৌবদা থোইদোক্পা ওদিট তৌবা ঙম্হন্বা তবনি। রাজ্যগী লেজিসলেচবগী ওইনা পঞ্চায়তী বাজগীদমক্ কমিতি অমা থম্বা অদুগা মাদুদা অশোন্বা কাংলুপকী মীহুৎ যাওহন্দুনা মখোয়গী অৱাংপা য়েংশিন্নবা দাযিত্ব লৌহন্গদবনি। অসুম্না অশোক মেহতা কর্মিতনা পুথোকই।

সহরদা তৌবগুম্ লম্বীখোং, থক্লবা ঈশিং, হকচাংগী থবক্, মতৈ ওম্বা অমসুং থবক্ পীবা অমদি ফংহন্বগী খুদোংচাবা অসিনচিংবা অসি পুশিল্লক্রবাদি 'খুঙ্গং চাওখৎপা' হায়বগী অর্থ লৈতে। ফিভম্ অসিদদি হৈথোই শিংথোইগদবা, হৈনিংগদবা মীওই কয়া সহবদা হোংখিবা তাই। মবম্ অদুনা অশোক্ মেহতা কমিতিনা খুঙ্গংগী চাওখৎপা অসি খুঙ্গং অমসুং সহব শম্নবগী শরুক্ অমা ওইহন্গদবনি হায়না লৌই।

বাজ্য সবকাবনা দিপার্টমেন্টশিংগী খুৎথাংদা পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংগী মবক্তা থবক্ ফবগী মনা পীদুনা চাং তান্নহন্বগী মওংদা তাহন্গদবনি। এগ্রিকল্চবেল্ অদুগা অতৈ বিশ্ববিদ্যালয়শিংবু প্রোগ্রাম্শিংগী চাংযেং থৌবাং তৌহন্গদবনি। বাজ্য সরকাবনা লন্নাই মীওই অমদি লোইশঙশিংদা (রিছার্চ) থিজিন্ হুম্জিন্বগী খুদোংচাবা পীগদবনি।

অরোইবদা তাবা – শাসন্গী অমদি টেক্নিকেল্গী ওইবা থৌপুবশিংগী মপাল্থোংগী থবক্ পাংথোক্পা অদুনা পঞ্চায়তী রাজগী চাং লেপ্পা য়াদে। হেন্না মরু ওইবদি লন্নাইগী লুপ্ মহিলা মণ্ডল্, যুবক্ মণ্ডল্ অদুগা কোঃওপ রেটিভ কুম্বা পুথোক্পা ঙম্বগী খুদোংচাবা শেম্বা অদুসুনি। অরোইবা ওইনা তাবক্পদা – মসিগী মাইপাক্পদি, চাওখৎ-থৌবম্ পাংথোক্লবা লুপ্ নত্ত্রগা লোইশঙগী ওইবা ইহৌ পুথোক্লবা হোৎনবগী চাং অদুনা ওইগদবনি। দিপার্টমেন্ট খুদিংনা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংবু তেংবাংহন্বগী অদুগা চাং নাইনা হন্না য়েংশিন্বা ঙম্হন্বা হায়বসিগী থোইদোক্ হেন্দোক্পা দায়িত্বদি রাজ্যগী চীফ মিনিষ্টর খুদিংগী ওইগদবনি। অৱাংবা থাক্কী পঞ্চায়তী রাজগী ডাইরেক্টোরেৎ

অমা লৈবদগী হেন্দোক্লুনা অৱাংবা ফম্গী মণ্ডল্ লৈবা ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনার অমা প্রিন্সিপাল্ সেক্রেটরি ওইনা লৈবা অমনা থবক্ পুহন্দুনা থম্গদবনি । মদুম্ তৌরবদি দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্না পঞ্চায়তী রাজ পাথাপ্পু তেংবাংগনি, অদুগা চংনবী আইন্ পুম্নমক্ ইন্গনি । জিলা পবিষদকী মশাগী স্টাফ লৈজগদবনি, মখোযশিং অদু (চীফ এক্সিক্যুটিভ অফিসার য়াওনা) পঞ্চায়তী রাজ সার্ভিস কমিসন অমনা খন্গদবনি । ক্লাশ ৱান্ অমসুং টুগী অফিসারশিং রাজ্যগী অফিসার মরক্তগী হাপ্পগা বাজ্য অমসুং পঞ্চায়তী বাজদা কান্ন কন্নবা থবক্ পুহন্বা য়াই ।

ভাবত সরকারনা পঞ্চায়তী রাজবু সংবিধান্গী শরুক্ অমা ওইহন্নবা সংবিধান্ শেম্দোক্কদবনি । রাজ্যনা ট্রেনিংগী পাথাপ্ লৈহন্নবা শেল্-থুম্গী খুদোং চাবা পীবা অদুগা জিলা পরিষদকী প্রেসিদেন্টশিং অমসুং চীফ এক্সিক্যুটিভ অফিসারশিংবু অদুগা রাজ্যগী ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিংগী মীওইবু অকুপ্পা ট্রেনিং পীনবা 'নেসনেল্ ইন্সটিট্যুৎ ওফ পঞ্চায়তী বাজ' লিংগদবনি । মদু পঞ্চায়তী বাজতগী ওইগদবনি অদুগা বিছার্চ অমসুং ট্রেনিংগী খুদোংচাবা লৈহন্গদবনি ।

চহি ১০ নত্ত্রগা ১৫গী মতুংদা অমুক্ নৌনা স্টদি তৌবা তাই । মদুগী মতম্দদি জিলাগী কলেক্টর অসি মপুংফানা য়াওহন্দবা য়ারগনি । চাং নাইহন্বগী অদুগা রেভিন্যুগী থবক্ পুম্নমক্ পঞ্চায়তী রাজনা চাওখৎলক্কবদি মদুদা পীশিন্বা য়ারগনি । কোঃওপরেটিভকী পাথাপ্ অদুগা ভোলন্টরি ওর্গেনাইজেসন্-যুবক্ মণ্ডল্, মহিলা মণ্ডল্, গুম্বা অসি চাওখৎ থৌরাংদা অটৌবা থৌদাং লৌহন্বা য়ারগনি । রাজ্যগী পঞ্চায়তী রাজ পাথাপ্কী মহুৎ ওইনা ষ্টেট কাউন্সিল্ অমা শেম্বা য়াগনি । অসিগুম্বা ষ্টেট কাউন্সিল্শিংনা নেসনেল্ ফেদেরেসন্ ওফ পঞ্চায়তী রাজ হায়বা তশেংবা লন্নাই ওইবা ফোরম্ অমা শেম্বা য়াগনি । নেসনেল্ ডিভেলপ্মেন্ট কাউন্সিল্ গুম্বা ষ্টেট ডিভেলপ্মেন্ট কাউন্সিল্ অমমম্ রাজ্যগী চীফ মিনিষ্টরশিং খুদিংনা লুচিংহন্দুনা শেম্বসু য়াগনি, মদুনা রাজ্যগী প্লান্বু অরোইবা ওইনা অয়াবা পীবা ঙম্গনি ; অদুগা মতম্ মতম্গী থোক্লক্পা খুদোং চাদববু য়েংশিন্বা ঙম্গনি ।

রাজ্যশিং অসিনা য়ুংনা কাখৎপা, চাওখৎপা য়ারবদি মসিনা মখারোম্দা জিলা, মণ্ডল্ অমসুং খুঙ্গংদা খুদোংচাবা কয়া পিথরক্পা ঙম্গনি । মদুনা কেন্দ্রদা ইহৌ অসি শন্দোক্লকনি, অদুগা মিনিষ্ট্রিশিংনা মফেরোম্দা শন্দোক্লুনা মনিংতম্বা লোইশঙ ওইগনি । অসিগুম্বা কেন্দ্রদা লৈবা মিনিষ্ট্রিশিং অসি ময়ুংদা থবক্ তৌবা লোইশং ওইনা ৱাংখৎকনি, চাওখৎকনি ।

প্লানিং কমিসন্ অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স অনিনা রাজ্যশিংদা লোন্ নত্ত্রগা গ্রান্ট ওইনা পীননবা চেক্শিন্না য়েংগনি । রাজ্য অমসুং কেন্দ্রগী মরি ফগৎহন্বগী তঙাই ফদবা লৈ । ভারত অসিনা ফেদেরেসন্ অমা ওইনা চাওখৎপা তাববদি অদুগা ষ্টেট অমসুং ইন্সটিট্যুসন্শিংনা পরিং অমতদা চাওখৎপা তাববদি অদুগা মখোয়দগী আশা তৌরিবা থৌদাং অদু পাংথোক্‌হন্বা তাববদি নৌনা অমুক্ য়েংবা হায়বসিদা অথিংবা পীবসি অশিংবা ওইবোই ।

(৬) পঞ্চায়তী রাজ অমসুং চাওখৎ থৌরম্‌দা ইন্দিরা গান্ধী

(ক) খুঙ্গং চাওখৎপগা মরি লৈননা পাযখৎখিবা ইন্দিরা গান্ধীগী থবক্শিংগী মনুংদা হিরম্ কুন্গী থৌরম্ হাযদুনা ইং ১৯৮২ গী জানুবারি তাং ১৪ দা লাওথোক্খিবা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবনি । থৌরম্ অসিগী মখাদা মখাগী তিরম্শিং অসি হৌদোক্ই :-

(১) ঈশিং চিংবগী লৌখোংগী থবক্ কন্খৎহন্বা, অকংবা লমগী লৌউ শিংউগী (টেক্নোলোজি) থবক্কী জ্ঞান্ পোবম্ অমসুং থাদবিবা মচাক্ চাওখৎহন্বা অমসুং শন্দোক্পা ;

(২) হ্রাই-চেংব্রাই অমসুং মনা মশিংগী থাও মরুগী পোথোক্ হেন্গৎনবা থোইদোক্ হেন্দোক্না হোৎনবা ,

(৩) ইন্টেগ্রেটেদ রুবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট অমসুং নেসনেল্ রুবেল্ এমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রামবু কন্খৎহন্বা অদুগা হেন্না পাক্ শন্না শন্দোক্পা ,

(৪) লৌউ-শিংউগী (লেণ্ড সিলিং) লম্গী পাক্ চাওবগী নিয়ম্ চৎনহন্বা, অহেন্বা লম্ য়েন্থোক্পা অমসুং শাসন্গী অমদি আইন্গী ওইবা অপন্বা লৌথোক্কুনা লম্গী রেকোর্দ শেম্জিন্-শাজিন্বা লোইশিন্বা ,

(৫) এগ্রিকল্চরেল্ লেববব গী হায়বদি লৌউ-শিংউদা থবক্ শুবা মীশিংগী (মিনিমম্ রেজ) তাফদ্রবা খুৎশুমন্বু অমুক্ হন্না য়েংশিন্বা অদুগা মহৈ চাবা য়ানা চৎনহন্বা ;

(৬) (বোন্দেদ লেবর), ফাজিন্দুনা শিজিন্নরুববা মীশিংবু খুন্দা-লৈতা হন্বা ;

(৭) সিদ্যুল্দ কাস্ট অমসুং ট্রাইবশিংগী চাওখৎনবা থৌরম্বু খোংজেল্ কন্খৎহন্বা ;

(৮) থক্লনবা ঈশিং (প্রোব্লেম্ ভিলেজ শিংদা) খুদোং চাদবা লৈবা খুঙ্গংশিংদা পীবা ;

(৯) যুম্ শাননবা লম্ লৈজদবা খুঙ্গংগী ইমুং-মনুংদা লম্ পীবিবা অদুগা মখোয়দা যুম্ শাননবগী তেংবাং পীবগী থৌবম্ পাক্থোক্‌হন্বা ;

(১০) (স্লম্) চমোংনবা, চগুংননা যুম্ তাবা লম্গী অকোইবদা লৈবা ফিভম্ ফগৎহন্বা, শেল্-থুম্গী ফিভম্দা শোখহৌববা কাংলুপ্কী যুম্ শাবগী থৌবম্ পাংথোক্পা, অদুগা লম্গী মমল্ মতা চাদনা হেন্‌গৎপা থিংনবা পান্নে লৌখৎপা,

(১১) বিজলি শক্তি খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্পা , বিজলিগী অঙম্বশিংগী থবক্ মতৌ চাওখৎহন্বা অদুগা খুঙ্গং পুম্নমক্ বিজলি থান্‌বা ;

(১২) উ থাবগী অদুগা সোসিয়েল্ এণ্ড ফার্ম ফোবেষ্ট্রিগী থৌবম্ কন্না চৎথবা অদুগা বাইও গ্যাস অমসুং অতৈ অতোপ্পা ইনর্জি অদুগা বিজলি শক্তি ফংফম্ ফগৎহন্বা ;

(১৩) (ফেমিলি প্লানিং), য়াইফ যুম্বাল্গী থবক্ মশানা য়াজনা প্রজাগী ইহৌ ওইনা চাওখৎহন্বা ;

(১৪) ইউনিভবসেল্ প্রাইমাবি হেল্থ কেযাবগী তৌদবা য়াদ্রবা হকচাংগী চেকশিন্-থৌবাং পাক্শন্না মশক্ থোক্না হেন্‌গৎহন্বা অদুগা লেপ্রোসি, টিঃবিঃ অমসুং মীৎ তাংবা থিংবা ;

(১৫) নুপী অমসুং অঙাংগী চীঞ্জাক্ চাবগী, অফ নুংঙাইগী থৌবম্, মীবোন্‌বী অমসুং অঙাং য়োক্লিবী-থোইদোক্ হেন্দোক্না ত্রাইবেল্গী চীংগী অমসুং শোখহৌববা মফম্শিংগী ওইনা অফবা হক্চাং য়োকদবা চীঞ্জাকী থৌবম্ খোংজেল্ কন্‌খৎহন্বা ;

(১৬) চহি ৬ তগী ১৪ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংগী থোইদোক্ হেন্দোক্না নুপীমচাশিংদা কন্‌শিন্না তম্দুনা ইউনিভবসেল্ ইলিমেন্টবি ইদুকেশন্ শন্দোক্পা অদুগা মতম অমতদা ছাত্রশিং অমসুং লন্নাই (এজেন্সি) থবক্ পাংহল্লিবা কাংবুশিংবু অহল্ ওইববা লাইবিক্ হৈতবা কাংবু লৈহন্দনবা থবক্তা যাওহন্বা;

(১৭) অহেন্‌বা (ফেযাব প্রাইস সোপ্) অচাবা মমল্দা পোৎ-য়োন্বা দুকান্‌শিং থাপ্ল-থাপ্লবা মফম্দা কোইনা চৎপা দুকান্, (ইন্দস্ট্রিয়েল্ ব্রার্কব) খুৎনা থবক্ শুবা কাংবুগী লৈবা দুকান্, ছাত্রগী হোষ্টেল্ নচিংবগী খুৎথাংদা মীযাম্গী চংদবা য়াদবা পোৎ যেম্বোক্পা অসি হেন্না চাওথোকহন্বা অমসুং ছাত্রশিংদা তম্নবা লাইবিক্, এক্সর্সাইজ বুক্ (বোই) হান্না তঙাইফদনা ফংহন্বা অদুগা (কোন্‌জুমর্স প্রোটেক্সন্ মুভমেন্ট) পোৎ

শিজিন্নরিবা মীগী হক্ কন্নবা অকন্বা ইহৌ অসি চাওখৎহন্বা ;

(১৮) শেল্ থাদবগী নিয়ম্ কোম্থোক্হন্বা, প্রোজেক্টশিং মতম্ চানা লোইশিন্নবা ইন্দষ্ট্রিয়েল্ পোলিসি অসি পরিং তাহন্বা। (তেন্দি ক্রেফ্ট) খুৎনা পোৎ-শাবগী অমসুং ইয়োংফিগী, অপিক্পা খুঙ্গংগী (উদ্যোগ) খুৎশাগী থবক্শিংদা খুদোং চাবা পুন্নমক্ পীদুনা চাওখৎ-হেন্গৎনবা অদুগা মদুগী (টেক্নোলোজি) থবক্কী লৌশিং-থৌশিল্ অদু মতম্গা চানহন্বা ;

(১৯) পোৎ-লোন্না য়োম্থোক্-য়োন্শিল্ তৌবা, পৈশিন্বা, খাজনা থিবা নাম্থোক্পগী মাইয়োক্তা অচেৎপা থবক্ লৌখৎপা, চৎথবা অদুগা অরোন্বা শেল্ তুংশিন্বা থিংবা ;

(২০) (পব্লিক্ এন্টরপ্রাইজ) মীয়াম্না হোৎনজদুনা শুবা থবক্পু হৈশিংনবা, থবক্ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ মনুংগী ওইবা পোৎথোক্-লম্থোক্ শিজিন্নবা অদুগা খোক্পা হেন্গৎহন্দুনা চাওখৎহন্বা ;

মথক্কী হিরম্ কুন্গী থৌরম্শিং অসি থবক্তা ওম্থোক্লবা য়াবমখৈ হোৎনখি। থৌরম্শিংগী মরক্তগী অখন্নবা খরগী মরম্দা নৈনবা য়াই।

(খ) এদল্ট ইদুকেশন্ (তম্হৌদ্রবা অহল্শিংবু তম্বীবগী থৌরম্-জাতিগী ওইবা থৌরম্ ওইনা :-

সমাজ অমসুং শেল্থুম্গী ওইনা দেশকী চাওখৎপদা লাইরিক্ হৈতবা হায়বসি অচৌবা অপন্বা অমনি। চুম্নগী মহৈ খজিক্তং হৈবা অহল্শিংদা লাইরিক্ খরা হৈবনা মশাগী অমসুং পুক্নিং চাওখৎহন্বদা লৌশিংগী থোং হাংই। অহল্শিংবু তম্বিবনা চাওখৎ-থৌরম্ অসি লাইহল্লি অদুগা মহৈ য়ান্বা ঙমহল্লি। মসি জাতিগী ওইবা হিরম্ কুন্দা য়াওবা, মাংজিল্ থানা পায়খৎকদবা মিনিমম্ নিদ্স প্রোগ্রাম্ হায়বদি তঙাই ফদনা চংদবা য়াদবা থৌরম্ ওই। ইন্দিরা গান্ধীগী ৱাহৈদা–'শেল্ থুম্ অদুগা পোৎকী ওইনা চাওখৎপা অসিতনা চাওখৎপা নত্তে, মসিনা মী অমগী মশাগী লন্নাই ওইনা খংবগী, ভাব তাবগী, অদুগা নুংশিবগী (কোম্পেসন্) গী চাওখৎপনি।' মসিগী পস্থুং অসি মওং চুম্না তম্বনা ফংবা ঙম্মি।

ভারততা লাইরিক্ হৈবগী শক্ফম্ – নীংতম্বা মতুংদগী লাইরিক হৈবগী চাং অসি অসুম্ হেন্গৎলক্লি, অদুবু মসি হেন্গৎলবসু লাইরিক্ হৈতবা মীগী মশিংসু হেন্গৎলক্ই, মসি লেপ্পা নৈতনা মীশিং হেন্গৎলক্পননি।

(১) অহল্ লাইরিক তম্বিবা –লাইরিক্ হৈহন্বা অমসুং অহল্ ওইরবশিংবু লাইরিক্ তম্বিবা হায়বসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংনা লৈপাক্ অসিগী প্লানিং হৌরক্পদগী হৌনা থৱাই য়াওনা হোৎনরক্লি। মঙাশুবা চহি মঙাগী থৌরাং ফাওবদা

জাতিগী অমসুং রাজ্যগী থাক্তা মখলমখাগী প্রোগ্রাম্ পায়খৎলক্খি । পন্না য়াবদি ইং ১৯৬৭-৬৮ দা পায়খৎপা ফারমর্স ট্রেনিং অমসুং ফঙ্কসনেল্ লিটবেসি প্রোগ্রাম্, ১৯৭৫ দা চহি ১৫দগী ২৫ ফাওবগী নহাশিংগী নন্-ফোর্মেল্ ইদুকেসন্ অদুগা ইং ১৯৭৮ দা পায়খৎপা নেসনেল্ এদল্ট ইদুকেসন্ প্রোগ্রাম্ অসিনি ।

হিবম্ খুদিংদা চাওখৎপা পুবক্লবা হোৎনবদা এদল্ট ইদুকেসন্গী মওং অসি হোংদোক্খ্রে । ইবা, পাবা, অঙ্ক তৌবা অসিদদা তৌদ্রে । হোংলক্লিবা সমাজ অমসুং শেল্ থুমগী শক্ফম্ অসিদা মী ওইবগী গুণ্ হেন্গৎহন্বা তাবক্ই । চহি ১৪ শুববা অঙাং পুম্নমক্ তঙাই ফদনা ইলিমেন্টরি ইদুকেসন পীনবা হোৎনবক্পদা অহলাশিংদসু মখোয মশা চাওখৎচনবা খুদোং চাবা অসি শন্দোক্লক্ই । অশোন্বা কাংলুপ্ হায়বদি নুপী, সিদ্যুলদ কাস্ট / ট্রাইব, এগ্রিকল্চরেল লেবরর, স্লমদা লৈবা মীশিং- ঈশিং বাৎনা ফংবা লমদা লৈবা মীশিং অসিদা থোইদোক্ হেন্দোকপা মীৎযেং চংলক্ই । মসিগীদমক প্লান খুদিংদা মতিক্ চানা শেল্ থাদদুনা লাক্ই ।

(২) নেসনেল্ এদল্ট ইদুকেসন প্রোগ্রাম্ – নেসনেল্ এদল্ট ইদুকেসন্ প্রোগ্রাম অসি লৈপাক্ শিন্বা থুংনা ওক্টোবর ১৯৭৮ দা হৌখি । মসি অনৌবা পোলিসিদি নত্তে, হান্নমা পায়খৎখ্রবা ইদুকেসন্ পোলিসি পবেং অদুদগী থোক্লক্পনি । থৌরম অসিনা চহি ১৫ ৩৫ ফাওবগী লাইরিক হৈতবা মী ক্রোর ১০ বু চহি মঙাবোমগী মনুংদা লাইরিক হৈহন্নবা হোৎনবনি । মসিদা অযেৎপা যাওবক্পদগী ইং ১৯৭৯ দা ডাঃ দিঃএসঃ কোথারিনা চেয়ারমেন্ ওইবা হন্না যেংশিন্নবা কমিতি অমা শেমখি অদুগা মসি মহৈ ফংনা, অর্থ লৈনা পাংথোক্পা যাননবা, লম্বী তাক্লনবা শিন্নখি । কমিতি অসিনা থাগৎপা বাফম্ অযাম্বা সবকাবনা লৌখি ।

সবকাবনা নিংথিজনা থৌরম্ অসি পাংথোক্লবা মখাগী ব্রাফম্ অসি লৌখৎখি

(ক) এদল্ট ইদুকেসন্গী থবক্ পায়খৎলিবা, কাংলুপকী ব্রাখল লৈতবা শন্নাই সংস্থাশিংদা (গ্রান্ট-ইন্-এইদ) শেল্গী তেংবাং পীনগী থবক্ মখা চত্থবা,

(খ) হিবম্ কুন্গী শেল্ থুম্গী প্রোগ্রাম্দা তাক্লিবা অহল লাইরিক্ তম্বিবগী থবক্তা হেন্না মশিং য়াম্বা ছাত্র যাওহন্বা ;

(গ) জাতিগী থাক্তা লাইরিক্ হৈবগী চাংদগী তানা লৈবা জিলাশিং কোন্শিন্বা অদুগা অতম্নবিবা নুপী, সিদ্যুল্দ কাস্ট, সিদ্যুল্দ ট্রাইব, লৈফম্ হোংবা থবক্ শুবশিং অদুগা অতৈ সমাজগী অশোন্বা কাংলুপ্শিংগী লাইরিক্ হৈবগী ফিভম্ চাওখৎহন্বা ;

(ঘ) ময়েক চংলবা কাংবুবু তুংগী থৌরম কন্‌খৎহন্দুনা অনৌবা লাইরিক হৈবা কাংবু লৈরিবা মরক্তা লাইরিক হৈতবা তাহন্দবা ;

(ঙ) মচাক লৈবা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া, ইন্‌সাট প্রোগ্রামগী ওইনা শাজিন্নবা ,

থৌরম্ অসি রাজ্য অমসুং ইউনিয়ন টোবটোবিগী সরকারশিং, লন্নাই এজেন্সিশ , বিশ্ববিদ্যালয়, কলেজ, নেহরু যুবক কন্দ্র অদুগা অতৈ মীয়ামগী ওইনা লোইশঙ্‌ কয়ানা পাংথোক্লল হোৎনরকই । অদু খল মখাগী মিনিষ্ট্রি, টমেন্ট শিংনসু থৌরম অসিদা মাব থম্লনবা খোংথাং লোখৎলকই । সোসিয়েল্ ৱেলফেয়াব মিনিষ্ট্রিনসু ইন্টেগ্রেটেদ চাইল্দ ডিভেলপমেন্ট সার্ভিসকি কক অমা হনা অহন্ ওইবী নুপীশিংগী ফঙ্কসনেল্ লিটরেসি প্রোগ্রাম্ পাকথোক্ লাওবা হল্লকই । এগ্রিকলচর কবেল্ ডিভেলপমেন্ট অমসুং হেল্থ , ফেমিলি বেলফেযাব মিনিষ্ট্রিশিংনসু থৌরম অসিগা মরি লৈনম্লে । ইং ১৯৮৩গী মার্চ ৩১ ফাওবদা সেন্তর ১,৪১ ৭১৮ দাকখি অদুগা মা লাক্ষ ৪১ রোম্ মিং চনখি ।

(৩) কেন্দ্রনা লৌখৎপা স্কীম্‌শিং – কেন্দ্রগী ইদুকেসন মিনিষ্ট্রিনসু এদল্ট ইদুকেসন্ প্রোগ্রাম্ পায়খৎখি । মক ওইবা স্কীমদি –ফবেল্ ফঙ্কসনেল্ লিটরেসি প্রোগ্রামনি । মসিদা অহানবগী ফারমর্স ট্রেনিং অদুগা ইং ১৯৬৭-৬৮ দা পায়খৎখিবা ফঙ্কসনেল্ লিটরেসি প্রোগ্রাম্ অদুগা ইং ১৯৭২ দা নন্ ফোর্মেল্ ইদুকেসন্ হায়দুনা চহি ১৫-২৫ দা লৈবা মীওইগী পায়খৎখিবদু ইং ১৯৭৮ দা পুনশিনখ্রে । মসিগী পান্দমদি এদল্ট ইদুকেসন্ প্রোজেক্ট ৩০০ লোম্ লিংখৎপনি । প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা সেন্তর অমদা মতেক্ ওইনা পুবা ইন্সট্রক্টর অমগী মখাদা মী ৩০ চংই । প্রোজেক্ট অফিসার, সুপরভাইজরনচিংবসু অতৈ স্টাফ্‌কা কোন্ননা হাপ্‌ই অদুগা থা ১০ চংনা তম্বিগনি ।

(৪) ভোলনটরি এজেন্সিশিংদা তেংবাং পীবগী স্কীম্– কেন্দ্রগী থৌবাং মখাদা এদল্ট ইদুকেসনগী থবক্ পায়রিবা রেজিষ্টার তৌরবা এজেন্সিশিংদা গ্রান্ট ওইনা পীরি ।

(৫) শ্রামিক বিদ্যাপিঠ – সহরগী থবক্ শুবা কাংবুগীদমক্ নন্ ফোর্মেল্ ইদুকেসন্ চথনবগীদমক্ শ্রামিক বিদ্যাপিঠ হাংদোকই । মসিগী দায়িত্বদি থবক্ শুবা মীওইগী ওইনা মহৈ হৈতবা খিদোক্পা, নৌনা হৌদোক্পা অতৈ পান্বে খিবা, অনৌবা নমুনা পুথোক্পা অসিনচিংবনি, জানুৱারি ১৯৮৪ ফাওবদা অসিগুম্বা বিদ্যাপিঠ ১৫ হাংদোকখি ।

(৬) বিশ্ববিদ্যালয অমসুং কলেজশিংগী খুৎথাংদা (এদল্ট ইদুকেসন্‌) অহল্‌ লাইবিক তম্বিবা – ইউনিভবসিটি গ্রান্ট কমিসন্‌ অদুগা এসোসিযেসন্‌ ওফ ইণ্ডিযান্‌ ইউনিভর্সিটিনা কলেজ অমসুং ইউনিভর্সিটি পুম্নমক্তা থৌবম্‌ অসিদা যাওশন্নবা হায়খি। অদুগা এদল্ট ইদুকেসন্‌ এক্সটেন্সন্‌ প্রোগ্রাম্‌ গী লমজিং তাক্‌ই । নেসনেল্‌ সার্ভিস স্কীম্‌ এনঃএসঃএস ঃ কী মখাদা থৌবম্‌ অসি পাংথোক্লবা শাফু পীখি । মপুননবা ইউনিভর্সিটি ৭০ অমসুং কলেজ ৭০৫ না শকক যাখ ।

(৭) নেহরু যুবক কেন্দ্রগী খুৎথাংদা এদল্ট ইদুকেসন নেহরু যবক কেন্দ্রনসু চহি ১৫ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈ হৈতবা মাওইদা খুদোং চাবা পীননবা মপুং ফানা যাওই । কেন্দ্রশিং অসিনা চেতনা সঙ্ঘ লিংখৎলগা পাংথোকই । যুথ কোঃ ওর্দিনেটব অমমম্না চেতনা সঙ্ঘ ১০ লিংখৎপগী দাযত্ব লৈ । নেসনেল সার্ভিস ভোলন্টিযাব হাপ্লবা চুংদা ভোলন টিযাব অমনা অহানবা চহিদা সঙ্ঘ ১১ দগী ২০ ফাওবগী দাযিত্ব লৌগনি । অসিগুম্ব চেতনা সঙ্ঘ নত্তুগা এদল্ট ইদুকেসন সেন্টব অাস ইং ১৯৮২ ৮৩ দা ৪৯০০ শুখ অদুগা মী লাক্ষ ১ ৪৭ মিং চন্‌খ ।

(৮) পোস্ট লিটবেসি প্রোগ্রাম তম্বিবগী মতুং তাবা থৌবম্‌ ইং ১৯৮২ এপ্রিল্‌দগীদি এদল্ট ইদুকেসনগী থৌবম্‌ ওইনা পোস্ট লিটবেসি প্রোগ্রাম্‌দা হেন্না থবাই য়াওশিনখ্রে । বাজ্য সবকাব অমসুং ইউনিযন্‌ টেবিটোবি সবকাবশিংদা রুবেল্‌ ফঙ্কসনেল লিটবেসি প্রোজেক্ট অমসুং ষ্টেট এদল্ট ইদুকেসন প্রোগ্রামগী মখাদা পোস্ট লিটবেসি প্রোগ্রাম্‌ হৌগৎনবা পাওতাক্‌ পীখি । মদুনা মতমগী লাইবিক হৈবা কাংবুগগী মবক্তা অহোংবা থম্‌দনবনি।

(৯) ষ্টেট বিসোর্স সেন্তব বাজ্য অযাম্বদা লিংখৎখিবা ষ্টেট বিসোর্স সেন্তবশিংনা ত্রেনিংগী খুদোং চাবা অদুগা তম্বিনবা অদুগা তম্নবগী মচাক্‌ পীব ।

এদল্ট ইদুকেসন্‌ নত্তুগা অহল্‌ ওইববশিংবু লাইবিক তম্বিবা হাযবসি যাম্না চাউবা থৌবম্নি । সবকাবতনা পাংথোক্‌পা ঙম্বা নত্তে–লন্নাই মীওই, সংস্থাশিং অদুগা ইমুং খুদিংনা মসিদা শকক্‌ য়াগদবনি । মসিগী খুদোং চাদবা কয়া অদুগা লাইবিক্‌ হৈতবা কোক্‌হন্নবা দিষ্ট্রিক্ট ডিভেলপ্‌মেন্ট বোর্দ, খুঙ্গংগী পঞ্চাযত, খুঙ্গংগী লাইব্রেবি অদুগা মহৈ তম্ফম্‌শিংনা খুঙ্গংদা য়াম্না তৌনিংঙাই লৈ ।

(গ) থক্লবা খুদোংথিবা লৈতবা ঈশিং খুঙ্গংদা পীবা – (শেম্‌দোক্লবা হিবম্‌ ২০ গী থৌবম্‌ ওইনা জাতিগী ওইবা এজেন্দা)

তককশুবা চহি মঙাগী থৌবাং হৌবক্‌পদা দেশ অসি দা 'প্রোব্লেম্‌ ভিলেজ'

খুদোং চাদ্রবা খুঙ্গং লাক্ষ ১.৩১ বোম্ লৈখি , মখোয়াশং অদুদ সহানবগ ওইনা ঈশিংগী খুদোংচাবা পীবা তাখি । মবম্ অদুনা লৌনা শেম্দোক্লকা হিলা ৮০ গী থৌবমগা শক্ক্ অমা ওইনা থক্লনলা খুদোংথিবা লৈতবা ঈশিং পাসি খুদোংচদবা খুঙ্গংশিংদা অহানবদা ওইনা পীবা হাযবসি ওইহন্খি । ইং ১৯৫৪ দা সনেল্ রাটব ...াই প্রোগ্রাম হৌগৎখ্রবসু মতুং তাবা চহি মঙাগী থৌবাংশিংদা হেনগৎনা চাওনা থগু যেম্লোতুম চাওখৎনলা হাৎন্খ ।

(১) প্রোব্লেম ভিলেজ প্রব্লেম ভিলেজ লক্লগা খুদোং মদবা খুঙ্গং হাযবসি অসুম্না খংনগান –

(ক) মবম্চাবা অথাপ্পা, চাওবাক্লবা কিলোমিটর ১০৬ লোম ওইনা অদুগী মনুংদা থক্লবা ঈশিং ফংদবা ,

(খ) ফংলিবা ঈশিং অদুদা থুম্, লোং, ফ্লোন ইদ নচ্রুগা টৌক্সিক ওইবা হক্চাংদা খুদোংথিনংঙাই ওইবা যাওবা ,

(গ) ফংলিবা ঈশিং অদু ঈশিংদগী পোক্পা যাবা লাইনা – পুকচ পা, গিনি বার্মনাচিংবদগী খুদোং থিনিংঙাই ওইবা ;

তকক্শুবা চহি মঙাগী থৌবাংগীদমক্, খুদোংচাদবা খুঙ্গংদা থক্লবা ঈশিং পীনবগীদমক্ লুপা ক্রোব ২০০৭.১১. থম্খি । অসুম্না খুঙ্গংগী লমদা থোইদোক্ হেন্দোক্লা সিদ্যুলদ কাস্ট অমসুং সিদ্যুলদ ত্রাইব লৈবা মফমদা ঈশিং পীনবা থৌবাং তৌখি ।

(২) মপাল্গী এজেন্সি য়াওহন্বা –

খুঙ্গংদা ঈশিং পীবগী থবক্ অসিদা ইউনিসেফনা ড্রিলিং বিগ অদুগা অতৈ খুৎলাইগী মচাক্ কয়া পীদুনা অকন্বা লৈপাক্ হুৎপদা ফজবা তেংবাং পীখি যামদ্রবদা বিগ ২০০ বোম্ পীবক্খি ।

ৱার্ল্দ বেঙ্ক, ইন্টরনেসনেল্ ডিভেলপমেন্ট এসোসিয়েসন্নসু গুজরাত ৱাটর সপ্লাই অমসুং সিৱেরেজ প্রোজেক্ট কীদমক্ লুপা ক্রোব ১৩৬ কী তেংবাং পীবা য়াখি । নেদরলেণ্ড সরকারনা রুরেল্ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট অহুম্গী কেরালা অমসুং হিমাচল্ প্রদেশতা তেংবাং পীবা য়াখি । লুপা ক্রোব ১১.৪০ চংগদবদা নেদরলেণ্ডনা ডিঃএফঃএলঃ মিলিযন্ ৩০.১৫ গী গ্রান্ট পীখি ।

দেন্মার্ক সরকারনা খুৎশু-খুৎলাইগী মচাক্ ওইনা দেনিশ ক্রোনর মিলিয়ন ৭.৮ গী তেংবাং ওইনা তামিল্নাদু গী সালেম্দা হেণ্ড পম্প প্রোজেক্ট কীদমক্ পীবা য়াখি । মদু তৌরদা ভারততা লৈবা ইণ্ডিয়ান্ মার্ক টু পম্প ২৫০০ গী মপাঙ্গল্ নৌনা

হাপ্‌কৎকনি । অদুগা খুঙ্গং ৪১০০ থুংগদবা লুপা ক্রোর ২২ চংনা ঈশিং পীনবা প্রোজেক্ট কীদমক্ পীবা য়াখি ।

ইউরোপিয়ান্ ইকোনোমিক্ কম্যুনিতি নসু হিমাচল্ প্রদেশতা লুপা ক্রোর ১৫.৫ চংবা প্রোজেক্টকী তেংবাং পাবা যাখি ।

(ঘ) প্রকৃতিগা পুন্না হিংমিন্নবা -

(শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধী প্রধান মন্ত্রিনা বোম্বে নেচরেল্ হিস্তৰি সোসাইটি বোম্বেগী চহি চামা শুরগী পাললদা বোম্বেদা ইং ১৯৮৩ সেপ্টেম্বর ১৫ দা ৬াংখিরগী মক ওইবা শরুক্ খরা)

ঐখোয় মীওইসনা পৃথিব খাস মখল কয়াগী জিব শিংগা শরুক যামিন্নবি । মী ওইবা চৰ্ডল লৈবক্‌পদগী মতম শাংনা প্রকৃতিগা নরুবকই অদুর্ ঐখোয় ইশা হিংননবা অচৌ অচৌবা জিবশিংগা লান্‌সু থেংনবকই । মী ওইবগী জ্ঞান্ চা ওখৎলকপনা ঐখোযনা আতৈ পতৈ জিবশিংবু খুদুম্ চল্লকৰ্লি । প্রকৃতিগী মশিং লাকওদ্রবা জিবশিংগা, থবাই পান্দবা পোৎ যা ওনা ঐখোযগী অকোইবদা লৌবিবা পোৎচাক্ মান্নবনা শাবা পুন্নমক অসিগা পৃথিবী অসিদা শরুক যামিন্নবি । ঈশিং, পুংশিৎ কুম্বনা পৃথিবীবু পানা যোমলি, হাযবিবা অসিদগী ঐখোযগী থবাই ফংলি , হিংলি । থাইনদগা হৌনা শা অমসুং উচেক্ কা ঐখোযগী ভাবতকী সভ্যতাগা মরি লৈনবল্লি । হিংলিবা জিব পুম্বনু নুংশিবা হাযবা বুদ্ধঅমসুং মহাবীরনা শন্দোক্লম্বা অসি শ্লোক্ ওইনা রামাযণ দগী হৌবক্‌খি । নিংথৌরেল আশোক্না শাশিংগীদমক্ পাক্ শন্না লাইযেংশঙ শাবম্‌ই । হিদাক্কীদমক্ পাম্বী মচা মপান্দগী পুাশল্লক্লম্‌ই অদুগা থাবম্‌ই । মোগল্ নিংথৌরেল্‌শিংসু শা উচেক্‌পু নুংশিবা খংলম্‌ই । জাহাঙ্গীরনা মাবু পোকপা আকবরগী পোলিসি থৌশিল্লু অসুম্না ফোংদোক্লম্‌ই –'চহিগী থা অহুমদি মানা শা চাই, লেম্‌হৌবিবা থা মাপল্‌দি অচম্বা চিঙাক্লা পেন্নবা তৌবম্মী অদুগা শা হাৎপা অসি থানিংলম্‌দে । অযাম্বা নুমিৎতা অদুগা থা কযামুক্তা মীশিংদা মসি থিংলম্মী।' বাবর অমসুং জাহাঙ্গীর অনিমক্ প্রকৃতিদা অপান্না লৈবম্মী, বাবরনা তেনবা, মখল্ মঙাগী মরম্‌দা শন্দোক্লা হায়বম্মী অদুগা লফু পাম্বীগী মরম্‌দা নৈনবম্মী । শামুগগুা গা অতৈ শাগা মান্নবদগী শগোল্‌গা মান্নবনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়খি; মসিবু হৌজিক্কী জুলোজিষ্টশিংনা যাই হায়বসি ঐনা থাজে । জাহাঙ্গীর অসি নেচরেল্ হিষ্টৰিগী ছাত্র অমনি, মাগী অপাম্বশিং যম্না পাক্ চাওনা খংনবনা মীবৈপাক্কী পাও পুরক্‌পশিংনা মোগল্‌গী সভাদা লাক্‌পদা তাংনা ফংবা উচেক্ নত্ত্রগা শা পুরক্কুনা খুদোল্ তম্‌খি ।

শ্রীমতি গান্ধীনা খন্‌খি– উচেক্লা পাইবা অসি পৃথিবীগী মথক্তা ব্রাংনা কাখৎতুনা মানংতম্বা উৎনিংবগী ব্রাফম্‌নি । অসিগুম্বা থৌদৌনা টেক্নিকেল্ ওইবা থবক্ পুথোক্‌পদা

অদুগা কলাগী রাখল্ শাগৎপগী ইহৌ পীবনি। মহাক্না বোম্বে নেচরেল্ হিষ্টরি সোসাইটিগী থবকপু [illegible]শ থাখি, ডাঃ সলিম্ আলিগী লাইরিক (বুক্ ওফ ইণ্ডিয়ান্ বার্দস্) ভারতকী উচেক[illegible]গা লাইরিক্ অমসুং প্রেটরগী (বুক্ ওফ ইণ্ডিয়ান্ এনিমলস্) ভারতকী শাশি গী লাইরিক [illegible] অসিনা অনৌবা সংসার অমা হাংলে হায়খি। মহাক্না লাই[illegible]গা [illegible]দা বন্দি [illegible]হৌরিবদা উচেক্কী খোজেলনু নুংশিবা ফাওখি। মরু [illegible]বনা মপা ইরাংখৈনা [illegible] সালম আলিগা লাইরিক অদু থাবিরকখি মদুদা লাইরিক অদুদগী উচেক্কা মরমদ [illegible]কখ[illegible]। মনা অহ[illegible] ওইরিবদা মমাগী মৌপবনা লিজন্ পামজনা [illegible] কপদা [illegible] হৌ[illegible] অ[illegible] লোইনদুসু [illegible], মাদুদা [illegible] গা লোইনবগী [illegible]

[illegible]সানল পার্ক অমসুং সেঙ্কচুয়রিশিং [illegible] [illegible]না নু[illegible] ইবা ফাওই [illegible] কোনজারভেসন কেম্পাইনশিংসু থাগৎনিংই, মদুন মখা [illegible] চহিশিংদা [illegible] শাখি। কোনজারভেসন্ নত্ত্রগা মফম কাইহন্দনা থম্বা হায়বসিগা [illegible] [illegible] শন্দোক্লা তাক্লুংঙাই ওইদ্রবা। অদুবু অনিংবগা [illegible] অনিগা মথক অসিদ [illegible] পাক্ল। মীশিং হেনগৎলকপা, [illegible] শিংউবা [illegible] অদগা [illegible] চাওখৎ খৌরম্ পায়খৎলকপনা, থোইদোক্ হেন্দোক্লা মী ওইরগী কবাম্বনা পাম্বী অমসুং শা মখল কয়াগী পুক্কদা লাকওমদ্রবা অমাংবা থোকহল্লে। কোনজারভেসন [illegible] শেলথুমগা চাওখৎহনবগা নত্ত্রগা হৌজিক্ হৌজিক্ হায়রসিগা তুংতানা চথবা তায়রসিগগী মরক্তা মরুপ থোইনা লৈতে। অচৌ অচৌবা চাওখৎ-খৌরম্ গী প্রোজেক্ট অমা থাদোক্পা তাবরদি মদুবু মফম অদুগী মীশিংদা অর্থ লৈগদবা অতোপ্পা অমনা শিন্‌জিন্‌বিগদবানি মীয়ামবু লাইনিকনা, বাহৈনা অদুগা অতৈ পাম্বৈনা খংহন্‌গদবনি।

(ঙ) 'অফবা তুংগীদমক্ (ইনর্জি) শক্তি কন্দুনা থম্মু।'–

(ইং ১৯৮৩ সেপ্টেম্বর তাং ১৮ দা নিউ দিলিদা ফমখিবা ১২ শুবা ৱার্লদ ইনর্জি কন্‌ফরেন্সতা প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধীনা হৌদোক্‌পগী ওইনা ঙাংখিবদগী অশম্বা মক ওইবা খবা লৌখৎলি)

ইনর্জি - থবক্ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ অসি হৌজিক্কী মতম্‌গী হিংবগী ময়োল্দা লৈরি। লৌউ-শিংউগী মরম্‌দা ইন্দষ্ট্রিজ চাওখৎনবগী, অনা লাইয়েংশঙগী অতৈ লোইশঙশিংগী, ইমুং-মনুংগী নুংঙাইবা পীনবগী মরম্‌দা ঐখোয় অসি মখল্ অমা নত্ত্রগা অমগী ইনর্জিগী মখা পোল্লি। ভারতকী (সভ্যতা) লৈপাক্ মচা তাবা অসি প্রকৃতিদা থোল্লিবা থৌদোক্ কয়াগসু মরি লৈনৈ। কন্‌ফরেন্স অসিনা ইনর্জি চাওখৎপগা পুক্নিগী গুণ্‌গা শম্নহন্‌গনি ; হেন্না মতিক্ চাবা পোৎথোক্ পুথোক্‌পা, শিজিন্নবা অসিনচিংবদগী হেন্দোক্‌নুনা সমাজগী, রাজনীতিগী অমসুং ইকোলোজিগী ওইনসু নৈনবা ফগনি।

চহি ৩০ খোমগী মমাংদগী থাওগী মমল খংহৌন হেনগৎখিবনা পৃথিবীগী শেল্‌থুমগী ফিভম্‌দা শাথিনা শোক্‌হনখ্রে। যাম্না খোক্‌পা কাংবুগীদি শিঁজিন্নবদা কক্‌থবগা য়াবদু খোইনবা লৈপাক্তদি শাফু কন্না থেংলি। চাওখৎ থৌবমগী প্লান্‌ তোক্‌পা ৩ বগী ফিভম্‌দা লকখি, লাইবক্‌ ফবনা তোক্‌পমক্তি তৌক্ত, খো[illegible]কাপ্‌তি তপথবে, থবক্কী অচৌবা শেল্‌ য়াংশংখ্রে, কন্না নোম্বা হেল্লে। ঐখোযগা জাতগী ইচৌ ওইনা থৌশিল্‌ ইদুনা চাওখৎচননবগী (প্লান্‌ ডিভেলপ্‌মেন্ট তৌবগী) ফিবেপ লৌখ্রে, অদুনা [illegible] ভক্কী [illegible] [illegible] [illegible] খুদোংচাবা লৌদুনা লাইববা অদুগা [illegible] ফওবা কয়াগী [illegible] ইংনাব। [illegible] তু, ।চ [illegible] ঐখোযগা লৌউ [illegible] অদু [illegible] উদ্যোগ খুৎশুবগা থবক্তা মতম্‌গী। [illegible] ওইহনবা অদুগা লোয়নন্না [illegible] মীৎযেংদা যেংলক্‌খ্রে। ঐখোযগী প নং (থৌশিল)না লৌউ [illegible] হেক মথ [illegible] ইনার্জি) [illegible] ইং ১৯৪৭ তা জাতিগী [illegible]নবা মাস [illegible] ২০০০ [illegible] ইং ১৯৮৩ দদ মেগাবাট ৩৬,০০০ [illegible] মাসগা [illegible] মঙাথোকপগী অমদি ঐখোযগী [illegible] পথোক্লবদা শিঙ্গল্লে [illegible] অমসুং সহর ৫.৬০,০০০ গী ৩,০০০ লোমতদা ইং ১৯৪৭ ত ইলেক্ট্রিক যংই, হৌজিক্তি ৩,০০,০০০ লোম্না ফংখ্রে।

চহি ৩০ খোমগী মমাংদা ঐখোযগী মব চংলবা সাইন্তিস্ত ডাঃ হোমি ভভানা ইনর্জি অসি হাইড্রো ইলেক্ট্রিক অদুগা থর্মেল্‌ পাবাবদতা তাংদুনা লৈবা য়াববোই হায়না নউক্লিয়াব ইনর্জি প্রোগ্রাম হৌদোকখি। মাইগে কয়াদগী ঐখোযগী থবক অসি শিংদবা অদুগা থবক্তা পার্নাশিনবা যাবোইদবনি হায়না হন্দুনা গুংখি অদুবু আথংবা কয়াগী মাইযোক্তা গাবতকী টেক্নোলোজি অসিনা নমুনা শেন্না, শেমজিন্‌ শাজিনবা অদুগা নিউক্লিয়াব পাৱাব স্তেসন্‌ শাবা ঙম্‌লে।

সাইন্স হায়বসি অবেবা মীগীতা নত্তে, লৈতবাশিংগীসু য়াম্না তঙাই ফদনা চংই। তাবতনা সাইন্সপু শেলথুমগী শোথবদগী নাম্থোক্লবা লন্বী ওইনা উই। ঐখোযগী নিউক্লিয়াব প্রোগ্রাম্‌ অসি লান্‌গী পান্দমদা তৌবা নত্তে, চাওখৎ থৌবমগী চংবদগীনি। মসি—লৌউ-শিংউ, হিদাক্‌ লাংথক্‌ অমদি ইনর্জিগী দমক্তি। ঐখোয় নিউক্লিয়াব খুৎলাইগী মাইয়োক্তা লেপ্পি অদুগা লৈবসু লৈতে। নিউক্লিয়াব ইনর্জি অসি ভাবততা অনৌবনি, অবিবা নত্তে। ইং ১৯৬৭ আসামদা অহানবা থাওগী মফম্‌ তৌখি। মীবৈপাক্কী কম্পানিনা অতৈ লন্বীদা ইনর্জি থিবা অসি অবেম্বনি হায়না পাওতাক্‌ পিখি; অদুবু ঐখোয়না মখা চথবসি মতিক্‌ চাবনি অতৈ লৈপাক্তা চাংদম্নবদা ঐখোয়গীসিদি য়াম্না চন্বনি, অদুবু পুথোক্লিবা থাওগী বেবেল্‌ (দ্রম) খুদিংনা মীবৈপাক্তা চংখিগদবা শেল্‌ থিংই। হৌখিবা চহি অনিদা হান্না টোন্‌ মিলিয়ন্‌ ১০.৫০ ওইবম্বদগী টোন্‌ মিলিয়ন ২১ পুথোক্তুনা

শরুক্ অনি য়ৌবা ঙম্গ্রে। চংগদবগী তঙ্খাই অমদি পুথোক্পা ঙম্লে, ইং ১৯৯০ দদি মশাগী কোন্নবা ঙম্ জবগনি। ঐখোযগী ইনর্জিগী ফিভম্দি অহুম্নি -- (১) অতেন্বা মতম্দা থাও শিজিন্নবা হন্থহন্বা অদুগা শেল্থুম্গী মাইকৈ খুদিংদা ইনর্জি শিজিন্নবগী হৈশিংবদু হেনগৎহন্বা ; (২) মযাইগী মতম্ ওইনা থাও অসিদা অতৈ মওং কযানা শৌগৎপা ; (৩) অশাংবা মতম্দা – নিউক্লিযাব পাৱাব, নুমিৎকী অদুগা নুংশিৎকী শক্তি, বাইও মাস অদুগা অতৈ নৌথোক্হনবা যাবা, হেন্গৎহন্বা যাবা ইনর্জি পোক্ফম্ চাওখৎহন্দুনা ফোশিল্ ফুৱেল্ হাযবদি লৈনুংগী পথ্ পুম্থবদগী ওইবা মৈচাক্ অসি কন্বা, আসনি।

ভার্তিশিং অসি সোর্ভবিন নি অশুপ্পনি অদুবু পৃথিবীদা অমতনি। জাতিগী ঙম্খৈনা পোৎ পুশিল্লক্পা থিংবা ঙম্ই, অদুবু ৱাখল্বুদি থিংবা ঙম্দে। টেক্নোলোজিগী নুংশিৎতা মদু বাৎপা মফম্দা শিৎলি। থাও থাদোক্লিবা অর্মদি লৌশল্লিবা লৈপাক্শিং অনিগী অপান্বসি তুংদাদি পুর্নশিল্লক্কনি। ঐনা থাজে - পৃথিবীগী অপুন্বা অসি ইনর্জিনা মযোন ওইগনি। থাও অমসুং অতৈ পোৎ অসি লোইবা নাই অদুনা ঐখোযনা নুমিৎ, নুংশিৎ অমসুং ঈথক্ কুপ্পাশিং ফাদুনা শিজিন্নবা তাই।

কযলা অমসুং থাও হাযবসি মহুৎশিন্বা যাদবা ইনর্জিগী মচাক্লি। ইউঃএসঃ এঃ, ফ্রান্স অমসুং অতৈ নোংচুপ্থংবা ইউবোপ্পা মহুৎশিনবা যাবা প্রোজেক্ট হৌখ্রে। মী অমগী চংগদবা ইনর্জিগী চাং হেন্গৎহন্বা হাযবসি মীশিং হেনগৎলক্পা অশিনা যাম্না তঙাই ফদবা ওইবে।

পৃথিবী অসিনা তুংদা শাংনা যেংবা তাই, কন্ফবেন্স অসিনা হিনম্ অসিদা মুন্না যেংবা তাবনি অদুগা খুদোংথিগদবদুগী খুদম্ উৎকদবনি। খুঙ্গংগী লাইবর্বশিংগী হিংবগী থাক্ ৱাংখৎহন্নবা ইনর্জি শিজিন্নগনি। সেন্ট্রেলাইজদ্ ইনর্জি সিষ্টেম্ মযাইদা পুর্নশিন্বা ইনর্জিগী পাথাপ্ অসিনা প্রজাগী চংগদবদু থেংনবা ঙম্লোই। দিসেন্ট্রেলাইজদ্ সিষ্টেম্দনা লম্ লম্গী ওইবা মশাগী ওইনা কোন্নজব, তেংবাং নবা হেন্গৎনবা খুঙ্গংদা ফংলিবা শা ঙা অমসুং পাম্বীগী অবেম্ অপানচিংবা পোৎ কযা শিজিন্নবা ঙম্হন্গনি। খুঙ্গংগী খুদোং চাদ্রিবসিবু সাইন্টিস্ত অমসুং টেক্নোলোজিস্ট শিংনা থৱাই যাওদ্রিবসি কবিগীনো খংবা ঙম্দে। মিলিযন্ কয়াগী পুন্সিগী ফিভম্ ফগৎহন্বা হাযবসিদগী হেন্না নুংঙাই নিংঙাই লৈতে। মীগী খুৎশুমন্ মাংহন্দনা মফম্ মফম্দা ফংবা পোৎথোক্ হেন্গৎহন্বা অদুগুম্বা টেক্নোলোজি অদু ঐখোযনা পাম্ই। হৌজিক্ ফাওবদদি মীশিংনা অহোংবা অমসুং মবাং কাইবা ইনর্জিতা ফংনবা হোৎনৈ। কেমিকেল্ মেতেলর্জিকেল্ অদুগা অতৈ ইনর্জি যাম্না চংবা ইন্দষ্ট্রি তৌবদা নৌনা খন্নবা চুম্ই।

ঐখোযগী ইনার্জিগী মিনিষ্ট্রিনা সোসিযেল্ ফোবেষ্ট্রি অদুগা বাইও গ্যাস প্লান্ট কুম্বগী পোলিসি পাম্লনবা হোৎনবি, অদুবু শম্থিগুম্বাগী কম্যুনিতি গ্যাস প্লান্ট শিজিন্নবা হোৎনবনা শাংগী মহুৎ শিলহনবা যাগনি । শেলথুম্গী চাওখৎপা হাযবগী অর্থদি চাওখৎলিবা যিভম কাখৎলিবা সমাজগী অমসুং শেলথুম্গী খদোংচাদবা মযাম অসি কাক্লনবা পাম্বে ফংবা অদুনি । ইনর্জি যাম্না শিজিন্নবতনা প্ল্যান্সগী গুণ হেনগৎহনবা নমে খুদম্ ওইনা অবাং আমেরিকানা ইউ.রোপ্কা মী অমাগী ওইনা শিজিন্নবা চাংগী শব . অন.া। . ইংবগী থাক্তদি যাম্না খেন্নদনা শিজিন্নি । টেক্লোলোজি অসি অনৌবা মহৈদে পুগদর্বা । । ঙন্দখি লৈবা ঐখোযগী গ্রহ অসিদা লৌবিবা পোৎথোক, অদুগা ঐখোযবু কুপশিন্নবা নুংশিৎকী মবোল অসি সোইথোকহন্দনা থবক, লন থম্, অপেনবা নুংঙাইব অসিনচিংবা পুম্নমক টেক্নোলজিনা শেমগদবনি, লম্বী শ থাক্কদবনি ।

ঐখোযনা মখাগী হিবম্শিং অসিদা অথুবা থবক পাযখৎপগী ওচাই যদবা লৈ ।

(১) অনৌবা বাইওলোজিকেলগা ওইবা পোৎথোক্ পুথোক্লবা- খুদম্ ওইনা টিস্যু কল্চব, প্রোটোপ্লাস্ট ফিউজন্, জেনেটিক্, ইঞ্জিনিযারিং, নাইট্রোজেন্ ফিক্সেসন্, ইমপ্রুভদ্ ফোটোসিনথেসিস খোইদোক্ হেন্দোক্লা লৌউ শিংউগী খুদোং চাবোইদবা মফম্দা পাযখৎপা ,

(২) ঈশিংগী হাইড্রোজেন্ অসিদগী ইঞ্জিন্ চৎহন্নবা থাও লৌননবা ফোটোকেমিকেল্ টেক্নিক্ হৌদোক্পা ;

(৩) ইনর্জি তুংশিন্নবা ওইনা পোৎ পুথোক্ পুশিন্ তৌবগুম্বদা থাওদা ব্রাৎনা মপাল্ তাংনবা পাম্বে পুথোক্পা ,

(৪) ফোটোভোল্টেইক্ দিভাইসনা নুমিৎকী মঙাল্দগী ইলেক্ট্রিসিটি ফংদুনা ঙসিগী অসিদগী শরুক্ ১০ দগী ১০০ ফাওবা তানা পৈশা চংবা হন্থহনবা;

(৫) ইন্টেগ্রেটেদ্ ইনর্জি সিষ্টেম্না মখল্ মখা অযাম্বা চংগদবা অদু য়াবমখৈ থেংনবা ;

পিক্খ্রবা জিবদগী চাওখ্রবা খোম্ থক্লুনা হিংবা জিব কযা নুমিৎকীমতেংনা হিংলি । হৌজিক্কী মতম্গী বাইওলোজিনা অসিগুম্বা থোইদোক্ হেন্দোক্পা থবক্ অসিগী কেমিকেল্ অমসুং ফিজিকেল্ ওইবা মওং অদু খংনবা হোৎনবি । জেনেটিক্ ইঞ্জিনিয়াবিং অমসুং বাইওটেক্নোলোজিনা যৌদৌ পুম্নমক্ খুদোংচাবা, পুন্সিগী মওং কয়াদা ওন্থোক্লবগী

আশা পীবি। মাইক্রো এলেক্ট্রোনিক্ দিভাইস নত্রগা পাম্বৈনসু থুনা চাওখৎনবা হোৎনবি। অসিগুম্বা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী ইচেল্ অনিনা পুন্না নুমিৎকী ইনর্জিগী লম্বী পীগনি। ঐখোয়না হাইড্রোকার্বোন্ অসি লৈনুংদগী থিরুদনা ঐখোয়গী য়ুম্থক্তা, ইংখোল্দা লেপ্পা লৈতনা ফংগনি, নুমিৎকী ইনর্জি অসি ফাজিন্বা ঙম্গনি।

(চ) মীওইবগী নুংঙাই-য়াইফবগীদমক্ বিজ্ঞান্ -

(ইং ১৯৮৪ গী জানুয়ারি তা' ৩ দা বাঞ্চীদা ফম্খিবা ইণ্ডিয়ান সাইন্স কংগ্রেসকী ৭১ শুবা সেসন্ হৌদোকপগী থৌবম্দা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ইন্দিরা গান্ধীনা পীখিবগী অশম্বা, চাওবাকপা বাবোল।)

প্রকৃতির্গী মচাক অমসুং মী ওইবগী ওইনা মচাক কয়া লৈবা বিহারগী বাঞ্চীদা (সাইন্স) বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজিগী শাক্ত অসি অনৌবা য়াওন নুংঙাই য়াইফবগা লোয়নদা লাক্লুনবগী খুংলাই ওইনা খন্নবা অসি চপচাবনি। ইং ১৯৮৩ দা বোইহিনি অমসুং ইন্সাট বি থাগৎখিবা, মাদ্রাজ এটোমিক্ পাবার প্রোজেক্ট হৌখিবা, এনটার্কটিকাদা অহুম্শুবা খোংচৎ থুংখিবা আসনচিংবগী থৌদোক্ ওইনা চহিং অদুনা স্পেস, এটোমিক ইনার্জ অমসুং ওসিনোগ্রাফি দিপার্টমেন্টশিংবু থ গৎলুনা নুংঙাইবা ফোংই।

ঐখোয়গী বৈজ্ঞানিকশিংনা অসুম্না থোকহল্লকনি হায়বসি থাজবা ঙম্দে অদুনা শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধীনা হায়খি 'ঐ অসি ভারতকী মহৎ তম্বগী পাথাপপু হন্দুনা ঙাংবশিংগী মনুংদা অমনি, অদুগা শেম্দোকপগী ওঙাইফদবা লৈ হায়না থাজে, অদুবু মসিগী অশোইবা কয়া লৈদুনসু মসিনা সাইন্টিষ্ট (বৈজ্ঞানিক) অদুগা অতৈ মগুণ্ লৈবা থবক্ ঙম্বা মীওই কয়া পুথোকখি, অদুগা পুথোকখিগনি হায়বসিদা ঐহাক্ ঙক্পা তাই।' জবহরলাল্ নেহরু অমসুং ডাঃ হোমি ভভানা পুথোক্লম্বা ভারতকী (পোলিসি) পাথাপকী নিয়ম অসিদি শান্তিগী অমসুং চাওখৎপগীতা ওইননবা মশাগী মশাদা তাজবা, য়ুম্দা শেম্গৎচবা, নিউক্লিয়ারগী পাঙ্গল্নি। বিজ্ঞান্ হায়বসি ঐখোইগী জাতিগী পুন্সিদা ঐখোয়গী হোৎনবা পুম্নমগী হিরমদা, অদুগা শকক্তা মনুং ফাওনা চংগদবনি। মসি কবিগুম্বা অমবু নৌনা হৌদোক্লবনি (ইনোভেটিভ ওইনবনি) অদুগা সমাজদা অচুম্বা তৌবদা মরুপ্ ওইগদবনি। অদুগা ইন্দিরাজীনা সাইন্টিষ্টশিংবু ভারতকী চাওখৎ থৌবম্দা ঙসিগী অমসুং হয়েংগী খন্দুনা শরুক্ য়াবা ওইননবা কন্না হায়।

বৈজ্ঞানিক্শিংনা অহান্বা হোৎনগদবদি মরাং কাইনা চিঞ্জাক, শা-শল্গী শজিক্ অমসুং মৈ থাননবা শীং, হক্চাং ফনবগী থবক্, অসিনচিংবা ফংহন্বা অসিনি। অরেম্বদা মাংগদবা খনিগী পোৎ, অতৈ মকুম্-মরাং কয়াবু শিজিন্নবা য়াবা পোৎ ওন্থোক্পা

প্রজাদা তম্বিগদবনি । য়াম্না চাওনা ব্রাৎলিবা মৈ থানবাশীংগী মহুত্তা নৌনা পুথোকপা শক্তি (ইনর্জি) ফংগদবা পাম্বে শিজিন্নহন্‌বা ওম্নবা লম্বী থিগদবনি । ঐখোয়না বৈজ্ঞনিক্ শিংদগী আশা তৌবিবদি থৌবম্ খুদিংদা খুদম্ ওইনা চিঞ্জাক্ চাবগী মবম্দা, মীযাম্গী হকচাং, মহে তম্বা, লৌউ শিংউবা, ইথৈ লৌখোং শেম্বা, কয়লা, পেট্রোলিয়ম, বিজলি শক্তি, চৎথোক্ চৎশিন্, ইঞ্জিনিয়াবিং, লৈপাক্ লৈহাও কন্‌বা ঙাকপা, (ইন্দষ্ট্রিজ) খুৎশুগী থবক্ অসিনচিংবা পুম্নমক্তা মীনা শুবা তৌবা য়াবা থবক্ পুথোকপদা জ্ঞান্ হেন্না 'থক্তি' খোৎচিন্দুনা অনৌবা লমজং পাবর্সিনি । জাতিগী ওইবা থবক্ খুদিংদা পাংথোক্ লম্লোক্কী লম্বী য়াওবনিনা বিজ্ঞান্গীসু লম্বী ওই । থবক্ অমা পাযখৎপগী তাং অকোন অসি বিজ্ঞান্গী পোৎথোক্ ফংগদবা য়েংদুনা তৌবা তাবক্ই

থবকাব অসিনা পুক্রিং চংগদবর্সি প্রজাগা খুদক্কী খুদোং চাদবা অদুদনি, অদুম্ ওইনমক্ যুম্ফম্ ওইবা বিজ্ঞান্গী বাফম্দস্ ব্রাৎহনবা যাদে । মসিনা ঐখোয়গী মীয়াম্গী পাম্নিগী তুংদা হেন্না ফবা মওংদা পুবক্কদৌবিবা টেক্নোলোজি চাওখৎনবগী খোংথাফম্নি । য়াম্না ব্রাংবা বিজ্ঞান্গী থাক্কী থবক্ এটোমিক্ ইনর্জি, স্পেস, বাইও-টেক্নোলোজি, মাইক্রো ইলেক্ট্রোনিক্স অদুগা বেসিক্ রিছার্চ কুম্বগী থবক্ পাযখৎপদদি এক্সপার্টকী অখং অহৈগী পাওতাক্কী মখা পোল্লি, অদুবু বিজ্ঞান্ হৈবা মীশিংনা মখোয়না অতম্না হোৎনবিবা অদুগা চেন্নবিবা প্রোজেক্ট অদুতদা নৈশিন্দুনা লৈবোইদবনি ; মবম্দি ঐখোয়গী থবক্ খুদিংমক্ বিজ্ঞান্গা মবি লৈনদবা লৈতে । থৌশিল্ (প্লানিং) হায়বিবা, বিজ্ঞান্ অমসুং মবম্ চাবনা, জাতিগী খুদোংচাদবা পুম্নমক্তা পান্‌শিন্‌বা ওইবিবা (য়াবিবা) থবক্ অসিদা বৈজ্ঞানিক্শিংনা য়াম্না হেন্না পুক্রিং থিংজিন্‌গদবনি । ঐখোয়গী নীংতম্বগী ইহৌগী পান্দম্দি, ঐখোয়গী মীয়াম্গী মশাগী ইকাই খুম্নবা, মশাবু থাজজবা, মখোয়গী পুন্সিদা গুণ্ হাম্না অদুগা মী অমমম্ ওইবগী মশক্ অদু মপুং ফানা শাৎকাইনবগী খুদোংচাবা পীবা অদুনি । অদুনা বৈজ্ঞানিক্শিংনা ঐখোয়গী লৈপাক্কীদমক্ অমসুং মীয়াম্গীদমক্ করি তৌবা য়াবগে খনগদবনি । ঐখোয়গী বিজ্ঞান্ অসি পৃথিবীগী থাক্কী অদুগা গুণ্গী ওইহন্‌গদবনি । বিজ্ঞান্গী শক্তিনা নিউক্লিয়াবগী লান্ তৌদুনা পৃথিবী অসি জিব তাবা ওম্দনা মাংহন্‌গদবদু থোক্হল্লোইদবনি । ঐখোয়না অপনবা লৈতনা চাওখৎপা, নুংঙাইবা, লৌশিং, ফংননবা বিজ্ঞান্‌বু শিজিন্নগদবনি । 'বৈজ্ঞানিক্শিং অসিসু লৈপাক্কী প্রজানি, মখোয়না মখোয়গী থবক্তা শান্তিবু ইং-তম্নবু কন্‌বা ওম্হন্‌গদবনি' ওসিদি বৈজ্ঞানিক্শিং অমসুং পুম্নমক্তা ঐখোয়গী মতম্ অসি খ্বাইদগী যবা ওইহন্‌গদবনি । 'সাইন্সনা মতম্ পুম্নমক্তা পুন্সিগী, অচুম্বগী অমসুং মীওইবগী নাকল্দা লৈগদবনি ।'

(ছ) সমাজ অমসুং শেল্থুম্গী থোমবা অসি চুম্থোক্পগী মরু ওইবা –

(এঃএনঃইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল্ স্টাডিজ পাটনা দা ইং ১৯৮৪ গী জানুৱারি ৪ দা ঙাংখিবগী অশম্বা শরুক্ খরা।)

হৌখিবনা ঐখোয়দা চাওথোক্চবা পীরবসু মদুনা ঐখোয়দা (প্রোব্লেম্) সু খুদোং চাদবসু শরুক্ থুংবি। তুংগী শিংনরক্লিবসিগী থেংননবা শেম্ শাবদা, হৌখিগী অরান্বা চুম্থোক্পদসু ঐখোয় থবক্ চিল্লি। মসি ঙাইহাক্কীতা, মদুগীতা ওইবা ফিরেপ্ ওইনা নত্তনা পাথাপ্ নাইবা মওংদা শেম্ শাদুনা চাওখৎপগী খুৎথাংদা তৌগদবনি। প্লানিংনা (থৌশিল্না) মশক্ নাইবা মহৈ ফংহল্লি, অদুবু চাওখৎপা অমসুং হেন্গৎপনসু হেন্না থুনা খুমাং চাওশিন্বদা পেন্দবা অমসুং খাংবদা ব্রাবা থোক্তল্লি। চাওখৎপা হায়বসিদি য়াম্না তপ্পি। মথাং মথাং চথরক্পা (অথবিতি) মঙম্ পাযবা কাংথুনা কবিগুম্বা (রিফোর্ম) শেম্দোক্পা অমবু মখোয়গী (প্রিভিলেজদা) খুদোংচাবা ফংবদা কিহন্বান হায়না লৌই। মখোয়না খংগদবনি মদুদি—মখোয়গী শক্তি অমদি লন্থুম্ খবা মাংবা য়াই অদুবু অওন্বা হায়বসিদা মখোয়গীসু অশোইবা লৈহল্লোই। চহি ৩৩ রোম্ অসিদা ঐখোয়না প্লানিংদা লুপা বিলিয়ন্ ১৪৫০ রোম্ চাদিং তৌখ্রে, মসি মীকোক্তা পাবদা করিগু লৈতবা মশিংনি। হায়বিবা শেন্ফম্ অসি ঐখোয়গী মনুংগী তুংশিন্জবদগীনি, ইনাক্ খুন্বশিংগী তুংশিন্বনা নত্তে, লাইববশিংদগীনি.

অসিগুম্বা মতিক্ চাদনা থাদরিবসিদগী, ঐখোযনা হেন্না ফবদি তৌরিবনি, হেন্না ফবা শাসন্ লৈরবনি। বুরোক্রেসিগী ব্রাখল্দা শাসন্ অসি চুম্না আইন্ অমসুং মথং মনাও নাইবা থম্বতনি হায়বা ব্রাফম্ অসি লংথোক্পা হায়বসি অবাইবা নত্তে। চাওখৎ-থৌরাংগী অফবা থবক্কী জ্ঞান্ ফংবা হায়বসি মতম্ শাংনা চংই। মখোয়না সেবা তৌবিবা মীয়াম্দা মখোয়না খংলিবগী থাক্, অদুগা মখোয়না থবক্কী মতাংদা হন্দুনা পীবিবা অদু ঐদি পেন্দে। (সোসিয়েল্ সাইন্টিষ্ট) সমাজগী ওইবা বৈজ্ঞানিক্ অমসুং (টেক্নো ক্রেট) থবক্কী জ্ঞান্ লৈবা মীওই হেন্না হেন্না পুশিল্লক্খি, লাইবক্ থিবদি মখোয় অদুসু ইচেল্ অদুদা লুপ্শিন্খি। ঐখোয় অসি ব্রাখল্ শাগৎপা অদুগা মাংদা য়েংবা মীৎয়েং ব্রাংলি। লৈপাক্ অয়াম্বদা, জাতিগী ওইবা শেম্গৎ-শাগৎপগী থবক অসি সবকারতনা হোৎনদে. তোঙান্ তোঙান্বা ওর্গেনাইজেসন্ (সরকাবগী মাইয়োক্তা মতম্গী ওইনা লৈবশিং য়াওনা) অদুগা প্রেস অমসুং মেদিয়ানচিংব ই-পাও পীথোক্ পীশিন্ তৌবা কাংবু ফাওবা হোৎনবদা য়াওশিল্লি।

অয়াম্বা মতম্দা হিংসাদা তারক্পা ইহৌ কয়া মীয়াম্না লৌখৎলি, মফম্ খুদিংমক্তা

মফম্ মফমগী চানবা থবক্ নত্তবা অচৌবা মীংচৎ লৌনিংঙাই ওইবা থবক্কীদমক্তা দাবি তৌই। প্রাইমারি অমদি সেকেণ্ডরি ইদুকেশনগী মহৎতা, আইন্ শেম্বা কাংবু অদুগা সিটিজন্ কমিতিশিংনা মেদিকেল্ নত্রগা ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজ, পোষ্ট গ্রেজুয়েৎ দিপার্টমেন্ট কুম্বা মতিক্ চানা মী অমসুং অতৈ মচাক্ য়াওহন্বা ঙম্লোইদবা অদুতা পাম্নৈ। কাংলুপ্ নাইবা, অখুবা দাবি তান্বনা, মতম্ খবতগী ওইবা থবক্কা জাতিগী কান্নগদবা -মীয়াম্না সেবা তৌগদবা থবক্কী মমাং থাহন্নবা হোৎনৈ। মসি পুম্নমক্ ওইবনদসু ভাবত তা প্লানিং তৌবিবসি মাই পাক্লক্লি।

ঐখোযগী চাওখৎপগী নাকল্ খবদা মফম্ মফম্গী ওইনা চাং মান্নদবা, সমাজগী যাওন্গা (অহোংবগা) শেল্ থুম্গী চাওখৎপগা লাম্বা তৌনবা য়াদবা (চানদবা) থোক্হল্লি। জিলা অযাম্বদা মতম্গী ওইবা ইন্দষ্ট্রিনি হাযবা যাবা লৈতে, অদুবু ঐনা শোত্থহৌববা মফম্শিংদা ভাব তানা ইন্দষ্ট্রি লৈহন্নবা হোৎনবা ঙম্নবা মেপ্ অমা শেম্লে।

তুং কোইনা চাওখৎনবগীদমক্ পোৎথোক্-চাথোক্ কী ওইনা অমসুং মী ওইনা চাওখৎপা অনি অসি খল্ মান্নহন্গদবনি। ঐখোয়গী প্লানিংদা (ইকোনোমিক্ প্রোগ্রাম্) শেল্ থুম্গী থৌবম্, চাথোক্ হেন্গৎহন্বা অসিগুম্বত নত্তনা শোত্থহৌববা লম্গী শরুক্কী খুদোংচাবা ব্রাৎনা ফংলিবা কাংবুগী-মহৈ মশিং তম্বা শন্দোক্পা, লম্ অমসুং লুপ্ শেম্দোক্পা অসিনচিংবা কযাগী থোইদোক্ হেন্দোক্পা থৌবম্ হাপ্লি। ঐখোযগী মরু-মবাংগী পোৎথোক্ য়াম্না হেন্গৎলি অদুম্ ওইনমক্ লৌউবদগী ফংবা কান্নবা অদুদি তোঙান্ তোঙান্বা কাংলুপ্ অদুগা মফম্শিংদা চাং মান্নমা ফংহন্বা ঙম্দ্রি। লমগী পাথাপ শেম্দোক্পা অসিসু অর্থ লৈহন্বা ঙম্দ্রি, মসিদা কান্নবা থিবা কাংবু অমসুং ব্রায়েন্শঙশিংনা অপন্বা পীবি। অনৌবা মওংগী পোৎথোক্ পুথোক্পদা শিজিন্নবিবা টেক্লোলোজি অসি অপিক্পা লৌউবশিংনা লৌশিন্বা ঙমদ্রি ' ইন্দষ্ট্রিজদা থাদবশিং অদুগী খুদোং চাবদু মেনেজবশিং অমসুং থবক্ শুবশিংনা লৌবা ঙম্দ্রি। মীশিং হেন্গৎলক্পনা ঐখোয়গী জাতিগী পোৎথোক্-লম্থোক্তা মমাংদা ওইদবা মওংদা শাফু পীবি। মহৈতম্বা অমসুং লম্বী থোংগী ফিভম্ হেন্গৎলক্পনা নুপীশিংদা বাজনীতিগী অমদি শেল্ থুম্গী ভাব তাবা খবাপিববসু ইমুং মনুংগী অমদি সমাজগী ওইবা গুণদদি তুংদা শোত্থবি। অসিগুম্বা খেন্নবা, মান্নদবশিং অসি কোক্হন্দ্রবদি মীশিংগী শেম্গৎ শাগৎপগী (ইনর্জি) তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ অসি অবেম্বদা মাংই। হৌজিক্কী জাতি পুম্বগী শেল্থুম্গী ফিভম্দা (কেপিটেল্) শেল্লেপ, (লেবব) শুবা-নোম্বা, (লেণ্ড) লম্ অমসুং জাতিগী ওইবা পোৎথোক্ লম্থোক্, হেন্গৎলবতদা ঐখোয়গী চাওখৎপগী খোংজেল্ হেন্গৎহন্বা

ঙমগদবনি। মসি তৌবা তাববদি ঐখোয়না চুনবা টেক্নোলোজি খন্‌বা তাই। অচৌবা লৌউবশিংনা তৌবা অদু ইন্দনা অপিক্‌পা লৌমীশিংনা মফম্‌ মফম্‌দা ফংবা পোৎ, লন্‌, পাম্বৈ শিজিন্নবা তাই। মীয়াম্‌গী উ থাবা, বাইওগ্যাস শিজিন্নবা অসিনচিংবগী ফিভম্‌সু হোংদোক্‌পা তাই। মফম্‌ খুদিংদা লৈবিবা কবোকং অদুগা অতে পাম্বী কয়া ফাওবগী মগুণ্‌ লৈ।

মহৈ তম্ফম্‌ লোইশঙশিং অদুগা অতৈ ই-পাওগী থবক্‌ তৌবিবা কাংবুনসু যাম্না তৌনিংঙাই লৈ। ঐখোযগী মতৈ তম্বগী পাথাপ্‌ অসিনসু ঐখোয়গী নহাশিংবু হেন্না মচাক্‌ লৈহন্‌বা অদুগা থবক্কী মহৈ পীহল্লক্‌পা ঙম্‌হন্‌গদবনি। মখোয়দা লম্‌গী ওইবা, জাতিগী অদুগা জাতি ময়াম্‌গী ওইবা মওং অদু উইহন্‌গদবনি, মদুনা (মোবেল্‌গী) পুক্লিংগী ওইবা অদুগা সমাজগী ওইবা গুণ্‌, হিংসা তৌদবা অদুগা খাংবগী ব্রাখল্‌ অসিনচিংবসি নহাশিংদা পীশিন্‌গনি। লৈপাক্‌ মচা তাবা হায়বসি নিংথিববু অমসুং ফজববু মগুণ্‌ থাগৎপা, খংবা ঙম্বা অদুনা ওনগদবনি (চাং লেপ্‌কদবনি)। প্লান্‌ তৌবিবা কাংবু অদুগা বাজনীতি ব্রালাশিংবুসু সমাজগী, শেল্‌-থুম্‌গী অমসুং বাজনীতিগী অওন্‌বা কযাদ: শম্নবিবসিদা পুক্লিং চিংশিন্‌গদবনি।

ইউনেসকোগী চার্টবনা হাযবি — 'লাল্‌ হায়বসি মীশিংগী পুক্লিংদা পোক্‌ই।' পোপ্না ঐঙোন্দা অদুগা অতৈ সবকাবগী মকোর্ক্‌শিংদা ইবক্‌ই,—মদুদি— 'লাল্‌ হায়বসি মীওইবগী থম্মোয়দা পোক্‌ই।' ঐ ইশামক্কী ব্রাখল্‌দদি মসি পুক্লিং অমসুং থম্মোয অনিগী মবক্তা খাইদোক্‌পনি, হায়বদি ঐখোয়গী (ব্রাখল্‌গী) পেন্দবগী মখোংদনি— (স্পিবিচুয়েলিটি) আত্মাগী ওইবা, পুক্লিংগী ইহৌ যাওদবা ব্রাখল্‌ অদুগা (ইন্টুইসন্‌) পুক্লিংগী খংনবগী পাঙ্গল্‌ যাওদবা (বেসনেলিটি) নি মবম্‌নি। সাব আববিন্দোনা থাজে মদুদি 'আত্মাগী ওইবা চাওখৎপতনা ঐখোয়বু হেন্না ব্রাংবা ভাব তাবদা পুবক্‌পা ঙম্‌গনি'। প্রজা খুদিংদা থোইদোক্‌ হেন্দোক্লা সোসিয়েল্‌ সাইন্টিষ্টশিংদা মসিগী দায়িত্ব লৈ। অমুক্‌সু হায়খি— 'মতম্‌ অসি য়াম্না থেংশ্রে, অদুগা অফবা অমসুং ফত্তবা খন্দোক্‌পনা ঐখোয়গী থোংদা নন্নবে।' ঐনা বিজ্ঞান্‌দতা নত্তনা ভাবতকী প্রজাশিংদা থাজবা থম্‌ই।

(জ) শান্তি অমসুং চাওখৎপা হেন্‌গৎপগীদমক্‌ পঞ্চায়তী রাজ —

(প্রধান মন্ত্রি ওইনা ইং ১৯৮৪ গী এপ্রিল্‌ ৩ দা পিখিবা পাওজেল্‌দগী)

পৃথিবী পুম্বদা থোইদোক্‌ হেন্দোক্লা ঐখোয়গী লৈপাক্তা অদুগা অতোপ্পা চাওখৎলক্লিবা লৈপাক্তা অকবা তাংফম্‌ অমা ওইরি। যৈখাই থিঙ্গাইবা শাফুনা আইন্‌ অমসুং শান্তিদা অকাইবা ওইবি। কাংলুপ্‌ নাইবনা অমগা অমগগী মবক্তা তুক্কচনবা পোক্‌হল্লি, লম্‌গী ওইনা খাযদোক্‌পনা, কাইননবা ওইবি। অসুম্না ঐখোয়গী দেশকী অপুন্‌বা শাগৎপদা অদুগা চাওখৎপদা খুদোংথিবা ওইহল্লি।

নীংতম্বা হায়বসি শেল্-থুম্গী ওইবা (সিক্যুবিতি) খুদোংথিবা লৈতবা অদু যাওদনদি মপুং ফাদে। মবম্ অদুনা ঐগী সবকাবনা, পার্টিনা অদুগা ঐমক্না ঐখোয়গী মাংদা লাইববু কোক্হন্বা হায়বসি থম্লি। ঐখোয়না থবক্ পীবা অমসুং (অাই থোক্হন্বা) শেন্থোক্ লৈহন্বা হায়বসিগী পুর্ণশিন্না, কন্শিন্না মীশিংগী পুন্সি হিংবগী থাক্ য়াংখৎনবা খোংথাং লৌখৎলি। ইন্টেগ্রেটেদ রুরেল্ ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্না ব্লোক খুদিংদা য়ৌখ্রে। লাইরবদগী লাইববা ইমুং খন্দোক্নুনা তেংবাংলি, খুঙ্গংগী নুপী অমসুং অঙাংশিংগী কান্ননবগীদমক্ থোইদোক্ হেন্দোক্পা প্রোগ্রাম্ থম্লি। অতৈ প্রোগ্রাম্ কয়া —নেসনেল্ রুরেল এমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম, দ্রাউট প্রোন্ এরিয়া প্রোগ্রাম অদুগা দিজার্ট ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ অসিনচিংবা কয়া থবক পীননবা অদুগা খুঙ্গংগী শেল্থুম্গী ফিভম্ চংগৎহন্নবা তৌবি। অনৌবা রুরেল্ লেন্দলেস এমপ্লোইমেন্ট গরেন্তি প্রোগ্রামনসু খুঙ্গংগী লম্দা থবক্ পীননবা থৌরম অমা ওইবি। শাসিদসু নত্তনা লাইরবক হৈবা নহাশিংদা শানা মশাবু থবক পীজনবা লুপা ২৫,০০০ দগী লাক্ষ ২.৫০ ফাওবদা (লোন) শেন্থুং পীবা হৌবে। অসিগুম্বা প্রোগ্রামদা অবানবা অমদি অশোইবা, খুদোং চাদবা, অথিংবা কয়া লৈ। অদুগা মী খুদিংদা খুদক্তা যৌহন্বা ঙম্দবা যাই, মসিদি হৌবকপদানি। পুম্নমক অাস ওইখোক্পদি মীযাম্গী ওইবা বাখল, পুক্চেল্ শেংবা, মতিক চাবা, দায়িত্ব খংবা অসনাচংবদা লৈবে। প্রোগ্রামশিং অসি মীযাম্না থোইদোক্ হেন্দোক্না কান্নবা থংগদৌবিবশিংনা ভাব তাববা অদুগা শকক্ যাববতদা মহৈ যান্বা ঙম্গনি। তিন্নবগী, শানা তেংবাংজবগী, মশাবু খংজবগী ফিভম্ অমা শেম্গৎপদা পঞ্চায়তী রাজগী মরু ওইবা (অকন্বা) থৌদাং লৈ।

ঐখোয়গী খুঙ্গংশিং অসি, থাইনডৈদগী হৌনা শাসনগা যুম্ফম্ ওইবা খুজিং ওইদুনা লাক্লি, অদুনা ঐখোয়গী মীশিংবু থাংগৎপদা খুৎ তিংথোকপা তাই। ঐখোয়গী খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিং অসিগী অচেৎপা খোংফম্ থম্মনবা, অদুগা শাসন্গী অহিংবা (শিদবা) খুজিং ওইননবা মখোযদা খুঙ্গংগী মীযাম্গী নুংঙাই-যাইফগী মবিদা থবক্ শিন্নদুনা, পীদুনা হোৎনবক্লি।

খুঙ্গং খুদিংগী লৈফম্ থোক্পা শক্তি লৈবা মপাঙ্গল্ কন্বা পঞ্চায়তশিং অমসুং কোঃওপরেটিভশিং অসিনা মসিগী (খুঙ্গংগী) প্রজাগী ওইবা অমসুং শেল্-থুম্গী ওইবা থবক্তা যেংশিন্গনি। মবম্ অদুনা, শক্তি চাইথোক্পদা হেন্গৎপা থৌবাং লৈবা তাই। মদু যাওদ্রবদা (শান্তি) ইংবা-চিক্পা, (সিক্যুবিতি) খুদোং থিবা বাৎপা অমসুং চাওখৎপা লৈবা য়াবোই। অদুগা ঐখোয়না ঐখোয়গী দেশপু শাগৎপা ঙম্লোই।

খুঙ্গংগী প্রজানা পঞ্চায়তকী মেম্বর ওই, অদুনা মখোয়বু ঙাক্-শেন্গদবনি। পঞ্চায়ত হায়বা অসিদা খুঙ্গংগী পাঙ্গল্ পুম্নমক্ পুন্শিন্দুনা লৈবনি, অদুনা মখল্ খুদিংগী-জাৎ খাইবা, মচেৎ তাবা, মীচং-মীখাই নাইবা, কল্লক মীহৌবা, থাচৌবা মবাল্ তৌবা, খৎনবা পুম্নমক্তগী নাম্থোক্তুনা লৈগদবনি। পঞ্চাযতকী মেম্বরশিংনা খুঙ্গংগী অতোপ্পা মীশিংগী হক্ অদু ফংহনগদবনি।

হেন্না শক্তি লৈবগা, হেন্না চাওবা দায়িত্ব লাক্কনি হক্তা হেন্না লুশিন্না শনবনা ঐখোযগী সমাজদা অমত্ত ওইবা, অপুন্বা লৈহন্গদবনি। মীশিংনা মখোযগী দাযিত্ব ম্ঃা খংদ্রিবমখৈ গনতন্ত্রদ [illegible] কাইদনা লৈবা য়াগে। ঐনা পঞ্চাযতী রাজ্গী লোইশঙশিংদগী যাম্না আশা তৌই। নখোযগী থবক্ অযাম্বা লেবে। ঐনা আশা তৌই মদুদি – হৌজিক্কী শিংনবক্লিবা অসিবু মাইযোক্লগনি অদুগা [illegible] চানা ঐখোযগী প্রজাশিংবু সেবা তৌগনি হায়না। ঐগী [illegible] নখে ওইগনি।

(ঝ) শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধী অমসুং জাতিগী অমতা ওইবা অমসুং পুন্শিন্বা –

(শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধীনা ঙাংলম্বা পুম্নমক্কী মনুংদা ইং ১৯৮৪ গী ওক্টোবর তাং ৩০ দা উরিষাগী ভুবনেশ্বরদা অবোইবা ওইনা, মাগী পুন্সি লোইগদবা পুং খরগী মমাংদা ঙাংখিবা কাওবা য়াববোইদবা ৱাঙাং খরা পন্বেদা মতিক্ চাই। মদুগী অশঙ্ অমদি মরু ওইবা খবদং মখাদা পীরি –

'উরিষা (ওরিষা) অসি শিক্লবসু থৌজাল্ হৈ'– চহি কয়াগী মমাংদা ঐখোয়গী অচৌবা লুচিংবী সোবোজিনি নাইদুনা হাযখি মসি অচুম্বনি। থাইনা মমাংঙৈদা ইতিহাসতা খংনবরা অচৌবা কলিঙ্গগী লান্ফম্ মফম্সিদা শোক্লখি। রাজ্য অসিগী মীশিংনা থৌনা ফনা অমসুং কখোক্পগা লোয়ননা লান্ শোক্লখি। নিংথৌবেল্ আশোক্না লান্ফম্ অদু জয় তৌখি, অদুবু মদু কান্নদে হায়না মহাক্না য়াখিবনি। ঐখোয়না মীওইবগী থম্মোয়বু জয় তৌগদবনি। অদুগী মতুংদা কলিঙ্গগীতা নত্তনা ভারত পুম্বগী ওইনা মরুপ্ মপাং ওইবা, হিংসা তৌদবা অমসুং থৌজাল্ হৈবা হায়বা পোলিসি থম্খিবনা মতম্ কুইনা চৎনবরুই। ঐখোয়না অবান্বা, মপুং ফাদবা থবক্ কয়া তৌরবসু মদু শান্তিগীদমক্তনি ঐখোয়না ভারতপু শান্তি, অহিংসা অমসুং মরুপ্ মপাং ওইবগী মাইকৈদা পুবা পাম্মই

শাংলবা ইতিহাসতা, ভাবতনা অতোপ্পা দেশ অমতদসু লান্দাখিদে; অতোপ্পনা মপান্দগী ভাবততা লান্দারক্খি, মসিদা খুন্দাখি, মখোয় অফবা ভাবতবাসি ওইগ্রে। মমৈদা ভাবতকী নীংতম্বগী লান্দা শরুক্ য়াদুনা অমতা ওইনা পুন্শিন্গ্রে। 'হৌজিক্কী

পুংফম্ অসিদা য়াম্না মক ওইরিবদি মীয়াম্গী থম্মোয়দা অমতা ওইবগী ৱাখল্ অদু নৌনা অমুক্ হিংগৎহন্বনি । ইন্দিরা গান্ধীগী মখুৎ খক্তা কল্হন্গদবদা নত্তে, ভারততা লৈরিবা নহা অহল্, নুপী, কাষ্ঠ, ত্রাইব পুম্নমক্কী খুৎপু কন্খৎ হন্গদবনি ।' মখোয়না দেশ অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা পুননবা কন্না নোম্গদবনি, বিজ্ঞানগী যুগ অসিদা পুক্নিংদসু অনৌবা বাখল্ চেন্গদবনি । ঐখোযনা থবক্ য়াম্না পাংথোকখ্রবসু অতৈনা তৌবদগীদি হেন্দোক্তি, অদুনা অনৌবা মীবোল্না থোইদোক্ হেন্দোক্না পাংথোক্লবা খন্গদবনি । জাতিগী ৱাখল্ শাগৎপা মতম্দা তুংগী মীবোল্গী খন্গদবনি , মদুতদা ঐখোযনা কাৎ থুম্বা খবা ফংবা ঙম্গনি । অচৌ অচৌবা হৌরিবা উ মযাম্ অসি চহি কযাগী মমাংদা থাখ্রবনি, ঐখোয়না মপাল্ তাংবা ফংলবোর্তি খন্দুনা উ থাদবা য়াদে । ঐখোযনা ঙসি 'তৌবম্বা' অসিনা চহি চা কযা, লিশিং কযা ভারতনা মপাঙ্গল্ কনা লৈগদৌরিব'ন ।

ইউনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রেসিদেন্ট অমনা হায়খি -'দেশ অসিদগী নখোযনা কবি ফংগদগে হায়না হংগনু, নখোযনা দেশ অসিদা করি পীগদগে হায়বদু ঐঙোন্দা হায়রিয়ু ।' ৱাহং অসিমক্ ঐনা ভারতকী প্রজাশিংদা হংবা পাম্মই। ঐখোযগী দেশ অসি লাইরবি, থক্লবা ঈশিং তাংনা ফংই, নোংলৈ-নুংশিৎনচিংবা লাকই, ইকং .থাক্ই । পুম্নমক অসি থিংননবা হবা নুংশিৎকী ফিভম খংননবা ঐখোযনা সুপ্রুংদা সেটেলাইট্ থমখ্রে মাসনা মাংজৌননা পাও তাক্কনি, থাপ্না লৈবা মফম্দা তম্বগী খুদোংচাবা ফংদবা মীওইদা টেলিভিজনগী মতেংনা তাম্বগনি। অসুম্না বিজ্ঞানগী ওইবা থৌবাং কযা তৌবা ঙম্গনি । এহাক্না বৈজ্ঞানিক্শিং উনবদা মখোযদা পাওজেল্ অমা পী মর্দদি—'দেশ পুম্বদা কান্নবা ফংগদবা করিগুম্বা খবা তৌ ।' ঐখোযনা (অন্ধবিশ্বাস) লান্না থাজবনা ধর্ম্মগী মবম্দা ঐখোয় মশেল্ খৎনদুনা লৈবর্দি ভারতকী অমতা ওইবা কবম্না থম্বা ঙম্গনি । অমতা ওইবাস থম্বা ঙম্দ্রবদি নীংতম্বা কবম্না ঙাক্কনি অমুঙুং ফংখ্রবা নীংতম্বদু মতম্ চুপ্পদা থম্বা ঙম্নবা হোৎনগদবনি । 'লোইবা লৈতনা যেংশিনবা হাযর্বসিনা (ফ্রিদম্গী) নীংতম্বগী মমলনি ।'

মী খবনা মপুক্ লান্নবা, শেৎনবা ফিবোল্ লৈত্রবা, থবক্ মতিক চানা ফংদ্রবা অদু ওইববদি নীংতম্বগী মহে করি ওইগনি । ঐখোযগী নীংতম লাঞ্জংদা হিন্দু, মসলিম্, সিখ, খৃষ্টান্, বুদ্ধীষ্ট, জৈন্, পারসি অসিনচিংবা ধর্ম্মগী মীওই পুম্নমক্ পুনশিন্খি অদুগা কখোক্পগী থবক্ তৌখি । মখোয়গী ৱাখল্দা নীংতম্বা অসিনা সবকার লৈহনবা অসি নত্তে, ঐখোয়না মীনাই ওইবম্বা, লাইববম্বা অসিনচিংবা অসি কোক্হন্বা পামলম্মী । ঐখোয়না রাজনীতিগী নীংতম্বা ফংবা অসিনা ঐখোয়গী থবক্ লোইদে, তশেংনমক্ হৌবক্পদনি । ঐখোযগী থবক্ অনিনি— অহান্বনা গনতন্ত্রবু য়োক্খৎপা অসিনি মরম্দি মী খুদিংগী খোঞ্জেল্ অসি তাবিদ্রবদি, নীংতম্বা অসি মপুং ফাদে । অনিশুবদা -

সোসিয়েলিজমগী লম্বী চৎপা মবর্মদি শেলথুমগী ফিভম্ মাল্লব। লেওবা, লাইববগা ইনাক্ খুনবগা মবক্ অসি যাম্না লাপথোক্লববা অদু ওইববদি মব ক্তা মকুব্বা লাক্কানি, অদুনা শান্তি ফংবা ঙমলোই । হান্নবা লাইববা অমসু শেলথুমগ হন্থবা আস, কোক্পদা পবব। লাইনা গুম্না লৈবে, অদুগা চাওখৎলক্পদগী থাকপা এনৌ যা খুদোং চাদবা কয়া অমমুক্ থোক্লক্লে ।

দেশ খবাদ ইনাক্ খুল্লি, ম. [illegible] মক্লপু থবক ফংদবব মপু, যম্না তৌপ[illegible] ঙম্দ, পোৎবা নমল হেন্‌গৎলক্পা থিংব ঙমদে এখোয়না মসিগীদমক [illegible] শেবা , ঐখোয়গী পোৎথোক্ হেনগৎহনবা ভক্লবদি থবক্তি [illegible]দ চাবসুখ পানি। ঐখো[illegible] মহৈশ্বগী, ঙকশেলগী থৌনম্লচিংবা আস সমাজদ [illegible] দলগী অ[illegible] পবা মি ওই শংদা লৌহনদ দবান। রাজনীতিগী অতে দলশিংনা পাযবা সনক [illegible] ঙমদে। রাজনীতি দল্ অতৈনা হায ইন্দিবানা লৌউর্লশি [illegible] থৌশদে, মঃ ক্লা [illegible] খাল্ল । ইন্দষ্ট্রি য়াওদনা তৌজক্কী পৃথিবীদা দেশ অমতনস চাওখৎপা অদুগা পাৎথাক হেন্‌গৎপা ঙমদে । ফার্মনাশংগীসু ইন্দষ্টি মচা মচা কয়া চ ই, লৌউ শিংউগী পোৎথোক্ হেনগত্রবাদ ইন্দষ্ট্রিসু চাওখৎপা ঙমদে অদুনা অমগ। অমগা মাব লৈৗ। মাস পুম্নমক আস শান্তি লৈববতদা পাযখৎপা ঙম্গনি । মা' তাক্লব' আন্দোলন্ নাচংবা তৌদুনা শান্তি লৈহন্দ্রবা, তু তাবা ফাওবা মাংননবা তৌববদি দেশ অসিগা অমতা ওইবা ফিভম্ থম্বা ঙমলোই । দেশকী মফম্ অমদা নত্তগা অমদা থোক্লিবা যৈখাই থিনগাইবগী থবক্শিং অসিনা প্রজাশিংদা অবাবা নংহল্লি। কবিগুম্বা মফম্ অমদা নত্তগা অমদসু ওইশনু অসিগুম্বা দেশ অসিবু শোম্থহন্নবা ওইবা থবক্ অমতসু দেশ অমগী সবকাব অমতনসু শৌগৎলোই ।

ভাবতকী নাগবিক্, প্রজাশিংনা ভাবতকী মবমদা ইহান্ হান্না খনগদবনি । ঐখোয় ধর্ম্ম অমগী , জাৎ অমগী, কাংলুপ্ অমগী ওইবা যাই অদুবু (নেসনেলিটি) জাতিগী ওইবা অসিনা খ্বাইগী মকোক্ থোংবনি ; পুম্নমক্কী মথক্তা দেশপু নুংশিবনা মাং থাগদবনি । ঐখোযগী পোলিসিদি দেশ পুম্নমক্কা মকপ্ ওইবনি অদুবু ঐখোয়না ইশাগী ইকাই খুম্নববু থাদোক্লোইদর্বান অদুগা ভাবতকী অপাম্ববু উশিন্নদবদি তৌবোইদবনি । মনুংদসু, মপালদসু, মী পুম্নমক্কা মকপ্ মপাং ওইবগী পোলিসি অসিদি অসুম্ মখা চত্থগান । ঐখোযগী লৌউ-শিংউদা, ইন্দষ্ট্রিজদা, সাইন্সতা, টেক্লোলোজিদা চাওখৎলিবসি অতৈ দেশশিংনা ফাওবা যাববনি, ঐখোয়গী মীংচৎ হেন্‌গৎলিবনি । তুংগী মীবোল্‌না ঐখোযগী মীংচৎ হেন্‌গৎনবা, অমতা ওইনা পুন্‌শিন্নবা কন্না হাযখি ।

মী খবনা ইন্দিবা গান্ধীদি নোংমদা ফিজোল্ অনিবক্ হোংই হায়বগী পাওখুম্ ওইনা মহাক্লা হায, ঐহাক্ নোং ঙানবদগী নুমিদাং ফাওবা থবক্ তৌবি, ফিজোল্ হোংনবা

মতম্ লৈবা নত্তে। ফিজোল্ হোংবা, পোলিসি হোংবা থোইদোক্তে। দেশ অসিগী মনুং অমসুং মপাল্দা খুদোংথিবা লৈবে, মসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী খোল্লাও পীবা তাববদি মসি ভাবতকী প্রজাগীনি, প্রজাগী মনুংদা অশোন্বা কাংলুপ্কীনি, তুংগী মীবোল্গীদমক্নি। অবান্বনা মফম্ অমদা লৈববদি, প্রজাশিংবু নম্থববদি মদুনা পৃথিবী পুম্বদা শোক্কনি। মহাক্না হায়— 'ঐগী ইপানা হায়বক্নী, কনাম তনস্ নীংতম্ববু খাইদোকপা ঙমদে।' মতৌ অসুম্না চাওখৎপা অমসুং হেন্গৎপবুসু খাইদোকপা ঙমদে। মপাঙ্গল্ কন্বা দেশ কযানা বিজ্ঞান্গী খুৎথাংদ চাওখৎলাক্র অদুগা লনথুমস্ খোম্জিল্লি, মখোয়না মসি তৌবদা অতোপ্পা দেশপুস্ শোক্হল্লি। লম্ কন্শিনবা অসি মমাংঙৈদাদ শাক্তনা তৌবক্মী হৌজিক্ খুৎলাইন নওনা খ্রখল্না লম্ কন্শিনব হোৎনক্লে।

'ঐহাক্ অসিবু অব বটোবযান ওই নক্তগা দিহ্রৈটবিংে ওই (শুপ্পা শক্ত পাইশিল্লি) হায় অদুবু হান্নবা কাংবু অসিনা অতোপ্পব শেলনা, পোংথক্ল চদুপ। লুংলাইনা অতোপ্পা শক্ত শুপচিন বশিংবু তংবাশিল্লি।' অতোপ্প। ঐখে যগাদমক খনাবা নত্তে, ঐখোয ইশান ইশাগী নুংঙাই যাইফনবা হোৎনজগদবান। ঐহাক্না পুম্নমক অসিগী দাযিত্ব ওইবোই জাতগীদমক যেংবা হাযবসি ভাবতকী নাগাবিক খুদিংগী লেংবান্দা লৈববান ঐহাক কাপ্পনবা, হাৎনবা থৌবাং বয়া তৌবে হাযবসি কনানসু খ লম্লোই, ভুবনেশ্বর মক্তদা ঐঙোন্দ চেকতুম্না থাখ্রবনি, মখোযনা মও কযাদ ঐবু হাৎননক হোৎনাখ মহাক্না থৌনা ফনা হার্যখি 'ঐহাক্ হিংনা অমসুং শিনগী থৌশাদে। ঐহাক কুইনা পুক্নবক্লে, ঐনা চাওথোক্চ মদুদি ঐগা পুন্সিচুপ্পা এগ প্রজাগীদমক্ লেল্লক্লবান ঐনা অতে অতোপ্পগী নত্তনা মসিংগী চাওথোকে। ঐনা ঐগী অবোইবা স্বন হাল্লিবা যাওবা সব তৌদুনা লৈহৌনান অদুগা ঐনা শনগা ঐগ ঈর্মবক্ খুদিংন ভাবতপু পাঙ্গ হাপকনি, মসিবু কনখৎহনগনি, অপুনবা ভ নত অমম্ হিংনা থমগনি হাযবসি ঐনা হাযবা ঙম্ই।' বাফম অসি শিনগনি হংনা পুংখবগী মমা দ থৌনা ফনা হায়বম্বানে। মহাক্না নহাবোল অমসুং নপাশিংন পুর্নাশন্দনা খন্নগনি হাযন আশা তৌই; মখোয়না লুচিংবা হায়বা অমা অমুক্ লৈত্তবস মশানা দাযিত্ব লৌগদবানি। ঐখোযনা জাতি অসিবু, মাসগী অপুনবা শক্তমবু কলহনগবনি মসি ঐখোযগী দাযিত্বনি, নাগাবক্ খুদিংগী দাযিত্বনি, ইন্দিরা গান্ধী, কংগ্রেস, নত্তগা অতোপ্প। লুচিংবা অমতগী দায়িত্ব নত্তে। মসিগী খ্রাখল্ অসিনা ইশানা ইশাবু খংজগদবনি। ভাবতকী প্রজানা অবানবা লম্বীদা খক্ চৎলোই।

ঐখোযগী (কল্চব) নাৎ, (সিভিলাইজেসন্) লৈপাকমচা তাবা অসি অমাং অতা কযা থোকখ্রবসু হৌজিক্ ফাওবদা হিংলি, মসিদা মনুংগী ওইবা শাক্তি অমা লৈবি, মদুমক্না হিংলিবনি। পাঙ্গল্ অসি মীপুম্ খুদিংদা লৈবি, মসিবু চাওখৎহন্গদবনি। ঐখোযদা

অশোন্‌বা শকক্ লৈ, মসিগী মাইয়োক্তা থেংনগদবনি। ঐখোয়দা থৌনা অদু (মোবেল অদু) পুক্লিং লিচৎ অদু লৈত্তবদি থেংনবা ঙম্লোই; অদুনা পুম্নমক প্রজাদা লৈবে। ঐখোয়না পোলিসি, প্রোগ্রাম্ শেম্বা যাই, তেংবাংবা যাই অদুবু চাওখৎপগী থবক্তি চৎথহন-গদবনি। মীপুম্ খুদিংনা মাগী থম্মোয়দা থবক্ অসি কবম্না তৌগদবগে হায়বদু থিগদবনি অদুগা মশাদা হংজগদবনি। দেশ অসিগী (ইউনিতি) অমতা ওইবা অমসুং (ইন্টেগ্রিতি) অপনবা অসিদা অহানবা মীৎযেং চংগদবনি, অতৈদি মশানি, মথংদা লৈবনি। ঙসিগী ঐখোযদা শিংনবাক্লিবা পুন্না মওং অমদা থেংনগদবনি, মদুনা ঐখোয় অসিবু হেন্না কন্‌বা অদগা হেন্না চাওখৎপা মওংদা লাকহনগদবনি। 'ইমা ভারতগী জয় ওইসনু'

(ঙ) 'ঐনা তম্থিবা মীশি অমদা শিবৱদি'

'ইন্দিরা গান্ধীনা শিববা তুংদা মাগী চে মমামনি ... মশ ... শল ... মখুৎনক্লা ইদুন থম্লম্মী)—

এনা শিব গুম্বা আস খক্ তাথনা খন্থিদে অদুগা মদুগী অইংবা, পুক্লি ... শান্তিন ঐহাক্‌পু উইল অমগী মওংদা ইননবা থৌগৎলি

মী খবনা কির্নাবিবা অদুগা খবা অমনা শিল্লিবা অদুগুম্বা ঐনা তম্থিবা মশি অমদা শিবৱদি ঐনা খংই তম্থিবা অদু মীহাৎপা অদুগী বাখলদা অমসুং থবক্তনি, ঐনা শিবদা নত্তে— মবম্দি তুক্কচবা অমতনসু ঐনা ঐগী প্রজাবু অমসু ঐগী লৈপাক্‌পু নুংশিজবা অদুবু কুপ্‌শিন্‌বদা মতিক্ চানা অমম্বা ওইদে, শক্তি অমতনসু ঐগী অনিংবদগী অদুগা ঐনা দেশ অসিবু মাংলোম্‌দা পুশিন্নবা হোৎনবদগী থৈদোক্ হংবা মতিক্ চানা মপাঙ্গল্ কন্দে।

কবি অমনা মাগী 'নুংশিবা' গী মবম্‌দা ইবম্‌ই –'ঐনা কবম্না ঐগা নাক্তা লৌববা নংগী লন্ অসি য়েংদুনা নোল্লুক্‌পা পোক্কদগে ?' ভারতকীসু মদুমক্লি হায়না ঐনা হায়বা ঙম্‌ই। কনাগুম্বা অমনা ঐখোয়গী ইনাক্ খুল্লবা, অদুগা মপাল্ নাইদ্রবা মখল্ মখানা মশাদা যাওজবিবা মচাক্, মীশিংগী নিংথিজববা রাখল্, খুদোংথিবা নত্তগা অৱাবা পোৎলুম্ ওইবদা চপ্‌মান্নবা, মখোয়গী থাজবদা চেৎপা, লাইববা অমসুং অৱা-অনংদা মশা মশানা অদুম্ হবাওজবা ঙম্বা অসিনচিংবগীদমক্ ভারত তা লৈবা মী অমা ওইনা চাওথোক্‌চদ্রিবা অসিবু ঐনা খংবা ঙমদে।

মতৌ অসুম্না ইন্দিরা গান্ধীনা মখল্ মথেল্‌না থল্লবা চাওথোক্ চনিংঙাই ওইবা ভারত হায়বা লৈপাক অসিগী অমতা ওইবা, অমদি অপুন্‌বা ঙাক্‌পগা লোইননা চাওখৎ লম্বীদা চংশিন্নবা মাগী প্রজাশিংদা অবোইবা ওইনা নিংশিংবিবন্মী।

(৭) রাজিভজী অমসুং পঞ্চায়তী রাজ

পঞ্চায়তী বাজ মুক্তিবমখৈ, বাজিভ গান্ধীগী মিংদি য়াওদুনা লৈবগনি। পঞ্চায়তী বাজ হৌগৎপ্রবা তুংদা শোম্বক্তুনা লৈখা তম্লক্লবদা অনৌবা শাফু অমা পীননবা হোৎনবদা নহা ওইবা প্রধান মন্ত্রি ওইনা খ্বাইদগী থৌনা ফবা খোংথাং লৌখৎখিবা মীশক্নি। মহাত্মা গান্ধীজী অমসুং জরহবলাল্ নেহরু অনিগী বাখল্না মঙোন্দা ইথিল্ পিদুনা লৈখি। গান্ধীজীগী স্বরাজ অমসুং খুঙ্গংগী গনতন্ত্র অমদি নেহরুগী মীযামগা তিন্ন-তোৎননা থবক্ তৌমিন্নবগী তঙাই ফদবা, মীযামদা দাযিত্ব শিন্নবা হাযবা ব্রাফম্‌শিং অসিনা নৌতৌনা পঞ্চাযতী বাজব্ব কনখৎহান্নংবগী ব্রাখল্ অমা মঙোন্দা ফাওখি, অদুগা লোযন লোযননা মখল্ মখেল্ কযাগী মী লিশিং কুনলোমগা তানদুনা মেৎত নৌনবা মতুংদা সংবিধান শেমন্দাক্লবা বিল পুখৎপগা খোংথাং ফাওবদি লৌখৎলম্লবনি। লাইবক থিবনা বিল অদু লোক্ সভাগাদি অযাবা ফংলগা বাজা সভাদাদি শুপ্তগী ভোত মঙা ব্রাৎতুনা অযাবা হ্বাখদ্রে। মতুংদা অমুক্ পুথোক্লবা ব্রাশক্ লৌখি, অদুবু মশা লৈখদ্রে। তৌইশুন্নসু হোৎনবম্বগী মহৈদি ঙসি ফংলবে

পঞ্চাযতী বাজগী মবিদ' মহাক্না হাযবস্বাশিং পুন্নমক খোমজিন্দ্না ইবদা মপুংফাবা শাইবক্ অমদি ওইগনি খবদং লৌখৎলবদা –

(ক) (ওল ইণ্ডিবা পঞ্চাযত পবিষদকী মীফম্‌দা নই দিলিদা ২২।৯।৮৬ তা ঙাংখিবা)

(১) পঞ্চাযতী বাজ হৌগৎলকপগী মতাংদা মানা হাযখি–

'দেশ অসিদা যাম্না খোঞেল্ হৌনা নিংবগা লোযননা পঞ্চাযতী বাজ হৌদোক্‌খিবা অসি চহি যামলে। মীশিংগী মবক্তা যাম্না থবাই যাওবা লৈখি, অদুবু চহি কযা অসিদা খোংচৎকী শাফু অসি ইচাই চাইথোকখ্রে, অদুনা (মেছীন) মহৈ অসি লেপ্‌লে; মসি নৌনা চাবি থাবা তাই।'

(২) খুঙ্গং চাওখৎপগী মতাংদা মানা হাযখি–

'চাওখৎপা হাযবসিদা দিল্লি, কলকত্তা, বোম্বেগুম্বা অচৌবা সহব চাওখৎপসিখক্ নত্তে, ঐখোযগী খুঙ্গংশিং চাওখৎপা অসিনা চাওখৎপবু হংনগনি। ওস্থোক্লদৌবিবসি (শক্‌ফম্, হোংহন্‌গদৌবিবসি) খুঙ্গংশিংবুনি। তশেংনমক্ অমুক্তং খুঙ্গংশিং অসি চাওখৎপ্রবদি, সহরশিংদা মশানা অদুম্ কান্নবা ফংগনি; মবম্‌দি সহবদা অকস্বা ওইবিবদু হস্থপ্রগনি। মীয়াম্না খুঙ্গং থাদোক্তুনা চেনবগী মহুত্তা খুঙ্গংদা হঙ্গিল্লগনি অদুগা খুঙ্গংদা থবক্ শুবগনি; অদুনা মদুগী মহৈ ওইনা খুঙ্গংশিং চাওখৎকনি।'

(৩) গোভের্ণমেন্টতা তাংদুনা লৈবগী মতাংদা অসুম্না হায়খি–

'মবম্ খুদিংগীদমক্ সবকাবদা তাংবা হ য়বগী ব্রাখল্ অসি থাদোক্কদবনি। মসি পঞ্চায়তী বাজগী খুৎথাংদা নিংথিজনা ফংবা ঙমগনি । কাংলুপ্ অমগী ওইনা, কবি থবক্লা কান্নগনি, কেন্দ্র সবকাবনা তৌগদবা থবক্‌শিং কবি কবিনো, বাজ্য সবকাবনা কবি তৌগনি, জিলাগী থাক্তা কবি লৌখৎপা য়াবগে, খ্বাইদগী মকওইনা মীয়াম্ মশানা পঞ্চায়তকী খুৎথাংদা কবি কবি তৌজবা যাবগে হায়বর্স মী ব ংলুপ্ অদুনা মশাগী ওইনা লেপ্চগদবনি ।'

(৪) গনতন্ত্র অমসুং পঞ্চায়তী বাজগী মবম্দা–

'ঐখোযগী মুখ্য মন্ত্রি খবদি মীখল্ তৌবা অসিদ্ কিনি, মসিদা কান শাই কবিশু লৈতে । মখোযনা কিবোইদবনি ; মীখল্ তৌগদবনি, গনতন্ত্রগী থৌং, অদু মখোংদা (গ্রাস রুট্‌তা) যৌফম্ থোক্‌পদু য়ৌশনু মবম্দি মখোযগী পাঙ্গল্ ফংগদৌবিবসি মফম অদ্‌দগীনি । মফম্ অসিদনি, মখোযনা মখোযগী থবক্কী মহে, থাদখিবগী মহুৎ হন্না ফংগদৌবিবসি অদুনা মখোযনা অচুম্বা লম্বীদা লৈদুনা মখোযগী বাজ্যবু অচুম্বা মাইকৈদা মমাই চুমদুনা পুগদবনি '

(৫) পঞ্চায়ত অমসুং শেলথুমগী মবিদা -

'দেশ অসিগীদমক্ থুনা চাওখৎপা অদুগা থুনা হেন্‌গৎ-থোইগৎপগী য়াম্না তঙাই ফদবা লৈ । ঐখোযনা মসিবু মফম্ অসিদগী হেক্তা তৌবা য়াদে । মসি, আদা মখোংদা পঞ্চায়তনা তৌগদবনি । মসিদা ঐগী (ভাষননা) ব্রাঙাংনা, নত্তগা যোজনা ভবন্দা নত্তগা কৃশি ভবন্দা খন্ন-নৈনবনা ওইবা য়াবোই ।'

(৬) খুঙ্গং চাওখৎহন্‌বগী দায়িত্বগী মরম্দা–

'ঐখোযনা ভাবত অসি মপাঙ্গল্ কন্‌বা অমসুং অমতা ওইবা পাম্লবদি, পঞ্চায়তকী থবক্ অসি পুম্নমক্তগী থোইদোক্না মক ওই । মসি নত্তনা, দেশ অসিনা চাওখৎপা ঙমলোই, নখোয়না নশানা খংনা মসিগী দায়িত্ব অসি লৌগদবনি । মওং অমদা নখোয়গী দায়িত্ব অয়াম্বদি নখোযদগী লৌথোক্‌খ্রে। হৌজিক্ দিষ্ট্রিক্ট রুবেল্ ডিভেলপমেন্ট এজেন্সিদা শিন্নবিবা থবক্‌শিং অসি নখোয়গী নখাদা থম্লমগদবনি অদুবু পঞ্চায়ত লৈখিদে – অদুগা মীখল্ তৌখিদবনা এজেন্সি অমা হান্না তখি । থবক্ মওং অসি অমুক্ ওহ্লোক্লবা তাবি ।'

(৭) **পঞ্চায়তী রাজদা হিবম্ কুন্গী থৌরম্ –**

'শেম্দোক্লবা হিবম্ কুন্গী থৌবম্দা পঞ্চায়ত, কোঃ ওপবেটিভ অমসুং লোকেল্ বোদিশিংবু নৌনা পাঙ্গল্ হাপ্পগী ৱাফম্ যাওহল্লিবসি উগনি।'

(৮) **অশোন্বা, শোখহৌববা কাংলুপ্কী মবম্দা–**

'চাওখৎপা অসি খবা হেন্না শোন্বা কাংলুপ্শিং অদিবাসি, হবিজন্, শোখহৌববা, হন্তববা অমদি নম্থবিববা কাংবুদা যৌবা ঙম্লবতদা পঞ্চায়তী বাজ ফবা যাই, পঞ্চাযতনা মখোযগীদমক্ থবক্ তৌবি হাযবসি খল্লবতদা চাওখৎপা হায়বদু থোক্কনি।'

(৯) **শেল থুম্গী মতাংদা–**

'পঞ্চাযতী বাজগী আইন্দা পোৎ লন্ হেন্গৎহন্নবগী মতিক্ চাবা (প্রোভিজন্) শেম্ শাদুনা হাপ্পা লৈ। অদুবু ঐনা হান্নবা হার্যখিবগুম্না মসিগী পোৎ লন অসি খোম্গৎনবা বাজনীতিগী ওইবা অনিংবা লৈতে। পঞ্চাযতনা বাজ্যগী তেংবাং ফংবা হেন্না পাম্মই। অদুবু বাজ্য সবকাবনা পঞ্চাযত অসি (বেক্সম্ ওইনা) ফাজিন্বগী থাদোক্মন্ ওইনা ফগু পীবগা মপাঙ্গল্ কন্গদবা? পঞ্চাযতশিং অসিবু মথক্তগী চিংবা অমদি ইন্বদগী নাম্থোক্কে হাযববদি মশাগী মখোংদা লেপচগদবনি। নখোয় নশা অসি নশাগী ওইনা পাঙ্গল্ কন্গদবনি। মসিগীদমক্ বাজনীতিগী অনিংবা যাম্না চংই। মদু পঞ্চাযতী বাজ হিংবা ঙম্নবা তশেংবা অহান্বা খোংথাংনি।'

(খ) **পঞ্চায়তী বাজ অমসুং জিলাগী শাসন্ –**

(১) **ভোপালদা অহান্বা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট** (দিঃএমঃ)শিংগী ওইবা অহান্বা কন্ফবেন্স অমা বাজিভজীগা লোযননা পাংথোক্খি।

(২) **অনিশুবা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেটশিংগী ৱার্কসোপ্ হাইদ্রবাদতা ফম্খিবা মতম্দা বাজিভজীনা হায়খি**–'ভোপালদা অহান্বা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেটশিংগী অহান্বা কন্ফবেন্স অমা তৌখিবা মতম্দা ঐঙোন্দা নিংশিংবা অনিথক্ লৈখি। অহানবদা কলেক্টব অমসুং দিঃএমঃশিংনা কথোক্পগী মওং অদুনি – অনিশুবা অদুগা হেন্না কন্না পুক্লিংদা তাহন্খিবা (ফাওখিবা)দি – দিঃএমঃ শিংনা ঐখোয়গী গনতন্ত্রগী লোইশঙশিংদা থাজবা অদুগা ঐখোয়গী চাওখৎ থৌওংদা গনতন্ত্রগী লোইশঙশিং য়াওহন্বা অসিনি। মসি চহি ৩০ গী মমাংগী লৈঙাক্পশিংগী ৱাখল্– চহি ২৫ গী মমাং তশেংনা নীংতম্প্রিঙৈগী, মতম্দুগী লৈঙাক্পশিংনা গনতন্ত্রগী ওইবা লোইশঙশিং অসিবু খংদনা, চাওখৎ থৌবম্দা

য়েংশিনবগী মওংদা য়েংলম্বা মওং অদুদগী য়াম্না ফজনা ওন্নতৈনবনি। দিঃএমঃশিং অসিনা ইবাই লাইনা খংই অদুগা থবক্তা মীয়াম্গী তেংবাং লৌশিন্দুনা শিজিন্নবা, হৈশিংনা হোৎনবি হাযবসি ঐনা থেংনৈ।’

(৩) অহুম্শুবা দিঃএমঃ শিংগী ব্রার্কসোপ্ ইম্ফালদা ২।৪।৮৮ দা ফম্থিবদা ঙাংখিবা–

“জিলাদা লৈবা (এদমিনিষ্ট্রেটব) লৈঙাক্পা অদুগী থবক্তা থেংননবা অদুগা থবক তৌমিন্নবা অফবা বাজনীতিগী বোদি লৈত্রবদি থবক্কী মইে লৈহন্বদ মঙোন্দা যাম্ন লুন ঘোক্ই। অদুগা (শাসনগী) লৈঙাক্কী বাংমদা অতে অতে থবক্তা, ঙাওত শেম্গৎপগী হেন্না লুবা থবক্তা (কমনেলিজম) কাংলুপ তাবা, (কণ্ডাকে ন্টোলিজম্) লৈহন্দবদা অথিংবা থুগাইবদা জাংৎকী, ধর্ম্মগী, লমগী, লোলগী, ওইনা যাবা চাখংবা থুগাইবদা থবক্ নিংথিনা পাংখোকপা তাববাদ নখোযগা এবা বাজনীতগা বোদি অমা নখোযগা থবক্ তৌমিন্নবা লৈবা অসি থোইনা হেন্না মরু ওই। মসিদ লোকেল বোদশিংগী চপচাবা মীখল্ তৌবগতা ওইগদবনি।

(৪) পঞ্চাযতী বাজ অমসুং অশোনবা কাংলুপকী মবমদা–

‘অকির্বাশিংগী মনুংদা চোংথোক্লক্লিবা অমদি খুঙ্গংদা নত্রগা জিলাদা ওইবরসু খবা হেন্না কনবা কাংবুনা থবক্ পাইশনগে তৌবা অদুগা অশোনবা কাংলুপপু কিহনবিব অদগা মখল্ মথা কযা নম্দুনা তৌহন্বা তাবক্পা অদুনি। অদুবু মফম মফম্গী থাক্তা নখোযগী চাং নাইবা মীখল্ লৈববাদ, হেন্না ব্রাংবা থাক্তা লৈবা বাজনীতি বালা অদুগা মী অতৈ কযানা শাগৎকে তৌববা অসি মফম অদুগী থাক্তা তশেংনা মাংহন্বা য়াগনি।’

(৫) মবিশুবা দিঃএমঃ শিংগী ব্রার্কসোপ্ জযপুবদা তৌবদা ঙাংখিবা–

‘হৌজিক্তদি, অয়াম্বা জিলাগী শাসন্ অসি মীহুৎ লোম্বগী মওংদা ওইদে, মবম্দি গনতন্ত্রগী নিযম্দা মীখল্না শেম্বা লোকেল্ বোর্দশিং অসি ঐখোযনা শিথহনব্রে। মীখল্না শেম্বা লোকেল্ বোদি লৈববা মফম্দসু (প্লানিং) থৌশিল্ অমসুং চাওখৎ থৌবম্গী থবক্তি যাম্না পাক্চাওনা লোইশঙশিং অসিদগী খাইদোক্খ্রে। জিলাগী শাসন্ ওইবগা গনতান্ত্রিক্ ওইদবা শাসন্ মওং অদুদি মীহুৎ লোম্বা শাসন্ (বিপ্রেজেন্টেটিভ এদমিনিষ্ট্রেসন্) ওইবা যাদে। মীহুৎ লোম্বনে (বিপ্রেজেন্টেটিভনেস) অদুগা (বেসপোন্সিবিলিটি) দাযিত্ব লৈবনে অনিনা পুন্না (বেসপোন্সিভনেস) হাযবদি থবক্তা হন্দুনা পীবক্পা ঙম্বগা মান্নে।’

(৬) **মণ্ডাশুবা দিঃএমঃশিংগী বার্কসোপ, কোইরাতুম ১৮।৬।৮৮ দা –**

'ঐখোযনা ঐখোয়গী জিলাগী শাসন্ অসিবু হেন্না মীহুৎ লোম্বা, হেন্না দাযিত্ব লৌবা, অদুগা হেন্না থবক্তা মহৈ পীবা ঙম্বা ওইহন্‌গদবনি।'

(গ) অরাংগী রাজ্যশিংগী পঞ্চাযতী রাজ সম্মেলন্‌শিংদা ঙাংখিবা–

(১) **নিউ দিলিদা ২৭।১।৮৯ দা ফমখিবা সম্মেলন্ -অহান্‌বা হৌগৎলকপদা** – শাংতম্লবা মতুংদা, ঐখোযনা সংবিধানদা ঐখোযগী গনতন্ত্রগী অহমশুবা ... ক্ অসি কনখৎহন্নবা ব্রাশকখি। দিল্লী শম্মদি রাজ্যগী কোন্‌শিংনা অহানবা অমসুং অনিশুবা থাক্কী শাসন তৌবিবশিং অসাদ মীখল্ কযাগী তুদা কনখৎহন্‌বা ঙম্খ্রে, ... মখোযদ্ শেন্দহনবা ঙমদ্রে। অদম ওইনমক্ অহুমশুবা থাক্ অসিদি শোল্লি, মাপান অহানবা অমসু, অনিশুবা থাক অনি অাসবুসু শোকহল্লি : মবর্মদি মতোন্দা লাববা মীশিং অসি চেংগ কৈ ওইবকই, অদুগা শাগৎলবা (স্টকচর) মচাং অসি মনুং ... কই, ... পঞ্চাযতী রাজগা লোইশঙশিংবু কনখৎহন্নগ [illegible] ।'

(২) **'থবক অমা তৌবা মতম্‌দা মীযাম্না** (পাবার ব্রোকর) শক্তিদা মথাং চাবা কাংবু থববু পেলহনবা তাবম্মী। মসিগী পাথাপ্ অাস থুগাইগদবনি, মসি তৌবদা, ঐখোযনা পঞ্চাযতী রাজগী লোইশঙশিংদা যাবমাংখ (শক্তি) পাঙ্গল্ পীথবা চাই।'

(ঘ) মুখ্য মন্ত্রিশিংগী কন্‌ফরেন্স নই দিলি, ৫।৫।৮৯ –

(১) **গান্ধীজী অমসুং পণ্ডিতজীগী মবম্‌দা রাজিভজীনা পন্‌খি**– পঞ্চাযতী রাজগীদমক্ (স্ট্রগল) তৌবক্‌খিবা, হোৎনবক্‌খিবা অসি ঐখোযগী নীংতম্বগীদমক্ ব্রানা হোৎনবক্‌পদুগী মশা অমতা ওইবা মচাক্লি। মহাত্মা গান্ধীনা হায়খি- 'তশেংবা স্বরাজদি মী খবতনা (অর্থবিত্তি) মঙম্ ফংলগা লাক্কদবা নত্তে, থবক্ তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল্ (কেপাসিতি) অদু পুম্নমক্না ফংলগা লাক্কনি।'

(২) **গনতন্ত্রদা পঞ্চাযতী রাজ য়াওদবা অসি মহাত্মা গান্ধীগী মঙগী ওন্ন-তৈনবনি, চাওখৎপদা পঞ্চায়তী রাজ য়াওদবা অসি জবাহরলাল নেহরুগী মীৎয়েংগী ওন্ন-তৈনবনি। পণ্ডিতজীনা হায়খি**–' তশেংবা অওনবা হাযবসি খুঙ্গং মনুংদগী, খুঙ্গংদা লৈবিবা মীশিং অদুমক্তদগী লাক্‌পনি, মপান্দগী পীশিল্লক্রোই।'

(৩) **'ভারততা পঞ্চায়তী রাজগী ইতিহাসতি আইনগী ওইবা**– অথবিতিগী, মঙম্‌গী খুদম্ ঙাক্তনা থন্না লৈবা, অদুগা শাসন্‌গী ওইনা অওইবদদি

ওহ্নোক্খিদবা, পীথন্নবা শক্তিদু আইন্না অমুক্ লৌথোক্পা, অশেংবা অথবিতি অদু পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংদগী পঞ্চায়তী বাজ পাথাপ্কী মপান্দা লৈবা অদুগা মীয়াম্গী মখাদা লৈতবা, মপান্গী অথবিতিগী মীহুৎশিংগী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংদা ওহ্নোক্খিবা অদুনি হায়বদা যেৎনরিংঙাই লৈতে।'

(৪) 'কংগ্রেস পার্টিদা লৈবা ঐখোয়না থাজে, মদুদি– ঐখোয়না ঐখোয ইশাগী (এক্সপোবযেন্সতগী) হোৎনবগা খংবদগী তাম্লংঙাই য়াম্না লৈ, অদুগা বাজনীতিগী (ওপোজিসন্ পার্টিনা) মাইযোক্লবা কাংবুনা চলাইবা সবকাবশিংদগীসু যাম্না অমুক্ তাম্লিংঙাই লৈ। নোংচুপ বাঙ্গালদা সিঃপিঃআইঃ (এম) না, অন্ধ্রপ্রদেশতা তেলেগু দেসম পার্টিনা অদুগা কানাতকাদা জনতা পার্টিনা পাযখৎর্নবিবা থবকশিং অসিগীদমক্ ঐখোযদা লম্নন তোক্লে। খুদম্ অদুমক্লা, কংগ্রেস সবকাব কযানা দেশ অসিগা তোঙান্ তোঙানবা শকক্লা থোইদোক্ হেন্দোক্লা পঞ্চাযতী বাজগী নমুং। থক্লিবা গুজবাত অমসুং মহ বাষ্ট্র যাওনা পাযখৎখিবা থবক্শিংগীদমক্ ঐখোয়দা লম্ন তোক্লে।'

(৫) সবকাবদা তাংবগী মতাংদা 'চাওখৎহন্নবগা দামঙ্গাদ মখান্গী খুত্তা লৈতে, চাওখৎপগী থৌওংদা মখোযনা খল্লিবা অদুগা লৈজবিবা পোৎথোক লম্ন্ক্কী (বিছোর্সকী) মবমদা চুম্না পাবিবা, খংলিবা, যাম্না লুনা খনগদৌবদা পাযখৎকদৌবিবা অববা থবক অসিনচিংবগা মবি লৈনদে। ঐখোয়গী হান্দদা য়াম্না ফজনা ফোংদোক্লবা ব্রাহে 'মা বাপ' সবকাব হায়বি। ঐখোযনা মীশংবু চাওখৎনবগী থৌদৌদা (প্রোসেসতা) শকক যাবা ওইহনবগী মহুত্তা চাওখৎ থৌদৌ অদুগী মহৈ ফংগদবা মী ওইহল্লিবনিনা মীশংনা ফংগে তাল্লিবা, অদুগা মখোয়না ফংবা যাবিবা অদুগগী মবক্তো কাবক অমা চাওনা লৌব। ম'সগী চাওনা লৈবক্লবা কাবক অসিনা ঐখোয়গী তুংগী লৈঙাক্তা, তুংগী গনতম্লদা, তুংগী অপুনবা অমতা ওইবদা অদুগা নীংতম্বদা য়াম্না খুদোংথবা চয়েৎনবা পুনশির্নখিবা (চযেৎনখিবা) অমা লৈগনি। মীয়াম্ অসিদি চাওখৎপগী থৌদৌ অসিগী শকক অমা ওইগদবনি।'

(৬) পঞ্চায়তী বাজ অমসুং জিলাগী শাসন্গী মতাংদা – 'ইং ১৯৮৬ তা নৌনা শেমদোক্লখিবা হিবম্ ২০ গী থৌবম অদু ঐগী হৌযম্ ওইনা ঐনা লৌবগে। থবক্কী মহৈ হন্দুনা পীবা ঙম্বা শাসন্ লৈবগী তঙাইফদবদু ঐখোযনা হেন্না লুম্না লৌই। ঐখোযগী সিভিল্ সার্ভিসকী মীওইশিং অসি দেশ অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফববা থোপশিংদগী শাসনগী থবক্ খ্বাইদগী ঙম্লবশিংদগী লৌত্তবসু মীয়াম্গী মবক্তা লৈবিবা শাসন্গী মওংদি হন্দুনা পীবা ঙম্দে, মতিক্ চাদে, মীনুংশি ব্রাংলি, –অযাম্বা মতম্দা থৌশাদে, কবিগুরুনা কান্দা মখোয়না সেবা তৌগদৌবিবা কাংবুদা তম্খিবা ফাওবা ওই

অসুম্ব হায়নবিবা মবং মবাংবা পাওখোংগী মওং অসিনা ঐবু চমম্নহল্লি । তম্গদবা অশৈবা পাবাদি অসিনি — থবক্কী মহৈ হন্না পীবা ওন্বা শাসন্দি—শাসন্ অদুনা মীযামদা দাযিত্ব ওইগদবা, মীহুৎ শেন্বা ঙম্গদবা অদুগুম্বা শাসন্ অদুনি ।'

(৭) নুপী অমসুং পঞ্চাযতী রাজ—'ভারতকী খুন্নংশিংদা শেলথুম্গী [illegible] তঙ্খাইদা [illegible] তেন্না পাযবিবা অসি নুপীশিংনি । [illegible], মতম অযাম্বদা [illegible] ইফ [illegible] ইমুং মনুংগী শেল্ শিন্নবিবাসি [illegible] । ভারতকী খুন্নংগী নুপী শং অসিদি [illegible] ভাতানা) [illegible] তাবনা, [illegible] অদুগা লৈশাং তম্বদা চংলবা [illegible] মথং মথং পীথনদুনা [illegible], [illegible] অদুগা ওইবা [illegible] ([illegible]) [illegible] । [illegible] ইন্না [illegible] হন্না বাংনা থাক্তা শন্দোক্লকনি হায়বগী আশাদা নুপীশিংগীদমক [illegible] (বিজ্ঞাবেসন [illegible]) ফম কন্বসি এ [illegible] হল্লা ।'

(৮) পঞ্চাযত অমসুং শেলথুম্ —'রাজ্যগী লেজিসলেচরগী খুৎথাংদা পঞ্চাযততা অককপবা খাজনা, ডিউটি, ফিজ অমসুং টোলশিংদগী বোর্ডনিউগী চাং লেপ্তুনা খোম্হনবা, কাইথোক্পা ঙমহল্লবদি পঞ্চাযতনা শেল্ খুমগী দাযিত্ব ফংলে । মফম্ অসদা শোজে ওইবিবা রাইহেদি এপ্রোপ্রিযেসন্ হায়বদি মবম্ অমগীদমক্ শিজিন্ননবা কাইথোক্পা হায়বসিনি । মানা খোম্গৎলুবিবা শেল অদু থমজিন্বা ঙম্ই অদুগা মশামক্কী শিজিন্নবা ঙম্ই হায়বসি পঞ্চাযতনা অমুক্তং খংলবদি খাজনা খোম্গৎনবা রাখল শাগৎলক্কনি অদুগা খোম্গৎলুবিবা পৈশা অমসুং চাদং তৌখিবা পৈশাগী মবক্তা মবি অমা লিংখৎকনি ।'

(৯) পঞ্চাযতী রাজ অমসুং (প্লানিং) থৌশিল্, খুজিল্ থৌবাং—

'মীযাম্গী কবি চংবগে হায়বগী মবিদা পন্খিবা (খন্নখিবা) অদু যোজনা ভবনদা অমসুং ষ্টেট প্লানিং কমিসন্শিংদা তৌখিবনি অদুগা নাকল্ অমত্তগী ওইনসু মীশিংনা কবি পাম্ই, মখোযগীদমক্ অফবসি কবিনো হায়বগী মবিদা লেপ্নৈ । ঐখোয়না কাওবগুম্ তৌখ্রে মদুদি প্লানিং হায়বসিদি মীশিংগী মবম্দনি, প্লানিংদি মীগীদমক্লি অদুগা প্লানিংদি মীশিংগা লোযননা লৌখৎকদবনি । প্লানিং অসি পঞ্চাযতী রাজ লোইশঙনা খংলিবা, হৌদোক্লিবা অদুদা যুম্ফম্ ওইবগতা মদুনা মীয়াম্গী হক্থেংনবা অপাম্বা, মখোয়গী শাগৎলিবা রাখল্, মখোযগী অরাৎপা অদুগা মখোয়গী চংগদবা অদুদা (বেসপোগু তৌবা) হন্না ওক্নুনা পীবা হৌগনি ।'

(১০) নগব পালিকাশিং অমসুং পঞ্চায়তী বাজ—
(চীফ মিনিষ্টবশিংগী কন্‌ফবেন্স নিউদিল্লি ৭।৭।৮৯)

'ঐখোযনা দবকাব ওইবিবর্দি (ঐখোয়গী চংলিবসি) সহব শেম্বগী মবম্ চাবা নমুনা অমা পুথোক্‌পনি। জিলা খুদিংদা অপিক্‌পা অমসুং অচৌবা সহব ওইনা অকোইবদা লৈবা খুঙ্গংগী লম্‌দগী অযাম্বা মী কোন্‌শিল্লগা, হৌগৎলক্‌পা অদু ঐখোযনা উবা তাই। মীশিংগী খংবা, হৈবা, তৌবা ঙম্বা অদুগা হোৎনবা অদুদি জিলা অদুদা মওং অদুম্ লৈগনি। সহব শেমগৎপগা খুঙ্গংগী অবাৎ অপাগা মবি লৈনগনি। সহবদা খুন্দাবদা তোঙান তাবা (কোম্পার্টমেন্ট) দাবা ওইবদু তোক্লগনি।'

(ঙ) লোক সভাদা ৭।৮।৮৯ দা ঙাংখিবা

(১) দিমোক্রেসি অমসুং পঞ্চাযতী বাজ—

'ভাবতনা হিংলবদা মখোংগী গনতন্ত্র হিংলে হাযবাস বিল আন অসিনা চুমহনগদৌবিবান। লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টতা ওইবব গনতন্ত্র অসি অমুক কুইথন বাজনীতিগী মতম লেংবা, হবাও নুংঙাইনবা ওইহল্লোইদবনি। বিল আন অসিগী খুৎথাংদা লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী গনতন্ত্র অসিনা চাং লেম্লবা সংবিধানদা (অপুন্‌বা) অফানবা ওইবগদবনি, মসিগী পুল্লির্বাসদি ইশাগী অনিংবনা (অপাম্বনা) নত্রগা থৌশাদবনা মবম্ ওইদুনা মবাল্ অমা লংশিন্‌বগী ফিভম্‌দা নত্রগা লক্লফম্‌গী মওংদা তাহল্লোইদর্বান।'

(২) নগব পালিকা অমসুং পঞ্চাযতী বাজ

'নগব পালিকা বিল্ অসিগী অহৌবা মফম্‌দি, সহবদা তাবা মীশিংদসু পঞ্চাযতী বাজ বিল্‌না ভাবতকী খুঙ্গংদা চাওখৎপগী মবিদা গনতন্ত্রগী হক্ অমসুং দাযিত্ব পীনবা তৌবিবা অদুগুম্বা পীবগী শক্ খঙবা অসিনি।'

(৩) নগব পালিকা অমসুং পঞ্চাযতী বাজগী মতাংদা হেন্না হায়খি—

'(কোলোনিযেলিজম্না) নৌনা খুন্দাবসিনা সহব অমসুং খুঙ্গংবু খাইদোক্লবা অমা মীনা শেম্ই। গনতন্ত্র অমসুং শক্তি চাইথোক্‌পনা সহব অমসুং খুঙ্গং মবি লৈনহন্‌ববু অমুক্ হঞ্জিল্‌হন্‌গনি অদুগা জিলা অদু অপুন্‌বগী ওইনা চাওখৎহন্‌গনি। সহবদা (প্লানিং) থৌশিল্ তৌবনা খুঙ্গংদা, হেন্না কান্নবা ফংবা চাথোক্কী নমুনা— লৌউ-শিংউবগী পোৎথোক্ হেন্না পুথোক্‌পা, আই হেন্না ফংবা, থবক্ হেন্না ফংবা, অসিনচিংববু য়োক্‌খৎকনি — অদুগী ওন্নবদা খুঙ্গংগী শেলথুম্‌গা মবি শম্নবনা সহব চাওখৎপগী চাং

হেন্‌গৎকনি ; অদুগা অতৈ সহব খুন্দাবা মতমদা ঐখোয়না জিলা অপুন্নগা ওইবা পুন্‌শিন্‌বা মওংদা চাওখৎপগী খুদোংচাবা অদু ভাব [illegible] বা অদুগা শকথংবা ফিতম্‌ শেম্‌গদবনি ।'

(৪) ন্যায় পঞ্চায়ত অমসুং কো [illegible]

'অযাম্বা (সেক্টবদা) শকক্তো, দেশকা [illegible] অহাম্নদা মথক থংবা কাংলুপকী খুদুম মখাদা লৈখা তাপ্রবা, খুঁজল লৈব [illegible] শো[illegible]নব, [illegible] নীনব, হন্না কত্ত্রব [illegible]ওপ[illegible]তিভব ইন্থী অসি মপুং যা[illegible] । [illegible] মাংদ [illegible] । [illegible] শীশান্দ্রবা থবক্কি [illegible] খা[illegible] মনমদ ঐখো[illegible] [illegible] ন্যায় পঞ্চায়তকী মনম্‌দা [illegible] খাযগা [illegible] । সংকাবণা [illegible] উইগাদশা [illegible]বক [illegible] ।'

(৫) জাগী (বাইত) [illegible] বাজ

'বাজ্যগী হক [illegible] শনবদগী [illegible] ক্লা, [illegible] শাপপা, কেন্দ্র [illegible] অদগী মচাং [illegible] হেন্না [illegible] । স্টেট লিষ্টকী এন্ত্রয [illegible] অদু শোক্তনা লৈ । [illegible] চর্নশিংগা মথক্ থোংবগী শাক্ত অদ্ [illegible] হন্দনা লৈবি । ঐখোয়না [illegible] শেমদোকপনি, বাজ্যগী বিষয ওইবা ম্যুনিসিপালিটগী [illegible]ইন্ দ্রায্ লৌবা [illegible] । লৌখোকিবাস মীয়ামবু [illegible] মীশাদবগী হক্ অদুনি । লৌথোকখিবা অসি শক্তি [illegible] কাংবনা [illegible]বা অদুনি । মসি কেন্দ্রগী হককা বাজ্যগী হককা থেংনবগী য়াফম [illegible] । মসি মীয়ামগী হককী য়াফমনি ।'

মথক্কী বাণ্ডাংশিং অসি বাজিভর্তীনা পঞ্চায়তী বাজবু অমদি নগব পালিকাবু মপাঙ্গল্ কনখৎহন্নবা সংবিধান শেম্‌দোক্লবা হোৎনববপদা মঙোন্দা লৈখিবা য়াখল্‌শিং অদ্ মখল মখাগী মীওইশিংগা থেংনবগী তঞ্জাদা ফেংদোকখিবদুনি । সংবিধান অসি শেম্‌দোক্লবা হোৎনবক্‌পদা নিংদা (তুংদা) থম্‌খিবা শৌগৎপা য়াফম্‌সু মখাদা লাক্‌পা পন্দুপ্‌তসু থেংনগনি । ●

স্টদি টিম্, কমিতি, কমিসন্ কয়াগী রিপোর্ট

(ক) বলৱন্তরেই মেহতা কমিতিগী মরু ওইবা (রিকোমেন্দেসন্‌শিং) পুখৎপা ৱাফমশিং

ইং ১৯৫৭ তা '৮ খৎখিদ বলৱন্তরেই (বলৱন্তরে) মেহতা স্টাদ টিম্না মথাং • হম্ নাইবা হায়বদি গ্রাম পঞ্চায়ত পঞ্চায়ত সামিতি অদুগা জিলা পরিষদ লৈবা মচা পুখৎপ । ময়াইগী থাক্কী পঞ্চায়ত সামিতিবু শোজে ওইবা, শক্তি চাইথোক্‌পগী থবক্‌কা খ্বাইদগী মরুওইবা লোইশঙ ওইহল্লি

(১) গোভর্মেন্টনা কবিগুম্বা মথৌ অমসুং দায়িত্ব থবা থাইদোক্লগা চাওখৎলবা ওইনম্ পায়খৎদবা থাদ হায়বাদ লোইশঙ অমদা মদুনা কাম্লবা মফমদা থবক তৌবা যননবা মশামক্তা শম্নাজংনবা, যেংশিন্নবা অদুগা হেন্না বাংবা থাক্তা (প্লানিং) থৌশিল তৌনবা থবক্‌শিং খাক্‌হৌবব ভুংদা মপংফানা পীথোক্কদবনি ।

(২) ৱোক্কী থাক্তা মীখলনা শেন্দ্বা মশানা ঙাকচবা ডেভলপমেন্ত ব্লক অদুগী পাক্ চাওবগা মান্নবা লোইশঙ অমা পঞ্চাযত সমিতি হায়না লিংখৎকদবনি মসিগী পঞ্চাযত সমিতি অসি খুঙ্গংগী পঞ্চাযতশিংনা খুৎথাংদা থম্লগা শেমগদবনি

(৩) পঞ্চাযত সমিতিশিংবু তঙাইফদনা চুংশিন্নহন্নবা, পঞ্চাযত সমিতিশিংগী প্রেসিদেন্টশিং, মদু অদুবু কোন্না মাংং ওইনা কাবিবা এম.এল.এ অদুগা এম.পি. অদুগা জিলাগী থাক্কী অফিসারশিংনা শাবা জিলা পরিষদ অমা শেম গদবনি । কলেক্টরনা মদুগী চেযারমেন ওইগনি অদুগা মাগী অফিসারশিংগী মরক্তগী অমনা সেক্রেটারি ওইনা থবক পুগনি । পরিষদ অসি, পাওতাক পীনবা, য়েংশিন্নবা অদুগা চুংশিন্নবা লোইশঙ ওইনা পুখৎখি ।

(৪) পঞ্চায়ত সমিতি শেম্নসি তশেংবা মীখল্না তৌগনি । মাসদা নুপী মেম্বর অনি অদুগা সিদ্যুল্দ কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ত্রাইবকী মেম্বর অমমম্ কোঃওপ্টসন্ তৌদুনা হাপ্‌কদবনি ।

(৫) পঞ্চাযত সমিতিগী থবক্তি—লৌউ-শিংউবগী থবক্ লম্ কযাদ চাওখৎহন্‌বা, শা শল্‌গী ফিভম্ ফগৎহন্‌বা, মফম্ মফম্‌গী ওইবা ইন্দষ্ট্রি ফগৎহন্‌বা, মীযাম্‌গী হক্‌চাং, নুংঙাই-য়াইফগী থবক্, প্রাইমারি স্কুলগী শাসন্ তৌবা, মচাক্-মথুম্‌গী মশিং (ষ্টেটিসটিক্স) খোম্‌জিন্‌বা, শেম্নবা তৌগনি । মসিদা পাংথোক্লবা শিন্নবা থোইদোক্ হেন্দোক্‌পা চাওখৎ-থৌবম্‌গী থবক্তা (এজেন্ট ওইনা) থৌদারোই ওইনা; মসিনা তৌগদবনি । পঞ্চাযত সমিতি অসিনা গনতন্ত্রগী কোইশঙ ওইনা মতিক্‌চানা থবক তৌনবা কান্দা অতৈ থবক্‌সু (এ [illegible] তৌগনি । [illegible]গনি ।

(৬) বাজ্য সবকাবনা সমিতিশিং অসিদা মাতঙ্ [illegible]বা গ্রান্ট ইন এইদ ফিভম্ য়াওনা অমদি যাওদনা নত্ত্রগা লাম্বা তৌনবগী মওংদা (মেট্‌চিং তৌনা) শেল্ থুম্‌গী ফিভম্ ফত্তবা যেংদুনা পীগদবনি ।

(৭) কেন্দ্রগী নত্ত্রগা বাজ্যগী ফণ্ড, ব্লোক্কী লম্ অমদা চাদিং তৌগদবা লৈবা অদু পঞ্চায়ত সমিতিনা হক্‌থেংননা খরচ তৌনবা পীগদবনি নত্ত্রগা লোইশঙ অমদা হক্‌থেংননা খরচ তৌননবা সমিতিনা পুখৎলক্‌পা মতম্‌দা নাকোইননা পীগদবনি ।

(৮) শক্তি কয়া পীখ্রবদসু, মীয়াম্‌গী য়েংদুনা পঞ্চায়ত সমিতি অমবু থবক্ চত্থহন্দবা (সুপরসিদ তৌবা) ঙম্বগী শক্তি অদু সরকারদা খাক্‌হৌবা তাই। মসি জিলা পরিষদনা পুখৎলক্লবা কান্দতা সবকারনা তৌবা চুম্মী ।

(৯) পঞ্চায়তকী আই লাক্লবা মচাক্তি-লন্‌থুম্ নত্ত্রগা য়ুম্‌গী খাজনা, কৈথেল্‌গী, গাড়ীগী, ওক্‌ত্রোই নত্ত্রগা টার্মিনেল খাজনা (কোন্‌জার্ভেন্সি), তেক্‌হন্ কাইহন্দনা থম্বগী খাজনা, মৈ অমসুং ঈশিং পীবগী খাজনা, শা-শল্‌গী ফাজিন্‌ফম্ থম্বগী, পঞ্চাযত সমিতিদগী ফংবা গ্রান্ট, শা-শল্ য়োন্‌বা রেজিষ্টাব তৌবগী ফিজনচিংবা ।

(১০) গ্রাম্ পঞ্চায়তকী বজেট অদু সমিতিনা য়েংশিন্‌বা অদুগা অয়াবা পীবা তাই । কলেক্টরনা সমিতিদা শক্তি চলাইবগুম্ সমিতিগী অফিসার মকোক্লা খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিংগী মরিদা তৌগনি ।

(১১) গ্রাম্ পঞ্চায়তকী তৌদবা য়াদবা থবক্তি, মরুওইনা, ঈশিং পীবা, লু-নান্‌বগী থবক্, মৈ থান্‌বা, লম্বী থোংগী ফিভম্ ঙাক্লা থম্বা, লম্ শিন্দোক্-শিঞ্জিন্ তৌবা, শোখহৌববা কাংবুগী নুংঙাই-য়াইফগী থবক্ পায়খৎপা, মচাক্ মথুম্‌গী মশিং খোম্‌জিন্‌বা অদুগা ঙাক্লা থম্বা । পঞ্চায়ত সমিতিনা শিন্নবা থবক্ কয়া অমসু গ্রাম্ পঞ্চায়তনা এজেন্ট ওইনা পাংথোক্‌পা য়াই ।

(১২) ব্রায়েন্-বিচারগী পঞ্চায়তশিংদি গ্রাম্ সেবক্কী সার্কল্‌দগী হেন্না

পাক্-চাওনা কোন্বা য়াই। ন্যায় পঞ্চায়ত অসি গ্রাম্ পঞ্চায়তনা, সবদিভিজনেল্ নত্তগা দিষ্ট্রিক মাজিস্ট্রেটনা পীখৎলক্পা মীওইশিংগী মরক্তগী খন্দুনা শেম্বা য়াই।

পণ্ডিত নেহরুনা মাইপুননা হোৎনবদগী মসিগী পাথাপ্ অসি রাজ্য অয়াম্বা মফম্ মফম্গী খেন্নবা লৈনা লৌখি। মহারাষ্ট্র অমসুং গুজরাতনা জিলা পরিষদপু অকন্বা লোইশঙ ওইহন্দুনা থবক্ পাংথোক্লবা লোইশঙ ওইহন্খি। পাথাপ্ অসি ১৯৬২ গী ময়াইদা মরাই চাইথরক্খি।

(খ) অশোক মেহতা কমিতিনা মরুওইবা পুখৎলক্পা ব্রাফম্শিং

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিং অসিদা চুম্নগী মীওইশিংদা কান্নবা ফংদনা খুদোংচাবা ফংবা কাংবুনা মথক্ থোংখিবদগী ইং ১৯৭৮ দা মীওই ১৩ না শাবা শ্রী অশোক্ মেহতানা লুচিংবা পঞ্চায়তী রাজবু কন্খৎহন্নবা কমিতি অমা শেম্খি। কমিতিনা পুখৎখিবা ব্রাফম্ অসিগী মতুং তাবা থবক্ কেন্দ্রগী থাক্তা লৌখৎখিদ্রবসু রাজ্য অহুম্খক্তি হায়বদি নোংচুপ্ বেঙ্গোল্, অন্ধ্রপ্রদেশ অমসুং কর্নাতকানা মখোয়গী রাজ্যদা পঞ্চায়তী বাজবু মপাঙ্গল্ কন্খৎনবা খোংথাং লৌখৎখি। মখোয়না জিলা পরিষদ অসি খ্বাইদগী মরুওইবা থাক্ ওইনা লৌই, অদুগা মচং ওইবা শক্তি অদুগা মথৌ পীখি।

পুখৎলক্খিবশিংগী মরুওইবদি —

(১) পঞ্চায়তী বাজগী মচাংদা মথাং অনি নাইগদবনি মদুদি- জিলাগী থাক্তা জিলা পরিষদ অদুগা মীশিং ১৫,০০০ দগী ২০,০০০ ফাওবা লৈবা ‘মণ্ডল্ পঞ্চায়ত’। মথাং অনি অসি লৈরক্পগা লোয়ননা ব্লোক্ অমনা চাওখৎ-

থৌরম্গী শাসন্গী খুজিং ওইবম্বা অসিসু মুথৎপা হাযবসিসু পুখৎলক্ই।

(২) পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী (টার্ম) থবক্কী মতম্ অসি চহি ৪ দা লেপ্খি। অদুগা থাক্ খুদিংগী ওইবা মীখল্ অসিসু হক্থেংনবা মীখল্ পুখৎলি।

(৩) থোইদোক্ হেন্দোক্পা অমনা হান্নগী চৎনবা রাজনীতি পার্টি য়াওদবা হাযবদুগী মহুত্তা, পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিংগী মীখল্দা বাজনীতি পার্টি যাওবা য়ানবা বাফম্ পুখৎখি।

(৪) পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী মীখল্ অসি চাং নাইনা তৌগদবনি। বাজাগী চীফ ইলেক্টোবেল্ অফিসাবনা ইলেক্সন্ কমিসন্গ' তানবগা পাংথোক্পগী ব্রাফম্ পুখৎলি।

(৫) ন্যায় পঞ্চায়ত অসি চাওখৎ-থৌরম্ পুখৎপা পঞ্চায়ততগী তোঙানগদবনি। অথন্বা পঞ্চশিংনা ন্যায় পঞ্চায়তকী বেঞ্চকী মেম্বর ওইবগা মতিক চাববা জজ্জ অমনা প্রেসাইদ তৌগদবনি।

(৬) পঞ্চায়তী রাজ লোইশংশিং, অসি চুম্নণী মতম্দা (সুপরসিদ তৌবা) [illegible] খৎহন্দবা তৌবেইদবনি, তঙাই ফদ [illegible] তকক্কা মনুংদা লৌনা মীথল তৌগদবা।

([illegible]) [illegible] লোইশঙ [illegible] অমসুং [illegible] খোযর্ [illegible] চাপা [illegible] তৌগদবনি

(৮) পঞ্চায়ত [illegible] লোইশঙশিং [illegible] [illegible] খোমাজিননবা [illegible] পথৎলি। [illegible] খোমাজিল্লবা [illegible] লোইশঙ [illegible] চাহি [illegible] মতম [illegible] পাম্নক্নদবনি

([illegible]) [illegible] চুক্কী ওইনা [illegible] পঞ্চায়ত [illegible] কোক্কা [illegible] ইদবা চাংদা চাহনা [illegible] ওইনা পীগদবনি।

([illegible]) [illegible] জিলা [illegible] ওইনা চাওখৎ [illegible] পাংথোক্কদবা অসি জিলা প [illegible] থম্নদবনি।

(১১) পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী তঙাই ফদবা ফিভম্ অসি ওাক্লা থম্বা অদুগা মতুং তানা অতৎপা লৈতনা থবক্ চত্থবা য়াননবা সংবিধানদা ব্রাফম্ থম্বা চুম্মী, মাইকে অসদা থম্নবা পাম্বই হায়বা ব্রাফম্ পুখৎলি।

(গ) জিঃডিঃকেঃ রাও কমিতিগী মরুওইবা পুখৎলক্পা ব্রাফম্

চাওখৎপা হেন্গৎহন্বা অদুগা লাইববগী চাং হন্থহন্বা হায়বা শুপচিন্বা ব্রাখল অসি ৭শুবা চহি মঙাগী থৌবাংদা হেন্না কন্শিন্না য়েংবগী অচুম্বা লৈবদগী সবকাবনা মী ১২ না শাবা ডাঃজিঃভিঃকেঃ বাওনা চেয়োব পার্সন্ ওইবা কমিতি অমা ইং ১৯৮৫ দা খুঙ্গং চাওখৎহন্নবা অদুগা লাইববগী চাং তাহন্নবা শাসনগী শেমশাবিবা অদু হন্না য়েংশিন্নবা শেমখি।

কমিতি অসিনা (পোলিসি প্লানিং) থৌশিল্ শেম্বা অদুগা থৌরম্ পাংথোক্পদা

জিলা অসি য়ুম্ফম্ ওইবা খুজিং ওইগদবনি হায়বসি পুখৎখি । পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংগী চাং নাইবা মীখল্ লৈগদবনিসু হায়খি ।

(১) পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিং অসি নৌনা মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্গদবনি, অদুগা মীয়াম্গী খুদোং চাদবা লৈবিবা অসি থেংনবা ঙম্নবা অদুগা থবক্ ঙন্বা লোইশঙ ওইহন্নবা চংদবা যাদবা ঙাকলৌ পীগদবনি ।

(২) কমিতি অসিনা মথাং অহুম্ নাইবা পঞ্চায়তী বাজগী পাথাপ্কী ব্রাফম্ পুখৎলি । লোইশঙশিংগী মীখল্ অসি চাং নাইনা তৌগদবনি ।

(৩) জিলা অসি (পোলিসি প্লানিংগী) থৌশিল্ শেম্বগী অদুগা থৌবম্ পাংথোকপগী য়ুম্ফম্ ওইবা খুজিং ওইগদবনি । মবম্ অদুনা জিলা পবিষদ অসি মসিগী থাক্তা পাযবা যাবা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ পুম্নমক্ শিল লাংননবা মকওইবা লোইশঙ ওইগদবনি ।

(৪) জিলা পবিষদকী প্রেসিদেন্ট অসি জিলা পাবিষদকী মতম্গা চান্ননা হকথেংননা খন্বা নত্ত্রগা চহি অমমম্গী ওইনা মেয়োবগী নমুনাদা খন্বা যাই । জিলা পবিষদকী থবক্ অসি পার্টিসেপেটোবি দিমোক্রেসি হায়বদি শরুক্ য়াবা গনতন্ত্রগী ম ওং চাওখৎনবা অদুগা পুক্লিং থৌগৎনবগী ওইনা চাং মান্ননা মীহুৎ লোম্বা সব কমিতি মযাম্না পুগদবনি ।

(৫) জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙ অদুগা মখা তাবা লোইশঙশিংদা খুঙ্গং চাওখৎপগী থবক্কী (প্লানিং) থৌশিল্ তৌবা, (এক্সিকুযসন্) থবক্ পাংথোক্পা অদুগা (মোনিতবিং) থবক্কী চাং লেপ্পা য়েংশিন্নবগী মবিদা মকওইবা থৌদাং শিন্নগদবনি ।

(৬) দিষ্ট্রিক্ট বজেটকী ব্রাখল্ হৌদোক্পা অদুগা য়াবমখৈ থুনা চৎনহন্বা, লাইববশিংবু য়েংশিন্বিনবা মওং চুম্বা দিষ্ট্রিক্ট প্লান্ শেম্বা । লাইববশিংবু তেংবাংনবা থবক্ লৌখৎপা মতম্দা চাওখৎ থৌবম্গী ওইবা দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্না শেংনা তাক্পা । দিষ্ট্রিক্ট প্লান্ অসিদা প্লান্গী,নন্ প্লান্গী পোৎথোক্ লম্ছোক্ (লোইশঙগী যাওনা) যাওহন্গদবনি ।

(৭) জিলাগী থাক্তা চাওখৎপগী শাসন্ অসি মকওইবা দাযিত্ব লৈবা থবক্ অমা ওইনা লৌই, অদুনা দিষ্ট্রিক্ট ডিভেলপ্মেন্ট কমিসনাব (অশম্বদা দিঃডিঃসিঃ)

গী ফম্ জিলা অদুগী চাওখৎ-থৌরম্গী চুংশিন্নবা শেম্গদবনি হায়বা ব্রাফম্ পুখৎলি। চাওখৎ-থৌরম্গী থৌশিল্ তৌবগী অদুগা থবক্ পাংথোক্পগী দায়িত্ব অসি পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংনা লৌবা অদুগুম্বা রাজ্যশিংদা দিঃডিঃসিঃ অসিনা জিলা পরিষদকী চীফ এক্সিকুটিভ ওইবা য়াই। জিলা পরিষদ মওং চানা লৈতবা রাজ্যশিংদা দিঃডিঃসিঃ না দিষ্ট্রিক্ট ডিভেলপ্মেন্ট কাউন্সিল্গী চেয়ারমেন অমসুং চীফ এক্সিকুটিভ ওইনা থবক্ তৌবা য়াই।

(৮) দিঃডিঃসিঃগী অফিস অসি ঙাক্শেন্গী শাসন্দগী চাওখৎ-থৌরম্গী শাসন্না মক ওইবা থম্লবগীদমক্ দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরদগী হেন্না বাংবা থাক্কী ওইহনগদবনি।

(৯) ব্লোক্ ডিভেলপ্মেন্ট অফিস অসি খুঙ্গং চাওখৎনবগী থৌওং পুম্নমক্কী খ্বাইদগী মকওইবা ঙাক্লৌ ওইগদবনি, মরম্ অদুনা মসি থাক বাংখৎহনগদবনি। ব্লোক্ নত্তগা তহশিল্গী চীফ এক্সিকুটিভ অফিসার অসি এসিস্টেন্ট ডিভেলপ্মেন্ট কামসনার (এঃডিঃসিঃ কৌবা যাই; মসি সব ডিভিজনেল অফিসারগী থাক্তা থম্গদবনি। অদুগা এঃডিঃসিঃ অসি নহা ওইবা, যাববদি চহি ৩৫ গী মখা ওইহন্বা, চহি ফদ্রগা ৪০ দগী হেল্লোইদবনি। ব্লোক্ অমগী চাওখৎ-থৌরম্গী থবক্কী টিম্ অমগী মকোক্ ওইগদবনিনা মসিগী গুণ অদুগা মাগী অতোপ্পা গুণ্, ট্রেনিং, শিল্-লাংবগী পাঙ্গল্, তাইনবা হৈবগী থবক্ অসিগা চানবা ওইগদবনি।

(১০) ব্লোক্ অমগী পাক্-চাওবা অসি মীশিং, লম্ অমসুং লম্মিং-তুমিং যেংদুনা তম্পাক্তা মী লাক্ষ ১ অদুগা চীংগী খুদোং চাদবা মফমদনা লিশিং ৫০ দা লেপ্কদবনি।

(ঘ) ডাঃএলঃএমঃ সিংভী কমিতি

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংগী থবক্তা হন্না যেংননবা অদুগা মখোয় অসি মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্নবা ইং ১৯৮৭ তা ডাঃএলঃএমঃ সিংভীনা চেয়ারমেন্ ওইহন্দুনা কমিতি অমা শেম্খি। মদুনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিংবু হিংবা ঙম্বদা লাইননবা খুঙ্গংশিংবু লৌনা শেম্দোক্পা, লোইশঙশিং অসিগীদমক্ পোৎ, শেল্ থোক্ফম্ হেন্না লৈননবা ব্রাফম পুখৎলক্খি। কমিতিগী কোন্সেপ্ট পেপরদা মক ওইবা পুখৎপা ব্রারম্শিং—

(১) খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিং অসি হেন্না ফজনা হিংবা ঙম্বা ফিভম্দা থম্লনবা খুঙ্গংশিং অসি নৌনা শেম্দোক্লুনা পুন্শিন্বা অমসুং চাওথোক্হন্বা যাই ।

(২) প্লানিং অমসুং ডিভেলপ্মেন্টকী থৌওংদা মীযাম্না শরুক যাবা হায়বসি সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী হায়বদি মশানা ঙাক্চবা সবকাবগী ব্রাখলদগী থোক্লক্পা হায়দি শরুক অমা ওইবানিনা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংবু অসি গুম্না খুদোং চাহল্লিবা লোকেল সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকা লোইশঙশিং ওইনা যেংগদবনি

(৩) ভাং, ধম্ম, নুপা নুপী, লনগী মান্নদবা আসন্নচংবা আথংবশিংদগী হেনগৎনা লৈবা ঙম্লনবা অদুগা সমাজগী ওইনা যাদবা, খুদোংচাদনা অসিদগী হেনগৎনা লৈবা ঙম্লনবা মীকপ্লুপকা অদুগা সমাজগী ওইবা হেংৎনবিবা অদোমদা পঞ্চাযতী বাজগী হবক্কী শেম্ শাবনবা আস লৌশিনগদবনি ।

(৪) লোকেল সেল্ফ গোভণমেন্ট অসি সংবিধানগা ওইনা অনৌবা পান্দুপ অমা সংবিধানদা যাওহন্দুনা শক্ খংগদবনি, ঙাক্কদবনি অদগা শোইদনা ঙামদনা হংগদবনি ।

(৫) বাজ্য খুদিংদা (ইলেক্সন্) মীখল, (সস্পেন্সন্) চৎনহন্দনা থম্বা (সুপর সেসন্) থবক্ ঙম্হন্দনা থম্বা, (দিজোলুসন্) মুথৎপা অদুগা অতৈ পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংগী থবক্কী অদুগা মীখলদা কাবক্পা মীওইশিংগী মরম্দা বিচাব তৌননবা পঞ্চাযতী বাজ জুর্দিসিয়েল্ ট্রাইবুনেল অমা শেম্গদবনি ।

(৬) পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংনা মহৈ লৈনা থবক তৌবা ঙম্লনবা মতিক্ চাবা শেল্-থুম্গী পোৎথোক লন্থোক্ শোইদনা ফংননবা লম্বী অমসুং উপাই পুথোক্কদবনি ।

(ঙ) সরকারিয়া কমিসন্গী মরুওইবা পুখৎপা ব্রাফম্

সবকাবিয়া কমিসন্ হায়বা কেন্দ্র অমসুং বাজ্যগী মবিগী মরম্দা ইং ১৯৮৮ দা শেম্খিবা অসিনসু তাক্খি — মদুদি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী লোইশঙ অযাম্বা মহৈ ফংনা থবক্ তৌখিদ্রি । মসি মরুওইনা মীখল্ চাংনাইনা তৌখিদবা অদুগা অশোন্বা মরম্ পিশিন্দুনা থবক্ চথহন্দনা লৈখিবননি । কমিসন্ অসিনা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংগী মতম্ নাইনা মীখল্ তৌবগী অদুগা পঞ্চাযতপু থবক্ চথহন্দবগী মবিদা বাজ্য পুম্নমক্তা চাং মান্নবা আইন্ লৈবগী তঙাই ফদবা ফাওখি ।

(১) লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী লোইশঙশিং অসিনা থবক্ তৌদবা অসি চুম্থোক্লবা, সংবিধান্গী আর্টিকল্ ১৭২ অমসুং ১৭৪ না হায়রিবা অদুগা মান্ননা জিলা পরিষদ অমসুং ম্যুনিসিপাল্ কোর্পোরেসন্শিং অসিগী মীখল্ অদুগা থবক্ হৌবসি চাং নাইনা তৌগদবনি, অদুগা লোইশঙশিং অসি মতম্ কুইনা থবক্চথহন্দনা থম্লোইদ্রবনি, হায়বগুম্না আইন্না ব্রাফম্ পীদুনা শোইহন্দবগী তঙাই ফদবা লৈ । অসিগুম্বা আইন্ শেম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি এন্ট্রি ৫, লিষ্ট টুগী মখাদা রাজ্যগী লেজিসলেচরশিংদা পীরি । অদুম্ ওইনমক্, অসিগুম্বা আইন্গী মীৎয়েং অসিদা ভারত পুম্বদা চাং মান্নবা চুম্ই । চাং মান্নবা অসি মখাগী অসিদগী খল্লগা, পাংথোক্পগী মথং মনাও য়েংদুনা ফংবা য়াগনি ।

(ক) আর্টিকল্ ২৬৩ গী মখাদা ময়াম্না য়ানবা মতুংইন্না ইন্টর-ষ্টেট কাউন্সিল্ (ইন্টর গোভর্ণমেন্ট কাউন্সিল্) গুম্বা অমা লিংখৎলগা মদুনা শেম্বা (মোদেল্ ওইবা) নমুনা ওইবা বিল্ অমগী মতুংইন্না রাজ্য খুদিংগী লেজিসলেচরনা শেম্বা আইন্না ;

(খ) রাজ্যগী লেজিসলেচর পুন্নমক্না য়াহল্লগা, আর্টিকল্ ২৫২ (১) গী মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্টনা বিষয় অসিদা শেম্বা আইন্ অমনা ;

(গ) সংবিধান্গী আর্টিকল্ ১৭২ অমসুং ১৭৪ গা মান্নবা প্রোভিজন্ য়াওবা ভারত পুম্বদা চৎনবা য়াবা পার্লিয়ামেন্টকী আইন্ অমনা ;

মথক্কী (ক) নত্ত্রগা (খ) অদু পান্শিল্লবদি সংবিধান্ শেম্দোক্তবা য়াগনি । অদুম্ ওইনমক্ (গ) গী ব্রাফম্ অসি শিজিন্নবা তারবদি মাং থাবা ওইনা, আর্টিকল্ ১৭২ অমসুং ১৭৪ গা মান্নবা অমা এন্ট্রি ৫, লিস্ট অহুম্দগী শাদোক্পা তাই ।

জিলা পরিষদ অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগী মীখল্ অমসুং থবক্ হৌবা অসি চাং নাইনা তৌহন্বা তারবদি, অদুগা লোইশঙশিং অসি মতম্ কুইনা থবক্ চথহন্দবা তৌদবা তারবদি মথক্কী (ক), (খ) অমসুং (গ) গী মরক্তগী খল্লগা থবক্ চথবা হায়বসিগী ব্রাফম্ অসি ঐখোয়না পুখৎলি । ব্রাফম্ (গ) অসি শিজিন্নগদবসি তঙাই ফদ্রবা (ক) অমসুং (খ) লৌখৎপা ঙমদ্রবা অদুগা চৎনবা য়ারোইদবা কান্দতা তৌগদবনি ।

(চ) পিঃকেঃথুঙোন্ কমিতিগী মরুওইবা পুখৎপা ৱাফম্

মিনিষ্ট্রি ওফ পার্শোন্নেল্, পব্লিক্ গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সন্ গী মখাদা থম্বা পার্লিযামেন্টরি কন্সলটেটিভ কমিতিগী সব-কমিতি অমা শ্রী পিঃকেঃ থুঙোন্না চেয়ারমেন্ ওইনা ইং ১৯৮৮ দা শেম্খি । মখোয়গী থবক্তি জিলাগী প্লান্ (থৌশিল্) তৌননবা, জিলা অদুদা লৈগদবা রাজনীতি অমসুং শাসন্গী মচাংগী মখল্গী মরমদা খন্নবনি । কমিতি অদুনা লৌখিবদি, পঞ্চায়তী রাজ্গী লোইশঙশিং অসি সংবিধান্গী ওইনা শক্ খঙগদবনি । মদুনা লোইশঙশিং অসিগী মীখল্ অসি মতম্ চানা অদুগা চাং নাইনা শোইদনা তৌননবা সংবিধান্গী প্রোভিজন্ থম্বরুসু পুখৎখি ; মখোযগী (টার্ম) মতম্ অসি চহি মঙা ওইগদবনি । মদুনা হায়খি— জিলা পরিষদ অসি জিলা অদুদা (প্লানিং) থৌশিল্ অমসুং (ডিভেলপ্মেন্ট) চাওখৎপগী অমতা ঙাইবা এজেন্সি ওইগদবনি ।

(১) পঞ্চাযতী রাজ লোইশঙশিং অসি সংবিধান্গী ওইনা শক্থংগদবনি ।

(২) মথাং অহুম্ নাইবা পঞ্চাযতী রাজগী মচাং অমা হান্না লৈবম্দবা মফম্দা খুঙ্গংগী পঞ্চাযতনা মখোংদা, জিলাগী পঞ্চাযতনা মতোন্দা অদুগা মণ্ডল নত্ত্রগা ব্লোক্ পঞ্চায়তনা মযাইদা লৈবা মথাং অহুম্গী পঞ্চাযতী রাজগী মচাং লৈবা পুখৎখি ।

(৩) সব-কমিতি অসিনা জিলা পরিষদপু অমতা ঙাইবা জিলাগী থাক্তা প্লানিং অমসুং ডিভেলপ্মেন্টকী এজেন্সি ওইনা নমুনা লৈননবা হায়খি ।

(৪) সব-কমিতি অসিনা রাজ্যগী থাক্তা প্লানিং মন্ত্রিনা চেযারমেন্ ওইবা অদুগা জিলা পরিষদকী প্রেসিদেন্টশিংনা মেম্বর ওইবা প্লানিং অমসুং কোঃওর্দিনেসন্ কমিতি অমা লিংখৎপরুসু পুখৎখি ।

(৫) খুঙ্গংগী পঞ্চায়তকী (জুদিসিয়েল্ ফঙ্কসন্) বিচারগী থবক্পু খুঙ্গংগী থাক্তা অচম্বা খৎন-চৈনবগী ৱাথোক্পু খন্দোক্লবা হিংগৎহন্বগী তঙাই ফদবা পন্খি ।

(৬) এমঃপিঃশিং অমসুং এমঃএলঃএঃশিংনা জিলা পরিষদকা চাশিন্নানা লোইনগদবনি হায়রসু পুখৎখি ।

(৭) এমঃপিঃ অমসুং এমঃএলঃএঃ শিংনা ওইবা মেম্বরগী মথক্তা জিলা পরিষদকী খল্লিবা মী মশিং অসি সাধারন্ ওইবা নিযম্দা মীশিং লাক্ষ ১৫দগী তারা

মফম্দা ৫দগী ১৫ ফাওবা অদুগা মীশিং লাক্ষ ১৫ দগী হেন্বা মফম্দনা ১৫ দগী ৬০ ফাওবা লৈবা য়াই হায় ।

(৮) জিলাগী প্লান্বু অয়াবা পীননবগী মতাংদা জিলাগী লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট প্লানিং অমসুং কোঃওর্দিনেসন্ কমিতি অদু মতিক্ চানা পাম্নে লৈহন্গদবনি ; জিলা অদুগা সব-দিভিজন্ হেদ্ কার্টরশিংগা অদুগা রাজ্যগী কোনুংগা শম্নদুনা অনিফাংবা হংননবা পাথাপ্, খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি, কম্পুটরগী মরি থম্বা য়াওনা লৈহনগদবনি ।

(৯) লোকেল্ বোদি অমনা আইনগী মতুংইন্না থবক্ তৌদ্রবদি, নত্রগা শাথিনা শক্তি লান্না শিজিন্নরবদি রাজ্য সরকারনা মদুবু মতম্ খবা থবক্ পলহনবা অদুগা মুথৎপা য়াই । মুথৎপা লৈরবদি, মতুং অদুদা রাজ্য সরকারনা রারেপ্ অমা রাজ্যগী লেজিসলেচরদা মীফম্ ফম্বা লোইদ্রিঙৈদা অদুগা মীফম্ হৌবক্পা চয়োল্ তরুক্কী মনুংদা অহান্বা অমদা হাউসকী অয়াবা লৌননবা পৃথৎকদবনি ।

(১০) পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগী (টার্ম) মতম্ অসি চাহ মঙাগী ওইগনি । অদুবু রাজ্য সরকারনা মখোয়না পাম্বা মতুইন্না খন্বা য়াই, অদুম্না ওইবগা মসিগী টার্ম অসি চহি ৩দগী তাবোইদবনি ।

(১১) তোঙান্বা পঞ্চায়তী রাজ জুর্দিসিয়েল্ ত্রাইবুনেল্ অমা লোইশঙ্শিং অসিগী থবক্তা পলহন্বা থোক্লকপদা মদুগী মাইয়োক্নরিবদুগী বিচাব তৌননবা রাজ্য সরকাবনা হাপ্কদবনি ।

(১২) পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগীদমক্ (রিজার্ভেসন্ তৌবা) ফম্ কন্বগী পাথাপ্ অসি মী মশিংগী মতুংইন্না তৌগদবনি । ত্রাইবেল্গী মীশিং অসি চামদা কুম্থাদগী হেন্না লৈবা মফম্শিংদা বোদি অদুগী চেয়ারমেন্ অসি সিদ্যুল্দ ত্রাইবকী মেম্বর অমনা ওইগদবনি । পঞ্চায়তী রাজ বোদিশিংগী ভাইস চেয়ারমেন্ পুম্নমক্ সিদ্যুল্দা কাষ্ট নত্রগা সিদ্যুল্দ ত্রাইবকী মেম্বরনা ওইগদবনি ।

(১৩) নিয়ম্ অমা ওইনা থাক্ খুদিংগী পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংদা নুপী অনিদগী তাদবনা মেম্বর ওইগদবনি । অপিক্পা লোইশঙদা মেম্বর মঙা ফাওবদা লৈবা তারবদি নুপী মেম্বরগী মফম্ অসি অমতদা কন্গদবনি ।

(১৪) কলেক্টর নত্রগা দিপুটি কমিসনার অসিগী মফম্ অসি আইন্গী ওইনা অমদি চাওখৎ-থৌরম্গী শাসন্গীদমক্ মরু ওইবা অমা ওইগদবনি । জিলা

পরিষদকী ... ফ ... অফিসার ... না ওইহনদবনি । বাজ্য সবকাবনা আইনগী ... ওইবা থৌরম্দা কলেক্টর ... সনেল্ কলেক্টরগী ... সনহ্ ...

(১৫) জিলাগী থাক্তা তৌননবা অকপ্পা মবোল যাওবা বিষয় পবেং অমা সংবিধানদা চানবা যেংদুনা হাপাচন্নবা শেম্না চুম্ই হায়না সব কর্মিতিনা লৌই ।

(১৬) জিলাশিংদা পোৎ লন যেংশোক্লবগী লমজিং, নিযম্ শেম্লনবা বাজ্য সবকবনা ফাইনান্স কমিসন্ লিংখৎনবা বাফম্ পুখৎলি ।

(১৭) জিলা পরিষদকী খুৎথাংদা এবি লৈনবা দপার্টমেন্টশিং পিঃডব্লিউ, হেলথ সং, পাব্লিক হেল্থ, কবেল্ বাটব সপ্লাই (খুঙ্গংগী ঈশিং পিনা) অসি ... ফণ্ড ... থকদবনি ।

(১৮) জিলা অমদা চংশদবা মখল মখাগী স্কীম থৌবাং নত্তুগা প্রোজেক্ট যাওবা দিষ্ট্রিক্ট বজেট অমগী বাফম্ সব কর্মিতি অসিনা খল্লি, অদুগা বজেট অদুনা দিষ্ট্রিক্ট বজেটতা যাওদবা (কোনটিনজেন্সগী) ... বা খংদবগী শকক যাওগদবনি ।

(১৯) লোকেল বোর্দশিংগী মখল মতম্ চানা, চাংনাইনা পাংথোক্পা শোইদনবা সংবিধানগী প্রোভিসন্ শেম্না যাই, অদুগা লোইশঙশিংগী মখল্ মখাগী শক্তি অমসুং মথৌ উৎতুনা থাকদবনি ।

(২০) ভাবত সবকাবনা খুদম্ ওইনবা পঞ্চাযত এক্ট অমা শেম্নসি খন্ননবা সব কর্মিতি অসিনা বা পুখৎলি, বাজ্যাশ দা মসিগী নমুনা ওইবা এক্ট অসি চৎননবা হায়বা যাই ।

(২১) বাজ্য সবকাবাশিংনা পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংদা শেলথুম্ অমদি অতৈ শক্তি চাওখৎহল্লিবগী মতাংদা গ্রান্ট ইন এইদ বাজ্যশিংদা পুক্লিং থৌগৎপগী মওংদা পীবা হেনগৎহন্দুনা ভাবত সবকাবনা পঞ্চাযতী বাজ লোইশঙশিংবু চাওখৎপা হেন্গৎহনবা যাই ।

(২২) চাওখৎপগী শাসনদা লোইশঙশিং অসিগী কান্নবা মচাক্ লৈবা অদু খংননবগীদমক্ ভাবত সবকাবনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম্ কযা শেম্না যাই । ●

(১৬)
খুঙ্গং চাওখৎ থৌরম্

(ক) চাওখৎ থৌরম্গী (ফেজ) থাংখাংশিং

[illegible] মঙাগী থৌবাং পায়খৎলক্পদগী হৌনা খুঙ্গং চাওখৎনবগীদমক্ [illegible] (পোগ্রাম্) থৌরম কয়া মথং [illegible] চৎনবা পান্দম্ [illegible] পায়[illegible] [illegible] [illegible]রমশিং অদুদি –

১ [illegible] চাওখৎপগী [illegible]

[illegible] থৌরম্গী [illegible] [illegible] কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট [illegible] । [illegible] ১৯৫২ গী [illegible] ভারতত পুম্নদা [illegible] প্রোজেক্ট [illegible] কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্টকী [illegible] – গ্রামের ফুদ এনকোয়ারি কমিটি [illegible] ১৯৫৫ দা [illegible] রিপোর্টকী মতুংইন্না [illegible] । [illegible] খুঙ্গং [illegible] অসি অতৈ অতৈ সমাজগী ওইবা থবক্তাশিংদগী তোঙান্না থাইদোক্পা যাবোই অদুগা [illegible] শিংউ চাওখৎহনবা হায়বসি অতৈ অতৈ সমাজগী ওইবা খুদোং চাদবা পুম্নমক্কা মরি লৈনবা তাবনি । খুঙ্গংগী পুন্সিগী থৌরম খুদিংমক অমগা অমগা মরি লৈনৈ । অমনা অতৈদগী থাইদোক্তুনা লৈনবা যাবোই হায়বসিনি । মরম অসিনা কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্টকী থৌরম্দা মখল্ মখাগী বিষয় পুম্নমক মতম্ অমতদা পায়খৎখির্বনি ।

থৌরম্ অসিগী মওংদি দেশ পুম্বা থুংনা শন্দোক্তুনা কম্যুনিতি ডিভেলপমেন্ট হায়বদি খুঙ্গংগী মী কাংলুপপু চাওখৎহন্বা হায়বা পান্থে অদু শিজিন্নদুনা জাতি শাগৎপদা যাওবিবা (দিপার্টমেন্ট) বিভাগশিংদগী পোৎ-চৈগী অদুগা অহে অশিংগী তেংবাং থাদদুনা খুঙ্গংগী কান্ননবা তৌবনি ।

খুঙ্গংগী মীশিংনা মশানা মশাবু তেংবাংজবগী রাখলদা চাওখৎপগী মরিদা সবকারনা হৌদোক্লক্পা থৌরম্ খুদিংদা খুৎশম্নুনা য়াওশিন্বা তাবনি । গনতন্ত্রগী ওইবা মওংদা (প্লানিং তৌবদা) থৌশিল্ মদু তুংকোইনা চৎকনি । মসি প্রজাগী মীপুম্ খুদিংনা মশা মশানা য়ানিংনা কথোক্পগী রাখলগা লোয়নননা তেংবাংলগতা ফংবা ওম্গনি ।

মসিদা, থবক্ তম্বগা লোয়-লোয়ননা দেশ অসি চাওখৎহন্বতা নত্তনা মী অমমম্গী ওইনা মগুণ্সু হেন্গৎহন্গদৌরিবনি ; অদুগা ভাবতকী খুঙ্গংগী সমাজ অমা নৌনা শেম্গদৌবিবনি। ইং ১৯৫২ দা হৌদোক্খিবা অদু ইং ১৯৬০-৬১ দদি ভাবত পুম্বদা প্রোজেক্ট পাক্শন্না লৈখ্রে। অসুম্না মথং মথং থৌবম্ অসি নেসনেল্ এক্সটেন্সন্ সার্ভিস ওইনা চখবা হৌবক্ই।

(কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী মবম্দা মথক্তা শকক্ অমা ওইনা নৈনখ্রে হন্জিন্বগী কান্নবা লৈত্রে)

(২) দিমোক্রেটিক্ দিসেন্ট্রেলাইজেসন্ ফেজ—(গনতন্ত্রগী নিয়ম্ মতুংইন্না শক্তি চাইথোক্পগী থাংখাং)

কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি শাকথোক্ চাওথোক্লক্তুনা ইং ১৯৫৬ তা তোঙান্বা মিনিষ্ট্রি অমা ওইনা অনিশুবা চহি মঙাগী থৌবাংগা চাননা লৈখ্রে। ইং ১৯৫৭ তা প্লানিং কমিসন্না শেম্খিবা কমিতি ওন্ প্লান্ প্রোজেক্টস (অশম্বদা সিঃওঃপিঃপিঃ) হায়বা কমিতি অমনা শ্রী বলবন্তবেই মেহতানা লুচিংহন্দুনা শেম্খিবা স্টদি টিম্ অদুদা কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী থবক্ য়েংশিন্দুনা নৈননবা অদুগা বিপোর্ট অমা লান্খৎনবা শিন্নখি। কমিতিগী বিপোর্টনা খুঙ্গংবু নৌনা শেম্গৎনবগীদমক্ কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্টকী থৌবম্ অসি মক ওই ; অদুগা থৌশিল্ তৌবা অমদি থবক্ পাংথোক্পগী শক্তি অমসুং দায়িত্বদি মীখল্দা প্রজাগী মীহুৎ ওইনা কাবা - খুঙ্গংগী, ব্লোকী অমদি জিলাগী থাক্তা শেম্বা লোইশঙশিংদা শিন্নবগী ব্রাফম্ পুখৎলক্খি। মদুগী মহৈনা মথাং অহুম্ নাইবা পঞ্চাযতী বাজগী পাথাপ্ দেশ অসিদা চৎনবা হৌখ্রিবসিনি।

(পঞ্চায়তী বাজগী মবম্দদি মথক্তা পাক্ চাওনা নৈনখ্রে)

(৩) ইন্টেন্সিভ এগ্রিকল্চব (গ্রিন্ বিভোলুসন্) ফেজ—নুংফাওনা চুংশিন্না লৌউ-শিংউবা (অশংবগী ইহৌ) গী থাংখাং—

কমুনিতি ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি দেশ অসিদা ইং ১৯৬০ অস্মাই ফাওবদি চাং মান্নবা নমুনাদা চখবক্খি। মতুং চহি মবি মঙা ফাওবদা ফিভম চাদবা কয়া লাকপদগী চিঞাকী চাথোক্ হন্থবক্পা অদুগা শেলথুম্গী লম্বীদগী হাইদোক্লা পোৎ-লন্ শিজিন্নব' তাখি, চিঞাকী ফিভম্ যাম্না খুদোং চাবক্খিদে। ইং ১৯৪৭ তগী ১৯৬০ ফাওবদা চিঞাক টোন্ মিলিযন নিফুমাথোই লুপা মিলিয়ন্ ১৭,১৫৮ চংনা মপান্দগী লৈখি। মসিগী মতুং তাবা ওইনা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা থৌবম্ কয়া পুথোক্খি। থৌবমশিং অসিগী

মনুংদা হেন্না মরু ওইবশিংদি— (ক) ইন্টেন্সিভ এগ্রিকল্চর দিস্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম্ (অশঙ্গদা আইঃএঃদিঃপিঃ), (খ) ইন্টেন্সিভ এগ্রিকল্চর এরিয়া প্রোগ্রাম্ (আইঃএঃএঃপিঃ), (গ) হায় য়িল্ডিং ভেরাইটি প্রোগ্রাম্ (এইচঃ য়াইঃ ভিঃপিঃ) নি। ইং ১৯৬০ -৬১ দা জিলা ১৬ তা হৌখিবদুনা ইং ১৯৭০ দা জিলা ১৫০ দা হেন্গৎখি ; মসিগী মহৈ ওইনা চাথোক্ য়াম্না হেন্গৎখি। ইং ১৯৫০ দা টোন্ মিলিয়ন্ য়াঙ্খ্রে পাখিবদু ইং ১৯৭০-৭১ দদি হায়বদি চহি ২০ লোম্গী মতুংদা টোন্ মিলিয়ন্ ১০৮ য়ৌখি, টোন্ মিলিয়ন্ ৫৮ হেন্গৎখি। অসুম্না চাথোক্ পুথোক্পগী ইহৌ অমা শেম্খি ; মসিবু গ্রিন্ রিভোলুসন্ হায়বদি অশংবগী ইহৌ হায়না খংনখি।

(৪) স্পেসিয়েল্ প্রোগ্রাম্ ফেজ—থোইদোক্ হেন্দোক্পা থৌরম্গী থাংখাং—

অশংবগী ইহৌনা চিঞাক্তা মীপাল্ তাংদবগী থাক্ য়ৌরক্তিঙৈদা ইনাক্খুন্বা অমসুং লাইরবগী মরক্তা লৈরিবা কাখল্ অসি য়াম্না পাক্লক্খি অদুগা দেশ অসিগী চাওখৎলবা অদুগা শোত্থহৌরবা লম্গী মরক্তা শেল্থুম্গী চাং মান্নদবা ফিভম্দা লাক্খ্রে। মসি চাথোক্ পুথোক্লবা হায়দুনা অখন্নবা থবক্ ফগৎনবা হোৎনরুবগী মহৈনি হায়না খন্নে। মতুং তাবদা শেম্থোক্ চাথোক্ চাং মান্ননবা য়াখল্দা থোইদোক্ হেন্দোক্পা (প্রোগ্রাম্) থৌরম্ কয়া অমা অমুক্ পায়খৎখি। মখোয় অসি মওং অনি থোক্ই —(ক) পান্দম্দা খন্দোক্লবা কাংলুপ্ য়েংবা (টার্গেট ওরিয়েন্টেদ), (খ) লম্গী য়েংবা (এরিয়া ওরিয়েন্টেদ)। পান্দম্দা খন্দোক্লবা কাংবুবু য়েংবা থৌরম্ হায়বসিদা (স্মোল্ ফারমর্স) অপিক্পা মখল্গী লৌউবা-লৌ একর ৫ ফাওবদমক্ লৈবা লৌউবা (মার্জিনেল্ ফারমর্স) লৌ একর ২.৫০ একর অনিমখাই ফাওবতমক্ লৈবা লৌউবা অদুগা (এগ্রিকল্চরেল্ লেবরর্স) য়ুম্গী নত্তনা অতে লম্ লৈজদবা অদুগা মীগী লৌশুদুনা মাগী আইগী তঙ্খাই অমদি ফংবা অসিগুম্বা মীওইশিংনি। মসি স্মোল ফারমর্স ডিভেলপ্মেন্ট এজেন্সিগী মখাদা তেংবাংগদবনি। প্রোগ্রাম্ অসিদা অহোংবা খরা ১৯৮০ দগী হৌনা লাক্খ্রে, অদুনা মমৈদা ইন্টেগ্রেটেদ রুরেল্ ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ (আইঃআরঃডিঃপিঃ) হায়না খংনখ্রে। মফম্-মফম্, লম্-লম্গী য়েংবা থৌরম্দনা মখল্ কয়াগী হৌদোক্খ্রে ড্রাউট্ প্রোন্ এরিয়া ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ (দিঃপিঃএঃপিঃ) ইকং থোক্পা মফম্গীনি; দিজার্ট ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ (দিঃদিঃপিঃ) লৈকংলাগীদমক্, চীংগী লম্গীদমক্ ইন্টেগ্রেটেদ ট্রাইভেল্ ডিভেলপ্মেন্ট প্রোজেক্টস (আইঃটিঃডিঃপিঃ) ট্রাইবেল্ লৈবা মফম্গীদমক্, কমাণ্ড এরিয়া ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ (সিঃএঃডিঃপিঃ) খন্দোক্লবা মফম্ খরগীদমক্

অসিনচিংবনি । অসিগুম্বা চাং মান্ননবা তৌবা চাওখৎ থৌবম্গী খোংজং অসি মিনিমম্ নিড্স প্রোগ্রাম্ (এম:এন:পি:) য়াম্ত্রবদা চংবা পীননবা থৌবম্ মঙ্গাশুবা চহি মঙ্গাগী থৌরাংগী মনুংদা হৌদোক্পদগী অমুক্ হেন্না মক ওইগ্রে ।

(৫) পোভর্টি এল্লিভিয়েসন্ প্রোগ্রাম্ (ফেজ)—লাইববগী চাং হন্থহন্নবা থৌরম্ —

মথক্কী থোইদোক হেন্দোকপা থৌবম্ অসি পিক্লা পোংথোক্ পহোক্পা কাংবুগী পোংথোক্কী চাং হেন্‌গৎনবদা অদুগা শোখনা লৈববা মফম্দা লৈবা অপনবা অদু লৌথোক্ল বদা পান্দম্ ওইখিবনি । অদুম্ ওইনমক্ মখল্ মখা কযাগী [illegible] ফংদবা অদুগা থবক হাপ্নবা [illegible] খুঙ্গংগী লম্দা [illegible] মীশিংদি হেনগৎখৎ অদুগা থবক্কী [illegible] , [illegible] মযাম্না খংনলিবা লাইববগী লৈই মখাদা লৈবা মী মশিং অসি [illegible] হেনগৎখৎলম্মী [illegible] ১৯৭২-৭৩ দা যেংখিবদা মী মিলিয়ন [illegible] মঙাগী (নোংমদা [illegible] অমনা পুং ৮ শুবগী চাংদা পাবদা) থবক্ লৈখিদে । মাবশুবা চহি [illegible] থৌবাং লোকইবদ ২ [illegible] মী মিলিয়ন ১৪ অদুগা মঙাশুবা চহি মঙাগী চহি মঙাগী থৌবাং [illegible] মী মিলিয়ন [illegible] থবক ফংখিদে হায়না পাখি [illegible] মবম্ অদুনা থৌশঙ তৌবা কাংবুনা (পোলিসি শেম্বা কাংবুনা, লাইববা লৌথোক্পা হায়বসিদা মীৎয়েং চংখ [illegible] লাইববগী চাং লেপ্পা অসি মী অমন চাবদা চংলিবা পৈশা, থাদা ফংলিবা পৈশা (মতম্ মতম্গী মমলদা) যেংলগা লেপ্পী লাইববগী লৈই অসি ইমুং অমগী চাহগী অাই (চাগা) যেংলগা লেপ্পী।

অনৌবা খুঙ্গং চাওখৎনবা থৌরম্দি লাইবববু থেংনবা মচিল্ অহুম্ পান্বা খুৎলাইনা তৌনগুম ম ইবৈ অহুম্দগী চংশিল্লি অসুম্না

(ক) খুঙ্গংগী লম্দমদা থোইদোক হেন্দোক্লা আনশুবা নত্ত্রগা অহুম্শুং মওংগী থবক্ত মশানা মশাগী থবক্ পিজনবগী খুদোংচাবা হেনগৎহনবা ,

(খ) থবক শুনিংঙাই লৈত্তবা মতম্দা নোংমগী (হাজিবা) অশুমল ফংবগী খুদোংচাবা পীবা ;

(গ) মথক্তা পনখ্রিবা স্মোল অমসুং মার্জিনেল্ ফাবমর্স ওইনা লম্গী শকক্ চামদা হুম্ফুতবাবোম্ পায়বিবা অদুগা মক হুন্‌বদি চামদা কুনহুম্দোইগুম্বদদা তৌব কাংবুগী পোংথোক্কী চাং হেন্‌গৎহন্‌বা ;

মথক্কী খুৎলাইগী মশক্ ওইবিবা মচিল্ নত্ত্রগা মশা অহুম্ লোংবা থৌওং অসিনা

অসিনচিংবনি। অসিগুম্বা চাং য়াম্লনবা তৌবা চাওখৎ থৌরম্গী খোংজং অসি মিনিমম্ নিদ্স প্রোগ্রাম্ (এমঃএনঃপিঃ) য়াম্দ্রবদা চংবা পীননবা থৌরম্ মঙাশুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মনুংদা হৌদোক্পদগী অমুক্ হেন্না মরু ওইগ্রে ;

(৫) পোভর্টি এল্লিভিয়েসন্ প্রোগ্রাম্ (ফেজ)—লাইরবগী চাং হুহ্‌হন্নবা থৌরম্ —

মথক্কী থোইদোক্ হেন্দোকপা থৌরম্ অসি পিক্না পোৎথোক্ পথোক্পা কাংবুগী পোৎথোক্কী চাং হেন্‌গৎনবদা অদুগা শোথনা লৈরবা মফম্দা লৈনা অপনবা অদু লৌথোক্ত বদা পান্দম্ ওইখিবনি। অদুম ওইনমক্ মথল্ মখা কয়াগী থৌরম্ লৌদোক্ত্রবদসু থবক্ ফংদবা অদুগা থবক্ য়াংনা ফংবগী চাং অসি খুঙ্গংগী লমদা শীংথোবা মনা হুক্লংদে। মীশিংদি হেন্‌গৎখি অদুগা থবক্কী খুদোং চাবদি য়াংনা ফংখি, অদুনা লাইরবা কার্মিক ময়াম্না খংনরিবা লাইরবগী লৈই মখাদা লৈবা মী মশিং অসি য়াম্না হেন্‌গৎখিরম্মী। চঃ ১৯৭২-৭৩ দা য়েংখিবদা মী মিলিয়ন্ চামগ্রাগী (নোংমদা মী অমনা পুং চপ্শুবগী চাংদা পাবদা) থবক্ লৈখিদে। মরিশুবা চহি মঙাগী থৌরাং লোইবদা থবক্ ফংদনা মী মিলিয়ন্ ১৪ অদুগা মঙাশুবা চহি মঙাগী চহি মঙাগী থৌরাং মতুংদা মী মিলিয়ন ২২ থবক্ ফংখিদে হায়না পাখি। মবম্ অদুনা থৌশিল্ তৌবা কাংবুনা (পোর্লিস্ শেম্না কাংবুনা) লাইরবা লৌথোক্পা হায়বসিদা মীংয়েং চংখি। লাইরবগী চাং লেপ্পা অসি মী অমনা চাবদা চংলিবা পৈশা, থাদা ফংলিবা পৈশা (মতম্ মতমগী মনুংদা) য়েংজগা লেপ্পী। লাইরবগী লৈই অসি ইমুং অমগী চাহ্নগী আই (চাগা) য়েংলগা লেপ্পী।

অনৌবা খুঙ্গং চাওখৎনবা থৌরম্দা লাইরবশু থেংননবা মচিল্ অহুম্ পানবা খুৎলাইনা তৌবগুম্ মাইকৈ অহুম্দগী চংশিল্লি অসুম্না--

(ক) খুঙ্গংগী লমদদা থোইদোক্ হেন্দোক্না অনশুবা নত্তুগা অহুম্শুবা মওংগী থবক্তা মশানা মশাগী থবক্ পিজনবগী খুদোংচাবা হেন্‌গৎহন্‌বা ;

(খ) থবক্ শুনিংঙাই লৈতবা মতম্দা নোংমগী (হাজিরা) অশুমল্ ফংবগী খুদোংচাবা পীবা ;

(গ) মথক্তা পনখিবা স্মোল্ অমসুং মার্জিনেল্ ফারমর্স ওইনা লমগী শরুক্ চামদা হুম্ফুতবাবোম্ পায়রিবা অদুগা মরু হুনবদি চামদা কুনহুম্দোইগুম্বদদা তৌবা কাংবুগী পোৎথোক্কী চাং হেন্‌গৎহন্‌বা ;

মথক্কী খুৎলাইগী মশক্ ওইরিবা মচিল্ নত্তুগা মশা অহুম্ লোংবা থৌওং অসিনা

লাইববা হাযবা অদু মাংহনগদৌরিবান।

(ক) অহানবা ফওম মশানা থবক পীজবা হাযবা থৌওং অসিগী মকওইবা স্কীম নত্রগা থৌরাং পৰ্থশিল অদুদি ইন্টেগ্রেটেদ রুরেল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ (আইঃআরঃডি.পি.) হায়রাসি।

মসিগী মখ দা স্কীম ওইনা

(১) ট্রেন ওব রুরেল যুথ ফর সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ত ত্রাইসম হায়বা অমা,

(২) ডেভেলপমেন্ট ওফ উইমেন এন্দ চিল্ড্রেন ইন রুরেল এরিয়াস (ডি.ডাব্লু.সি.আর.এ.) [illegible]

(খ) [illegible] (বজা), [illegible]

(১) [illegible] রুরেল এমপ্লোইমেন্ত প্রোগ্রাম (এন. আর. ই. পি.)

(২) [illegible]

[illegible]

[illegible]

(৩) [illegible]

[illegible]

(খ) ইন্টেগ্রেটেদ রুরেল্ ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ (আইঃআরঃডিঃপিঃ)

আই.আর.ডি.পি. হায়বসি খুঙ্গংগী লাইরবা মীওইদা থৌশিল্ অমগী মখাদা চংখৎনগা থবক্ তৌগদৌনা ঙংকৈনা আই ফংহন্নবা অমদি মশানা মশাগী থবক্ পীজনবা পাংথোক্পা কেন্দ্র সরকারগা রাজ্য সরকারগা ৫০:৫০ গী চাংদা শেল পুথোক্লদুনা চত্থবা থৌরম্ অমনি প্রোগ্রাম্ অসি ইং ১৯৭৮-৭৯ দ খুঙ্গংগী ব্লোক ২০০১ গী মনুংদা ব্লোক খবদদা হৌখি, মতুংদা ইং ১৯৮০ গী ওক্টোবরগা তাং ২দগী ব্লোক্ খুদিংদা চৎনবা হৌখ্রে । মাসিগী পান্দমদি খুঙ্গংগী লমদমদা লৈরিবা লাইরবগী পাইজগী মখাদা লৈবা ইমুং অদুদা তেংবাং পীশিন্দুনা থবক ফংহল্লগা লাইরবগী লৈই নত্রগা পাইজ্বা অদু লান্থোক্হনবনি ।

"লাইরবগী লৈই"

(১) ইমুং অমগী চহিগী আই অসি লুপা ৬৪০০ নত্রগা বাংনা ফংবা তারবদি মদুবু লাইরবগী লৈইগী মখাদা লৈবা কৌই ,

(২) থৌরম্ অসিগী মখাদা ইমুং অদুগী আইগী থাক্ অদু লুপা ৬৪০০ যৌনবা তেংবাংবা তাই ,

(৩) 'কটঅোফ লাইন' হায়না খংনদুনা চহিদা লুপা ৪৮০০ ফংবা ইমুং অমবু তেংবাংনবা খন্দোক্পা হৌই । অদুম্ ওইনমক্ লাইরবদগী লাইরবা হায়বদি খ্বাইদগী লাইরবা অদুদা হান্না তেংবাং পীবা তাই ; অদুনা চহিদা লুপা ৩৫০০ ফংবা ইমুংশিং হান্না খন্দোক্ই । অসুম্না লুপা ৩৫০১ দগী লুপা ৪৮০০ ফাওবগী মনুংদা আই লৈবা ইমুং মখৈ মশক্ খংবা তাই ।

এপ্রিল্ ১৯৯২ দগীদি পোৎকী মমলগী চাং যেংদুনা লাইরবগী লৈই অসি চহিগী আই লুপা ১১,০০০ দা লেপ্লে । কটঅোফ লাইন্ অসি লুপা ৮৫০০ ওইরগনি অদুগা তেংবাংবা হৌগদবসি লুপা ৬০০০ ফংবা ইমুংদগী হৌবা তাই। খন্দোক্লদবসি লুপা ৬০০১ দগী লুপা ৮৫০০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইমুংশিংনি ।

তেংবাংগদবা কাংলুপ্ –

তেংবাং পীগদৌবিবা হাযবদি কান্নবা ফংগদৌবিবা মীওই মখল্‌দি মথক্তা পনখ্রিবা স্মোল্ ফার্মর, মার্জিনেল্ ফার্মর, এগ্রিকল্‌চরেল্ লেববর্স হাযবিবা কাংবু অসিনি। প্রোগ্রাম্ অসিগী মখাদা চহিদা ব্লোক্ অমগী মনুংদা ইমুং ৬০০ তেংবাংদুনা তকক্‌শুবা চহি মঙাগী থৌবাংগী মনুংদা ব্লোক্ অমদা ইমুং ৩০০০ বু তেংবাংবগী পান্দম্ থম্‌খি। কান্নবা ফংগদৌরবা মীগী মনুংদগী চাদা ৩০দি সিদ্যুল্‌দ কাস্ট অমসুং ত্রাইবর্কী মীওইদগী অদুগা যাম্‌দ্রবদা চাদা ৩০না নুপী ওইগনি।

শাসনগী থৌরাং –

থৌবম্ অসি পাংথোক্লবগীদমক্ রাজ্যগী থাক্তা ষ্টেট লেভেল্ কোওর্দিনেটিং কমিতি লৈ, চীফ সেক্রেটরিনা চেযারমেন অদুগা সেক্রেটরি (ডিভেলপমেন্ট) না অশিল অবাং তৌনৈ, সেক্রেটরিবগী মখাদা থবক যেংশিন্নবা অদুগা চুংশিন্নবা মোনিটরিং সেল হাযদুনা থমই। জিলাগী থাক্তা দিষ্ট্রিক্ট রুরেল ডিভেলপমেন্ট এজেন্সি দিঃআরঃডিঃএ; অমা দিপুটি কমিসনারনা মকোক্ ওইনা লৈ, এজেন্সি অসিনা অশিল অবাং তৌনৈ, রাজ্য হবদাদ থবক অসি জিলা পরিষদনা পাইশিল্লি। ব্লোকী থাক্তা চাহগী এক্সন প্লান শেম্বা, থৌবম্ পাংথোক্পা অদুগা মদুগী মখা তারা মহৈ অদু খংহনবগী থবক অসি ব্লোক ডিভেলপমেন্ট অফিসার (বিঃডিঃওঃ) না মকোক্ ওইনা মাপা স্টাফ্‌কা লোযননা তৌই।

আইঃআরঃডিঃপিঃ গী থৌবম্‌গী মনুংদা পরেং অমা ওইনা পাযখৎকম্ থোকপশিং –

(১) ই পাও শন্দোক্পা –

থৌবম অসি মাই পাক্লনবগী অহানবা খোংথাংদি মসিগী মরমদা ই পাও ফজনা শন্দোক্পনি। থবক অসিদা চংসবা এক্সটেন্সন্ অফিসারশিং, গ্রাম সেবকশিং, পঞ্চাযত সেক্রেটরিশিংনা চংবা পুন্নমক্ থবক্ অসিগী জ্ঞান্ চপ্ চানা লৈনবা হোৎনগদবনি। জ্ঞানশিং অসি লৈববা তুংদা খুঙ্গংগী খবাহেন্না ভাব তারা মীওই লৌ উবা, থবক্ শুবা, স্কুলগী ওঝা অদুগা লন্নাই লুপ্ কযাগা হক্‌থেংননা উনদুনা ৱাবি-ৱাতাই শাবা চংই। সরকারগী পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টনসু অচৌবা থৌদাং লৌবা তাই। থৌবম্ অসি হৌদ্রিডৈদা মসি কবিনে, কবি কবি তৌগনি, কবম্না তৌগনি, কনাগা থেংনগনি, কবম্না তেংবাংগনি হাযবনাচংবা খংহনবা তাই, মসি নিংথিনা চথদবনা থৌবম্ অসি মাইথিনবগী মরম ওই।

(২) অনিশুবদা খুঙ্গংগী ইমুং মনুং থিদোক্পা—(সর্ভেতৌবা)

খুঙ্গংগী অখন্নবা মীওই, লন্নাই লুপ্, নহারোল্নচিংবা মথক্তা পন্খ্রিবা অদুগুম্বগী মতেং য়াবমখৈ লৌদুনা ইমুং খুদিংগী চহিগী লাক্লিবা আই খংদোক্পা হাযবসি অনিশুবা খোংথাংনি। মসি চুম্না তৌবা ঙম্লবদি তেংবাংগদৌরিবা মীশক্ ময়েক্ শেংনা খন্দোক্পদা ইলাই লাইনা থোক্কনি।

(৩) কান্নবা ফংগদৌরিবা মীশক্ খন্দোক্পা--

থৌরম্ অসি পাংথোক্পদা মসিগী খোংথাং অসি খ্বাইদগী মরু ওইবনি, মসি চুম্না তৌবা ঙম্লবতদা থৌরমগী অফবা মহৈ ফংগনি। মথক্কী ইমুংগী আই থিদোক্পগী থবক্ লোইরবদা লাইরবগী লৈউগী মখাদা লৈবা ইমুং পুম্নমক্ ইথোক্লনা থম্গনি। কান্নবা ফংগদৌরিবা মীশক্ খন্দোক্লবা খুঙ্গংগী ওইবা মীয়াম্গী মিটিং গ্রাম সভাগী ওইনা পঞ্চায়তকী মেম্বরশিং, ব্লোক্কী থবক্ তৌবশিং, বেঙ্ককী মীহুৎ অদুগা অতৈ লুপকী মীহুৎ য়াওবা অমা কৌরগা লাইরবা তেংবাংবা যাবা মীশক্ খন্দোক্কদবনি। মসিদা ময়াম্না য়াবা মীশক্ খন্দোক্পা ঙম্লবদি খ্বাইদগী ফবা ওইগদবনি।

(৪) স্কীম্ নত্ত্রগা থবক্কী থৌরাং খন্বা --

কান্নবা ফংগদৌরিবা মী খন্দোক্লবা তুংদা মীশিং অদুনা পায়খৎপা য়াবা কান্নগদবা, মী মীশিং অদুগী অপাম্বা, চানগদবা থবক্ খন্দোক্পা হায়বসি মথং খোংথাংনি। মসিদা থবক্কী অহৈ- অশিংনা থবক্ অদু পাংথোক্পদা শেল্-থুম্গী ফিভম্ ফংগৎপা ঙম্গদবা অদুগা বেঙ্ককী মীনা শেন্থং পীবা ঙম্গদবা, মী অদুগা চানগদবা, পাইগদৌরিবা থবক্ অদুগা মফম্ অদুগা চান্বরা হায়বনচিংবা হিরম্ কয়াদা য়েংগদবনি।

(৫) স্কীম্ গ্রাউণ্ডিং তৌবা— থৌরাং অদুগী মওং শেম্বা—

থবক্ অসিদা গ্রাম্ সেবকচিংবনা থবক্কী থৌওং, মথং মনাওনচিংবগী মরম্দা কান্নবা ফংগদৌরিবা মীশিংদা লম্জিংগদবনি। শেল্ ওইনা পীবগী মহুৎতা পোৎ ওইনা ফংহন্বনা হেন্না ফৈ। মতাং অসিদসু সরকাবগী দিপার্টমেন্টশিংনা য়াবমখৈ খুদোংচাবা পীননবা হোৎনগদবনি। পোৎ-লন্শিং অদু করম্না শিজিন্নগদগে, থৌরম্ অদু করম্না মাই পাক্লা পাংথোক্কদগে হায়বনচিংবগী লম্জিং পীগদবনি।

(৬) স্কীম্ মোনিতরিং তৌবা—থৌরাংগী মরম্দা য়েংশিন্ খোৎচিন্বা--

মসিগী থৌওং অসি য়াম্না মরু ওই। সরকারগী থবক্ তৌবা খুঙ্গংগী থাক্কী

অফিসাবশিংনা তোইনা তোইনা চৎতুনা থবক্ চথবিবা মওং কুপ্না য়েংদুনা পিফম্ থোক্পা বিপোর্ট পিবা, অৱাৎপা, অপাম্বা খংদোক্পা, চুম্থোক্পা য়াবা লম্বী তানবা অসিনচিংবা অসি য়াম্না মক ওই ; বিকাশ পত্রিকা, আইদেন্টিটি-কম্-মোনিতবিং কার্দ যেংগদবনি । লৌখিবা শেন্থুং মতম্ চানা শিংলিববা, শিংদ্রগদি শিংদোক্লবা তক্লবা, পাওতাক্ পিবা তাই । পোৎ যোন্ফম্ ফংদ্রবদি ফংননবা হোৎনবা, কান্নব ফংলিবা কাংবুগী ক্লব্ শেম্নবা হোৎনবা তাই ।

মথক্কী থবক্কী মথং মনাও পিবিবা থৌওং মযাম্ অসিগী মনুংদা অমদা নত্তগা অমদা শোইবদা থবক্কী মতৈ ফংবা বাগনি । দেশ অসিদা পাংথোক্লখিবা আইঃআবঃডিঃপিঃ গী মতৈ ফংথম থোকপা অদু যৌনা ফংখিদ্রবা অসি থাক অমদা নত্তগা অমদা শেইবদগনি । থৌবম্ অসিদা চেন্নাববা লন্নাই মীওই, লুপ্ এজেন্সি অদুগা সবকাব পুন্নমক্না দাযিত্বনি ।

পনবা যাবা অমনা খুঙ্গং চাওখৎ থৌবম্ পায়খৎনবা প্রজাগী মীখুৎনা শাবা, প্রজাগা অবা অনা খংবা পঞ্চায়তা বাজগী লোইশঙ কযা লৈব্রবদস্ মখোইদা থৌবম খাস চপচানা শিন্নাখদবা, অদুগা সবকাবগী বুবোক্রেটশিংনা পায়খিবা অসিসু খাইদগী চাওনা শোইখিবা অমান । বাজ্য খবদাদ দিঃআবঃ ডিঃএঃ গী থবক অসি জিলা পাবষদত মপুং ফানা শিন্নবা যাওই, অদুগুম্বা মফমদদি খবামখৈ মতৈ চাখ হাযবা খংবা ঙমই । জিলা পাবষদ লিংদবা অদুগা মুথংখিবনা য়াম্বনা দিঃআবঃডিঃএঃ শেমখিবানি, জিলা পবিষদ লৈববাদ এজেন্সি আস লৈবগী মথৌ তাদে । আইঃআবঃডিঃপিঃ গী থৌবম পাযখৎপদা থোইদোক হেন্দোক্লা অৱাং নোংপোক্কী লমদা খুদোং চাদবা কযা খেংনখি । মদুদি :

(ক) বেঙ্ককী খুদোংচাব শাখিনা বাংলা ফংবনা কানবা নংগদৌবব মীওইদা শেন্ যৌহনবদা মাতক চানা থৌনাং লৈতবা ;

(খ) পোৎ ওইনা পানবা হোৎনবা মদু খুদোং চানা ফংদবা, অদুগা লোইশঙ কযাগী তেংবান্দা অদুগা অহৈ ভাকলৈ ওইবা মচাক কয়া যংবদা কা থেম্না বাংখিবা ,

(গ) ত্রাইবেলশিংগা মবক্তা লমগী মপু অসি পুন্না ওইমিন্নবনা মখোয়গী মবল্ লেপ্লদা খুদোংচাদবনা অদুগা লেপ্লদি তাবনা কান্নবা ফংহনখিদবা;

(ঘ) থৌবম্ পাংথোক্পদা চপ্ চাবা লোইশঙ পঞ্চায়তশিংবু মপুং ফানা

হক্থেংননা য়াওহন্খিদবা ; অসিনচিংবনি।

খুঙ্গংগী লাইববা মীশিংদা চান-চান্বা শিন্ফম্ খন্দোক্লগা লম্দম্ অদুদা ফংলিবা পোৎথোক্, পোৎ-য়োন্ফম্, লম্ অদুদা থবক্ অদুনা কান্নবা পীগদৌবিবা অসিনচিংবা য়েংদুনা (স্কীম্) থৌবাং শেল্লবা তুংদা শেল্থং সবসিদি অমদি মচাক্ পীদুনা থবক্ তৌহল্লগা লেপ্তুনা আই ফংহন্বা হায়বসি আইঃআবঃডিঃপিঃ গী পান্দম্নি। ফিভম্ অসি তাহল্লবদি থৌবম্ অসি মাইপাক্কনি।

(গ) এাইসেম্-ট্রেনিং ওফ রুরেল্ য়ুথ্স ফোর সেল্ফ এম্প্লোইমেন্ট –

এাইসেম্ হাযবসি খুঙ্গং চাওখৎনবা অদুগা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা লৌখৎখিবা থৌবম্ আইঃআবঃডিঃপিঃ গী মখাগী (সব স্কীম্) থৌবাং মখা ওইনা লৌখৎপনি। স্কীম্ অসিগী অশম্বা মওংদা ত্রাইসেম হায়বিবসি অশাংবা মওংর্দদি ট্রেনিং ওফ রুবেল্ য়ুথ্স ফোব সেল্ফ এমপ্লোইমেন্ট হাযবনি। মসিনা তাক্পদি খুঙ্গংগী নহাবোল্না মশাবু থবক্ পিজবদা ট্রেনিং তৌবা হাযবনি। মসি কেন্দ্র সবকাবনা শৌগৎপা থৌবাং অমনি, অদুগা ইং ১৯৭৯ গী আগষ্টকী তাং ১৫ দা ভাবত সবকাবনা রুবেল্ ডিভেলপমেন্টকী মখাদা হৌখিবনি। মসি আইঃআবঃডিঃপিঃ হাযবসিগা থানবা যাদ্রবা শাগোন্নবা মচাক্ অমনি। চাওখৎনবগীদমক্ ঐখোয়না প্লানিং তৌবি – হাযবিবা (প্লানিংগী) থৌশিল্গী যুগ অসিদদি মী হায়বসিনা পোত্থোক্ লম্থোক্ (বিছোর্স) পুম্নমক্তগী খ্বাইদগী মক ওইবা অমদি মমল্ যাম্বা লর্নানি। মী চাওখৎহন্বা হায়বসি থৌশিল্দা অচৌবা লম্জং অমনি। মী চাওখৎনবগীদমক্ থবক্ মবাং কাইনা পীবা তাই অদুগা পীবিবা থবক্ অদু খং-হৈননবা ট্রেনিং পীবা তঙাইফদবনি। আইঃআবঃডিঃপিঃ গী মখাদা থবক্ পায়গদৌবিবা মীওইশিংদা মাংজৌননা থবক্কী মবম্দা খুদোং চাননবা অদুগা পোবম্ শিন্বগী জ্ঞান্ অদু ফংহন্নবা ট্রেনিং পীবা তাই। ট্রেনিং ফংগদৌবিবা মীশিং অসি লাইববগী পঙ্খেগী মখাদা লৈবা মীওইনি।

পান্দম্– এাইসেম্গী পান্দম্দি খুঙ্গংদা, লাইববগী লৈইগী মখাদা লৈবা চহি ১৮ দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা মশানা থবক্ পীজগদৌবিবা নহাবোল্শিংদা লৌউ-শিংউ অদুগা মসিগা মবি লৈনবা থবক্, খুৎনা শুবা থবক্ অসিনচিংবা থবক্কী কাববাবগী লম্বীদা তম্বিবনি। তম্বিগদবা নহাবোল্শিংগী য়াম্দ্রবদা চাদা ৩০ দি সিদ্যুল্দ্ কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্দ্ ত্রাইব অদুগা য়াম্দ্রবদা চাদা ৩৩⅓ দি নুপী ওইগদবনি।

মী অমসুং থবক্ খন্বা— কান্নবা ফংগদৌরিবা মীশিং অসি ব্লোক্কী থাক্তা ব্লোক্ ডিভেলপ্মেন্ট অফিসারনা মরি লৈনবা ট্রেনিং সেন্টর, বেঙ্ক, খাদি অমদি ভিলেজ ইন্দসট্রিজ, পঞ্চায়তকী মীওইশিং, দিষ্ট্রিক্ট ইন্দসট্রিজ সেন্টর (দিঃআইঃসিঃ) নচিংবগা তান্নরগা খল্লি । তম্বিগদবা শীন্লম্দি দিষ্টিক্ট রুরেল্ ডিভেলপ্মেন্ট এজেন্সিনা (দিঃআরঃডিঃএঃ) না দিঃআইঃসিঃ অদুগা অতৈ জিলাগী থাক্তা লৈবা অফিসারশিংগা তান্নদুনা মফম্ মফম্গা চানবা মচাক্, পোৎথোক্ য়োন্ফম্ ফংগদবা অসিনচিংবা য়েংদুনা লেপ্লি । শম্না হায়রগা থবক্ তৌনা তৌনা তম্বগী মওংদা খুৎথেংননা শুদুনা থবক্কী লৌশিং তান্বগী মওংদা ওইগনি ; অদুতা নত্তনা মতম্ মতম্গী চৎথরক্লিবা চাওখৎ-থৌবম্গী থৌওংগা চুশিন্নবা য়াবা মওংদা চত্থগনি । মরু ওইনা হিসাব শুবগী চাওবাক্পা জ্ঞান্, পোৎ য়োন্বগী অচম্বা লৌশিং, পোৎ পুথোক্পগী শেঞ্জংগী মরম্দা খংবা. কারবারগী অশিন্-অবাংগী লৌশিং, তেংবাং ফংগদবা বেঙ্কনচিংবা এজেন্সিশিংগী মরম্দা তম্বিনবা হোৎনৈ ।

ট্রেনিং তৌফম্ অমদি তম্ফম্ - মহে তম্ফম্শিংদি, ট্রেনিং পীননবগী হান্না লৈরম্বা মফম্, খুদম্ ওইনা গ্রাম্ সেবক্ ট্রেনিং সেন্টর, গ্রাম্ সেবিকা ট্রেনিং সেন্টব, ফারমর্স ট্রেনিং সেন্টর, কৃশি বিজ্ঞান্ কেন্দ্রশিং, খাদিএণ্ড ভিলেজ ইন্দসট্রিজ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুৎ, লৌউ-শিংউ অমদি মরি লৈনবা বিষয়গী বিশ্ববিদ্যালয়, ইন্দসট্রিয়েল্ ট্রেনিং ইন্সটিট্যুৎ, পোলিটেক্নিক্ অদুগা অতৈ অতৈ রাজ্যগী অদুগা কেন্দ্রগী ট্রেনিং তৌফম্শিং অসিদা ট্রেনিং পিবা য়াই । অসিদা নত্তনা কনাগুম্বা হিরম্ কয়াদা হৈরবা আর্টিসান্ শক্লাইবা মীওই অমগী মখাদা থম্দুনা তঙাই ফদবা লৌশিং, মহৈ অমদি টেক্নিকেল্গী মহৈ, কারবারগী জ্ঞান্ ফংহন্বসু য়াই ।

খুজিল্ থৌরাং—ট্রেনিং হৌরক্পদগী হৌনা শেন্থুং পীগদবা লোইশঙ, পোৎ পীগদবা অদুগা য়োন্নবা এজেন্সিশিংগা লোইনবা হৌই । থবক্কী (প্রোজেক্ট) থৌরাং অমা শেন্নগা (লোন্) শেন্থুং, (সবসিদি) শেল্ তেংবাংগুম্বা, চংগদবা পোৎচং ফংননবা থৌরাংসু তৌই । ট্রেনিং পীরিবা কাংবুগা, ফংগ্রবা কাংবুগা অনিগী মরি তৎনদনবা মতুং তাবা পাওতাক্, লম্জিং, তেংবাং পীননবা, নৌনা শেম্দোক্-শাদোক্লবা অনৌবা থবক্কী জ্ঞান্ পুথোক্লক্পা অদু খংহন্নবা, পোৎচাক্ ফংনবা অদুগা পোৎ-য়োন্বগী খুদোং চাবা ফংহন্নবা থৌরাংসু তৌই ।

তন্নিঙৈদা পীবা শেল্গী তেংবাং— ট্রেনিংগী মতম্ অসি অয়াম্বা মতম্দা থা ৬ তগী হেন্দে, অদুবু ট্রেনিংগী মওং য়েংদুনা ষ্টেট লেভেল্ কোঃ ওর্দিনেটিং কমিতিনা হোংদোক্ হোংজিন্ তৌবা য়াই। ট্রেনিং তৌবিঙে মনুংদা স্টাইপেন্দ পিবগী নিয়ম্ লৈ। ট্রেনিনা লৈবিবা অদুগা ট্রেনিং তৌফম্গী অথাপ্পগী মতুংইন্না থাদা লুপা ৭৫ দগী লুপা ১০০ ফাওবা পিনৈ। ট্রেনিংগী মতম্না থা অমদগী তাববদি নোংমদা লুপা ৬ নত্রগা যাম্লবদা পুন্না লুপা ১০০ ফাওবা পিবা য়াই। খুল্গী ব্রাংমদা তৌবা তাববদি থাদা লুপা ২০০ ফাওবা পিবা য়াই অদুগা মতম্ অদু থা অমদগী তাববদি নোংমদা লুপা ৭ নত্রগা পন্না লুপা ১০০ ফাওবা পিবা য়াই। মসিগী মথক্তা খুৎশু খুৎলাই চবুল্ অমা টুল্ কিট হায়দুনা লুপা ৫০০ ওইনা নত্রগা পোৎ ওইনসু পিবা যাই। অহৈবা মীগী মখাদা তৌবা ট্রেনিংগীনা থাদা লুপা ৫০ অদুগা মচাক লৈননবা থাদা লুপা ২৫ গী চাংদসু শেংফম পাদ। ট্রেনিং পিববা তুংদস্ শেলপু (লোন্) পাননবা থৌবাংসু তৌই। মথক্কী শেংফম্শিং অাস আইঃআবঃডিঃপিঃ গী পাইদোক্লিব. শেনফমদগী এ্ইসেম্গী তোঙাংগা খাইদোকই।

অসুম্না এাইসেম হায়াববা অসি আইঃআবঃডিঃপিঃ গী থবক্ মহৈ যন্দুনা থবক ফংদবা খুঙ্গংগী নহাবোলদা মশানা থবক্ পিজহনবতা নত্তনা মাংগী তুংগী যেংদুনা ট্রেনি পিবগা থবক্তা খুৎথাবা যাননবা, থবক্ ফংননবা, থবক্ ফংবগী চাং হেন্ননবা. হোৎনবগা লোয়নন্না নহাবোলব্ থবক্তা পুশিন্দুনা খুঙ্গং চাওখৎনবা হোৎনবা থৌবাংনি।

(ঘ) (ডিঃডব্লিউঃসিঃআরঃএঃ)—ডিভেলপ্মেন্ট ওফ রুমেন্ এণ্ড চিল্ড্রেন্ ইন্ রুরেল্ এরিয়াজ—

মসিগী ব্রাখল্লোন্ অমসুং পান্দম্—আইঃআবঃডিঃপিঃগী থবক্ চখবক্পা মতম্দা ইমুং অমদা অদুগা নুপীনা মকোক্ ওইনা লৈবা ইমুংদা নুপীশিংদা তেংবাং পিরগা পুক্নিগী গুণ্ হেন্গৎহন্নবা আইঃআবঃডিঃপিঃ গী শকক্ অমা ওইনা থৌবম্ অমা হৌদোক্পা অসি খন্নবকই। নুপীগী শেম্ষোক্ লৈহন্বা অসিগা ইমুং অমগী চিঞ্জাক্ নিংথিনা চাবা ওন্বা, লাইরিক্ হৈবা অদুগা নুপীগী থাক্ ব্রাংখৎহন্বা অসিনচিংবগা মরি লৈনৈ। মবম্ অদুনা নুপীগী শেম্ষোক্ লৈননবা লম্বী ফাৎপা অসিগী তঙাই ফদবা ওই। নাকল্ অমবোম্দা কাংলুপ্ শেমদুনা তেংবাং ফংগদবা নুপীশিংদা মফম্ অদুগীদমক্ ওইনা খাইদোক্লিবা থবক্ কয়া অদুগা পোৎশিং ফংহন্বা হায়বসিসু অপাম্বা ফিভম্ অমা ওই।

তোপ্ তোপ্পা মওং-কান্নবা ফংগদৌবিবা মীগী কাংলুপ্তি আইঃআবঃডিঃপিঃ দা ওইবা অদুনি ; অদুবু খেন্নবিবদি মখোয় অদু য়ৌননবা মওংদি তোঙান্ তোঙানবা মীওই অমমম্দা নত্তে; কাংলুপ্ শেম্নগা কান্নবা ফংগদৌবিবা মীশিংদা পুন্না যৌবা অদুনি। শেম্বোক্ লৈগদবা থবক্কীদমক্ আইঃআবঃডিঃপিঃগী নমুনাদা বজেটতগী শেল্ কাইথোক্কদর্বনি।

অসিগুম্বা ফিভমদা হার্যবিবা থৌবম অসি বাজ্য ২২গী অখন্নবা জিলা ৫০ দা ইং ১৯৮২ ৮৩ দা হৌদোক্খি। তবেৎশুবা চহি মঙাগী থৌবাংগী মনুংদদি ইউনিয়ন্ টেৰিটৌবিশিংদসু চৎনবা হৌখ্রে।

থৌবাং অসিগী মচাক্ ওইনা অহানবদা কাংলুপ্ শেম্বা থৌবা, অসিদা পুন্না কান্নমিন্নবা যাবা থবক্ অমগীদমক নুপী ১৫দগী ২০ যাওবা পুনশিনবা কাংলুপ অমা শেমই। মসিদা এসিস্টেন্ট প্রোজেক্ট অফিসাব, মুখ্য সেবিকা, গ্রাম সেবিকা শিংনা কাংলুপ্ অসিনা তৌগদবা থবক্ কাংলুপ শেম্বগী মরম নুপীশিংদা থোইদোক তেৎদোকপা পুক্রং খিৎজাল্লবগী মরম নুপীশিংনা থেংননবা খুদোংথিবা, অদুগা মদু কোক্লনবা পুন্নমক আসনা মরমদা তাকই। কাংলুপ্ শেম্নসিদা নুপীশিংগী মরক্তা লৈনবা মীব, অদুগা মখোযগা সবকাবগী ওইনা খুঙ্গংগী মাক্তা থবক্ তৌবিবা মীওইশিংগদা মরিমু খংহল্লি। কাংলুপ্ শেম্নবা তংদা মখোযগী মরক্তগী কাংলুপকী (ওর্গেনাইজর) শাল লাংবা অমা মখোযগা অদুগা সবকাবগী থবক পুবিবা কাংদগা মরি থম্মনবা ওইনা খন্দোক্ই।

কাংলুপ্ অমদা ফংহনবা যাবা তেংবাংদি -

(১) লুপা ১৫,০০০ মুক্তংগী ওইনা কেন্দ্র সবকাব অমসুং ইউনিসেফনা চাং মান্ননা পুথোক্ই। শেনফম্ অসি মখাগী অসুম্না শিজিন্নবা য়াই।-

(ক) শেনফম্ অসি মচাক্ লৈবদা অদুগা পোৎ য়োনবদা উংদুনা শিজিন্ননবনি ;

(খ) গ্রুপ্ ওর্গেনাইজরশিংদা চহি অমগীদমক্ থাদা লুপা ৫০ গী চাংদা ওনবেবিয়ম্ ওইনা পিবা;

(গ) শেম্বোক্ লৈগদবা থবক্ লৌখৎপদা হৌদোক্শেল্ ওইননবা ;

(ঘ) অঙাংবু চেক্শিন্না শেন্নবগী খুদোংচাবা শেম্বদা অমুক্তংগী ওইনা খবচ তৌনবা ;

(২) গ্রুপ্ ওর্গেনাইজরগী চৎথোক্ চৎশিন্গী চহি অমগী ওইনা লুপা ২০০ গী চাংদা পিবা ;

থৌবম্ অসিগী মরুওইবা মচাক্ ৪ লৈ :-

(ক) শেম্থোক্ নত্তুগা আই পুথোক্কদবা থবক্ কয়া গ্রুপ্ নত্তুগা কাংলুপ্ অদুগী মেম্বরশিংগীদমক্ থিবা;

(খ) এনঃআরঃইঃপিঃ অমসুং আরঃএলঃইঃজিঃপিঃগী থবক্ মফম্দা মেম্বরশিংনা থবক্ শুবিঙৈদা মখোয়গী অঙাংশিংবু য়েংশিন্নবা খুদোং চাবা থম্বা ;

(গ) দিঃডব্লিউঃসিঃআরঃএঃ দ্বোক্রা হায়না খংনবিবসিগী খুঙ্গংদা থৌবম কয়াগী ওইবা কমুনিতি সেন্টর, ট্রেনিং তৌনবা অমসুং (দিমোন্ষ্ট্রেসন্) থবক্ উৎনবা য়ুম্ শাবা ;

(ঘ) দ্বোক্রাগী থবক্ পাংথোক্লবা হোৎনবদা চেন্নবা এজেন্সি কযাদা তেংবাং পিবা ;

আই পুথোক্কদবা থবক্শিং—দ্বোক্রাগী মখাদা থবক্ খন্দোক্পা অসি কাংলুপ্ অদুনা এসিষ্টেন্ট প্রোজেক্ট অফিসার অদুগা গ্রাম্ সেবিকা অমসুং মুখ্য সেবিকাশিংগা লোয়ননা পাংথোক্ই । মসি তৌবা মতম্দা তুংদা নিং মাং অনিমক্তা য়েংদুনা মফম্ অদুদা থবক্ অদু পাযবদা খুদোং চাব্রা অদুগা থবক্ অদুদা তেংবাংনবা, ঙাক্লৌ পীননবা খাদি এণ্ড ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দ, দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টরগুম্বা লৈরা হায়বগুম্বা য়েংহৌবা তাই ।

মবম্ কয়াগী ওইবা সেন্টর—দ্বোক্রা ব্লোক্ অমগীদমক্ দিপার্টমেন্টনা মবম্ কয়াগী ওইবা ট্রেনিং কম্-প্রোদক্সন্ সেন্টর হায়বদি থবক্ তম্না তম্না পোৎথোক্ পুথোক্লবগী মফম্ অমা লিংখৎলি । মসিদা থবক্ তম্বিবা, পোৎ শেম্-শাদুনা পুথোক্পা অদুগা থবক্ শুবিবা নুপীশিংগী মচাশিংবু য়েংশিন্বগী থৌবাং লৈ । গ্রাম্ সেবিকাগী লৈফম্সু মফম্ অসিদা থম্গদবনি । মসিগী অচংবা পৈশা অদু আরঃএলঃইঃজিঃ পিঃগী ফণ্ডদগী, অতৈ প্রোজেক্টতগী ফংই । অহেন্বা পোৎকীদমক্ চংবা শেল্ অদুগীদি ইউনিসেফ না লুপা লিশিং য়াম্থে ফাওবা পিবা য়াই, পুম্নমক্ত্র সেন্টর অমগীদমক্ লুপা লাক্ষ ২ দগীদি হেল্লোইদ্দবনি ।

ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পিবা অদুগা মী থম্বা- ট্রেনিং তৌবদা হৌনিংবগী ইথিল্ পিবা, হান্নগী কাইদা হোংদোক্হন্বা খংহন্-উহন্বা অসি পান্দম্নি। মসিগীদমক্ রাজ্য সরকারনা অখং অহে মীওই থৌরাং তৌই। থৌবম্ পুবিবা সরকাবগী ওইবা মীওইশিং- -এসিস্টেন্ট্ প্রোজেক্ট অফিসাব (এঃপিঃওঃ) ফাওবদা লৈরিবা ময়াম্ অসিদা য়াম্দ্রবদা চহি অমদা অমুক্তংদি ট্রেনিং পি। থবক্ পুবা মীশিংগী মনুংদা বাজ্যগী থাক্তা বাজ্য সবকাবগী দিপুটি সেক্রেটরি অমনা পুই, জিলাগী থাক্তা নুপী এঃপিঃওঃ অমা পিঃওঃ বু তেংবাংনবা হাপ্পা য়াই। ব্লোক্কী লৈজবিবা মুখ্য সেবিকা অমা, গ্রাম্ সেবিকা ২ গী মথক্তা অহেন্বা ওইবা দ্বোক্রা ব্লোক্ অমদা গ্রাম্ সেবিকাগী থবক্ অমদি থম্ই। মথক্কী অফিসাব ময়াম্ অসিগী অচংবা পৈশা অদু ইউনিসেফনা রুবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট দিপার্টমেন্টতা দিঃআবঃ ডিঃএঃ দা পীননবা শিন্নে। থৌবম্ চথবদা খুদোং চাননবা অইবা লাইবিক্, মীৎনা উরগা খংননবা ফিলম্, স্লাইদনচিংবসু পীনবা শিন্বা য়াই। তম্গদবা বিষয, মতম্, তশ্বিবিবা মী অমসুং তল্লিবা মীদা পীগদবা শেল্নচিংবদি এাইসেমদা তৌবগা মান্নে।

ফণ্ড পিবা—রেজিষ্টাব তৌরবা কাংলুপ্ অমনা অপুন্বগী ওইনা শেল্থুম্গী ওইবা থবক্তা শিজিন্ননবা বেঙ্কতগী শেল্ পুবা য়াই। নুপী মেম্বর খুদিংদা আইঃআরঃডিঃপিঃ দা তৌবগুম্না সবসিদি ফংহন্বা য়াই অদুগা নুপী খুদিংনা পূরুবা শেল্ অদু মাগী মাগী ওইনা শিংবা তাই। কাংলুপ্কী ওইনা পুন্না লৌবগী মহুৎতা তোঙান্ তোঙান্বা মেম্বরগী ওইনা অপুন্বা শেল্গীদমক্ কাংলুপ্না তুংদা লেপ্পগা লৌবা য়াই।

শেল্ শিজিন্নবা— মখাগী মবম্ কয়াদা শেল্ শিজিন্নবা যাই মর্দুদি –

(১) (আই) শেল্গী চাগা ফংগদবা থবক্তা অঙাংদা খুদোংচাবা পীনবা মওংদা শিজিন্ননবা—মসিগীদমক্ কেন্দ্র সবকাব, রাজ্য সরকার অমসুং ইউনিসেফনা চপ্ মান্ননা পুথোক্নৈ ;

(২) গ্রুপ্ ওর্গেনাইজর হাযবদি কাংলুপ্ অমগী মকোক্ ওইনা শিল্লি- লাংলিবা মী অদুগী চৎথোক্-চৎশিন্গী খরচ—মসি রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকারশিংনা চপ্ মান্ননা পুথোক্লে মসিগী মথক্তা মখাগী অসিগীদমক্ ইউনিসেফ্কী তেংবাং ফংবা য়াই –

(ক) থাক্ খুদিংগী (স্টাফ্) থবক্ তৌবা মীগী অচংবা ;

(খ) থৌরম্ য়াম্বা কমুনিতি সেন্টর শাবদা অহেন্বা চংবা খরচকী লুপা ৫০,০০০ ;

(গ) ট্রেনিং, ৱার্কসোপ, সেমিনার তৌবগী লম্নাই (সংস্থা) লুপ্‌শিংদা পীননবা ;

থবক্ পাংথোক্লিবা থৌবু—থৌবম্ অসি আই ঃআর ঃডি ঃপি ঃগী মখাদা ওইবা অপিক্‌পা থৌবম্ অমা ওইবনা থবক্কী থৌশিল্ তৌবা, পাংথোক্‌পা অদুগা অশোই অঙাম্ যেংবগী থবক্ অসি দি ঃআর ঃডি ঃএ ঃনা মপুং ওইনা পুই । মসিগীদমক্ তোঙান তোঙান্‌বা থবক তৌবা মী কয়া কাইথোক্ই । কান্নবা ফংগদৌবিবা মীশিংনা মখল্ মখাগী খুদোংচাবা ফংননবা সরকারগী অতৈ অতৈ দিপার্টমেন্ট কযাগা খুৎশম্মনা দিপার্টমেন্টশিংনা পাযখৎলিবা চাওখৎ থৌবম্ খুদম্ ওইনা এদল্ট লিটরেসি, ফেমিলি বেলফেযার, বাল্‌ৱাদি অসিনচিংবা কয়াগী কান্নবা পীননবা হোৎনবা যাই ।

সমাজদা নুপী ওইবীশিংদা শেংলোক্ লৈহন্দুনা ইমুং মনুংগী অমদি মরম্নাইবী ওইনা থবক শিঞ্জবদা মনিং তম্বা ফংহনবা হাযবসি নুপীশিংদা চুম্নগী শেল থুমগী তেংবাং পীবতা নত্তনা, মখোযগী দায়িত্ব, নীংতম্বা, থাক্ ৱাংখৎপা, মাযামগী থবক্তা শনব যাবা ফংহনবনি । লম্নাই ওইনা লৌদনা অপুনবা কাংলুপ শেমদুনা পাংথোকপা থৌবম ওইবনা মখোযগী ৱাখল্ হোংদোকহন্‌বদা, ভাব তাহনবদা, জ্ঞান্ তেনগৎহনবদা পুন্না থবব তৌমিন্নবগী মহৈ ফংহন্‌বদা মপাঙ্গল হাপ্পদা ডিং ডব্লিউ ঃসি ঃআর ঃএ ঃ (দ্বোক্রা) অসি অনৌবা চাংযেংনি ।

(ঙ) এন ঃ আর ঃ ই ঃ পি ঃ

নেসনেল্ রুরেল্ এমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম্ (এন ঃআর ঃই ঃপি ঃ) হাযবা থৌবম অসি ইং ১৯৮০ গী ওক্টোবরদা হান্নগী ফুদফোর ৱার্ক প্রোগ্রাম হাযনা থবক শুরগা চিঞ্জাক্ ওইনা পীবগী মওংদা চৎথবম্বা অদুগী মহুৎ শল্লদুনা হৌখর্বনি মসি থবক্কী খুৎশুমল্ ফংহন্দুনা থবক্ পীবগা লোযননা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা লৌখৎখিবা থৌবম অমনি । ইং ১৯৮১ গী এপ্রিল্‌গী তাং অমদগীদি তরুকশুবা চাহি মঙাগী থৌবাংগী শরুক অমা ওইনা চিঞ্জাক্, থবক্ অমসুং চাথোক্ পোৎথোক্ পুথোক্লুনা হকথেংননা অমসুং মতম্ কুইনা শুহন্‌বা ঙম্নবা হোৎনবক্‌পনি । খুঙ্গংগী থবক্ ফংদবা অমদি বাৎনা ফংবা হাযবসিনা মরম্ ওইদুনা লাইববা মীশিংদা চৈথেং পীবনা হৌখিবা চহি কযাদা শেলথুম্‌গী ফিভম্ চাওখৎনবা হোৎনববদসু লাইববা হাযবদুদি অদুম্ লৈখি । তরুক্‌শুবা চহি মঙাগী থৌবাংগী মখাদা লাইববগী চাং হন্থহন্‌বা হাযবসি অতম্নবা পান্দম্ ওইখি ।

মসিগী থৌরম্ অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সবকাবনা ৫০ঃ৫০ য়েন্নরগা পুথোক্লদুনা চৎথরক্খি ।

ইং ১৯৮৫-৯০ গী ওইনা তংেংশুবা চহি মঙাগী থৌরাংদা চিঞ্জাক্, থবক্ অমসুং পোৎথোক্ ফংননবগীদমক্ পোৎথোক্ লৈবা থবক্ ফংহন্বা হায়বসি পান্দম্ ওই । থৌরম্ অসিদা শেল্, পোৎ থাদদুনা হক্থেংনবা অমদি মতম্ শাংনা শুবা যাবা থবক্ পীবগী খুদোংচাবা অসি য়ারিবমখৈ য়াম্না থন্ননবা হোৎনরক্ই । থবক্ পীবগী থৌরম্ অসিদা কৈথেলদা হায়বদি মপাল্দা পীরিবা খুৎশুমল্গী চাং অসি আইননা পীরিবা তাফদ্রবা খুৎশুগী চাংগা যাবমখৈ মান্ননবা হোৎনৈ ।

পান্দমশিং - থৌরম্ অসিগীদমক্ যুম্ফম্ ওইবা, খুদাফম্ ওইবা পান্দম্ অহুম্ লৈ : মদুদি :

(১) খুঙ্গংগী লমদা নুপা অমসুং নুপী অনাইমক্কী ওইনা থবক্ ফংদবা অমদি য়াৎনা ফংবা মীশিংগীদমক্ অহেন্বা, কান্নবা ফংগদবা থবক্ পুথোক্পা ;

(২) খুঙ্গংগী শেল্থুম্গী, সমাজগী মচাক্ অমদি থৌবাংনচিংবগী ফিভম্ কন্খৎহন্দুনা, ফগৎহন্দুনা খুঙ্গংগী শেল্থুমগী চাওখৎপা লাক্লনবা অমসুং লাইরবগী আইগী শেল্ ফংবগী থাক্ অসি তপ্না তপ্না হাইগৎলক্লবা লাইরবা কাংলুপ্কীদমক্ হক্থেংনবা, অদুগা লিশাংশিংনা শাংথনা কান্নগদবা মীয়াম্গী ওইবা লন্ শেম্গৎপা ;

(৩) খুঙ্গংগী লমদা পুন্সিগী ওইবা গুণ্ অসি হিরম্ খুদংদা ফগৎহন্বা:

কান্নবা ফংবদা হেন্না খুদোংচাবা পীগদবা কাংলুপ্ ঃ--

(১) থবক্ পিবা মতম্দা লম্ লৈজদবা থবক্ শুবা কাংলুপ্তা অহানবা খুদোং চাবা পিগনি ;

(২) লম্ লৈজদবা থবক্ শুবশিংগী মনুংদা থবক্ অসি সিদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ট্রাইবকী মীওইদা হেন্না খুদোংচাবা পিগনি ;

(৩) মথক্কী অসিগুম্না ইমুং মনুংদা মরম্ চাবা খ্বাইদগী তাফদ্রবা চাংদা থবক্ পিগনি ;

থবক্ পাংথোক্কদবা এজেন্সি--জিলাগী থাক্তা থৌশিল্ তৌবা, চুংশিন্নবা, হন্না য়েংবা, মথক্তা য়েংশিন্বা, অশোই-অঙাম্ য়েংবা অদুগা থবক্ মাইপাক্লা পাংথোক্পা

পুন্নমক্ অসি দিঃআরঃডিঃএঃ না তৌগনি। রাজ্যদা লৈরিবা ফগু পুন্নমক্ দিঃআরঃডিঃএঃ শিংদা য়েন্থোক্কনি অদুগা জিলাগী ওইবা এনুয়েল্ এক্সন্ প্লান্ হায়বদি চহিগী ওইনা পাযগদবা থবক্কী থৌশিল্ অদুগী মতুংইন্না ফগু শিজিন্নগনি। থবক্ য়েংশিন্বা, পাংথোক্পা, অশোইবা অঙাম্ য়েংবগী অদুগা মতুং তাবা রিপোর্ট মতম্চানা পিখৎপা অসিগী দায়িত্বদি দিঃআরঃডিঃএঃনা লৌগনি।

ফগু য়েন্থোকপা—মসি মখাগী ফিভম্ অসিদা তৌগনি।—

কেন্দ্র সরকারনা -

(১) রাজ্য অমসু ইউনিয়ন্ টেরিটোরি অদুদা লৈরিবা লৌশুদুনা খুৎশুমল্ তানবা অদুগা মার্জিনেল্ ফার্মর হায়বদি লৌ উননবা লম্ একর অনি মখাইদগী হন্দনা লৈবা কা বুদা চাদা ৭৫গী চাংদা পিনবা য়েংগনি,

(২) চাদা ২৫দি রাজ্য নত্রগা ইউনিয়ন্ টেরিটোরি অদুদা লৈরিবা লাইবক কা বুদা য়েংদুনা পিগনি,

মতৌ অসুম্না রাজ্যনসু মথক্কী মওংদা জিলাশিংদ য়েন্থোক্কনি।

(৩) জিলা জিলাগী ওইনা লাইবকগী চাং যাম্না ফংদ্রবদি জিলা অদুদা লৈরিবা সিদ্যুলদ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুলদ ট্রাইবশিংদা পিগনি,

(৪) জিলা অমদগী জিলা অমদা ফগু লাম্থোক্পা যারোইদবনি,

(৫) রাজ্য অমসুং ইউনিয়ন্ টেরিটোরিগী শাসননা জিলা অমগী মনুংদা চাং মান্ননা ফগু য়েন্থোক্পগী চুনবা, মরম্ নিয়ম্ য়াংকদবনি,

চহির্গী য়েন্থোকপা শেলগী চাদা কুন্দি সোসিয়েল্ ফোবেষ্টি মীয়াম্গী ওইনা উমং শেম্বদা কাইথোক্কনি, চাদা তরানা সিদ্যুলদ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুলদ ট্রাইবকী কান্নবদা কাইথোক্কনি। মসিগী শেনফম অনি অসিদ অতৈ থৌরমদা খাইদোকপা যাদে। থবক্কী কাইথোক্লিবা শেন্ফম্গী তঙ্খাই অমাদ পোৎ লৈবদা, শাসন্গী থবক্তা, পোৎ-চৈ থাংদোক্ থাংজিন, পুবক্পগী খরচ ওইনা, অদুগা খুৎশু খুৎলাই লৈবদা শিজিন্নবা যাই। ওক্তগসু রাজ্যগী অতৈ ফগুদগী কাইথোক্হনগনি। লেমহৌনিবা তঙ্খাই অমনা খুৎশুমল পীননবা খাক্কনি। পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংবু যাওহন্বা— থৌরম্ অসিগী ওইনা খুঙ্গংগী মীশিংদা থবক্ পিবা, মখাযগী শেলথুমগী ফিভম্ ব্রাংখৎহন্বা, অহেনবা

থবক 'থবক' খুদোংচানা লৈহনবা অদুগা খুঙ্গংগা লৈলখুম্ অমসুং সমাজগী মচাক্ ফিভম কন্থহনবদা পান্দম্ থম্মনিনা পঞ্চায়তী রাজগা লোইশংশিং অসিনা যাম্না কন্না যাওশিনবা থাযবাশি চপচাবা থাফম্নি । (টেক্নিকেলগী) থবক্না লৌশিংগা অদুগা শাসনগী ঙাক্লৌ মতিক চানা পিববদি লোইশংশিং অসিনা থবক্ তৌবা ঙমদুনা খুঙ্গংগা মীওইগী অপাম্বা থুংহনবা ঙম্ফম থোকই থৌবম অসিদা লোইশংশিং অসিবু মপুং ফানা যাওহন্দুনা থবক্ পাংথোক্পদা চেক্শিন্না যেংশিলহনবা তংাই ফদবনি । লোইশংশিং অসি লৈ তবা মফমদদি দিপার্টমেন্টশিংদা শন্নবা মযাই অদুবু লোইশংশিং অসি লৈনা লৈনা মমিংতা ওইনা যাওহনবনদি কান্নবা ফংদে অসিদসু নত্রগা লন্নাই মশানা লিংখৎপা লুপশিংদসু শিন্নবা তাবনি ।

থবক্কী কর্মীতাশিং থৌবম আসগীদমক্ কেন্দ্রগী থাক্তা থবক লম্জিংনবা অদুগা যেংশিন্নবা কার্মতি লৈ । বাজাগী থাক্তসু থবক্কী থৌশিল্ তৌননবা, থবক পাংথোক্ব অদুগা অশোই অঙাম যেংননবা কো:ওর্দিনেসান কর্মীতা লৈ । মসিদা কেন্দ্রগী রুরেল্ ডিভেলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মীহুৎ অমা যাওহনবা যাই । কর্মিতি অসিগী যাম্ন্রবদা থা অহুম্ খুদিংগী ওইনা জিলাগী (প্রোজেক্টকী শেল্ফ) থবক্কী থৌশম্ য়াংতুনা উৎপা - (এনুয়েল্ এক্সন্, প্লান্) চহিগী থবক্ পাযনবা থৌশিল্ অদু শেম্বা, থুনা পাংথোক্পা থবক্কী মগুণ্ লেপ্পা, -চীঙ্গাক্ পুবক্লগা যেংথোক্পা থবক্ তৌবগী খবচ লেপ্পা—খুৎশুমল্ পিবা অফিসকী থবক্ পুবা মী ওইদা তম্বিবা থবক্কী চাং লেপ্পা ফগু যেংথোক্পা অদুগা দিঃআবঃডিঃএঃ শিংদা থাদোক্পা পোৎ লনশিং অদু ঙাক্ শেনবা- (মষ্টব বোল) থবক্ শুবিবশিংগী মীং যাওবা অদু থম্বা, অচুম্ অবাল্ যেংশিনবা -থবক্কী রেকোর্দ, লাইবিক্ কযা থম্বা—থবক্ মফমদা চংতুনা যেংবা অদুগা মতম্ চানা রিপোর্ট লানখৎপা অসিনচিংবা পুম্নমক্ অসি পাংথোকপগা মরি লৈননা মিতিং তৌবা তাই । মিতিংগী রাবেপ্ অদু ভাবত সরকারগী রুরেল্ ডিভেলপমেন্ট দিপার্টমেন্ট তা থাগনি ।

থৌবম্ অসিগী মখাদা পাযখৎপা যাবা থবক্শিং—থবক্ পুম্নমক্ মযাম্গী ওইবা, তুংকোইনা লৈহৌগদবা, কান্নবা লাকদবা অদুগুম্বা থবক্তা শিজিন্নগনি । খুদম্ ওইনা লম্বী শেম্বা, কৈথেল্ শঙ শাবা, মপাল থোক্ফমনচিংবা শাবা অসিনচিংবা অসিনি । অদুম্ ওইনমক্ –

(১) লাইববা কাংলুপ্কী মেম্বরশিংদা হক্থেংননা অমদি মখা চত্থনা কান্নবা পিবা য়াবা থবক্শিং খনগনি ;

(২) কান্নবা ফংগদৌরিবা মীওইগী কাংলুপ্ অমগী ওইনা লৈবা নত্ত্রগা

লৈগদবা মখোয়না হক্থেংননা শিজিন্নবা যাগদবা অদুগা মদুদগী ফংলিবা কান্নবা অদু য়োম্থোক্লুনা, পিথোক্লুনা কাংলুপ্ অদুদা তুংকোইনা আই লাক্হনগদবা অদুগুম্বা থবক্ পায়খৎপদা হান্না শিজিন্নবা য়াই।

লম্নাই ওইবা মীওই অমমম্দা কান্নবা ফংহন্বা অসি সিদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ট্রাইব, বোন্দেদ্ লেববব হায়বদি ফাজিন্দুনা নাম্থোক্পা ঙম্দনা থবক্ শুহল্লম্বা মীওই -অহেন্বা লম্, ভুদান্গী লম্, লম্হাংনচিংবা যেম্থোক্লকপদা ফংবা মীওইশিংদদি অথিংবা লৈতে। (সোসিযেল্ ফোবেষ্ট্রি) মযামগী ওইনা উমং শেম্মনবা উ থাবগী থবক্ অসি লমজিং লমতাক্ অমগী মখাদা পাংথোক্কনি। খুঙ্গংগী মীযাম্, লম্নাই ভোলন্টবি লুপ্, কান্নবা ফংগদৌবিবা কাংলুপ্, নহারোল অমসুং নুপী কযাবু চাবা পুথোক্পা, থাবা, ঙাক্ শেনবা অসিনাচিংবা থবক্তা চিংশিন্দুনা যাওহন্বা যাই।

প্রোজেক্টকী শেল্ফ হাযবদি থবক্ পাযখৎনবগী ভযাৎপ', শক্ফম্ শেম্বা - দিঃ আবঃ ডিঃ এঃ শিংনা জিলা অমদা তৌগদবা থবক মখল্ খুদিং তাকপা শক্ফম্ অমা (প্রোজেক্টকী শেল্ফ) হাযনা যাৎ তুনা থমগনি। লৈবিব' শেল্গী ম তুংইনা অদুগা মফম মফম্দা তঙাই যদনা তৌগদবা থবক্ যেংদুনা চহি ৩/৪ গী ওইনা শেম্বা চুমই ; অদুগা অতৈ অতৈ থৌবম্ কযাগসু মবি লৈননবা হোৎনগদবনি। অদুগা শেম্খনা লৈনবা কাংলুপ্ যাম্ন' তাবা মফম, মখোযগা অপাম্বা, থবক্ বাৎপনা খুৎশুমন্ যাম্ন' ফংদবা অদুগা নুপীশিংদা কান্নহনগদবা অদুগুম্বা ফিভম্ কযা যেংবা তাই। শেল্ যাম্না চংগদবা, অতৈ-অশিং মা চংগদবা অদুগা পোৎ চৈ ভাংনা ফংগদবা অদুগুম্বা থবক্তি পাংবোইদবনি।

এনুযেল্ এক্সন্ প্লান - চহি চাহগী ওইনা পাযগদবা থবক্তা থৌবম অমসুং থবক্কী অহান অকোন্ যেংনা মথক্কী শেল্ফ হাযবসিগা চাননা শেম্ন তাই। ব্লোক নত্তুগা অতৈ থবক পাংথোক্লিবা কাংবুদগী প্লান লৌখৎলগা দিংআবঃডিঃ এঃ না জিলা জিলা পুম্বগী ওইবা প্লান্ আস শেমগনি।

থবক্কী মওং— থৌবম অসিগী মখাদা পাযখৎকদবা থবক্তি, মদুনা মতম্ শাংনা চৎনহৌগদবা, কাংহৌগদবা মওংদা সনকাবনা তাকপা (টেক্নিকেল) থবক্কী লৌশিংগী থাক্কা অদুগা অতৈ মওং মতৌগা চানহন্গনি। খুদম ওইনা লম্বা শেম্বগী মতাংদা ইন্দিযান্ নোদ কংগ্রেসকা নিযম্ ইন্গনি।

থবক্ তৌদুনা শেম্লবা লন্গী রেকোর্দ থম্না অদুগা ঙাক্লবা থবক চৎথবা—গ্রাম পঞ্চাযত অমসুং ব্লোক্শিংনা থবক্ তৌদুনা মীযামগী লন ওম্থোক্লবাশিং অদুগী মরম কয়া —থবক্ তৌখিবা অমসুং লোইবগী মতম্, চংখিবা শেন্কম্, কান্নবা ফংবা, থবক্

যংখিবা মা মশিং অদুগা অদুগী মথক্তা অসিগুম্বা থবক্‌শিং অসি মখা তানা ঙাক্ শেন্ননবা বাজ্য সবকাবাশিংনা থৌবা তৌবা অদুগা মদুগী চংগদবা শেল কাইথোক্‌পা চুমই। দিঃআবঃডিঃএঃশিংনা মফম মফমদা [illegible] পোৎ লন্ থোকহন্নবা [illegible] এ. আব.ইঃপি দগী অঁবনা [illegible] ওই [illegible] থাংবা বোলা খাও যোনবগা মম, [illegible] অসিনা [illegible] শিংগেন্নবা যাই।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

পোৎ ওইনা পিবা তাবগনা [illegible] লেপকদনি। গেহু ওইববদি কালোগ্রাম অমদা লপা ১ ৫০, ফজবা চেংদা লুপা ১ ৯০ অদুগা যাম্না ফজবা (সুপর [illegible]) গীনা লুপা ২ ১০ গা চাংদা পিগদবনি হাযনা লৌগ্নি। যখাব প্রাইস সোপ [illegible] দগা ফংহনবসু যাই। মমল অসিদগা, [illegible] কয়াদগা হেন্না চংবা তাববসু অহেনবা থবচ খুদম ওইনা পাইথোক পাইশিনগা, [illegible] অসিনচিংবা কয়াগী হেনগৎলকপ

পুন্নমক্ সবকাবনা পুগনি । মসিগী সবসিদি অসি পোৎ য়েন্থোক্পা এজেন্টশিংদা কুইন্টাল্দা লুপা ১৫গী চাংদা লেপ্লি । খুৎশুমল্ পিবা অসি পৈশা ওইববসু, পোৎ ওইববসু পিবা অসি চযোল্ অমদগী হেন্না থেংথদনা অদুগা যানবগনা নুমিৎ ১৫ দগী হেন্না থেংথদনা পিগদবনি ।

ঠিকাদাবশিংদা আথিংবা–থৌবম্ অসিগী মখাদা কান্নবা ফংগদৌবিবা অসি মশানা থবক্ শুজবা কাংবুদনি অদুনা অতোপ্পা ঠিকাদাব, ময়াই চেন্বা অদুগা মবক্কী কাংবুনা অমতা পাযবা য়াদে ।

থবক্কা চংগদবা মী থম্বা থৌবম্ অসি পাংথোক্পদা দিঃআবঃডিঃএঃ নত্ত্রগা ব্লোকশিংদা থবক পুননবা অহেন্বা মী চংবা য়াই, অসিনচিংবা মীগী খবচ অমসুং অতৈ অতৈ খলচক্কীদমক্ থৌবম্ অসিগী ফণ্ডদগী চামদা মওা কাইথোক্পা যাই । থবক অসি চংথবদা থবক্ মফম্দা মী পাননবা, মষ্টববোল্ থম্নবা, লাইবিক্ হৈবা থবক্ ফংদবা মীওই শিজন্নদুনা মখোযদসু মদুগী নোংমগী যেংনা পৈশা পিদুনা থম্বা যাই । থবক পুবা মীদা পিবা যাবা ট্রেনিং– বাজ্যগী মথক্তা থবক পুবা মীওইদা ট্রেনি পিবা তঙাই ফদে, মদুগাদমক কাউন্সিল্ ফোব এদভান্সমেন্ট ওফ পিপল্স এক্সন্ ইন কবেল্ টেক্নোলোজি, নেসনেল বিল্দিং ওর্গেনাইজেসন্, সেন্ট্রেল্ বিল্দিং বিছার্চ ইন্সটিট্যুট, সেণ্ট্রেল্ বোদ বিছার্চ ইন্সটিট্যুট অসিনচিংবা শিংগা পকশিন্নবা যাই । অসুম্না মখোযনা খংলিবা অদু অতৈ অতৈ থাক্তা অমুক্ তম্বিবা যাই । ট্রেনিং অসিগী পান্দম্দি মফম্ মতম্গা চানবা টেক্নোলোজি, থবক্কী জ্ঞান্ গী মবম্, শেল্ চংদবা থবক্কী জ্ঞান্, অবাংবা থবক্কী অদুগা মতম শাংনা চংননবগী খুৎশু আসিনচিংবগী মবম্দা খংননবনি । অসিতা নওনা অতৈ অতৈ থবক চংথনবগী খুজিল্ থৌবাং লৌশিং কযা হংজন্বা ওম্মনবনি ।

(চ) আবঃ এলঃ ইঃ জিঃ পিঃ

কবেল্ লেণ্ডলেস এমপ্লোইমেন্ট গবেন্তি প্রোগ্রাম্ (অশম্বদা আবঃএলঃইঃজিঃপিঃ) হায়বসিনা তাক্লিবসি খুঙ্গংগী লৌউ লম্ লৈজদবশিংদা শোইদনা থবক পিবগী থৌবম্নি । মসিসু থবক্কী খুৎশুমল্ ফংহন্দুনা থবক্ পিবগা লোয়ননা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা লৌখৎখিবা থৌবম্ অমনি । থৌবম্ অসি ইং ১৯৮৩ গী আগষ্টকী তাং ১৫ দগী থবক্ ওইনা চংনহন্নবা শেম্খিবনি । তকক্শুবা চহি মঙাগী থৌবাংগী পান্দম্গী মনুংদা থবক্ ফংদবগী চাং হন্থহন্বা হাযবসিসু অমা ওই । পান্দম্ অসি ফংননবা অদুগা খুঙ্গংগী লম্দা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা থৌবম্ কয়ামুক্ পাযখৎখি । আবঃএলঃইঃজিঃপিঃ অসি লৌউননবা লম্ লৈজদবা, অদুম্নদি ওইবগা অতোপ্পগী লৌউ

শিংউগী থবক্তা চংদুনা শেল্ তাঞ্জবা মীশিংদা লৌউ-শিংউগী মতম্ নত্তবা থবক্ শুফম্ লৈতবা, খুৎ হাংদুনা লৈবা মতমদা থবক্ শোইদনমক্ পিবগা শুহন্দুনা খুৎশুমল্ মতিক্ চানা ফংহল্লগা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবা থৌবম্ অমনি ।

থৌবম্ অসিগী পান্দম্দি-

(১)　খুঙ্গংদা লৌউ লম্ লৈজদবা শীন্মী অমগী ইমুং অমদা যামদ্রবদা মী অমদা চহি অমগী মনুংদা নুমিৎ ১০০ নী থবক্ ফংহন্বগী খুদোংচাবা পিবা অমদি হেনগৎহন্বা ;

(২)　খুঙ্গংগী শেল খুনগী মতম অসুম হসুম হেন্না চাওখৎ হন্নবগীদমক মচাক ফগৎহন্বগা লোয়নন তংকোইবা লল শেমহৌবা,

থবক ফংগদৌরিবা কাংলুপ- থৌবম অসিগী পান্দম ওইনা লম লৈজদবা ইমুংগী যামদ্রবদা মী অমদা নামৎ ১০০ নীগী থবক পিবনি । লম লৈজদবা থবক শুবা মীদা হেন্না খুদোংচাবা পিগনি । লম লৈজদবা থবক শুবাশিংগী মনুংদা সিদ্যলদ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুলদ ত্রাইবকী মা ওইদা নায়া থবক পিননবা হোৎনগনি । থৌবম অসিগী থবক্তা খুঙ্গংগী লম লৈজদবা মী ওইদা শক তাক্লবা কাদ পিবা অদুগা পিখ্রবা থবক্কী রেকোর্দ থম্গনি । থবক্পিবগী মতম্দি চহিগী কবিগুম্না শকুক অমদা তেক্তা ওইবা যাই, থোইদোক তেন্দোক্লা লৌ শুন্দবা মতমদা হেন্না কনশিন্না যেংদুনা থবক পিগনি ।

থবক্ পাংথোক্কদবা এজেন্সি　থৌবম্ আসিগী মখাদা থবক পাংথোক্লবা এজেন্সি শেম্‌ই । দি:আব:ডি:এ: শিংদা থবক্ অসি পাংথোক্হনবা যাই নত্তগনা অতৈ অতৈ চুনবা যেংদুনা এজেন্সি পিদুনা থবক শিন্নবসু যাই । থবক্ অসিগীদমক বাজ্য সবকাবনা প্রোজেক্ট শেম্‌ই মদু কেন্দ্র সবকাবনা যাববা তুংদা থবক্ চথগনি ।

কমিতিশিং— এন:আব:ই:পি: গীদমক্ কেন্দ্রগী থাক্তা শেম্খিবা কমিতি অদুমক্লা থৌবম্ অসিগীসু ওইগনি । বাজ্য সবকাবনা শেম্বা প্রোজেক্ট অদু যেংলগা কমিতি অসিনা অয়াবা পিগনি অদুগা থবক্ অদু যেংশিন্বা অদুগা অচুম্ চুম্দা যেংবগী থবক্সু তৌগনি, মসিগীদমক্ মতম মতম্গী ওইনা লম্জিং তাক্পসু য়াই । বাজ্যগী থাক্তসু কমিতি লৈ, মদুনা থৌশিল্ তৌবা, থবক্ পাংথোক্পা অদুগা অচুম্ অবান্ য়েংগনি । মসিদা কবেল্ ডিভেলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মীহুৎ য়াওহন্বা যাই । কমিতি অসিগী যাম্দ্রবদা থা অহুম্গী মনুংদা মিটিং অমুক্ তৌগনি মদুদা থৌবম্ অসি পাংথোক্পগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি । মিটিংগী রাবেপ্ অদু কেন্দ্রদা থাগনি ।

থৌরম অসিগী মখাদা পায়খৎপা য়াবা থবক্‌শিং — হিরম্ কুন্‌গী প্রোগ্রাম্‌গা মরি লৈনবা প্রোজেক্টশিং অদুগা (মিনিমম্ নিদ্‌স প্রোগ্রাম্) খুঙ্গংদা তঙাই ফদনা চংগদবা থবক্‌শিং -

(১) খুঙ্গংগী লম্‌জং ওইবা লম্বী শোবোক শেম্বা ,

(২) লৌখোং তৌবা, অদুগা হান্না লৈবা লৌখোংশিং ফগৎনবা শেম্‌দোক শাদোক্‌পা ,

(৩) লমি শেমগৎপা অদুগা লম লেম্‌শিং লৌনা [illegible] ;

(৪) সোশ্যেল ফোরেষ্ট্রি পাব চাওনা, মীয়াম্‌গী ওইনা উ পাম্বি [illegible],

(৫) (সোইল কনজার্ভেসন) লৈপাক লৈহাওগী ফিভম ফাইতন্দনবা অদুগা ঈশিংগী ফিভম ঙাক্লা থম্বা

[illegible] মত [illegible] শোম্বানা শাজিংবগী হবব পুদম ওইনা ঈশিং [illegible] পাইখৎপা [illegible] শেমদোকপা [illegible] ওইবনস্ থবক্ [illegible] হন্না পোকখোক লৈননবা লম অদুগা নতুগা ঈশিংগী [illegible] মওং শেমদোকপস্ [illegible] থুম্বা [illegible] যামদ্রবদা মী ১০ দগী [illegible] পায়খৎলোইদবা। লম [illegible] শেম্বা [illegible] মাওইগী লম অদুস্ লন্নাই মী ওইগী ওইবনস মদ ফগৎনবা [illegible] ফদবা ফিভমদা য়াই। ফাজন্দনা থবক শুহল্লম্বা (বোন্দেদ লেবরর) গী মতাংদসু [illegible]।

[illegible] শুম্বা থবক্‌শিং অসি পাংথোক্‌পা তৌবদা খুঙ্গংদা লৈবা লৌউ লম লৈজদবা অদুগা লৌউবগী থবক্ শুদুনা শেল্ তাঙবা মীওই খল্লগা থবক্‌শিং অসি শুহন্দুনা খুৎশুমল ফংহনবা অদুগা লৌউ-শিংউ মতম্ নত্তবা, খুৎ লেপ্তুনা লৈগদবা মতম্‌দা থবক পিশিন্দুনা খুৎ লেপ্‌হন্দনা শেম্বোক্ ফংহন্দুনা লাইববগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবা আসি আরঃএলঃইঃজিঃপিঃ গী থবক্নি।

(প্রোজেক্টকী শেল্ফ) পাইগদবা থবক্ খনগৎতুনা য়াৎপদুগী অইবা উৎপা — রাজ্য সরকারনা পাইখৎকদবা থবক্‌শিংগী শেল্ফ শেম্‌গনি, মদু শেম্বা মতম্‌দা সমাজগী অশোন্‌বা কাংলুপ্‌কী য়েংগনি —

(১) শোখনা লৈবা লম্দম্, অদুগা থবক্ ফংদবা লম্ লৈজদবা মীনা য়াম্না হেন্না খুন্দাবা মফম্, থোইদোক্ হেন্দোক্লা সিদ্যুল্দ কাষ্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ট্রাইবনা হেন্না লৈবা মফম্ য়েংবা ,

(২) লোংশিন্দুনা ফাদুনা থবক্ শুহন্‌বা মফম্দগী ব্লাকৎ হেন্না লৈবা মফম্ য়েংবা ;

(৩) খুংগুমল্গী চাং ব্লাংনা পিবা মফম্ য়েংবা ,

(৪) নুপীশিংদা হেন্না কান্নবা ফংগদবা য়েংবা ,

এনুয়েল্ এক্শন্ প্লান্—চহিগী থবক্ তৌনবগী থৌবাং—রাজ্য সরকারনা প্রোজেক্টকী শেল্‌ককা চাননা অদুগা কাইথোক্লিবা শেল্‌নচিংবগা চাননা চহিগী ওইনা থবক্ থৌবম্ ব্লাংকনি । রাজ্য সরকারনা চহি অমগী থবক্কী অদুগা হান্নগীসু য়াওনা চদা ১৫০ কাওবগী চাংগী কওগীদমক্ প্লান্ শেম্বা য়াই । মতম্ অয়াম্বদা থবক্ অসি চহি অনি অদুগা মদুগী তাবা মতম্গী মনুংদা পাংথোক্পা ওম্গদবা থবক্কী ওইনা সেন্ট্রেল্ কমিতিদা অয়াবা পিননবা থাগৎলি । কোপি অমনা মিনিষ্ট্রি ওফ কবেল ডিভেলপমেন্ টতা চহি অদুগী এপ্রিল্গী তাং ১০ গী মমাংদা য়ৌননবা থাই ।

থৌবম্ অসিদা পায়খৎকদবা থবক্কী প্রোজেক্ট শেম্বা— পায়খৎকদবা থবক্কী প্রোজেক্ট শেম্বা মতম্দা অকুপ্পা মবোল্ ময়াম্ অমা তাক্কুনা উৎকনি । খবদং খুদম্ ওইনা পল্লবদা প্রোজেক্ট অদুগী পান্দম্, মদুনা কান্নবা পিগদবশিং, থবক্ মফম্, থবক্কী অকুপ্পা মবোল্, চংগদবা শৈশা, চংগদবা মতম্, চংবা য়াবা চিঙ্গাক্কী মক মবাং, থবক্ শুবদা ফংগদবা কান্নবা, থবক্ পাংথোক্লবা এজেন্সি (থৌপুবা) থবক্ শুবশংগী নুংঙাইনবা শিন্গদবা থৌবাং, প্রোজেক্ট অদু তুং কোইনা ঙাক্শেন্‌বা, কবিগুম্বদা থবক্ শুবা মীদগী লৌখৎফম্ থোক্পা শৈশা অসিনচিংবা ময়াম্ অসিগী মখাদা অকুপ্পা মবোল্ উৎতুনা শেম্গনি ।

প্রোজেক্ট এপ্রুভেল্ বোর্দ— থৌবম্ অসিগী পান্দমনচিংবা য়াওনা শেন্নবা প্রোজেক্ট হায়বদি থবক্কী থৌওং অদু য়েংলগা অয়াবা পিননবা রাজ্যগী ওইনা চীফ সেক্রেটরি নক্কুগা ডিভেলপমেন্ট কমিসনারবনা চেয়ারমেন্ ওইবা—'প্রোজেক্ট এপ্রুভেল্ বোর্দ' অমা শেম্বা য়াই । বোর্দ অসিগী মথৌদি -

(১) আর঳এল঳ই঳জি঳পি঳ গী য়াৎলিবা নিয়ম্ য়েংদুনা থবক্ থবক্কী অদুগা মফম্ মফম্গী ওইনা ফণ্ড য়েহ্যোক্পা ;

(২) প্রোজেক্ট অমা হৌগৎনবা অদুগা অকুপ্পা ফিভম্ যাওনা শেম্নবা খোংথাং লৌখৎপা ;

(৩) প্রোজেক্ট অমগী অচুম্ অবাল্, নমুনা, শেন্জংনচিংবা কুপ্পা য়েংলগা সেন্ট্রেল্ কমিতিদা থাদ্রিঙৈদা (ক্লিয়াবেন্স) হায়বদি শেংলে হায়বগী অয়াবা পিবা ,

(৪) য়াদুনা পাংথোক্লুবা চৎথল্লবা প্রোজেক্ট নত্রুগা থবক্ মওং অদু মতম্ মতমগী ওইনা হন্না যেংবা ;

(৫) তঙাই ফদ্রবদি, অখন্নবা প্রোজেক্টকী থবক্ অশোই অঙাম্ যেংবা ;

(বোর্দ অসিনা অয়াবা পিদবা প্রোজেক্ট অমতসু সেন্ট্রেল্ কমিতিদা অয়াবা লৌনবা থাবোইদবনি)

থৌবম্ অসিগী মবিদা ফণ্ড য়েহ্যোক্পা অদুগা খুৎশুমলগী ওইনা কাইগদবা, শিজিন্নগদবা, অদুগা খুৎশুমলগী নত্তনা থবক্ পায়খৎপদা চংগদবা শেল্ফম্ কাইগদবা অসিনাসিংবগী নিযম্দি এন঳আব঳এ঳পি঳ গীগা মান্নে ।

প্রোজেক্টকী থবক্ হোংদোক্লিংবা অদুগা শেন্জং হেন্গৎলবা ফিভম্দা কাবশুন্না লান্দা সেন্ট্রেল্ কমিতিনা প্রোজেক্ট অমা য়াদুনা থবক্ হৌবা তাববদা শর্কা পামা অদুগী মনুংদা থবক্ খবা কক্থৎনিংবা মহুৎশিন্নিংগা মওবদি বাজা সবকাবনা সেন্ট্রেল বোর্দত খংহল্লগা অযাবা লৌবা যাই । প্রোজেক্ট অমা মতম খবা থবক চথাবা তুংদা চংদবা শেল্ফম অসি খুৎশুমলগী চাং হেনগৎলক্লনা হোংবগী তঙাই ফদবা লাক্পা যাই, অসিগুম্বা ফিভম্দদি বাজা সবকাবনা য়াববা তুংদা সেন্ট্রেল্ কমিতিদা খংহনগনি ।

ফণ্ড পাদোক্লকপা , পিবকপা—আব঳এল঳ই঳জি঳পি঳ গী থৌবম্ অসিগী অচৌবা শেল পুম্নমক কেন্দ্র সবকাবনা পুথোক্ই । শেন্ফম্ অসি চহি তঙ্খাই তঙ্খাইগী ওইনা থাদোক্ই । থাদোক্কদবা শেল্ অসি বাজা সবকাবদা এন঳আব঳ই঳পি঳ গীদমক কাইথোক্খিবা মদুগী শেলজিন্নখিবগী মতুং ইল্লি । চাহগী পৈশাগী থবক্ লোইশল্লবপদা বাজা সবকাবনা এন঳আব঳ই঳পি঳ গী চাদিং অদুনা মদুগী থাদোক্পা শেন্ফম্দগী তারবা মদগা মথন্না আর঳এল঳ই঳জি঳পি঳ কাইথোকপা শেল্ফম্দা হল্লগনি অদুগা হেন্না থাদোক্খিনা শেন্ফম্ অদু মথং গীদমক বাজা সবকারদা আর঳এল঳ই঳জি঳পি঳ গীদমক্ শিন্দনদুনা কর্কশংগনি । এন঳আর঳ই঳পি঳ গী থৌবম অসি পাংথোকপদা অসুং ও

তানা চথবা য়াননবা মসিগী ফণ্ডগী চাদা ২৫দি অসুম্ পুথদুনা চংপা যাই, মবম অদুনা এনঃ আবঃইঃপিঃ গী ফণ্ডগী চাদা ২৫ নত্ত্রগা মদুদগী তানা পুদুনা চথববা, মদুগীদমক্ থদোক্লক্খিবা শেন্‌ফম্ পুম্নমক্ ওয়্না চাদিং তৌপ্লে হায়না লৌগনি । এনঃআবঃইঃপিঃ গী ফণ্ড শিজিন্নবদা হস্তব' অদু চাদা ২৫ অদুগীসু মথক্তা হেন্না পুদুনা চথবা শেনফম ওইগনি ।

অনিশুবা তাংফম্‌দা থাদোক্কদবা শেনফম্ অদু হান্না থাদখিবা শেল শিজিন্নবগা মতুং ইনগনি । অনিশুবগী শেনফম অসি, বাজানা মমাং চাহিশিংগী শিজিন্নদবা শেল যাওনা খাদা ৫০গী চাংদা শিজিন্নববা ৮ দদা থাদোক্কনি ।

(১) বাজা শ দা চিঙ্গাবী মতৌ মক থাদোকপা ,
(২) অতৃংব (সদ থাদোকপা
(৩) থংবা শুবশংদা চিঙ্ক্কি মতৌ মক থোক্লকপা ,
(৪) খুংগুমল শেল ওইনা নত্তুগা পোং ওইনা লেপবা ,
(৫) হংগুমলগা চা লপ্পা ,
(৬) লবক্ত পাকাদাবনা চংবা লবক্কা মীওই থাংডহন্দবা ,
(৭) ক মী মরাংপা মেন্‌থংপ ,
(৮) পাইবব থবক শিংব ,

মথক্কী অসাগুম্ব মথাম ড সনী নিয়ম দ এনঃআবঃইঃপিঃ গী দ চংবা অদু মৈ ।

(ছ) (পিঃ এঃ এসঃ এমঃ এফঃ এঃ পিঃ) প্রোজেক্ট ফোব এসিস্টিং স্মোল্ এণ্ড মাজিনেল্ ফাবমর্স ফোব ইনক্রিজিং এগ্রিকল্‌চবেল্ প্রোদক্সন্ (পিঃএঃএসঃএমঃএফঃএঃপিঃ) গী অশঙ্বা ৱারোল্ –

থৌবম অসি অপিক্‌পা মদুগা খবা হন্তবা থাক্কী লৌউবশিংগা পোংথোক হনগংহন্নবা তেংবাংবগী থৌবম হাযর্বনি । আসগুম্বা মথল্‌গী লৌউবাশিংনা চাম্‌দা ২০গা মগী শবক্ক পাইবা, অদুবু তশেংনা লৌউদুনা চপ্‌চানা শজিন্নবিবাদ চামদা ২৩ তনি । মখোয়গী পোংথোক্ যাম্না পিক্‌ই অদুগা লমগী মগুন্‌সু য়াম্না হৈ । অচৌবা লৌউবশি গা শম্‌গী (তেক্টবগী) পাবগী পোংথোক্ল থাক্লিবা মী মশিংদগী মথক্কী মথল্‌গী লৌউবশিংগা পাব অমগী লমনা থাক্লিবা মীশিংনা শবক্ মবি নত্ত্রগা মণ্ডা হৌল্লি । মবম্ অদুনা অসিগুম্বা

মখল্গী লৌউবশিংবু য়াবমখৈ তেংবাং পিদুনা মখোয়গী চাথোক্ হেন্গৎনবা হোৎনবা হায়বসি তঙাই ফদবা থবক্নি। মসিগী মতুংইন্না, অসিগুম্বা মখল্গী লৌউবা কাংলুপ্কীদমক্ লৌউ-পোৎথোক্ হেন্গৎহন্গদবা তোঙান্বা থৌবম্ অমা অনৌবা (টেক্লোলোজি) থবক্কী থৌওং শিজিন্নদুনা পায়খৎপা তাখিবনি।

তেংবাং অসি পিননবগীদমক্ থোইদোক্পা থবক্কী মওং অমা শেম্ই, মদুদা অপিক্পা ঈশিংখোং তৌবা, ঈশিং শিজিন্নবা, মৈ থাননবা শীং অদুগা উহৈগীদমক্ উ থাবা অদুগা লৌউবদা চংবা হাব, অফবা মক, যৌ, হবাইনচিংবা থাও থোক্পা, মক য়াওবা খাও (বেগ) পিননবা তৌবগী থৌবম্ শেম্ই। শ্বাইদগী মকওইবা অমখক্তং পম্পবদা ঈশিংগী গুহা তৌবা নক্তগা ঈশিং চিংননবা পম্প সেট্ (কল্) অমা পিবা মদুনা তৌগদৌবিবা থবক্তি —ঈশিং ব্রাৎতনা পিগনি, পোৎথোক্ হেন্গৎকনি অদুতা নক্তনা তুংকোইবা লন্ ওইদুনা লৈগনি। অসিগুম্বা মওংদা তেংবাং মখল্ মখাগী পিবা য়াই।

থৌবম্ অসিগীদমক্ ইং ১৯৮৩-৮৪ দা লুপা ক্রোব ২৫০ কাইথোক্খি। থৌবম্ অসি দেশ অসিগী ব্লোক্ পুম্নমক্তা চৎথগনি অদুগা ব্লোক্ অমদা লুপা লাক্ষ ৫ গী চাংদা পিথগনি। শেন্ফম্ অসি কেন্দ্র অমসুং বাজ্য সবকাবনা তম্বাই তম্বাই পুথোক্মিন্নগনি অদুগা মখাগী মওং অসুম্না শিজিন্নগনি —

(১) আইঃআবঃডিঃপিঃ গী নমুনাদা গুহা নক্তগা পম্প সেটকীদমক্ অপিক্পা অদুগা হম্বা লৌউবশিংদা সবসিদি ওইনা চাদা য়াম্বেগী চাং ফাওবা পিনবা লুপা লাক্ষ ৩.৫০,

(২) আইঃআবঃডিঃপিঃগী নমুনাদা লৌউবশিংগী লমদা মৈ থাননবা শীং অমসুং উহৈ য়ান্বা উ থাননবা সবসিদি ওইনা লুপা লাক্ষ ০.৫০;

(৩) থাননবা মক, হবাই, থাও থোক্পা মরু, হাব অদুগা অতৈ শিজিন্ননবা পোৎ যাওবা খাও মমল্ য়াওদনা পিননবা চাওবাক্পা পৈশা — লম শেমগৎনবা অদুগা থবক্কীদমক্ পিননবা শেন্ফম্ লুপ্ লাক্ষ ১.০০

মথক্কী থৌবাং অসিগীদমক্ নিয়ম্ কয়ামুক্ শেম্ই, থাক্ থাক্কী এজেন্সি লৈ; জিলাগী থাক্তদি দিঃআবঃডিঃএঃ না তৌই।

থৌবম্ অসি মণিপুবদদি চম্খিদে।

(জ) জব্রহর রোজগড় যোজনা

(১) শকফম, রাখল্, পান্দম্,

চোংথোক্লক্লিবা শকফম – ভারত সরকারনা থবক্ পীননবা অদুগা লাইববনু থেংননবা থৌরম্ কয়া পাযখৎখি অদুগা তরেৎশুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মতাংদদি (১৯৮৫ ১৯৯০) চিঙ্গাক্, থবক অমসুং চাথোক্ হায়বসিদা কনশিন্না যেংবদু মমি তাহল্লকখি। থবক্ ফংদবা অদুগা বাং৽ যংবনা মরম্ ওইদুনা খুঙ্গংদা লাইববা হায়বা অসি থোক্লবগী মরম্ ওইবকই। মসি থে৲ননবা শেল্থুম্গী ওইবা থৌরম্ কয়া মমাংগী চহি ৪০ দা পাযখৎখ্রে। তকক্শুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মনুংদা লাইববগী চাং হম্থহন্নবা থৌরম্ অসিবুসু পান্দম্ অমা ওইহন্খি। আইঃআরঃডিঃপিঃ অদুগা মসিগী মখাদা থৌরম্ অনি এইসেম অদুগা ডিঃডব্লিউঃসিঃআরঃএঃ (দ্বোক্রা) যাওনা ইং ১৯৮০ দা মশানা মশাবু থবক্ পিজবগী মওংদা থৌরম্ অনি হায়বদি অহানবদা এনঃআরঃইঃপিঃ না থবক্কীদমক্ চিঙ্গাক্ পিবা হাযবা থৌরম (ফুদ্ ফোব বার্ক্ প্রোগ্রাম্) অদুগী মহুৎ শিন্দুনা ১৯৮০ গী ওক্টোবরদগী অদুগা তকক্শুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী শকক্ অমা ওইনা ইং ১৯৮১ গী এপ্রিল্গী তাং অমদগী লৈবক্খি। অনিশুবদা ইং ১৯৮৩ গী আগস্ট তাং ১৫ দা আরঃএলঃইঃজিঃপিঃ হায়না লম্ লৈজদবা মীগী যাম্দ্রবদা ইমুং অমগী মী অমদা চাহদা নুমিৎ ১০০ গী থবক যংহন্নবা ওইনা হৌদোকখি।

খুঙ্গংগী মীদা থবক্ নিংথিনা ফংহন্নবগীদমক্ অসুপ্ য়াম্বা থৌরম্ লৌখৎখ্রবদসু – বেঙ্ককী খুদোংচাবা রাংপা, মতিক চাবা মচাক্ অদুগা শৌগৎপিবা রাংপা, লম্গী মপু পুন্না ওইমিন্নবনা খুদোং চাহন্দবা, শাসনগী থবক্ মতিক্ চাদবা, পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিংবু হক্থেংননা যাওহন্দবা অসিনচিংবা মরম্ কয়া অসিনা অপনবা খুবৌ চেনবা পিখি।

মতুং তাবা ওইনা জবহরলাল্ নেহরু রোজগড় যোজনা হায়না খংনবা খুঙ্গংগী লাইববা জিলা ১২০ কোনগদবা থৌরম্ অমগীদমক্ লুপা ক্রোর ৫০০ কাইথোক্লনা গন্না চংলিবা এনঃআরঃইঃপিঃ অমসুং আরঃএলঃইঃজিঃপিঃ হায়বিবা থৌরম্ অনি অসিগী মথক্তা হাপ্চিন্দুনা লৌখৎনবা হোৎনবম্ই। রাফম অসি অমুক্তা হন্না খন্নখি, অদুনা মমৈদা হায়বিবা নৌনা পুথোক্লববা জবহরলাল্ নেহরু রোজগড় যোজনা হায়বসিগা হান্নগী এনঃআরঃইঃপিঃ অমসুং আরঃএলঃইঃজিঃপিঃ গা অহুম্ পুন্শিন্দুনা 'জবহর রোজগড় যোজনা' হায়না থৌরম্ অমতা ওইবা লেপ্লখি। যোজনা অসিগী চাদিং তৌগদবা শেলফম্ অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা ৮০:২০ গী চাংদা পুথোক্লন্দুনা তাং ১।৪।১৯৮৯ দগী হৌগৎখ্রে।

থৌরম্ অসি শাগৎলক্খিবা রাখল্ – অনৌবা যোজনা অসি মগুঙ্ খন্নদা মীৎয়েং খবগী মখাদা শাগৎলক্পনি মর্দুদ :-

(ক) অনৌবা যোজনা অশিনা খুঙ্গংগী লাইববগী লৈই মখাদা লৈবা ইম্নুং খুদিংগী য়াম্নব্রবদা (অন্ ফিল্দ) অকবা থবক্ নত্তবা থবক্ থিবা মী অমদা থবক্কী খুদোংচাবা মপুং ফানা পিগনি ।

(খ) যোজনা অসিনা পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংদা থবক্কী থৌশিল্ অমসুং পাংথোক্পগী দায়িত্ব শিন্নদুনা নৌনা মপাঙ্গল্ পিবদা তেংবাংগনি ;

(গ) যোজনা অসিনা গ্রাম্ পঞ্চায়তশিংগী খুংথাংদা মর্ম্লক্ চাবা ফগু পিবগা খুঙ্গংগী মীশিংগী অপাম্বা য়েংদুনা, থবক্ পাংথোক্তুনা হক্থেংনা অদুগা মতম্ শাংনা থবক্ লৈহন্নবগী খুদোং চাবা পিগনি ;

(ঘ) থৌরম্ অসিনা মসিগী কান্নবদু মবক্তা অখুন . অহোবা লৈহন্দনা ঠিকাদাব নত্তগা মবক্কী মীওই য়াওহন্দনা হক্থেংননা প্রজাশিংদা যৌহলগনি .

(ঙ) থবক্কী থৌরম্ অসি গ্রাম্ পঞ্চায়ত হায়বা থানা লৈজবব আইন্দগী ওইবা লোইশাঙশিং অসিদা শিন্নববনিনা শাসনগী থবক্তা শেন্ হেন্না চংগদবনি হল্লগনি ,

(চ) গ্রাম্ পঞ্চায়তশিং অসিনা থবক্ পাংথোকপা. য়েংশিন্বা, ঙাক্শেন্বা, অশোই-অঙাম্গী থবক্ য়েংবা তাবনিনা থবক অসি মঠেং চাবা য়ানা পাংথোক্পা ঙমগনি ;

(ছ) থবক্ অসি গ্রাম্ পঞ্চায়তনা মায়ামগ মাংদা ফোংনা তৌগদবনিনা, মীয়াম্বু য়েংদুনা হেন্না শেংনা তৌবা ঙম্গনি .

যোজনা অসিগী পান্দম্–

অহান্বা পান্দম্ – খুঙ্গংগী লম্দম্দা নুপা নত্তগা নুপী আনমক্কী ওইনা থবক্ ফংদবা অদুগা বাংনা ফংবা মীশিংগীদমক্ অহেন্বা, কান্নগদবা থবক পুথোক্পা ; অনিশুবা পান্দম্ –

(ক) খুঙ্গংগী লাইরবা কাংলুপ্তা হক্থেংননা অদুগা তুং তানা কান্নবা পিননবা অদুগা খুঙ্গংগী শেলথুম্গী ফিভম্ অসি চাংনাইনা চাওখৎলক্লবা, লাইববগী আই অসি থুনা বাংখৎলক্লবা–খুঙ্গংগী শেলথুম্গী, সমাজগী ওইবিবা ফিভম্, মচাক্ অসি কন্খৎহন্নবগীদমক্ পোংথোক্ লৈগদবা, কান্নগদবা মীয়াম্গী ওইবা লন্ শেম্গৎপা ;

(খ) খুঙ্গংগী লমদমদা, পুন্সিগী গুণ্ পুন্নমক্ চাওখৎহন্বা;

যোজনানা কান্নবা পিননবা অতম্ববিবা কাংলুপ্- যোজনা অসিনা কান্নব' ফংহন্গদৌরিবসি লাইববগী লৈইগী মখাদা লৈবা কাংলুপ্তনি । সিদ্যুল্দ কাস্ত নত্তুগা এাইব কী মীওইদা থবক্পিবদা হেন্না খুদোংচাবা পিগনি। থবক্কী খুদোংচাবা অসিগী চাদা ৩০ নুপীশিংগী থাকনি। কোইনা চৎপা কাংলুপ্কী থবক্কী মওং অসি তোঙাল্লি; মখোইগীদমক্ থৌরম্ অতেগা চুংশিন্ননা থোইথোক্পা কুংশিন্বা থৌবম্ শেম্গনি ।

থবক্কী মতম্ থবক্ তৌবগী মতম্দ চহিগী কবিগুম্বা মতম্ খুদিংদা থবক্কী তঙাই ফদবা লৈবা মতমদা হেক্তা যাই।

(২) ফণ্ড/পোৎথোক্ য়েম্থোক্পা, থাদোক্পগী নিয়ম্ অদুগা থৌদৌ–

ফণ্ড নত্তুগা পোৎ য়েম্থোক্পগী (ক্রাইটবিযা) চাং লেপ্পবা নিযমশিং -

(ক) কেন্দ্রদগী বাজা নত্তুা ইউনিযন্ টেবিটেবিশংদা তেংবাং পিবগী মগুং অসি খুঙ্গংগী লম্ববগী ফিভম য়েংই।

(খ) বাজাদগী জিলাশিংদা য়েম্থোকপা অসি খুঙ্গংগী লম্দা লৈবা লৌশুদুনা খুৎশুমল তানবা মাগ মক ওইবা থবক্ শুবগা চাদা লৈনবিবা মরি - অপুন্বা খুঙ্গংগী সিদ্যুলদ কাস্ট অমসু এাইব মশিংগা অপুনবা খুঙ্গংগী মী মশিংগা চাদা লৈনবিবা চাং অদুগা খুঙ্গংদা লৈবা লম অপুনবগী খুজং খুদিংদা থোক্লিবা লৌউবগী পোৎথোক্ হায়না তাক্লবা অদুগা লৌউবগী পোৎথোক্ অদুগগী (ইনভার্স) ওন্নবা চাংদা লেপ্পগা, পুন্নমক অসি য়েংদনা শোথাদবা অদু উৎতনা ২০:৩০:২০ গী সদ ওইগনি ।

(গ) জিলাদগী খুঙ্গংগী পঞ্চায়তশিংদা পোৎ য়েম্থোক্পা অসি গ্রাম্ পঞ্চাযত খুদিংগা মীমশিংদ মুন্নবা ওইগনি । ফণ্ড য়েম্থোকপা মতমদা গ্রাম পঞ্চায়তকী লমদা লৈবা মী মশিং অদু ১০০০ দগী তাবদা শিং অমানি হায়না লৌগনি ।

(ঘ) জিলা লম্দা লৈবা ফণ্ডগী চাদা ৮০ দগী তাদবা থাইদগী লেম্বা ফোতশঙ ওইবিবা গ্রাম্ পঞ্চাযৎ/মণ্ডল পঞ্চাযতশিংদা য়েম্থোক্লগনি । লোমতৌবিবা চাদা ২০গী শেলফম্ অদ জিলাগী বা ব্লোক অমসুং খুঙ্গং পুন্নাশিংগা ওইনা শেবগা শাগনি।

ফণ্ড থোক্দা কুম্না লিরিজিলা মদনা লিংদা ফণ্ড অদ জিলা লমদগী জিলা অগাদ

থৈজিন্দুনা শিজিন্নবা য়াদে। মতৌ অদুগুম্না গ্রাম্ পঞ্চায়ত অমগী ফণ্ড অদু অতোপ্পা পঞ্চায়ত অমদা শিজিন্নবসু যাদে। অদুম্ ওইনমক্, হেন্না ফজনা থবক্ পাংথোক্পা জিলাশিংদা, রাজ্যদা পুন্না কাইথবক্পা শেল্ফম্গী মনুংদগী অহেন্বা শেল্ফম্ ওইনা কাইথোকপা য়াই।

শেল্ পুন্শিন্দুনা থম্বা— জিলা নত্তগা গ্রাম্ পঞ্চায়ত অনি নত্তগা মদুদগী হেন্বনা মশি লৈনবিবা জিলা নত্তগা পঞ্চায়তশিংগী অমতা ওইনা অপুন্বগী কান্নমিন্নবগীদমক্ [illegible] পুন্শিন্নবা [illegible] লেপ্পবা য়াই।

দি°আর°ডি:এ: শিংদা নত্তগা জিলা পরিষদশিংদা কেন্দ্রদগী শেল্ থাদোক্লক্পা—

(১) যোজনা অসি কেন্দ্রনা শৌগৎপা ওইবনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যগী শরুক্ [illegible] ৮০:২০ গী [illegible] ৬৪৩।৬৬৮৯ গী [illegible]।

(২) কেন্দ্রগী তেংবাং অসি জিলাশিংদা হক্থেংননা শরুক্ অনিবক্ [illegible]গী [illegible] অসিদা থাদোক্লনি।

অহানবা শরুক্ —অহান্বা শরুক্ অসিদা সোসিয়েল্ ফোবেষ্ট্রি অমসুং ইন্দিবা অরাস যোজনাগী অপুন্বা কাইথোক্লিবা শেল্ফম্ পুন্নমক' লেম্হৌবিবগী চাদা য়াথে হায়বদি তম্থাই অহগা লোয়নননা ফিভম্ অমতগী মথা পোন্দনা থাদোক্লনি।

য়াম্না ইংবা, উন্না কুপ্পুনা লৈবা মফম্ মমিং ওইনা কিন্নাব, লাহুল, স্পিটি, লেহ, কার্গিল অদুগা অরাং নোংপোক্ ভারতকী জিলাশিংদদি থবক্ শুবগী মতম্ অসি তেম্না লৈবনিনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগা য়ানবা মতুংইন্না কেন্দ্রগী অপুন্বা তেংবাং অদু শরুক্ অমতদা পিগনি, রাজ্যনসু শরুক্ অমতদা থাদোক্লনি।

অনিশুবা শরুক্—কেন্দ্রগী ফণ্ড অসি দি:আর:ডি:এ: নত্তগা জিলা পরিষদনা (প্রোফোর্মা) য়াৎতুনা রাবোল্ পিবা চে অমদা হায়জবা মতুংইন্না অকরুবা ফিভম্ ময়াম্ অমগী মতুংইন্না থাদোক্লনি। (ফিভম্শিং অদু মফম্ অসিদা পল্লে)

রাজ্যগী শরুক্ অদু দি:আর:ডি:এ: নত্তগা জিলা পরিষদশিংদা থাদোক্পা— রাজ্য সরকারনা মাগী শরুক্ অদু দি:আর:ডি:এ: নত্তগা জিলা পরিষদশিংদা য়াবমথে ওন্না অদুম্নদি ওইবগা কেন্দ্রগী তেংবাং থাদোক্পা মতুং থা অমগী মনুংদা থাদোক্লনি। রাজ্যনা থাদোক্লদবসি কেন্দ্রগী শরুক্ অদুগী মরি থোক্পগী অমনি।

গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা ফণ্ড থাদোক্পা গ্রাম পঞ্চায়তকী ফণ্ড অদু [illegible] আরংবা [illegible] নত্রগা জিলা পরিষদনা কেন্দ্রগী গ্রান্ট ফংবা মতুং থা অমগী মনুংদা [illegible] থাদোক্কনি, মতৌ অদুগুম্না রাজ্যদগী ফংবা মতুং থা অমগী মনুংদা রাজ্যগী শরুক অদু থাদোক্কনি।

চিঞ্জাকী মরু নত্রগা মহৈ য়েংশোক্পা

(১) যৌরম অসিগী মথাদা রাজ্যশিংদা থবক পাংথোক্কবা এজেন্সিশিংদা চিঞ্জাক ওইনা পিবসু য়াই। হায়রিবা চিঞ্জাক [illegible] কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংনা পাংথোক্কদবা ৮০:২০গী চাংগী শরুক অমা ওইগনি,

(২) যৌরম অসিগী চিঞ্জাক [illegible] রাজ্যশিংনা [illegible] মাগুবা চাংদা আনি থোক্লা পিগনি– অহানবদা এপ্রিল [illegible] অমদনা [illegible] শরুক পিরা মতমদা ওইগনি। [illegible] মরম [illegible] পিরক্কনি

(৩) চিঞ্জাকশিং অসি [illegible]

(৪) দি [illegible] পরিষদনা [illegible] শিংদা পিগদবা চাং অদু যদি [illegible] ইন্দিরা [illegible] অদুগা এফ.সি.আই [illegible] অদুগা গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা থাদোক্কনি,

(৫) এফ.সি.আই. [illegible] থবক [illegible] চিঞ্জাক পুরকপদা পুথোক পুশিনা, হাংদোক থাজিনবা অমসুং কইন্টলদা [illegible] ফাওবা শিজিন্নবা য়াই।

(৬) সেলস টেক্স নত্রগা অতৈ টেক্স কয়া এফ.সি.আই. [illegible] (জে,আর,ৱাই) জবাহর রোজগড যোজনাগীদমক পিবদা লৌগদবা অদু রাজ্য সরকারশিংনা জেঃ আরঃৱাইঃগী ফণ্ডদগী পিগনি.

(৩) ফণ্ড নত্তুগা পোৎ-লন্ অসি কাইথোক্পা অদুগা শিজিন্নবা —

দিঃআবঃডিঃএঃ নত্তুগা জিলা পবিষদকী থাক্তা ফণ্ড কাইথোক্পা —

দিঃআবঃডিঃএঃ নত্তুগা জিলা পবিষদনা ফংলবা শেল্ফম্ অদুগী চামদা তকক্ ৬% দি ইন্দিবা অব্রাস যোজনা (আই,এ,ৱাই,) গীদমক্ কাইথোক্নি। লাইববগী লৈইগী মখাদা লৈবা সিদ্যূলদ কাস্ট নত্তুগা ত্রাইবনা অদুগা ফাজিন্দুনা থমলুবদগী থাদোক্পা থবক শুবশিংনা তেন্না নমনা তাবা জিলাগী লমদা আইঃএঃৱাইঃ গী যুম শান্নবা শিজিন্নগনি। মাবমখৈ ব্লোক খুদিংনা আইঃএঃবাইঃ গী ফণ্ড অসি ফংগদবনি।

আই,এ,বাইঃ গীদমক শেল্ফম কাইথোক্লবা তুংদা লেমহৌবিবা। (কেন্দ্র অমসুং বাজ্যগী) গ্রান্ট ইদুগী চামদা ৮০দি গ্রাম পঞ্চায়তশিংদা মীশিংদা যুন্ফম ওইদুনা কাই থোক্নি। দি আবঃডিঃএঃ নত্তুগা জিলা পবিষদনা গ্রান্টকী চাদা ২০দগী তেন্না খাক্লোইদবানি

দিঃআবঃডিঃএঃ নত্তুগা জিলা পবিষদনা ফংলবা ৫ ৮কী শরুক অদু মখাগী মবর্মশিংদ অহানবা চাদিং তৌগদবনি।

(ক) শাসন্ তৌবগী (এদমিনিষ্ট্রেটিভ) চাদং ৫% ফাওবা ;

(খ) (মেন্টিনেন্স) থবব চত্থবগী চাদিং ১০% ফাওবা ;

লেমহৌবিবা যণ্ড অদু (সেক্টোবেল্ বার্কতা) মশা কযাগী থবক্তা মখাগী অসুম্না শিজিন্নগনি।

(গ) শেল্ থুম্গী ওইনা পোৎথোক্ চাথোক্ লৈগদবা লন্ শেন্দ্বগী ৩৫%

(ঘ) সোস্যিয়েল্ ফোবেষ্ট্রিগী পাক্ চাওনা উ থাবগী থবক্তা ২৫%

(ঙ) সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইব কী লন্নাই মীওইশিংগী কান্ননবা পায়খৎপা থবক্, মিলিয়ন্ ৱেল্স স্কীম্ (গুহা তৌবগী থৌবাং) য়াওনা ১৫%

(চ) শোবোক্ শেন্দ্ব অমসুং যুম্ শাবা যাওনা অতৈ অতৈ থবক্শিংগী ২৫%

শাসন্গী ওইনা চাদিং তৌননবা কাইথোক্লিবা ৫% অদু দিঃআবঃডিঃএঃ নত্তুগা জিলা পবিষদ, ব্লোক্ গ্রাম্ পঞ্চায়তশিংবু কন্খৎহন্নবা, ষ্টেট লেভেল্ কোওর্দিনেসন্

কমিতিনা তাক্পা নিযম্গী মখাদা থবক্কী লৌশিংগী লম্দা, হিসাব তৌবগী লমদা শিজিন্নবা তৌগনি।

গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থাক্তা ফণ্ড কাইথোক্পা—গ্রাম্ পঞ্চায়তনা ফণ্ড কাইথোক্পদা মথক্তা দিঃআবঃডিঃএঃ নত্ত্রগা জিলা পবিষদনা কাইথোক্পগী মওং তাকখিবা অদুগা চপ্ মান্নবা তৌগনি। খুঙ্গংগী থাক্তা (সেক্টোবেল্) মশা ওইবা চাদিং—গ্রাম্ পঞ্চাযতশিংদা ফণ্ড যেস্থোক্পগী মতাংদা সিদ্যুল্দ কাস্ট/ট্রাইববকীদমক্ হক্থেংননা কান্নবা ফংনবদা কাইথোক্পা শেল্ফম্ অদু মখোযগীদমক্তা অতম্না শিজিন্নগদবনি, মদুদগী খাইদোক্পসি যাদে। অতৈ অতৈ মশা কয়াগী থবক্কী চাদিং অদুদি অদুম্ তাক্চরে অদুগা জিলা অমনা খুজিং ওইহল্লগা তৌগদবনি। গ্রাম্ পঞ্চাযতশিংগী তঙাই ফদনা চংগদবদা য়ুম্ফম্ ওইবগা পায়খৎনবা হাযগদবনি।

বেঙ্কতা (একাউন্ট) হিসাব হাংবা - জেঃ আবঃবাইঃগী ফণ্ড (কেন্দ্রগী অমসুং লাজগী শরুকশিং) অসি বেঙ্ক অমদা নত্ত্রগা পোষ্ট অফিস অমদা পুম্তোন্ তোঙানবা সেভিংস বেঙ্ক একাউন্ট অমা ওইনা মবম অসিগীদমক্ থম্গদবনি। বেঙ্কশিং অদুদি নেসনেলাইজদ বেঙ্ক, সিদ্যুল্দ বেঙ্ক অমা নত্ত্রগা কোঃওপরেটিভ বেঙ্ক অমা হেক্তা ওইবা যাই।

থম্মজিনবা শেলদা কাবকপা শেন্দোই অদু শিজিন্নবা - জেঃআবঃবাইঃগী পৈশা থম্দা কাবক্পা শেন্দোইগী শেল অদুসু জেঃআবঃবাইঃগী অহেন্বা ফণ্ড ওইনা লৌগান।

দিঃআবঃডি.এঃ নত্ত্রগা জিলা পবিষদনা ফণ্ড লৌথোক্পা - জিলা পবিষদ নত্ত্রগা দিঃআবঃডিঃএঃ না জেঃআবঃবাইঃগী একাউন্টতগী শেল্ অসি যোজনা অসিগী মখাদা চাদিং তৌননবগীদমক্তা লৌথোক্কদবনি।

গ্রাম্ পঞ্চাযতনা ফণ্ড লৌথোক্পা - গ্রাম্ পঞ্চাযতনা পৈশা পিথোক্লবগীদমক্ মাগী ফণ্ডদগী লৌথোক্পা শেন্ফম্ অসি চেক্ কী পান্বেনা তৌগদবনি। চেক্ অদুদা পঞ্চাযতকী মকোক্ অদুগা অতোপ্পা গ্রাম্ পঞ্চায়তনা য়াবা মী অমগনা সহি তৌগদবনি। পিথোক্খিবা শেল্ফম্ খুদিংমক্ গ্রাম্ পঞ্চাযতকী মিটিংদা য়াগদবনি, অদুগা গ্রাম্ সভাবুনা মথংগী মিটিংদা তাক্কদবনি। অতৈ অতৈ মবম্গীদমক্তা শেল্ লৌথোক্পা অসি য়াদে।

(৪) যোজনা অসিগী মখাদা তৌবা থবক্শিং—

লৌখৎকদবা থবক্শিং—থবক্ অমা পাযখৎপদা মদুনা তুংকোইনা মীয়াম্গী

কাৱাবা ফংনা [illegible] ইশাদবা অদুগুম্বা খুঙ্গংগা থবক্ পুন্নমক্ যোজনা অসিগী মথাদা পায়খৎপা যাই। চাওবারু [illegible] মওংশিং [illegible] উৎলি।

(ক) সোসযেল্ যেলেষ্ট্রি গোভর্ণমেন্টকী অদুগা মীয়ামগী ওইবা লমদা, লম্বাগী [illegible] বন্দা, [illegible] মপান্দ, [illegible] লম, বেল লম্পাগী নাকন্দা, শাং, শাজিক্, [illegible] বা, চাবা থাবা

(খ) [illegible] ডাকপা, ঈশিং ফংননবা শিনবা,

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

(ঝ) [illegible] চাওবনচিবা [illegible],

[illegible] চাং অমসুং মব ভূমিগী লমদা [illegible] থীবা,

(ট) [illegible] ঈশিং [illegible] খোৎনবা, মদুগাদমক্ উ থাবা, [illegible]

(ঠ) খুঙ্গংগী বেঙ্কবা শঙ, গোদাউন, পোং থম্ফম্, মীয়াম্গী থবক্ শুফম্, কমুনিটি সেন্তর, পঞ্চায়ত্কী শঙ, দ্বোক্রা সেন্তর, কৈথেল্ ফম্ফম্, মী তিনফম্ নচিংবা শাবা অদুগা অতোপ্পা পঞ্চায়তকী চংবনা ভাবা, ফিজ, নচিংবা ফংজদুনা মখোযগী লন্ হেন্গৎপা যাননবা থবক্কী লমদা শেল থাদবা,

(ড) অশেংনা সমাজগী অমাদ মীয়াম্গী ওইবা দিসপেন্সারি, পঞ্চায়তকী যুম্, কম্যুনিটি সেন্তর, [illegible] অঙ্গনবাদি, বালবাদি নচৎবনী থবক পাঙ্থৎপা,

(ঢ) [illegible] শাবা। [illegible] শাবা। [illegible]

[illegible]

[illegible] (দ্বোক্রা), [illegible] অদগা স্কুল শঙ [illegible] পাঙ্থৎকদবনি।

মীয়াম্গী ওইবা থবক, [illegible] লৌননবা পাঙ্ [illegible] যাই। [illegible] লমদা থবক্কী শরুক ওইনা লমগী মও, শেন্থা-নালা, লবক্কী লৌখোং নাচংবা। চাখোক হেনগৎনবগী থবকসু যাই। অদুম্ ওইনমক লম্ মতুপ অদুগী তঙ্খাই অমাদ অপিকপা অদুগা মার্জিনেল ফাবমসগী লম্না ৭ স্থাই ওইনা অদুগা মখোয অদুগী চাদা ২৫ না লম্গী মপু ওইনা লৈবা মফম্দা পাযখৎপা তাই। অসিগুম্বা থবক্ অমনা যামদ্রবদা লৌউবা মী তবাগীদি কান্নবা ফংহনগদবনি। অপিক্পা অদুগা মার্জিনেল ফাবমসদগীদ লম্ শেন্থগী অচংবা মমল্ তাম্লোইদবনি, অচৌবা ফাবমসশিংদগীদি বাজা সবকাবনা লেপ্পা চাংদা লৌখৎকনি। লৌখৎলক্লবা পৈশা অদু প্রোগ্রাম্ অসিগী অহেন্বা ফণ্ড ওইগনি।

সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইব তা কান্নহনগদবা থবক্শিং—লন্নাই ওইবা মীওইদা থবক্ অমনা কান্নহন্বা য়াবসি সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইব. ফাজিন্দুনা শিজিন্নবন্বা থাদোক্লকপা মীওইশিং, লাইববগী লৈই মখাদা লৈবা (সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইব নত্তবসু) মীওইশিংদদনি, মখোযগীদমক্তি থবক্ অদু লন্নাই ওইববসু পাইখৎপা যাগনি।

সিদ্যুলদ কাস্ট/ত্রাইববকী ওইনা পাযখৎকদবা থবক্শিংদি নমুনা ওইনা মখাগী অস্মন্না পবা যাই :

(১) কাংলুপ আসগা লন্নাই যুম শাবা :

(২) মখোযদা যেন্থোক্পা লম্শিং শেমগৎপা ,

(৩) সোাসযেল ফোরেষ্ট্রি, ঔ, শাং অদুগা শাজিক থাবা যাওনা কাংলুপ আসগী লম্দা পাযখৎপা .

(৪) ঈশিং চিংনবা গুহা লন্নাইগাদা নত্তগা কাংলুপকাদা তৌবা ,

(৫) কাংলুপ আসগী ঈশিং থক্লবা গুহা তৌবা ;

(৬) মখোযগী খুলদগী লম্বী অচৌবা তাবা ফাওবা শেন্না ,

(৭) হাবজনগী চৌপাল্ শাবা ;

(৮) মখোযগী হকচাংগা লু হেন্বগী থবক অমাংশঙ শাবনচিংবা ,

সোাসযেল ফোরেষ্ট্রিগী থবক্ থবক চাস তৌবদা কান্নবা অদু খুঙ্গংগা মা ওইশিং থোইদোক হেন্দোক্লা লাইববাশংদা যৌহন্বনি। থবক অসিদা লৈতাও অমদি ঈশিংগী ফিতম্ ঙাক্পা, পাম্বাশিং অদু হিংহনবা ফাওবা যাওই। উথাগদবা মফমাদ সবকাবগী মীয়ামগী ওইবা লমদা, লম্বাগী নাকন্দা, বেল্ লম্বীগী নাকন্দা। লম্ মতিক চানা ফংদ্রবদি চাং তাববা উমংগী লম্দা ফাওবা য়াই। থাবা যাবা উ মখল্দি দি আব ডি এ নত্তগা গ্রাম্ পঞ্চাযতকা তানদুনা মফম্ অদুগা হবা নুংশিংকা পক্লবা খন্গনি। যাবমখৈ মফম্ মফম্গী ওইবনা ফৈ। অপিক্পা লৌউর্বাশিংদা যাবমখৈ আই আব ডি পি গী কান্নবা ফংগদবা মীশিংদা চাবা থাননবা পুক্লিং খৌগৎকনি। উ থাননবগী অযাবা ফংবা মীদা থাহন্বা যাই, উগী কান্নবা অদুসু ফংহন্বা যাই, উমং অদুদগী থোক্লকপা পোৎ পুম্নমক্ ফংহন্বা অদুগা শেন্থং লৌবদা পোৎশিং অদু বন্ধান্ থম্বা যাই।

ফার্ম ফোবেষ্ট্রি [illegible] মথক্কী সোসিযেল্ ফোবেষ্ট্রিনা কান্নহন্বা যাবা কাংলুপশিংদা খুদোং চাবা পিবা য়াও । থাখবা ঊশিং অদুনা হিংবা য়াবা ফিভম্ ফাওবা শেম্বগী শেন্‌ফম্ জে আব ব্রাই গী ফ[illegible]গী পিগনি । থবক্ অসি তৌবদা সবকাবগী নত্তবা (সংস্থা) লুপশিং যাওহনবা যাই । মখোযদা পিগদবা শেলদি হকথেংননা সবকাবনা নত্তুগা দি আব ডি এ গী খুৎহ [illegible] পিবা [illegible]

ইন্দিরা অবাস যোজ[illegible] [illegible] অসিগা মখাদ মথক্ত পর্ন্দি [illegible] কাংলুপশিংদমক [illegible] [illegible]বগী [illegible] তৌই । অসিগুম্ব [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] । [illegible] ফাওবা [illegible] শেলফমদি

[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible] চাবা পনবা চংবা	[illegible]
		[illegible]

[illegible] ৩০০০ [illegible] [illegible] যাই ।

মিলিযন্ বেলস স্কীম–স্কীম অসিগী পান্দম্দ শেংথতৌবদা [illegible] লুপকা নবুত্ত ঈশিং পিননবা লেম্না গুহ তৌরিবগী থৌরাং, মার্চ ই° ১৯৮৮ ৮৯দগী তৌখি । থবক অসিগীদমক্ জে আব ব্রাই গী মখাদা সিদল্দ কাস্ট / ট্রাইব কী পুন্না কাইখোকপা শেনফমগী চাদা ১৫ শিজিন্নগনি । গুহা তৌবগী চংবা শেন্‌ফম্ অসি নেসনেল্ বেঙ্ক ফোব এগ্রিকল্‌চব এণ্ড রুরেল্ ডিভেলপমেন্ট (নাবার্ড) না তাক্নুনা পিবগী মতুং ইনগনি । তৌববা গুহা পুম্নমক্ কান্নবা ফংলিবা মীগী ইস্কোলদা লৈগনি, মদু বেড়িন্যু বেকোর্দতা চনশিন্‌গনি । আই আব ডি পি গী মখাদা কান্নবা ফংগুবা মীওইদদি থবক্ অসি তৌহল্লোই । গুহা তৌবা মতম্‌দা মী মশাগী পাঙ্গল্‌না নত্তুগা মানা নেক্‌পা মীনা শুগদবনি । থবক্ অসি ঠিকাদাবদা শিন্নবোইদবনি । ঈশিং চিংখৎনবগী পাম্বৈ হাপ্পা তাববদি আই আব ডি প্রোগ্রামদা য়াওহন্‌গনি ।

গুহা তৌবদা শোইবা—কবিগুম্বা মতম্দা গুহা অমা তৌবদা (ক) মতিক্ চানা ঈশ, ফংদ্রবা, (খ) অফবা ঈশিং থোক্তবা, (গ) লৈপাক্কী ফিভম্ ফৎতদুনা নিংখাইবা নড্রগা নুং লৈদুনা তৌব। ওমদ্রবদি, মদু যাদে হায়বসি বাজ্য সবকাবনা শেম্গা টিম্ অমনা যেংগনি অদুগা সার্টিফকেট্ পিগনি। অসিগুম্বা ফিভম্দা থবক্ অদু তৌবদা চংখিবা শেনকম অদু চপ্চানা ক্ষতিপুরন্ পিগনি।

যোজনাগী মখাদ থবক্ তৌবগী ... তাকপ যোজনা অসিগী মখাদা লৌখৎপা থবক পুন্নমক তং কোইনা লৈহৌগদবা ওইগনি অদুগা থবক তৌবগী, থবক্ ... পা ... ক (টেক্নিকেল ষ্টেন্দার্দ) অদুগা (স্পেসিফিকেশন) অতম্বনা তাক্লিবা অদু ... দনা। ... গীদমক ইন্দিয়ান বোদস ক ... সকী নমুনা ইনগনি, ... বাজ্য সবক ... মওং ইনগনি। অসি তৌবদা যাবমখৈ মফম্ মযম্দা ফংজিব ... চে ... শিজন্নগনি। কাপার্ট, নেসনাল বিল্ডিং ওর্গেনাইজেসন, সেন্ত্রেল ... বিছার্চ ইন্স্টিট্যুট কুম্বগী টেক্নোলজী অদ শিজন্নবগী খুদোং চাবা লৌগনি।

যোজনাগা মখাদা খুৎশুমল্ চংব অদুগা খুৎশুমল ... চংবা থবক্কা মচাক গ্রাম্ পঞ্চায়তনা মখোয়দা থবক্কা পীবিবা শেনফমগী যাম্ব্রন্দা তঙ্খাই অমাদি খুৎশুমল পিনবা শিনগনি। মতে পোংকী মমল্, শাসনদা চংবা, প যখোক পাইশন পুশক প্যাশন্দা চ ... (খরচ) চাদিং, চিঞ্জাক্ ওইনা পিবদা চংব ... মমকীদি জে ... মপালগী ফগুদগী পিগনি মদাদ আবংডিংএং নড্রগা ডিল পাবষদনা ফগুগী শক ... তোডাম্না চৎকনি নত্তগা বাজ্যগা ফগুদগী পিগনি।

যোজনা অসিগী মখাদা পিবা খুৎশুমলগী চাং থবক্ শুবগীদমক পৈশা ওইনা ... চিঞ্জাক্কী মহৈ মবোং ওইনা পিবা যাই। চিঞ্জাক্কী মহৈ ... বোংদি মী অমনা নো মদ পুং ৮ শুবগী কিলোগ্রাম্ ১ ৫০ দগী হেল্লোইদবনি। খুৎশুমল্ অসি মিনিমম্ বেজেজ এক্টকা মখাদা পিবা তাকফদ্রবা চাং ওইবা যাই, মাসগীদমক বাজ্য সবকাবনা নোটিশ তৌগনি। বাজ্য সবকাবনা নোটিশ তৌদ্রবা ফাওবদি বাজ্য সবকাবগী দিপার্টমেন্টশিং খুদম্ ওইনা রুবেল্ ইঞ্জিনিয়াবিং, পি ডব্লিউ দি, ইরিগেসন্, ফোরেস্ট, এগ্রিকল্চর নচিংবদ পিবিবা চাং অদুদা পিবা য়াগনি। থবক্ পাংথোক্লিবা মৌপুবশিংনা তাক্লিবা খুৎশুমল্ অদু পিবগী দায়িত্ব ওইগদবনি।

অসিগুম্বা খুৎশুমল অসি চয়োল্গী অকক্লবা নুমিৎ অমদা য়াবগনা কৈথেল্ কাবা নুমিৎতা পিননবা তৌগনি। খুৎশুমল্ পিবা অসি চয়োল্ অমদগী থেংথদনা অদুগা য়ানবগনা নুমিৎ ১৫ নিদগী থেংথদনা পিননবা হোৎনগদবনি।

(৫) থৌশিল্ তৌবা অমসুং থবক্ পাংথোক্পা –

দি আর ডি এ/জিলা পরিষদকী (এনুয়েল্ এক্সন,প্লান্) চহিগী থবক্তা খুৎথানবগী থৌশিল্–দি আর ডি এ নত্রগা জিলা পরিষদনা থবক্কী (শেল্ফ) থৌরম্ যাৎলিবা অদু মমাংগী চহিদা থুংখিবা অদুগী চামদা ১২৫ গী চাংদা ওইহন্‌গনি । প্লান্ নত্রগা থৌশিল্ অসিদা য়াওদবা থবক্তি পায়খৎপা য়াদে । মসিগী থৌশিল্ অসি শেম্বদা অনৌবা থবক্কুগী অরিবা মমাং চহিদা লোইশিলহৌদবা থবক্কুনা হেন্না যেংগনি । চহি অনিগী মনুংদা লোইদবা থবক্তি পাযবা যাদে ।

খুঙ্গংগী থাক্তা (এক্সন্ প্লান্) থবক্তা খুৎথাবগী থৌশিল্ – খুঙ্গং চাওখৎনবগী থবক্কী থৌশিল্ অসি গ্রাম্ পঞ্চায়ত/মণ্ডলশিংনা মিতিং তৌবগা লেপ্কান । মসি তৌবদা শোথহৌদবা সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইব অমসুং নুপীশিংগী খুদোংচাবা য়েংগনি । থবক্ পাংথোক্পগী চং অসি গ্রাম্ সভাদা পঞ্চায়তনা য়াম্দ্রবদা চহি অমগী মনুংদা অনিরক্তি পুথোক্কনা খংহনগনি ।

থবক্কী মখল্ মওং – থৌরম্ অসিদা পায়খৎকদবা থবক্ মখলশিংদি মথক্তা পনখ্রে মদুগী মনুংদগী গ্রাম্ সভানা যাথ্রবা খুঙ্গংগী খ্বাইদগী হেন্না তঙাই ফদবশিং লৌখৎলগা পায়খৎনবা হোৎনগনি । শেল্ চংবগী পট্ট্রে খংবা ঙম্বা অদুগা মফম্ অদুগী থাক্তা লোইবা ঙম্গদবা থবক্ মখৈতা পাইখৎনবা হোৎনগনি । অচৌবা, শেল চংগদবা, পোৎ চৈ যাম্না লৈবা তাবা, অহৈ অশিং মী চংগদবা থবক্‌কুন্দা পাযবোইদবনি । হান্নানা পাইখৎলগা লোইবা ঙমহৌদবা থবক্‌শিং য়াবমখৈ পাইখৎকান । চহি অনিগী মনুংদা লোইবা ঙম্দবা থবক্ পাইবোইদবনি ।

গ্রাম্ পঞ্চায়তনা শেম্বা প্রোজেক্ট অদু য়াবা - গ্রাম্ পঞ্চায়তনা শেম্জবা প্রোজেক্ট অদু পঞ্চায়ত সমিতিগী অফিসিয়েল্‌শিংনা যাববদি, পঞ্চায়ত মশানা য়াজবা ঙম্লে । পঞ্চায়ত সমিতি লৈতবা তাববদি, জিলাগী থাক্তা খন্নগনি । থবক্কী প্লান্ অদু মখাগী ফিভম্ অসিদা গ্রাম্ পঞ্চায়ততা হস্তবক্কনি ।

(ক) চংগদবা শেনফম্ অদুগী মনুংদা খুৎশুমলগী চাং অদু য়াম্দ্রবদা চামদা ৫০ য়ৌদ্রবদি ;

(খ) সিদ্যুল্দ কাস্ট/ত্রাইবকী থবক্তা চাদা ১৫ ফাওবা থমদ্রবদি ;

(টেক্নিকেল্ পার্সন্) থবক্কী লম্দা হৈ-শিংবা মী ব্রাৎলবদি লন্নাই থবক্কী লৌশিং লৈবা মীবু তৌহন্‌বা যাই, মসিগীদমক্ রাজ্য সবকারনা নিয়ম্ শেম্গদবনি । গ্রাম্ পঞ্চায়তনা খন্‌গৎখ্রবা থবক্‌শিং অদু ব্লোক্ অমসুং জিলাগী থাক্তা ওস্নোক্পা য়াহল্লোইদবনি । চহি খুদিংগী থবক্ খন্‌বদা পঞ্চায়ত মশানা লেপ্‌চগদবনি ।

থবক্ পাংথোক্কদবা (এজেন্সি) থৌপুবশিং– জিলাগী থাক্তা থবক্ চুংশিনবা, ইঃ। যেংব , ... যেংশিন্বা অদুগা অশোই অঙাম্ যেংবা আস দি আব ডি এ নত্রগা ।লল পরিষদকী দাযিত্বনি । ... জ্যনা মখোয়দা পিফম্ থোক্পা কণ্ড পিবক্কনি, মদুগী মতুংইন্না ... ক পাইনন , অদুগা ... বক পা ... থোকপি ... পোর্ট মতম্ চানা লান্খৎকনি

খঙ্গংগী থাক্তা থৌবম্ আসগা থবক পুন্নমক্কি থৌশিল তৌবা অমসুং পা ... কপা অসি গ্রা... পঞ্চায়তকী খুৎথা ... ন । ... লৌশিং যাওনা যে শিনব ... প্লেক ... গী ওইনি।

... গাম পঞ্চায়ত হাযবগা খুঙ্গ গী খ্বাইদগ নেম্না মাখলনা ... পঞ্চায়ত ... শুনাশ , ... দগী লৈবকপা ... লেভ ক ... পাইনা ... পাইনবা শকথংবশিং ... ওইগন গ্রাম ... ঙ্কনবা ... ২বক ... ব্লোক ... শিন্নগনি।

... শিন্নবা গ্রাম পঞ্চায়তকী ... শোনবা কংলুপকী মীহুৎ ... নাইড় । গ্রা পঞ্চা ... , ... থব ক্রা ওদিট তৌবা অসি ... পাইদবা ওইনি।

থব ক্রা ... পিদব থৌবম ... যাদে, থবক ... তৌবদা ... ফংতন্দনা ... থবক ... মীদা ... ইন্দবনা ... দা ... লম্বা ... শিংগব লুপ ... থবদস ... গদনি।

... থৌবম্ অসগী মখাদা শেমখবা, শাখবা ... নম সনবা ... দিপ ... লৌশি প্লগা ... শেন্দুন ... খুৎশুম ... থবক্কিদমক গ্রাম্ পঞ্চায়ত / মণ্ডলনা ১ খোযদা শেম্ শানবা পিবক্পা ... মদগী চৎহন্দুনা তৌগদবনি।

(৬) (মোনিতরিং) পাওতাক লমজিং পিবা অদুগা (ইভেলুযেসন) থবক্কী গুণ্ লেপ্পা –

মোনিতরিংগা থৌবাং –

থবক্ যেংলনবগীদমক থৌবম্ শেম্বা থৌবমবু মহৈ ফংনা পাংথোক্নবগীদমক হক্থংলনা থবক্ মফমদা চৎতুনা যেংশিন্বা তাযবসি, তঙাইফদবনি । রাজ্যগী থাক্তা লৈবা ভো মাব বাই গী থবক পুবা অফিসারশিংনা জিলাশিংদা চৎতুনা থবক্ অদু নিংথিনা চং নাইনা,

নিয়মশী মখাদা পাংথোর্কনববা হায়না যেংবা তঙাইফদে। মতৌ অদুগুম্না জিলাগী সর্বদা ওজন্ অদুগা ব্লোক্কী থাক্কী অফিসাবশিংনা মখোযগা মবি লৈনবা থবক য়েংবা [illegible]। মসুম্না থবক যেংননবগীদমক্ সিদ্যালদ অম থাক্ শম্মক্কী ওইনা শেম্লগা স্টেট লেভেল্ কোওর্দিনেশ কর্মিতিনা অযাবা পিদুনা চপ চানা পা থোকপা ঙম্ হন্‌গদবনি। মদুগী কোপি অম পাবত সনকালদ থাগদবনি

ক্যমাতঙ [illegible] (ক) কেন্দ্রদ আই আর ডি পি গীদমক শেমখিবা কর্মিটিও অদুনা [illegible] [illegible] পুব যাউ। (খ) স্টেটকী থাক্তা শেমখিনা চাগুখৎ [illegible] কর্মিটি অদুনা মসিগী [illegible] কসু পুন্দি।

[illegible] বাজা সবব বিনা জিলাগী মনুংদা পাংথোকপা [illegible]

[illegible]

(ক) [illegible]

(খ) [illegible]

(গ) [illegible]

[illegible] থবক শুর্বশ [illegible] মস্ট। বোলদা [illegible] দুসিদ [illegible] ঐইব, নুপাশ, [illegible] হাপকা বা।

মথক্কী মস্টব বোল শেম্নদা, শেম লবা অফিসাব অদুনা চযোলদা শেল পিবা মতমদা - সিদুলদ কাস্ট, [illegible] অদুগা [illegible] কাংলুপকী ফংখিবা থবক্কী সার্টিফিকেট অমা হাপ্কনি। লম লৈতাদবা নপা, নুপী কয়াগী [illegible] থবক শুবগী পুং মশিংনাচংনসু তোঙান্না উৎকনি। থবক ফংখিবগী মাশং অসি মস্টব বোলদা যাওবা সার্টিফিকেটতগী

লৌগনি । সুপর্ভাইজ তৌবা স্টাফনা অফিসতা লাক্পদা মথক্কী বেকোর্দশিং অসি যেংশিনগনি ।

থবক্কী চাং লেপ্পগী যেংশিন্বা – বাজ্য নত্ত্রগা ইউনিয়ন্ টেবিটোবিশিংনা থৌবম্ পাংথোকপা অসিগীদমক্ মতম্ নাইনা যেংশিন্গনি । মথক্কী যেংশিন্ থিজিনবগী থবক্ অসি মমিং লৈবা লোইশঙ / ওর্গেনাইজেসন্ শিংদা শিন্নবা যাই । বাজ্যনা চথবা অসিগুম্বা থাংজনবগী থবক্কী বিপোর্টকী কোপিশিং কেন্দ্র সবকাবদা থাগনি ।

সোসিয়েল্ ওদিট যোজনা নত্ত্রগা থৌবম্ অসিদা সমাজগী ওইনা লার্কশিন্বা ৬মবা মাহ অমগী মনুংদা যামদ্রবদা অনির্বাক্ত খুঙ্গংগী এসেম্ব্লিগী মিটিং ফম্গনি । মিটিং অসিদা খুঙ্গংগী মী খুদিংমক্ যাওদুনা যোজনা অসি পাংথোক্পগী মবিদ' বাফম্ পুখৎপা যাগনি ।

থ অহুম্গী বজেট শাবা–ইং ১৯৮৬ ওগী হৌনা থা অহুম্গী ওইনা বজেট শেম্বসি হৌদোক্খ্রে । থা অহুম্গী বজেট অসিগী মতংইন্না যেম্নোক্লিবা ফগুগী চাদা ২৮ না অহানবা থা অহুমদা, চাদা ২০ অমনা অনিশুবা থা অহুম্দা (অপুন্বগী ওইনা চাদা ৪০ দি সেপ্তেম্বব ৩০ ফাওবদা) শিজিন্নগনি । কবিগুম্বা শিজিন্নবা মতমদা চাং তাবর্বদি শেনথুং অসি চাং নাইনা হম্বকক্কনি, অদুগা মথংগী পিবক্পদা কক্থবক্কনি ।

(৭) মখল মখা –

শেম্গৎখ্রবা লন্গী বেকোর্দ–খুঙ্গংগী পঞ্চাযত. ব্লোক্ অমসুং জিলা খুদিংনা শেম্গৎখ্রবা লনগী, থবক্কী বেকোর্দ থম্গদবনি । মদুদা থবক হৌখিবগী তাবিখ, প্রোজেক্ট অমা লোইবগী তাবিখ, চৎখিবা শেল্ মশিং, কান্নবা ফংখিবা, থবক্ পিখিবা অদুগা অতৈ মবি লৈনবা ব্রাফম্ পুম্নমক্ য়াওহন্গদবনি । যাববদি ব্রাফম্শিং অসি যাওবা সাইন্বোর্দ অমা থবক্ মফমদা থেৎকদবনি । অদুগা থবক্ হৌদ্রিঙৈগী, চথবিঙৈগী অদুগা লোইবগী ফোটো য়াওবা বেকোর্দ ফাওবা থম্বা য়াই ।

থবক্তা য়াওবা মীশিংদা ট্রেনিং পীবা–জে আব ৱাই গী থবক্ পুবিবা থাক্ খুদিংগী মীওইশিংদা অহোংবা ব্রাখল্ পিননবা বাজ্য / দি আব ডি এ / ব্লোক্ / গ্রাম্ পঞ্চাযতকী থাক্তা ট্রেনিং পিননবা শিল্ লাংগদবনি । চাং নাইনা ট্রেনিং, ব্রার্কসোপ্পচিংবা তৌননবা থৌবাং তৌগদবনি ।

বাজ্যগী থাক্তা ট্রেনিং তৌবা কান্দা কাউন্সিল্ ফোব এদভান্সমেন্ট ওফ পিপল্স

এক্সন্ ইন ৰুৰেল্ টেক্নোলোজি, নেসনেল্ বিল্ডিংস ওর্গেনাইজেসন্ সেন্ট্রেল্ বিল্ডিং রিছার্চ ইন্সটিট্যুট নচিংবশিং অসি মখোযদগী মহৈ অদু লৌশিন্ননবা অদুগা চুনবা টেক্নোলোজি অদু অহোংবা মমল্দা ফংহন্বা ঙম্ননবা অদুগা থৌরম্ পাংথোক্পদা যাওরিবা মীওইদা থবক্কী মতাংদ' জ্ঞান্ পিননবা যাওহনগদবনি ।

লন্নাই সংস্থান্শিং (লুপ্শিং) যাওহন্বা - থৌরম্ অসি পাংথোক্পদা জিলা/মণ্ডল্ অদুগা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থাক্তা লন্নাই লিংখৎতুনা লৈবা (সংস্থান্) লুপ্ কয়া যাওহন্বা যাই । অসি গুম্বা ভোলন্টরিগী ওইবা লুপ্শিং অসিদসু থবক পিনবা (ফংনবা) থৌরম লৌখৎপা ঙম্ননবা ক'পার্টকী খুৎথাংদা কেন্দ্রগী থাক্তা তেংবাং পিবা যাই ।

দোনেসন্ কন্ট্রিব্যুসন্ লৌবা ডি আর ডি এ/জিলা পরিষদ/গ্রাম্ পঞ্চায়তশিংনা থবক চাওথোক্হন্নবা , থবক্ হেন্না ফজনা তুংকোইনা তৌবা ঙম্ননবা শাইজিন্নবিবকপা শেল্ লৌশিনবা যাই । খূলগী মীযাম্না শাইজিল্লক্পা শেল্সু খুৎশু মল্গী পিনবনী নত্তবদা শিজিন্ননবা লৌশিন্বা যাই । অদুম্ ওইনমক্ জে আর বাই গী ফণ্ড অসি দিপার্টমেন্টকী ফণ্ডগী মহুৎতদি শিজিন্নবা যাদে ।

থবক্ শুফম্দা খুদোং চাবা পিবা- থবক্ শুফম্শিংদা থক্লবা ঈশিং পিবা, থবক শুবশিংগী অদুগা মমাগা লার্কামিন্নবা অঙাংশিংগী পোথাশঙ শাবনচিংবা থবক্ লৌখৎপা যাই । মসিগী শেন্ফম্ অসিগীদমক্ যোজনা অসিগী খুৎশুমল্গী নত্তবা শেন্ফম্দগী কাইথোক্পা যাই ।

অহাংবা বোবখাও যোন্বা - যোজনা অসিগী মখাদা চিঙ্গাক্কী মহৈ মবোং যেঙ্ভোক্লবদা শিজিন্নখিবা অহাংবা বোবাখাওশিং অদু চপ্ চানা হিসাব তৌগদবনি । নিয়মগী মতুংইন্না যোম্থোক্কদবনি মদুগী শেল্ অদু জে আর ৱাই ফণ্ডদা হাপ্চিন্গদবনি ।

(মথক্কী জেঃআরঃৱাইঃগী লম্তাক্ লম্জিং অসি ভারত সরকারগী মিনিস্ট্রি ওফ এগ্রিকল্চর, রুরেল্ ডিভেলপ্মেন্ট দিপার্টমেন্টনা ফোংবা মেনুএল্দগী লৌজবনি ।)

(খ) খুঙ্গং চাওখৎ থৌরম্ পাইখৎপদা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিং –

ভারত সরকারনা থৌনা ফবা অদুগা আশা চাওবা থৌবাং কয়া লাইরববু, থবক্ ফংদববু থেংননবা লৌখৎখি । মদুদা খুদোং চাদবা কয়া থেংনখি, মকওইবা খবদি –

(১) বেঙ্ককী খুদোংচাবা ৱাৎপা– খুঙ্গংদা লৈরিবা বেঙ্ককী পাথাপ্ অসিনা প্রোগ্রাম্শিং অসিগা থেংনবা ঙমদে; মসিদা যাম্না শাথিনা অৱাৎপা লৈ । বেঙ্কশিং অসিনা

শেল্ পুথোকপদা মতিক্ চাবা সিক্যুরিতি লৈতবনা চিংনবা থোকই, অবেপ্পা থাজবা যাওদে, শেল পুথোকনিংদে। অদুগা নাকল অমবোম্দা কান্নবা ফংলিব। কাংবুগ অযান্বনা শেল শিংদোকনি, বর্গা থাখল নাইনি। বেঙ্কা চৎনবী পাথাপ অসি যান্না চেৎলি, কোমথোক কোম্নশিন হায়না [illegible]। পুম্নমক অসি শাখবা যি ভম্নি

(২) মতিক চাবা [illegible], [illegible] থবক্ বাৎ [illegible] থবক্কা মীশিং, শেলথুম্গা ওইনা [illegible]। পোৎ [illegible], পুথো [illegible] পু শিন [illegible] থোকপা [illegible] পাযংগদৌবিব মীশিং অসি [illegible] [illegible]

(৩) [illegible] [illegible] [illegible]। অদু [illegible] [illegible] [illegible] থবক [illegible]

(৪) [illegible] [illegible] দৌন [illegible]

(৫) পঞ্চায়ত [illegible] মীবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থবক [illegible] [illegible] [illegible] থমই। মতিক চা [illegible] [illegible] [illegible] লোইশঙ্, [illegible] [illegible] [illegible] চৎ [illegible] ফজাখদে।

জবহর রোজগড় যোজনা অসি অতম্নবা পান্দমগা লাধনানা কুংশনবা [illegible] ওইনা হৌদোকখি। মসিদাদি পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা থবক্কী থৌশল অমাদি পাংথোকপগী থবক্ শিন্নবি। মসি অনৌবা চাংযেংগা, মসদা পঞ্চায়তশিংগী পাঙ্গল, মগুণ, থবক্ তৌবা ওন্না অসিনচিংবা লেপকদৌবিবনি। যোজনা অসি থোক্লকপসি পঞ্চায়তী

বাজগী অনৌবা প্রোগ্রামনি অমদি লাংফমনি । যজনা পাংথোক্লবাদ পঞ্চায়ৎ বাদগা পান্দল হাপ্পর্কে, মক্লবা অমি শাম্ন্খিগনি ।

(এও) খুঙ্গং চাওখৎনবা হোৎনখিবা, পাংথোকখিবা অদুগা পাংথোক্কদবগী শকফম্ অমা —ইং ১৯৯৩ -৯৪ গী লৈপাক্ অসিগী বজেটতগী—

(১) লৈপাক্ পুম্বগা [illegible]
১০,০০০ [illegible] কাইখৎলুই,

(২) খুঙ্গংগী লাইবকতা [illegible]
দা চাদা [illegible] হৌখ্রে,

(৩) [illegible] মক্তুমদগী প্রকল
[illegible] পাংথোক্ত্রে, [illegible]
[illegible] প্রাইবেট [illegible]

(৪) [illegible]
[illegible] (project) [illegible] প্রোগ্রাম
[illegible]
[illegible] ডিভেলপমেন্ট [illegible]

(৫) [illegible]
[illegible] শুরুখ্রে [illegible],

(৬) [illegible] শেলথুমগী [illegible]
[illegible] দিপার্টমেন্ত অমা রুরাল ডেভেলপমেন্টবা ওইনা শেমখ্রে,

(৭) বৎতোঙ্গনা ও কর্পদ লাইবকগা চা, হৌহনবা খুঙ্গং চাওখৎনবা, মতৈ মশিং তম্লবা, হকচা, ফম্বগা অদুগা সমাজগা মরাল্লনা হিবমদা তেলা পুরক চৎলে ;

(৮) 'মানষ্টি ওফ রুরেল ডিভেলপমেন্টকী কাইথোক্লবা শেনফমাস ইং ১৯৯৩ ৯৪ দা লপা প্লেন ৫০১০ লেক্স মডাগা ওবা ভাযবদি চদা ৬২ গী চাপ্দা হেনগৎখ্রে ,

(৯) জবহব রোজগড় যোজনাগী শেনফম্ অসি ইং ১৯৯২-৯৩ দা লুপা ক্রোব ২০৪৬ ওইবম্বদু ক্রোব ৩৩০৬ তা হেন্‌গৎলগনি ;

(১০) এাইসেম্‌গী মখাদা নহাবোল্ লাক্ষ ৩.৫ ট্রেনিং পিগনি ;

(১১) খুঙ্গংগী ঈশিং পিননবা ইং ১৯৯২-৯৩ দা লুপা ক্রোব ৪৬০ ওইবম্বদগী ইং ১৯৯৩ ৯৪ দদি লুপা ক্রোব ৭৪০ দা যৌবগনি ;

(১২) লৌউ শিংউ অমসুং এগ্রো প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজদা হেন্না তেংগাং পিবগান ;

হেন্না হেন্না শাক্ত চাইথোক্লনা প্লানিং তৌনবা অদুগা চাওখৎহন্ননা পঞ্চায়তী বাজগী সংস্থাশিং মপাঙ্গল কন্‌খৎহন্নবা সংবিধান্ (৭৩ শুবা শেম্‌দোকপা) এক্ট ১৯৯২ পুস্থাক্লগ্রে, অদুনদি ভাবত সবকাবনা খুঙ্গং চাওখৎহন্নবা থবক্তা থোক্তুদোক হেন্দোকপা পুক্লং থিংজিন্দুনা হোৎনবি হায়বদি তাকই । অদুবু থবক্কী চপ্‌মাবা মইত্র ফংগদ্রবা কবিশাংলো নৈননিংঙাইনি ।- ঐখোয়নদি সোসিয়েলিষ্টিক্ পেটর্ন ওফ সোসাইটি, থেন্নবা লৈতবা চাং মান্নবা সমাজ তান্নে ; ওইবা ঙমদ্রিবা, শোইবিবা অসিগী মকওইবা মবমখবদি

(১) শেল্ চাওনা থাদদবা, থাদবিবা খবা অদু মতম্‌চানা ফংহন্দবা ; মদুনা মবম্ ওইদুনা চহি লোইবক্‌পদা থবক্ যেংদ্রবসু শেল্‌দি কাইথোক্‌পা, থবাও তৌহৌদবা ;

(২) তঙাই ফদবা ইনফ্রাষ্ট্রক্‌চব হায়বদি মচাক্ মথুম্ অমদি থৌশিল্ থৌবাং ব্রাৎপা ;

(৩) মফম্ মফম্ অদুগা চানবা, চুনবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদবা ;

(৪) প্লানিং হায়বদি খুজিল্ থৌবাং তৌবদা মথক্‌লোম্‌দগীদা যেংবা- মখাবোম্‌দগী চংদবা যাদবা তঙাই ফদবা যেংদুনা শেল্লগা চুংশন্নদবা-মদুগী মহৈনা প্লান্ তৌবিবা মীগা প্রজাগা অনিগী মবক্ চাওনা হোবা ;

(৫) থৌবাংগী থৌওংনা মবক্ চেন্‌বা, মযাইদা লৈবা কাংবুদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্‌খিবা অমদি অহোবা, অযুবা লৈদুনা তশেংনা কান্নবা ফংফম্ থোক্‌পা কাংবুদা য়ৌদবা ;

(৬) থবক্কী থাংখাং পুম্নমক্তা পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিং মপুংফানা

যাওহন্দব', মখোয়গী খুৎথাংদা পাংথোক্লবা । লোইশঙশিং অসি চাওখৎ-থৌরম্‌গী প্ল্যানিং তৌনবা মদুগা থবক পাংথোক্লবা এজেন্ট ওইবিবনি অদুবু থবক্তা শিজিন্নদনা চেংপ লৈনা লৈনা খুৎনা মে লৌবগী ফিভমদা থম্লি ,

(৭)   থবক পাংখোক্‌পদা যাওবিবা সবকাবগী আর্ফাসিযেলশিং অসি খংবা হৈনা বাংলি, প্রজাগা হকহংনা, শন্নুনা থবক তৌদে, অফিসকা কটিন্‌ থইনতা তৌই, (লাক কলচর) নঙ্ক ... গীদমক খনবা হাস নথং তাদ ,

(৮)   (নন আফাসযেল্‌) অফিসকী নত্তবা থবক তৌবা মাওইশিংসু পুক্ন-শেংনা থবক্‌ তৌদবা যাওই, থবক্কী মবম্‌ ম্না খ দে, খংনবসু তোৎনদ, মদুগা খুদোংচাবদু আর্ফাসিযেল্‌শিংনা লৌই ,

(৯)   চাওখৎ থৌবমদা যাওবিবা মনিষ্ট্রি কযা, দিপার্টমেন্ট কয় অসি থবক্ত চংশিন্নদে, মানা মানা থোকপা তৌনৈ, মবম অদুনা থবক্তা লোনশিন্নবা যাওই, দাযিত্ব মফম খংনাদ ,

(১০)   থবক্কা টার্গেৎ হায়বদি পান্দম্‌ থেংনগা যৌতন্দবা যাদে হাযবগী ফিভম্‌দা থবক্‌ তৌনৈ (টার্গেৎ ওরিযেন্টেদ ওই) টার্গেৎ যৌববস থবক্কা মগুণদি যৌদে, মবম অদনা রেকোর্দ ফজববসু থবক্কা মহৈদি চপচানা উদ্রবসিন ।

(১১)   থবক শোইবগী দাযিত্ব পিফম লৈতে, থবক্‌ ফজনা তৌবা মীবু শক্‌ খংদে, ফওবা তৌবসু দাণ্ডদগা নাস্থোক্‌ই ,

(১২)   রাজনীতি বালাশিংনা অর্মাদ অটৈ অশানা থবক্তা খুৎ থিংজিল্লি ;

(১৩)   চৎনবা, তৌনবা, জাৎ, নাৎ, ধর্ম্ম, ভুগোলগী অমদি ইতিহাসকী খেন্নবনা থল্লবা লৈপাক্‌ অসিদা থৌবাং নত্তগা শ্বীম অম লৈপাক পুম্নগী ওইনা চৎনহল্লি, মফম্‌ খবদা চুনববসু অতৈদা চুনদবনা থবক্তা মহৈ ফংবা বাৎলি ,

(১৪)   শ্বীম অমা চৎনবক্‌পদা মদুগী ই পাও অদু কান্নবা ফংহন্‌গে খল্লিবা মীদা যৌহন্দে, হৌদোক্লে হাযবা ফাওবা খংদে, পাম্বৈ কযাগী খুৎথাংদা খংহনফম্‌ থোক্‌পনি ;

(১৫)   থবক্কী পোবম খংবা, হৈশিংবা মীগী মশিং যাম্না ব্রাৎলি, অখন্নবা মীওইদা ট্রেনিং পিবা চুম্‌ই ,

অসিগুম্বা মরম্ কয়া লৈবনা, ফগনি, কান্নগনি হায়না হৌদোক্খিবা সরকারগী থবক্ কয়া প্রজাগী কান্নবা পিবা ওম্দে ।

(ট) খুঙ্গং চাওখৎ থৌরম্গী কান্নবা খরা :-

খুঙ্গং চাওখৎনবা হোৎনখিবা থবক্ পুম্নমক্কী চপ্চাবা, ফংফম্ থোক্পা মহৈ ফংদ্রবসু ঐখোয়না খংবা য়াই – অসুপ্ য়াম্না শেল্, পাঙ্গল্, মতম্ চংনা হোৎনখিবগী মহৈদি শুক্ফং ফংখিদে হায়বদি লানগনি মরম্দি :-

(১) প্রজাশিংনা সরকারগী থবক্কী শক্ফম খরা খরদি উহনখিবা ওম্লে: হক্থেংনবা নত্তগসু নাকোইনবা শক্ফম্ অসি ওল্লিদ্রেদা নত্তগস্ থেংলগা উহল্লকই । প্রজাগা সরকারগা যাম্না থাপ্পনা লৈরম্দু খবমখৈদি নর্কশিন্নরক্কি । চাওখৎ-থৌরম্গী মহৈ অদু চপচানা ফংবা ওম্দ্রগসু খবামখৈদি ফংদুনা প্রোগ্রাম্ খংবা ওনক্লি হায়বা য়াই : চাওখৎপগী মঙাল্ খরদি পিনা ওম্খ্রে ।

(২) মমাংদা শোইখিবা কয়া অদু খংলক্কুনা চম্থোক্লবগী তাঙ্গা, চাংযেং তৌদুনা লাক্পগী কান্নবা অদুদি ফংলি ;

(৩) মীওই কয়াদা থবক্কী লৌশিং তম্বিনবা অদুগা লৌশিং অদু শন্দোক্লবগী মওং, তাঙ্গা অমস্ ফংখি ;

(৪) পঞ্চায়তী রাজবু মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্দুনা থবক্তা তেংবাংনবগী ফিভম্দা পুরক্লবা হোৎনরক্লি ;

(৫) পঞ্চায়তী রাজ চৎনরক্পনা য়াম্দ্রবদা দিমোক্রেটিক্ সিদ দ্রিল্লিং হায়বদি গনতন্ত্রগী মরু ছুন্নবা কাংখুল্ হন্বা ফাওবদি ওম্লক্লি ; অদুগা নর্সরি ওফ রিপ্রেজেন্টটিভ গোভর্ণমেন্ট হায়বদি প্রজাগী মীহুৎনা পুবা সরকার য়োক্খৎফম্ শেম্বা নত্তগা পার্টিসিপেটিভ দিমোক্রেসি হায়বদি প্রজানা শরুক্ য়াবা গনতন্ত্র লিংখৎপা ওম্লক্লি । ভারত হায়রিবা খেন্নবা, মান্নদবনা থল্লবা গনতন্ত্রদি চৎপা চাওরবা লৈপাক্ অসিদা পঞ্চায়তী রাজগী পাঙ্গল্ অমদি মসি লৈবগী তঙাই ফদবা অদুদি উদুনা লাক্লি, উখিগনি । চাওখৎ-থৌরম্গী থবক্ পাক্-চাওনা পায়খৎতুনা হেন্না ফবা অওন্বা পুরক্পা য়াই । ●

(১৭)

খুঙ্গং চাওখৎপদা চুনবা টেক্নোলোজি শিজিন্নবা

চাওখৎপা চাওখৎপা হায়বাসিগী ব্রাহস্তোক্ মওং কয়াদা লৈবা যাই, মসিগী ... অসিদা চাওখৎপা হায়বসি অকোইবদা ওইবিবা ফিভম্ অদুগী ফিবেপ লেপ্লদা প্রজান ... তৌদাং যাবিবদুবু খংলবা যাই। শেলথুমগী, লৌউ শিংউ, যুমশা-কৈশা, খুং শুংগী পোৎথোক ... থাকপা অসিনচিংবগী মাবদা ব্রাত্ত পাদবা অদুগা পোৎ চৈ লেপশিনবা ভগ্গী ... হেনগৎহনবা, মীশিংগী আই হায়বাদি চাগা যাম্না কাহনবা প্রজাগী নুংঙাই যাইফগী থবক্ খুদম্ ওইনা হকচাং ফবা হামসুং হকশেল কাংলোন, লুবা নানবা, চিঙ্গাক থাংনা অমদি ... চুম্না চানবা, যম্ কৈ নিংথিনা শাবা, মইহৈ তম্বা, ভাক্ শেল থৌবাং তৌদুনা শেইদ-ভমদনা হিংবা ... খুদিং মক্ থাক্ মাংনা তিংমিন্নবা মসিগুম্বা অসিদা অহেন্বা, মতৌ বা অমদি অওন্বা পুবকপা অদুবু চাওখৎপা হায়না যাই।

চাওখৎপা হায়বাসিদা পোৎ চৈ, মাল্ চাং অসিনচিংবা মপালথোংগী ওইবা কান্নবা হেন্গৎপা অসিতবু ওইবা যাদে। পুক্রিংগী ওইবা, নুংগী শাজৎ লিচৎকী থাক্ বাংখৎহনববুসু পান্দম ওইগদবান। মীওইবা হায়বসি লন্ পুম্নমক্কী খ্বাইদগী অথোইবানি - মীশিংগী ব্রাখল্, অপাম্বা খনবা, শেমগৎ শাগৎপা, মথৌ তৌবা, দায়িত্ব লৌবা, মীগী য়েংবা, খন্বা, নিংথিজবা লমচৎ শাজৎ চৎপা শম্না হায়বগা বাখল্, ব্রাঙাং অমদি থবক্তা অদুগা হিনম্ খুদিংদা পুন্সিগী থাক ব্রাংখৎহন্বা অসিনচিংবা অসিসু চাওখৎপগী মনুং চনগদবান। মাস সমাজগা অফ নুংঙাইগা ফজখ্রবা বিষয় অমনি, মসিনা মী ওইবদা নুংঙাই যাইফ পুবক্কদৌবিবনি।

চাওখৎপদা মান্নবা – চাওখৎপা হায়বাসিনা হিবম্ খুদিংদা অথোইবা, অহেন্বা পুবক্কনি অদুবু মদু ওইবক্পদা কাংলুপ্ খবতগী ওইনা হেন্গৎপদনদি য়াদে ; খবা অদুগী অফবনা অতোপ্পা খবদা নত্তুগা ময়ামদা শোক্লবদি মদু চাওখৎপা কৌবোই। চাওখৎপা তাববদি হিবম্ খুদিংদা পুন্সিগী থাক ব্রাংখৎপা, ফংনবিবা আই নত্তুগা চাগা অদু চাং মান্ননা ফংমিন্নবা, য়েঙ্গোক্লবা য়াবা খেন্নবা যাম্না চাওনা লৈহন্দবা তাই। মবম্ অদুনা চাওখৎপগী পান্দমদি অহেন্বা অমসুং মান্নবা হায়বশিং অসিদা ওইগনি। চথবিবা

থৌবম্ অমা মতম্ শাংনা তুংকোইনা লৈবা ওন্নবদি থ্বাইদগী ফজবা মহৈ-যান্বা চাওখৎ থৌবর্মনি । হৌজিক্কী মতম্দা বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজিনা চাওখৎপা পুনকপদা যাম্না তেংবাংই ।

(ক) বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজি- হৌজিক্কী মতম্ মাসদা হিবম্ খুদিংদা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি শিজিন্নবা হায়বা অসি যাম্না পাম্নববা খোল্লাও অমা ওইরক্লে । মবম্ অদুনা বিজ্ঞান্ কবিনে অদুগা টেক্নোলোজিনা কদায়নো হায়বসি মমুৎ [illegible] খংযম খোক্ই

বিজ্ঞান প্রকৃতিদা নত্রুগ ঐখোয়গী অকোইবদা [illegible] মখল মখা [illegible] থৌওং নত্রুগা শকলোন্ অদু তাকপা নিয়ম্ ময়াম্ অমবু [illegible] বিজ্ঞান কৌর [illegible] প্রকৃতিদ মখল কয়াগী থৌদাক [illegible] ওং থোক্ই, মদুনা [illegible] চমমনহল্লি অদুগা কবম্না [illegible] থোকহল্লবা [illegible] হায়বদু হল্লহল্লি । [illegible] ঐখোয়না অসুম হংবগী পুক্নিদা [illegible] উবা ফংই । নুমিৎ [illegible] [illegible] খুদ [illegible] থোক্কই, [illegible] অত্তনবা [illegible] তা [illegible] লাইনা মালেম্ আস অমম্পন কুপ্পা [illegible] অচৌ অঙ [illegible] থাবাব । [illegible] অমা পাইবা লৈনা পুক্কি [illegible] শাংদা লোয়না [illegible] থোক্ই, মিগী চাং [illegible] কয়াইবনই । [illegible] নাংড্রু অসীগী [illegible] পাক্লং [illegible] কয়ানা তিল্লবা চুম্ [illegible] থাল্ল, [illegible] কুই, [illegible] । য়োৎচা [illegible] মচৎ অমবু চংশিল্ল । মীওইবা [illegible] অচুম্বা অওইবা [illegible] থৌদোক নত্রুগা থৌওং খুদিংমক নিয়ম [illegible] মখাদা ওইবা [illegible] বিজ্ঞানন মসিগী আইন নত্রুগা নিয়ম অদু পিবা ওমই [illegible] নিয়ম্ অসিন [illegible] তাকই [illegible] প্রকৃতিগী আইন নত্রুগা নিয়ম কয়াবু বিজ্ঞান হায়বসিনা ফোংদোকই ।

বিজ্ঞান্গী মশা খুদিংনা প্রকৃতিদা থোক্লবা থৌওংবু তাকই, ফিজিক্সনা মেশা, মগুণ, মখোল্, য়োৎচাগী অমদি বওলিনচিংবগী মবম্ তাকই শাজৎ তাকই । কেমিষ্ট্রিন পোৎকী মগুণ্, মচৎ, মখোইনা পুর্নশিন্বগী খাইদোক্পগী নিয়ম তাক্ই । এসট্রোনোমিনা সৌর জগৎতা লৈবিবা আতিয়াগী পোৎ পুম্নমক্কী মফম্ লেংবা চৎপগী মওং, মখোইগী মপাঙ্গলনচিংবা তাক্ই, মতৌ অসুম্না বিজ্ঞান্গী মশা খুদিংনা মাগী মাগী হিবম্দা আইন্, নিয়ম্ পুথোক্ই ।

টেক্নোলোজি— টেক্নোলোজি হায়বসিনা বিজ্ঞান্গী খুদুং ইল্লি ; বিজ্ঞান্না

নিয়ম্ পুথোক্পনি অদুগা টেক্নোলোজিনা নয়ম্ অদু শিজিন্নদুনা মদুদা যুম্ফম্ ওইবগা প্রকৃতিদা ফংলিবা পোং চৈ, অদুগা থবক্ তৌবা ঙম্নবগী পাঙ্গল্ (ইনর্জি) অদু শিজিন্নদুনা মীওইবগী কান্নবা, নুংঙাই যাইফবা পুবক্পা ঙম্হল্লি । খুদম্ ওইনা বিজ্ঞাননা মঙালগী শাজংকী নিয়ম পুথোক্ই, মসিগী নিয়ম্ অদুগা অচুম্বা অদু শিজিন্নদুনা টেক্নোলোজিনা মাইক্রোসকোপ,টেলেসকোপ, অদুগা ফোটোগ্রাফিক্ কেমেরা পুথোক্ই । বিজ্ঞাননা মনিল অমসুং মৈশাগী থৌদৈ তাক্ই অদুগা মদু শিজিন্নদুনা বেলরে ট্রেন্ পুথোক্পসি টেক্নোলোজিনা ঙমহল্লে । অসুম্না বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিগী মতেংনা মীওইবদা অনৌ অনৌবা খুদোল্ কয়া তম্লি ।

বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিগী পান্থেংনা মীওইসিনা প্রকৃতিবু খুদম্ চন্দুনা নুংঙাইবা [illegible] অদুগা [illegible] । অদু অসিনা [illegible] সভ্যতাদা অঙকপা [illegible] পুর্লক্লে । [illegible], বাখল শন্‌বগী [illegible], থবক তৌবগী [illegible] মীওইবগী [illegible] থবক কয়া মেশিননা তৌগে, কম্প্যুটরনা মীওইবগী বাখল [illegible] থবক তৌখৎলক্লে । টেক্নোলোজি [illegible] পোৎ [illegible] লাইটনা, তেংবাংনবা পান্থং ওইবা পোৎ [illegible] যাওবা টেক্নোলোজি ওইগনি । বিজ্ঞান [illegible] নৌবা টেক্নোলোজি পুথোক্পদা হেক্লেং থুগাইহল্লে অদুগা টেক্নোলোজিনা বিজ্ঞানবু [illegible] অসি [illegible] । [illegible] আসি বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিনা লৈবা [illegible] আসসু [illegible] পাঙ্গল অমসু [illegible] পাঙ্গল অদুগা [illegible] । টেক্নোলোজিগী [illegible] শিজিন্নবা অমাদি [illegible] মীওইবগী [illegible]

বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিনা খুঙ্গংগী মীওইদা পিবা [illegible] বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিনা মীওইবগী অনাংপা, অপাম্ববু পিগনি । টেক্নোলোজি শিজিন্নবা, হিংনা ফংবা পোৎপু শিজিন্নবা যাবা পোৎতা ওন্থোক্নবগী পান্থ অমনি শাদোং অমনি । পুবক্লিবা অওবা কয়া অসিদা জাতি অসিনা, সমাজ অসিনা নত্রগা লম্লাই মীওইনা পক্নাশনবা ঙম্গদবসি কদাই ফাওবনো হায়বসি হংনিনংঙাইদি ওই ।

লৌউবদা হৌজিক্কী মতম্দা লাঙ্গোল, থাঙ্গোল, হমাই, চৈবোংগী মহুৎ মেছিন্ কয়ানা ট্রেক্টরবদগী হৌনা শিনখ্রে; মদুদা চংগদবা, শুবগা ফংগদবা মীওই কয়াগী খুৎশু মুন্‌থখ্রে । শুম্বল্‌দা শুদুনা খুৎশু ওইগদবা অদু মিলনা মুন্থিদুনা থবক্ লৈহন্দবদা নত্তনা

ভিটামিন্ বি য়াওবিবদু মাংহন্দুনা হক্চাংদা ফত্তবা চৈথেং পিবি।

গান্ধীজীগীদি শেল্থুম্গী থবক্তা মোছন্ শিজিন্নবগী মাইযোক্তা লৈ। মহাক্না হায়খি– 'মোছিন্না মীওইবগী থবক্তা মতেং পিববদি নত্তগা থবক্ অদু লাইহল্লবদি মদ ফজনা শিজিন্নববনি। ঐগী দেশ অসিগী চংগদবা পোৎ পুম্নমক মী ক্রোব অহুম্গী মহুৎতা মী লাক্ষ অহুম্তনা পুথোক্পা ওন্নবদি ঐগী হায়থিংবা লৈতে। অদুবু মাসিগী ক্রোব অহুম্ অদুদি তন্দনা নত্তগা থবক্ ফংদনা লৈহল্লেইদবনি।' মখা তানা হায়খি – 'পাংথোক্তদৌবিবা থবক অদুগীদমক্তা শুগদবা মীগী মশিংনা যাম্ন তাববদি মেকান ইজেসন্ অসি ফৈ বক তন্দনা চংগদবা খুৎ শাদুদগী যাম্না হেন্না লৈরবদি, মসি ফত্তবা অমনি।' গান্ধীজীগী লেদদি অশেংবা ইকোনোমিক্স্তি সমাজদা অচুম্বা তৌবা গাদি পক্লং দা শুগ কয়াগা মহুম্ চুক্পদা মাব লৈতে, মসিদি পুক্নগী লম্বী ওননি

টেক্নোলোজিনা খুমাং চাওশল্লকপগা লোয়ন শোহংনা মীওইবনা মখোই মশা অসি থবক শুননবা নত্তে, বাখল খল্লনবা, শেম্গৎ-শাগৎনা। অমদি ভাকশেন্নবা হায়বনা চওথোকচবি। মাসিগা খুমাং চাওশল্লক্পাসনা ঐখোয়গী শেল থুম্গী থবক্তা ইনাৎকী ফিভম্দা অমদি পুক্নুংগী বাখল্লোনগী ওণদা অহব নংগ যাওবা চৈথেংদি শোইদনা পিবি।

চুনবা নত্তগা চান চানবা টেক্নোলোজি শিজিন্নবা নত্তগা পানশিনবা তৌজব আসদাদ, অনৌ অনৌবা মখলগী বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজিগী জ্ঞান, মসি পাং শন্দোকপা অদুগা অনৌবা পাথাপ্ অমা হৌদোকপা চংনহনবা। ভারত্বাস দেশ অসিগী শেল থুম্গী খুন্নাইগী অদুগা অতে অতে হিবম কয়াগী চাওখৎ থেংনমগী মসিদ তৌদব যাদ্রবা অমা ওইরবে। ইনটেগ্রেটেদ রুরেল্ ডিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম্ হায়বিবা খুঙ্গং চাওখৎনব হাৎনবা থৌবম্ অসি হায়দগী চৎথবাক্লবা লেংদবা, অনবা শেলথুম্গী, সমাজগী মওং, মহৈ মশিং তম্বগী হোংদোক্হন্দনা অনৌবা মওংগী লৌউ শিংউ, শংশা হৈ যা অমদি খুৎশুগী থবক্তা মরি লৈননা শেল্ থুম্, সমাজ, সংস্কৃতি (ইনাৎ), কাংলুপ শেম্গৎপা, মহৈ মশিং, যুম্শা কৈশা, পোৎথোক চাথোক হেন্গৎহনবা, চিঞ্জাক্ মবাং কাইনা অমদি মওং চুম্না চাননবা হোৎনবা, অইং অশা নোংজু নুংশাগী অমদি অকোইবদা ওইবিবা ফিভম্ কাইহন্দনা থম্বা, শা শল্ লোইবা ডেইরি অমসুং পোলট্রি ফার্মিং তৌবা, খুঙ্গংগী অপিক্পা শিল্প অমদি খুৎহৈবগী থবক্ তৌবা, সেরিকলচর, সোসিয়েল্ ফোরেষ্ট্রি অমসুং ফার্ম ফোরেষ্ট্রি তৌবা, ইথৈ লৌখোং শেম্বা, লৈপাক্-লৈহাওগী ফিভম্ কাইহন্দবা, লু হেন্বা অমদি হক্শেল্গী থবক্ অদুগা অতে অতে পুন্সি হিংবদা চংবা থবক্ থৌবম্ কয়াদা মীগী থাক্ বাংনা হিংবদা পান্থে ওইবা ওম্হন্নবা হোৎনবক্পা অদুগুম্না

থীবম অমনি। অতম্না চাথোক [illegible] থাক হেনগৎহন্বদা, শেলগী চাগা চাওনা লাক্লবা হোৎনবদা, মীযামগী ওইবা [illegible] ওখৎহন্বদা বিজ্ঞান অমসুং টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা থবক্ হেন্না ফংহন্দুনা নুংঙাইবা ব্রাও-পাদবা. থাক্ মান্ননা হিংমিন্নবা ঙম্গনি। টেক্নোলোজিনা মীওইবগী পুন্সি [illegible] তনগৎহন্বদা তেংবাংই।

(খ) চানবা [illegible]গা [illegible] টেক্নোলোজি অচুম্ববু ওইবনসু নত্রগা চয়েৎনবা অবাংব [illegible] এচৌব [illegible]খলগা [illegible] ওইবনস [illegible]নবা নত্তুগা চুনবা, চুংশিন্নবা [illegible] টেক্নোলোজি [illegible] চখ্যগদবা, মীযাম্ম খংবা ওপ্প [illegible] যানবা, পাম্নবা, [illegible]দা খুৎ[illegible] অদুগা [illegible]কই। চৎনবা যাগদবা মখলগী অদুবু চানবা নত্তুগা [illegible]নবা [illegible] টেক্নোলোজি [illegible] অমসুং টেক্নোলোজিনা যাম্না খুনা চাওখৎখিবা [illegible] অমাদ শেলথুমগী ফিভম্না [illegible]খৎখিবনা চানবা [illegible] টেক্নোলোজিনা মী কাংলুপ অমগী [illegible] পম্মন [illegible] চানবগী [illegible] শাজিন্নবব [illegible] মাইনবা ফিভমদা লৈরিবা [illegible] কুইনা চৎপা অসি মী কাংলুপ অমগী [illegible] টেক্নোলোজি [illegible] অমা খুন্নাই অমদা [illegible] পাম্নবদি [illegible] শাওগবনা মীযাম্না পাম্লিবদু থংহল্লবদি [illegible] চুনবা মখলগী [illegible]।

চাওখৎনবা [illegible] টেক্নোলোজিনা [illegible] টেক্নোলোজি শিজিন্নগা [illegible], [illegible] ওইবা ফিভম্ [illegible] লৈবা পেশা, [illegible] টেক্নোলোজি অমা [illegible], মতম্ অদুগী পোৎলোন্ [illegible], সমাজগী অমাদ শেলথুমগা ফিভম্নাচংবা [illegible] যেংলৈবা অমদ খংবা ওই। টেক্নোলোজি [illegible] তৌবা নত্তুগা শিন্নবা [illegible] থবক্ মপু [illegible]নবা কান্দা অতৌবা ওই অদুগা [illegible]বব, চাওখৎহনগে তাম্লিবা মীওইনা মদু শিজিন্নববা কান্দা অবোইবা ওই। অনৌবা হৌদোক্লকিবা টেক্নোলোজি অদুগা সমাজ, শেলথুম্ অমদি সংস্কৃতিগী (ইনাৎকী) ফিভম্গা খুৎশম্নগদবনি। টেক্নোলোজিনা চানববা কান্দদা মীযামগী পুন্সিগী গুণ্ হেনগৎকনি, চাওখৎপা হাযবদু ওইগনি।

খুঙ্গংদা চুনবা টেক্নোলোজিগী তঙাইফদবা—পৃথিবীগী মনুংদা এসিয়াগী অয়াম্বা শকক্কী প্রজাশিং থোইদোক্ হেন্দোক্লা ভাবতকী প্রজাশিং অসি মহৈ তম্বগী থাক্ নেম্বা,

থবক্ নিংথিনা ফংদবা, লাইববা, চানবা চিঙ্গাক্ নিংথিনা ফংদবা, ফংলবসু লান্না চাবা, মশা ফত্তবা, য়ুমলৈ কৈবেগী ফিভম্ ফত্তবা, হক্শেলগী নিযম্ খংনা লৈতবা, মতম্গী ওইবা ইনর্জি (ইলেক্ত্রিক গ্যাসনচিংবা) ফংদবা, থকুবা ঈশিং ফংদবা, মীশিং কুংনা লৈবা, লৌউ-শিংউগী থবক্তা মতিক চাবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদবা অসিনচিংবা ফিভম্দা লৈ ; চাওখৎনবা ফংবা হোৎনববদসু অথাম্বনা লাইববগী লৈইগী মথক্তা লান্থৎপা ওম্দ্রি ।

নীংতম্লবা তুংদগী চাওখৎ থৌবম্গী চাংয়েং কযা পাইখংখ্রবদসু খুঙ্গংগী মী শাযাম্নগী পুন্সিগী শুণ অসি ইহেন হেনগৎপা ওম্দ্রি । মসিগী মক ওইবা মবম্দি খুঙ্গংগী মী কাংলুপ খুদিংদা কান্নবা পিবা ওম্না, চাথোক পোৎথোক্ অদুগা তাই হেনগৎহনবা ওম্না চানবা মথলগী টেক্নোলোজি অমা পানশিনবা ওর্মদ্রি । নোংচুপলোমগী ওইবা মখোযাদদি চানজবা অচৌবা নত্তগা অবা থাক্কী টেক্নোলোজি অদু ভাব তাদনা, খংদনা ফগানি পন্দুনা লৌশিল্লবা অদুগা এখোযগী খুঙ্গংদা পানশিল্লবা আসানি । অসিগুম্বা মপালদগী পুশিল্লকপা টেক্নোলোজি অদুনা এখোযগা ভাবতকী খুঙ্গংগী ফিভম্, পান্নিবা অমাদ থখোকপা যাবা মওং অমসুং হন্নদগী চৎনবকপা পাখাপ পুম্নমক আসগা চানগদবানি ; অদু চানদবনা থবক্তা মহৈ ফংবা ওর্মদ্রিবানি । তশেংবদি এখায়গী খুঙ্গংগী খুনাই অমসুং শেলথুম্গী থবক্ খুদিংমক্তা অকোইবদা ওন্থোকবা ফিভম্না ওলহল্লকানি অসিগা চানি । এখোযগী চংফম্ থোকপা ফিভম্ অদু যুম্ফম ওইবগা টেক্নোলোজিগী মশাক্ লেপকদবানি । খুঙ্গং চাওখৎনবানি খুঙ্গংগী অশোনবা বাংলুপপ শোগৎনবানি খুদোং চাদবা কোক্হনগদৌনিবানি হায়না নোংচুপলোমগী পুশিল্লকপা টেক্নোলোজি শিজিন্নবদুনা লৈখা তানা থোংনা ওম্দে, ইশোন্বা ওইবা কাংলুপনা কাংলুপশিংনা ওম্দে । খুনাইদা বাইহুং খমদোংবা রাজনীতি অমদি শাসনগী নরিবা থাম্না ওম্না কাংলুপগী শবক্ ওন্থোখ, খুঙ্গংগী মতৌ ম ইৈগী শবক্ হাম্না থাংদে । ওযা থবতা অদুগা ফংদবনা মহাক্ অমা ওই । হৌদোক্লক্লবা টেক্নোলোজিগী লৌশিং ইপাও, পুম্নমক্ অসিনা সমাজগী, শেলথম্গী ফিভম্ থোংনবা ওম্দে- মাংদবা, চুমদবা ফিভম্ অসিগী চাং হম্ভহনবা ওম্দে । মবম্ অদুনা ইং ১৯৬০ দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা হৌদোকখিবা লাইববগী চাং ওন্থনবা অদুগা থবক্ পিনানবা প্রোগ্রাম্শিং অদুগী মহৌদ ইনাক্ খুনবশিংনা হেন্না খুনগৎলক্পা অদুগা লাইববনা অসুম লাইববা হেল্লক্পা ফিভম্দা কাংলুপ অনি অদি চাওনা থোক্লক্ই । পুথোক্লক্লিবা টেক্নোলোজি অদুনা হেন্না খংবা, হৈবা কাংলুপকী লৌউবনচিংবা মীওইদদি চানৈ, খুদোং চাই লৌশিনবদা কান্নৈ ; শেম্বুং ফংবা, সার্ভিস ফংবা, ই-পাও ফাওনবা, পাওতাক্-লম্জিং ফংবদা খুদোং চাই । মবম্ অদুনা খুঙ্গংগী ত্রাইবেলগী অদুগা অপিক্পা লৌউবগীনি হায়না থাদখিবা চাওববা শেন্ফম্ অদু লাইববা, অতোনবা কাংবুনা ফংবা অমদি লৌশিনবা ওম্দে । অনিশুবদা ভাবতকী ওইবিবা ভুগোলগী, লৈমাইগী ফিভম্ খেন্নবা—অইং-অশা,

লৈহাও, নোংজু-নুংশা মান্নদবা চৎনবী খেন্নবা, সংস্কৃতিগী খেন্নবা, শেল্গী ফিভম্ ফত্তবা অসিনচিংবা লৈবনা ভারত পুম্নগী ওইবা টেক্নোলোজি অমা চাং মান্ননা শিজিন্ননবা পুথোক্লকপদা কোন্শিন্দুনা শিজিন্নবা য়াহন্দে । মবম্ অদুনা চপ্চাবা, মফম্ মফম্গী ওইবা টেক্নোলোজিতনা খুঙ্গংগী শেলথুম্গী ফিভম্ হেন্গৎহন্বা য়াগনি হায়বসিদি তশেংবা ৱাফম্নি ।

টেক্নোলোজি অমা পুশিল্লক্পদা য়েংগদবা ফিভম্ খবাঃ—টেক্নোলোজি অমা শিজিন্নবম্দাইদা মদু মফম্ অদুদা চৎনবিবা নাৎকী ফিভম্গা চানববা, সমাজ নত্রগা খুনাই অদুনা মদু লৌশিন্বা ঙম্লগদবা অদুগা শেলথুম্গী ফিভম্দা চানবগদবা, হিংবা ঙম্লগদবা হায়বসি মুম্না য়েংহৌগদবনি । ফনসু ফসনু, চৎনবিবা ফিভম্, প্রজাগী থাক্, চাওখৎপগী মওংগা চানদ্রবদি পান্শিন্বা য়াগনি অদুগা খুনাই অদুনা মদুবু পাম্লবদি চুশিন্নবা য়াগনি । য়াম্না ফগানি হায়না খন্বা মখল্গী টেক্নোলোজি অদু শেল্ চংবা, মমল্ য়াম্বা ওইববদি লাইববা, অশোন্বা কাংবু অদুনা শেল্ অদু তিংথোক্পা ঙমদ্রবদি পাম্লবদসু শিজিন্নহন্বা ঙম্লোই । শিজিন্নগদৌবিবা পোৎশক, মচার্ক্শিং অদু মফম্ অদুদা কোম্না ফংবা ঙমদ্রবা, মপান্দগী লৈকদুনা পুশিল্লক্পা তাববদি শেল্ হেন্না চংবতা নওনা অতৈ অতৈ খুদোংচাদবা কয়া অমসু থেংনবা তাই ; অদুনা মদু চানবা নত্রগা চুনবা টেক্নোলোজি ওইবোই । পুশিল্লক্নদৌবিবা নত্রগা পান্শিন্গদৌবিবা টেক্নোলোজি অদু ফিভম্ অদুগী মককনবা, অতম্নবা ওইবা তাই, অদুগা পাংথোক্নদৌবিবা থবক্ অদুসু মথুবা অমাদি অককনবা মতম্গী মনুংদা পাংথোক্পা তাই । মবম্ অদুনা এলাকা অদুগীদমক্ অতম্নবা টেক্নোলোজি পুথোক্পগী তঙাই ফদবা লৈ ।

প্রজানা থৌদাং যাবা - থবক্ অমগী খুজিল্ থৌবাং তৌবা অদুগা মদু পাংথোক্পদা প্রজাগী থৌদাং চংই । থোইদোক্ হেন্দোক্না অনৌবা টেক্নোলোজি অমা পুশিল্লক্পদা প্রজানা অপাম্বা, হৈনিংবগা লোয়ননা থবক্ তৌদ্রবদি সবকাবগী এক্সটেন্সন্ ব্রাঞ্চবশিংদগী পাওতাক্, তেংবাং লৌবগা প্রজাগী অপাম্বা, অনিংবা, চংগদবা ফিভম্, পোৎচং য়েংদুনা কান্নগনি খল্লবদি প্রজাশিংবু ভাব তাহল্লগা থবক্ অদু পায়খৎপা চুম্মই । মতম্ অসিদদি অথুবা ফিবেপ্ হেক্তা লৌবা চুম্দে, তুংদা মদুগী ফত্তবা মহৈ লাকপা যাই, খুদোংথিহল্লক্পসু য়াই ।

প্রজাবু ভাব তাহন্বা—খুঙ্গং শেম্গৎপগী থৌবম্ পায়খৎপগী পান্দমদি গ্রহানবদা চাওখৎহন্বা অদুগা অনিশুবদা থবক্ (শিন্ফম্) পিবনি । পান্দম্ অনি অসি ফংবা তাববদি মওং তানা শেম্ শাবা চংই । চাওখৎনবগীদমক্ টেক্নোলোজি পুথোক্পসু তঙাই ফদে । অদুবু টেক্নোলোজি ট্রান্সফব তৌবা হায়বদি শিন্নবা অসিগী

থাক্ পুম্নমক্তা হায়বদি পোলিসি শেম্বা (থবক্কী পোবম্ শেম্ শাবা), থৌবম্ য়াংপা হায়বদি প্লান্তৌবা অদুগা পাংথোক্পা অসিনচিংবা তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা খুঙ্গংগী মী কাংলুপ্কী মনুংদা খুদোংচাবা ৱাংনা ফংলবা, শোল্লবা কাংবুদা মখোয়গী খুদোং চাদবা লৈবিবা অদু কোক্লনবগী পাম্বে অদু নিংথিনা নৈননবা অদুগা মমুৎ তানা খংনবগী তাঞ্জা পিবা মথৌ তাই। অনৌবা টেক্নোলোজি অমগী মতাংদা মখোযগী মোত্ ফোংদোক্পা অদুগা শেলখুম্ ফংনবা লম্বী, শেম্পুং লৌবা অমদি ফংবা, ই পাও থিজিন্ হুমজিন্বা চাওখৎলক্পগী নত্তুগা অশোইবগী চাং অমদি মবম্ খংনবা হোৎনবদা মীয়াম্ অসি য়াওহনগদবনি। অনৌবা, অফবা থবক্ অমা পায়খৎপদা খংবা হৈবা মী য়াম্লা চংই। খুঙ্গংগী লাইববা, থবক ফংদবা, থবক্ ৱাংনা ফংবা অসিনচিংবা অসি থেংনবদা খুঙ্গংগী লন্ ওইবিবা মীশিংবু থাক্ ৱাংখৎহনবা অদুগা শিজিন্নবা তাই। অসি গুম্বা মীয়াম্গী গুন্ হেন্গৎলবা কান্দতা থবক্ অযাম্বা পাংথোক্পা ঙম্গদৌরিবনি। মতাং অসিদনি, মীযাম্দা ট্রেনিং পিবা, তম্বিবগী তঙাই ফদে হাযবিবসি - মসি মীওইবগী শক্তিবু প্লানিং তৌবনি। চাথোক্ পোৎথোক্ হেন্গৎহন্বা ঙম্বতনা লাইববগী চাং হম্বহন্বা ঙম্লোই। প্রজাশিংনা থবক্তা থৌদাং যাবা মতম্দা থবক্কী পোবম্, লৌশিং, খংহৈবনচিংবা চংই। সবকাবগী থবক পুবিব' এক্সটেন্সন্ বার্কব অদুগা প্রোজেক্ট পাংথোক্দৌবিবা মীওইশিংনা মদুগী লৌশিং, নমুনা, থবক্কী থৌদৌনচিংবা প্রজাদা তাক্পা, ভাব তাহন্বা হায়বসি অহান্বা মখল্গী থবক্নি।

শিজিন্নগদবা পাম্বে — চাওখৎ থৌবম্গী প্রোগ্রাম্ নত্তুগা থৌবম্ অসিমক্ খুঙ্গংগী মীওইনা অহান্বমক্তদা খংবা ঙম্দে। মনুংগী ৱাখল্ অদু খংবদি লাইবদুনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম্ অমা সবকাবনা পাযখৎলক্লে হাযবসি ফাওবা প্রজানা তাবা ফংদে, অদুনদি মখোযনা থৌদাং য়াবগী ৱাফম্দি লাপ্প্লে। মবম্ অদুনা বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজিগী জ্ঞান্, ই পাও, হৌদোক্লক্লিবা পাথাপ্ অসি চৎনহন্বদা ফিভম্ অহুম্খক্ চংই। ইহান, হান্বদা মসিগী মবম্ অদু খুঙ্গংগী প্রজাদা হক্থেংননা শম্নদুনা ৱাবি ৱাতাই শাবা, মমুৎ তানা খংহন্বা তাই। মসিবু গ্রাসকট্স্ এক্সটেন্সন্ মোদেল্ হায়না খংনৈ। অনিশুবদা মদুবু থবক্তা পান্শিন্দুনা চাওখৎনবা হোৎনবদা শকক্ য়াবা। অহুম্শুবদা প্রোগ্রাম অদুনা কান্নবা পিবিবা অদু কোম্না ফংবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। মবম্ অদুনা খুঙ্গংগী মীওইনা কথোক্পগা লোয়ননা তৌবা ঙম্গদবা, মতম্ কক্পা অদুগা খুঙ্গংগীতা ওইবা থৌবম্ পাইগদবনি।

টেক্নোলোজি অমা ট্রান্সফব তৌবা নত্তুগা শিজিন্নবক্পা মতম্দা খুঙ্গংগী মী ১০০গী মনুংদা ৮০ না অহান্বদা খংদে, মদুবু গ্রাম্ সেবক্ অদুগা অতৈ এক্সটেন্সন

ষ্টাফনা মদুগী ই-পাও, থৌওং থৌদৌ অদু লৌমী, শীন্মীনচিংবদা হক্থেংননা শম্মদুনা ই-পাও পিবা,শন্দোক্না তাক্লগ, লম্বীশিন্বা, পাওতাক্ তেংবাং পিবা তঙাই ফদে। বেদিও, টি.ভি. অদুগা পাও-চেশিংদা পাও পিবগা লোয়ন লোয়ননা হায়বিবা বেদিও, টি.ভি. পাও চেশিং অদু খুঙ্গংগী লুচিংবশিংগী খুৎথাংদা খুঙ্গংগী ক্লব, লোইশঙশিংদা ফংহন্বা চুম্ই। মক মবাং অদুগা লৌউবদা চংবা পোৎ অদুগা শেল্গী তেংবাং অদুগা অতৈ অতৈ অসিসু ফংবদা লাইথোক্হন্বা চুম্ই। ফার্ম অমগী লুচিংবা ব্রাৎপা, পোৎ থাদোক্ফম্ ফংদবা, চৎথোক্ চৎশিন্গী খুদোং চাদবা, ই-পাও তোইনা ফংদবা অদুগা হোদোক্লদবা অসিনচিংবা অসিবু কোক্লবা হোৎনবসু চুম্ই।

(গ) খুঙ্গংদা চুনবা টেক্নোলোজি খরা – (লৌউ-শিংউগী মতাংদা)– ভাবত অসিদা লৈবিবা লৌমীশিং অসিদি মচা ঙাক্তনি মবম্ অদুনা অচৌবা, মমল্ চংবা টেক্নোলোজি শিজিন্নবা ঙমদে। ট্রেক্টব, বুল্দোজব, এক্সকেভেটব, কম্বাইন্ হাবভেষ্টব, প্লাকিং মেছিন্নচিংবা পুশিন্বা যাদ্রি। অচৌবা ফার্মবদদি মেছিন্শিং অসিনা কান্নবা, খুদোংচাবা পিবা য়াই অদুবু লৌমী অয়াম্বদদি মসি শেল্ য়াম্না চংবা তাবনা অদুগা অচৌবা থৌবাং তৌবা তাবনিনা খুৎলোইদে। অহোইনদুম্ মেছিন্শিং অসিনা লৌ শুদুনা হিংজবা মী কযাগী খুৎশুমল্ মুন্বিখিবা য়াই অদুনা থবক্ শুফম্ ফংদদুনা হেন্না অব্রাবা ওইগনি। অদুর্নদি শেল্ য়াম্না চংলোইদবা অদুগা পাঙ্গল্দি য়াম্না কন্না তিংলোইদবা, মী মযামদা কান্নগদবা মওংগী য়েংদুনা হান্না চৎনবম্না খুৎলাইগী মওংগী মহুৎ শিন্বা য়াবা ময়াই ওইবা টেক্নোলোজি পান্শিন্বদি যাই।

অখং অহৈগী মোত্মতুংইন্না চাথোক্ লৈবা ফৌনি হায়না মতম্ অসিদা পুশিল্লক্খিবা পুম্নমক্ অসিতনা ফব্বনি হায়বা যাদে ; লৈপাক্ অসিগী হব্রা নুংশিংকা চানদবা, তিল্কাং হেন্না চেন্বা, হাব হেন্না হাপ্না তাবক্পা অকক্লবা মতম্গী মনুংদা থাদবা যাদবা, লোক্তবা যাদবা ওইবনা খুদোংচাদবা কয়া লৈবা য়াই। হান্না লৈজবম্না প্রকৃতিগী হব্রা-নুংশিংকা চানবা, মতম্ থেংবা ঙনবা য়াবা, তিল্কাং কন্না চেন্দবা, হাব যাম্না চংদবা, শা-শল্না চানবা চক য়াম্না থোক্পা মখল্গী ফৌদা হেন্না য়েংশিল্লগা কান্নগদবা লৈবা য়াবা মওং উববদি মদুসু হুন্দোক্তবা য়াই। থাবদা খুৎলোইববা, কান্নবসু ফংবা, খবচ য়াম্না চংদবা ফৌদা হোৎনবসু যাই।

খুৎশা হৈবগী, খুৎনাইবগী থবক্তা - হিবম্ অসিদসু শেল্ য়াম্না চংদবা, খুৎলোইগদবা অপিক্পা নক্তগা ময়াই ওইবা মেছিন্ শিজিন্নবা যাই। লেন্বা, কক্পা, নালহন্বগুম্বগী থবক্তা পাঙ্গল্ য়াম্না তিংদনবা মেছিন্ মচা মচা শিজিন্নবদা থবক্ ফজনা

চথবা ঙমগনি । লম্বী নিংথিনা লৈতবা, চৎথোক্ চৎশিন্, পোৎ পুথোক্ পুশিন্গী খুদোংচাবা ফংদবা মফম্দা অয়াংবা (লুম্দবা) অমদি মমল্দি য়াম্গদবা পোৎ শাবা পরুগনি ।

ইনর্জি ফংবা (লৌবা)—খুঙ্গংদা গোবর গ্যাস প্লান্ট শিজিন্নবা তম্বিবা য়াই, মী যাম্দবা, শল্ খবদি লৈবা ইমুংদদি থোংবা-থাক্পা অদুগা মৈ থান্বগী থবক্তা অদুগা অফবা হার ফংনবগী লম্বীদা অফবা পাম্বে ওইগনি । কোম্ অদুদা মীওইবগী অমাংবসু হাপ্চিন্দুনা অমাংশঙগী খুদোং চাবসু লৌবা য়াই । নুমিৎকী মৈশা শিজিন্নদুনা চাক্ থোংবা, মৈ থান্বা, লবুক্কী ঈশিং চিংবদা শিজিন্নবা মতম্ অসিগা চানবা টেক্নোলোজিনি । ভারত সরকারবনা ৮শুবা চহি মঙাগী থৌরাংগী মখাদা লুপা ক্রোর ৮০০ থাদবা হৌখ্রে । ষ্টেন্দ এলোন্ হায়দুনা গুহা মখল্ অমদা সোলার পেনেল্ হাপ্তুনা শিজিন্ননবা থৌরাংসু পায়খৎখ্রে । শেল্ চংলবসু সরকারগী তেংবাং য়াওববদি মৈশা অমসুং বিজলি শক্তি ফংবদা য়াম্না খুদোং চাগনি, মদুগুম্বা টেক্নোলোজিদি শিজিন্নবদা কাইদে । নুমিৎকী মৈশা লৌদুনা সোলাব কুকব শিজিন্নবা হৌনরে । মৈখু থোক্তবা লৈবং শিজিন্নবনা ইমুংগী নুপীশিংনা থবক্ তৌবদা মতম্, পাঙ্গল্, শেল্ য়াম্না তিংদনবা পাম্বে ওই । চাক্খুম্গী নমুনাদা ফত্তহৌদি হৈদোক্ফম্ লুখাক্ হুন্দোক্ফম্ পোৎ মওং চানা থম্ফম্নচিংবা হাপ্পা কয়া পুথোক্লে ; মদু শিজিন্নবনা ইমুংগী নুপীশিংবু চাওখৎপা থাক্তা পুখৎপদা নত্তনা চাক্খুম্দা মতম্ য়াম্না কাইথোক্পগী মহুৎতা অতৈ থবক্তা মাই ওনশিন্বা ঙমগনি ।

হক্চাং অমসুং লু-নান্বগী থবক্তা— মওং চাবা অমাংশঙ লৈতবনা হিবম্ অমদি মাইগৈ কয়াদা কাইহল্লি, ঐখোয়গী হক্চাংগা মরি লৈনবা থবক্তা শোক্হল্লি । মসিদগী কোক্লবা হৌজিক্কী মতম্দা মমল্ য়াম্না চৎদবা, কোম্ অনি লোংবা অমাংশঙ হৌদোক্লক্লিবা অসি শিজিন্নবনা লম্ কন্দবতা নত্তনা হক্চাংদা কাইদবা, লু-হেন্বদা তেংবাংনবা পাথাপ্সু ওইগনি, মসি অফবা টেক্নোলোজিনি । হিরম্ অসিদা সরকারগী মাইকৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ করেল্ ডিভেলপ্মেন্টকী, অমদি রাজ্য সরকারগী দিপার্টমেন্ট খবগী মখাদা থবক্ লৌখৎনরক্লি, অদুগা জিলা পরিষদ, কাপার্ট, সর্ব্বদয়া সমিতিনচিংবনসু লৌখৎলক্লিবা মতাংদা খুদোং চাবা লৌবা য়াই ।

চিঙ্গাক্কী মরিদা— খুঙ্গংগী মীশিংনা চাবগী নিয়ম্ নিংথিনা খংদে, ৱাৎনা চাবা অমদি লান্না চাবা হায়বসি মতম্ পুন্নমক্তা থোক্ই ; মসিনা হক্চাং ফত্তনবগী অচৌবা মরম্ ওইহল্লি । মী অয়াম্বনা লাইরবনা মরম্ ওইদুনা চিঙ্গাক্ মরাং কাইনা চাবা ফংদে অদুগা চাবগী নিয়ম্ খংদবনা মচি ওইগদবা চিঙ্গাক্ খন্বা হৈতে । মরম্ অদুনা চিঙ্গাক্কী

মরিদা চানবা টেক্নোলোজি হৌদোক্পা য়াম্না তঙাই ফদবনি । বিজ্ঞান্গী মতেংনা বিসার্চ তৌবদা হৌজিক্কী মতম্দা হোংনা , মরাং কাইনা, ফংবা পোৎচং কযান' অফবা অমদি মচি য়াওবা চিঙ্গাক্ মখল্ মখা কয়া শেম্বা ঙম্লে । খুঙ্গংগী মীশিংদা অসিগুম্বা মখল্গী টেক্নোলোজি খংহন্বা, মখোয়না চিঙ্গাক্ শেম্দুনা চাজবা ঙম্হন্বা চুম্হ্ই । খুদম্ ওইনা উ মঙ্গ্রাগী য়াম্, লৈপাক্ হৱাইগী থাওথি, য়াম্, নুং-হৱাইদগী অদুগা অতে হৱাইদগী বেসোন্ লৌদুনা তল্ হৌবা অদুগা অতে মখল্ মখাগী চিঙ্গাক্ শেম্বা য়ারে, মদুনা হক্চাংদ ফহন্বতা নত্তনা অহাউবা পোৎসু ওই, মসি চিঙ্গাক্কী টেক্নোলোজিনি । হক্চাং ফবা হায়বসি পুন্সিদা খ্বাইদগী মক ওইবা লন্নি, হক্চাংগী য়েংদুনা মচি ওইবা, অফবা চিঙ্গাক্ চাবা, নিয়ম্ চুম্না চাবা, হৈনখিবা চিঙ্গাক্ মখল্ অদুতা চাবা তোক্পা, চিঙ্গাক্কী মখল্, চাং , চাবগী মতম্নচিংবা কাইহন্দবা অসিনচিংবা অসি তঙাই ফদবনি । চিঙ্গাক্কি য়াম্না চেক্শিন্না য়েংগদবা পোৎশক্তি, পুন্সিদি চিঙ্গাক্ চাবদা লৈরে । চীনাগী পাউরৌ অমনা হায় 'নংগী' নচিন্দা য়েংউ, মদুদা লাইনা পুম্নমক্ চৎবনি ।' মরম্ অদুনা খুঙ্গংগী মীশিংবু হক্চাং ফনা থম্নবা অফবা, চুনবা চিঙ্গাক্কী টেক্নোলোজি হৌদোক্পা চুম্হ্ই ।

লৈপাক্কী বিজ্ঞান্ হৈবা কাংবু, শাসন্ পুরিবা মীওইশিংনা থিজিল্ হুম্জিন্দুনা হিরম্ খুদিংদা চৎনবা য়াবা টেক্নোলোজি পুথোক্কদবনি । বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজিদি জাতিগী পুন্সিদা মনুং হুৎনা চংশিন্বা ঙম্গদবনি । অদু নত্তবদি মী কাংলুপ্ খরতগী ওইদুনা চাং মান্নদবা সমাজ থোক্লক্কনি অদুনা সমাজদা অচুম্বা তৌবা ঙম্লোই । খুঙ্গংদা চিঙ্গাক্, শা-শল্গী শজিক্, মৈ থাননবা শীং নত্তগা মদুগী মহুৎশিন্বা য়াবা হোংনা ফংহন্বা তাই । অদুগা হক্চাংগী মরম্দা সার্ভিস হায়বদি কান্নবা ফংহন্গদবনি । মীশিংদা অবেম্বদা হুন্দোক্প্পগদবা পোৎনা কান্নবা, অফবা পোৎ শাবা, শিজিন্নবা তম্বিগদবনি। চিঙ্গাক্, মীয়াম্গী হক্শেল্ মহৈ তম্বা, লৌউ-শিংউবা, লৌখোং তৌবা , ইনর্জি ফংবা অসিনচিংবা পুম্নমক্ অসিগী মরম্দা কান্নবা লৌশিং পাম্বৈ, খুৎলাই পুথোক্নুনা কান্নবা ফংহন্বতা নত্তনা থবক্ পিবা ঙম্দুনা, তুংকোইবা, হেন্না ফবা পুন্সি শেম্গৎপা ঙম্গনি । বিজ্ঞান্ হৈবা মী, শাসন্ তৌবা কাংবু লৈঙাক্পশিং পুম্নমক্সু দেশকী মী ঙাক্তনি মখোয়গী থবক্না শাস্তি অমসুং চাওখৎপা পিবা ঙম্গনি । বিজ্ঞান্ অমসুং টেক্নোলোজিদি মতম্ চুপ্পদা মীওইবগী পুন্সি অমসুং অচুম্বগী নাকল্দা লেপ্কদবনি ।

চুনবা নত্তগা চানবা টেক্নোলোজিতনা খুঙ্গংগী চাওখৎপা পুরক্পা ঙম্গনি । ফনা ফবা টেক্নোলোজি ওইরবসু খুঙ্গংগী ফিভম্, মীগী রাখল্গা চানদ্রবদি অশোইবা টেক্নোলোজিনি । ●

(১৮)

পঞ্চায়তী রাজ অমসুং খুঙ্গংগী খুনাই

মীওইবনা মতম্ কুইনা খুন্দাদুনা লৈবক্পদগী সমাজগী নত্ত্রগা খুনাইগী মওং তাবক্ই, হেন্না চাওখৎনবা নুংঙাই যাইফনবা হোৎনবক্ই । খুঙ্গংদা লৈবা মী পুম্নমক্ অসি চাক্চা য়ুথক্, চৎনবী, হৌনবী, মান্নবা শাজৎ কযাগী মখাদা পুন্না হিংমিন্নবক্পনিনা মখোয়গী ৱাখল্ অমসুং থবক্ তৌবগী থাক্ অসি মান্নে, খুঙ্গংগী সমাজ অসি চাং মান্নবা মচল্না শেম্ই, চযেৎনবা লৈতে । কাংলুপ্কী ওইবা ৱাখল্, খুদম্ ওইনা পুন্না মপু ওইমিন্নবা শকক্ য়ামিন্নবা অমতা ওইবগী বাখল্ পুর্নশিন্নদুনা থবক্ তৌবা, তেংবাংনবা অসিনচিংবা মী ওইনা হিংমিন্নবদা চংবা মচাক্ কযা অসি খুঙ্গংদা চাং হেন্না ফংই । খুল্ খুদিংমক্ অসি অচৌবা ইমুং অমগুম্বনি ; খুঙ্গংগী থৌদোক ৱাথোক্, খুল্গী ফিভম্ পুম্নমক্ খুদ্মী খুদিংনা খংদবা লৈতে । কনাগুম্বা অমগী ইমুংগী মী মশিং , মমিং মথা, ইমুংগী ফিভম্ খুল্গী ইমুংমশিং, য়ুম্লোন্ কৈবোন্নবা, লম্বী-শোবোক্, পুথ্রি, লমিৎ তুমিৎ, ইনাক্ খুন্বা, লাইববা, অচৌ-অপিকপা মীপুম্ খুদিংমক্ খংদবা লৈতে, অমগা অমগা লোযনা খংনৈ, মীদগী হেন্দোক্লুনা শা-শল্ ফাওবা মশক্ খংই ।

থবক্ অমা থোক্পদা পুন্শিন্নে; পাংথোক্মিন্নে । নুংশিনবা, মকুপ্ মপাং ওইবা থম্মাইগী মবিনা পুল্লি । অসি গুম্বা কাংলুপ্ নত্ত্রগা ফুকপ্কী ওইবা মওংশিং অসি লৈবনা খুঙ্গংদা পঞ্চায়ত লিংবা, থাবা পক্লে, শাহৌ ফবা ঙম্ই । খুনাই অদুনা, চাওখৎলক্পগী মতুংইন্না, মতম্গী চৎনবীগী নুংশিৎনা য়ৈবদা খুঙ্গংগী ওইবা মীওইগী গুণ্ মাংথবক্ই, চযেৎনবা হৌবক্ই; অদুনা খুঙ্গং অসি হৌজিক্তি খাইদোক্লববা ইমুং গুম্লে ।

(ক) খুনাইগী (সমাজগী)ফত্তবশিং –

সমাজদা মখল্ মখাগী ফত্তবা, মী মাংনবগী মশক্ ওইবা কয়া চহি চা কয়া কয়াদা মবা তাদুনা লৈবক্লি । মখোয়শিং অসিবু মুথৎনবা নত্ত্রগা চাং তাহন্নবা হোৎনবা অসি লোম্ব নাইদ্রবা (সমস্যা) অকবা ৱাফম্ ওইদুনা লৈবি ; মসিগী মথক্তা অনৌ অনৌবা মতম্গী ওইবা কযা অমসু থোক্লক্ই । পন্বা য়াবা খবদি—লাইববা, লাইবিক্ হৈতবা, থবক্ ফংদবা, অনাবা, ভাব তাদনা লান্না থাজবা, মচেৎ তাবা, মীৎয়েং খুনা

য়েংবা, জাতি নত্তগা কাংলুপ্ খাইবা, শোক্ল শম্নবা য়াদবা, হ্বাব শান্নবা, হ্বান্ পোৎয়োন্ তৌবা, ময়াই কাবা পোৎ চাবা থক্পা অমদি শিজিন্নবা, কাপ্পা , তোকপা শন্দোক্পা, কা হেন্না ধর্ম্মদা নপ্শিন্বা, ধর্ম্মগী মিংদা হবাও কুম্মে তৌদুনা অবেম্বদা চাদিং য়াম্না তৌবা, অউন্পোৎতা কা হেন্বা অসিনচিংবা অসিনি । মসি কোক্লনবা সবকাবনা থৌবাং কয়া তৌই, আইন্ কযাসু শেম্ই, অদুবু চাং হম্থহন্বা ওম্দে মথক্কী ফত্তবশিং অসি খবদং য়েংশি –

লাইববা—মসি কোক্হন্বদা য়াববা খ্বাইদগী খুদোং থিববা লাইথুং অমনি । শেলথুম্গী ফিভম্ ফত্তবা, শেম্ষোক্ লম্বী লৈত্রবদি চাওখৎপা পুবক্পা য়াবোই । অফবা শাসন্না লৈপাক্ অমগী লাইববগী চাং হম্থহন্বা ওম্ই । মীবৈপাক্কী শাসন্গী খাদা লৈম্বনা হৌজিক্ ফাওবা শেলথুম্গী নীংতম্বা ফর্দ্রে । ভারত অসিদা খম্থেংনা লাইববা মীশিং ক্রোব ১৬ লাক্ ৭০ লৈ হায়না, ইউনাইটেদ নেসন্স ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী রিপোর্ট অমনা হায়খি । ভারত পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী লাইববা ১১ শুবা লৈপাক্নি । মসিবু কোক্হন্নবা সমাজবু চাং মান্ননা পুখৎপা ওম্বা শাসন্ অমা চংই । নোম্বা কনবা জর্গ ৩ন চাওখৎপগী লম্বীদা চংশিন্বা ওম্ই, নোম্বা কন্বা অমসুং চাংনাইনা (খরচ) চাদিং তৌবতনা লাইববা কোক্লবা পাম্বেনি । প্রজাশিংদা নোম্নিংবগী রাখল্ রাৎলি, সবকাবনা হোৎনরিবসিদা য়াওশিন্বতা নত্তনা ইশা ইশানা নোম্বগী শাজৎ অমা শেম্জব' চুম্ই ।

থবক্ ফংদবা—মীশিং য়াম্খৎলক্লিবৈদদি থবক্ ফংদবগী রাফম্ অসি চাওনা লৈবম্দে । মীশিং হেন্গৎলক্পগা লোয়ন-লোয়নবা পোৎকী অর্মদি পৈশাগী যুগ ওইবক্পসিগনা সমাজদা থোইদোক্ হেন্দোক্লা খুঙ্গংগী সমাজদা অকন্বা চৈথেং, শাফ্ পিববে । চাওখৎপগা লোয়ননা নুংঙাইনা পান্বদা চংবা পোৎ, মচাক্ অমদি পাম্বে হেন্গৎলক্ই, অদুনা মী অয়াম্বদা অরাৎপগী অরাৎপা মক্তা ওইববে । নাকল্ অমবোম্দা শুফম্, নোম্ফম্ লৈতবা, থবক্ ফংদবগী চাংসু হেন্গৎলক্ই । মদুগী মহৈদি মী অযাম্বা নংথবক্পা (লাইববক্পা) অদুগা অবান্বা পাম্বেনা হিংননবা হোৎনবক্পনা মীগী রাখল্লোন্ ফংলত্তবা, রাথোক্ লাম্থোক্ হেন্গৎলক্লুনা ইংনা তপ্পা পান্বা ওম্দবা ওই ; চাংমান্নদবা সমাজ ওইদুনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা ওইথোক্তে । মবম্ অদুনা মশানা মশাবু থবক্ পিজবা য়ানবা মহৈ তম্বদা অমদি শেলথুম্গী কাযাৎ সবকাবনা যাৎপগা লোয়ননা প্রজানসু কিভম্ অসি খংবা তাই ।

লাইরিক্ হৈতবা—লৈপাক অসিদা চুম্নগী ইবা পাবা হৈতবগী মশিং য়াম্না লৈবে । থবক্কী পোৰম্ য়াংলক্পা অমদি পায়খৎলক্পদা লাইরিক্ হৈবা চংই । মসিগী গুণ্ অসি ফংহৌদ্রবা মীশিংদি মীমাং থাবা ওম্দে । সমাজ অমা চাওখৎপদা লাইরিক্ হৈবা মী যাম্না লৈবা তাই, য়াম্না লৈবিবমখৈ চাওখৎপগী চাং হেন্গনি ।

অনাবা— সমাজ নত্তুগা খুনাইদা থোইদোক হেন্দোক্না খুঙ্গংদা তিঙ্গং কাইজংদবা, লাইনা চেন্দবা মশা মউ ফবা মীওম মশিং যাম্না বাৎলি। লৈত লাইববদগী চাবগা সমদি হকশেলগী নিযম্ খংদবদগী, শংজৎ লিচৎ ফজদবদগী মী খুদিংমক্না মশা মশাদা অনাবা খবা মখোদ ভুংশিল্লি, অদুনা লাইনাশিং অসিনা মথি কোংলকপা মতম্দা লন্নাই মি ওইদা অদুগা পাক্শন্না মীয়াম্দা অনাবা পোক্লক্ই। চাব থকপগা হকচাংগা খ্বাইদগী হেন্না মবি লৈনে। চিনাগী পাউরৌ অমনা হায —'নংগী নচিন্দা যেংউ লাইনা পুম্নমক মদুদা চংবনি।' চাবগী নিযম্ খংদবনা অদুগা মযাই কাব পোৎ চাশিন থকাচন্বনা হকচাং [illegible] [illegible] [illegible]। শাথিবা লাইনা কেন্সর, লেপ্রোসি, টি.বি অদুগা খ্বাংদগী লৈবা (এআইডিএস) [illegible] [illegible] [illegible] তোংদা চংখিদুনা অকবা মীওই পুরোকপা [illegible], জাতিগী লন, পাঙ্গল, [illegible] [illegible] হেন্দুনা চাওখৎপগী লম্বীদা অপনবা [illegible] নত্তুনা মাখা থাবা খুনাই ওই

[illegible] তাদন [illegible] [illegible] [illegible] থাবা (অন্ধবিশ্বাস) ভাযনা অসিমক [illegible] শংগী মনুংদ [illegible] পুথাক্ কয়াদা চৎলবপা, হাইনবকপা কয়া [illegible] ওইনা প্রমান লৈতনা লান্না থাজদনা তৌরে। [illegible], [illegible] হাযনা খনবদগা [illegible] তৌবদা [illegible], আকং, [illegible] কযা লেবা। হৈচং যৌনা, থাজনা থবক তৌবা [illegible], [illegible] কংস [illegible] [illegible] চাওখৎ লম্বীদা অকাইবা [illegible]। মসি [illegible] চুমই

অধুনা মাংযেং অতোপ্পগা [illegible] [illegible] নাৎপদগা লৈফম ফত্তবদগী, [illegible] লাইশু পাদদনা মা অহংস্কগী নাখল অসি পাকথোক চাওথোকপা ওমদে; মাংখেং অমাদা অসুম লৈতে। মদগী [illegible] [illegible] [illegible] শিংথোনদবা, মাগী [illegible] চুমই খননা, পব চেল পিকথবনা [illegible] [illegible], [illegible] লাইবগী নাখল পোকপ, রাজনীতি অদুগা শেলথুম নাচংবা [illegible] খুদিংদা অমা [illegible] অপনবা পিরবনি।

জাত নত্তুগা কাংলুপ্ খাইনা সমাজ মদা জাৎ, ধর্ম্ম, চৎনবী, লৈফমগী মতুংইন্না কাংলুপ কা লুপ পুনশিন্নবা অসি লৈরে। হেন্না পাকথোক্ চাওথোকপা ওম্দবনা হেঞ্জিন্নবা যাদনমইখ 'ঐ থোই' হায়বসিনা খনবা ভাববদি সমাজদা অকাইবা পিবা কাংলুপ্ ওই। ভাবতকী সমাজদা থাইদোক হেন্দোক্না খুঙ্গংদা অসুপকী মতিক্ যাম্না কাংলুপ্ লৈখ্রে, শোক্ল শম্নবা যাদবা জাৎ ফাওবা থাইদোক্খ্রে, অশোম্না কাংলুপ্ নাইহল্লে, মসিনা অপুনবা সমাজ শাবদা অপনবা, অথিংবা ওইবি। পুন্না মপু ওইমিন্নবা শকক যামিন্নবা, অমগা অমগা পুনশিন্নবা হাযবা গুণশিং অসিতনা মপুং ফাবা সমাজ শেম্বা ওম্গনি। অসিগুম্বা রাখল চেনবা কাংলুপ্ কয়ানা পুনশিল্লগা অপুনবা সমাজ অমা ওইহনবা ভারবনি। মবম্ অদুনা গুণশিং অসি চেলহন্নবা হোৎনবা চংই।

ফত্তবা হৈনবী– সমাজদা ভাব তাদবা মীওইনা মখল ম[illegible]গী ফত্তব থ[illegible]কে তৌই , চৎনবী ওইহল্লি। হায়নবা লৈ 'সমাজনা মবাল্ শেম্ই অদুগা মবাল্দা হৈনবা কাংবুনা পাংথোক্ই ।' খুদম ওইনা য, গঞ্জা, কানি থক্[illegible], [illegible] শন্নবা, খ[illegible]বদা কিনিংঙাই ওইবা হেরোইন, মোর্ফিন্[illegible]চিংবা মশা নুংঙাইনা হিংনবান [illegible]যবগী মিংদা শিঙ্জিন্নবি [illegible] মাসনা অম[illegible]বা, অকাইবা খোইনা হাযর্কানিংঙাই [illegible] মাস[illegible] সম[illegible] অমগী [illegible], শেলথুম, মীওইবগী হক্চাং পাঙ্গল, লৌশ[illegible] [illegible] মাংহন্দুনা মী[illegible] কয়া, চা[illegible] শুরোল ফাওবদা লৈখ[illegible] [illegible] বম্ [illegible]হল্লিবসি পুম্নমক্কা [illegible] । [illegible] চাওখং [illegible] [illegible], মীওইবগী কিনিং [illegible] ভম্দ [illegible] । [illegible]সন [illegible]বা মশ[illegible] [illegible] ঈশ্বরগী [illegible]মদ [illegible] [illegible]

[illegible] ঙাকনি, পুম্নমকসি [illegible] শাহ্লোন[illegible] [illegible] [illegible]নবীগী [illegible] ওইনা, [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] ওইনা চৎন[illegible] [illegible], ফওবা চৎ[illegible], মদু [illegible] লৌশিনা [illegible] লৌদুনা [illegible]হনবনি । মা[illegible] মখোয়[illegible] [illegible] অ[illegible] ধর্ম চংগা কান্[illegible] [illegible] কল্লবই, [illegible]শিনা [illegible] । মাসনা কা[illegible], জাতি, [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] শেন্মা , মহো[illegible] অসি সমাজ[illegible] [illegible] ওই । মতৌ অসুম্ন [illegible]পুনবা জাতি [illegible] অমা শাগৎপদা অপনবা ওই, 'হকচ অসিদা ভাব তাবা চংই ।

[illegible]ম্মগী মবু [illegible] ও কু[illegible] [illegible]লোকপ [illegible] [illegible]ম্বনা হবাও [illegible]. নুংঙাইথোকপা পাম্বদগা ধর্ম[illegible] ।মংদা হবাও কুম্মৈদা কা [illegible] যাওশিন[illegible] । হিবম্ অসিদদি মণিপুরগী মৈতৈ ক[illegible] অস পুথোকপদা [illegible] তক চাই । চাহগ[illegible] পুম্নমক অসিদা হবাও কুম্মৈ অমগী মথ দা অমা পেবেগুম্না হে[illegible]কই , [illegible]হাংবা [illegible] সিনেমা, ড্রামা অদুগা হবাও কুম্মৈ পাম্বা কাংবুনা হৌদোক্পা কযানা মেন্নাশাল্ল । কদি হাযগনি, অঙাং অমা পোক্পদগী যষ্ঠি পুজা, চউম্ব, নাহৎপা, লুগুণ্ থাংবা, লুহোংবা, যুম্ শঙ্গাবা, শোবাৎ অদুগা অনৌবা হাপ্কৎলক্পা মপোক্ নুমিৎকী থৌবম্– চহি লোইবা অমসুং হৌবগী কুম্মৈ আসনচিংবা কযা থৌবম্শিং অসিদা হান্না তৌবম্দবা মওংদা মী মীনা অপাম্ অপাম্বা মতুংইন্না মীয়াম্ বার্ত্তোন্ তৌদুনা মখল্ মখাগী চিঙ্গাক্ যুনচিংবা মথেল্ য়াওনা অঙকপা ফংনা চাদিং তৌনৈ । মদুগী মহৈদি মীয়াম্গী পৈশা, পাঙ্গল্, মতম্, চীঙ্গাক্কী শরুক্ চাওনা মাংহন্বা অসিনি । তৌফম্ থোক্পা ধর্মগী হৌনবী য়াম্না

চন্না তৌবা য়াবনি। ধর্ম্মনা তাক্পা নত্তবা কান্নদবা লৈথেৎ, নমুনা কয়া হাপ্চংনবক্পা অসি অমাংবা, ফত্তবা, লাইর তান্বা নত্তনা অতে ওইরোই।

লুহোংবগী ঝামাং (খুদম্ ওইনা)--লুহোংবা হায়বসি মীপুম্ খুদিংগী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌনি, য়াম্না মরু ওইবনি। মসিদা নুপা অমগা নুপী অমগগী থম্মোয় থম্মোয় তিন্নবনি। থৌদোক্ অসিদা ধর্ম্মগী চৎনবী, হৌনবী য়াওনা অনি অসি তিন্নরে হায়না শাক্ষি থম্দুনা থৌদোক্ অমা থোক্হল্লগা য়ারবদা অউন্পোৎকী, গাড়িগী অদুগা অতে নমুনা কয়াগী হিদান্নবদা নুপা নুপী কয়া লুহোংবগী তান্ফম্ হেল্লনা ফাওবদা চাদিংগী অকিবা ফাওদুনা পাংথোক্পা ঙমদবদগী পাংদবা, মথৌ খংদবা ফিভম্দা তানরি। য়াবমখৈ হন্থবা মওংদা মী য়াম্দনা নিফু য়াঙ্খে গুম্বতং পুল্লগা ধর্ম্মগী হৌনবী কাইহন্দনা দলিল, ইনদুনা রেজিষ্টার তৌবা অদুগা লোইশিন্বা মতম্ অসিগা খ্বাইদগী চুনরগদবনি। অতে থৌদোক্ কয়াদসু তৌদবা য়াদবা হৌনবী অদুতা তৌরগা মীয়াম্গী শেল্, পাঙ্গল্, খ্বাইদগী মমল্ য়াম্বা মতম্ মাংহন্দনা মী খরতনা পাংথোক্পা চুম্লবনি মীপুম্ খুদিংনা খন্থবা চুম্ই।

মথক্তা পল্লিবা অসি নত্তবা সমাজগী ফত্তবা কয়া অমসু লৈরি, মখোয়শিং অসি অমগা অমগা মরি লৈনৈ, অমনা অমবু শোক্হল্লি, অমা ফগৎলক্পদা অতে ফগৎলক্লিংঙাই ওই।

মীয়াম্না থৌদাং য়াবা :-

সমাজদা থোক্লিবা ফত্তবাশিং অসি মীয়াম্না থোক্হন্বনি, মীয়াম্গী ওইবা খুদোংথিবনি, মীয়াম্না কোক্হন্গদবনি : মবম্দি সমাজদি মীয়াম্নি। গনতন্ত্রগী ওইনা থবক্কী থৌরম্ য়াৎপদা, পাংথোক্পদা মীয়াম্গী মীহুৎ লুচিংবশিংগী দায়িত্ব য়াম্না চাওই ; মখোয়না শক্তি নত্রগা পাঙ্গল্ থোক্ফম্ ওইবিসা মীয়াম্গী ইথৌ শাগৎতবা য়াদে। সমাজগী, শেল্থুম্গী অদুগা অতে অতৈগী হিরম্দা অওন্বা অমা পুরক্লদবসি মীয়াম্গী অপুন্বননি, মীয়াম্না হোৎনবগা সরকারগীগা পুন্গদবনি। মী পুম্নমক্কা পুন্না নিংমিন্নদুনা, নিংলিবা পান্দম্ অদু পাংথোক্লদবনি।

মীয়াম্না থৌদাং য়াবা হায়বসি কমুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্গী পান্দম্শিংগী মনুংদা অমনি। মীয়াম্গী থৌদাং হায়বসিদা 'ইশানা ইশাবু তেংবাংজবা' হায়বা ব্রাফম্সি য়াওরি। মীয়াম্গী কান্ননবা হোৎনবগী মহৈদি মীপুম্ খুদিংদা, ইমুং খুদিংদা, থোইদোক্ হেন্দোক্না শোত্থরবা কাংলুপ্তা য়ৌরক্লদবনি ; ময়াম্গী ফবদা ইশা য়াওগনি, ইশা ফবনা ময়াম্গীসু ফগনি। মরম্ অদুনা খুঙ্গং চাওখৎনবা মীয়াম্গী থবক্তা প্রজা খুদিংনা শেল্

ওইববসু, পোৎ ওইববসু নত্ত্রগা পাঙ্গলবু ওইববসু খাইজিন্নবা হায়বসি তঙাই ফদবা ওইহল্লি। মীয়াম্গী থবক্ অসি মীয়াম্দা শিন্নবা তাবনা মীয়াম্গী মীহুৎনা শাবা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা শিন্নবা হৌখি। পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী লোইশঙনি। খুঙ্গংগী সমাজ, শেল্থুম্, নাৎ অসিনচিংবা মীয়াম্গী ফনবনি। হিবম্ কযাদা অফবা অশংবা পুবক্পগী দাযিত্ব অসি লোইশঙশিং অসিনা লৌগদৌবর্বান। মক ওইনা সমাজগী ফ ত্তবাশিং অসি কোকহন্নবা নত্ত্রগা চাং হশ্তুহন্নবা হোৎনবা হায়বা অাস তঙাই ফদবনি।

খুঙ্গংগী লুচিংবা শেম্গৎপা :

মাইপাক্পা পঞ্চায়ত [illegible]। খুঙ্গংগী লুচিং [illegible] ক্লবা মনি লৈ [illegible]। (দাইনামিক ওইবা) মশা খিংবা, শেম [illegible] শাগৎনিংবগী বাখল [illegible] থবক্ [illegible] মইহে পুথোকপা ওম্গদনা নহারোল শেমগৎপা [illegible] মরু [illegible] লাচংবা পুথোক্লবনী [illegible] খোংথাং [illegible]। থবক ওম্বা, [illegible] কৈ [illegible], [illegible] শাগৎপা ওম্বা, হৈশিংবা [illegible], [illegible] থাংনা [illegible], পুকচেল শেংবা পুন্নমক্কী মথক্ত কথোকপ [illegible] সনাচং [illegible] অসিনা [illegible] খবা [illegible] ওইববস লুচিংবদা [illegible]। [illegible] লুচিংবা ওইবগী [illegible] ক্রকপা ওই [illegible] পোক [illegible] অ [illegible]। [illegible], থবক তৌবগ, ত্ম্বিবগী [illegible] অসি [illegible] খর্দি [illegible] যাই। ত্ম্বি [illegible] থাদ্‌না [illegible] হেনগৎলক্কনি। সমাজগী, রাজনীতিগী ওইবা ফিভমগী পঞ্চায়তকী থৌদ [illegible] মনি থমগদবনি

মাখলদা কানক্পা মী ওইশিং [illegible] ওয়েসং বম্ জোনকী ট্রেন [illegible] তঙাই ফদে। ট্রেনিং অসিনা মখোয়দা থবক তমা [illegible] ইন্তৌ শাগৎনিংবগী বাখল পিগনি থবক পাযখৎপদা থাজবা পোক্কনি। থোক্লবা, ওইরিবা সমাজ শর্মদি রাজনীতি, শেলথুম্নাচিংবগী ফিভম্গা চুনবা মখলগী তাকপি তম্বিবা তঙাই ফদে।

লন্নাই লিংখৎচবা লুপ, ভোলন্টরি এজেন্সি, ওর্গেনাইজেসন্ নত্ত্রগা সবকাবগী নত্তবা ওর্গেনাইজেসন্শিংগী থৌদাং :

খুঙ্গং শেমগৎপদা অমদি মীয়াম্ শেম্গৎপদা সবকাবগী থৌদাং চাওনা লৈ, মসি মখোযগী মথৌনি, অদুবু সবকাবগী মেহিনবি, থবক্ চখবগী থৌওং অসিতনদি অসুপ্ চাওবা থবক্ পাযখৎপদা মতিক্ চাদে। সবকাবগী নত্তবা লন্নাই লিংখৎচবা লুপ কযানা মৈথৌ কল্হন্বগী মওংদা সবকাবগী থবক্তা হক্থেংননা য্যাওদ্রবসু নাকল

অমরোম্দগী পাংশিল্লক্পা য়াই, হিরম্ অদিদা ফজনা চংশিল্লবদি য়াম্না মহৈ লৈবা ঙম্ই। পঞ্চয়তী রাজগী লোইশঙশিং অসি লোকেল্ সেল্ফ গোভর্ণমেন্টকী খুজিং ওইনা গ্রাম্ সভাদগী বিধান্ সভা ফাওবগী মরক্তা অহুম্শুবা ময়োল্গী সরকার ওইনা লৈরিবনি, মখোয় অসি সরকারগী এজেন্টস্ ওইরিবনি। মখোয়গী তৌদবা য়াদবা অমদি খুঙ্গংগী চংফম্ থোক্পা থবক্কী মতুংইন্না অপাম্বা পায়খৎপা য়াবা মথৌ লৈ। হিরম্ খুদিংমক্তা খুঙ্গংগী ফিভম্ ওয়্লোক্হন্গদৌরিবা অসি পঞ্চায়তননি। মসি তৌবদা মীওইবগী ওইবা, পোৎকী ওইবা লন্ চংই, অদুনা মীওইবা হায়বা লন্ অসিবু শেম্গৎপা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরে। খুঙ্গং শেম্গৎপদা সরকারগী অফিসারশিংনা পাওতাক্, লম্জিং পিগনি অদুগা মীয়াম্গী মীহুৎনা অসিগুম্বা পাওতাক্ লম্জিং শিজিন্নদুনা প্রজাগী অফবা থবক্ পায়খৎকনি, মসি তৌবদা মফেল্ ওইনা লন্নাই লুপ্শিংগা নক্লম্বা মরি থম্দবা য়াদে। পঞ্চায়তী রাজ হায়বসিগা মীয়াম্না থৌদাং য়াবা হায়বসিগা ৱাহম্লোক্ মান্নবা ৱাহৈশিংনি। প্রজাগী মীহুৎশিংনা পঞ্চায়তী রাজগী ৱাখল্লোন্, সমাজগী অওন্বা পুরক্পদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংগী মরম্দা থেম্দুনা খংহন্গদবনি। মশানা মশাবু তেংবাংজবা, মশাবু শক্ খংজবা, মীয়াম্গী খুৎথাগী, থৌনাগী মরু ওইবা অসিনচিংবা মুন্না তাক্কনি। থবক্কী মতাংদা লন্নাই লুপ্ লৈরিবশিংদগী লৌবা য়াবা লৌশিন্দুনা কমিতিশিংদা য়াওহন্বা, থবক্ শিন্দোক্মিন্নবা তাই। পঞ্চায়তশিংনা নহারোল্গী ক্লব, নুপীশিংগী লুপ্ শেম্গৎতুনা মখোয়গী তেংবাং লৌরগা থবক্ তৌমিন্নবনা প্রজাগী ফিভম্ ৱাংখৎহন্বদা তেংবাংগনি। পুন্সিগী ফিভম্ ফগৎহন্দুনা (শান্তি) ইংবা তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরক্পা ঙম্গনি। পঞ্চায়তনা লুপ্শিংবু য়োক্খৎপা, লুপ্শিংনসু মখোয়গী ওইনা পঞ্চায়তপু তেংবাংবা হায়বসি তৌনদবা য়াদবনি।

(খ) পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংনা তৌবা য়াবা—

সরকারনা আইন্ শেম্লগা থৌশিল্ তৌদুনা সমাজগী ওইবা ফত্তবশিং থেংননবা হোৎনৈ অদুবু পাংথোক্পা মতম্দদি নোক্নিংঙাই ওই। গনতন্ত্র চৎপা লৈপাক্তা আইন্ চৎনহন্বসি লুনা থোক্ই; মরম্দি নম্ফু তৌবা ঙম্দে। প্রজাগী মরক্তী মীহুৎ ওইনা থৌনা ফবা, পুক্চেল্শেংবা, মশা কখোক্লবা মীওই কয়া, হিরম্ খুদিংদা কাংলুপ্ খুদিংদগী লুচিংবশিং চোংথোক্লক্লগা ফত্তবশিং অসি মুথৎনবা অচেৎপা ৱাশক্তা লোয়ননা হোৎনবগী খোংজং অমা তঙাই ফদনা চংই। মরা তাপ্রবা ফত্তবশিং অসি কোক্হন্নবা নত্তগা চাং হম্থহন্নবা হোৎনবা হায়বসি খুঙ্গংগী লম্দদি পঞ্চায়তকুম্বা প্রজাগী মীহুৎনা শাবা সরকারগী খুজিং ওইরিবা লোইশঙশিং অসিগী চপ্চাবা থবক্নি।

অতৈ অতৈ থবক্ পায়খৎপগা লোয়ননা সমাজ শেংদোক্পগী থবক্তুদি পঞ্চায়তনা তৌনিংঙাই য়াম্না লৈ। লাইববগী চাং হৢহন্নবা, থবক্ ফংহন্নবা হোৎনবদা সবকাবনা হৌদোক্লক্লিবা থৌবাংগী মখাদা যাওশিন্‌হন্দুনা কান্নবা ফংহন্নবা থবক্ শিবা ঙম্লনবা শিন্‌বিবা য়াই। মফম্ মফম্‌দা ফংলিবা পোৎথোক্ কয়া খোম্‌জিল্লগা চুনবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা শেম্‌দোক্লিবা পোৎপু শিজিন্নবা য়াবা পোৎতা ওম্থোক্লবা শিন্‌বা, মদুদা লন্নাই মীওই অদুগা কোঃওপরেটিভ সোসাইটিশিং যাওহন্‌বা ঙম্লবদি শেম্থোক্ লন্বী শেন্সা ঙমগনি। শেম্থোক্ ফংগদবা থবক্ —ঙা য়োক্পা, য়েন্-ঙানুনচিংবা লোইবা, হৃযংখোই য়োক্পা, চেঙ্কুম্ থাবা, শিং অমদি য়াইঙংগী পোত্থোক্, শঙ্গোম্গী পোৎথোক্ পৃথোক্লবা হোৎনবা, লি-ব্রা গী, উগী পোৎ শাবা অসিনচিংবা কয়া তৌহন্‌বদা শেন্থোক্ লন্বী লৈগান। খুঙ্গংদা ভোকেসনেল্ স্কুল্গী মওংদা লিংলগা লৌউ শিংউগী খুৎশু-খুৎলাই শাবা, ফি তুবা, লি ব্রা গী থবক্ তৌবা, ঘরি শেন্বা, বেদিওনচিংবা শেন্বা-মেখেৎ, সাবোন্, মোম্বতী অদুগা অতৈ খাদিগী পোৎ-চৈ শাদুনা পুথোক্পা তম্বিবা যাই; মদুনা মীশিংগী পুন্সিদা শিন্‌ফম্ ওইহন্‌বা যানবা থবক্ হৌদোকপা ওইগনি। থবক্ লৈতবা মীবেম্ কয়া লৈবদগী সমাজদা অকাইবা থোক্হন্‌বা থিংবা ঙমগনি। থবক্ চিল্‌হন্দুনা নোম্‌হন্দুনা শেল্‌থুম্গী ফিভম্ ফহল্লবদি থোইনা হোৎনকবা লৈতনা সমাজগী ফত্তবশিংগী মনুংদা খবা অমদি কোক্হন্‌বা ঙম্গনি।

হিবম্ খুদিংগী সমাজ শেংদোক্পগী থবক্তা পঞ্চাযতনা নহাবোল্ অমসুং নুপীগী লুপ্ শিংগী মতেং লৌবা তাই, মবম্‌দি খ্বাইদগী অকনবা শাফুদি কাংলুপ্ অসিনা পিবা ঙম্ই। মণিপুর মক্তদা মতম্ কুইনদগী মনা তাকববা য়ু থক্পা হ্বাব শান্নবা, ময়াই কাবা হিদাক্ চাবা হেরোইন নম্বব ফোবনচিংবা শিজিন্নবা কয়া নহাবোল নিশা বন্দ অমদি মৈবা পাইবা নুপীশিংনা থি হুমদুনা তোক্লবা থেংনবদগী চাং যাম্না হন্থহন্‌বা ঙম্লি; মাংথবল্লবা সমাজ অসি শেংদোক্পদা আশাগী মঙাল্ ফাওবক্লি।

ধর্ম্মগী মিংদা কাহেন্না হবাও কুম্মৈ তৌদুনা মশা মশাদদা নত্তনা মী পুম্নমক্কী পৈশা, পাঙ্গল্ মতম্ তিংহল্লিবসি—লুহোংবদা কাহেন্না পৈশা চংহল্লিবসি লৌ ইংখোল্, মন্ চাং কাইথোক্লবিবা অসি নহাবোল্ অমসুং নুপীশিংতনা কোক্হন্‌বা ঙম্গনি। মবম্‌দি থবক্ অসিদা চেন্নবিবসি কাংলুপ্ অনি অসিনি, পাল্লিবসি মখোইননি, তৌবিবসি মখোযননি। মতাং অসিদা নহাবোল্ অমদি নুপী কাংলুপ্ পুন্‌শিন্নহন্দুনা মসিগী কান্নবা-কান্নদবা, অমাং-অতোং, তৌফম্ থোক্পনা কবিনো, তৌবোইদবনা কদাই ফাওনো হায়বনচিংবা খন্নবগা ভাব তাহল্লগা কক্থৎপা য়াবা কক্থৎলবদি মথন্তা চাং হন্থজবক্কনি। লুহোংবা, শোবাৎনচিংবদা কাববাবগী মওংদা চথবিবা, নুপীগী পুন্সি ফাওবা

মাংনবিবসি কন্‌বা ঙম্‌গনি । অতৈ চাওখৎ থৌবম্‌দা পঞ্চায়তনা শক্তি অমদি মচাক্ ৱাৎপনা কন্না খুৎ থাবা ঙম্‌দ্রবস্ সমাজ শেংদোক্‌পগী থবক্তদি তৌনিংঙাই লৈ ।

থবক্ অসি পায়খৎপা পঞ্চায়ত মথক্তগী দায়িত্বদি নত্তে – সবকাবগী দিপার্টমেন্টশিং – স্কুলগী ওঝা– ইমুংগী মমা মপা– সমাজ সেবা তৌবা কাংবু অমদি লম্নাই লুপ্‌শিং- নহাবোল্ অমদি নুপীগী লুপ্‌শিং – আইন্ ঙাক্লিবা পোলিশ – ৱায়েল্লিবা কোর্ট-লৈপাক্কী থৌ পুবিবা এমঃএলঃএঃ, মন্ত্রি অদুগা অফিসাবশিং পুম্নমক্কী দায়িত্ব লৈ, তেংবাং চংই । প্রজাগী মবক্তগী থৌনা ফবা, পুক্‌চেল্ শেংবা, মশা কখোক্লবা মীওই কয়া থোক্লক্লগা ফত্তবশিং অঁাস মুথৎনবা অচেৎপা ৱাশক্কা লোয়ননা হোৎনবগী খোংজং অমা তঙাই ফদনা চংহ, থোইদোক্ হেন্দোক্লা পঞ্চায়তনা তৌগদবদি খুঙ্গংগী খ্বাইদগী মমল্ য়াম্বা মচাক্ ওইবিবা মীয়াম্ অসিবু লুপ্‌শিংগী খুৎথাংদা হিবম্ খুদিংদা ভাব তাহন্‌বা, খংহন্‌বা, মীশিং অসিবু কান্নবা, হৈশিংনবা মচাক ওইহন্নবা থৌবাং শিন্‌বা অসিনা অহান্‌বা ৱবাক্লা । অঙাং, নহাবোল অমদি নুপীশিংগী লুপ্ শেম্‌গৎলগা অমদি মপাঙ্গল্ কন্‌খৎহল্লগা পন্‌শিন্দুনা ফত্তবাশিং অসি কবম্না থোক্লবনো, কবম্ তৌবগা ফগদগে হায়বগী মবম্‌দা খন্না নৈনবা, অতৈ অশিং কৌদুনা ৱা ঙাংহনবা তাহনবা, অফবা লাইঁবিক পাহনবা, প ও-চে পাহন্‌বা, বেদিও অমদি টি.ভি গী মতেং লৌবা, চাইথো ক্লনা লৈবিব নহাবোল পুম্নমক খোম্‌জন্দুনা ৱাব ৱাত্তাই শাবা, নিশাথংব শান্ননবা থৌবাং তৌবা অসুম্না মখোইবু কান্নবা থবক্তা শিজিন্নদুনা অওনবা পুবক্লবা হোৎনগদবনি । মসিদগী হেন্দোক্লনা নহাবোলশিংবু অফবা নাগাবক ওইহন্নবা বোদও কবেল্ ফোবম্ শেম্‌দুনা অচুম্বা অফবা ই পাও তাহন্দুনা তোকঙা শন্দোক্‌পা থিংবা নহাবোল্‌শিংবু বাজ্যগী মনুং অমসুং মপাল্‌দা পুথোক্লনা স্টাদি টুব, এক্সকর্সন চৎহন্‌বা, সেমিনাব, কন্‌ফবেন্স তৌনবা শিন্‌বা চাওখৎ বাখল্ খল্‌হন্‌বা, হক্‌চাংগী হক্‌লোন অমসুং হক্‌শেল্‌গী জ্ঞান্ লৈহন্‌বা, শান্ন খোৎনবদা থৱাই য়াওহন্দুনা অশংবা মতম্ শিজিন্ননবা তৌবা যাবা ঙাক্তনি । ভাবতকী খুঙ্গংদা থবক্ ঙন্না মীওই চাওবাক্লা ক্রোব ২০ গী মথক্তা লৈবিবশিংবু শেম্‌গৎপা হায়বসি পঞ্চায়তকী মথৌনি । পঞ্চায়তকী মীওইনা পুক্‌চেল্ শেংনা, থৱাই যাওনা কখোক্‌পগী ৱাখল্‌গা লোয়ননা ফিদম্ উৎনা থবক্ তৌববদি সমাজ শেংদোক্‌পা ঙম্ফম্ থোক্‌ই ।

(গ) পঞ্চায়তী রাজগী থোংদা অঙাং, নহারোল্ অমসুং নুপী কাংলুপ্সু শেম্‌গৎপাঃ-

মীওইবা সমাজদা শেম্‌গৎফম্ থোক্‌পা খ্বাইদগী মকওইবা মীশক্‌শিংদি অঙাং, নহাবোল্ অমসুং নুপী হায়বা কাংলুপ্‌শিং অসিনি ।

অঙাং শেন্বা—মীবু মী ওইননবা শেন্বা তারবদি ইহান্ হান্বা মীৎয়েং চংগদবসি অঙাংদদি। মসিগী মরুওইবা অসি খংনবদগী ইউনাইটেদ নেসন্সনা লাওথোক্লে মদুদি--'মীওইবনা অঙাংগী মফম্দা খ্বাইদগী ফবা পিফম্ থোক্পশিং অদুমখৈ লম্মন্ তোল্লি।' অসিগুম্বা পিফম্ থোক্পশিং অসি অসুপ্কী মতিক্ য়াম্দনা পিগ্রে—ইপি পিদবগুম্ তৌরি। অঙাংদা থোইদোক্পা মীৎয়েং চংনবগীদমক্ পৃথিবী পুম্নমক্কী ওইনা ইং ১৯৭৯ অসিবু ইন্টরনেসনেল্ ইয়ার ফোর চাইল্দ (জাতি পুম্বগী ওইবা অঙাংগী চহি) হায়না খংনদুনা অঙাংগী য়াইফ থৌরম্ কয়া পায়খৎনবা মীওইবা জাতিনা হোৎনবি।

অচৌ অচৌবা মীওই কয়ানা অঙাংগী মবম্দা হায়—ইন্দিবা গান্ধীজীনা হায়খি —'মী অসি শিবা নাইরবসু অমর ওই হায়বা অচুম্বা অসি অঙাংশিং অসিনা নিংশিংনবা ওইহল্লি। জাতি অমগী শক্তি অসি অঙাংশিংদা খংই অদুগা মদুনা অঙাংশিংগীদমক্, তৌবিবা অদুনা লেপ্পি।' লোর্ড যীশুনা হায়—'অঙাংগী মচিন্দগী লৌশিং থোক্লকই।' মহাত্মা গান্ধীজীনা থাজে—ঐখোয়না ইতিং তিংনা অদুগা নোল্লক্লা অঙাং লোইনববদি অসিগুম্বা চল্লবা, মবাল, য়াওজদ্রবা অঙাংশিংদগী লৌশিং তম্জবা য়াই, অসিগুম্বা মওংগী লৌশিং অসিদি চাওব চাওরবা মহৈ হৈববা মীওইদগী ফংবা ঙমদে। মীওইবনা পৃথিবীদা শান্তি ফংনবা ভাব তানা নত্তগা তাদনা খৌবাংবগা লোয়ননা হোৎনবি। মসিগীদমক্ থেংনবা তাববদি অঙাংশিংগা লোয়নবগতা ফংবা ঙমগনি। অঙাংশিংগী মহৌশাগী ওইবা মবাল্ লৈজদবা, চম্জবা অদুগা লোয়ন-লোযননা মখোযনা চাওখৎলক্লবা মতম্ অদুদা ঐখোয়না নুংশিবা অমসুং শান্তিগী লম্বীদা চংশিল্লক্কদবনি। কবিনা হার্যবি—'অঙাংদি মীগী মপানি নত্তগা মমানি।' অসুম্না অচৌ অচৌবা মীওই কযানা অঙাংগী মবম্দা ঙাংই, অঙাংগী মগুণ্ শিংথানৈ।

অঙাং হাযবা অসি পেৎলিবা লৈখোম্গুম্বনি, মতম্ অসিদা ঐখোয়না মেৎতুনা শেম্লিংবা মওংদা শেন্বা য়াই। অমবোম্দা মখোয অসি নৌবিবা উবিগুম্ন চৎহন্নিংবা মওংদা চৎহন্বা যাবি, মসিগী মতম্ অসিদা মাইকৈ চুম্হৌবা তাই, লিশনখ্রবা তুংদা মুক্লুববদি তেক্পা নত্তনা অতৈ ওইরোই। অমুক্তসু অঙাংশিংগী পুক্লিং অসি লংখ্রবা মীংশেল্ গুম্বনি, নৌবিঙৈদা মসিদা তাখিবা থবক্কী নত্তগা বাখল্গী মমি অদু পুক্সিদা পাক্ কোক্পা ঙমদে; অঙাংশিংগী পুক্লিংদি অঙৌবা মচুগুম্বনি, মসি শংনিংবা মচু শংবা য়ারি; ওন্ননা তাখ্রবা মচু অদু পাক্ ওন্থোক্পা য়াবোই। মরম্ অদুনা নৌরিঙৈদা অঙাংবু শেমহৌবা হায়বসি মীপুম্ খুদিংমক্কী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌনি।

অঙাংনা তম্বা—অঙাংগী অহান্বা স্কুলদি য়ুমনি, অফবা য়ুম্দা অফবা অঙাং থোক্ই, ফত্তবদা ফত্তবা থোক্ই, অদুম্ ওইনমক্ ইমুংশিংবু অমমম্তা ওইনা শেম্বনা

ইমুং অদুগী অঙাং শেম্বা য়ারোই । মতৌ তম্বা হায়বসি অঙাংগী হৌনবীনি; অদুনা অকোইবদা লৈরিবা ইমুং কয়ামুক্কী অঙাং ফহন্দ্রবদি অকক্নবা ইমুং অমখক্তগী অঙাং ফবা য়াদে । থুমোক্ থন্না য়াওবা আলুদা অপুম্বা অমতং য়াওবদা আলু পুম্নমক্ পুম্লক্পগুম্ ফত্তবা অঙাং খরতনা অঙাং পুম্নমক্ মাংহন্বা য়াই ; মরম্ অদুনা অঙাংশিংবু পুন্না শেম্মিন্নদবা য়াদে । পঞ্চায়ত কুম্বা লোইশঙনা বালবাদি, কিন্তর গার্টন, নর্সিং হোম্নচিংবগী মওং কয়াগী অঙাংগী পুন্ফম্ শেম্লগা মপা মমাশিংগা তান্দুনা শেল্ খাইগৎনরগা লম্ লম্গী ওইনা অঙাং পুল্হন্দুনা মদুদা শান্ন-শান্ননা অঙাংবু তম্বিবা, লম্চৎ শাজৎ তাক্পিবা, মশা মউ ফনবা লুবা-নান্বা ফজবা লিচৎ-শাজৎ নচিংবা মওং কয়াগী ফিদম্ য়াওবা মীওইবগী গুণ্ কয়াগা চেন্নবা—থৌনা ফবা, পুক্চেল্ শেংবা, ব্যবহার লৈবা, মীবু তেংবাংবা, খাংবা হৈবা, কখোক্পনচিংবগী ব্রাখল্ য়াওবা ব্রারি তাহন্বা, লিলা ড্রামানচিংবা উৎপা খ্বাইদগী ফবা অহান্বা তৌগদবা থবক্নি ।

সমাজদা ওইরিবা শেল্থুম্গী, রাজনীতিগী , টেক্নোলোজিগী হোংলক্লিবা ফিভম্ পুম্নমক্ অঙাংশিংদা মমি তাই ; হোংলক্লিবা ফিভম্ অসিগা চাননা অঙাং শেম্বা তাবনি । মমা মপা ওইবনা অঙাংবু ঙাক্পি-শেন্বিবা, নুংশিবা উৎপিবা, ইমুং মনুংদা ভাব তানহন্বা অসিগুম্বা অসিসু অঙাং শেম্বদা চংবা অহান্বা য়ুম্ফম্নি । মসি মমা মপাশিংদা খংহন্বা তাবনি । মশা ফনবা পিজ-পিথক্পা, শান্নহন্বা, নিয়ম্ চুম্না মনিং তম্হন্বা, অরা-মৈশা লাংহন্দবা, উপায় লৈজদ্রবা অঙাংশিংগী আশ্রম্ লিংখৎপিবা চুম্ই ।

স্কুল্ কাদ্রিবা অঙাংশিং, স্কুল্ কারবা অঙাংশিং পুম্নমক্কী তোঙান্ তোঙান্বা কাংলুপ্ শেম্বিদুনা শান্ন-শান্ননা লম্চৎ শাজৎ, বুদ্ধি লৌশিং তম্বিরগা অঙাংশিংবু তুংদা অফবা নাগরিক্ ওইরক্নবা তুংগী মীবোল্ ফননবা থবক্ পায়খৎপা মতম্দা পঞ্চায়তশিংনা সরকারগী, মীয়াম্গী লুপ্ কয়াগী তেংবাং লম্জিংগা লোয়নননা হোৎনবা, চাওনা থৌদাং য়ারবনি । মদুনা জাতিগী ওইনা হৈ-শিংবা, কান্নবা, মচাক্ য়াওবা প্রজা থোক্হন্বা ঙম্গনি ।

নহারোল— নহা হায়বা অসি সাইকোলোজিষ্টশিংনা খংনবদা পুক্নিগী নৌরিবা মতাংদা মী অমগী মওং লৌরক্পা হায়বদি মীওই শুরক্পা থাক্ অদুনি । তাংফম্ অসিদা নহা অমবু শেম্লিংবা মওংদা শেম্হৌবা য়াই, পুক্নিগী চানবা মওংদা চুশিন্নহন্বা ঙম্হৌরবদি অদুগা লাক্শিল্ হৌরবদি মখোয়শিং অসি য়াইফবা, কান্নবা সমাজ অমগী মচাক্ ওই, অদুগা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মখোয়না মতাং অসিদা নিংবা কাইখ্রবদি নত্ত্রগা মীওই চাদবা মওংদা তাখ্রবদি মখোয়না লৈগদবা সমাজ অদু লাইনা লৈরবা, তিনজং কাইজংবা সমাজ

অমা ওইগনি। ঙসিগী নহাবোল্ হয়েংগী অহল্নি; অদুনা নহাবোল্ চাওখৎপনা কাংলুপ্ অমগী, জাতি অমগী নত্ত্রগা দেশ অমগী অর্মদি মালেম্গী তুংগী ফিবেপ্ লেপ্লি।

অহৈ অশিংগীমতুংইন্না নহাবোল্গী পুন্সিগী তাঙ্কক্ অসি মতাং অহুম্ থোক্ই -(১) (পিউবর্টিগী মমাং) মথোক্ কাবক্ত্রিঙৈ চহি মপুং ফাদ্রিঙৈ: (২) (পিউবর্টিগী মতুং) মথোক্ কাবক্পা চহি মপুং ফাববা মতুং ; (৩) লুহোংলবা তুং ;

অহান্বগী তাঙ্কক্ অসিদা অঙাংশংনা নুপা ওইবগা নুপাতগা অদুগা নুপী ওইবগা নুপাতগা তিন্নানিংই, অহল্গী মতৌ তম্লিংই, অদুগা য়াম্না মনিং তম্লিংবগী রাফম্দি লৌত্র।

অনিশুবা তাঙ্কক্ অসিদা মশাদা ইহৌ পোক্ই, অনিংবতা তৌনিংই, ফিবেপ্ লৈতে, মনিং মখা তম্লিংই, চহি নৌবিবা অঙাং মশেল্ লোইননিংই, মপাং থিবক্ই, অরাই অখুম্ তৌননিংই।

অহুম্শুবগী তাঙ্কক অসিদদি হৌগৎ চাওখৎলক্পগী মওং যাম্ই, সমাজগী ওইবিবা ফিভম্, হক্চাং চাওখৎলক্পগী ফিভম্ মতুং ইন্না ফিবেপ্ হোংই, মবল্লাই ওইবক্ই, বাখল্ ফাংই, মশাগী মতুংইন্না অহোংবা নাইবক্ই।

মবম্ অদুনা মথক্কী ফিভম্ অসি য়েংনা নহাবোল্ লোয়নব'. লর্মাজিংবা তাবনি, মসি অবাইবা থবক্তি নত্তে।

নহাবোল্গী লুপ্ শেম্বগী ৩ঙাই ফদবা- জাতি অমগী নত্ত্রগা লৈপাক্ অমগী খ্বাইদগী মমল্ যাম্না লল্দি মী অসিনি। রাফম্ অসিদা যেংলবদি ভাবত অসি পৃথিবীগী মনুংদা অনিশুবা ইনাক্ খুন্বা লৈপাক্লি অদুবু মশিংনা চৎনবা যাবা নত্তবনিন' অসুক হোংখ্রবা মী অসি খ্বাইদগী তাংবদা মীনা ওইবি। হৈশিংব, কান্নবা, মগুণ্ লৈবা শম্না হাযবগা মরু চংবা,মচং ওইবা নাগবিক্ পুথোক্পা লুপ্রবা থবাক্ল। ভাবতকী মী মশিংগী ১০০দা ৮০ দি খুঙ্গংদা লৈ, অদুগা ১০০গী মনুংদা ৬০ বোমনা লাইবিক হৈতে, অসিগুম্না ফিভম্দা নহাবোল্ চাওখৎহন্বা অচৌবা থবক্লি। নহা ওইবা মতম্ অসি মীওইবগী পুক্নিং অমসুং হক্চাংগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল্ কন্বা মতম্নি। অঙাওবা শা শলবু লাক্শিল্লগা কান্নবা থবক্তা শিজিন্নবা যাই, ইচেল্ কল্লবা ঈশিং, মাং তাক্হন্বা ঙল্লিবদু ফাজিন্দুনা বিজলি শক্তি ওথোক্লবদি মীওইবগী নুংঙাই য়াইফ, কান্নবা থবক্তা শিজিন্নবা যাই। মতৌ অসুম্না নহাবোল্গী থৌবিবা, কল্লিবা হক্চাং অমসুং পুক্নিংগী পাঙ্গল্ অদু লাক্শিল্লগা অফবা মওংদা শিজিন্নবা ঙম্লবদি মীওইবগী নুংঙাই যাইফ অমদি চাওখৎপা পুবক্পা ঙম্দুনা পৃথিবী অসি নুংঙাইবা মফম্ ওইহন্বা ঙম্গদবনি। মসি ওইহন্বা তাববদি,

নহাবোল্গীদমক লুপ্ শেম্না অদুগা মদুগী খুৎথাংদা মখোয়বু লম্জিংবা তাই। হৈশিংবা, কান্নগদবা মচাক্ য়াওবা নহাবোল খুঙ্গংগী অমদি ত্রাইবেলগী লমদা পুথোক্পা নহা ওইবগী আশা অমদি ইথিল্ য়াওববা. মখোয়গীদমক্ শিন্ফম্ ওইবা য়াবা থবক্কী লম্বী য়াৎপিবা খ্বাইদগী তঙাই ফদবান, মদুগীদমক মখোয়গী খোংথাংশিং লৌখৎপা য়াই।

(১) ইমুং মনুংগী অমদি কাংলুপ্কী ওইবা পুন্সিগী গুণ্, ফিদম্, থাক্ নাগরিক অমা ওইবা, লুচিংবা ওইবা, মশাগী দায়িত্ব অমদি হক্, অফবা পুন্সিগী আশা, মশাগী মশাংৎপা মেন্শিন্নবা, তকচা নমসুং পু নান্বগী পাথাপ্, মতৈ তম্না অসিনচিংবগী মবম্দা পাবা তম্বিবা খন্ন নৈনবা.

(২) ফাম্মিং তৌবা, ইমুং মনুং শেম্ -শাবা, ইন্শাং নাপী মক মবাং থাবা, ইংখোল্ কোইবা, উ থাবা, শা শল্ যোকপা বিজ্ঞান্গী ওইবা মওংদা শেম্লোক্ লৈগদবা থবক লৌখৎপা অসিনচিংবদা টেক্নিকেল্ ওইবা হায়বদি থবক্কী লৌশিং পিবা,

(৩) পক্সি-খাসি,ফজবা বাখল্ , তেংবাং লৌনদুনা ইশান ইশাবু তেংবাংবা, ইশানা ইশাবু থাজজবা, মথৌদা পুক্লিং চংবা, তেংবাংনবা অমদি পুন্নাশন্নবগী থবক, মথব্ থোংবাশংবু ইকাই খুম্নবা, পুক্লিংগী ৱাখল্লোন্গী জ্ঞান্, মবাল্ অমদি পাপ্ তৌদবা, মযাই কাবা পোৎ হিদাক্রুচিংবা শিজিন্নদবা, নহা ওইবগী লম্ হেন্বা থিংবা অসিনচিংবগী মবমদা পাবা তম্বিবা ;

(৪) কেম্প, মেলা, সেমিনাব, ৱার্কসোপ্, চাং তায়বা, খুঙ্গংদা পাঙ্গল্গী থবক্ শুবা, লম্ কোইবা অসিনচিংবা পাংথোক্পা - মসি তৌবদা জাতিগী অপুনবা পুবক্পা ঙম্গনি ;

(৫) সবকাবনা হৌদোক্পা থবক্তা যাওশিন্নবা শিন্বা ;

অসি গুম্বা খোংথাং লৌখৎপদা অৱাৎপা অমসুং অনিংবা পাংথোক্কনি, থাজবা অমসুং পুন্শিন্নবা, তিন্নবগী ৱাখল্ পোক্কনি। ক্লব নত্ত্রগা এসোসিযেসন্ হায়বগুম্বা লুপ্তা যাওবনা চৎনবী নিয়ম্ , আইন্, কয়া খংদুনা পঞ্চায়ততা, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল্দা, রাজ্যগী লেজিসলেচবদা অদুগা পার্লিযামেন্টতা অহান্বা নত্ত্রগা অনিশুবা থাক্কী লুচিংবা ওইবা ঙম্গনি।

নহাবোল্ শেম্গৎপগী মক ওইবা অসি খংদুনা ভাবত সবকাবনা ইং ১৯৫২

দগী হৌনা রুরেল্ য়ুথ্ মুভ্মেন্ট- খুঙ্গংগী নহারোল্গী ইহৌ হৌদোক্খি । ভারতকী মিনিষ্ট্রিদা নহারোল্গী সেক্সন্ ইং ১৯৫৩ দা থম্খি অদুগা কেম্পনচিংবা কয়া পাংথোক্খি । রাজ্যশিংদসু নহারোল্গী ওইবা দিপার্টমেন্ট হাংদোক্লম্রে। অদুগা ইউনাইটেদ নেসন্সনসু ইং ১৯৮৫ বু ইন্টরনেসনেল্ য়ুথ্ ইয়ার হায়বদি জাতিশিংগী ওইবা নহারোল্গী চহি হাযনা লেপ্তুনা শরুক্ য়াবা—শান্তি চাওখৎপা হায়বা অহুম্ অসিবু য়ারি য়াখোং ওইহল্লগা মখল্ মখা কয়াগী খোংথাং লৌখৎনম্রবনি । পঞ্চায়তশিংনসু হিরম্ অসিদা লুপ্ শেমদুনা থবক্ চথবা য়াই ।

নুপী—নুপী হায়বসি মীওইবা মনুংদা য়াম্না মমল্ য়াম্বা লল্নি, প্রকৃতিগী নত্তগা তাইবং মপুগী অতোপ্পা খুদোল্গী মশক্ ওইবা খুৎশেম্ অমনি। জাতি অমতনসু মদুগী চাওখৎপদা ওইজবা নত্তনা নুপীবু থৌশাদবা ঙম্লোইদবনি। পৃথিবীগী ইতিহাসনা (মিহৌরোল্না) তাক্লিবদি নুপীদা পাঙ্গল্ পিবা, নুপীবু লুনা খন্বা জাতি অদুনা থুনা চাওখৎপা ঙম্মই । অদুগা মসিসু তাক্কই মদুদি—খুদোংচাবা পিবিরবদি নুপী মখম্তনা নত্তগা নুপাগা লোইনবগা জাতিবু শেম্গৎ শাগৎপদা অদুগা মীওইবগী অফ-নুংঙাইদা চাওনা শরুক্ য়াবা, কান্নবা পিবা ঙম্মই । সমাজদা নুপা অমসুং নুপী অনিমক্কী মথৌ অমনা অমদগী তাবা নত্তে, তোঙান্ তোঙান্বা মওংদা মাগী মাগী অঙম্বা (অমনা ঙম্বদু অমনা ঙম্দবা নত্তগা ঙম্বদা য়াবা) থৌদাং লৌননবা শক্ লোন্ অনি থোক্হন্বতনি ; অনিমক্ চপ্ মান্ননা মক ওই । হক্চাংগী মনুংদা য়েৎ, ওই নাইবগুম্বনি য়েৎনা য়েৎকী থবক্ খুৎলোইনা তৌবা ঙম্মই, ওইনসু মদুগুম্না ঙম্মই ; অদুবু অমনা অমগী থবক্ তৌবদা খুৎলোইদবা নত্তগা ঙম্দবা য়াই । নুপাশিংনা নুপীবু ওইগী লমদাং হায়দুনা হন্থনা লৌরি অদুবু খোং ওই থাংদনা য়েৎকী খোংতনা থাংবদা মমাংলোম্দা চৎপদি ওইথোক্তে । নুপা নুপী পুল্লগতা সংসার লৈরিবনি—'নুপা নুপী পুন্না শাবা জগোইতনা জগোইগী অয়ৌবীনি, অমমম্তনদি ওইদে ।' লৈগী নাচোম্দা লৈ অমনা অমদগী মগুণ্ তাদে ।

নুপীদা মখল্ -মখাগী গুণ্ য়াওরি— সমাজ অমগী চাওখৎপগী থাক্, ফিভম্, রাজনীতিগী মপুংফাবা অদুগা হৌন-শাজৎকী থাক্ পুম্নমক অসি সমাজ অদুনা নুপীদা চৎলিবা অদুনা লেপ্লি । লৈপাক্ মচা তাবগী চাং ফাওবা মদুনা নুপী অমসুং অঙাংদা পিরিবা অদুগা মরি থল্লিবা অদুনা ওইরিবনি । জাতি অমগী চৎনবী, জ্ঞান্ অসিনচিংবা অসি চাথাং-শুথাং কয়াদা নুপীতনা পুথদুনা লাক্লি। অদুবু মতম্ চুপ্পদা সমাজদা নুপীগী ফিভম্দি, য়াম্না খুদোং চাদবা মওংদা লৈহল্লকই । মখোয়না ইমুং মনুং পুবা, অঙাং পোক্পা, য়োক্পা থাক্পা কয়া তৌবতা নত্তনা মপান্দসু মখোয়দা কান্নবা ফংদবমখে লৌউ-শিংউ অমদি অতৈ শিনফম্গী শেন্দান্ লম্বীদা অচৌবা শরুক্ য়ারি । অদুদগী হেন্দোক্তুনা

রাজনীতিদা 'চিং-লেম্মা য়াওহন্‌বদি নত্তনা আন্দোলন্ (সবকাবগী মাইয়োক্তা হৌবা) ফাত্তবদা মাং থাহন্দুনা অপংবা তাহল্লি। মসিগী মথক্তা, নুপাশিংনা ওৎপ' নৈবা, ফুনা চৈবা, হাৎপা 'ফাওবা তৌবি; মিহৌবা পোৎশক্ ওইনা মিতাদুনা ইজৎ মাংহন্নবসু হোৎনবি। সমাজগী' চৎনবী হৌনবী কয়ানা পুন্দুনা থমলি। মসিদা নুপানা শেম্বা অহোবা আইনন্‌সু য়েংদুনা লৈ। অসুম্বা মীওৎ মীনৈ, অব্রাবা, অচোম্বা, লাইবক্ থিবা কয়ানা তৎতনা ওৎলি; খাংবা হৈবী ওইনা নুপীনা ব্রাকৎফম্ লৈতনা, মখোল্ থোক্‌পা ঙম্‌দনা খাংজবি।

নুপীশিংবু সমাজদা অশোনবা কাংলুপ্ হায়না মীংথোল্লি, তশেংবদি শোনবা নত্তে। মখোয় অসি মুন্ন' খল্লবদি শক্তিগী থোকফম্লি। নুপানা ঙম্লবোইদবা—নুপীনা পাংথোকখিবা অঙকপা, তুজুংবা, নুংশিববা থৌদোক্ শিংথাবা কান্নদে, ইতিহাসনা শাক্ষিনি। মীওইবগী অব্রাংবা গুণ্ কয়া নুপীদা যাওই। থোৎপা নৌবা, চম্জবা, মীনুংশি, থৌজাল্, প'ইবক্কী লৌশিং, অখাং কন্‌বা, থৌনা-লিংজেল্ পুম্নমক্কী মথক্তা কখোক্‌পগী গুণ্ যাওবি। মচে মচল্, মমা, অমদি যুম্‌গী নুপী ওইনা নুংশিবগী লিপুন্‌না মীওইবা জাতিবু ইংনা তপ্পা পান্‌ব' ঙম্‌হল্লিবনি। অসিগুম্বা গুণ্ চেনবী নুপী কয়ানা লাইবেন্নীগী মশক লৌদুনা ফিদম্ উৎালবনি। মখোযদা দোষ কয়াসু লৈ —তয়াং তশোইবা, ফিবেপ্ চেৎতবা, ব্রা যামনা ঙাংবা, লাননা থাজগন্‌বা, তোক্ ঙা শেম্বা, ব্রাখল্ থেন্‌বা, মীপাইগন্‌বা, অনেম্বা ব্রাখলদা চেম্থগন্‌বা, কল্লক মীহৌগন্‌বা, পুম্নমক্কী মথক্তা মখোয় নুপী মশেলবু লুনা নুংশিনা খনব' ঙম্‌দবা অসিনচিংবা অসিনি। সমাজদা নুপীনা ফংলিবা দশা, অব্রাবা খাংলিবসি ঙম্বগীনি, ঙম্‌দ্রবদি তৌবোইদবনি, অকন্‌বা ব্রাকৎ ফোংদোক্তবনা নুপাশিংনা খংবা ঙম্‌দনা নত্তগা থৌশাদনা অসুম্ লৈবক্‌পনি।

নুপীগী লুপ্ শেম্বা —থবক্ খুদিংমক্ পুন্‌শিল্লগা পাইখৎপতনা খুদোং চাই অদুগা মাইপাক্‌পগী চাংসু হেল্লি। নুপীগী ওইনা তোঙান্‌বা লুপ্ শেমগৎপা অদুগা মখোয়বু তম্বিবা, খন্ন নৈনবা যাওহন্‌বা অহান্‌বা থবক্নি। নুপীদা তম্বিবা খ্বাইদগী ফবা অমদি মহৈ চাবা য়াবা পাম্বৈনি, মবর্মদি —'নুপা অমদা তম্বিবদি নুপা অদুতদা তম্বিবনি, অদুগা নুপী অমদা তম্বির্বদি ইমুং অমদা তম্বিবনি।' থোইদোং হেন্দোক্‌পা অমনা নুপীগা অঙাংগা থানবা য়াদ্রবা মর্ব লৈনৈ অদুনা হায়নরি নুপীদা য়ৌহন্‌বা তাববদি অঙাংদা হৌগদবনি অদুগা অঙাং য়ৌবা তাববদি নুপীদা হৌগদবনি; অমা শেম্বদা অমা য়ৌহন্‌বা য়াই। নুপীগী মশাদা লৈবিবা অফবা অমদি ফত্তবা, অঙক্‌পা গুণ্ কয়া অসি নৈনদুনা খৎহন্‌বা, তম্বিবগী অহান্‌বা পাবা ওইগনি। নুপী অমা ওইনা ইংবা-তম্না, নোল্লুক্‌পা, থক্‌সি-খাসি নাইবা তম্বা, মমা অমা ওইনা অঙাং য়োক্‌পা, শেম্বদা

লৈগদবা গুণ্ খংহনবা—য়ুম্বুবী অমা ওইনা মচা অমদি মপুবোইবগী অমদি মথক্ থোংবগী সেবা, ফিশু-ফিজাম্, চাক্খুম্গী থবক্—ইমুংগী শেল্থুম্গী ফিভম্ ফগৎনবা তৌবদা তেংবাংবা—ইমুং মনুংদা, লৈকাইদা, সমাজদা অমাদ মবৈগাক্কী ওইবদা তৌবা য়াবা থৌদাং খংহনবা—ফিশা-লোন্শা, লোনবা-খোৎপা, তুবা অদুগা অতে খুৎশু কয়া তম্নবা হোৎনবা—ইখোল্ মচা কোইবা তম্বা—পোৎকী মমল্ হেনগৎলকপা থিংবা- অউনপোৎ হেনগৎতনবা হোৎনবদা নুপীগী থৌদাং খংহনবা—অবেম্বদা হংাং কুম্মোদা মতম্ পৈশা মাংহন্দবা ইমুংগী অশংবা মতম্দা অব্রা পোখানবা রাবি-লাইবিক্ তগা, সাহিত্য বিজ্ঞান্ লৈনবা, ইশৈ নোংমাই, জগোই, ভজন কৃর্তন তৌবা—লুপ্কী ওইনা কেম্প, সোমনাব, ফেষ্টিভেল্ কনফবেন্স নচিংবা তৌনবা শিনবা মশানা মশাবু থাজবা, তেংবাংজবা, অতোপ্পদা তেংবাং পিননবা তম্বিবা—ইবা পাবা হৈহনবা অসিনচিংবা কয়া নৈনবা অমদি পাংথোক্পা য়াই। অসুম্না পুন্না তম্মনা অমগী অর্থ ৎপা অমদগী লৌগনি, অফবদা মতৌ তম্নগনি। মসিদা খংলকপা লৌশিংনা পুক্নিংগী থবক খুদিংমক্ত পানশিন্দনা পঞ্চায়তডা, এসেমব্লিদা, পার্লিয়ামেন্টতা মফম ফংগনি, লুচিংবী ওইবগী পাবা তমগনি। পুল্লগা থৌনা ফবসি নুপীনা য়াম্না হেল্লি; পুনশিল্লবদি মখোযগী মাইয়োক্তা লৈবিবা মন্দওইবা অথিংবা অহুম্ মমিং ওইনা চৎনবী—নুপা কাংলুপ্—জ্ঞান তাদনী নুপা কাংলুপ, হাযবিবর্শিং অসিবু থেংনবা গুমদুনা নুপীশিংনা সমাজদা নুপাগা লেংমান্নবকপা অদুগা মাংথংবা গুল্লকনি। শম্নবগা লাইনা (অনাবা)লৌনবগুম্ অফবা থবক তৌবদসু লৌনৈ, মবম্ অদুনা পঞ্চায়তনা অহানবা তৌগদবা থবক্তি—নুপীবু পুলহল্লগা লুপ্ শেল্লগা পিবা য়াবা পাওতাক, তেংবাং পিদুনা নুপীগী শক্তি পুথোক্হনবা অদুগা জাতিগী ঈচেল্দা চপচানা যাওহনবা অসিনি; মসি শেল্ চংগদবা নত্তে, থৌশিল্, থৌবাং হৈবগী অমসুং হোৎনবগী রাতনি।

হৌজিক্ অসিদদি নুপা, নুপী অনিমক্না নুপীগী ফিভম্ অসি খংনবক্নে। নুপীবু শক্ খংলতুনা, মখোয়দা শেল্ থুম্গী নিংতম্বা ফংননবা, মশাগী হক, দায়িত্ব খংননবা, নুপাগা মান্ননবা, মখোয়গী ইজৎ কন্ননবা, মহৈ তম্নিনবা, হক্শেল্গী জ্ঞান্ পিননবা মাইকৈ খুদিংদগী হোৎনবল্লি। পৃথিবীগী ওইবা রাষ্ট্র সঙ্ঘনসু থৌবাং লৌখৎলল্লি—ইং ১৯৭৫ হায়বা চহি অসিবু জাতি পুম্নমক্কী ওইনা নুপীগী চহি হায়না পালন্ তৌবা হৌখ্রে। ভাবতকীসু নেসনেল্ কমিসন্ ফোব রুমেন্ ইকুই কুইড্রিভৈদা লিংখৎখি। নুপী অমসুং অঙাং চাওখৎনবা তোঙানবা ভাবত সবকাবগী দিপার্টমেন্ট লৈবে। নুপী অমসুং অঙাং পুন্না চাওখৎহন্নবগীদমক্ সোসাইটি ফোব ইন্টবনেসনেল্ ডিভেলপমেন্ট কী মখাদা ভারত জাতিগী ওইবা কন্ফবেন্স কয়া তৌখ্রে। মক ওইনা নৈনবিবদি—নেসনেল্ পার্সপেক্টিভ প্লান্ (এনঃপিঃপিঃ) ১৯৮৮-২০০০ এঃদিঃ হায়দুনা পুপীগী চাওখৎনবা

মহৈ তম্বা, ই পাও, হক্‌শেল্ অমদি রাজনীতিদা নুপীনা শরুক্ য়াবগী অদুগা শ্রাম শক্তি হায়বসিদনা নুপীগী থবক পিননবা অদুগা শেল্থুম্‌গী ফিভম্ ফগৎনবগী মবমদা নৈনরি।

তৌজিক্ নুপীদা শক্তি পিবা হায়বসি য়ানবক্তুনা ভারততা পঞ্চায়ত মক্তদা ফম্‌গী শরুক অহুম্ থোক্‌পগী অমা থাক্তুনা ইকাই খুম্নবা অমদি শক্তি পিবা তৌবে। ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সনা হন্দক্তা ইং ১৯৯৫ গী এপ্রিল্ ২৩,২৪ দা নই দিল্লিদা 'নুপী অমসুং পঞ্চায়তী রাজ' গী মবম্‌দা ফমখিবা কন্‌ফরেন্স অমনা চহি খুদিংগী এপ্রিল ২৪ - সংবিধানগী ৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পা অসিবু আইন্‌গী লাইরিক্ সংবিধানদা হাপখিবা নুমিৎ অসি 'কমেন্স পোলিটিকেল্ এম্পাবারমেন্ট দে' নুপীদা রাজনীতি শক্তি পিবা নুমিৎ হায়না পালন্ তৌনবা য়াবেপ্পুখ্রে। মতৌ অসুম্না নুপীদা (ফ্রিদম্) নীংতম্বা- (জষ্টিস) অচুম্বা - (দিগ্নিটি) ইজৎ, পিননবা হোৎনবক্কি। পঞ্চায়তনা নুপীবু শেম্‌গৎপদা থোইদোক চেন্দোক্‌পা মীৎয়েং চংলগদবনি। ●

(১৯)

সংবিধান্ (৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পা)এক্ট ১৯৯২

(ক) করম্না অমদি করম্বা ফিভমদা এক্ট অসি শেম্‌লক্‌খিবনো ?

নীংতম্লবা ভাবতকীদমক্ সংবিধান্ শেম্নবা হোৎনবক্‌ই; সংবিধান্ অসি পঞ্চায়ততা য়ুম্‌ফম্ ওইবগা শেম্নবা খন্নখিবনি। গান্ধীজীনা হায়বম্মী মদুদি—'গ্রাম স্ববাজ' লৈতনা 'পূর্ন স্ববাজ' লৈবা যাবোই। ইং ১৯৪৮ গী মেগী তাং ১০ দা কোন্সটি টুয়েন্ট এসেম্ব্লিদা ডাঃ বাজেন্দ্র প্রসাদনা প্রেসিদেন্ট ওইনা ফোংদোক্‌খি—সংবিধান্ অসি খুঙ্গংগী পঞ্চায়ততা য়ুম্‌ফম্ ওইবগা থাক্, থাক্ নাইনা মথাংগী হায়বদি নাকোইনবা মীখল্ তৌদুনা কায়াৎ শম্নমা শাগৎকদবনি। অদুবু ডাঃ আম্বেদকাব, মতম্ অদুগী আইন্‌গী মন্ত্রিগী ব্রাখল্‌দা গ্রাম্ পঞ্চায়ত লৈববদা খুঙ্গংগী অবাংবা কাংলুপ্না অশোন্‌বা কাংলুপ্লু নৈহৎপিদুনা লৈখিগনি খন্‌বনা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী ব্রাফম্ অসি ময়েক্‌শেংনা য়াৎখিদবনি। মহাত্মা গান্ধীনা মসি খংলক্লবদা হায়খি 'ঐখোয়গী নীংতম্না অসিনা প্রজাগী খোল্লাওবু থক্‌তোক্‌হল্লক্‌পা তাববদি মসি খুদক্তা পুক্লিং চংদবা য়াদ্রবা অবাংপা (চিংথবা) অমনি।' মসিগী মতুংদা কয়াবক্ শেম্‌দোক্‌খি অদুবু মতম্ অদুগী কোন্সটিটুসনেল্ এদভাইজব শ্রী বিঃ এনঃ বাওনা, সংবিধান্ মশা পুম্বসি ওম্না শেমদোক্‌পা তাববদি য়াম্না থেংমল্লগনি অদুনা তুংদা কেন্দ্র অমসুং বাজ্য সবকাবশিংনা খন্নহৌবসনু হায়না মোত পিখি। ইং ১৯৪৮ গী নভেম্বব তাং ২২ দা শ্রীকে সন্থনম্‌না পুখৎলক্‌পা ব্রাফম্ অমা ডাঃ আমবেদকাবনা লৌবদুনা সংবিধান্‌গী ডাইবেক্টিভ প্রিন্সিপল্‌স ওফ দি ষ্টেট পোলিসিগী মখাদা আর্টিকল্ ৪০ শুবদা অসুম্না হাপ্‌খি মদুদি —'বাজ্যশিংনা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত লিংখৎনবা অদুগা মখোয়দা মশানা ঙাক্‌চবা সবকাবগী খুজিং ওইনা থবক্ তৌবা ঙম্‌জনবা অসিগুম্বা চংফম্ থোক্‌পা শক্তি অমদি মঙম্ পিননবা খোংথাং লৌখৎকদবনি।' মতৌ অসুম্না মতুংদা কেন্দ্র অমসুং বাজ্য সবকাবনা শেম্‌দোক্‌চবা যানবা, লোয়ন-লোয়ননা পঞ্চায়তশিংগী মবাইবক্ অসি বাজ্য সবকাবদা শিন্নখিবগী ফিভম্‌দা থাদোক্লম্‌লে। অসিগুম্বা ফিভম্ অসিদা পঞ্চায়তশিং অসি পোক্লক্‌পদগী শোঙবক্লবা অঙাংগুম্না মপাঙ্গল্ মতিক্ যাওদনা লাক্‌খি।

সংবিধান্না কেন্দ্র অমসুং বাজ্যগী সবকাবতবু শক্ শংলকখি অদুগা তুংদা পোক্লক্খিবা মথাং অহুম্গী পঞ্চায়তশিংগীদি চপ্চাবা মফম্ ফংলক্তে। ভাবততা খুঙ্গং চাওখৎনবগীদমক্তা কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি ইং ১৯৫২ গী ওক্টোবব তাং ২ দা হৌদোকখি। প্রজানা থৌদাং য়াবিদবদগী শোইবক্লবদা, শ্রী বলবন্ত বেই মেহতানা লুচিংবা স্টাদি টিম্ শেমদ্না বিপোর্ট পিহল্লবা মতুংগী ওইনা ইং ১৯৫৯ গী ওক্টোবব তাং ২ দা ইহান্ হানবা ওইনা বাজস্থান্দা পঞ্চায়ত লিংখৎখিবা খংনবে। মদুগী শ্রী জবাহবলাল নেহরুনা লোখত্রবদা পঞ্চায়তী বাজগী থোংহৌ অসিদা অনৌবা মিংনাৎ হাপখিদে, শাফ অসুম হন্থবকখি। পঞ্চায়তী বাজগী ব্রাবিদি অকা অকুপগী ব্রাবান, ইং ১৯৫৯ দগী ইং ১৯৬৪ ফওর্নস কখৎপগী মতম্নি, ইং ১৯৬৪দগী ১৯ ৭০ ফাওর্নস তাং লেপ্পুনা লৈবা মতমনি, মদুগা মতুং তাবক্পা অমসুং কুমথাকপগী (হিক্থবক্পগী) মতম্নি।

ইং ১৯৬৭ কী মাখল মতুংদা কংগ্রেস পার্টিনা সবকাব পায়দবা বাজ্য খবদা অদুগা কংগ্রেসকী সবকাব লৈবা গুজবাত অমসুং মহাবাষ্ট্র নাইনা বজ্যশিংদা পঞ্চায়তকি লোইশঙ পুন্নমক শিথবক্খি। মাখল তোইনা তোইনা যেংথাক্লবক্লে, পঞ্চায়ত অমসুং নগব পালিকা শিং অসি মুথৎখি। অনৌবা মীখলস্ চাহি ১৫ দগী ১৮ যৌনা যৈথো ক্লনা লাক্খি। কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ অসি থাদোকপ গুম তৌখি। অফিসকা ওইবা মীওইগী অকন্বা শাসন্না (বুবোক্রেসনা), প্রজাগী অপাম্বা খংদনমখে, থৌওইদনা প্রজাগী মহুৎ শিন্খি। প্রজাশিংনা, মবক চেন্বা (শক্তি মযাই চাবা) কাংবুশিংদা শাসন্গী থবক্তা চংজবা তাখি।

পঞ্চায়তী বাজ চাওখৎপদা খিংলিবা মকওইবা মবমশিং খুদম ওইনা

(১) অকন্বা বাজনীতিগী অনিংবা ব্রাৎপা,

(২) মনুং ওইবা, শাসন্গী নত্তুগা মচাক্ মথুম্গী অমদি থৌবাংগী ওইবা অশোইবা, অব্রাৎপা,

(৩) প্রাজ মশাগী ওইনা খংবা ব্রাৎপা, হায়বনাচিংবসি অদুম্ অদুম্ ওইদুনা লৈবম্মী।

অসুম্না তৌবিঙে মতম্ অসিদা ইং ১৯৮০ দগী কংগ্রেস পার্টিনা সবকাব পাইদবা বাজ্য খবদা খুদম্ ওইনা শ্রী জ্যোতি বসুগী নেংচুপ্ বেঙ্গোল্, শ্রী বামকৃষ্ণ হেগ্রেগী কর্নাতাকা

অদুগা শ্রী এনটি বামবাওগী অন্ধ্রপ্রদেশ অদুগা কংগ্রেস গোভর্ণমেন্ট লৈবা গুজরাত অমসুং মহারাষ্ট্র হায়রিবা রাজ্যশিং অসিদা পঞ্চায়তী রাজ অসি মওং চম্মদা থিংগৎ লক্পগুম্ তৌখি।

মতাং অসিদা থোক্লক্খি রাজিভ গান্ধী– নহা ওইরিবা, রাখল্ চাওবা, থৌনা ফবা ভারতকী প্রধান্ মন্ত্রি ওইনা লৈখা তপক্লবা পঞ্চায়তী রাজবু কন্নবা, নৌনৌনা অমুক্ মপাঙ্গল্ হাপ্পনবা। রাজনীতিগী অখুবা মীৎযেং য়াওদনা, মীচং মীখাই নাইদনা, পুন্না য়েংবা মীৎযেংদা 'প্রজাদা শক্তি পিবা' হায়বা ফজরবা রাখলনা মাংওইননা মহাত্মা গান্ধীগী 'খুঙ্গংগী স্বরাজ' অমসুং নেহরুগী 'খুঙ্গং শেম্গৎপদা মশানা মশাব্ থেংবাংজবা' হায়বা মওবু তাইবংদা অশেংবা ওইনা পুবক্লবা হোৎবকই। রাজিভনা উখি– প্রজাগী নিংবা থুংহন্বা ঙমদবা, প্রজাগী মীহুৎতা দাযিত্ব লৈতবা, বুরোক্রেসিগী অশুপ্পা শাসন্ পুম্নমক্ অসনা চাওখৎ থৌরম্গী থবক্ পুম্নমক্ অসিবু পাইশিনখ্রে– অদুনা শাসন্ অসি প্রজাদগী খাইদোকখ্রে। প্রজানা সরকারদা চংনবা হোৎনবদা শক্তি লল্লোনবগী খুৎথাংদা নত্তুর্বাদ ঙমখিদ্রে। মথক্তা পনখ্রিবা কংগ্রেস অমদি কংগ্রেস নত্তবা থিংগৎলক্লিবা সরকারশিংবু থাগৎপা মীৎযেংদা য়েংখি। শক্তি লল্লোনবা কাংবুশিংনা প্রজাদা তোংদুনা লৈবে, মসিনা দেশ অসিদা মঙলিবা মঙ অদু ফংনবা হোৎনবদা অচৌবা অখিংবা ওইরি হায়বসিসু খংখি। অয়েৎপা, অকাইবা পুম্নমক্ অসি কোক্হন্নবা মহাক্না মথং মথং মিটিং, খন্ন নৈনবা, সম্মেলন্, কনফরেন্স কয়া তৌখি। যাম্রবদা মীওই লিংশিং ২০লোম্গা শম্মখি। ভারত পুম্বনী দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেৎশিংগা তোঙান্ তোঙাননা ভোপাল, হাইদ্রাবাদ, ইম্ফাল, জয়পুর, কোইম্বাতোরদা তত্তনা শম্মবক্ই। রাজ্যগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা আনরক্তগী তাদনা কন্ফরেন্স তৌখি। ওল্ ইন্দিয়া পঞ্চায়ত পরিষদকা তত্তনা শম্মবকই। রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি শিংগা রা তানখি, ভারতকী কোচিন কোয়াদগী মীহুৎ লিশিং লিশিংগা উনখি, সিদ্যুলদ কাস্ট অমসুং সিদ্যুলদ ট্রাইবকী মীহুৎ কয়াগা, নুপীগী মীহুৎ কয়াগা তোঙান্ তোঙান্না উনখি। রাজ্যগী পঞ্চায়তী রাজ পুবা মন্ত্রিশিং, নগর পালিকা পুবা ষ্টেটকী মন্ত্রিশিং, ম্যুনিসিপালিতিগী কমিসনারশিং অদুগা মীহুৎ কয়াগসু উনদুনা খন্ন-নৈনখি। অরাংগী রাজ্যশিংগীদমক্ ওইনা সম্মেলন্ পাংথোক্লুনা খন্ন নৈনখি। অদুদগী হেন্দোক্লুনা মাগা থবক্ পুমিন্নরিবা মীওই, মোত ফোংদোকলক্পা মীওই, মহৈ হৈবা মীশিং, লন্নাই সংস্থাশিংগী মীহুৎ অসিনচিংবা তোঙান্ তোঙান্‌বা মীওইশিংগা উনদুনা মনুং অমসুং মপাল্ ফাওনা, মনুং থিংনা খন্নখি। অসিদগী হেন্দোক্লুনা মমাংদা লিংখৎখিবা স্টদি টিম্, কমিসন্ কমিতি কয়াগী রিপোর্টসু কুপ্পা য়েংখি। অসিগুম্বা খন্ন-নৈনবা, থিজিন্‌বা পুম্নমক্ অসিদগী ফংলক্পা রাফম্ কয়াগী অফবা শকক্ মখৈ লৌখৎলগা ফত্রে হায়বা মখৈ লৌথোক্লুনা চুম্থোক্লবা থবক্কী জ্ঞান্

অদু নৈখাইবগা আমৃত ওইনা খল্দোক্খিবনি —মসিবু মাগী ৱাহৈদা 'মন্থন্' আমৃত নৈবা হায়না হাযখি। লৈপাক্কী আইন্ মতেক্ অমখক্কীদমক্ অসুপ্ কুপ্না, পাক্ চাওংা মতম্ শাংনা, অসুপ্ লুনা প্রধান্ মন্ত্রি অমগা লৈপাক্কী মীয়াম্‌গা ৱাবি শ খবা, খন্ন নৈনখিবা অসি তশেংনমক্ বাজিভ নত্তনা কনা গুম্বা পৃথিবীগী প্রধান্ মন্ত্রি অমতনা তৌবা লৈখিদ্রে হাযনবি।

অসুম্না শেম্ শাববা তুংদা সংবিধান্ (৬৪শুবা শেম্‌দোক্‌পা) বিল্ ১৯৮৯, লোক্ সভাদা পুথোকপদা ইলাই লাইনা যাববা তুংদা বাজ্য সভাদদি মাইযোক্লগা দলশিং পুন্‌শিন্নবক্তুনা শকক্ অহুম্ থোক্‌পগী অনিগী অহেন্‌বা ফংগদবদু ভোত্ মভাখক্তং ৱাংহন্নখিবদগী অথিংবা পিখ্রে, যাখিদ্রে। অদুম্ ওইনমক্ মখা তাবা ওইনা, ইং ১৯৯১ গী মীখলদা কংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টোদা কংগ্রেস পার্টিনা ভাবত সবকাব অসি অমুক্ হন্না পাইবা ওল্লবদি অকক্লবা নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পঞ্চাযতী বাজ অমসুং নগ' পালিকা বিল্‌শিং অমুক্ হন্না পুথোক্কনি অদুগা চৎনহন্‌গনি হায়না ফোংদোকখি। মসি ব্যাজভর্জীগী ৱাশক্লি, 'উইল' ওইখ্রবনি। লাইবক্ থিবনা অসুপ্ ৱাখল্ চাওবা, প্রজাগী অমদি মবৈপাক্কী খন্‌বা নহা ওইবিবা প্রধান্ মন্ত্রি অসি মনুং মতম্ চাদনা পুন্সি লোম্‌খি। মতুং তাবা কংগ্রেস সবকাবদা শ্রী নবসিমহ বাওনা প্রধান্ মন্ত্রি ওইনা অফিস পাইনা মতুং নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পার্লিযামেন্টতা সংবিধান্‌গী (৭২শুবা শেম্‌দোক্‌পা)বিল্ ১৯৯২ পুথোক্‌খি। অদুগা সংবিধান্‌গী (৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পা) বিল ১৯৯০ সু পুথোক্‌খি। বিল্‌শিং অদু পার্লিযামেন্টকী সেলেক্ট কমিতি অনিদা পিথখি। সেলেক্ট কমিতি অনি অসিগী অপুন্‌বনা শেম্‌দোক্‌পগী ৱাফমদু মপুং ফাবগুম্ য়ানবা পুবক্‌খি। বিল্‌শিং অদু শ্রী বাজিভনা পুথোক্লম্বা ৱাফম্ অদুগী মর্মিমক্লি। প্রধান মন্ত্রি অদুগা কংগ্রেসকী প্রেসিদেন্টসু ওইবিবা শ্রী পিঃভিঃ নবসিমহ বাওগী মী তাইনবা ওম্বগী গুণ্ অদুমক্লা দিসেম্বব ১৯৯২ দা (ডিঃএমঃকেঃ) অমসুং এঃডিঃএমঃকেঃ পার্টিগী ভোত্ ওন্ননা পিবা অদুগা পিদবা অদু নত্তনা বিল্‌শিং অদু অযাবা ফংখি। সংবিধান্‌গী (৭২শুবা শেম্‌দোক্‌পা) বিল্ ১৯৯২ অমদি (৭৩শুবা শেম্‌দোক্‌পা) বিল্১৯৯২ অদু দিসেম্বব তাং ২২ দা লোক্ সভানা অদুগা হেক্ নোংঙান্‌বগা দিসেম্বব তাং ২৩দা বাজ্য সভানা অযাবা পিখি। বাজ্যগী লেজিসলেচব অযাম্বনসু চংফম্ থোক্‌পা ৱাবেপ্ লৌদুনা বিল্‌শিং অদুবু অযাবা পিখি। বাষ্ট্রপতিগী অয়াবা ফংদুনা সংবিধান্‌দা ৯শুবা শকক্ (পার্ট নাইন্) ওইনা হাপ্‌চিন্‌খ্রে। মতৌ অসুম্না গান্ধীজীগী 'গ্রাম্ স্ববাজ' বাজিভ গান্ধীজীগী 'প্রজাদা শক্তি পিবা' হাযবা মঙ অদু ফংলগনি হাযনা খন্নখি। হান্না শোন্দুনা লৈবম্লবা, সংবিধান্‌দা মতিক্ চাবা মফম্ ফংলম্‌দবা গনতন্ত্রগী অহুম্‌শুবা মথাং ওইবিবা পঞ্চাযতী বাজ অসি মপাঙ্গল্ কন্‌খৎহল্লগনি হাযবা অনৌবা আশা পিখি।

শ্রী নর্বাসমহ্ বাওনা হায়খি—পঞ্চায়তী রাজ অসি—

(১) চুম্দবা তৌবা অদুগা ওৎ নৈবিবগী পাওখুম্নি ;

(২) চাওখৎপদা তানক্লবা লম্বীদা শাবা থোংগী মচিল্নি;

(৩) মান্নবা অমসুং ইংনা তপ্না পান্বা সমাজদুগী মমাং চেনবনি ;

(৪) পুক্চেল্ শেংবা রাজনীতি থৌওংগী ট্রেনিং তৌফম্নি (তম্ফম্নি);

(খ) এক্ট অসি শেমগৎ শাগৎলক্পদা খন্থিবা ভুংদা শৌগৎখিবা ঙাক্লৌ পিখিবা ব্রাখল্লোন কয়ামুক্—

(১) পঞ্চায়তী রাজ শাগৎপগী মচাং, সমাজদা অচুম্বা তৌননবা, (বিজ্রার্বেসন্ তৌবা) ফম্ কন্বা—

পঞ্চায়তী রাজগী মচাং (ষ্ট্রক্চর) শাগৎপদা মথাং অনি লৈবা নত্ত্রগা অহুম্ লৈবা নত্ত্রগা লৈতবা, মীখল্দা (দাইরেক্ট ওইনা) হকৎথেংননা নত্ত্রগা (ইন্দাইরেক্ট ওইনা) নাকোইননা তৌবা অসিনচিংবা অসিগ রাফম্ অসি রাজ্যশিংদা অপান্বা তৌজনবা থাদোকপা যাবদ্নি, অদুবু লোইশঙশিং অসিগী থাক কযাদা চাং মান্ননা, ৩ঙাই ফদনা ৯শ • র কাংলুপ্কী ফম্ কন্বা পান্বদগী মচা শাবদসু দেশ পুম্বদা চাং মান্নহন্বা তাই। মচাংদা চাং মান্নদ্রবদি অপান্বা মওংদা চাং মান্নন ফম্ কনবা য়াবোইদবনিনা দেশ পুম্বগী ওইনা সাধারন ওইনা মমিংদি পিদনা মথাং অহুমগী পঞ্চায়ত—খুঙ্গংগী থাক্কী, ময়াইগী থাক্কী অমদি জিলাগী থাক্কী হায়দুনা (ফিভম্ অমগী মখাদা ময়াইগী থাক থাওদনা) লৈহন্খিবান

সমাজদা লৈবিব মীওই খুদিংগী থাক মান্নদে, মান্নদবা কাংলুপ কয় লৈ। খনা হেন্না শানবা কাংবু, অদুগা খর থাক ব্রাংখৎপা কাংব হায়দুনা কাংলুপ কয়া লোকই। ইনাক খুনব, শাগৈ জাৎ যবা, হকনবা লুপনা অশ নবু ওৎ নৈবা, লাকচবিনা অা তৌদনবা সমাজদা অচম্বা লৈবা ৬ম্ননবা মীয়ামগী ওইবা লোইশঙশিংদ আইনগী মতেংনা ফম কন্বিবা হায়বসি খুৎলাইগী মশক অমান অদুনা থাক খাদংদা বিজ্রাবেসন তৌবা তাই, ফম কনবা তাই। মথাং খুদিংগা পঞ্চায়তা সিদ্যান্দ কাস্ট অমসুং সিদুল্দ ট্রাইবকীদমক্ মখোয়গী মী মশিংগা চাং ইন্না লেপকনি, অদুগা নুপীগাদমক্কা শরক অমম থোক্পগী অমা হায়না থম্লে। মতৌ অসুম্না পাংজদ্রবা, উপাঙ লৈতবা, ওর্থাপ নৌবিবনা অদুগা অপান্বা ক্ষংবা ঙম্দ্রিবা নুপী অমদি অতৈ কাংলুপ্কীদমক্ সংবিধানগী অইননা মতক চানা ফম্ কন্বিবগনি অদুগা লোয়ন লোয়ননা সমাজদা অচুম্বা তৌবা ঙম্দুনা চাং মান্নবা, খেন্নবা ব্রাৎপা সমাজ ওইহন্গনি।

(২) নুপীদা পাঙ্গল (শক্তি) হাপ্পা, পিবা–

মাওইবা কাংলুপ্কী তঙ্খাই অদুদি নুপীনা ওই, অদুবু পাঙ্গল্ চপ্ মান্নফম্ থোকপা, অক মান্নবা ফংফম্ থোক্পা আসদা নুপীশিংদা খুদোংচাবা ব্রাংনা ফংহন্দুনা লাক্ক অদুগা নুপা নুপী হায়না খায়দোক্লনা নুপীশিংতনা মীখা পোন্বা ফিভম্দা লৈংকই। বাজিও গান্ধীজীনা হায়খি সমাজ অমগী পাঙ্গলদা নুপীনা য়ামদ্রবদা শকক থাংই অমদি পোম্মি থনি। ঐখোয়না নুপী শক্তি বু জাতি শাগৎপদা মপাং ফাবা তৌদা, অদু না হন্দ্রবা এ. খার ইশানা পাঙ্গলগী তঙ্খাই অমা ফংহন্দ্রবা। ... নমব, ঐখোয়না ঐ খার ইশাগী পাঙ্গলগী তঙ্খাই অমা য় হন্জেদ্রে, মসমদি নুপীগী (শক্তি) পাঙ্গল্ তাম্নবসি লেশা অমগী চ থেংপগী খোংচৎ তা চাং য়েংনবগী মচাক্নি।' মহাক্না হায় নুপীশিং অসি মাংলমচৎতগী হৌনা ইমুং মনুংদা চেক্লাশনবা অদুগা হৈশিংবা, শিংদোক্-শিঞ্জিন্ হৈবা মচাক্ অমনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমা নত্রগা ইচে ইচল্‌শিংবু পঞ্চায়তা য়াওহন্দ্রবদি অদুগা মশিং য়াম্দনা য়াওহল্লবদি ঐখোয় ইশানা মহৌশাগী ওইবা চেক্‌শিন্‌বা অদুগা হৈশিংবা অদু ফংহন্দ্রবনি। মবম অদুনা জাতি শাগৎপদা শকক্ অহুম্ থোকপগী অমদি য়াওহন্নবা (বিজার্বেসন্ তৌবনি) ফম্ কন্‌বনি।

অমুক্‌সু বাজিভনা হায়–'নুপীশিং অসিনা ইমা নত্রগা ইবেমবোক্ ওইনা ঐখোয়গী গুণ্ , মাংলমচৎতগী চৎনবক্‌পা অদুগা নুংগী পুক্লিংগী পাওতাক্নচিংবা য়াওবিবা, চাবোল্ শুবোল্‌দা পিথনবক্লিবা অসি ঙাক্লিবনি।' নুপী মশিং য়াম্না য়াওবনা ঐখোযগী ইনাৎকী ব্রাবি-ব্রাতাই, তমলক্লিবা মহে, থাইনগী ওইবা লৈপাক্ শাগৎপদা চংবা মচাক্ ময়াম্ অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা শেংদোক্‌পদা মখোয়দগী ব্রাংনা থংবা নুপাশিংগী মতেং ওইগনি। 'পুক্‌চেল্ শেংবা সবকাব অমগীদমক্ মদুদা য়াওবিবা নুপীশিংগী হেন্না চাওবা থৌদাং অদু তঙাইফদনা চংই।' ফম্ কন্‌বনা শেল্ থুম্‌গী লম্বীদা , সমাজদা, জাতি অসিদা নুপীশিংনা তৌগদবা শকক্ অদু থংহন্‌বা য়াগনি। শক্ থংবিগনি; অদুগা সমাজদা অচুম্বা তৌবদা তেংবাংগনি। নুপী মচাশিংগী মহে তম্বদা অপন্‌বা পিবিবসি অয়াম্বা মতম্‌দা মমানা ওই, নুপীশিংবু পঞ্চায়ততা য়াওহল্লবদি মমাশিংদা ভাব তাহন্‌বদা তেংবাংগনি। য়ুম্‌দা তোঈনা লৈবা নুপীশিংনাক্কুলগী ওঝাশিংনা, প্রাইমাবি হেল্‌থ সেন্তবগী ডাক্তবনচিংবনা মথৌ তৌবিবদুগী অফ-ফত্ত থংবা ওম্‌ই ; পঞ্চায়তকী নুপী মেম্ববশিংনা মসি শোইদনা য়েংশিন্‌বা ওম্‌গনি । মসিনা জাতিগী ইতিহাসতা সমাজগী ইহৌ অমা ওইগনি।

(৩) (প্লানিং) থবক্কী থৌশিল্দা অমসুং পাংথোক্পদা ফগৎহন্বা–

বাজ্জিভর্ন্তীগী পঞ্চায়তী রাজ মওগী য়ুম্ফম্ ওইবা বিষয়দি লৈখাগী গনতন্ত্রগী (দিমোক্রেসি এট দি গ্রাস রুটকী) খুংথাংদা চাওখৎপা হায়বসিনি। অফিসকী মেছিন্বগী খুংথাংদা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ শিন্নবক্পা শর্সা চহি ৪০ (নিফু)বোম হেল্লক্লে, অদুবু ফজনা পাংথোক্পা ঙম্লক্ত্রে। চাওখৎ-থৌবম্গী থবক্পু অফিসকী বুরোক্রেসিনা পাংথোক্পদা শেল্ অসুপ্নী মাঙক্ তি ই, অবেম্বদা মাংই অদুগা মহৈদি চন্দে মদুদি লুপা অমা খাচ তৌবা মওম্দা পৈশা মাঁইফুমঙাদি অবেম্বদা বুরোক্রেসদা চংখ্রে, মীযাম্গীদমক্তি পৈশা এবামঙাখত্তা লৈহোই, অদুনা লম্বী অমা থিবা তাই হায়বসি পন্ডিতকী রাইহৈনি প্রজাগী অপাম্বদি যেংদনা মথক্তগী শিংবি লাংবিবা অসিন অদিমক্তা খুদাংথিবা ওই, অদুগা শাসন অসি মীযাম্দগী তোঙাল্লকই, থাপ্তোক্লকই। মবম অদুন গনতন্ত্রবু থাজদুনা প্রশ্ন শাওহন্বা তাবনি, মদগী প্লানিং তৌবা গাযবদি পুজিল্ থৌবাং শেম্না চাওখৎ থাবোম্দগী তৌবক্ষনি। চাওখৎ থৌবম পাংথাক্পা অসি পঞ্চায়তকী খুংথাংদা পাংথোক্কদনা অদুগা অসুপ্পা ওইবা বুরোক্রেসিনা তৌবোইদবনি। যাম্না মক ওইনা অমনা খুঙ্গংগী, মথাইগী অমদি জিলাগী পঞ্চায়ত খুদংনা চাওখৎ থৌবম্গীদমক মাগী প্ল্যান শেমগৎপা ওইনা শেম শাজগদবনি। শাক্ত, দাযিত্ব, শেলথুম, অমসুং অহৈ মী শিন্দোক্ শাঞ্জিন্ তৌবা পুন্নমক অসি পঞ্চায়তকুম্ব লোইশঙগী ওইহন্নবা বাজ্যশিংনা আক্ন শেমগদবনি। প্লান্ অদু সংবিধানগী তরামাপোই শুবা সিদুলদা যাওবিবা বিষয় ২৯ কনামাপল অদুদা য়ুম্ফম ওইবগা শেলগুম্গী চাওখৎনবা নৈনবতা নত্তনা সমাজদা অচুম্বা তৌনবা ফংগা তাহনগদবনি প্রজা অমসুং মখোযগা মীহুৎনা বিষয়শিং তাকচগদবনি অদুগা কবম্না মদু ফংগদগে তাযবদু লেপচগদবনি। মাযাম্গী খোঞ্জেল্না থৌশিল তৌবদ ব্রাবেপ্ ওইগদবনি, অথাপ্পদগী বুরোক্রেট নত্রগা মন্ত্রীশিংনা কোনুংদগা শাহনবা যাদোকগদবনি। মসিগা মান্ননা নগব পালিকানসু সহবগীদমব্ প্লান্ তৌজগদবনি, প্লান্ অনিমব অদু দিষ্ট্রিক্ট প্লানিং কমিতিনা চুপশিনহনগদবনি। অসুম্না জিলা অমগী খুঙ্গং অমসুং সহরগ লমশিংগী প্লান্ নত্ত্রগা থৌশিল চুংশিন্নবসিনা খুঙ্গং অমসুং সহব শম্মনা চাওখৎপা যাননব তোৎনবদা তেংবাংগনি অদুগা পুন্না হিংনম্ খুদিংমক্তা চাওখৎমিন্নগনি।

(৪) পঞ্চায়ত হিংনবনা মীহল্ চাংনাইনা পাংথোক্পা ঙমহন্বা-

মমাংগী পঞ্চায়তকী মীখলশিংদা বাজ্যগী অফিসারশিংনা পাংথোক্লম্মী। মসিনা পাম্দবা শাফু কযা থোক্হল্লি অদুগা মীখল্ অসি কোম্না অমদি ফজনা পাংথোক্পা উদে। মীখল্ পাংথোক্পা যৈথোক্পা, পঞ্চায়তপু মতম্ কক্তনা থবক্ চৎথহন্দনা থম্না, পঞ্চায়ত মুথৎপনচিংবা অসি সবকাব পাইবিবা পার্টিগী অনিংবদা ওইদুনা লাক্খি। মসি

তৌদনবা বাজিভ গান্ধীনা মীখল্গী দায়িত্ব অসি সেণ্ট্রেল্ ইলেক্সন্ কমিসন্দা শিন্নবা পাম্লম্ই। সংবিধান্গী অশুন্বনা (অফাবনা) লোক্ সভা অমসুং বাজ্যগী এসেম্ব্লিগী মীখল্ চাং নাইনা চহি মঙা খুদিংগী তৌবগুম্ পঞ্চায়তশিংগী মীখল্সু শোইদনা চাং নাইনা তৌবা ঙম্লগনি। নৌনা মীখল্ তৌবা তাববসু থা তকক্কী মনুংদা শোইদনা পাংথোক্ল-গনি। শক্তি লল্লোন্বা লৈববোই, মাঁ খুদিংনা থাক্ খুদিংগী পঞ্চায়তকী অচুম্বা মীশক্ খনবা ঙম্লগনি। ফত্তবা, তমথিবা কাংবুনা হন্না হন্না মীখল্দা কাবা ঙম্লবোই, মবম্ চাদন' তোক্হন্খিবা মীওই, প্রজানা অমুক্ থাগৎলক্পা ঙম্গনি। হৌজিক্তি বাজ্য খুদিংনা পঞ্চাযতকী মীখল্ তৌননবা ষ্টেট ইলেক্সন্ কমিসন্ লিংখৎলগনি। মসিবু 'য়াম্না পুক্চেল্ শেংবা বাজনীতিগী থৌওং অমগী ট্রেনিং তৌফম্নি' য়াম্না মক ওইবা খোংথাংনি হায়না প্রধান্ মন্ত্রি শ্রী পিঃভিঃ নবসিমহ বাওনা থম্মী। মীখল্ চাংনাইনা, শোইদনা পাংথোক্পনা পঞ্চায়তকী লোইশঙশিং অসি মফম্ লেংলবোই অদুগা হিংবা ঙম্লগনি।

(৫) শেল্ থুম্গী ফিভম্ ফগৎহন্বা, নে-তানা থম্বা ঙম্হন্বা—

পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিংগী মতিক্ চাবা ফগু, পোৎথোক লম্ভোক্ ফংফম্ লৈবমদে। অফবা পঞ্চাযতী বাজ পাথাপ্ লৈবা তাববদি, শেল্ থুম্গী ফজবা থৌশিল্না শোক্তে ওইগনি। সংবিধান্ শেম্দোক্লবা তুংদা —

(ক) সেণ্ট্রেল্ ফাইনান্স কমিসন্না কেন্দ্র অমসুং বাজ্যশিংগী মবক্তা ফগু য়েম্ভোক্নব্রিঙেদা পঞ্চায়ত অমসুং নগব পালিকাশিংগী চংফম্ থোক্পা অদু হান্না য়েংগনি;

(খ) বাজ্য খুদিংনা ষ্টেট ফাইনান্স কমিসন্ অমমম্ লিংখৎকনি অদুগা মদুনা বাজ্য সবকাব অমসুং পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিং, নগব পালিকাশিংগী মবক্তা শেল্ য়েম্ভোক্পগী নিয়ম্ য়াৎকনি অদুগা নিয়ম্ অদু পুখৎকনি।

(গ) শেল্থুম্গী ফংফম্ অহুম্খক্ পঞ্চায়ত অমসুং নগব পালিকাশিংগী য়াৎকনি মদুদি —

* বাজ্য সবকাবদগী ফংগদবা গ্রান্ট;
* খাজনা অমসুং সেসনচিংবা লোইশঙশিংদা থাইবা (শকক্ থুংবিবা)
* পঞ্চায়ত অমসুং নগব পালিকাশিংনা মশা মশাগী ওইবা খাজনা অদুগা সেস লৌজবগা মখোয়গী শিজিন্ননবা থাক্চবা (এপ্রোপ্রিয়েসন্ তৌজবা) ঙম্গনি।

ওম্বমখৈ পোৎ-লন্ য়াম্না খোম্‌গৎপা অদুগা য়াবমখৈ য়াম্না খবচ তৌজবা ওম্বা ফিভম্‌দা লাক্কনি ।

(৬) পঞ্চায়তী বাজদা বুবোক্রেসি মবাই লক্‌থহন্‌বা —

বুবোক্রেসি হায়বসি অফিসকী মীওইনা তৌবা ওম্বা পাঙ্গল্ শুপ্‌চিন্দুনা পায়বা সবকাবগী মওংনি, মসিদা প্রজাগী থোক্সনা যেংদনা মথক্কী অওম্বতগী য়াকা য়েংদুনা থবক্ তৌই । মথক্ থংনা অফিসাবশিংবু পেন্নবা তৌবা, কটিন্তা ওইনা (টার্গেৎ ফংনবা) লেপ্পিবা অদু য়ৌনবতা তান্‌বা অসির্নচিংবা মওংদা থবক্ তৌই । মী অয়াম্বনা থাজনৈ, মদুদি - বুবোক্রেসিনা পঞ্চায়তী বাজবু শেম্‌গনি নত্তগা থুগাইগনি । থবক্তা থিন্‌বা অমসুং পাংথোক্‌পদা মহৈ নিংথিনা ফংদবা হায়বসি বুবোক্রেসির্ননি । বজিভজীনা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেৎশিংগা কয়াবক্ হন্না উনদুনা মখোযদগী খংখি মদুদি ফিবেপ্ লৈবা পঞ্চাযতী বাজনা, মখোযগী থবক্ পাংথোক্‌পদা পল্‌হন্‌বগী মহুৎতা তেংবাংগনি । বাজনীতি ব্রালাশিংনা পঞ্চাযতী বাজবু চেংনা নিংলবদি অফিসাবশিংদা থবক্ ওইনা উৎকদবনি, মদুম্ তৈববদি অপন্‌বা লৈবোই । অনৌবা আইন্ শেম্বা মতম্‌দা মদুনা মীয়াম্‌গী মীহুৎশিংদা ৩শেংনা (অথর্বিতি) মঙম্ পিগদবনি । বুবোক্রেটশিং অসি প্রজাগী মপু ওইহল্লোইদবনি, মখোয় অসি মীখল্ তৌদুনা শেম্বা লোইশঙশিংগী মনাই ওইহনগদবনি । অফিসাবশিংবু অব্রাইবা ওইহন্দনা মখোয়গী মখাদা লৈহন্‌গদবনি । সবকাবগী ওইনা তলব পিদুনা থবক্ তৌবা টেক্নিকলগী মহৈ হৈবা, জ্ঞান্ লৈবা মী মক নত্তবসু মফম মফম্‌দা মতম মতম্‌গী ওইনা ফংবা থবক্তগী পোথাববা অহৈ-অশিং কয়াগী তেংবাং লৌননবা হোৎনগদবনি ।

(৭) এমঃপিঃ অমসুং এমঃএলঃএঃশিংগী থৌদাং -মখোযবু কোনশিন্‌বগী কান্নবা

এমঃপিঃ অমসুং এমঃএলঃএঃ শিংগী মফম্‌সু পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংদা লৈ ; অদুনা মখোযদা ভোত্ পিবগী হক্ পিবি । পঞ্চাযত, নগব পালিকাশিং অসি গনতন্ত্রগী অহুম্‌শুবা মথাংনি, অসিগুম্বা মথাং অসিদা মখোয়না তোইনা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি । হৌজিক্তি লোইশঙশিং অসিদা (অথবিতি) মঙম্, দাযিত্ব অমদি (মচাক্-মথুম্) পোৎথোক্ লম্থোক্ পিববনিনা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা মখোয়সু যাওশিন্‌বা পাম্‌গনি । মখোয অসি সবকাবগী হেন্না ব্রাংবা থাক্কী মীহুৎনি, মখোয়দসু কোন্সটিটুয়েন্সিশিংগী দাযিত্ব লৈ অদুনা মখোয়বুসু থাদোক্‌পা য়াদে । অসিগুম্বা এম পি অমদি এম এল এ শিং অমসুং মফম্ মফম্‌গী ওইবিবা লোইশঙশিংগী মীহুৎশিংগা ফজনা

চুংশিন্নবা মবি থম্দুনা মীহুৎ ঙাক্তা ওইনা নকশিন্ননা থবক্ তৌমিন্নববদি পঞ্চায়তী রাজ চাওখৎকনি ।

(৮) কাঙ্জাগী আইন শেমগদবা শকওং–

সংবিধাননা শাক্ক্য সরকার অমসুং লেজিসলেচরদগী শক্তি পুম্নমক্ লৌথোক্তে, তৌবা হায়বা অথাক্পা ত পাম তৌঙনবা থাদোকই। রাজ্য সরকারনা 'পঞ্জাদা শক্তি পিবা' ২ থবা ৫ ফম্মাস মাংদা থম গা আইন শেমগা মতমদা শেমগদবনি -

১) শেক্ক মনাং কাইনা মতম চানা ফংহনবা। মাসি সংবিধানগী মতাকনি।

২) থবক পাংথোক্কব, শিন্ননবা, টেক্নিকেলগা মীওই, মশিং চানা।

(৩) পঞ্চায়তকী অনিংবা, অপাম্বা ঙমনপপু ইকাই খুম্নবা- শক্তি চাইথোকপগা চাংযেং ওইনা);

(৪) পঞ্চায়তকা থবক্তা ... [illegible] ... নিতি ওইনা থম্বা,

মসি অসুম্বা মথক্কী বাফমশিংদা হন্ফম ওইনবা সংবিধান (১০ শুবা শেমদোকপা) এক্ট ১৯৯১ গী শক্তম সাখিবনি

(গ) সংবিধান (৭৩ শুবা শেম্দোকপা) এক্ট ১৯৯২ গী শকওং–(২০ এপ্রিল, ১৯৯৩)

এক্ট অসিগী পান্দম এক্ট অসি শেম্নকপনা হৈজিক্ হৌজিক ওইরিবা অশোনবা, অরাংপা কয়া কোকহনবা ঙমগনি - হেননা শক্তি চাইথোক্লগা পঞ্চায়তী রাজগী সংস্থাশিংগী থাক্ অমসুং মগুণ্ ব্রাংখৎহনগনি, দাগিদ্র লৌবা ঙম্বা অমসুং হিংজবা ঙম্বা অদুগা থবক খুদিংদা মশাগী ফিবেপ লৌবা ঙম্বা খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত ওইহনবা ঙমগনি। কবপসন্ (অবাল্-অহুই) অদুগা মযাই চেন্বা কাংবু লৈহন্দবা অদুগা পাথাপ অসিদা অশোনবা কাংলুপপু মতিক চানা যাওহন্দুনা সমাজদা অচুম্বা তৌবা ঙমগান হায়বশিং অসনা মকওইবা পান্দম্নি।

এক্ট অসিগী সেক্সন শিং [illegible]বা

এক্ট অসিগী শকক্‌ ওইনা 'পার্ট ম'পল্‌' পঞ্চায়ত হায়বা শকক্‌ অমা যাওহল্লে ।

(দেফিনিসন) শেংনা তাক্লিবা (২৪৩)

শকক্‌ আসদা, [illegible] ব্রাফম্‌ অাস নত্তবদা, তঙাই ফদবা লৈবর্বদি, -

(১) 'দিষ্ট্রিক্ট' [illegible] স্টেট অমগী মনুংদা লৈবা 'জিলা';

(২) 'গ্রাম সভা' [illegible] পঞ্চায়ত অমগী মনুংদা লৈবা [illegible] লৈবা [illegible] শাব বোদ [illegible]

[illegible] (মধ্য [illegible]) হায়বা [illegible]

[illegible] শকক্‌ [illegible]

[illegible] পার্টিকল ২৪৩ [illegible] সদকাবগা (ডিলিমিতেসন) [illegible]

(২) [illegible] পঞ্চায়ত অমনা [illegible]

(৩) [illegible] হায়বাদি [illegible]

(৭) [illegible] আসিগী [illegible]

[illegible]

[illegible] থবক পাংহে কাঁ

লৈবা [illegible] ফদবা [illegible] শকক্‌ আস [illegible] থবদাদ [illegible]

[illegible] মসি অনৌবা [illegible] । সংবিধাননা পিবিবসি যাম্না চুমই অমদি কৈ ।

পঞ্চায়তশিং লিংখৎপা (২৪৩ বি)–

(১) ষ্টেট/বাজ্য খুদিংদা খুঙ্গংগী, মবক্কী (ময়াইগী) অদুগা জিলাগী থাক্কী পঞ্চায়তশিং মসিগী শরুক্ অসিগী প্রোভিজন (পিবিবশিং)গী মতুংইন্না লৈগনি।

(২) ক্লোজ (১)দা হায়বিবসি লৈদুনসু, মী লাক্ষ ২০হেন্দনা লৈবা বাজ্য অমদদি ময়াইগী/মবক্কী থাক্কী পঞ্চায়ত শেম্লোই।

নৈনবা–আইন্ অসিগী মতুংইন্না, মথাং অনি লৈজবগা থবক্তি ফজনা চখবম্বা বাজ্যশিংদা নম্দুনা অহুম্ লৈহল্লে অদুগা মথাং অহুম্ শেম্নিংবা বাজ্যদসু অথিংবা পিবে। ফিভম্ অসিদা লাক্লবসু থবক্ তৌবা ঙম্বা পঞ্চাযতপু ওইববদি, মথাংগী মশিংগী বাফমদি থোইদোক্তে।

পঞ্চাযতশিংবু শাবা (২৪৩ সি)

(১) শরুক্ অসিদা পিবিবা (প্রোভিজন্) গী মতুংইন্না ষ্টেটর্কী লেজিসলেচবনা আইন্গী ম তুংইন্না পঞ্চায়ত শাবগী মতাংদা নিযম্ শেমগনি।

তৌবদি–থাক্ অমগী পঞ্চায়তকী লম্দা লৈবিবা মী মশিংগা অসিগুম্বা পঞ্চাযত মীখল্না থম্লক্দবা ফম্ মশিংগা লৈনবিবা মবি অসি যাবমখৈ বাজ্য শিন্বদা চাং মান্ন গদবনি।

(২) পঞ্চাযত অমগী ফম্ পুন্নমক্ পঞ্চাযত অদুনা কোন্বা লম্ মনুংদগী হক্থেংনবা মীখল্দা কাবক্পা মীশিংনা মেন্গদবনি, অদুগা মসিগীদমক্ পঞ্চাযতকী লম্ম ঙমখৈ লৈবা মওংদা কোন্সটিটুয়েন্সি খাইদোক্কনি মর্দুদি কোন্সটিটুযেন্সি খুদিংগী মী মশিংগা মদুদা থুংলিবা ফম্ মশিংগর্গা মবি অসি পঞ্চাযত অদুগী লম্ মনুংদা হেক্ যাবমখৈ মান্নহন্গদবনি।

(৩) বাজ্যগী লেজিসলেচবনা ফজনা মীহুৎ লৈহন্নবা নিযম্ শেম্গনি

(ক) খুঙ্গংগী থাক্কী পঞ্চায়তকী চেয়াবপার্সন্শিং মবক্কী থাক্কী পঞ্চাযতশিংদা অদুগা মবক্কী থাক্তা পঞ্চাযত লৈতবা বাজ্য ওইবগনা, জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযততা যাওহন্নবা,

(খ) মবক্কী থাক্কী পঞ্চায়তকী চেয়াবপার্সন্শিং জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযততা যাওহন্নবা;

(গ) হাউস ওফদি পিপল্‌স কী মেম্ববশিং (এমঃপিঃশিং) বাজ্যগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্ববশিং (এম্‌ঃএলঃএঃ) শিংগী মখোযগী কোন্সটিটুযেন্সিশিংনা মপুং ওইনা নত্ত্রগা মচেৎ ওইনা খুঙ্গংগী থাক্কী পঞ্চাযত নত্তবা অদুগুম্বা পঞ্চাযত তা চন্‌বদা যাওহন্নবা ;

(ঘ) কাউন্সিল্‌ ওফ ষ্টেটকী মেম্ববশিং অদুগা (এমঃএলঃসি) বাজ্যগী লেজিসলেটিভ কাউন্সিল্‌গী মেম্ববশিং মখোযদুনা ভোত্‌ পিগদবা মীওই ওইনা ,

* মবক্কী থাক্কী পঞ্চায়তকী লম্‌দা ভোতব ওইববদি মখোযদু মযাইগী থাক্কী পঞ্চাযততা যাওননবা ;

* জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযতকী লম্‌দা ভোতব ওইবর্বদি জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযততা য়াওননবা ;

(৪) পঞ্চাযত অমগী চেযোবপার্সন্‌ অদুগা পঞ্চায়ত অমগী মেম্বব পঞ্চাযতকী লম্‌গী মনুংদগী হক্‌থেংননা ওইববসু অদুগা নত্ত্রবসু মীখল্‌দা খল্লক্‌পা পুম্নমক্‌ পঞ্চায়ত শিংগী মিটিংদা ভোত পিবা যাবগী হক লৈগনি ।

(৫) চেযোবপার্সন্‌

(ক) খুঙ্গংগী থাক্কী পঞ্চাযত কীদু ষ্টেটকী লেজিসলেচবনা পিবা আইন্‌গী মতুংইন্না অদুগুম্বা মওংদা খনগনি অদুগা

(খ) মযাইগী থাক্কী পঞ্চাযত কীদু নত্ত্রগা জিলাগী থাক্কী পঞ্চায়ত কীদু মীখল্‌দা কাবক্‌পা মেম্ববশিংনা মখোযগী মবক্তগী খন্‌গনি ;

নৈনবা - থাক্‌ খুদিংগী পঞ্চাযত কী মেম্ববশিং অসি হক্‌থেংনবা মীখলনা খন্‌গদৌব, অদুগা মযাইগী অমসুং জিলাগী পঞ্চাযত তা এমঃএলঃএঃ, এমঃএলঃসিঃ অদুগা এমঃপিঃ ফাওবা যাওগনি অদুগা হেক মখাগী থাক্কী পঞ্চাযত কী চেযাবপার্সন্‌শিং হেক্‌ মথংগী থাক্কী পঞ্চাযত শিংদা মশিং খবা মেম্বব ওইগদৌবি । অদুনা পঞ্চায়ত শিং অসি মপুংফানা (ওর্গেনিক্‌ লিঙ্কিং) কাযাৎ শম্নবদি ওইদে, খবমখৈদি শম্লে । অওইবমক্তি মপুং ফানা কাযাৎ শম্নবা হাযবসি পঞ্চাযতী বাজগী নিয়ম্‌নি ।

ময়াইগী থাক্কী অমদি জিলাগী থাক্কী পঞ্চাযত তদি মেম্বব অসি কাংলুপ্‌ মখল্‌ অহুম্‌ থোক্কনি । মখোযগী দাযিত্ব মান্নবা ঙম্‌লোই, অপাম্বা মান্নবোই অদুনা থবক্‌ তৌবদা

চয়েৎনবা অপনবা থোক্পা য়াই। অদুগা চেয়ারপার্সন্ শিংনা ওইবা মেম্বরগী মশিংদু চাং অসি রাজ্য অযাম্বদা চাং থিনা থেন্নগনি।

নিজার্বেসন ওফ সিটস ফম বন্বা (২৪৩ডি)

(১) পঞ্চায়ত খুদিংদা সিদ্যুল্দ কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ট্রাইববীদবক ফম থবা পঞ্চায়তকী লমদা লৈবিবা মখোযগী মশিংগা পঞ্চায়তকী লমদা লৈবব অপুনব মী মশিং [illegible] অদুগ [illegible] কথেংননা [illegible] অসিগুম্বা ফমশিং অসি পঞ্চায়তকী [illegible] তোংনবা বোক্টিং [illegible] দা লৈ [illegible]

( ) ক্লোজ (১) [illegible]

(৩) পঞ্চায় [illegible] অমাদ সিদ [illegible]

(৪) [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] খুদিংগী পঞ্চায়ত [illegible]

(৫) ক্লোজ (১) অমসুং (২) গী মখাদা ফম বন্বা অদুগা ক্লোজ (৪)

গী মখাদা নুপীগী [illegible] ববদা চেযাবপার্সন্‌গী ফম্‌ কাল্লগ্‌ন আর্টিকল ৩৩৮ [illegible]
অদ [illegible] ছোক্‌থ্রবদি (ফল। মহৈ লৈবগৌই।

[illegible] ইমদা অদুগা থাক [illegible] পঞ্চায়ৎকী চেয়[illegible] আফসাতা শোত্থবনা সিটিজন্‌গী [illegible]

[illegible] ক্যায়বাস [illegible] পার্সন [illegible] আসিদি থবা হেল্লজিনবগুম থোকত অ[illegible]বা পাম্লবা [illegible] শকফম্‌ [illegible], মাদি [illegible]

[illegible] পঞ্চায়ৎ [illegible] অসি [illegible]

[illegible]

(২) [illegible] আইন [illegible] শেমদোকপনস আসম্বু [illegible] শেমদোকপ [illegible] থাক থাদগী পঞ্চায়ৎ পু মখোয়গী [illegible] লোইদ্রবা [illegible]

(৩) পঞ্চায়ৎ [illegible] তাংখাই [illegible], মতম লোইদ্রৈদা, [illegible]গা মুথৎথবা নুমৎকী মতুংদা মতম [illegible] লোইদ্রৈদা নত্তগা মুথৎথবা নুমৎকী মতুংদা থা ৬ থৌদ্রিদ্রৈদা তৌগদবান,

তৌবদি মুথৎখিবা পঞ্চায়ৎ অমগী মতম্‌ অদু থা ৬ তগী তানা [illegible]লিবা ওইবগদি পঞ্চায়ৎ শেম্মবা মীখলগী তঙাই যদবা লৈতে

(৪) পঞ্চায়ত অমা মাগী মতম্ লোইহিন্নিঙৈদা মুথৎলগা অনৌবা পঞ্চায়ত অমা শেম্লবদি, মুথৎখিবা পঞ্চায়ত অদুনা চম্থবম্‌গদবা মতম্‌গী মনুংদা লেম্‌হৌবিবা মতম্ অদুগীদমক্তা ওইনা লৈগনি।

নৈনবা—চহি মঙাগী টার্ম লৈবা অসি অফবনি, মথক্কী অর্সদা কবি থোইদোক্‌পা ফজদবা যাওদে।

মেম্বর ওইবদা মতিক্ চাদবা (২৪৩ এফ)

(১) মী অমা মবি লৈনবা বাজ্যগী লেজিসলেচবগী মীহুলগীদমক্তা চৎনবিবা আইন্ অদুনা মতিক্ চাদে হায়বা তাবগদি পঞ্চায়ত কী মেম্বর ওইনবা খন্‌নদা মতিক্ চাদে।

তৌবদি, চহি ২১ কুনমাথোইবু শুববদি, চহি ২৫ কুনমংবা শুদে হায়দুনসু মতিক্ চাদবা তৌবোই।

বাজ্যগী লেজিসলেচবনা শেম্বা আইন্ অতৈ অমনা মতিক্ চাদে হায়ববসু, মহাক্ মতিক্ চাদবা ওইগনি।

(২) মথক্কী ক্লোজ না মতিক্ চাদে হায়বা যাববলা হায়বগী মতাংদা বাজ্যগী আইন্‌না পিবা (লেজিসলেচবনা পিবা) অঙম্বগী ব্রাবেপ্‌না লেপ্‌কনি।

পঞ্চায়ত কী (পাৱাব) পাঙ্গল্, অথবিতি (মঙম্) অমসুং বেস্পোন্সিবিলিটিজ (দাযিত্বশিং) (২৪৩ জি)

সংবিধান্‌গী (প্রোভিজন্) পিবিবা অদুগী মতুংইন্না বাজ্য অমগী লেজিসলেচবগী আইন্‌না পঞ্চায়ত শিংদা মশানা ঙাক্‌চবা সবকাবগী লোইশঙ ওইনা থবক তৌজব ঙম্মনবা, অসিগুম্বা চংফম্ থোক্‌পা পাঙ্গল্ অমসুং মঙম্ অদু পিগদবনি অদুগা (ক) ইকোনোমিক (ডিভেলপ্‌মেন্ট) শেল্ থুম্‌গী চাওখৎকদবা অদুগা সমাজদা অচুম্বা তৌগদবা অদুগা, (খ) শেল্‌থুম্ চাওখৎকদবা, সমাজদা অচুম্বা তৌগদবা থবক তবামাথোইশুবা সিদ্যুল্‌দ দা য়াওবিবা শিংগা মবি লৈননা

পঞ্চায়ত কী চানবা থাক্তা শিন্নবা য়াবা শক্তি অমসুং দাযিত্ত্বশিং অদু আইন্‌দা য়াওহন্‌গদবনি।

নৈনবা—পঞ্চায়ত শিংনা শেল্ থুম্‌গী চাওখৎনবা সমাজদা অচুম্বা তৌননবা অদুগা সমাজগী অফ নুংঙাই পুবক্লবা থৌবাং শেম্লগনি। মথৌ তৌবগী দাযিত্ব অদুদি বাজ্যগী লেজিসলেচবনা শেম্বা আইন্‌গী মখা পোন্‌বা তাবনিনা বাজ্যনা ফজবা থৌশিল্ তাননবা আইন্ শেম্বা তাই।

পঞ্চায়ত শিংগী ফণ্ড, খাজনা লৌবা ঙম্নগী পাঙ্গল্ (২৪৩ এইচ) ।

বাজ্যগী লেজিসলেজবনা আইন্ শেম্‌লগা (১) পঞ্চায়ত অমদা খাজনা. াদউটি, টোল্ অমসুং ফিজ নিযম্ শেম্‌দুনা নত্তগা চাং কক্তুনা খোমগৎনবা মঙম্ পিবা য়াই ;

(২) পঞ্চায়ত অমদা অসিগুম্বা (টেক্স) খাজনা, দিউটি, টোল্ (মাশুল্) অমসুং ফিজ বাজ্য সবকাননা লৌবা অদুগা খোম্‌গৎপা অদু নবম্ খবগীদমক. ফিভম্ খবগী মখাদা চাং কক্না পিবা য়াই ;

(৩) বাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী পঞ্চায়ত শিংদা গ্রান্ট-ইন এইদ্ (গ্রান্ট ওইনা তেংবাং) পিবা য়াই ,

(৪) পঞ্চায়ত শিংব্ আইন্না তাক্তুনা শেল্ থম্‌জিল্‌হন্‌বা অদুগা লৌথোক্‌চবা ঙম্‌হন্‌বা যাই ,

শেল্ থুমগী ফিভম্ হন্না য়েংননবা ফাইনান্স কমিসন্ শেম্না (২৪৩ আই)-

(১) সংবিধান্ শেম্‌দোক্‌পা এক্ট অসিনা চৎনবা হৌখ্রবা মতুং চহি অমগী মনুংদা অদুগী মতুংদনা মঙাশুবা চহি হেক্ হেক্ লোইবগা ফাইনান্স কমিসন্ অমা পঞ্চায়ত শিংগী শেল্ থুম্‌গী ফিভম্ যেংশিন্নবা অদুগা বাজ্যগী গোভর্ণবদা মখাগীশিং অসিগী মবিদা ব্রা পুখৎনবা শেম্‌গনি ।

(ক) মখাগী অসি ঙাক্লবা নিয়ম্‌শিং—

(১) বাজ্যনা লৌবা যাবা খাজনা, দিউটি, টোল্ অমসুং ফিজ নচিংবা অদু বাজ্য অমসুং পঞ্চায়ত শিংদা যেন্‌থোক্ পিনবা অদুগা কাবিবা শেল্‌শিং অদুগী শকক্ থাক্ খুদিংগী পঞ্চায়ত শিংগী ওইনা অমুক্ থুংবিনবা ;

(২) পঞ্চায়ত শিংনা লৌজবা য়াবা টেক্স, দিউটি, টোল্ ফিজ নচিংবা অদু লেপ্পবা অদুগা ফংজবা যাননবা শিন্‌বিবা,

(৩) বাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী পঞ্চায়ত শিংদা গ্রান্ট-ইন-এইদ পিননবা ;

(খ) পঞ্চায়ত শিংগী শেল্‌গী ফিভম্ ফগৎনবা থৌবাং তৌবিবা ;

(১) গোভর্ণবনা ফাইনান্স কমিসন্‌দা পঞ্চায়ত কী শেল্ থুম্‌গী ফিভম্

চেৎশিন্নবা, ফগৎনবা শিন্নরক্পা য়াফম্শিং ;

(২) বাজ্যগী লেজিসলেচবনা কমিসন্ অসি শেম্নবা, মেম্বরশিং হাপ্পগী গুণ্ লেপ্পবা, মখোযবু খন্বগী মওংনচিংবা আইন্ শেমদুনা পিগান।

(৩) কমিসন্না মসিগী থবক্ মওং লেপ্কনি অদুন। বাজ্যগী লেজিসলেচবনা পিবা আইন্গী মখাদা মখোযগী থবক্ পাংথোক্পদ মপাঙ্গল্ লৈগনি।

(৪) ফাইনান্স কমিসন্না থাঙ্গৎলক্পা য়াফম্ পুম্নমক্ শান্দাক্না তাক্পা য়াগা, মতুং তাবা থবক্ লৌথখিবদুগা লোয়নন বাজ্যগী লেজিসলেচবদা গোভর্ণরনা পুথোক্কনি।

নৈনবা পঞ্চায়ত কী ফণ্ডগীদমক ফাইনান্স কমিসন্ শেম্বা অমা য়াম্না ফজনা খোংথাং অমনি মসিনা শেল্ থুম্নগী মথং মনা ও নাইবা নিয়ম্ তম্না থম্না ঙমগান। নহাক্না খ্বাইদগী ফংলমদবা শেল্গী লম্বীদি শেমলে। অদুবু মশাগী শেল্থোক্ পৃথৎথোক য়াম্না কৈজদব বাজ্যদদি ফাইনান্স কমিসন্না কদাই ফাওবা য়াত্তনবা হোৎনগদগে ; অয়াৎপা খৈ কেন্দ্র সরকারদগী ফংবা ঙমগদ্রা হায়বা য়াতংদি অদুম্ লৈ। ফংগদবা শরুক্ মদু অকক্নবা মদা লেপ্পা ঙম্নবাদি ফগনি।

পঞ্চায়ত কী হিসাবকী ওদিৎ তৌবা (২৪৩জে)

বাজ্যগী লেজিসলেচবনা পঞ্চায়ত কী হিসাব থম্নবা অদুগা মদুগী ওদিৎ তৌননবা আইন্ শেম্গনি।

নৈনবা—ফণ্ড নিংথিনা ফংবা অমদি শিজন্নবগা লোয়ন লোযননা হিসাব মওং চুম্হন্বা হায়বসিসু মসিগা শাগোন্নবা থবাক্র।

পঞ্চায়ত শিংগী মীখল্ (২৪৩ কে)

(১) পঞ্চায়ত শিংগী মীখল্ তৌননবগীদমক ইলেক্টোরেল্ রোল্ শেম্বদা য়েংশিন্বা, লম্ তাক্পা, শেম্নবা পুম্নমক্ অসি গোভর্ণরনা হাপ্পা ষ্টেট ইলেক্সন কমিসনাৎ অমা লৈবা ষ্টেট ইলেক্সন্ কমিসন্ অমদা শিন্নগনি।

(২) ষ্টেটকী লেজিসলেচবনা শেম্বা আইন্গী মতুংইন্না বাজ্যগী গোভর্ণরনা ষ্টেট ইলেক্সন্ কমিসনাবগী থবক্কী ফিভম্, থবক্ পুবগী মতম্নচিংবা পুম্নমক্ নিয়ম্গী মতুংইন্না লেপ্কনি।

তৌবদি স্টেট ইলেক্সন্ কমিসনাবন হায় কোর্টকী (জজ্) বিচারপতি [illegible] লৌথোক্‌পগী মবম্ অদুগা মওংদা মান্নবা [illegible] লৌথোক্‌লোইদবান [illegible] মাগী খুদোং চাদবা যেংদুনা মাগী থবক্কী [illegible] হেন্দোক্‌লোইদবনি।

(৩) স্টেট ইলেক্সন কমিসনা ক্লোজ (১) দা [illegible] অদু [illegible] কমিসন্ অদগী চ [illegible] স্টাফ, [illegible] মথৌ [illegible] শোভর্ণবনা ফংহনগদবনি।

(৪) [illegible] লেজিসলেচরনা আইননা পঞ্চায়তকী [illegible] পুন্নমক্তা [illegible] শেম্‌গদবনি।

[illegible] চাং নাইনা মীখল্ চত্থবা হায়রবসি পঞ্চায়ত [illegible] মক ওইনা পাইরেনি। সংবিধান্‌না তাকুনা মীখল্ শোইদনবা বাজাগী ইলেক্সন্ কমিসন্ শেম্লগা ৩৬ই ফদনা পাংথোক্‌ফম্ থোক্‌পা মীখল্ পাংথোক্‌পা ঙম্‌হন্‌বা হায়বসি চপ্‌চাবা তৌফম্ থোক্‌পনি। অদুবু মীখল্ চাং নাইনা পাংথোক্‌পনা পঞ্চায়ত হিংহন্‌বা যাদে। মতিক্ চাবা শক্তি, ফগু পিদুনা মপাঙ্গল্ কনখৎহন্‌বসু তাই।

ইউনিয়ন্ টেবিটৌরিশিংদা চৎনবা(২৪৩ এল)

মসিগী সংবিধান্‌গী শরুক্ অসি ইউনিয়ন টেবিটোরিশিংদসু চৎনগনি, স্টেট গোভর্ণব হায়না পন্‌বা খুদিং আর্টিকল্ ২৩৯ গী মখাদা হাপ্না ইউনিযন্ টেবিটোবিগী এদমিনিস্ট্রেটব হায়না পন্‌গনি অদুগা স্টেট লেজিসলেচব নত্রগা লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি হায়না পন্‌বা পুন্নমক্ ইউনিয়ন্ টেরিটোবিগী লেজিসলেটিভ এসেম্‌ব্লি (অবৈবা মফম্‌দা) হায়না পন্‌গনি।

তৌবদি -প্রেসিদেন্টনা মীয়াম্‌দা নোটিশ তৌদুনা মসিগী শরুক্ অসিগী প্রেভিজন্‌শিং অসি ইউনিয়ন্ টেবিটোবি নত্রগা মদুগী শরুক্তা (য়াওবোইদবা শরুক্ অমদি শেম্‌দোক্ শেমজিন্ য়াওনা পল্লগসু) চৎনগনি হায়না লাওথোকনি।

শরুক্ অসি চৎনরোইদবা মফম্‌শিং খবা(২৪৩ এম)

(১) শরুক্ অসি করিগুম্বা খবতা ওইববসু আর্টিকল্ ২৪৪গী ক্লোজ (ক) দা য়াওবা সিদ্যুল্‌দ এরিয়াশিংদা অদুগা ক্লোজ (খ) দা য়াওবা ত্রাইবেল্‌গী এরিয়াশিংদা চৎনরোই।

(২) চৎনবোইদবা মফম্শিংদি –

(ক) নাগালেণ্ড, মেঘালয়া, মিজোবাম্গী বাজ্যশিং ; (খ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল্ লৈবিবা মণিপুরগী চীংগী লম্ ;

(৩) শকক্ অসি –

(ক) গোর্খা হিল্ কাউন্সিল্ চৎনবা নোংচুপ্ বেঙ্গোল্গী দার্জিলিং জিলাদা জিলাগী থাক্কী পঞ্চায়ত কী শকক্ চৎনবোই ;

(খ) হিল্ কাউন্সিল্ অসিগী শক্তি অমসুং থবক্তা শকক্ অসি পান্শিন্বা তৌবোই।

(৪) সংবিধান্না হায়জববসু –

(ক) শকক্ অসি চৎনদবা বাজ্যাশিংদ' ক্লোজ ২ (ক) দা পনখিবা ক্লোজ (১) দা পন্খিবদু কবিগুম্বদা য়াওদ্রবদি বাজ্যশিংদুগী লেজিসলেটিভ্ এসেম্বলিগী মশিং অয়াম্বা অদুগা অবাক্পা মেম্বরগী শকক্ অহুম্ থোক্পগী অনিদগী তাদবা ভোতনা অযাব পিববদি বাজ্যাশিং অদুদা চৎনহন্বা যাগনি।

(খ) পার্লিযামেন্টনা আইন্না শকক্ অসিদা যাওবিবশিং অসি ক্লোজ (১) দা পনখিবা সিদ্যুল্দ এবিযা অদুগা এাইবেল্ এবিযা শি দা য়াওহল্লোইদবা অমদি শেম্দোক্পা অদু আইনদুনা যাওহন্দুনা চৎনহন্বা যাই, অদুগা মসিগুম্বা আইন্ অসি আর্টিকল ৩৬৮ গীদমক্ সংবিধান্ শেম্দোক্পনি হায়না লৌবোই।

নৈনবা– চাং মান্নবা আইন্ অমা লৈপাক্কী মফম্ শিন্বা থুংনা চৎনহন্বা ঙমদবগী অকাইবসু লৈতবা নত্তে। তোঙান্ তোঙানবা শাসনগী মওংদা চাং তম খাইবনা জাতিগী অপুনবা শাগৎপদা খন্থহন্গনি। থোইদোক হেন্দোক্না মণিপুর গুম্বদ ওঙ্গাই তঙ্খাই হানহল্লিনা মফমদনা হেন্না শোকই। চীংদা অমদি তম্দা চৎনবম্বা পঞ্চায়ৎ কী মওং থোইনা থেন্নবা নত্ত, পুম্নমক সেল্ফ গোভর্ণমেন্ট হাযবদি মশানা ঙাক্চবা সবকার ঙাক্কনি। মতম অসিগী ফিভম্দা চুননবা আইন্ শেম্দনা পুর্নাশন্বা যাই।

চৎনশিবা আইন্শিং মখা চৎথনা লৈহনব অমসং পঞ্চায়ত (২৪৩ এন)

শকক্ অসিদা যাওবিবশিং অসি লৈদুনসু সংবিধান্ (৭৩শুবা শেম্দোক্পা) এক্ট ১৯৯২ অসি চৎনদ্রিঙৈগী হেক্ মমাংদা ষ্টেট অমদা লৈবম্বা পঞ্চায়ত শিংগী প্রোভিজন্গা (যাওবিবদুগা), আইন্গা শকক্ অসিগী প্রোভিজন্ গা (যাওবিবগা) চানদবা

মতম্‌দা মতিক্‌ চাবা লেজিসলেচরনা শেম্‌দোক্লবা নত্তগা লৌথোক্লিবা ফাওবদা নত্তগা এক্ট চৎনবা হৌবা মতুং চহি অমা লোইবা ফাওবদা (অঙনবা অমদা) আইন্‌শিং অদু চৎনগনি ।

তৌবদি - মসিনা চৎনবা হৌদ্রিঙৈ হেক্‌ মমাংদা লৈবন্না পঞ্চায়ত পুম্নমক্‌, হান্ননা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্‌ব্লিনা অদুগা লেজিসলেটিভ কাউন্সিল্‌ (অরৈবা মফম্‌গী) না ব্রারেপ্‌ লৌদুনা মুথৎখিবা নত্তবদি মখোযগী মতম্‌ লোইদ্রিবা ফাওবা মখা চখনা লৈগনি ।

মীখল্‌গী মবিদা ব্রায়েল্‌শংনা খুৎ থিংজিন্‌বা থিংবা (২৪৩ ও)

সংবিধান্‌দা যাওদুনসু–

(ক) আর্টিকল্‌ (২৪৩ কে) গী মখাদা কোন্সটিটুয়েন্সি খাইদোক্‌পা, কোন্সটিটুয়েন্সিশিংদা ফম্‌ যেন্থোক্‌পা নচিংবগী মবিদা চৎনবিবা আইন্‌গী মবিদা (কোর্ট) ব্রায়েন্‌শঙ অমতদা পুথোক্‌ লোইদবনি ;

(খ) পঞ্চায়ত অমগী মীখল্‌ অমতসু, ষ্টেটকী লেজিসলেচবনা শেন্না আইন্‌গী মখাদা থন্না (অথবিতি দা) অঙন্নদা, মওং অচুন্নদা মীখল্‌গী দবখাস্ত থাবা নত্তনা তৌহন্‌বা য়াবোই ;

আর্টিকল্‌ (২৮০) শেম্‌দোক্‌পা

সংবিধান্‌গী আর্টিকল্‌ ২৮০ গী ক্লোজ (৩) দা সব-ক্লোজ (বি) গী মতাংদা মখাগী সব-ক্লোজ অসি হাপ্‌চিল্লে মদুদি ;

'(বিঃবিঃ) বাজ্যগী ফাইনান্স কমিসন্‌না শৌগৎপা মতুংইন্না বাজ্য অদুদা লৈবিবা পঞ্চায়তশিংগী ফণ্ড মপুং ফাহন্নবা, বাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডু চেন্‌গৎনবা তঙাই ফদবা পাম্বে ।'

তবামথোইশুবা সিদ্যুল্‌দা হাপ্‌চিনবা

সংবিধান্‌গী তবাশুবা সিদ্যুলগী মতুংদা, মখাগী সিদুল অসি হাপ্‌চিনগনি মদুদি –' তবামাথোই শুবা সিদ্যুল্‌ (আর্টিকল্‌ ২৪৩ জি)'

(১) এগ্রিকলচব (লৌউ শিংউ), এগ্রিকল্‌চবেল এক্সটেন্সন্‌ যাওনা ।

(২) (লেণ্ড ইম্প্রুভমেন্ট) লম্‌ ফগৎহনবা, (লেণ্ড বিফোর্ম) লমগী

পাথাপ্ শেম্দোক্পা চৎনহন্বা. (লেণ্ড কোন্সোলিদেসন্ এণ্ড সোইল্ কোনজার্ভেসন্) লম্ পুনশিন্-তাশিন্বা অমসুং লৈহাও ঙাক্পা ।

(৩) (মাইনব ইরিগেসন্) ঈশিং পিবগী অপিক্পা থবক্, (ৱাটর মেনেজ মেন্ট) ঈশিংগী থবক্ শিন্দোক্পা অদুগা (ৱাটর সেদ ডিভেলপ্মেন্ট)ঈশিং ফংফম্না কোন্বা লম্ চাওখৎহন্বা ।

(৪) এনিমেল্ হজবেন্দ্রি, দেইরিফিং এণ্ড পোলট্রি শা শল্গী থবক্ , শঙ্গোম্গী অমদি উচেক্ যোক্পগী থবক্ ।

(৫) ফিসরিজ—ঙা ফাবা যোক্পমচিংবা ।

(৬) সোসিয়েল্ ফোরেষ্ট্রি এণ্ড ফার্ম ফোরেষ্ট্রি পাক্শন্না মীয়াম্গী ওইনা অদুগা ফার্ম্গী ওইনা উ থাবা ।

(৭) মাইনব ফোরেষ্ট প্রোদ্যুস– উমংগী অপিক্পা পোৎথোক ।

(৮) স্মোল্ স্কেল্ ইন্দষ্ট্রিজ-খুৎনা শুবা অপিক্পা খুৎশুগী থবক , ফুদ, প্রোসেশিং ইন্দষ্ট্রিজ-চিঞ্জাক্ শেম্দোক্ শাদোক্পগী থবক্ যাওনা ।

(৯) খাদি অমসুং ভিলেজ এণ্ড কোটেজ ইন্দষ্ট্রিজ খাদি অমসুং খুঙ্গংগী যুম্দা শুবা খুৎনাইবগী থবক্ ।

(১০) কবেল্ হাউজিং—খুঙ্গংদা যুম্শাবা ।

(১১) থক্নবা ঈশিং ।

(১২) শীং মৈ থানবা অমসুং শজিক্ ।

(১৩) শোবোক্, উকু, থোং, হিলান্ফম্, ঈশিংগী লম্বী অদুগা অতৈ চৎথোক্ চৎশিন্গী পাম্বৈ ।

(১৪) খুঙ্গংদা বিজলি পিবা, বিজলি যেন্থোক্পা যাওনা ।

(১৫) নন্-কোন্ভেন্সনেল্ ইনর্জি সোর্সেস—মহৌশাগী নৎতবা ইনর্জি ফংনবা মফম্ পুথোক্পা ।

(১৬) পোভর্টি এল্লিভিয়েসন্ প্রোগ্রাম্ —লাইরবগী চাং হন্থহন্নবা থৌরম্ ।

(১৭) (ইদুকেশন্) মহৈ তম্বা-প্রাইমারি অমদি সেকেণ্ডরি স্কুল্শিং যাওনা ।

(১৮) টেক্নিকেল্ ট্রেনিং অদুগা ভোকেসনেল্ ইদুকেশন্ -থোইদোক্পা জ্ঞান্ যাওবা ট্রেনিং অদুগা শিন্ফম্ ফংবা যাবা মহৈ তম্বা ।

(১৯) এদল্ট এণ্ড নন ফোর্মেল্ ইদুকেশন্ – অহল্ ওইবদা অদুগা চুম্ন গী মওংদা নত্তবদা তম্বিবা ।

(২০) লাইব্রেরিজ– লাইবিক্ পাফম্ ।

(২১) কল্চরেল্ এক্টিভিটিজ -নাৎকী ওইবা মবম্গী থবক্ ।

(২২) মার্কেৎ এণ্ড ফেযাব–কৈথেল্ অমসুং মেলা ।

(২৩) হেল্থ এণ্ড সোনটেসন্–হক্চাংগী অমদি লু-হেন্বগী হক্লোন্, হোসপিটাল্, প্রাইমাবি হেল্থ সেন্তব অমদি দিসপেন্সাবি যাওনা ।

(২৪) ফেমিলি বেলফেয়াব– যাইফ,অফ-নুংঙাই যুম্বাল্ ।

(২৫) নুপী অমসুং অঙাং চাওখৎহন্বা ।

(২৬) সোসিযেল্ বেল্ফেযাব–সমাজগী অফ-নুংঙাই।

(২৭) অশোন্বা, শোখহৌববা কাংবুগী অফ-নুংঙাই থোইদোক্ হেন্দোক্লা সিদ্যুল্দ কাস্ট অমসুং ত্রাইবকী যাওনা ।

(২৮) পব্লিক্ দিষ্ট্রিব্যুসন্ সিষ্টেম্ –মীযাম্গী চংদবা যাদবা পোৎ যেন্থোক্পগী পাথাপ।

(২৯) মেইন্টিনেন্স ওফ কমুনীতি এসেট– কাংলুপকী হাযবদি মীযাম্গী লন্ ঙাক্লা থম্বা।

(ঘ) শেম্দোক্রবা সংবিধান্ নৈনবা-(অহৈ অশিং কয়াগী রাখল্ য়াওনা) -

'পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙাশংবু মপাঙ্গল্ কন্খৎহন্বা হাযবসি ভাবত সবকাবগী ফোংনা লাওথোক্পা ৱাশক্ অমনি ' মতম অসুক কুইবদা বাশক ওইবিবা বাফম্ অসি পাংথোক্পা ঙম্দনা না ও শুম্ ইশৈতা ওইদনা লাক্খিবনি , অদুবু থৌনা ফববা, নহা ওইবা বাজিভ গান্ধীজীনা হোৎনবদগী মতৈ ওইনা সংবিধান শেম্দো ক্লনা এক্ট ওইনা থোক্লবে । সংবিধান শেম্দোকপা হাযবসি অবাইবা ওইদে, সংবিধান অসিমক্কী আর্টিকল্ ৩৬৮ শুবগী মতুংইন্না আর্টিকল্ অমা নত্রগা ক্লোজ অমা শেম্দোক্কে হাযববদি পার্লিযা মেন্টকী হাউস অনিমক্কী শরুক অহুম থোকপগী অনিনা হেন্বগী অযাবনা ঙম্গদবনি ; মতুংদা বাষ্ট্রপতিনা সহি তৌগদবনি । মসি পুম্নমক্কী মথক্তা কবিগুম্বা আর্টিকল্ খবা শেম্দোক্পগীদমক্তি বাজাগী বিধান সভা লৌবিবা পুম্নমক্কী মশিংগী তঙ্খাই অমদগী তাদবনা (বেটিফাই) তৌগদবনি । হাযবদি চেৎশিনহন্গদবনি ।

সংবিধানগী (৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পা) এক্ট ১৯৯২ অসি মথক্কী পুন্নমক্ অসি লোইবদুনা পুথোক্‌খ্রবনি। মসিদা মাপল্‌শুবা শকক্ ওইনা আর্টিকল্ ২৪৩, ২৪৩এ, ২৪৩ বি হায়বনচিংবা (২৪৩ ও) ফাওবা আর্টিকল্ মশিং ১৬ হাপ্‌চিন্‌খি। মসিগী মথক্তা মকওইবা, পঞ্চায়তনা পাংথোক্কদবা থবক্ মখল্ ২৯ য়াওবা সিদ্যুল্ অমা তবাশুবা সিদ্যাল্‌গী মতুংদা তবামাথোই শুবা সিদ্যাল্ হাযদুনা বিষয পবেং অমগা হাপ্‌চিল্লি।

শেম্‌দোক্লবা এক্ট অসিনা পঞ্চায়তী বাজ অসি মসিনা মফব্‌বনি হায়বগী ম ওংদা পুথোক্লে হায়বদি যাবোই। আইন্‌গী ওইনতা নত্তনা শাসন্‌গী অমদি অতৈ পাম্বৈনা ফগৎহন্‌গদবসু যাম্না লৌব। এক্ট অসিনা বাজ্যশিংগী শক্তি, পাঙ্গল্ লৌথোক্লা উববসু হিবম্ অযাম্বদা আইন্ শেম্বগী থবক্তি বাজ্যগী লেজিসলেচব অমদি বাজ্য সবকাবদা শিন্নবনিনা বাজ্যগী থৌদৌদা লৈ।

শেম্‌দোক্লবা সংবিধানগী শকক্ অসিগী মবম্‌দা অখং অহৈগী মোত্ খবা লৌখৎলি।

(১) এক্ট অসিগী পান্দম্‌গী মবিদা প্রধান্ মন্ত্রি শ্রী পিঃ ভিঃ নর্বাসিমহ বাওনা ইং ১৯৯৩ দা হায়খি 'সংবিধান্ শেম্‌দোক্‌পা এক্ট অসি শেম্বগী মকওইবা পান্দম্‌দি মীশিংনা মখোযগী চাওখৎপগী থবক্তা শকক্ যাবা হেন্‌গৎনবনি। প্রজাশিংনা থবক্তা যাওশিন্‌বা অসি ব্রাৎলে, মখোযনা মখোযগী পুন্সিগী মবি লৈনবা ব্রা লেপ্পবদা গাঙ্খা ফংবা ঙমদ্রে হায়বসি খংলে'

(২) ইং ১৯৯৩ দা শ্রী এল্‌ঃসিঃ জৈননা হায–'পঞ্চাযতী বাজদা রাজনীতি অমসুং সমাজগী ওইবা লম্‌দদি ৭৩ শুবা শেম্‌দোক্‌পাসিদা তশেংনা ফববা খোংহে অমদি ফংলে, শেল্ থুম্‌গী ওইবা লম্‌দদি কেন্দ্র অমসুং বাজ্য সবকাবনা আইন্‌গী ... পাম্বৈনা মেন্‌শিন্‌গদবা পুম্‌হাং হাংবা শবক্ অমা থাদোক্‌লম্লে। হাযদুনা কান্নদে, শেল্‌থুম্‌গা লম্‌দা অকন্‌বা থৌদাং যাওদনদি রাজনীতি অমসুং সমাজগী ঙাক্‌লৌ লৈববদসু পঞ্চাযত অসি অহাংবা উপুগুম্না অদুম্ লৈগনি'

(৩) ডাঃ অমি তাভা মুখর্জিনা ইং ১৯৯৩ দা হায--'৭৩শুবা শেম্‌দোকপা অসি শক্তি পিবদা থেংলবসু থেংনা অতোপ্পা খোংহৌ অমা ওইবা তাববদি অফ ফত্ত ভাব তাহন্নবগী সাধাবন্ ওইনা পল্লিক্‌পু অদুগা মোত লৌগদবা লুচিংবশিংবু থোইদোক্ হেন্দোক্লা আইন্ শেম্‌লিবা কাংবুবু ভাব তাহন্নবগী মবি লৈনবা থবক্তি হৌদ্রি।'

(৪) ইং ১৯৯৩ দা জোর্জ মেথিউনা হায—'সংবিধান্ শেম্দোক্পা কযাবক্নসু অর্থ লৈবা শক্তি পিথোক্পা নত্রগা মপাঙ্গল্ লৈবা পঞ্চায়ত পুবক্লোই। অকন্বা রাজনীতিগী ওইবা অনিংবতনা তশেংবা পঞ্চায়তী রাজ পুবক্কনি। মসিগীদমক্ ইহৌ অমা চংই।'

(৫) তাং ১৮।৫।১৯৯৩ গী ষ্টেট্সমেন্দা ব্রেষ্ট বেঙ্গোল্গী দেবীনাথ বাযনা হায—' মীখল্শিং অসিনা ঐখোযদা কবি ওইগনি। চুম্লগী প্রধান্ কাংলুপ্ অমনা অতোপ্পা প্রধান্ কাংলুপ্ অমবু মহুৎ শিন্বতনি অদুগা খুঙ্গংগী সমাজগী পুন্সিদা যাইতোং খম্দোংবা খবগী খুৎপাইদি হেন্না চেৎশিন্গনি।'

(৬) রাজনীতি শান্নবগী মতাংদা জোর্জ মেথিউগী রাখল্দা ঐখোযগী ইকাই খুম্নফম্ ওইবা এমঃপিঃ শিংনা হাযবা য়াই — মীয়াম্গী মীহুৎ ওইনা মখোযনা লৈববদা অতোপ্পা ষ্টেটকী থাক্ কবিগীনো অদুগা পঞ্চায়তশিংবু কন্খৎহন্বা কবি তৌনবনো হাযনা এমঃপিঃ অমসুং এমঃএলঃএঃশিংনা অমুক্ হাযনিংগনি খল্লি। মবম্ অসিদগী এমঃ পিঃ অমসুং এমঃ এলঃ এঃ শিংবু থোৎথহন্নবা, তুংদা মখোযদগী কবিগুম্বা ফত্তবা লাক্তনবা পঞ্চায়তশিংদা ভোত্ পিবা যাহন্বা ওইগনি হাযবি। মবম্ অদুনা মাগী পুক্নিংদদি ঐখোয়না কন্খৎহন্গে খল্লিবা পঞ্চায়তপু হম্হন্গনি।

(৭) শক্তি চাইথোক্পগী মতাংদা এমঃকেঃ শুক্লনা হাযবা অমনা হিন্দুষ্টান্ টাইমসতা তাং ২০।৫।৯৩ দা হায —'এক্ট অসি চৎনহন্বদা চাওববা খুদোং চাদবা (সমস্যা) অমা লৈবি। খুদম্ ওইনা, রিভাইজদ্ ড্রাফট এগ্রিকলবেল্ পোলিসি অমদা মদুনা তম্লবা পান্দম্ অদু ফংনবদা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিং যাওবগী রাহে অমা ফাওবা হাযদে। অসুম্না কেন্দ্রগী হিউমেন্ রিছোর্স ডিভেলপমেন্ট মন্ত্রি শ্রী অর্জুন সিংহনা অনৌবা প্রাইমারি ইদুকেসন্ প্রোগ্রাম অমা লাওথোকখি। মদুদসু পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিং যাওবগী রাহে অমা ফাওবা যাওদে।'

মথক্কী রাফম্শিং অসি খন্নবা যাবা ঙাক্তনি। অদুম্ ওইনমক এক্ট অসি শেন্নবদা পঞ্চায়তী রাজ হান্না ষ্টেট লিষ্টত যাওবম্বদু কঙ্কবেন্ট লিষ্টতা যাওবক্পা অসিনা হিবম্ অসিদা কেন্দ্র সবকাবনা খুৎ থিংজিন্বা ঙম্লগনি; মসি অচৌবা অমদি থৌনা ফবা খোংথাংনি। তশেংবমক্ পঞ্চায়তী রাজনু যোক্খৎপা তাবর্বাদ সংবিধান্না কেন্দ্র অমদি রাজ্য সবকাবগা লোযননা পঞ্চায়তী রাজ লোইশঙশিংগা ফেদবেল্ ষ্ট্রক্চব অমদা থম্দুনা শক্তি, ফণ্ড মথৌনচিংবগী কাযাৎ যাৎতুনা শেম্বা চুম্ই। শেম্দোক্লিঙৈ অসিদা শেমদোক্হৌদবনা মতুংদসু মসিগী মবিদা সংবিধান হন্না হন্না শেম্দোক্খিনা তাই। ●

(২০)

দি মণিপুর পঞ্চয়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ গী শক্তম্

সংবিধান্ শেম্দোক্পা এক্ট ১৯৯২ অসি ভারত পুম্নগী ওইবা চাং মান্নবা পঞ্চায়তী রাজগী আইন্ মপুম্ অমা ওইদে, অনৌবা লমজিং অমা ওইনা চাং মান্নবা নিয়ম্ খবা মখৈতা যাৎপনি ; অদুগা মখা তারা অকুপ্পা নিয়ম্গীদি রাজ্যশিংনা মাগী মাগী ফিভমগা চাননবা মওংদা শেম্জনবা থাদোকই । সংবিধান শেম্দোক্পা এক্ট অসিগী মতুংইন্না রাজ্য পুম্নমক্না ইং ১৯৯৪ গী এপ্রিল ২৩ ফাওবদা মাগীমাগী ওইনা অনৌবা নত্তগা শেম্দোক্পা এক্ট পুথোক্লবা তারনি । মদুগী মতুং তারা ওইনা মণিপুরগীসু 'দি মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪' শেম্খি ।

সংবিধান শেম্দোক্পা এক্ট অসিনা রাজ্য পুম্নমক্কী ওইবা মান্নবা নিযম থম্ই মদুদি - মান্নবা মচাং হায়বদি ষ্ট্রক্চর (মফম্ খবদা নত্তনা, থাক অহুম্গী পঞ্চায়ত শেম্বা অশোন্বা কাংলুপকী মতিক্ চানা ফম কনবা - নুপীদা শক্তি পিবা (ফম্গী অহুম্ থোকপগী অমা কন্বা) থৌশিলতৌবা অমদি থবক্ পাংথোকপা - ষ্টেটকী ইলেক্সন্ কমিসনগী খুৎথাংদা মতম্ চানা ,চাং নাইনা মাখল তৌবা - ষ্টেটকী ফাইনান্স কমিসন্ অমনা চাং মান্নবা অদুগা অচেৎপা শেল্থুমগী থিভম্ থম্নবা নিযম শেম্বা - বুরোক্রেৎ হায়বদি অফিসর্কী মাওইনা শাসন্ তৌহন্দবা - এমঃপিঃ অমসুং এমঃএলঃএঃ শিং যাওহন্বা অদুগা ভোত পিহন্বা যাবা অসিনচিংবা । মতৌ অসুন্না সংবিধান্না অচেৎপা (প্রোভিজন্) তাক্লনা পিবা খবা থম্ই ; অদুগাসু শাক্ত , দাযিত্ব, শেল্থুম্, টেক্নিকেল্, থবক্ তৌননবা মী শিন্দোক্ শিঙ্গিন্ গী মরিদা শাক্ত চাইথোবপা , অরোইবদা খ্বাইদগী মকওইবা পঞ্চায়তশিংদা সংবিধানগী হনামাথোই শুবা সিদুলদা যাওরিবা বিষয় ২৯ দুগী মরিদা থৌদা পিদুনাপাংথোক্হনবা অসি পুম্নমশিং শিনবদা রাজ্যগী লেজিসলেচরদা অমদি রাজ্য সরকারদা অপাম্বা তৌজরাযানবা থাদোকই । মরম্ অদনা রাজ্য অমগী এক্ট অদুগী মতিক মগুণ লেপ্পা অসি সংবিধান্না তাক্লিব অদু রাইদা অমদি রাখল্দা চানহন্বগী চাং অদুগা দিসক্রেসনবি প্রোভিজন্দা অপাম্বা তৌজনবা থাদোক্লিবা অদুদা শক্তি অমদি দাযিত্ব পিথোক্পগী চাং অদুগী মতুং ইন্না লেপ্পা তাই ।

অদুবু, দি মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ অসি নৈনদুনা য়েংবদা অশোইবা , অৱাৎপা য়াম্না লৈমন্‌থিবনা অশোইবশিং অদু পুথোক্‌পনা মরু ওইবা থবক্ ওইগদৌরি মসি মথং মথং পুথোক্‌পা তাই ।

(১) সেক্সন্ ৩ গ্রাম্ সভা লিংবা-

সেক্সন্ অসিদা পঞ্চায়তী রাজগী অমদি পঞ্চায়তকী য়ুম্ফম্ ওইগদবা গ্রাম্ সভা লিংখৎফম্ থোক্‌ই । মসিদি তৌদ্রে, অদুগা মসিগী মেম্বর, মিটিং, মথৌনচিংবগী ৱাফম্‌দি তাক্‌ই ; লিংখৎপগী ৱাফম্‌দি পল্লমদ্রে । গ্রাম্ সভা অমা শাবগী খ্বাইদগী যাম্‌দবা অদুগা খ্বাইদগী য়াম্বা মী মশিং, শাগদবা খুল্ মশিংনচিংবা তাক্কুনা মমিং থোল্লগা গেজেৎতা ফোংবা তাবনি । গ্রাম্ সভা লিংবগী ৱাফম্ যাওবমদবসি য়াম্না চাওনা শোইবা অমনি । মসিদা য়াওদ্রবসু মতুং তাবা গ্রাম্ পঞ্চায়ত শেম্বদসু তাক্তে । মসি যাওদবনা পঞ্চায়ত শেম্বদা অদুগা অতে অতে হিবম্‌দা য়াম্না অকাইবা লৈ, আইন্‌গী থোংদা ফাওবা অরান্‌বনি ; সংবিধান্‌গী মতুংইন্নসু শেম্ফম্ থোক্‌ই ।

(২) সেক্সন্ ১২ ভিজিলেন্স কমিতি শেম্বা ;

গ্রাম্ সভানা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী মেম্বর নত্তবা মীওইনা শাবা অমা নত্ত্রগা অহেন্‌বা ভিজিলেন্স কমিতি শেম্বা য়াই । মসিনা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থবক্ (স্কীম্) থৌরাং অদুগা অতে থবক্‌শিংদা (সুপরভাইজ তৌনবা) মথক্তা য়েংশিন্দুনা তাক্লবা, অদুগা মদুগা মবি লৈননা গ্রাম্ সভাগী মিটিংদা পুথোক্লবনি ।

ভিজিলেন্স কমিতি থম্বা ফৈ অদুবু গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থবক্তা সুপরভাইজ তৌবা তাববদি ভিজিলেন্স কী থবক্তগী হেন্দোক্লা তৌবা থোক্‌ই । অশোইবা নিয়ম্ কাইবা পুথোক্‌পদি ফৈ, অদু নত্তদুনা অতে সুপবভাইজ তৌনবা অওম্বা কয়া লৈনা লৈনা কমিতি অসিবু তৌহন্‌বা তাববদি পঞ্চায়তত্তা শক্তিগী ৱাংমদা খুৎ থিংজিন্‌বা তাগনি । মসিগী ‘সুপর ভাইজ’ তৌবা হায়বা ৱাহে অসিগী মহুৎতা ‘ওভবসি’ তৌবা, য়েংশিন্‌বা হায়বগুম্বগী ভাবতা তাহন্নবা ওম্বোক্‌পা চুম্‌গনি ।

(৩) সেক্সন্ ১৭-গ্রাম্ পঞ্চায়ত শেম্বা ;

সেক্সন্ অসিদা প্রধান্ অমগা মেম্বর খরগা হক্‌থেংনবা মীখল্‌না খন্‌গনি অদুগা মী মশিং ৩৫০ নত্ত্রগা মদুগী মচেৎ খুদিংগী মেম্বর অমমম্ পঞ্চায়তকী লম্‌দগী খন্‌গনি হায়বা ৱাফম্ অসিতা পল্লি, মেম্বব মশিংসু তাক্তে, অদুনা গ্রাম্ সভাগী পাক্ চাওবসু

মসিনা উৎপা ঙম্দে। মী মশিং ৩৫০ অসি শাথিনা পিক্ই, মসিনা মওং তাহনবা ঙম্লোই অদুগা পঞ্চাযত মেম্বরগী মশিং অসিসু কান্নদবদা যাম্না যামগনি। মসিগা মীশিং অসি যাম্দ্রবদা ৬০০ ওইবনা ফগনি।

(৪) সেক্সন্ ১৮ —গ্রাম্ সভাদা কোন্সটিটুয়েন্সি খাইদোক্পা —

দিপুটি কমিসনাবনা সেক্সন্ ১৮ (১) গী মতুংইন্না গ্রাম্ সভাগী এলাকা অমবু কোন্সটিটুয়েন্সি কযামুক্ খাইদোক্কনি অদুগা অমমম্দা থুংগদবা মেম্বর মশিং লেপ্কনি হাযবি। মসিনা তাক্পদদি কোন্সটিটুয়েন্সি অমমম্দা মেম্বর অমা নত্ত্রগা অদুদগী হেন্না থুংগনি হাযবনি অদুগা ১৮ (২)দুনা কোন্সটিটুয়েন্সি অমমম্দগী মেমবর অমা খন্গনি হাযনসু হাযবি, মসিদি যাম্না ফবর্বনি। মসি হাযববনিনা ১৮ (১) থম্বগী মথৌ তাদে অদুনা সেক্সন্ ১৮ দ' কোন্সটিটুয়েন্সি কযামক্ মেম্বরগী মতুংইন্না খাইদোক্কনি অদুগা অমমম্দগী মেম্বর অমমম্ খন্গনি হাযনা পুন্না থম্বন' হেন্না চুম্ই।

(৫) সেক্সন্ ২২ এদমিনিষ্ট্রেটিভ কমিতি নত্ত্রগা এদমিনিষ্ট্রেটব হাপ্পা,

সেক্সন্ ২২ গী মখাদা কবিগুম্বা পঞ্চাযত অমগী মীখল্ অসি খুদোংচাদবা মবম্ খবদগী তৌবা ঙম্দ্রবা নত্ত্রগা খন্ফম্ থোক্পা মী মশিং অদুগী শকক্ অহুম্ থোক্পগী তনি যৌনা খন্বা ঙম্দ্রবদি খল্লুবিবা মীশিং অদু তোক্হল্লগা দিপুটি কমিসনাবনা পঞ্চাযতকা মৎহৎতা এদমিনিষ্ট্রেটব অমা হাপ্পা নত্ত্রগা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কমিতি অমা খন্ফম্ থোকপা মেম্বরগী মশিংগা মান্ননা যাওহন্দুনা শেম্বা যাই হাযবি। মসি যাম্না কাইবা মওংনি। মসি পাক হেক থোক্লোই অদুবু থোক্পা তাববদি এখোযগী ব্রাখল্দা এদমিনিষ্ট্রেটব অমা হাপ্পাদি চুমদে, কমিতিদি থম্বা যাই, অদুবু মীখল্দা ব্রাৎখিবা মেম্বর মশিং অদুমখে হাপ্চিল্লগা হান্না খন্বা মী লোক্হন্বা তৌদবনা ফৈ, খল্লুববা মীনু মশাগী দোষ লৈতনা নমদুনা তোক্হন্বা চুমদে।

(৬) সেক্সন্ ২৫ উপ প্রধান্গী ফম কন্বা—

সেক্সন অসিদা উপ প্রধান্গী ফম অসি সিদ্যুল্দ কাস্ট অমসুং সিদ্যুল্দ ট্রাইব অমসুং নুপীশিংগী ওইনা কনবা যাই হাযবি। মসি অথোম্বনি, প্রধান্গী ফম্দি সংবিধান্গী মতুংইন্না কন্বা যাই অদুবু উপ প্রধান্গীদমক্তি হাযদে। ভাইস চেযাব পার্সন্গী ফম্ যাওনা কন্শিনবা অসি খংগুন ওন্বা পাম্মী হাযদুনা খোংকাপ্ হেন্জিন্না কান্বা থোক্কনি, সংবিধান্গী মাইযোক্তা তৌবসু ওই।

(৭) সেক্সন্ ২৭-প্রধান্, উপপ্রধান্ অমসুং পঞ্চাযত কী মেম্বরশিংগী এলারেন্স —

গ্রাম্ পঞ্চাযতকী প্রধান, উপপ্রধান্ অমসুং মেম্বরশিংদা আইন্না তাক্পা

মতুংইন্না ফিজ, এলাৱেন্স, ওনবেবিযা পিগনি হায়বি ।

মান্নবা যাবা অতৈ মীওইশিংনা ফংবা চাং লৌদুনা মতম্ চুপ্পগী ওইবা যাননবা, অতৈদুগী ওল্লকপা মতুং ইন্না ওন্বা যাননবা এক্টতা হাপ্পা য়াবনি, ঙাইহাক্ লৈতনা ওন্নবা (পৈশা হাপ্কৎনবা) তান্নবগী থবক্ তৌহন্দবসু ফৈ ,

গ্রাম্ পঞ্চাযতকী প্রধান্ অমসুং উপপ্রধান্গীদমক্তি, হৌজিক্ থবক্ যাম্না হেন্গৎলক্কদবা লৈবনা মতিক্ চাবা তলব্ পিবগা মতমচুপ্পগী ওইনা অফিস কাহন্দুনা পঞ্চাযতকী মীওইবু শেন্নবা, থবক্ তৌবা অদুগা অফিস লৈবগী মশক্ তাক্হন্বসু কান্নগনি ।

(৮) সেক্সন্ ২৯ অমসুং ৩১

গ্রাম্ পঞ্চাযতকী প্রধান্ ,উপপ্রধান্, মেম্বৰশিংনা থবক্ তোক্চবগে হাযনা দবখাস্ত থাবগা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুং ফাওবদা তোক্চবৱোই হাযনা হন্দোক্তবদি তোক্লে হাযনা লৌগনি হাযবি । মসিদি চুম্দবনি, মবাল্ লৈদুনা থবক তোক্লিংবা মীবু অযান্ যাওদনা ইলাই লাইনা তোক্পা যাহল্লি । মতম্, শেলতিংনা মীখল্ তৌদুনা কাববা মীপ অযাবা যাওদনা তোক্হন্বা চুম্দে । সেক্সন ১০৫ দদি তোক্পা অমসুং যাবগী কল্ শেম্বগী বাফম্ যাওই অদুনা মসিগা ওন্না তৈনৈ । অযাবা পিবা নত্রগা পিদবগী বাফম্ হাপ্পা চুমই ।

(৯) সেক্সন ৩০ নো কোর্নফিদেন্স, (থাজদবগী) মোসন

(ক) গ্রাম্ পঞ্চাযতকী প্রধান অমগা মাইযোক্তা থাজদবগী বাবেপ অসি গ্রাম্ পঞ্চাযতকী মেম্বৰ মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনিনা লৌবা যাই । গ্রাম পঞ্চাযতকী মেম্বৰনা থাজদবগী বাবেপ লৌবা যাওনবা অসি শাথিনা শান্ৰবনি মসমদি পধান অসি গাম সভাগী মেম্বৰশিংনা হকথংনবা খল্লকপান । গ্রাম সভাগী মেম্বৰগী শরুক শহুম্ থোক্পগী অনিনা বাবেপ লৈগদবান ,

(খ) অদুগা প্রধান্ নত্রগা উপপধানগা মাইযোক্তা অহানবা চাহি অনিগী মনুংদা থাজদবগী মৈ সন পুখৎপা যাদে হাযবি ,

মসিসু অশোইবনি, অহান্বা চহি অনিদা মখোইশিং অসিনা পাম্দবা থবক্ তৌবক্লোই হাযনিংঙাই লৈতে ।

(১০) সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ পঞ্চায়তশিংগী থবক্ মথৌ –

গ্রাম্ পঞ্চায়তনা পাযখৎপা যাবা থবর্ক্শিং সেক্সন্ ৩৫ গী মখাদা আইতেম্ ৩২ তাক্তুনা য়াওই , অদুগা জিলা পবিষদকীনা সেক্সন্ ৬১ দা পৌনা আইতেম্ ২২ যাওই । যেংবদদি মিং থল্লি অদুবু ফজবা অমদি নুংঙাই নিঙাইদি ওইদে । গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থবক্তা জিলা পবিষদকী থবক্তা লোন্শিন্নবা, যেংশিন্নবা, চযেংনবা, চাং খেন্নবা উৎতবা, (হেদিং) মকোক্কী ব্রাফম্ থাবগতা তোক্পা, য়াম্না থেংনৈ । প্রোমোসন্, ডিভেলপ্ মেন্ট, প্রোপেগেসন হাযবা বাহৈশিংনা মাং থাবগা থবক্কী থৌশিল্ (প্লানিং) অমদি পাংথোকপগী (ইমপ্লিমেন্টেসন্) গী মওং তাক্তবা কযা যাওই, খুদম্পিবদি শাংমন্-খ্রগনি । তশেংবদি, অশেংবা ঙম্খৈ যাৎতুনা সংবিধান্ গী তবামাথোইশুবা সিদ্যুল্দা যাওবিবা বিষয ২৯ অদু উৎকদবনি ।

থবক্ খাইদোকপা অসি চংগদবা শেল্, থবক্কী কাইদা, অচৌ অপিক্ মফম্ মফম্দা পাংথোক্পা ঙম্গদবা অবাংবা থাক্কী টেক্নিকেল্গী মীওই চংলোইদবা, অসিনচিংবা যেংলগা মাগী মাগী থাক্কী থবক্কী পবেং, অনিমক্কী ওইবা থবক্ খাইদোক্পা চুম্হই । হৌখিবা মতম্দা থবক্কী বিষযদা চযেংনবা লৈখিবনা পাংথোক্পা ঙম্খিদবগী মবম্ ওইখি । মসি নৌনা অমুক্ যেংশিন্দুনা বাজ্যগী সবকাবগী মবি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না চুংশিন্নদুনা শেম্দোক্পা চুমই ।

(১১) সেক্সন্ ৩৮ স্টেণ্ডিং কার্মতিগী থবক্তা চযেংনবা – সেক্সন্ অসিদসু স্টেণ্ডিং কর্মিতিশিংগী থবক্তসু চযেংনবা, লোন্শিন্নবা য়াওই, মসিসু যেংবা চুম্হই ।

(১২) সেক্সন্ ৪০ অমসুং ৭০ পঞ্চাযতশিংনা লৌবা যাবা টেক্সকী আইতেম্শিং –

(ক) পঞ্চাযতশিংনা লৌবা যাবা খাজনা অমসুং ফিজশিং অসি অতম্নৈ, হেন্না হাপ্চিন্বা যাবা মওংদা তাহন্বা যাই ।

(খ) খাজনা, ফিজনচিংবগী চাং অসি কক্পগী শক্তি সবকাবদা পিবিবসি সংবিধান্গী আর্টিকল্ ২৪৩ ঐইচ কী মতুংইন্না বাজ্যগী লেজিসলেচবগী শক্তি মখাদা ওইফম্ থোক্ই ।

(১৩) সেক্সন্ ৪৫ পঞ্চাযত সেক্রেটবিগী তলবকী শেন্ফম্ গ্রাম্ পঞ্চায়তকী ফণ্ডদা হাপ্পা –

পঞ্চায়ত সেক্রেটরি অসি সরকারনা হাপ্পি, এক্ট অসিগী মতুংইন্না মখোয়গী তলব অসি গ্রাম্ পঞ্চায়তকী ফণ্ডদগী লৌগনি। গ্রাম্ ফণ্ডদগী পিবা তাবনা সরকারনা অহেন্‌বা ফণ্ড অসিমখৈ গ্রাম্ পঞ্চায়তকী ফণ্ডদা হাপ্‌চিন্‌বা চুম্‌ই।

(১৪) সেক্সন্ ৪৮ জিলা পরিষদ লিংখৎপা –

সেক্সন্ অসিগী মখাদা রেভিনিউ দিষ্ট্রিক্ট (জিলা) খুদিংগী জিলা পরিষদ অমমম্ লিংগনি হায়।

জিলাগী পাক্‌চাওবা খেন্নবা মরম্না জিলা পরিষদকী পাক্‌চাওবদসু খেন্নরে। মণিপুরগী জিলা পরিষদ অহুম্‌গী ওইনা ইম্ফাল্ জিলাদা গ্রাম্ পঞ্চায়ত ১০০ লৈ, থৌবাল্ জিলাগী ওইনা গ্রাম্ পঞ্চায়ত ৪২ অদুগা বিষ্ণুপুর জিলাগী গ্রাম্ পঞ্চায়ত ২৪ লৈ। অসুম্না শাথিনা চাং মান্নদবা অসিনা খুদোংচাবা অমদি কান্নবা ফংবদা খেন্নবা চাওনা লৈরবনি। জিলাশিং অসি চাং মান্নদনা নৌনা শেল্কগী তঙাই ফদবা লৈ।

(১৫) সেক্সন্ ৪৯ জিলা পরিষদ শেম্বা –

সেক্সন্ অসিগী মতুংইন্না অনিশুবা প্রোভাই জোদা 'অধ্যক্ষ অমসুং উপ অধ্যক্ষ খন্‌বদা নত্তনা' হায়বা ৱাহৈ খরসি হাপ্‌চিল্লুবসিনা জিলা পরিষদকী মখল্ পুম্নমক্কী মেম্বরশিংনা অধ্যক্ষ অমসুং উপঅধ্যক্ষ খন্‌বা ঙম্‌হন্দ্রে, খন্‌বিনবা মেম্বর অমতা লৈত্রে।

এক্ট অসিগী সেক্সন্ ৫৪ দা জিলা পরিষদকী হক্‌থেংননা মীয়াম্না খল্লক্‌পা মেম্বরশিংনা জিলা পরিষদকী অধ্যক্ষ অমসুং উপ অধ্যক্ষ খন্‌গনি হায়রি। মথক্কী ৱাহৈ খরা হাপ্‌চিল্লুবা অসি লৌথোক্লুবদি সেক্সন্ ৫৪ গী মাইয়োক্তা লৈ। ৱাহৈশিং অসি লৌথোক্লনা মওং তাহন্‌বা চুম্‌ই।

(১৬) সেক্সন্ ৫০ জিলা পরিষদকী মেম্বর খন্‌বা–

(ক) মী মশিং লিশিং ১৫০০০ নত্ত্রগা মদুগী মচেৎখুদিং গী মেম্বর অমা খন্‌গনি, মসিনা হায়রিবদি মী ৮০০০-১৫০০০ লিশিং নিপাল্‌দগী তরামঙা ফাওবগী ওইনা মীহুৎ অমমম্ খন্‌গনি হায়বনি।

মসিগী খেন্নবসি য়ামনা চাওমল্লি, চাং মান্নবা ঙম্নবা খুদোংচাবা মান্ননবা মসিগী খেন্নবসি মী ২০০০ দগী হেল্‌হল্লোইদবনি।

(খ) সেক্সন্ অসিগী মখাদা জিলা পবিষদকী কোন্সটিটুযেন্স অমদগী মেম্বব অমদগী হেন্বা খন্বা য়াই। মসিগী মহুৎতা কোন্সটিটুযেন্সি অমদগী মেম্বব অমা খন্বা যান্বা থম্‌গদবনি মসিনা ফজবা, চুম্বা হেল্লি।

(১৭) সেক্সন্ ৫৪ উপ অধ্যক্ষগী ফম্ কন্বা –

(ক) জিলা পবিষদকী উপ অধ্যক্ষগী ফম্ অসি সিদ্যুলদ কাস্ট, ত্রাইব অমসুং নুপীশিংগী ওইনা কন্বা য়াই হায়বি।

সংবিধান্‌গী মতুংইন্না অধ্যক্ষগী ফম্ অসিদা কন্বা যাই, উপ অধ্যক্ষগীদদি যাদে অদুনা মসি সংবিধান্‌গী মাইযোক্তনি অদুগা থৌদৌ অসিসু অথোম্লবনি।

(খ) অমুক্‌সু সেক্সন্ ৫৪ অসিমক্তদা ফম্ কন্‌বগী মতাংদা বাজ্য অপুম্বা অসিদা লৈবিবা সিদ্যুল্দ কাস্ট, ত্রাইবকী মীশিংগা বাজা অপুম্বদা লৈবিবা মী মশিংগা লৈনবিবা মবিগী চাংদা ফম্ কনগনি হাযবি। মণিপুবগী চীংগী লমদা, সহবগী লমদা পঞ্চাযতী বাজ চৎনদে, অদুনা পঞ্চাযত লৈতবা মফম্‌গী মী মশিংগা মবি লৈনহন্‌বা হাযবসি মশানা যাদ্রবা বাফম্‌নি। মবম্ অদুনা 'ষ্টেট' হাযবাসিগী মহুৎতা 'বাজ্যগী মনুংদা লৈবিবা জিলা পবিষদ শিং' হাযনা ওস্লোক্‌পা চুমই।

(১৮) সেক্সন্ ৫৫ জিলা পবিষদকী অধ্যক্ষ অমসুং উপ অধ্যক্ষদা পিগদবা তলব –

(ক) জিলা পবিষদকী অধ্যক্ষ অমসুং উপ অধ্যক্ষনা ফংবা যাবা তলব আস ফলদা তাক্‌পা মতুংইন্না পিগনি হায।

মখোযগী তলব অসি মান্নবা যাবা অতৈ মীওইশিংনা ফংলিবা চাং লৌদুনা মতম্ চুপ্পগী ওইবা যাননবা ফিজনচিংবগীসু যাওনা এক্টতা হাপ্পদা তুংদা ওাইহাক লৈতনা হেন্‌গৎনবা দাব তৌহন্দবা যাগনি।

(খ) জিলা পবিষদকী মেম্ববশিংনা ফংগদবা ফিজ, এলাওযেন্স, নচিংবসু মতৌ অসুম্না মান্নবা মী ওইশিংনা ফংলিবা চাং অদু পিবা যাই, মাসুম্না তৌববদি ওাইহাক্ লৈতনা হোংদবা যাগনি।

(১৯) সেক্সন্ ৫৭, ৫৮ অধ্যক্ষ, উপ অধ্যক্ষ যাওনা জিলা পবিষদকী মেম্ববশিংনা থবক্ তোকপা,

জিলা পবিষদকী মেম্ববশিংনা থবক্ তোক্লগে হায়বা মতম্দা অযাবা পিদনা তোক্পা য়াহন্বা অসি চুম্দে, অয়াবা যাদবা পিবা চুম্ই ; সেক্সন্ ১০৫ দদি তোক্পা অমসুং যাবগী কল্ শেম্বগী ব্রাফম্ যাওই । কল্ শেম্বনা য়াবোই, এক্টতা মুন্না পন্গদবনি।

(২০) সেক্সন্ ৫৭ কী মতুংইন্না অহান্বা চহি অনিদা থাজদবগী ব্রাফম্ পুখৎপা য়াদে হাযর্বসি চুম্দে ।

সেক্সন্ ৫৯ (এ) জিলা পবিষদকী মিটিংগী কোবম্ —জিলা পবিষদকী মিটিংগী কোবম্ অসি শকক্ অহুম্ থোকপগী অমনা শাবা অসি পিক্মল্লি, শকক্ অনি থোক্পগী অমনা শাবনা চুম্গনি ।

সেক্সন ৫৯ মক্তদা জিলা পবিষদকী অধ্যক্ষ অমসুং উপ অধ্যক্ষ কী মথক্তা থাজদবগী বিজোলুসন্ (ব্রাবেপ্) লৌবসি মেম্বব পুম্নমকী (মীখল্দা কাবা) অয়াবনা ওইগনি হাযবসি ওইথোক্পা ব্রাগনি, মেম্বব মশিং অসিগী শকক্ অহুম্ থোক্পগী অনিনা অযাবা পিবনা ফজবা অমসুং ওইথোক্পা যাই ।

(২১) সেক্সন্ ৮৩ জিলা পবিষদ্ মুথৎপা,

জিলা পবিষদ মুথৎপা অসি বাজ্য সবকাবনা ঙম্ই। জিলা পবিষদ অসি সংবিধানগী মতুংইন্না বাজ্যগী গোভর্নবনা লিংখৎপনি, মবম্ অদুনা মুথৎপা অসিগী শক্তি অসি বাজ্যগী গোভর্ণবদা লৈফম্ থোক্ই ।

(২২) সেক্সন্ ৯৬ দিষ্ট্রিক্ট প্লানিং কমিতি শেম্বা -

থবক্কী থৌশিল্ (প্লানিং)ফজনবগীদমক্ খুঙ্গংগী পঞ্চায়ত জিলা পবিষদ অদুগা সহবগী ওইবা ম্যুনিসিপালিতি, ম্যুনিসিপাল্ কাউন্সিল্ অমদি কোপোবেসন্ নচিংবা জিলা অমগী মনুংদা লৈবিব খুঙ্গংগী অমদি সহবগী লোইশ৬ পুম্নমক্লা শেম্লকপা চাওখৎ থৌবম্গী প্লান্শি অদু পুন্না যেংদুনা (কোন্সোলিদেৎ তৌনবগীদমক্) চেৎশিল্হন্নবগীদমক্ দিষ্ট্রিক্ট প্লান কমিতি অমা শেম্গনি , মসিদি যাম্না ফবা বাফর্মান, সংবিধাননসু হাযবিবনি । কমিতি অসিদা জিলা অদুনা কোন্বা লমগী ওইবা এমঃপিঃ, এমঃএলঃএঃ, জিলা পাবষদ অদুগী অধ্যক্ষ, ম্যুনিসিপাল্ কোর্পোবেসন্ অমসুং কাউন্সিলগী মেম্বব নক্লগা প্রেসিদেন্ট নচিংবা অদুগা অতৈ খুঙ্গং অমসুং সহবগী লমগী লোইশ৬শিংদগী খন্বা মীশিংনা মেম্বব ওইগনি । দিষ্ট্রিক্ট কোঃ ওপবেটিভ বেঙ্ককী চেযাবমেন্ অদুগা লেগু ডিভেলপ্মেন্ট বেঙ্ককী চেযাবমেন্শিং মতম চুপ্পগী ইন্ভাইটি ওইনা যাওগনি । জিলা পবিষদ অদুগী সেক্রেটাব ওইবিবা দিপুটি কমিসনাবগা থাক্

মান্নবা চীফ এক্সিকুাটিভ অফিসাবনা কমিতি অসিগী সেক্রেটবি ওইগনি অদুগা দিপৃটি কমিসনাবনা চেযাবমেন ওইগনি ।

মসিদা যাম্না চাওনা শোইবিবা অমদি ৬ক্লিবদি দিঃসিঃদগী হেন্না নক্সগা মান্নবা থাক্কী মীওইগী মথক্তা দিঃসিঃনা চেযাবমেন্ ওইহন্বা অর্সানি । মসিনা প্রোটোকোল্দা নক্সগা দিপ্লোমেটিক্ ইটিকেৎতা চাওনা কাইবে অদুগা পঞ্চাযতী বাজদা বুবোক্রেসিগী থাক্ ব্রাংহন্দবা , থাক্ খুদিংদা সবকাবগী অফিসিযেল্না মীখল্দা কাবক্পা নন্ অফিসিযেল্গী মখা থংগদবনি গাযবা নিযম্ নির্তি অদুবুসু থুগাইববনি । অদুদগী হেন্দোক্নুনা মাগী মথৌ   আইন্ অমসুং শান্তি ঙাক্পা, বেভিনিউ অদুগা অতে অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগা শম্নবনচিংবদা থবক চিন্দুনা লৈববনি অদুনা চাওখৎ থৌবম্গী থবক্ হাপ্চিন্দুনা পোৎলুম্ হেন্গৎহন্বনা মাইপুননা থবক্ তৌবা ঙমহন্দবা অসি হায়দগী লৈববনি । মতাং অসিদা দিঃসিঃ পুাশন্দবা ফৈ, মহাক্তি লিযাজন্ আফসাব ওইনা লৈবা তাবনি । চেযাবমেন্দি জিলা পবিষদকী অধ্যক্ষনা ওইবা চপ্চাবানি ।

কমিতি অসিনা জিলা অমগী অপুন্বা প্লান্ তৌবা মতম্দা খুঙ্গংগী অমসুং সহবগী লোইশঙশিংগী অমতা ওইমিন্নবা বাফম্, ঈশিং যেন্নবগুম্বা অতৈ পোৎ লন্ যেন্নবা , অকোইবগী ফিভম্ কন্বর্নাচিংবগী মবম যাওগনি । তানবা য়াবা লোইশঙশিংগা তানগনি । চেযাবমেন্না চাওখৎ থৌবম্গী প্লান অদু কমিতিনা শৌগৎপা মতুংইন্না সবকাবদা থাগনি ।

(২৩) সেক্সন্ ৯৭ ফাইনান্স কমিসন্ শেম্বা

(ক) বাজ্যগী গোভর্ণবনা চহি মঙা মঙাগী ওইনা ফাইনান্স কমিসন্ অমা গ্রাম্ পঞ্চাযত অমসুং জিলা পবিষদকী শেল্গী ফিভম্ হন্না যেংশিন্নবা অদুগা সবকাবদা শৌগৎতুনা পিননবা শেম্গনি , মদুনা (কমিসন্ অসিনা) –

(১) সবকাবনা লৌবা যাবা খাজনা, দিউটি, টোল্, ফিজ নচিংবা অদু বাজ্য, জিলা পবিষদ অমসুং গ্রাম্ পঞ্চায়তশিংগী মবক্তা যেন্থোক্পিনবা অদুগা গ্রাম্ পঞ্চাযত অমসুং জিলা পাবষদশিংদা মখোয মখোযগী শরুক্ থুংবিনবা অসিনচিংবগী নিযম্ শেম্গনি ,

(২) জিলা পবিষদ অমসুং গ্রাম্ পঞ্চাযতশিংদা শিন্নবগা লৌহন্বা যাবা, খাজনা, দিউটি, টোল্, ফিজনচিংবা অদুগী নিযম্ লেপ্কনি ,

(৩) বাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ, ফণ্ডদগী গ্রাম পঞ্চাযত অমসুং জিলা পবিষদশিংদা গ্রান্ট ইন এইদ পিগদবা শরুক্কী নিযম্ লেপ্কনি ,

(খ) পঞ্চায়তশিংগী শেল্গী ফিভম্ ফগৎনবা থৌবাং তৌগনি ;

(গ) গ্রাম্ পঞ্চাযত অমসুং জিলা পবিষদশিংগী শেল্গী ফিভম্ চেৎনবা গোভর্ণবনা ফাইনান্স কমিসন্দা পল্লকপা পুন্নমক্কী মবম্দা পাযখৎকনি ।

(ঘ) ফাইনান্স কমিসন্ অসিদা মেম্বব অমা লৈগনি ;

(ঙ) কমিসন্ অসিগীদমক্ নিয়ম্না লেপ্পা মতুংইন্না মেম্বব হাপ্কনি অদুগা মখাগী মীওইশিংদগী লৌগনি ।

(১) পব্লিক্কী থবক্তা জ্ঞান্ লৈবা ;

(২) হায কোর্ট অমগী বিচাবপতি ওইবা নত্ত্রগা ওইবম্না নত্ত্রগা ওইবা য়াবা মী ;

(৩) সবকাবগী একাউন্টস অমসুং ফাইনান্সকী মবিদা থোইদোক্পা লৌশিং লৈবা ;

(৪) (ফাইনান্সকী) শেল্থুম্গী থবক্তা অদুগা শাসন্গী মবিদা পাক্ চাওনা জ্ঞান্ লৈবা মীওই ;

(৫) ইকোনোমিক্সকী থোইদোক্পা লৌশিং লৈবা ,

(৬) ফাইনান্স কমিসন্না মসিগী থৌওং লেপ্কনি ,

কমিসন্গী মেম্ববগী ফম্ মেন্শিন্বা মসিগী শক্তিনচিংবগী মবম্দা সেক্সন অসিদা তাক্ই ।

(চ) ফাইনান্স কমিসন্না পুখৎলক্পা ব্রাযম্শিং অদু গোভর্ণবনা শন্দোক্লা তাক্পা যাওনা ষ্টেট লেজিসলেচবগী মমাংদা থম্গনি ।

ফাইনান্স কমিসন্ অসি শেম্বনা শেল্থুম্গী মবিদা শিন্দোক্ শিঞ্জিন্ তৌদুনা ফিভম্ ফগৎনবা তৌগদৌবিবনি । মসিনা শেলথুম্গী মথং মনাও নাইবা পুবক্কনি । অদুবু ফর্জাদ্রবদি কমিসন্ অসিগা মেম্বব অমখক্তা লৈহল্লি । অসুপ্ মক ওইবা অদুগা অকনা থবক্ অসিদা মী যাম্নগী তঙাই ফদবা লৈ, মীওই অমতগী বাখল্গী ফিবেপ্পা চৎকদবাস ফজবা মহৈ ফংবা ঙম্লোই অদুগা গনতন্ত্রগী ওন্ন তৈনবসু তাই । পুন্নমক্কী মথক্তা সংবিধান্না তাক্পদি মী অমদগী হেননা লৈবগী বাখল্নি অদুনা সংবিধান্গী মাইযোক্তসু লৈ ।

য়াম্ব্রবদা মেম্বর অহুম্দি লৈহন্বা চুম্ই। অফবা শরুক্ খবা—

এক্ট অসিদা অশোইবা কয়ামুক্ লৈবে, অদুবু পন্বা যাবা অফবা খবমখৈসু লৌখৎপা য়াই —

(১) সেক্সন্ ১২ ভিজিলেন্স কমিতি শেম্বা ;

সেক্সন্ অসিগী মখাদা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী মেম্বর নত্তবা মীওইশিংনা শাবা, অমা নত্রগা অদুগী হেনবা ভিজিলেন্স কমিতি গ্রাম্ সভানা শেম্বা যাই। মদুনা গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থবক্শিং (স্কীম্শিং) থৌবম্শিং অদুগা অতৈ থবক্শিং (সুপরভাইজ তৌগনি) মথক্তা য়েংশিন্দুনা তাক্কনি, অদুগা মখোয়গা মরি লৈননা গ্রাম্ সভাগী মিটিংদা থাগৎতুনা পুথোক্কনি।

মতাং অসিদা পুথোক্পা যাবদি, গ্রাম্ পঞ্চায়তকী থবক্তা (ভিজিল্ তৌদুনা) য়েংদুনা লৈনবগী অদুগা রিপোর্ট তৌনবগী ভিজিলেন্স কমিটি শেম্বা অসি ফৈ; মসি সোসিয়েল্ ওদিৎ তৌবগী মওংনি। অদুবু হকথেংননা সুপরভাইজ তৌবা হাযবদি তাক্পগী থবক্তি চুম্দে ; মদু তৌবিনবা অতৈ অর্থাবটি অওম্বা মী নত্রগা লোইশঙ লৈবি। সুপরভাইজ তৌবা হাযবগী মহুৎতা ওভরসি তৌবা হাযবগুম্বনা ওম্হোক্লবাদ ফগনি।

(২) সেক্সন্ ৩৪ গ্রাম্ পঞ্চায়তকী মিটিংগী কোরম্ —

গ্রাম্ পঞ্চায়ত অমগী মিটিংগী কোরম্ অসি অপুন্বা মেম্বর মশিংগী শরুক্ অনি থোক্পগী অমনা শাব' অসি চুম্ই, অফর্বনি।

(৩) সেক্সন্ ৩৮ অমসুং ৬৫ ষ্টেণ্ডিং কমিতি, গ্রাম্ পঞ্চায়তকী ওইনা সেক্সন্ ৩৮ গী মখাদা ষ্টেণ্ডিং কমিতি শেম্ থর্মলিবা অদগা সেক্সন ৬৫ গী মখাদা ষ্টেণ্ডিং কমিতি তরুক্ শেমলিবা অসিদি যাম্না ফৈ।

(ক) অদুম্নদি ওইবগা জিলা পরিষদকী কমিতিদা গ্রাম পঞ্চায়তকীদা কোঃওপ্ট তৌদুনা লন্নাইগী ওইবা নত্রগা সবকাবগী নত্তবা লোইশঙশিংগী মাঙুৎ খবা হাপ্চিন্বদি ফৈ। অসি ওম্বা লন্নাই লোইশঙশিং অসিদি মৈথৌ কন্হন্নবা লৈবিবনি, হৌজিক্ অসিদদি মখোয যাওবগী তঙাই ফদবা লৈ।

(খ) জিলা পরিষদকী কমিতি অমদা যাওবা থবক্ কমিতি অমদসু য়াওশিন্বা অসি ওম্নোক্পা চুম্ই।

(৪) সেক্সন্ ৩৬ অমসুং ৬৮-পঞ্চায়ত তা থবক্ শিন্নবা অদুগা পব্লিক্ প্রোপর্টি শিজিন্নবা ;

সেক্সন্ ৩৬ কী মখাদা সবকাবনা গ্রাম্ পঞ্চায়ত তা উমং অহাংবা লম্, শঞ্জাবুং নচিংবা লম্ কয়া শিন্দোক্ শিঞ্জিন্ তৌবগী থবক্ শিন্নবা যাই, লম্গী খাজনা খোম্লগী থবক্ পঞ্চাযতনা য়াববদি শিন্নবা য়াই, মসি অফবনি ।

সেক্সন্ ৬৮গী মতুংইন্না জিলা পরিষদ্না পব্লিকী লেংদবা লন্ ওইনা লৈবিবশিং অসি সবকাবগী অয়াবা যাওবগা লৌশিন্বা যাবগী রাফম্ য়াওবি ।

ও মথক্কী রাফম্শিং অসি থবক্তা ওঙ্খোক্হন্বা ওল্লবদি পঞ্চায়তশিংগী ফগু হেন্না ফংনবগী অফবা লম্লী ওইবতা নত্তনা শক্তি শিন্নবগী খুদম্ ওইগনি ।

ও এক্ট অসিগী মশাদা পিক্লা শোইবা, চিখবা রাহৈ ওন্নদুনা (অর্থ) রাহঙ্খোক্ তাহন্দবা অসিনচিংবা অশোইবা , অবান্বশিং অসিনা হক্থেংননবু ওইববসু নাকোইননবু ওইববসু পঞ্চাযতকী থবক্তা পাংথোক্পদা চৈথেং লৈগনি । অদুনা য়াম্না থুনা চুম্থোক্পা ফৈ ।

দি মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ অসিনা ওইবা য়াবা শক্ওং ওইহন্বদা হান্নগী অবান্বা চুম্থোক্পগা লোয়ননা মখাগী ফিভম্ খবা অসি তাহন্বা চুম্ই—

(১) অনৌবা পঞ্চাযতী রাজগী পাথাপ্ অসিগী থৌশিল্না শাসন্গী থবক্ শিন্দোক্পগী মবিদা অফবা মওং অমা থোক্হন্গদবনি ;

(২) পঞ্চায়তকী লোইশঙশিং অসি রাজ্যগী লৈপাক্ ভাক্লোনগী চংদবা য়াদবা মচাক্ ওইহন্গদবনি ;

(৩) কবিগুম্বা অহাংবা, অহোবা লৈবা পুম্নমক্ আইন্না নত্তরসু শাসন্গী পাম্বৈনা মেন্শিন্গদবনি ;

(৪) প্রজাদা (শক্তি) পাঙ্গল্ পিবদা তেংবাংগদবা কবিগুম্বা থৌবাং খুদিংমক্ লৌখৎকদবনি । ●

(২১)

'মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ চৎনবা'

সংবিধান্ (৭২ শুবা শেমদোকপা) বিল্ ১৯৯২ অসি ২২ ডিসেম্বর ১৯৯২ দা লোক্ সভানা পাস তৌই, অদুগা হেক্ মথংগী নুমিৎ ২৩ ডিসেম্বর ১৯৯২ দা রাজ্য সভানা অমুক্ পাস তৌদুনা এক্ট ওইবগা 'সংবিধান্ (৭৩ শুবা শেমদোক্পা) এক্ট ১৯৯২' ওইনা ই. ১৯৯৩ গী এপ্রিল ২৪দগী চৎনবা হৌহনখি। মদুগী মতুংইন্না রাজ্যশিংনা মাগী মাগী লেজিসলেটিভ এসেম্বলিদা এক্টশিং, অদু শেমদোক্লবা সংবিধানগী নিয়মগা চাননা শেমদোক্পা নত্তগা পুমনৌ নৌনা শেম্বা তখি। মণিপুরগীসু মশাগী ওইবা এক্ট অমা হায়বদি দি মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ অসি নৌহৈনা শেমখি। এক্ট অসিগী চানবা বিল অদু দেশ [illegible] লোক্ সভামক্তা পাস তৌরবন। মণিপুর মশাগী ওইবা এক্ট অমা নৌনা শেম্লবদা প্রজ [illegible] আশা তৌনা ওবাও নুংঙাইবা পোকখি, অদুবু নিংবা কাইর্বদি, এক্ট [illegible] মথম ২০ বাদ্দ অশোইবা, অরাংপা, ভাব চানদবা, অবানবা কয় থেংনবদা মণিপুর [illegible] পঞ্চায়ত পারিষদ [illegible] পুথোক্লনা মণিপুর সরকারদা শেমদোক্লনা হায়জখি, [illegible] বযাদ উনদুনা [illegible]। অইন মশা অসিনা পারিষদকী এনভাইউজান ওইনা পারিষদকা তানদুনা ড্রাফ্ট অম পু[illegible] ক্লগা প বযদনা সরকারদা থাগৎখি। মণিপুর সরকারনা শেমদো ক্লবা এক্ট শাদু হেক শেমদোকপ ২৩ দা পঞ্চায়তকা মাইকল তৌননবা [illegible] লৌখৎপা তৌবকখি, মদগী মাইংগোক্ত প বযদনা থেংখি, মদুগা মাথল [illegible] শোইবা এক্ট অদ [illegible] শেমদোক্লম [illegible]।

[illegible] মণিপুর [illegible] মদুগী ইকউ [illegible] মইরেম্বা [illegible] বাঙালী মণিপুরী পরিষদকী প্রেসিডেন্ট ওইরিবা [illegible] ওইনা [illegible] লেজিসলেটিভ এসেম্বলি [illegible] ইনবা কন্দা কৌবকখি অদুনা মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট অসি শেমদোক্লব [illegible] তাবা ড্রাফট অমা [illegible] থাখি। [illegible] থোক্লবা থবক অদু নুমিৎ অদুমক্তা [illegible] পুং ৯দগী পাযথংপনা নুংথিলগী পং ৪ ৩০ [illegible] শুবণা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মফমদ পুথোকপা [illegible] ড্রাফট

অমা মন্ত্রিগী অফিস কা মক্তদা শেম্‌খি । এক্ট অসি শেম্‌দোক্লবা ড্রাফ্‌ট অদু সেক্সন্ ২০ শোক্লা ব্রাহৈ, ময়েক্‌মশিং, ব্রাহৈ পরেং, ক্লোজ, সব-ক্লোজ কয়া হাপচিন্‌বা, মেন্‌শিন্‌বা, কক্‌থৎপা, মহুৎ শিন্‌জিন্‌বা তৌদুনা শেমখি । শোক্লিবা সেক্সন্‌শিংদি সেক্সন্ ৩,৭,১৭,১৮,২২, ২৫,৩০, ৩৫, ৩৮, ৪৯, ৫০, ৫২, ৫৪, ৫৭, ৫৯, ৬১, ৬৫, ৭৬, ৯৬, অমসুং ১০০ নি ।

পুখৎলিবা, শেম্‌দোক্লবা ড্রাফ্‌ট অদু বিল্‌গী মরোংদা লৈরিঙৈদা এসেম্ব্লিগী হাউসনা ইং ১৯৯৬ কী সেপ্তেম্বব তাং ১০ দা শেম্‌খিবা সেলেক্ট কমিতি ওন্ 'দি মণিপুব পঞ্চাযতী রাজ (এমেন্‌মেন্ট) বিল্ ১৯৯৬' কৌবা অমনা মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৯৪ (এক্ট নং ২৬, ১৯৯৪) গা লোয়ন-লোযননা সেপ্তেম্বব তাং ১১ অমসুং ১২ দা ফর্ম্‌খিবা মীতিন্‌দা য়েংশিন্‌খি । কমিতিনা শেম্‌দোক্‌পগী ড্রাফ্‌ট অদুবু লৌরদুনা বিল্‌গী মবোংদা পুথোক্লবা বিকোমেণ্ড তৌখি । ইকাই খুম্নফম্ ওইববা মাস্ত্রজীনা কমিতিগী বিপোর্ট অদুবু হাউসতা তাং ১৩।৯।১৯৯৬ তা পুথোক্‌খি. অদুগা হাউসনা বিল অদু পাস তৌখি । অসুম্না শেম্‌দোক্‌পা অসিনা মণিপুব পঞ্চাযতী রাজ এক্ট ১৯৯৪ (এক্ট নং ২৬, ১৯৯৪) গী আইন্‌গী মখাদা পঞ্চায়তী বাজ লোইশঙশিংগী মীখল্ পাংথোক্লবা লম্বী শেম্‌খি ; লোয়না লোয়ননা হান্নরা অপন্‌বা, অথিংবনচিংবা পাম্‌দবা খুবৌ লৈরম্বদু লৌথোকখি । পঞ্চায়তকী ফাইনান্স কমিসন্ শেম্নবা লৈবা সেক্সন্ ৯৭ তি হান্নরা শেম্‌দোক্‌খ্রে ।

গ্রাম্ পঞ্চায়তকী তৌগদবা থবক্ অমসুং জিলা পরিষদকী থবক্ মথৌ অমসুং শক্তি (মঙম্) মথংশিংনা তাক্লিবা সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ হায়বিবা সেক্সন্ অনি আসগীদি শাংমন্‌খিবনা খুদক্তা অকুপ্পা ড্রাফ্‌ট অমা পিবা ঙম্‌খিদে । সেক্সন্ ৩৫ গী মখাদা আইটেম্ ৩২ গা লোয়নবা সব-আইটেম্ কয়া পিরম্মী অদুগা সেক্সন্ ৬১ নসু আইটেম ২২ গা লোয়ননা সব-আইটেম্ কযা অমসু হান্নগী এক্ট মশাদা য়াওবম্মী । শেম্‌দোক্‌পগী তঙাই ফদবা অর্দুদি পুক্লিংদা ফাওনখি । সেক্সন অনি অসিগী মখাদা য়াওরিবা আইন্‌গী ব্রাফম্‌শিং অশিদি অসুপ্‌কী মতিক্ মক ওই, মখোয়শিং অসিনা পঞ্চায়তী রাজগী লোয়শঙশিং অসিদা পিগদবা মথৌ অমসুং মঙম্ পিগদৌরিবা অদুগী চাং লেপ্‌কদৌরিবনি । শেম্‌দোক্‌পা মতম্‌দা সেক্সন্ অনি অসিগী মখাদা লৈরিবা আইটেম্‌শিং অদু সব-আইটেম্‌গা লোয়ননা ঙম্না কক্‌থৎখ্রে, অদুগা সেক্সন্ ৩৫ গী মতাংদা তেন্না অমদি শুপ্পা অসুম্না থম্‌খ্রে, মদুদি:- সেক্সন্ ৩৫ গীদি মখাগী অসিনা মহুৎ শিন্‌জিল্লগনি হায়বদি--'৩৫-গ্রাম্ পঞ্চায়তনা মখোয়না ঙম্‌জবা অমদি মখোয়গী লমখৈ মনুংদা লৈবা পাংথোক্কদবা অদুগুম্বা থবক্ মথৌ অদুদি ভারতকী সংবিধান্‌গী ১১ শুবা সিদ্যুল্‌দা

য়াওবিবা (শিংথাবিবা) আইটেম্‌শিংগী মবিদা সবকাবনা অতম্মনা তাক্কনি । অসুম্না সবকাবনা তাক্লবা মথৌশিং অদু অফিসর্ক ওইবা গেজেটতা ফোংগনি । ' অদুগা সেক্সন্ ৬১ গীনা মখাগী অসুম্না মহুৎ শিন্‌জিনগনি মদুদি '৬১ ভারতকী সংবিধান্‌গী ১১ শুবা সিদ্যুল্‌দা যাওবিবা (শিংথাবিবা) আইটেম্‌শিংগা মবি লৈননা সবকাবনা অফিসিয়েল্ গেজেটতা ফোংদুনা তাকপা অদুগুম্বা মতৌ অমসুং মওম্ (অথবিতি) শিং অদু জিলা পরিষদনা পাংথোক্কনি '। মতৌ অসুম্না সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ গী মখাদা যাওবম্বা আইটেম্‌শিং অদু ওম্নমক লৌথোকপ্লে অদুগা হেন্না তশেং তশেংবা, মথৱাই শুবা, লম্‌খৈ কক্পা অকক্লবা আইটেমশিংনা মহুৎ শিল্লগনি হায়না থমাখর্বনি । হেন্না চাওখৎপা, মপুম্ ওইবা অদুগা মচা খাইবা আইটেমশিং শেম্না অসি সংবিধান্ শেমদোকপনি মখাক্ অমা ওইনা নম্বা সবকাবদা থাদেকখি ।

পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংগী ওইনা মীখলগী মান লৈবা পুক্ষম্ ওইবা মৌওং, লোইশঙশিং শেম্লনবা, শাগৎনবা মচাক্ কয়াগী মবি লৈনবা আইন শেমদে ক্লবা তুংদা মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ গী মখাদা গ্রাম পঞ্চায়ত অমসুং জিলা পরিষদকী মীখল্ অসি ইং ১৯৯৭ কী জানুয়ারি তাং ০১ দা ইহান্ হান্বা ওইনা এক্ট অসি পাস তৌরগা মতম্ চপ্ত ৩ গী তুংদা পংথোকখি । অদুগা গ্রাম পঞ্চায়ত ১৬০ জিলা পরিষদ ৩ ইম্ফাল, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগা ওইনা শিংথখি । ইম্ফাল জিলাবু অনি থোক্লা খায়দোকখ্রবা তুংদা জিলা পরিষদ মরি শুনা শিংথখ্রে । মখোয় অদুদি ইম্ফাল ঈষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলা পরিষদশিংনি ।

মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ এক্ট ১৯৯৪ গী মখাদা অহান্‌বা মীখল্‌
তৌখিবগী মরুওইবা ই-পাও --

মীখল্‌গী তাবিখ--৩১।১।১৯৯৭

ভোট মশিং থিবগী তাবিখ --১।২।১৯৯৭

মীখল্‌গী ফল্‌

জিলা	জিলা পবিষদকী খন্‌খিবা মেম্বব মশিং	লাম্বা য়াওদবা মফম্‌ মশিং	গ্রাম পঞ্চাযতকী খর্ন্‌খিবা প্রধান মশিং	প্রধানগী মফম্‌দা লম্বা য়াওখিদবা মশিং	গ্রাম পঞ্চায়তকী খন্‌খিবা মেম্বব মশিং	মেম্ববগী ফম্‌দা লাম্বা যাওখিদবা মশিং	জিলাগী এমঃ এলঃ এঃ মশিং
ইম্ফাল	৩৪ (লাম্বা তৌনখিবা মীবেপ্‌ মশিং ১৬৩)		১০০ (লাম্বা তৌনখিবা মীবেপ্‌ মশিং ৩৩২)	৩	৮৫৬(লাম্বা তৌনখিবা মীবেপ্‌ মাশং ১২২৬)	৩১০	২৪
থৌবাল	১৬ (লাম্বা তৌনখিবা মীবেপ্‌ মশিং ৫৬)	১	৪২ (লাম্বা তৌনখিবা মীবেপ্‌ মশিং ১২৫)	৫	৪৮১ (মীবেপ্‌ মশিং ৭৫৪)	২০১	১০
বিষ্ণুপুব	১১ (মীবেপ্‌ মশিং ৪৪)		২৪ (মীবেপ্‌ মশিং ৭৯)	১	২২০ (মীবেপ্‌ মশিং ৩৮৩)	৫৬	৬

ব্লোক্ ব্লোকী ওইবা প্রধান্ অমসুং গ্রাম্ পঞ্চায়তকী মেম্বর মশিং ।

ব্লোক্ মমিং		প্রধান্ মশিং	গ্রাম্ পঞ্চায়ত কী মেম্বর মশিং	লাম্বা তৌনখিদবা মেম্বরগী ফম্ মশিং
১.	ইম্ফাল্ ইষ্ট ৱান	২৫	২২৭	৪৪
২.	ইম্ফাল্ ইষ্ট টু	২৫	২০৭	৪৪
৩.	ইম্ফাল্ ৱেষ্ট ৱান	২৯	২৩৫	১০০
৪.	ইম্ফাল্ ৱেষ্ট টু	১৫	১৩০	৩৪
৫.	জিবিবাম্	৬	৫৭	
৬.	থৌবাল	২৭	৩১০	
৭.	ককচিং	[illegible]	১৫	১৭১
৮.	বিষ্ণুপুর	[illegible]	১২	১০৯
৯,	মোইবাং	[illegible]	১২	১১১
		১৬৬	১৫৫৭	

পোল্লিং ষ্টেসন্ মশিং ১৫৫৭

মীখল্দা শিজিন্নখিবা পোল্লিংগী মী মশিং ৯৩৪২

গাড়ী অচৌবা শিজিন্নখিবা মশিং ৬০০

গাডী মচা (জিপ) শিজিন্নখিবা মশিং ৩০০

ভোটর মশিং লাক্ষ ৫ বোম্

পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংদি লিংখৎলে, অদুবু মাংজৌননা তৌফম্ থোক্পা, চংগদবা মচাক্ ময়াম্ অমদি খুদম্ ওইনা -(পাৱার) শক্তি অমসুং (ফঙ্কসন্) মথৌ কয়া অমা সংবিধান্গী ১১ শুবা সিদ্যুল্ গী আইটেম্শিংগা চান্ননা তাক্পা—ফাইনান্স কমিসন্গী বিপোর্ট ফোংদোক্লুনা ফণ্ড খোন্ননবগী থৌবাং তৌবা—থবক্কী মবিদা দিষ্ট্রিক্ট প্লানিং কমিতি শেম্দুনা থবক্ চখবা য়ানবা তৌবা অসিনচিংবা মথং মনাও নাইবা খোংখাংগী থৌওং কযাদি লৌখিক্ত্র। বাজ্য সবকাবনা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংদা শক্তি অমদি মওম্ হাপ্পুনা অনৌবা মথৌ পবেং অমা ওইথোক্লবা শেম্বা শাবা তৌদবদগী মণিপুব স্টেট পঞ্চাযত পাবিষদনা মখল্ মখাগী ইহৌ কযা খুদম্ ওইনা ষ্ট্রাইক্, বন্দ, ব্লোকেদ্, 'শিদ্রিব' ফাওবা চবা হেনবা' তৌদুনা মী ১০৭ লোম্ জেলদা থম্বা অদুগা মী ১২৬ লোম্ অমনা থানাদা পুং ৩০ বোম ফাজিন্দুনা থম্বর্নচিংবা তৌদ্রফাওর্বাদ হোইশানদুনা লৌখ। তৌবগান হাযনা থাজবা পিবনা নেম্থহন্দুনা পবিষদনা ঙাইনা ঙাইনা, আশা তৌদনা লৈবা তাখি।

ইং ১৯৯৮ গী সেপ্তেম্বব তাং ১৮ খক্তদা মণিপুব সবকাবনা মণিপুবদা লৈবিবা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিংদা শক্তি চাইথোক্লবা (পিথোক্লবা) অদুগা মখোযনা মশানা মশাবু ঙাক্চবা সবকাব ওইনা থবক্ তৌবা ঙম্জনবা অদুগা মণিপুবদা শেল্ থুম্গী ফিভম্ ফগৎনবা অমসুং সমাজদা অচুম্বা তৌননবা (স্কীম্) থৌবাং লাংজনবা অদুগা থবক্ পাংথোক্লবা হুকুম্ তৌবা য়ানবগীদমক্ থোইদোক্ হেন্দোক্পা গেজেত অমদা নোটিফিকেসন্ অমা মখাগী অসুম্না থোক্খি মদুদি—

মণিপুব গেজেত

একষ্ট্রা ওবদিনবি

(অথবিতিনা ফোংবা)

নং ১৯২, ইম্ফাল্ ইবাই সেপ্তেম্বব ১৮, ১৯৯৮ (ভদ্র ২৭,১৯২০)

মণিপুব সবকাব

সেক্রেটেবিয়েৎ : কবেল্ ডিভেলপমেন্ট অমসুং পঞ্চাযতী বাজ দিপার্টমেন্ট
ইম্ফাল্, সেপ্তেম্বব ১৫, ১৯৯৮

নং ৯।১৩।৯৫-ডেভ (পি) পার্ট II —মণিপুব পঞ্চাযতী বাজ এক্ট ১৯৯৪ মতম্ মতম্গী শেম্দোক্লবা অসিগী সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ না পিবা শক্তি অদু শিজিন্নদুনা মণিপুবগী গোভর্ণরনা মণিপুবদা লৈবিবা পঞ্চায়তী বাজগী লোইশঙশিংদা শক্তি চাইথোক্ল বা (পিথোক্লবা) অদুগা মখোয় মশানা মশাবু ঙাক্চবা সরকার ওইনা থবক্ তৌবা

ঙম্জনবা অদুগা মণিপুরদা শেল্ থুম্গী ফিভম্ ফগৎনবা অমসুং সমাজদা অচুম্বা তৌননবা (স্কীম্) থৌরাং শিন্জন্বা অদুগা পাংথোক্লবা অসুম্না হুকুম্ তৌবদা পেন্বিরে মদুদি :-

সিরিয়েল্ নং	দিপার্টমেন্টকী মমিং		পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা খাইদোক্পা (পিথোক্পা) শক্তি অমসুং মথৌ
১।	ট্রান্সপোর্ট	(ক)	বস থাফম্ অমসুং টার্মিনস শেম্জিন্ শাজিন্বা (ঙাক্লা থম্বা);
		(খ)	ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা শেম্বা নিয়ম্ (রুল্স) গী মতুংইন্না বস থাবগী ফিজ খোম্জিন্বা ;
২।	ফিসরিজ	(ক)	লন্নাইগী ওইবা ঙা ফাবগী (স্কীম্) থৌবম্ খুদম্ ওইনা পেদি-কম্- পিসিকলচর/পোণ্ড কলচর (ফৌ থাবগা লোযননা ঙা যোক্পা অদুগা পুখ্রি/কোম্দা য়োক্পা ঙা) অসিনচিংবা চাওখৎহন্বা ;
		(খ)	আইঃএমঃসিঃ/এক্সোটিক্ কার্প (ইণ্ডিয়ান মেজর কার্প/মপান্দগী পুশিল্লক্পা কার্প) খোম্জিন্বা অদুগা ঙামীশিংদা অতাবা মমল্দা পিবা;
		(গ)	ঙাগী মচিঞ্জাক্, ঙা ফানবা খুৎশু-খুৎলাই মচাক্ খোম্জিন্বা অদুগা ঙাগী থবক্ ফজনা তৌবা ঙামীশিংদা (প্রোগ্রেসিভ্ ফিস ফার্মরশিংদা) দিপার্টমেন্টনা পঞ্চায়তকী খুৎথাংদা পিবা;
৩।	সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি	(ক)	মহৌশাগী ওইবা, হান্না চৎনবক্পা ইনর্জি ফংফম্ নত্তবা খুদম্ ওইনা বাইও গ্যাস প্লান্ট, সোলার কুকিং প্লান্ট নচিংবা লিংখৎপা, শেম্গৎপা;
		(খ)	সোলার লেম্পশিং খোম্জিন্বা অদুগা পিথোক্পা ;

(গ) স্মোক্‌লেস চুলা (মৈখু থোক্তবা লৈবং), অফবা মখল্‌গী, অয়াংবা পুথোক-পুশিন য়াবা চুলা (লৈবং) হৌদোক্‌পা ;

৪। ফুদ, এণ্ড সিভিল্ সপ্লাইজ

(ক) রেসনিং এজেন্ট মশক্ তাক্‌পদা অদুগা খন্‌বদা মবি লৈনবা দিপার্টমেন্টপু লোযনবা, তেংবাংবা অদুগা জিলা পরিষদকী এলাকাদা, লম্ মনুংদা চিঞ্জাক্কী মহৈ মবোং নিযম্ চুম্না যেম্থোক্লবা য়েংশিন্‌বা;

(খ) ভিজিলেন্স কমিতিশিং শেম্বা ;

(গ) প্লান্‌গী শেন্‌ফম্ শেম্‌দুনা জিলা পরিষদকী খুৎথাংদা প্রজা ভাব তাহন্‌বা হেনগৎহন্‌বা ;

৫। ইন্দষ্ট্রিজ

(ক) খুঙ্গংগী খুৎহৈবা মীদা কান্নবা পিনবা কোটেজ ইন্দষ্ট্রিজ লিংখৎপা অদুগা সার্ভিস সেক্টবদা এন্‌টব প্রেনবশিংবু চাওখৎহন্‌বা ;

(খ) কেঃভিঃআইঃসিঃ, কেঃভিঃআইঃবিঃ অদুগা অতৈ ইন্দষ্ট্রিজগী সংস্থাগুম্বদগী চুংশিন্নবা ঙাক্‌লৌ ফংননবা শিন্‌বা ;

৬। ভেটেবিনর্বি এণ্ড এনিমেল্‌হজবেন্দ্রি

(ক) মখাগীসিগী মবিদা পোৎ ওইনা সব্‌সিদি পিনবা কান্নবা ফংগদবা মীওই খন্‌বা ;

(১) য়ান্‌শিন্নববা মুক্‌সন্ ওইববা শনাও অমোম্ য়োক্লবা;

(২) গ্রাম্ পঞ্চাযতকী এলাকাদা অফবা মখল্‌গী ওক্ মচা যোক্লবা ;

(খ) শজিক্ চাফম্ (অপুন্‌বা মীযাম্‌গী ওইবা শঞ্জাবুং) চাওখৎহন্‌বা অদুগা ফোন্দব মিনি-কিট

প্রোগ্রাম্‌গীদমক্ ভেটেবিনবি অমসুং এানমেল্ হজর্বেন্দ্র দিপার্টমেন্টতগী মক লৌবগা মদু শেল্ লৌদনা যেন্থোক্‌পা ;

(গ) মফম্ চাবা, লৈফম্ থোক্‌পা মফম্‌দা শা হাৎপগী যুম্ শাবা অদুগা ঙাক্ শেন্‌বা, লোযননা মনি লৈনবা গ্রাম পঞ্চাযতশিংদা শন্নবা ;

৭। পাব্রাব — শেল্লবা আইন্‌গী মতুংইন্না কমিসন্ (শকক্ খবা) লৌদুনা ইলেক্ট্রিকী খাজনা লৌখৎপা অমসুং খোম্‌জিনবদা তেংবাংবা ;

৮। এগ্রিকল্‌চর (ক) অফবা মখলগী লৌউ শিংউগী খুৎশু খুৎলাই, মচাক্ অদুগা অতে লৌউবদা চংবা, থাদগদবা মচাক যেন্থোক্‌পা ;

(খ) অফবা মখল্‌গী চাথোক লৈবা মক, লৌউবশিংদা যেন্থোক্‌পা ,

(গ) জিলা পরিষদকী এলাকাদা লৌউ- শিংউগী চাথোক্ হেন্‌গৎপগী থবক্ তৌনবগী পান্থে হেন্‌গৎহন্‌বা ;

৯। হোর্টিকল্‌চর (ক) মখাগীশিংসিগী মবিদা গ্রাম্ পঞ্চাযতকী খুৎথাংদা কান্নবা ফংগদবা মীওই খন্‌বা যাই ।

(১) পাকথোক্ চাওথোক্‌হন্‌বগী যৌবম্ ;

(২) দিমোনস্ট্রেসন্/উৎতুনা তাক্‌পগী থৌবাং ;

(৩) অফবা, চাওখৎপা পান্থে শিজিন্নদুনা কিহোম্ থাবা শন্দোক্‌পা, পাক্‌থোক্ চাওথোক্‌হন্‌বা ;

(খ) মখাগী অসিগীদমক্ পঞ্চাযতকী খুৎথাংদা মফম্/কান্নবা ফংগদবা মীওই খন্‌বা ;

			(১) স্মোল্ (অপিক্পা), মার্জিনেল্ ফার্মরশিং দা অপিক্ অপিক্পা ইঞ্জিনিয়া-রিংগী ওইবা মচাং (স্ট্রক্চর) অদুগা লম্ তেম্থোক্পদা তেংবাংবা ;
			(২) রাটর হার্ভেস্টিং (স্ট্রক্চর) মচাং/ঈশিং খোম্জিন্নবগী মচাং শাবা ;
১০।	ট্রাইবেল্ ডিভেলপ্মেন্ট বেলফেরার ওফ রিকব সেক্সন্ (এসঃসিঃ,এসঃটি)	(ক)	এনিমেল্ হজবেন্ড্রি, ফিসরি, এগ্রিকল্চর, ইন্দষ্ট্রি নচিংবগী ইমুং মনুংগী ওইবা (স্কীম্দা) থৌরম্দা কান্নবা ফংগদবা মী খন্বসি পঞ্চায়তনা তৌবা যাই ;
		(খ)	মীযাম্গী ওইবা (স্কীমদা) থৌরম্দা খুদম্ ওইনা খুল্ (চংনবা) তাবা লম্বী শেম্বা, কমুনিতি হোল্ শাবা, স্কুল্গী শঙ শাবা অসির্নাচিংবা অসিগী থবক্ খন্দোক্পা অসি জিলা পরিষদ্না তৌবা যাই ;
১১।	কো ওপরেটিভ		ইন্টেন্সিভ গ্রুপ্লোন্ রিকোভরি প্রোগ্রাম্দা হায়রদি অপুন্বা শেন্দোল্ খোম্গৎপদা গ্রাম্ পঞ্চায়তনা তেংবাংবা;
১২।	পিঃএইচঃইঃডি	(ক)	থক্নবা ঈশিংগী গুহা, পুখ্রি অচৌবা পুখ্রি মচা (মোরামোত তৌবা) শেম্জিন্বা ঙাক্ শেন্বা ,
		(খ)	ঈশিং শেংলক্নবা থিংবা, ঙাক্ শেন্বা ;
		(গ)	অথন্নবা খুঙ্গংগী, হেণ্ড পম্প যাওনা ঈশিং পিনবা থৌরাং ঙাক্লা থম্বা;
		(ঘ)	এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টনা শেম্বা নিযম্গী মতুংইন্না ঈশিংগী খাজনা খোম্বা ;
		(ঙ)	ঈশিং ফংফম্ , তুবেল্নচিংবগী ঈশিং হৌফম্ য়াওনা ঙাক্ শেন্দুনা থম্বা শোইহন্দবা ;

(চ) খুঙ্গংগী হক্শেল্গী সাধাবন্ হুকশেল্গী য়াওনা, খুঙ্গংগী ইবম্ নালা, পুখ্রি, গুহা শেংদোক্পা, ফি শুফম্ অমসুং ইকজফম্ পাট যাওনা শিন্দাক শিঞ্জিন্ তৌবা,

১৩ ঈাবগেসন্ ফ্লদ কন্ট্রোল (ক) এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্টনা শেম্বা নিয়মগা মতুংইন্না, শকক্ থনা লৌদুনা ঈশংগী খাজনা (চার্জ) খোমজিন্বা,

(খ) ইমর্জেন্সি ফ্লদ কন্ট্রোল ৱার্কস অথ্ অবাউনা ওইনা ঈচাও থাংননবা থবক্তা লুপা লিশিং ২০ (কুন্না) মখাই থবক্ পাংথোকপা,

। পব্লিক ৱার্কস (ক) খুঙ্গংগা খঙ্গ শা ফাওনবা লম্বী, আপকপ খোং অমসং উক যাওনা শেম্ শাবা, থাক্পা,

(খ) হিবান্ফম্ থম্বা,

(গ) গ্রাম পঞ্চায়ত অমগা অমগা শম্নবা লম্বীশিং শেম্বা,

১৫। মাইনর ইরিগেসন্ (ক) মাইনর ইরিগেসন্ কেন্নেল্, পুখ্রিমচা, পুখ্রি অচৌবা অমসুং গুহা শিং স্মোল্ ফার্মরস/মার্জিনেল্ ফার্মরসশিংগী কান্ননবগীদমক্ শেমদুনা (ঙাক শেন্বা) শেম্ শাবা,

(খ) লৈনুংদা লৈবা ঈশিং, লবুক্তা পিননবগীদমক্ থিদুনা পুথোক্পা,

(গ) আইন্ শেম্লগা ঈশিংগী খাজনা খোম্গৎপা,

১৬। ফোরেষ্ট (ক) খুঙ্গংগী পঞ্চায়তকী লমদা অমদি শোবোক্ মপান্দা উ থাবা,

(খ) খুঙ্গংগী শঞ্জাবুং ঙাক্পা অদুগা খুঙ্গংগী অহাংবা লমদা শীং ওইনবা উ অমসুং শাজিক্ থাবা ;

(গ) মাইনব ফোরেষ্ট প্রোদিউস (উমংগী অপিক্ অপিক্পা পোৎথোক্) খুদম্ ওইনা মরু মরাংদা তেজপট্রা, দালচিনি, অদুগা পানা মনা , মেক্রুক্, চন্দন্ (আগর) উনচিংবা থাবা অদুগা পোৎথোক্ লৈহন্বা ;

১৭। করেল্ ডিভেলপ্মেন্ট (ক) মখাগী থবক্শিং অসিগা মরি লৈননা থৌরম্গী খুজিল্ থৌরাং তৌবা, থৌরম্ শেম্বা, প্রোজেক্টকী (সেল্ফট) কযাৎ মপুম্ শেম্বা, থৌরম্ পাংথোক্পা, নিয়ম্ চুম্না য়েংশিন্বা অচুম্-চুম্দ তাক্পা অসিনচিংবা তৌদুনা থৌবম্ পাংথোক্লবা তৌবা ;

(১) (i) আইঃ আরঃ ডিঃ পিঃ
(ii) জেঃ আরঃ ৱাইঃ
(iii) আইঃ এঃ ৱাইঃ
(iv) ডিঃ ডব্লিউঃ সিঃ আরঃ এঃ
(v) ট্রাইসেম্
(vi) মিলিয়ন্স ৱেল্স

(২) কেন্দ্রনা শৌগৎপা প্রোগ্রাম্ , মথক্কী আইটেম্ (১) দা উৎখ্রিবা অসি পাংথোক্লবা কম্যুনিতি ডিভেলপ্মেন্ট প্রোগ্রাম্ তৌবদা ভাবত সরকাবনা মতম্ মতম্গী ওইনা পিবক্পা লম্জিং পাওতাক্ অদু ঙাক্কদবনি ;

১৮। ইদুকেসন্ (ক) এদল্ট ইদুকেসন্/নন্-ফোর্মেল্ ইদুকেসন্ সেন্তব শেম্গৎপা ;

(খ) প্রাইমাবি স্কুলশিংগী শঙ (মোবামোত) শেম্জিন শাজিন্বা অদুগা ঙাক্লা থম্বা ;

(গ) রাজা বাম্ মোহোন্ বোয় অমসুং বাজীভ গান্ধী ফাউডেসন্গী মখাদা খুঙ্গংগী লাইব্রেবি লিংখৎপা অদুগা মওং চুম্না থম্বা;

(ঘ) প্রাইমারি স্কুল্ লিংখৎপা অমসুং নিয়ম্ চুম্না

থম্বদা, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল্ শিংদা শক্তি য়েঙ্খোক্পগী মতাংদা শেম্খিবা কেবিনেট সব-কমিতি অদুনা য়েংশিন্গনি, চাং য়েংগনি ;

১৯। আর্ট অমসুং কলচব	(ক)	নাৎকী ওইবা থবক্শিং/থৌবম্শিং শেম্বা ;
২০। মার্কেট এণ্ড ফেযাবস	(ক)	চুনগদবা কৈথেল্গী মফম্ খন্বা /তাক্পা ;
	(খ)	খুঙ্গংগী কৈথেল্শিং লিংখৎপা অদুগ শেম্ শাবা, মওং চুম্না থম্বা ;
২১। মেদিকেল্	(ক)	পিঃএইচঃএসঃসিঃ অমসুং দিসপেন্সবি গী শঙ (মেন্টিনেন্স) মওং চুম্না থম্বা ;
	(খ)	হক্চাং অমসুং হক্শেল্গী থৌবম্গী মবিদা ট্রেনিং কেম্পশিং শেম্গৎপা;
	(গ)	ফেমিলি বেলফেযাব স্কীম্শিং পাংথোকপা ;
২২। সোসিযেল্ ৱেল্ফেযাব	(ক)	অঙ্গন্বাদি সেন্তব শিং খন্বদা জিলা পবিষদকা লোইনবা ,
	(খ)	ওল্ড এজ পেন্সন্ স্কীম্ নত্তবা এনঃএসঃএঃপিঃ পাংথোক্পা ;
	(গ)	হিদাক্ লান্না শিজিন্নবা থিংবা ,
	(ঘ)	বিঃএসঃৱাইঃ (বালিকা স্মৃধী যোজনা) স্কীম্ পাংথোক্পা ;

স্কীম্ অসি ভাবত সবকাব অমসুং বাজ্য সবকাবনা পিবা লম্জিং মখাদা পাংথোক্কদবনি/যেংশিন্গদবনি/অচুম্ চুমদা থিগদবনি । মসি মণিপুব পঞ্চায়তী বাজ এক্ট ১৯৯৪ (ইং ১৯৯৬ তা শেম্দোক্খিবা) অদুনা কোন্বা লম্শিংদা খুদক্তগী চৎনবা হৌগনি । মবি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মসিগী মবিদা চুনবা অকুপ্পা লম্তাক্ খুদক্তা পিগনি , অদুগা মীখল্দা কাবা মীহুৎশিংদা স্কীম্/প্রোগ্রাম্ শিং অসিদা য়েংশিন্বা,

অচুম্ চুম্দা তাক্পা অদুগা পাংথোক্পা ঙম্নবা ট্রেনিং পিনবা খোংথাং লৌখৎকনি।

কনাগুম্বা অমনা হান্নগী শেমদোক্লিঙৈগী মণিপুর পঞ্চায়তী রাজ এক্ট ১৯৯৪ গী সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ শিংগা লোইনবা মথৌগী আইটেম্শিংদুগা শেম্দোক্লে হাযবিবা অশুপ্পা মওং, মদুগা লোইনবা পাম্লিবা মবম্ অমসুং পান্দম্-গেজেততা যাওবিবা মথৌশিংনা তাক্লিবা আইটেম্শিং—দেশ অসিমক্কী সংবিধান্গী ১১ শুবা দিস্যুল্দা যাওবিবা আইটেম্শিং পুম্নমক্ অসি শুপ্পা য়েংবদা থংবা ঙম্গনি মদুদি শেম্দোক্লে হাযবির্বাশিং অসি মতিং চাদনা পক্শিন্নবা যাদবা, মান্নদবা, মথবাই শুদবা, মপুম্ ফাদবা, চয়েৎনবা অসিনচিনা ঊগনি। এমিংতা ওইনা শক্তি, মথৌ পিবে হাযবিবা, শেম্দোক্লবা আইটেম ১১ অসি তশেংনা হাযবদা সংবিধান্না পিবিবা আইটেম্গা চাননা শেম্না ওইদে, মসিদি দিপার্টমেন্টশিংদগা চুম্না খাইদোক্পা থৌবম্ খর্বনি। গেজেতমক্সু ট্রান্সফর/ খাইদোক্পা, থৈদোকপা হাযনা পাল্লি, অদুনা পঞ্চায়তী রাজগী লোইশঙশিংদা শকক থুংবা থবক নত্তে। অদুগা রাজ্যগা পঞ্চায়তর্শিংগগী মবক্তা য়েন্থোক্পা থবকসু নত্তে, অদুগা পঞ্চায়তর্শিংগী মথক্তা য়েন্থোক্পবসু নত্তে। তশেংনমক্, সংবিধান্গী ১১ শুবা তবামাখোই শুবা সিদ্যুলদা যাওবিবা (লিষ্ট) পনেং অসিদি রাজ্য সরকারনা অখাক্পা থমদনা পঞ্চায়তর্শিংদা শকক থুংবিবগদবা থৌবম্গী পরেং অমনি। খাইদোক্লে হাযবিবা থৌবম পবেং অসিদি মপুংসু ফাদে মসিনা পঞ্চায়তশিংবু মপাঙ্গল্ কন্বা মশানা মশাবু ঙাক্চবা সবকাব ওইদুনা শেলগুমগী ফিভম্ ফংহন্নবনি, অদুগা সমাজদা অচুম্বা তৌননবদি হাযনা সংবিধান্দা পল্লিবা অসি কবম্না ওইগদৌবিবনো ? সেক্সন ৩৫ অসি পঞ্চায়তকী ওইবা থবক্কী ওইগদবনি অদুগা সেক্সন্ ৬১ অসিনা জিলা পরিষদকী ওইবা থবক্কীদমক্ ওইগদবনি। গ্রাম্ পঞ্চায়ত অমসুং জিলা পরিষদকী থবক্লি হাযনা থোক্লিবা নোটিফিকেসন্ অসিদদি সেক্সন ৩৫ অমসুং ৬১ অনিমক্ পুনশিন্খিদুনা চবোৎনখ্রে, মাসিনা হেন্না চযেৎনবা, মফম্ -মবাং খংহন্দবগী ব্রাফম্ ওইদুনা খুদোং চাদবা কযা থোক্হনগনি। আইটেম্শিং অসি তোঙান্ তোঙান্না গ্রাম্ পঞ্চায়ত অমসুং জিলা পরিষদ অনিগী ওইনা মচা খাইনা খাইনা খাইদোক্লুনা মাগী মাগী এলাকা খংনা তাক্কদবনি; ফিভম্ অসিদদি থবক্ তৌবম্দাইদা কবনা কনাগীনো হাযবা শেংদোক্লবা অমা চংগনি।

সংবিধান্গী মতুংইন্নদি পঞ্চায়তকী থবক্শিং আস" শকক্ য়েন্থোক্নবা" (এলোকেসন্)নি, "মফম্ ওন্থোক্লবা"খাইথরক্পা (ট্রান্সফর) নত্তে। খাইথরক্পা তারবদি য়েন্থোক্লরবদুগী মথক্তা অহেনবা ওইনা অমুক্ খাইথবক্পা ওইগদবনি। মরম্ অদুনা রাজ্য সরকারনা অমুক্ নৌনা হোংদোক্লুনা থবক্ য়েন্থোকনবগী তঙাই ফদবা লৈ। নোটিফিকেসন্ অদুনা কবিগুম্বা অহোংবা ফগৎপা অমতা পুরক্লে, শেম্দোক্পগী অনিংবা

অদুদা তাদ্রে। সেক্সন্ ৩৫ অমসুং ৬১ অনি অসিদি অসুক্কী মতিক্ মক ওইগ্রে, মাগাদা যাওবিবশিং অসিনা শক্তি চাইথোক্পগী চাং, অদুগা পঞ্চায়তী রাজগা লোইশঙশিংদা মথৌ পিবগী শক্ফম্ অদু তাক্কদৌবিবনি। অদুগী মথক্তা রাজ্যগী এক্ট অসি সংবিধানগা মযেক্তা অমদি নুংগী (অর্থ) রাহস্তোক্তা চানগদবনি ।

রাজ্য সরকারনা তৌদবা যাদবা ফিভম্দা নোটিফিকেসন্ অমা থোক্খিবদুনা লোইরব নি হায়না পেস্তোক্পগুম্ লৈবি । মথৌ মগুম্, দায়িত্ব মতিক্ চাবরসু চাদ্রবসু পিববা তুংদা পঞ্চাযতশিংবু থবক্ তৌহনবা ঙমদ্রি । এক্ট লৈবগা লোয়ননা মতম্ অমতদা শাগোন্ননা থাংগদবা খোংথাং কয়া অমসু লৈবি । পন্বা যাবা খবদি :

(১) এক্ট অসিগী ঙাকলৌ ওইনানবা রুল্স, রাইলোজ কয়া শেমনিংঙাই লৈ, তঙাই ফদবা যেংদুনা শেম্বা তাই ।

(২) 'ফাইনান্সিযেল দিভোলুসন' শেল্ থুম্ অমদি মচাক্ মরল্ যেস্তোক্পা হাযর্বাস মথৌ যেস্তোক্পগা লোযনবগদবা থবক্ অমনি । মথৌ পাংথোক্লবগীদমক শেল্ অমদি মচাক্ মরল্ মরাং কাইনা পিদবা যাদে । ফাইনান্স কমিসন না মখল্ কযাগী খাজনা অমদি ফিজনচিংবা খন্দাক্পা, মদু লৌননবগী চাং লেপ্পা, রাজ্যনা পিবা যাব খাজনা, ফজনচিংবগী শরুক্কী চাং লেপথোক্পা -রাজ্য সরকারনা অতৈ পিফম থোক্পা গ্রান্টনচিংবা পুম্নমক্ পাবা থবক্তা চানবা চাংদা লেপথোক্পা তৌদুনা পোৎথোক্ লস্তোক্ মতম্ চানা অমদি মতিক্ চানা শিজিন্নবা ফংহনবা তাবান। পঞ্চাযতশিং অসি চুম্নগী সরকারগী এজেন্ট নত্তে, সরকারগী খুজংদান ; অদুনা মখোযদা শেলগী নীংতম্বা (ফাইনান্সিযেল ইন্দিপেন্দেন্স) লৈহন্দবা যাদে । ফাইনান্স কমিসন্গী রিপোর্ট ফোংদোক্পা, অশোই অওাম্ অমদি পাম্দবা শেমদোক্পা অদুগা অরোইবা ওইনা চৎনহন্বা ঙম্গদবনি ।

(৩) থবক মথৌ লেপ্লবদি, থবকশিং অদুগী পোবম্ নিংথিনা যাৎপা, হাযর্বাদি প্লান্ তৌবা হাযর্বাসসু তৌদবা যাদ্রবা খোংথাং অমনি । থবক্ অমসুং কাইথোক্লবা শেলগা মপা চানা , চাওখৎ থৌবম্গী (স্কীম) থৌবাং শেমদুনা থবক্ ওইনা পাংথোক্পা যাননবা লম্বী যাৎকদবনি । ওইথোকপা যাবা প্লান্ শেমদুনা থবক্কী মতৈ চপ চানা ফংহনগদবনি ; নত্তবদি থবক্কী কান্নফম্ খংলোই । দিষ্ট্রিক্ট প্লানিং কমিতি শেমদুনা নিংথিজবা প্লান্ তৌহল্লগা খুদক্তগী থবক তৌবা যাননবসু তৌগদবনি ।

(৪) এক্টনা পিবা ঙম্দবা অরাৎপা শরুক্ পুথোক্লুনা শেমদোক্কদবনি । সেক্সন্ ৪৯ শেমদোক্লুনা জিলা পরিষদতা প্রধানগী মশিংগী শরুক্ খরা য়াওননবা থবক্ পাংথোক্পা উদ্রি ।

(৫) এক্টকী লাইরিক্তা ফনা ফজনা ইরবা কাওবদা শাসনগী থৌবাং ফজদ্রবদি থবক্ পাংথোক্পা য়ারোই, মরম্দি এক্টতি এক্ট হায়বদুনি 'লাইরিক্তা লৈবা মহৈ, অমদি মীঙোন্দা তোন্বা শেল্ ঐগী নত্তে'। নিংথিজবা শাসন্না এক্ট চৎনহন্বদা মৈথৌ হেন্গৎহন্গদৌবিবনি। সবকাবগী অফিসার অমদি পঞ্চায়তনা হাপ্চবা অফিসাব ওইববসু মতিক্ চাবা, থবক্ ঙম্বা, প্রজাগী খন্বিবা মীওই পঞ্চায়ততা থম্গদবনি। হায়নবা লৈ — 'বুরোক্রেসিনা পঞ্চাযতপু শেম্গনি অদুগা থুগাইগনি।' সবকাবগী শাসন্ অসি অফিসাবশিংগী খুৎতা য়াম্না চাওনা লৈ। পঞ্চায়তকী শাসন্ ফহন্বদা অফিসাবগী দাযিত্বদি যাম্না চাওই। জিলাগী পঞ্চায়তশিংদা অফবা চীফ এক্সিকুটিভ অফিসাবশিং থম্বা য়াম্নমক্ তঙাই ফদে। অদুগা মহাক্ অদু জিলাগী কলেক্টবগী থাক্তগী হন্দবা মীওইনা ওইহন্গদবনি নত্রবদি দিপার্টমেন্ট কয়াগা শম্নবা অমদি তাইশিন্নবা ঙম্লোই।

(৬) থবক্ মথৌ শিন্নবগা লোযননা স্কীম্শিং, ফণ্ড অমসুং স্টাফ খাইদোক্নুনা জিলাগী পঞ্চাযতশিংদা খুৎশিন্নগদবনি।

(৭) বাজনীতিগী ওইবা অকন্বা, অচেৎপা ফিবেপ্ক' লোযনন পঞ্চাযতশিংদা শক্তি, মথৌ হেন্না হেন্না পিশিন্দুনা সবকাবগী থবক্ অমসুং মথৌদা অকন্বগী চাং হন্থহন্বা চুম্ই। লোযন-লোযননা পঞ্চাযতকী মতম্ মতম্গী থবক্তা যাবমখৈ শজনীতিগী ওইনা খুৎ থিংজিন্দবা তাই।

(৮) নৌনা থবক্ পাযগদৌনবা, থবক্ খংদ্রবা হৈত্তুবা পঞ্চাযতকী মাওইদা মতিক্ চাবা, চনবা মথল্গী ট্রেনিং পিবা হাযবসিসু তৌদবা য়াদ্রবা থৌব অমান।

এক্ট শেম্লবা মতং চহি ৫ যানবা অদুগা মীখল্ তৌখ্রবা মতং চহি ২ হৌখ্রবা কাওবদা পঞ্চাযতশিংনা থবক্ হৌগৎপা ঙম্দ্রি; শাসনগী অচেৎবা কযানা মখল শকফম্দা থম্লি। নাকল অমবোম্দা শক্তি শুপাচন্না পার্থাশক্রকপনা পাথাপ অসিদা মাম লাংশিন্হল্লে। মণিপুবদা পঞ্চাযতী বাজ হৌখনা চহি ৩৫ বোম্ শুববদসু পঞ্চাযতা বাংগী লোইশঙশিং অসি ইংনা অপনবা যাওদনা চত্থবা ঙম্দ্রি, অচেৎপা খোংফম্দা লৈত্রি; থবক্ পুম্নমক্, থৌবাং পুম্নমব ইংশিন্দনা কমাভানখ্রে, হন্না হন্না ফর্মাভান্খ্রে। তশেংবমত্তি পাথাপ্ অসি হৌহনবদা (থাবদা) লিংবদা লৈহাও মতিক্ চানা লৈবক মণিপুবগী লৈমাইদা শাহৌযম্না চাওখৎফম্ থোকপনি। পুংফম্ অসিদা পঞ্চাযতী বাজগী লোইশঙশিং অসি মশাফবা মপাঙ্গল্ কন্বা মশানা মশাবু ঙাক্চবা সবকাব ওইবা ঙম্নবা অফবা শাসনগী খুজিল্ থৌবাং অমা নৌহৌনা চংই। ●

নিংথৌ কয়া, শাগৈ কয়ানা লান্ শোক্লখি, অদুগা মাইথিখি, সম্রাজ্য কয়া হৌগংখি, শাসন্ তৌবম্মী, ফজদনা শাসন্ তৌখি অদুগা মাংখি, তৌইগুম্বসুং খুম্মীশিংগী পুন্সিদি লান্গী চরাংনবদগী অদুগা সম্রাজ্যশিংগী হৌগংপা অদুগা মবাই চাইথবগী ইচেল্দগী লাপ্লা লৈদুনা চাং মান্ননা, ফিভম্ কাইদনা চংথবক্পা ওয়খি। ঐখোয়গী খুঙ্গংগী লৈপাক্ লৈরম্মী মদুনা পুন্সিবু অদুগা লন্ থুম্বু ওাক্খি, মদুনা লৈপাক্ মচা তাবা পুন্সি লৈবা ওইথোক্হন্খি'। মহাত্মা গান্ধী ঃ হরিজন্ ৮/১২/১৯৪৬



লৈপাক্কী, রাজনীতিগী অকা অকুম্ মরক্তা পঞ্চায়ততী হিংফম্ থোক্কই। শিন্নফম্ থোক্পা অদুতা শিন্নবিয়ু।

লাইরিক ফংফম্

১। অইবগী য়ুম ঃ কোংবা বাজার
ফোন্ঃ ৪৪১১৩৬

২। মণিপুর ষ্টেট পঞ্চায়ত পরিষদ্
পঞ্চায়ত ভবন্, পোরোমপাৎ

৩। বট্ (বি ইউ টি) প্রিন্টর্স
কংলা পার্ক, ইম্ফাল্ মিউনিসিপাল্ কাউন্সিল্ মনাক।

* অইবগী ফোংলক্লদবা লাইরিক্

Synoptic Sketches
on
Panchayait Raj and Rural Development